




মণিপুরী মহাভারত

২৩শুবা খণ্ড

(শান্তিপর্ব্ব লোইশিনকপা)

বেদ ব্যাসকী শ্লোকাবলী মহাভারতপু
পর্ব-অধ্যায় শ্লোক মথং-মনাও
কায়দনা মীতৈলোন্দা লমাইগী
টীকা পীদুনা মথং মথং
হন্দোকচরকপা :—

পদ্মশ্রী কালাচাঁদ শাস্ত্রী

ইং কুমজা – [redacted]৯৭৯

শান্তিপর্ব্ব

মথংমনাও মশীং		অধ্যায়	লমায়
১ ।	শ্বেতদ্বীপতা নারদনা [illegible]	৩৩৪তুবা	১—২৪
২ ।	ব্যাসনা শিষ্যশিংদ ধর্মগী তত্ব পুখ তাকপা	৩৩৫তুবা	২৫—৫৬
	(বিজ্ঞানগা ধর্মগা লৈনবা মরী)		
৩ ।	কৃষ্ণনা মশামকী তত্ত্ব অর্জুনদ তাকপা	৩৩৬তুবা	৫৭—৭১
	(কলাবিদ্যাগা বিজ্ঞানগা লৈনবা মরী)		
৪ ।	থুংলেম্বগী মহাত্তদা জগৎসিনা লৈরম্বা মও	৩৩৭তুবা	৭২—১১৮
৫ ।	নারদনা নরনারায়ণগী নাক্ত জনকপা	৩৩৮তুবা	১১৯—১৩০
৬ ।	নরনারায়ণনা নারদদা বাসুদেবগী তত্ত্ব তাকপা (সাকারনিরাকারগী বিচার)	৩৩৯তুবা	১৩১—১৪৭
৭ ।	পিতৃলোককী পূজাবিধি তাকপা	৩৪০তুবা	১৪৮—১৬১
৮ ।	„ „ „	৩৪১তুবা	১৬২—১৭৮
৯ ।	হয়গ্রীব অবতারগী রাগী (শব্দবিজ্ঞানগী ইতিহাস)	৩৪২তুবা	১৭৯—২৫২
১০ ।	ভগবান্দা ঐকান্তিক ভক্তি থম্বগী তত্ব	৩৪৩তুবা	২৫৩—৩০১

(মতাং রামজয়সু লামায় রায় চৌধুরীনা চঙ্না টীকা তৌরে)

শান্তিপর্বগী অরোইবা শ্লোকঅকম্ মরিদংগী ব্যাখ্যাদি মহাভারত পুমলোয় লোইরে লাকলি ॥

ছাপা— ভাগবতী কার্যালয় চুড়াচান্দ প্রিন্টিং ওয়ার্কস্। ফোরবা:— অইবা মশা। অহান্বা থুংনবা.১৯৭৯ ইং।
কপি—১০০০

ওঁ

মণিপুরী মহাভারত

চতুস্ত্রিংশদধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(শ্বেতদ্বীপতা নারদগা শ্রীভগবান্ নারায়ণগা উন্নবা)

চন্থুম কুন্থ্ামবিশুবা অধ্যায়

— —:(০):— —

ভীষ্ম উবাচ

এবং স্তুতঃ স ভগবান্ গুহ্যৈস্তথ্যৈশ্চ নামভিঃ। তং মুনিং দর্শয়ামাস নারদং বিশ্বরূপধৃক্ ॥১॥

কিঞ্চিচ্চন্দ্রাদ্ বিশুদ্ধাত্মা কিঞ্চিচ্চন্দ্রাদ্ বিশেষবান্। কৃশানুবর্ণঃ কিঞ্চিচ্চ কিঞ্চিদ্ধিষ্ণ্যাকৃতিঃ প্রভুঃ ॥২॥

শুকপত্রনিভঃ কিঞ্চিৎ কিঞ্চিৎ স্ফটিকসন্নিভঃ। নীলাঞ্জনচয়প্রখ্যো জাতরূপপ্রভঃ ক্বচিৎ ॥৩॥

প্রবালাঙ্কুরবর্ণশ্চ শ্বেতবর্ণস্তথা ক্বচিৎ। ক্বচিৎ সুবর্ণবর্ণাভো বৈদূর্যসদৃশঃ ক্বচিৎ ॥৪॥

নীলবৈদূর্যসদৃশ ইন্দ্রনীলনিভঃ ক্বচিৎ। ময়ূরগ্রীববর্ণাভো মুক্তাহারনিভঃ ক্বচিৎ ॥৫॥

এতান্ বর্ণান্ বহুবিধান্ ধারয়ন্ সনাতনঃ। সহস্রনয়নঃ শ্রীমান্ শতশীর্ষঃ সহস্রপাৎ ॥৬॥

ভীষ্মনা হায়,— মুনিগণ! মতৌ অদুম্না নারদনা গুপ্তবা অমদি চুমবা নাম মরাম আস শোননা কুন্না ভগবান্ নারায়ণগী স্তুতি তৌরবদু অদুদা, বিশ্বরূপ ধারীবা ভগবান্না মহাক্কী অদুবা নারায়ণনা নারদদা দর্শন পীখি ॥১॥ নারায়ণগী মূর্তি অসি অমুক্তা চন্দ্রমাদগী হেম্না শুববা মমবা মান্না পুই, অদুগা অমুক্তা চন্দ্রমাগা শুব্মান মান্নরবা মশেক মচু লৈবা পুই... ... অদুগা অমুক হন্না মীগী মতৌঙমা মশাগা লোয়ননা পুমনমক ঙান্নি। শরুক অমনা থরান্নি মশিংগী মতৌঙুম্না অগুপ চৎলেন পুমনং লৈরি ॥২॥ থবমা চেনমা মশাগী মচু পুই। শরুনা নীলাঞ্জনগী মতৌঙুম্না মচু মপান্না ইরমদা ... শরুক থবদগীনা কাঞ্চনগী মতৌঙুম্না মুববা মশেক হাইদোকই। অমুক্তা শরুক থবদগী সনাগী মচুগুম্না মঙান্না কাংলোবুকই ॥৩॥ মকম অমদনা নৌনা চোথংলক্লবা লৈনাগী মচু মাগি। অমদনা অমুক চৌরোক পোই অমুক্তা বৈদূর্যমণিগী মশেকনা মরীক মরীক চাউদোরকপগুমই ॥৪॥ শকচাগী শরুক অমনা নীলবৈদূর্যগী, মকম অমদনা ইন্দ্রনীলমণিগী অমনা রাজহংসগী মখোরাগী, অদুগা মকম অমনা মুক্তাপবেংগী মচু মশেক মঙাল পুই ॥৫॥ মতৌ অসুমনা

সহস্রোদরবাহুশ্চ অব্যক্ত ইতি চ কচিৎ। ওঙ্কারমুদ্গিরং বক্ত্রাৎ সাবিত্রীং চ তদন্বয়াৎ ॥৭॥
শেষেভ্যশ্চৈব বক্তেভ্য শ্চতুর্বেদান্ গিরন্ বহূন্। আরণ্যকং জগৌ দেবো হরির্নারায়ণো বশী ॥৮॥
বেদিং কমণ্ডলুং দর্ভান্ মণীনুপানহৌ কুশান্। অজিনং দণ্ডকাষ্ঠঞ্চ জ্বলিতঞ্চ হুতাশনম্ ॥৯॥
ধারয়ামাস দেবেশো হস্তৈর্যজ্ঞপতিস্তদা। তং প্রসন্নং প্রসন্নাত্মা নারদোদ্বিজসত্তমঃ ॥১০॥

তমুবাচ নতং মূর্দ্ধ্না দেবানামাদিরব্যয়ঃ ॥ ১১॥
বাগ্যতঃ প্রণতো ভূত্বা ববন্দে পরমেশ্বরম্

শ্রীভগবানুবাচ ॥

একতশ্চ দ্বিতশ্চৈব ত্রিতশ্চৈব মহর্ষয়ঃ। ইমং দেশমনুপ্রাপ্তা মমদর্শনলালসাঃ ॥ ২॥
ন চ মাং তে দদৃশিরে ন চ দ্রক্ষ্যতি কশ্চনঃ। ঋতে হ্যেকান্তিকশ্রেষ্ঠাৎ ত্বং চৈবৈকান্তিকোত্তমঃ ॥৩॥
মমৈতাস্তনবঃশ্রেষ্ঠা জাতা ধর্ম্মগৃহে দ্বিজ। তাস্ত্বং ভজস্ব সততং সাধয়স্ব যথাগতম্ ॥ ৪॥

সনাতন ভগবান্ শ্রীহরিনা মশা মথক্তগী হকচাংদা মচ মশেক্ মণ্ডাল মথল মথা পুথি। মতম অদ শ্রীহরিগী কোক্, পুক্, খোঙ, খুৎ লিশিং লিশিং পাল্লি। মমা হৌদা থক উগি তাথিলবা মচু মশেক মণ্ডালমক্তি মঙংদি অসিনি হায়রবা হায়কম থগদবা মাঙ্গৈদা লৈখি ॥৫॥

পুন্নমকপু মাগী খুদম্ মথাদা থমগৎলা ভগবান্ নারায়ণনা চীল্ অমনা ওঙ্কার, অদুগা অদাংসিগা মরি থোইনা চরুবা গায়ত্রী মন্ত্রগী জপ তৌই। অদুগা অতোপ্পা অতে মা চীলশিংদুনা বেদমরি. অদুগা বেদতুগী আরণ্যকগী সংহিতা মন্ত্রশিংবু শকই ॥৭—৮॥ অদুগা পুন্নমকী থামী ওইবা ভগবান শ্রীবিষ্ণু নারায়ণনা খুৎশিংদুনা যজ্ঞবেদী, কমণ্ডলু, লংলবা মণিবস্ত্র, কুশ, শক্তী,মণ্ডল, চৈশু, চাক্লবা মৈবুল অসি পুন্নমকসি পায়রি ॥৯॥

নারায়ণগী দর্শন ফংলবা তুংদা গোহদেক্লা চপাওবা ব্রাহ্মণ অসোইবা নারদ অসি মকোক নোনৎনা পরমেশ্বরগী স্তুতি তৌখি ॥১০॥ মকোক্ নোন্দুনা চবণদা খুরুমজুনা লৈরিবা নারদদা দেবতা পুন্নমক্ত অাদি কাবণ ওইবা, পোক্তপা-শিরবা লৈতবা, মথগা ওইজরকপা, অমাঙ-অতা লৈত্রবা ভগবান শ্রীহরিনা অঙ্গমন হায়সকই ॥১১॥ দেবর্ষি ! মহর্ষি একত, দ্বিত, ত্রিত, অহুম অদু ঐগা উনগদবগী মফম অসদা লাক্লম্ম ॥১২॥

অদুবু মথোয়দু ঐবু উবা ফংখিদে। অতোপ্পা অমা অমা থক্তনা ঐবুতবু নীংবা ঐগী অথোইবা ভক্ত-মতুনা অতোপ্পা অমনা ঐবু উবা ফংদে। অদুবু দেবর্ষি ! নহাক্তু ঐগী ঐকান্তিক ভক্তশিংগী ঐবু উবা ফংলবনি ॥১৩॥ ব্রাহ্মণ অথোইবা ! ধর্ম্মগী যুমদা পোকখিবা নরনারায়ণনচিংবা মথোয় মতীমনা মরিমতু ঐগী স্বরূপনি, ঐমক্তি হায়না থম্মু। নহাক মথোয়গী ভজন তৌ। নহাক্না কান্তু ফাংলুবা থেংনে থেংনক্লবা থবক অদুনা ভজনগী সাধন ওইহল্লু ॥১৪॥ *

* শ্রীনারায়ণনা নাংদদা তাকপিরিবা অসিগী ভাবত্তি অসিনি :— পুনশিসিগী মহুৎদা মমি, খুদিংগী মীকুপ খুদিংগী ঈলাক লাক্লিবা থোক্লিরিবা অক কন্তুনা, অদুগা কায়বনি কায়দবনি থক্লিবা থবক খুদিংমক অদু উরগা ঈপা পাথৎপা, শাউবা-যাবা, কুরাওবা-কুপ্তাইবা ঈতৌ তৌদনা, কেক্ লাক্লিবা থবক থোদোক্ খুদিংমকপু

বৃণীষ্ব চ বরং বিপ্রমত্তস্তং যদি চেচ্ছসি। প্রযতোঽহং তবাদ্যেহ বিশ্বমূর্ত্তিরিহাব্যয় ॥১৫॥
অদ্য মে তপসোদেব সমস্ত নিয়মস্ত চ। সদ্যঃ ফলমবাপ্তং বৈ দৃষ্টোযৎ ভগবান ময়া ॥১৬॥
বর এষ মমাত্যন্তং দৃষ্টস্ত্বং যৎ সনাতন। ভগবন বিশ্বদক্ সিংহং সবমূর্ত্তিমহান্ প্রভুঃ ॥১৭॥

ভীষ্ম উবাচ

এবং সন্দর্শয়িত্বাতু নারদং পরমেষ্ঠিনম্। উবাচ বচনং ভূয়ো গচ্ছ নারদ মা চিরম ॥১৮॥
ইমে হ্যনিন্দ্রিয়াহারা মদ্ভক্তাশ্চন্দ্রবর্চস: একাগ্রাশ্চিন্তয়েয়ুর্মাং নৈষাং বিঘ্নোভবেদিতি ॥১৯॥
সিদ্ধা হোতে মহাভাগাঃ পুরা হ্যেকান্তি নাঽভবন। তমোরজো ভির্নির্মুক্তা মা প্রবেক্ষ্যন্ত সংশয়ম ॥২০॥

ব্রাহ্মণ অপোৎরবা পোকপশিবা লৈত্রবা, ঈশ্বরা বিশ্বজগৎ অসিনা এগী মপানগী ঈশক ওইবা ঐনা নানা তৌবিবা অসনা ওস্তেরা পেনখে অহুনা না এগীসদা সাক্রবা অহুগা এবু থিং ক্রিবস করি পাঙদগীনো, হায়স বর পীসে। অপাম্বা বর নিবু। ॥১৫॥ নারদনা হায়:—ভগবন। পরমেশর! ঈনুঙা হৌজিক নহাকী দর্শন কজরে হৌজিক নহাকী দর্শন ফংজরবাননা এনা তৌজনা তপস্যা ভজন সাধন পুম্নমক মহৈ য়ারে। ॥১৬॥ ভগবন! নহাক জগৎবম্বুও অসিগী অহেম্বা এপুনি। নোংশাগী মতৌ গুম্বা অকিবা লৈতনি। অডবা উদবা পুম্নমক অমত ওইবা মশাক নহাকসু অডবা উদবা পুম্নমক অসিনা নশক্ ওহার। মহাক্ত সনাতন ব্রহ্মাগী সাকার মূর্ত্তিন। নহাক্না পীবিরিবা দর্শন অসিনা এহোঙ্গা খুদিগী চাউরবা বরদান অমা ওইরে। অইহ থেইদোকপা বর অম নঞ্জনীঙাই হৈদে ॥১৭॥ ভীষ্মনা হায়:—যুধিষ্ঠির। মতৌ অসুম্না দর্শন পীরবা তুদা ভগবান নারায়ণনা ব্রহ্মাগী মচা নারদদা অসুম্না হায়বকই:—চৎলো নারদ, অমুক কুইনা পশ্ববগনু ॥১৮॥ মবন্দা এগীসদা লৈনিবশি অসে, মশা মশাদা ইন্দ্রিয়গী বিষয় ভোগকী বাধা করিমত লৈত্রব অহুও নত্তন। মশাগী হৃৎচাদা মীৎ নবে নচিংবগী হাপ্রহৈ কায়ৎ য়াওদ্রবা ওাক্কনি। অহুনা নহাক ত মথম অসদা কুইনা পশ্ফম থেদে। থুনা য়াউনা চৎথবনা চুমলে ॥১৯॥ অসিদা লৈরিবশি অসে মহাপুরুষ ওইরবা ওাক্কনি। মখোয় তম সঙ্গে গুণ তমোগুণ অনীমক্কগী মুক্ত ওইরবা ওাক্কনি। মখোয়সি এহোন্দা, এগী হৃৎচাদা চৎখিগদবা খিও মডায়রবা ওাক্কনি। মাসিদা করিমত্ত চিংননীঙ য লৈরবান ॥২০॥

ভগবান্গী সেবা পূজাগী ভজন উপাসনাগী সাধনানি. মচাকনি হায়না থনগদবনি অমসুং শ্রীজিন্নগদবনি। থবক অমতনু অরেম্বনা মাঙহল্লোহদৌবান থবক অহুনা নিন্দা প্রশংসা ঈতৌ তৌবোহদৌবনি অহুম তৌববদি মীকুপ থুদিংগী ভগবান্গী সেবাক তৌহুনা পুনশি লেনখিবা কোহ মাহুন্ন। তোরগা বিদ্যা তানবদা, ধন তানবদা, পারবীর পালন তৌবদা অকায়বা থক লৈতে। অহোয়নহুম মাহুনা হেন্না অকবা ওইগনি। নোংবা ফাদোক লৈশুনা পুজা তৌবতনা ভগবানগী পেম্নবা থক ওইবা য়ারোই। মাসগী

ন দৃশ্যশ্চক্ষুষা যোহসৌ ন স্পৃশ্যঃ স্পর্শনেন চ। ন ঘ্রেয়শ্চৈব গন্ধেন রসেন চ বিবর্জ্জিতঃ ॥২ ॥
সত্ত্বং রজস্তমশ্চৈব নগুণাস্তং ভজন্তি বৈ। যশ্চ সর্বগতঃ সাক্ষী লোকস্যাত্মেতি কথ্যতে ॥২২॥
ভূতগ্রামশরীরেষু নশ্যৎসু ন বিনশ্যতি। অজো নিত্যঃ শাশ্বতশ্চ নির্গুণো নিষ্কলস্তথা ॥২৩॥
দ্বির্দ্বাদশেভ্যস্তত্ত্বেভ্যঃ খ্যাতো যঃ পঞ্চবিংশক। পুরুষো নিষ্ক্রিয়শ্চৈব জ্ঞানদৃশ্যশ্চ কথ্যতে ॥২৪॥
যং প্রবিশ্য ভবন্তীহ মুক্তা বৈ দ্বিজসত্তমাঃ। স বাসুদেবো বিজ্ঞেয়ঃ পরমাত্মা সনাতনঃ ॥২৫॥
পশ্য দেবস্য মহাত্ম্যং মহিমানং চ নারদঃ। শুভাশুভৈর্ভর্কর্মভির্যো ন লিপ্যতে কদাচন ॥২৬॥
সত্ত্বং রজস্তমশ্চেতি গুণানেতান্ প্রচক্ষতে। এতে সর্বশরীরেষু তিষ্ঠন্তি বিচরন্তি চ ॥২৭॥

অদুগুম্বা মহাক্পু মীৎনস্থু উভমদবা, উনশানস্থু শোকভমদবা, মনমবু লৌভম্বা নাতোপ কৌবা ইন্দ্রিয়নস্থু মাগী মনমবু লৌভমদবা, মহাও লৌবা লৈ কৌবা ইন্দ্রিয়দগী রাংমদা লৈবা, সত্ত্ব, রজ, তমগুণ অহুমদগীসু রাংমদা লৈবা, সত্ত্ব রজ তম অহুম অসিগী করিগুম্বা অমতনা মতোন্দ চডবা ডমদবা, মখম পুম্নমক্কী শীনথুংনা লৈবা, মতম অমতদা উভম্বা অচচ্চত্ত পুম্নমক অসিগী জীবয়াশিংদুসু মহাক্ মথন্তনা ওইডম্বা অচচ্চত্ত পুম্নমক অসিনা মৃঃগ্রবসু, মহাক্তুদি ঈকায় কায়দনা লেভ্দনা লেহৌবা, মহাক্ অদুতবু লোকপাশিং লৈতবনি; নিত্যনি, সনাতনদি, নির্গুণনি করিগুম্বা শরুক অমত্তা মতোন্দগী লোৎথোক্পা য়াদবনি হায়নরিবা, তত্ত্ব কুন্সরিগী রাংমদা লৈহনা কুম্মডা শুব তত্ত্বগী মশক ওইনা লৈরিব, মহাক অদুতবু অন্তর্যামী হায়নরিবা, করিগুম্বা কর্ম অমত তোঁদনা লৈবা, জ্ঞানগী মীতনা উভম্বা, মতোন্দা তিনখ্রবা চঙ্শিনখ্রবা জ্ঞানীশিং অদুতবু অরানবা খুভম (মুক্তি) ফংথ্রে হায়নরিবা অদুগুম্বা মহাক্ অদুতনা সনাতন পরমাত্মানি। মহাক্ অদুতবুনি বাসুদেব হায়না কৌনরিংসি। ॥২১-২৫॥ নারদ। অদুগুম্বা পবদেব-পরমাত্মাগী মহিমা মাহাত্ম্য (মতীক্ মগুণ) অদুবুসু য়ুম্না য়েংঙু। মহাক্তু শুভ (অকবা মঙ্গল ওইবা) অদুগা অশুভ (মঙ্গল ওইরোইদোবা) কর্ম অনীমক্তুগী রাংমদা লৈবনি। ॥২৬॥ অচচ্চত্ত জীব পুম্নমক্কী সত্ত্ব, রজ তম হায়রবা গুণ অহুম অসি কোয়চং চত্তুনা লৈ।

থবমদি মথক্তা হায়রিবা মূল শ্লোকশী অর্থ অসিনা অদুম ওইরে। কুপশা কল্পবা একত, দ্বিত, ত্রিতনচিংবা মহর্ষিশিংমক্তা ভগবান নারায়ণবু লেপহনবা ওমথ্রবনা দর্শন ফাখিদে। অদুগা তুংগী শীঘ্র চাবা থবক্ খুদিংদা কোয়াৎ চত্তুনা নারায়ণ তশোন্দুনা লৈবা তাইবং জীবনা তৌবা থবক খুদিংবু নারায়ণগী লীলানি খন্দুনা লুংতাইনা মাতুদা য়াঙ্গাশন্দুনা লুংতাইথোক্পা ওম্বা নারদতনা শ্রীভগবান নারায়নগী দর্শন ফংখি। নারদগী অসিগুম্বা সাধনা অসিতবু নারায়ণ ভগবাননা পেনবিখি। রাথন্দা, সর্বদা অকায়বা অহুম লাকই। মতম তহাক্তুং অদুতবু ভগবানগী সেবাগী পূজানি, ভজন সাধনশিংনি হায়রবদি অয়াম্বা লেমহৌরিবা মতম অদুদি ভগবানগী সেবাদা শীজিন্নবা নত্তে হায়বা অকায়বা ভাব অম লাকই। (কালাচাঁদ)

এতান্ গুণাংশ্চ ক্ষেত্রজ্ঞো ভুঙ্‌ক্তে নৈভিঃ স ভুজ্যতে। নির্গুণো গুণভুক্ চৈব গুণস্রষ্টা গুণাধিকঃ ॥ ২৮॥
জগৎপ্রতিষ্ঠা দেবর্ষে পৃথিব্যপ্সু প্রলীয়তে। জ্যোতিষ্যাপঃ প্রলীয়ন্তে জ্যোতির্বায়ৌ প্রলীয়তে॥২৯॥
খে বায়ুঃ প্রলয়ং যাতি মনস্যাকাশমেব চ। মনো হি পরমং ভূতং তদব্যক্তে প্রলীয়তে ॥৩০॥
অব্যক্তং পুরুষে ব্রহ্মন্ নিষ্ক্রিয়ে সম্প্রলীয়তে। নাস্তি তস্মাৎ পরতরঃ পুরুষাৎ বৈ সনাতনঃ ॥৩১॥
নিত্যং হি নাস্তি জগতি, ভূতং স্থাবর জঙ্গমম্। ঋতে তমেকং পুরুষং বাসুদেবং সনাতনম্ ॥৩২॥
সর্বভূতাত্মভূতো হি বাসুদেবো মহাবলঃ। পৃথিবী বায়ুরাকাশমাপো জ্যোতিশ্চ পঞ্চমম্ ॥৩৩॥
তে সমেতা মহাত্মানঃ শরীরমিতি সংজ্ঞিতম্ তদাবিশতি যো ব্রহ্মন্নদৃশ্যো লঘুবিক্রমঃ ॥৩৪॥

ক্ষেত্রগী মপক ওইরব হকচা মাসগী ক্ষেত্রজ্ঞ (হকচা অসিগী তৌবককম লেহকম পাংবা) মহাক্তনা হায়রিবা গুণ অসুম অসিংবু ভোগ তৌই। অদুবু গুণাশিং অসিগী পাংথৈনা মহাক্ত রুপংদসন-চিংবা বিষয়শিংবু ভোগ তৌবদি নতে। মবনাদি, মহাক্তি নিগুর্ণনি। নির্গুণ ওইনা লৈরবা গুণশা অদু-মকপু ভোগ তৌই। গুণ অগুমচুমক মহাক্তা মায়া তোংদুনা শেম্মনি। গুণ শিংমাসিংবু শেম্মগাদবা, গুণ অসুমসিংদগীদি তাংনা তাডুনা লেবানি। ॥২৮॥ দেবর্ষি নারদ। অচচক পুম্নমক অসিনা মাগী মথক্ত নন্দুনা লৈরিবা পৃথিবী (লৈপাক) অসি ঈশিংগী মনুংদা ভুমগি হুপাথিগদৌরিবানি। ঈশিংনা তেজদা, তেজনা নুংশিৎত প্রলয় ওইগাথ্রবনি ॥২৯॥ নুংশিৎনা আকাশদা, আকাশনা পুক্নিংদা থংগাথ্রবনি ॥৩০॥

ব্রাহ্মণ। অব্যক্ত প্রকৃতিনা নিষ্ক্রিয় (করিগুম্বা অমত্তা শোদবা) পুরুষদা থগাথি। হায়রিবা সনাতন ওইবা পুরুষ অসিদ লোইনমক মতুংদা তানি ডাই, মতোংদগী তেনবা অমত্তা লৈত্রে ॥৩১॥ অদুগুম্বা সনাতন (মতম মতম পুম্বদ লেতুদনা লৈবা) ওইবা, পুরুষ ভগবান বাসুদেব মহাক্ত মথং নতুনা বিশ্বগী মাওংসিদা হেক লৈরিবা পুম্নমক অনিত্যনি। ভগবান বাসুদেব মহাক্তনি নিত্য ওইরিবাসি ॥৩২॥ মহাবলী মহান বাসুদেব মহাক্তা অচচক পুম্নমককী অসিনি। লৈপাক, ঈশিং, মৈ নুংশিৎ অদুগা আকাশ মহাভূত মঙা অসিগীসু মহাক্তা আত্মা ওইরে। ॥৩৩॥ মহাভূত মঙ অসিনা পুল্লপ পুম্ন লৈবগী শরীর (হকচা) হায়না খঙনৈ। ব্রাহ্মণ! হায়রিবা শরীর অসিগী মনুংদা খোংচৎ পুরবা য়াওলবা চেতনা কৌবীদুনা হেক চঙশিল্লকপা মতম অদুদা চেতনা মহাক্তপু জীব (জীবাত্মা) অদুম্ কৌনগ্রে * ॥৩৪॥

* চুম্বু চুম্নবগু লালবু লাল্লবগু অদুনি, অসিনি হায়না খঙলবসি চেতন হায়রীবনি। মাংস ঈথচ খণ্ড খিদ্রবদি অচেতনা (অচেতন) কৌই। তুম্লিক্তৈ মতমদা জীব থাদি লৈ হায়রবু পাংবনত খঙদবগী অবস্থাদ লৈবনা জীবাত্মাও অচেতন অবস্থাদ লৈগে। হায়রিবী চেতনা অসি কন্নাগী মতীক শীব্রাগাম। ওইবগে হায়রবু তুম্লিবা মীহুদা কৌবদা থোংদু শোক্রুবদা মীপূপ অমগী মনুংদা লেপুবগ্গা খংবা হায়রবগা অমত্ত ওইনা খুদক থুদৈ। অদুনা চেতনা হায়বী অসি ওস্তোক্রা শীব্রাগামিনী (খাংচৎ থুবী) নি অচেতন

উৎপন্ন এব ভবতি শরীরং চেষ্টয়ন্ প্রভুঃ। ন বিনা ধাতুসংঘাতং শরীরং ভবতি ক্বচিৎ ॥৩৫॥
ন চ জীবং বিনা ব্রহ্মন বায়বশ্চেষ্টয়ন্ত্যত। স জীবঃ পরিসংখ্যাতঃ শেষঃ সঙ্কর্ষণঃ প্রভুঃ ॥৩৬॥
তস্মাৎ সনৎকুমারত্বং যোহলভৎ স্বেন কর্মণা যস্মিংশ্চ সর্বভূতানি প্রলয়ং যান্তি সংক্ষয়ম্ ॥৩৭॥
স মনঃ সর্বভূতানাং প্রদ্যুম্নঃ পরিপঠ্যতে। তস্মাৎ প্রসূতো যঃ কর্তা কারণং কার্যমেব ॥৩৮॥
তস্মাৎ সর্বং সম্ভবতি জগৎ স্থাবরজঙ্গমম্ সোহনিরুদ্ধঃ স ঈশানো ব্যক্তিঃ স সর্বকর্মসু ॥৩৯॥
যো বাসুদেবো ভগবান্ ক্ষেত্রজ্ঞো নির্গুণাত্মকঃ। জ্ঞেয়ঃ স এব রাজেন্দ্র জীবঃ সঙ্কর্ষণঃ প্রভুঃ ॥৪০॥
সংকর্ষণাচ্চ প্রদ্যুম্নো মনোভূতঃ স উচ্যতে প্রদ্যুম্নাদ্ যোহনিরুদ্ধস্তু সোহহংকারঃ স ঈশ্বরঃ ॥৪১॥

চেতনাগী মখক্ ওইবা জীবসিনা অড়িবা হকচাংদা চঙডকপা অমসুং লোকপা হায়বা অমুম মখাঙ্‌দৈ। লেঙবা থোৎপা য়াওদবা মহাক্না মপানগী হকচাংবু লেঙহন্নি হাইঙ্গমহন্নি হকচাংসিবু লেঙহন থোৎহনসি মহাক্কনা ভাপ্ন। পঙ্খভূতশিং অসিগী মপৈ অসি য়াওদনা কনাগুম্বা অমতগী হকচাং হায়বস্তু লৈদে, ওইবা য়াদে। ॥৩৫॥ ব্রহ্মণ (জীবাত্ম) অসি য়াওদনা প্রাণবায়ুনা নথো চৌবা ওয়দহনা চন লেপ্পা নৈ। হায়রবা জীব অসিমক্কি শেষ নক্রপা সংকর্ষণ হায়রিবসি॥৩৬॥ সংকর্ষণ নক্রপা জীব কৌরিবা অসিদগী পোক্ৎপা মনম সুবা ভূতানাং বনা সনৎকুমারত্ববু হায়বদি জীবন্মুক্তিবু ফংলিবা, অদুগা মহোন্দা জীব পুন্নমক মচংগী মথু হন্ন রপাখিবা অদুগুম্ব জীব পানবা পুন্নমক্কী পুক্নী কৌবা নহাক অদুবুনি প্রদ্যুম্ন হায়রিবসি ॥৩৭॥ মহক না পোক্ংবা ওইবা প্রদ্যুম্ন হায়রিবদুদগী পঞ্চ তন্মাত্রাদগী কর্তা, পঞ্চমহাভূতগী কারণ অদুগা মহত্তত্ত্বগী কার্য (লৌগদবা মথৌ। পুক্না ওইরিবনি, থোক্লবনি ॥৩৮॥ মহাক্কী অচচভ জগৎপুম্বাস পোক্লিবনি মহাকপু অনিরুদ্ধ অমদি ঈশান হায় কৌই। মহাকতি কর্ম পুন্নমক্তা ব্যক্ত ওই, (মশাবা নাইনা লোওরোক্কা) ॥৩৯॥ নির্গুণ ক্ষেত্রজ্ঞগী মশক্ ওইবা, হায়বদি, হকচাং অসিগী ভরুবু মথু মপান য়াওদবা নাইবা, নির্গুণ পুরুষ, হায়বদি সত্ত্ব রজ তম গুণ অসিনদগী রাজেন্দ্র, লৈবা বাসুদেব মহাকনা প্রভাব লৈবা সংকর্ষণ (জীবাত্মা) গী মশকনি। সংকর্ষণদগী প্রদ্যুম্ন পোক্কই। মহাক্কী পুক্নী কৌবা ওইরিগী মশক্নি প্রদ্যুম্নদগী অনিরুদ্ধ পোকই মহাক্না অহংকার (ঈশ্বর) গী মশাক্নি * ॥৪০ ৪১।

অবস্থাদা লৈরম্লিবা জীবাত্মাদুগা হেক তিন্নাখিবদা জীবাত্মা অমুং চেতনা হায়বাদুগা মশা অমত্তম তিন্নখি। মরম অদুদা চেতনা অমুং জীবাত্মা অমত্তম ওইখ্রে। হৈপাসুপৈপান্দ লৈরিবা জীবাত্মা অসি অচেতন অবস্থাদা লৈরিবনি। (কালাচাঁদ)

* মতাং অসিদা হায়রিবা সংকর্ষণ, বাসুদেব, প্রদ্যুম্ন অনিরুদ্ধ হায়রিবশিং অসি পুরাণদা বলদেব, কৃষ্ণ, প্রদ্যুম্ন (কৃষ্ণগী মচা) অনিরুদ্ধ (প্রদ্যুম্নগী মচা) অমসুং হৌবরা মপানগী রাবীগী মীশকাংশং অমসুং ভাক্ নত্তে। হায়রিবা নাম শব্দশিং অসিগী অথাদ মথৎশীংনা :—জীবাত্মাবু ব্রহ্মাগী চিংথোরকপা, মক্কম মক্তম পৃথ্বদা পূমথোং লৌবা, মতীক মঙাম্না পুমথনথনবা, পঙ্গ্হনবা থিংবা য়াদবা অবাধগতি ওইবা,—হায়বনি।

মত্তঃ সর্বং সম্ভবতি জগৎস্থাবরজঙ্গমম্। অক্ষরং চ ক্ষরং চৈব সচ্চাসচ্চৈব নারদ ॥৪২॥
মাং প্রবিশ্য ভবন্তীহ মুক্তা ভক্তাস্তু যে মম। অহং হি পুরুষো জ্ঞেয়ো নিষ্ক্রিয়ঃ পঞ্চবিংশকঃ ॥৪৩॥
নির্গুণো নিষ্কলশ্চৈব নির্দ্বন্দ্বো নিষ্পরিগ্রহঃ। এতৎ ত্বয়া ন বিজ্ঞেয়ং রূপবানিতি দৃশ্যতে ॥৪৪॥
ইচ্ছন্ মুহূর্তান্নশ্যেয়মীশোহহং জগতো গুরুঃ। মায়া হ্যেষা ময়া সৃষ্টা যন্মাং পশ্যসি নারদ ॥৪৫॥
সর্বভূতগুণৈর্যুক্তং নৈবং ত্বং জ্ঞাতুমর্হসি। ময়ৈতৎ কথিতং সম্যক্ তব মূর্তিচতুষ্টয়ম্ ॥৪৬॥
অহং হি জীবসংজ্ঞাতো ময়ি জীবঃ সমাহিতঃ। নৈবং তে বুদ্ধিরত্রাভূদ্ দৃষ্টো জীবো ময়েতি বৈ ॥৪৭॥

নারদ। অসচ্চর জগৎ পুম্বসে ঐহোন্দগী পোকখিবনি। ক্ষর, অক্ষর, সৎ অসৎ (মাঙথ্রগদবা, মাঙথবোইদোবা, লৈব-লৈতবা, অচুম্ব চুমদবা) পুম্নমক অসিসু ঐ চান্দগী পোকখিবা, থোকখিবা ভাকত্তুনি ।৪২॥ মকম আসদ লৈবিবা ঐগী ভক্তশিং অসে ঐহোন্দা চঙশিনখিত্তুনা মুক্ত ওইরবা ফাওনি। ঐহাক কুন্ডাগুবা তত্ত্বগী মশক ওইনা লৈবিবা পুরুষ ভগবান অহুমক্কী মশক ওইবিবনি॥৪৩॥ ঐ অসি গুণ খিবিক্কী লাংমদা লৈবনি। নিষ্কলঃ (কবিগুম্বা অমকপগী শকক শমত যাওদবা, অনীখাকপগী মওংদগী বাংমদা লৈথ্রবনি অহুগা, কৌশিনবগী শকক অমত যাওদবনি মনোয় রূপবান ওইবনা হায়বদি মশক ওইবনা উবিবনি উবক লিবনি হায়নদি থনগনু। মম্মদি, উবিবা মশক মচু মওংশিংসে ঐনা মীকুপ অমগী মনুংদা কৌশিনবা মাঙনখিবা ওম্মি মবমদি জগৎ পুম্নমক্কী মপুনি হায়নি ॥৪৪॥

নারদ নংনা ঐব রূপ অসিগী মনুংদা উরে হায়রিবসে রূপ অসি বুনি ঐগী নত্তে। ঐনা ঐব উহল্লোইদোবনী মখানগী রূপ অসিনা ময়া তৌদুনা ওইহনবনি। ঐনা জগৎ অসিদা হেক উবিবা রূপ উহনগু পুম্নমক্কী রূপশিং অসিনী মনুংদ কবিগম্বা রূপ অমগা ওইনা লৈহনি হায়নসি নক থনগনু। ॥৪৫॥ ঐনা নহোন্দা ঐগী বসুদেব সঙ্কর্ষণ, প্রদ্যুম্ন অনিরুদ্ধ কৌবা স্বরূপ মরিগী তত্ত্ব হাস লৌরবনি। মী পুম্নমক্কা ঐবু (জীবাঃ) কৌই হায়রে অদুবু নহাক জীবত্ব নত্তে জীব (জীবাত্মা) অহুদি ঐগী অংশা মশাগী নাম খংনা কর্ম্মশি অহুবু মীশক অমমমদ থেংনিন্দুনা ভগবান শ্রীবাসুদেবনা মশামশু ওইহন্দুনা শান্নবত্তনি। প্রমাণ অমদ হায়রগা ইন্দ্র নত্তবা মচা। ইন্দ্র থোংনিন্দুনা মমাংনপান শান্নজবনি জগৎকী মমা মপা ওইরিবা ভগবান শ্রীবাসুদেবনা মহাক্কী শান্নদোং ওইনা মখানা শমজবা পোং থুংদা মমি অমমম থেংনন্দুনাঃ নবলীলা শান্নজবনি লৈনিবা ঐ হায় পুম্নমক অসি মহাক্কী শান্নপোংমক্তনি মহাক্না মীকপ অমগী মনুংদা থুদেকখিবা ওম্মু। (কালাচাঁদ)

* বৈজ্ঞানিক অমনা বাবেমখৈ শন্দুনা শারিবা, পেং অদু অহুগা পেং অহুগী মশক মখং অদু বৈজ্ঞানিক পুম্বগী বৈজ্ঞানিক, মহাবৈজ্ঞানিক ঈশ্বরনা মাভগনথগে থম্লবদি জগৎকা তাহব ম বৈজ্ঞানিক পুম্নমক্তা পুম্নপা হাংনজুনস্তু খিবা ওমহৌরাই মীকপুং মাংথগদবা চুমথাঙ থানবগী মঙং অদু বৈজ্ঞানিক লিশিং অমনা ফাত্তুনা থমহৌবা ওম্মোই। (কালাচাঁদ)

অহং হি জীব সংজ্ঞাতো ময়ি জীবঃ সমাহিতঃ। নৈবংতে বুদ্ধিরত্রাভূংদৃষ্টো জীবঃ ময়েতি বৈ ॥৪৭॥
অহং সর্বত্রগো ব্রহ্মন্ ভূতগ্রামান্তরাত্মকঃ। ভূতগ্রাম শরীরেষু নশ্যৎস্থ ন নশ্যাম্যহম্ ॥৪৮॥
সিদ্ধা হি তে মহাভাগা নরা হোকান্তিনোঽভবন্। তমোরজোভ্যাং নির্মুক্তাঃ প্রবেক্ষ্যন্তি চ মাং পুনঃ॥৪৯
হিরণ্য গর্ভো লোকাদিশ্চতুর্বক্ত্রো নিরুক্তগঃ। ব্রহ্মা সনাতনো দেবো মম বহ্বর্থচিন্তকঃ ॥৫০॥
ললাটাচ্চৈব মে রুদ্রো দেবঃ ক্রোধাৎ বিনিঃসৃতঃ। পশ্যৈকাদশ মে রুদ্রান দক্ষিণং পার্শ্বমাস্থিতান্ ॥৫১॥
দ্বাদশৈব তথাঽদিত্যান্ বামপার্শ্বসমাস্থিতান্। অগ্রতশ্চৈব মে পশ্য বসূনষ্টৌ সুরোত্তমান্ ॥৫২॥
নাসত্যং চৈবদস্রং চ ভিষজৌ পশ্য পৃষ্ঠতঃ। সর্বান্ প্রজাপতীন্ পশ্য পশ্যসপ্তঋষীংস্তদা ॥৫৩॥
বেদান্ যজ্ঞাংশ্চশতশঃ পশ্যামৃতথৌষধীঃ। তপাংসি নিয়মাংশ্চৈব যমানপি পৃথক্ বিধান্ ॥৫৪॥
তথাষ্টগুণ মৈশ্বর্যমেকস্থং পশ্য মূর্তিমৎ। শ্রিয়ং লক্ষ্মীং চ কীর্তিং পৃথিবীং চ ককুদ্মিনীম্ ॥৫৫॥
বেদানাং মাতরং পশ্য মৎস্থাং দেবীং সরস্বতীম্। ধ্রুবং চ জ্যোতিষাং শ্রেষ্ঠং পশ্য নারদখেচরম্ ॥৫৬॥

(ঐগী মহুংদা) লৈজবনি। ঐগী মহুংদা লৈবদনা জীব (জীবাত্মা) বু উরে খঙ্গে হায়বশিমগ নহাক্ থক্ হায়গনু, খনগনু ॥৪৬-৪৭॥ ব্রাহ্মণ! নারদ! ঐ অমত্তসিন মকম শীন্থুনা লৈরিবনি। অতুনা অচচন্ত পুম্নমক্কী অন্তরাত্মাদি ঐহাক্নি। মপানগী লৈপাক্ ঈশিং মৈনচিংবা পঞ্চভূতকী মপৈ অসিনা মাঙথরবস্তু, ঐ অসিত্তদি মাঙবা মরৈত্রবনি ॥৪৮॥ শ্বেতদ্বীপ অসিদা লৈরিবা মরায়বক করবা, পুকচেল্ল চাউরবশিংসে ঐগী ঐকান্তিক ভক্তমক্কনি। মখোয়সে ঐঙোন্দা চঙশিনথ্রগদবা ভাক্কনি ॥৪৯॥ জগৎ পুম্নমক্কী ঈহান হানবা, ময়ায় মরি পানবা চতুর্মুখ, মতৌক মগুণবু পাক খনবা ৱারবা হিরণ্যগর্ভ সনাতন ওইবা ব্রহ্মা অসি ঐগী থবক, ঐগী শক্তিবু য়াম্না কূপ্ন খঙগা, দেবতা অমনি ॥৫০॥

ঐগী শাওবদগী লাইবক্কী রুদ্রদেব পোকখি (থোকখি)। য়েংঙু ঐগী য়েৎলোমদা একাদশ রুদ্র (রুদ্র তরাপাথোই) লৈরিবসে ॥৫১॥ মতৌ অমুম্না ঐগী ওয়ৈরোমদা আদিত্য তরানিথোই লৈরি। ঐগী মাঙদা বসুদেবতা নিপাল লৈরিবাসি মুম্না য়েংঙু ॥৫২॥ নারদ! নহাক ঐগী তুংলোমদসু য়েংঙু নাসাত্য, দস্র অহুগা দেবতাশিংগী বৈদ্য (মাইবা) অশ্বিনীকুমার অনী লৈরি। মখোয়সি নত্তবা, ঐগী হক্চাং কাযাৎ থুদিংমক্তা প্রজাপতিশিং, মহর্ষিশিং, বেদশিংনা, যজ্ঞ চাম চামনা মূর্তি নাইনা লৈরিবশিং-সিবু অহুগা হীদাক লাংকক্শিংসিবু অহুগা অমৃত হৈশ মপৈশিংবু য়েংঙু। তপ-তপস্থানচিংবা অহুগা যমনিয়ম আসন, প্রাণায়ামনচিংবা অউবা উত্তনা পুম্নমক অসিনা মূর্তি নাইন নাইনা চোংথোরক্কনা লৈরিবসি ঐগী তুংলোমদা অতুক য়েংঙু ॥৫৩-৫৪॥ ঐশ্বর্য্য (ঈশ্বরগী শক্তি) মখল নিপান্ন মশক নাইনা চোংথোক্কুগী ঐগী অংকায়বদা লৈরিবসে য়েংঙু। শ্রী, লক্ষ্মী কীর্তি, চাউমান তুবেলশিংগা লোয়ননা লৈবিকী পৃথিবী মপুম অসিসু অহুগা ঐগী হকচাংমুংদ লৈরিবী বেদমাতা সরস্বতী অসিসু লৈরি। নক্ষত্র পুম্নমক্কী অথোইবা

অম্ভোধবান্ সমুদ্রাংশ্চ সরাংসি সরিতস্তথা। মূর্ত্তিমন্তঃ পিতৃগনাংশ্চতুরঃ পশ্যসত্তম ॥৫৭॥
ত্রীংশ্চৈবমান্ গুণান্ পশ্য মৎস্থ ন্ মূর্ত্তিবিবর্জিতান্। দেবকার্যাদপি মুনে পিতৃকার্যাং বিশিষ্যতে ॥৫৮॥
দেবানাং চ পিতৃণাং চ পিতা হ্যেকোঽহমাদিতঃ। অহং হয়শিরা ভূত্বা সমুদ্রে পশ্চিমোত্তরে ॥৫৯॥
পিবামি সুহুতং হব্যং কব্যংচ শ্রদ্ধয়ান্বিতম্। ময়া সৃষ্টঃ পুরা ব্রহ্মামাং যজ্ঞমযজৎ স্বয়ম্ ॥৬০॥

আকাশদ লৈরিবা (আকাশচারী) ধ্রুব অসিবুসু য়েংঙু, * ॥৫৫-৫৬॥ সাধু মহাত্মাশিংগী মমুংদা অথোইবা সমুদ্র, পুখ্রী তুরেল পুন্নমক অসিনা মাগী মাগী মূর্ত্তি অমমম্ পুহনা লৈরিবসে, অসিসু ঐগী হকচাংমুংদ য়েংঙু, পিতৃলোক মখল মরিসু নংনা ঐগী হকচাংমুংদা উবা ফংজো ॥৫৭॥ মূর্ত্তি য়াওদবা সত্ত্ব রজ, তম গুণ অসিনা সাকার ওইনা, মশক্ মওং অমমম পুহনা লৈরিবসিসু য়েংঙু। মুনি! দেবকর্ম্মা (দেবকর্ম) দগীসু পিতৃকর্ম্মনা য়াম্না হেন্বনি ॥৫৮॥ মুনি! ঐনা ঈশা ইথন্তনা দেবলোক পিতৃলোক অনীমক্কী পিতানি, খঙঙু। বিষ্ণু ঐনা হয়গ্রীবগী মূর্ত্তি পুহুদা, সমুদ্রসিগী নোংচুপকা-অরাংগা অনীগী তিন্নরকম বায়ুকোনদা লৈরিবনি। বিধি কায়দনা মফম্ পুন্নমক্কুগী তৌরকপা যাগযজ্ঞ পুন্নমক্কী অমুগা ভক্তি শ্রদ্ধাগা লোয়ননা তৌরকপা যজ্ঞ পূজা, হোম-জপ পুন্নমক্কী হবিষ অমুবু ঐনা ভোগ তৌই, চায়। ॥৫৯॥ মমাঙতৈদা ঐনা ঐগী হকচাংমুংদগী পুথোক্খিবা ব্রহ্মামক্না যজ্ঞপুরুষ ওইবা ঐগী যজ্ঞ তৌখি। ঐনা মাহুদা পেনখিত্রনা মতোন্দা সৃষ্টি শক্তিনচিংববু বরদান ওইনা পীথোকখি ॥৬০॥

---

* বিষ্ণু ভগবানগী দেহমুংদা মশক্ উব য়াবা, মশক্ উব য়ারোইদোবা পোৎ পুন্নমক লৈরিবনি। বৈজ্ঞানিকশিংনা শেম্মি শারিবা অসি, মশানা মশক্ উবা য়াবা অমুগা শেম্বা য়াবা পোৎমক্কুনি। মশক্ উবা পোৎ শারিবসি মশক্ উবা য়াব মচাক্ ভাক্তন্য শাবনা য়ারিবনি। হায়রিবা মচাক্শিং অসিগী মমুংদা মশক উবা য়াদবা মচাক অমুদি পোৎ মপুম্ অমু শাবা লোইরবসু পোৎ অমুগী মমুংদা, মশক্ উদনা অমুম মরৈ। আকাশ, মুংশিং, মৈ, ঈশিং, লৈপাক মওাসিগী মমুংদা আকাশগা মুংশিংকা অনী অসি মশক্ উদে। উত্রবসু মথোদি অমুম মতৌই। বিজ্ঞান য়াম্না হৈবা তাইবং মী বৈজ্ঞানিকশিংবু শেম্বিরিবা ভগবান সৃষ্টিকর্ত্তানা বিজ্ঞানবুসু, বৈজ্ঞানিকবুসু অমুগা মৈ ঈশিংনচিংবা মচাক্শিংবুসু শেম্খি। অরাবা, মুংতাইবা, অশাউবা, নাপল অসিনচিংবা অসিবু তাইবং মী বৈজ্ঞানিকশিংনা অউবা মূর্ত্তি পুহনবা ঙমদে। ভগবান সৃষ্টিকর্ত্তা মহাবৈজ্ঞানিক ঈশ্বর মহাক্তমা মশক্ উবা য়াদবশিংসবু মূর্ত্তি পুহন্নি, মশক নাইনা চোংথোকহন্নি। অমুগা বিষ্ণুনা মাগী বিগ্রহ (মূর্ত্তি) মমুংদা বিদ্যা, সম্পত্তি, ভক্তি, মূর্ত্তি লজ্জা, জয় অসিনচিংবশিংবু মশক্ মওং পুহন্দুনা নারদগী মমীত্তা উহনখি। পূন্নমক মাগী মমুংদা থম্মুনা চঙহনা লৈবদগী বিষ্ণু কৌবনি। (কালাচাঁদ)

পোৎ অমনা সাকার ওইত্রিমখৈ নিরাকার ওইনা লৈরিবনি। মশক্ মওং নাইবা নাইদবা অনীমক্কী ধর্মবু হায়বদি সাকারত্ব নিরাকারত্ব ধর্ম অনীমকপু বিষ্ণু ভগবাননা মাগী দেহমুংদা পুই। হায়বদি অনীমক্

ততস্তস্মিন্ বরান্ প্রীতো দত্তবানস্মান্নুত্তমান্ । মৎপুত্রত্বং চ কল্পাদৌ লোকাধ্যক্ষত্বমেব চ ॥৬১॥
অহংকারকৃতং চৈব নামপর্য্যায় বাচকম্ । ত্বয়া কৃতা. চ মর্য্যাদাং নাতিক্রং স্যাতিকশ্চন ॥৬২॥
ত্বংচৈব বরদোব্রহ্মন্ বরেপ্সূনাং ভবিষ্যতি । সুরাসুরগণানাং চ ঋষীণাং চ তপোধন ॥৬৩॥
পিতৃণাং মহাভাগ সততংসংশিত্রত । বিবিধানাং চ ভূতানাং ত্বমুপাস্ত ভবিষ্যাস ॥৬৪॥
প্রাদুর্ভাবিগতশ্চাহং সুরকার্য্যেষু নিত্যদা । অনুশাস্যস্ত্বয়া ব্রহ্মন্ নিযোজ্যশ্চ সুতো যথা ॥৬৫॥

পীখিবা বর অদু অসিনি—"ব্রহ্মান ! নহাক কল্প খুদিংগী তোরকপদা (হৌরমদাইদা) এগী মচা ওইনা হেক্ হেক্ পোকপা ওইয়ু । নহাক লোক পুম্নমক্কী অধ্যক্ষ (লোকাধ্যক্ষ) ওইবা ফঙু । নহাক্কী অতোপ্পা মিং অমনা 'অহংকারকর্ত্ত" * হায়রিবসিনা ওইসনু । নহাক্না হৌদোক্লম্বা নিয়ম-বিধিগী মর্য্যাদা অদু কনা অমতনা থুগাইবা থুগাইহনবা ঙম্মোই (য়ারোই) ॥৬১ ৬২॥

অদুনা ব্রহ্মান ! (হে ব্রহ্মা !) মচানা মপামক ওইবদুগুম্ব অদুগা এনা নঙোন্দা বর পীব ঙম্মসিগুম্বা নহাকসু অমনা হেক্ নিররিবা বর মখৈ খুজে পীব ঙম্বা ওইয়ু কল্লবা ব্রত ... তৌগনবা পুকচেল চাউরবা ব্রহ্মা । এনা দেবতাশিং, লাই লিংচাবা ঋষি মুনিশিংগী অদুগ ... ফমদা পূজা তৌননীঙায় ওইনা লৈরিবসিগুম্বা, নহাকসু হায়রিবশিংসিগী মফমদ পূজা তৌননীঙায় ওইদুনা লৈয়ু ॥৬৩-৬৪॥ এনা দেবতাশিংগী কাম্নবগীদমক্তা অবতার লৌনদুনা লৈবিদৈ মতম্ অদুনা নহাক্না এ ... শাসন তৌবা ঙম্মু ... মচানা মশাদ তৌবগুম্বা নহাক্না এবু শীজিন্নবা থক্ খুদদ শীজিন্না

মফম অমতদা থুবাক থুনমগুম পুদুনা লৈ । লৈপ কৃকী কার মওনো, কাব মুদিংনা হাংনা ... অরেপ্পা মওং লৈতে হায়না খুম্বা নত্তনা করিমতা তৌফম লৈতে, শুম্ফম লৈতে চফু (ঘট) ওইনা হেক লৈহনবদা, উরিবা মওং অদু লৈপাক্ লৈভুংদুগী মনুংদা হায় লৈবাম্মগন্না, লৈরম্মিবে।ইন্দ্রা হায়বসি চাউ-প্রবা রাকং অমনি । লৈরমত্রবাদি করম হাযনা লৈরকলি হায়বা রাহং অমসু লাকই । লৈরম্মি হায়রবসু মওং অদু কৈদৌনা উরমদে হাযবলিসু হংবা য়াই । সাকার নিরাকার হায়বসি ঈশ্বরগী মরমতদা য়েৎনগনবা নত্তে । লৈপাক্ লৈতুম মচেং অমদসু য়েংনবা তেক্ক ময়াই । উগুবা অহৈবনা উপাম্বী অমদগী, উকক্ অমদগী চৌকী কা-থোল কয়া কয়া শক্ নাইনা চাংথোকতল্লকলি । মখেয অসি হায় উ অদুগী মনুংদা মশক মওং উহন্দন লৈরম্ন উ শাব মিস্ত্রি শতুনা উহনবনি অতুবু ... অদুনা মাগী হক্চাংসুং অদুদগী ... থোরকপা পু থারকপা ঙমদে জগ ... মশক ওইরব কুম্ভ ... শারিবা ভগবান কুম্ভকার মহাক্কি মশা মশক্তুগী দহ্নুংগী বিশ্বজগৎ অসি পুথোরকই চুম্নগী ঙাহবং মী উ গুবা অদুদি চৌকীহুবু উতূপ (উপাস্থী) শতুদা অমুক মশক্ ... ঙমদে অদুনা মহাকপু সর্বশক্তিমাননি হায়বা য়াদে । উ অহুবুসু; উগুবা মী অহুবুসু, শারিবা সর্বশক্তিমান ওইবা অহুবুনি বিষ্ণু হায়রিব সি । (কালার্চাদ)

* "ব্রহ্মন্" শব্দগী রূপ অসি ব্যাকরণদা পুংলিঙ্গদনা ব্রহ্মা-ব্রহ্মাণৌ ব্রহ্মাণঃ, অসুম হায়না অদুগা

এতাংশ্চান্যাংশ্চ রুচিরান্ ব্রহ্মণেঽমিততেজসে। অহং দত্বা বরান্ প্রীতো নিবৃত্তিপরমোঽভবম্ ॥৬৬॥
নির্ব্বাণং সর্ব্বধর্ম্মাণাং নিবৃত্তিঃ পরমা স্মৃতা। তস্মান্নিবৃত্তিমাপন্নশ্চরেৎ সর্ব্বাঙ্গনিবৃত্তঃ ॥৬৭॥
বিদ্যাসহায়বন্তঞ্চ আদিত্যস্থং সমাহিতম্। কপিলং প্রাহুরাচার্য্যাঃ সাংখ্যা নিশ্চিততনিশ্চয়াঃ ॥৬৮॥
হিরণ্যগর্ভো ভগবানেষ চ্ছন্দসি সুষ্টুতঃ। সোঽহং যোগরতির্ব্রহ্মন্ যোগশাস্ত্রেষু শব্দিতঃ ॥৬৯॥
এষোঽহং ব্যক্তিমাগত্য তিষ্ঠামি দিবি শাশ্বতঃ। ততো যুগ শতসহস্রান্তে সংহরিষ্যে জগৎপুনঃ ॥৭০॥
কৃত্বাত্মস্থানি ভূতানি স্থাবরাণি চরাণি চ। একাকী বিদ্যয়াসার্দ্ধং বিহরিষ্যে জগৎপুনঃ ॥৭১॥

॥৬৫॥ নারদ। ঐনা মতৌ অসুম্ব ব্রহ্মাদা বংশিং অসি পীরম্নগা, থবক্ পুম্নমক ব্রহ্মাদা শিন্নরম্নগা ঐ তুমিন্ন পেংখাকুনা লৈবিবসিনি। থবকুগী পোখাবা নিবৃত্তিমার্গ হাববসি ঐঙোন্দগী থোকখিবনি, ঐনা কৌদোক-খিবনি। ॥৬৮॥ নারদ। ঐনা মতৌ অসুম্ন ব্রহ্মাদা বর অসি পীরম্নগা, থবক্ পুম্নমক ব্রহ্মাদা শিন্নরম্নগা ঐ [illegible] নিবৃত্তিমার্গ [illegible] ঐঙো[illegible]গী [illegible] ॥৬৮॥ [illegible] পুম্নমকুগী [illegible] অতুনা ইচুম চুনবা নিবৃত্তিমার্গদা চ[illegible] মহাক্ অতুদি কবিতম্ব তঙ্গ ঙমগী থবক্তগীসু তুমিন্ন নিবৃত্ত ওইনা খুংঙাকনা লৈগদবনি ॥৬৭॥

সাংখ্য শাস্ত্রগী তত্ত্ব মুন্ন থঙলবা আচার্য্যশিংনা নারায়ণ ঐবু বিদ্যাগী পাইবা, সূর্য্যমণ্ডলদা লৈবা কাপিলনি। হায়নৈ ॥৬৮॥ বেদদা মাগীদমক্ স্তুতি তৌনরবা হিরণ্যগর্ভ ঐগী [illegible]নি। ব্রাহ্মণ! যোগীশিংনা মাগী ধ্যানদা [illegible] অতুগা যোগশাস্ত্রনা নিঙ্গ তৌদুনা লেপপ্রবা বিশেষ ওইবা ঈশ্বর অতুনা ঐনা [illegible] অমা [illegible] ॥৬৯॥ ঐস [illegible]কমক্ সনাতন ওইবা [illegible] ব্যক্তরূপ (অকোঙবা মশক্) পুখোকুনা লৈবা অম ওইনা আক[illegible] লৈরি। যুগ লিশিং অমা মপূ [illegible] কারবা তুংদ ঐনা বিশ্ব-ব্রহ্মাণ্ড অসিবু সংহার তৌগনি, [illegible]শিনগনি, লোইশিনগনি।

মতম অতুদা জগৎ (বিশ্বব্রহ্মাণ্ড) পুম্নমক ঐন ঈশাদা লোইনা চিংশিন্নুনা [illegible] ঐ ঈশা, ইশান্ত তায়হোক্নুনা, ইশাও শাঙলবা মকম মতম্ অতুদ ঐগী সন হগী বিদ্যাগী শক্তিগা [illegible] শারুনা লৈগনি ॥৭॥

নপুংসকলিঙ্গদনা ব্রহ্ম ব্রহ্মণী ব্রহ্মাণি অসুম তাই ঐনা শান্ম, ঐনা শাই অসিনাচবা হায়ারবা অহংকারগী কর্ত্তাদি ব্রহ্ম (পরমত্মা) মামক নত্তে পরমাত্মাহুদগী পোক্লকপা "ব্রহ্মা" হাক্লি। ঐনা জগৎ শেম্ম হায়বা অহংকার অসি ব্রহ্মামশাদা লৈজবনি, মাগী পোক্লকম ব্রহ্মদা লৈবা নত্তে। অতুনা অহংকারগী কর্ত্তা ওইবা ব্রহ্মাদো ব্রহ্ম মহাকী খুইদগী ঈহান হানবা 'অহংকার' (অহংকার) শেম্বা) মচানি। সাকারব্রহ্মস্বরূপ বিষ্ণু ভগবানগী মচা ব্রহ্মাগী ঈহান হানবা মিংদি "অহংকারকর্ত্তা" কৌই হায়বনি। হকচাংদা ঈহান হান্না হক চঙলকপদি গোক্লিক্লি 'অহং' (ঐ) হায়ত্রিবা, তুংদা হায়রকপা আত্মাসিনা মহাক্লে। অতুনা অহংকারগী কর্ত্তাদি জীবত্মা মাশামক্লি। অতুনা পুরাণদা অকোংবা লীলাদা বিষ্ণুগী হকচাংদগী ব্রহ্মা পোক-খিবা ওইনা লীনরিষাসনি।

(কালাচাঁদ)

ততোভূয়ো জগৎ সর্বং করিষ্যামীহ বিদ্যয়া। অস্মিন্ মূর্ত্তিশ্চতুর্থী যা সাসৃজচ্ছেষমব্যয়ম্ ॥৭২॥
সহি সংকর্ষণঃ প্রোক্তঃ প্রদ্যুম্নং সোহপ্যজীজনৎ। প্রদ্যুম্নাদনিরুদ্ধোহং সর্গো মম পুনঃ পুনঃ ॥৭৩॥
অনিরুদ্ধাৎ তথা ব্রহ্মা তন্নাভিকমলোদ্ভবঃ। ব্রহ্মণঃ সর্বভূতানি চরানি স্থাবরাণি চ ॥৭৪॥
এতাং সৃষ্টিং বিজানীহি কল্পাদিষু পুনঃ পুনঃ। যথা সূর্য্যস্য গগনাদুদয়াস্তমনে ইহ ॥৭৫॥
নষ্টৌ পুনর্বলাৎ কাল আনয়ত্যমিতদ্যুতিঃ। তথা বলাদহং পৃথ্বীং সর্বভূত হিতায় বৈ ॥৭৬॥

ভীষ্ম উবাচ

নারদস্তথ প্রপচ্ছ ভগবন্তং জনার্দনম্। কেষু কেষু চ ভাবেষু ত্বং দ্রষ্টব্যো মহাপ্রভো।

সৃষ্টিগী মতমনা অমুক ওইরক্লবদা ঐনা ঐগী বিদ্যাগী শক্তিনা সংসারগী অচ্চেত্ত জীব পানবা পুম্নমকপু অমুক হন্ন শেম্গনি, সৃষ্টি তৌগনি। ঐগী মূর্ত্তি মরিগী মনুংদা ঈকোন কোনবা মূর্ত্তিনা বাসুদেব মূর্ত্তিনি। বাসুদেবগী মূর্ত্তি পুবা মহাক্না অমাঙ অতা লৈত্রবা অনন্তশেষবু পুথোকখি (পোকহনখি) ॥৭২॥ শেষ অদো সংকর্ষণ হায়নসু কৌবনি। সংকর্ষণনা প্রদ্যুম্নবু, পোকহনখিবনি। প্রদ্যুম্নদগী অনিরুদ্ধগী আবির্ভাব ওইখিবনি। হায়রিবা পুম্নমকসে ঐগী ঐনক্তান। হন্ন হন্না ওইগদৌরিবা, পোকদৌরিবা সৃষ্টিগী বিস্তার অসিমক ঐগীমক্তনি ॥৭৩॥ ঐগী অনিরুদ্ধ ওইবা মূর্ত্তিদগী ব্রহ্মাগী উৎপত্তি (পোকপা) ওই। পোকপদি ঐগী নাভিপদ্ম (থোইদোং-থম্বাল) দগী ওইখি। অদুগুম্বা ব্রহ্মানা ঐগী য়াথংদগী অচচত্ত পুম্নমক অসি শেমখিবনি। অদুগুম্বা ব্রহ্মানা ঐগী য়াথংদগী অচচত্ত পুম্নমক অসি শেমখিবনি ॥৭৪॥ কল্প অমমমগী অহৌবদা ঐনা হান্ন হান্নগী সৃষ্টি অদুবু পুথোরক্তুনা অমুমুক উৎলি। কল্প অমমম্না লোইরকপদা সৃষ্টি অদু ঐনা অমুক লৌশিল্লি-থোমাজল্লি। মাদুবু সংহার কৌবতনি। ঐনা হায়রিব য়াশিং অসি নহাক মুন্না মুন্ন থঙজিন্দুনা থম্মু। সুমিং থোক্লিবসে আকাশদনি, তাগ্রিবা—মশক উথিদ্রিবসি [আকাশদনি। অদুনা সুমিংকী থোকপ তাব অনীমক্কী মকমদি ঈরেং লেঙ্দবনি— হোংদবনি। থোরকপা— তাখিবা অনীমক অনাদিকালদগী অসুম কায়দনা লাক্লিবনি। মতৌ অসুমনা আকাশগী মশক্ ওইরবা ঐঙোন্দা (ঐগী মনুংদ) জগৎকী উৎপত্তি (পোকপা) অদুগা লয় (থুপখিবা) অনিমক অনাদি কালদগী অসুম কায়দনা লাক্লিবনি। সৃষ্টি—সংহার অনীমক্কী ক্রম অসে ঈকায় কায়না অসুম তৌদুনা লাক্লি ॥৭৫॥ চাংদমনীঙাম্ন লৈত্রবা শক্তিবু পুরিবা কাল (মতম) হায়বদুনা সুমিং অমুক উহনবা, অমুক উহন্দবা অদুগুম্না, হায়রবদি, উরমদবদগী অমুক উহল্লকপদুগুম্না; জগৎকী উপকারগীদমক ঈমুংবুংদা মশক্ উহন্দনা লুপ্তনা লৈবী পৃথিবীবু ঐনা অমুক সমুদ্র ঈমুংদগী পুথংলকই ॥৭৬॥

ভীষ্মনা হায়ঃ— যুধিষ্ঠির। বিষ্ণু ভগবান নারায়ণনা অসুম্না তাক্পিরবা তুংদা নারদনা অমুক হাংজি— মহাপ্রভু। করম করম্ব মওং মূর্ত্তিদা নহাক্কী সেবা, পূজা অমদি দর্শননচিংবা তৌগদগে?॥
ভগবান নারায়ননা হায়— মহামুনি, নারদ। নহাক ঐগী অবতারশিংগী মরু ওইবা মিংশিং অদু তারো;

শ্রীভগবানুবাচ

শৃণু নারদ তত্ত্বেন প্রাদুর্ভাবান্ মহামুনে। যৎসাঃ কূর্মোবরাহশ্চ নরসিংহশ্চ বামনঃ ॥
রামো রামশ্চ কৃষ্ণঃ কল্কি চ তেদশ। পূর্বং মীনো ভবিষ্যামি স্থাপয়িষ্যে ত্বহংপ্রজা ॥
লোকোন্ বেদান্ ধরিষ্যামি মজ্জমানান্মহার্ণবে। দ্বিতীয়ং কূমরূপং মে হেমকূটনিভং স্মৃত ॥
মন্দরং ধারয়িষ্যামি অমৃতার্থে দ্বিজোত্তম। মগ্নং মহার্ণবে ঘোরে ভারাক্রান্তা মিমং পুনঃ ॥ '
সৈন্তৈবাক্রান্তসর্বাঙ্গাং নষ্টাং সাগরমেখলাম্। আনয়িষ্যামি স্বস্থানং বাহারংরূপমাস্থিতঃ ॥৭৭॥
হিরণ্যাক্ষং বধিষ্যামি দৈত্যেয়ং বলগর্বিতম্। নারাসিংহংবপুঃ কৃত্বা হবিণ্যকশিপুং পুনঃ ॥৭৮॥
সুরকার্যে হনিষামি যজ্ঞঘ্নং দিতিনন্দনম। বিরোচনস্য বলবান্ বলিঃ পুত্রো মহাসুরঃ ॥৭৯॥
অবধ্যঃসর্বলোকনাং সহদেবা সুররক্ষষাম্ ভবিষ্যতি স শক্রংবা স্বরাজ্যাচ্চ্যাবয়িষ্যতি ॥৮০॥
ত্রৈলোক্যেঽপহৃতে তেন বিমুখে চ শচীপতৌ। আদিত্যাং দ্বাদশাদিত্য. সম্ভাবষাকশ্যপাৎ ॥৮ ॥

মৎস্য. কূর্ম, বরাহ, নরসিংহ, বামন, পরশুরাম, শ্রীরাম বলরাম, শ্রীকৃষ্ণ অমুগা কল্ক—তর অসিনি। ঈহান হানবদা ঐনা ভাগী মূর্তি লৌহনা প্রজা পুম্নমকপু, হায়বদি, অচচন্ত জীবপানব পুম্নমকপু, অকি অথং লৈভবা অবস্থাদা থমগনি। মহা সমুদ্রদ লৈবা বেদবু অমুগা পৃথিবীবু পুখোরকুনা ভাকশেন্দুনা থম্জগনি ॥ লক্ষণ! ঐগী অনীশুবা অবতারনা কূর্ম (কচ্ছপ) গী মূর্তিনি। হায়বদি থেঙ্গী মূর্তি লৌগনি। লাই—হিংচাব পুম্নমক্না সমুদ্রবু নৈরকপা মতমদা ঐনা থেঙ্গী মশক্ লৌহনা মন্দরাচল (মন্দরপর্বত) কৌবা চীঙবু ঈনংগন্দা পুগনি ॥ অচচন্ত জীবপানব কয়ান থল্লবা, ঈশিং (সমুদ্র) না পুম্নকোয় কোয়রবা, পৃথিবীসু যাম্ন লুম্থরকুনা সমুদ্রগী ঈসুংদ লুপথখিগনি। মতম্ অমুদা ঐনা বরাহমূর্তি (ওকী মশক) লৌহনা পৃথিবীহবু ঈসুদগী থাংগৎলকনি— পুথোরকনি। মতম্ অমুদা মতীক মপাঙ্গল নাপল তৌরবা হিরণ্যাক্ষ কৌবা দৈত্যবু ঐনা হাৎকনি।। অমুগী দেবতশিং নীংজবা থুংনবগীদমক্তা, নরসিংহগী মূর্তি লৌহনা হিরণ্যকশিপু কৌবা দৈত্যবু হাৎকনি ॥ বিরোচনগী মচা, যাম্ন কল্লবা বলি হায়বা অম লোকনি। মহাক্না লাই হিংচাবা পুম্নমকপু নৈহৎকনি, ভমগনি। মহাক্না ইন্দ্রমকপু ভমহনা স্বর্গরাজ্যবু মুনহনা লৌগনি ॥৭৯-৮০॥

মহাক্না মরোল অমুবু নৈহনা লাইয়াম্বু অরাবদা তাংলক্লবা মতমদা ইন্দ্র অসি মাবু কিমম্প্রহনা লালকম্দগী মনীং হল্লুনা চেনগনি। মতম অমুদা ঐহাক্না কশ্যপকী অংশ অমা ওইনা অদিতিগী গর্ভদগী ভরানিথোই শুবা অদিত্য ওইনা বামন ওইনা অবতার তৌগনি ॥৮১॥ বাহ্মণ! নারদ অমুদা ঐগী বামন রূপপু উবদা, উব পুম্নমক্না ঐগী স্তুতি তৌগনি। ঐনা বলিগী যজ্ঞ মণ্ডপ মমুদা চংখিহনা, মহাক্না তৌরিবা অমুবু হয় হয়া থাগৎকনি। মাহুদা মহাকসু যাম্ন হরাওজগনি- পেজগনি। মতম অমুদা বলিনা ঐগোন্দা "ব্রহ্মচারী! করি পাম্বি, করি কচ্চো হায়বগে?" অসুম্না হংলকনি। অমু তাবদা মগোন্দা .... "খোঙকম অহমতগী থাকম পীয়ু" হায়গনি ॥ মাহুদা তাবদা মাগী মন্ত্রীশানা পীকল্ল হায়না

জটাগত্বা যজ্ঞসদঃ স্তুয়মানো দ্বিজোত্তম। যজ্ঞস্তবং করিষ্যামি শ্রুত্বা প্রীতো ভবেৎ বলিঃ॥
কিমিচ্ছসি বটো! ক্রীতুং কে যাচে মহতং বরম্। দীয়তাং ত্রিপদীমাত্রমিতি যাচে মহাসুরম্॥
স দত্ত্বা ময়ি সম্প্রীতঃ প্রতিষিদ্ধশ্চ মন্ত্রিভিঃ। ধারাজলং হস্তগতং ত্রিভির্বিক্রমনৈর্বর্তম॥
ততো রাজ্যং প্রদাস্যামি শক্রায়ামিততেজসে। দেবতাঃ স্থাপয়িষ্যামি স্বস্থানে নেষনারব ॥৮২॥
বলিঞ্চৈব করিষ্যামি পাতালতলবাসিনম্। দানবং চ বলিং শ্রেষ্ঠং অবধ্যং সর্বদৈবতৈঃ ॥৮৩॥
ত্রেতাযুগে ভবিষ্যামি রামো ভৃগুকুলোদ্বহঃ। ক্ষত্রংচোৎসাদয়িষ্যামি সমৃদ্ধবলবাহনম্ ॥৮৪॥
সংধ্যাংশে সমনুপ্রাপ্তে ত্রেতায়াদ্বাপরস্য চ অহংদাশরথী রামো ভবিষ্যামি জগৎপতিঃ ॥৮৫॥
ত্রিতোপঘাতাৎ বৈরূপ্যামেকতোঽথদ্বিতস্তথা। প্রাপ্স্যতে বানরত্বং তি প্রজাপতিসুতা'বৃষ ॥৮৬॥
তয়োর্যে ত্বন্বয়ে জাতা ভবিষ্যন্তি বনৌকসঃ। মহাবলাঃ মহাবীর্যাঃ শক্রতুল্যপরাক্রমাঃ ॥৮৭॥
তে সহায়া ভবিষ্যন্তি সুরকার্যে মম দ্বিজ ... [illegible] ...সম্॥
হত্বা রাবণং ... [illegible] ... ॥৮৮॥

থামগান। মাবু থাগংপত্তুনা ঙর'গুমনগ্রানা বলিনা দী মন্ত্রীশিংনা থাক্তু য়াদত্তুনা ঐনা লিব বয় অহু মহাক্কা ঐঙোন্দা পীখোবরু ... মহাক্ক খেঙগম অহুমগী অম অহু দান তৌবগে হায়তুনা সংকল্প তৌতুনা সংকল্পগী ঈশিং অহুদা ঐগী খুনক্ত ... খোঙ অহুম পুথাক্তনা স্বর্গ মর্ত্ত, পাতালবু ঐগী খাওথাক অহুম অথনা পু কৃপ কুপ্তনলিত্তুনা স্বর্গগী রাজাবু ঐন ইন্দ্রদা পীখোকখনি অসুম তৌতুনা নারদ! কলিনা ... কথিবা লাইয়ামশিং ... মাগী মাগী হায়গী ... শিং লত্তু পীবিগনি ॥৮২॥ অহুদগী ঐনা বলি মহাকাসু দৈত্যম্ পাতালদা পীগনি মহাক্ক অমনা পাকু ঙমকদ্রবা দৈত্যনি। অহুনা ঐনা মহাকপু পাতালদা নমথত্তুনা থমগদৌরিবনি ॥৮৩॥ তুদা ত্রেতাযুগতা ভৃগু শাগেগী লৈতে. ওইবা পরশুরামগী মশক লৌতুনা শাথোনগ'ন। ক্ষত্রিয়াশিংবু মখোয়গী শগোল শায়ু খোঙমী লান্মীশিংগা লোয়ননা তুম্ন হাংকনি ॥৮৪॥

অহুগী তুদা ত্রেতাদ্বাপর অনীগী লোয়নবা মতম অহুরাইদা, জগৎ পুম্বগী ফিদমকম দশরথকী মচা রাম ওইনা অবতার তৌগনি ॥৮৫॥ ত্রিত কৌবা মুনিগী মফমদা বিশ্বাসঘাত তৌরবদগী প্রজাপতিগী মচা একত দ্বিত কৌবা ঋষি অনী অহু মশক থীরবা য়োংগী য়োনিদা (জাতিদা) চঃহুনা য়োং ওইনা পোকনি ॥৮৬॥ অনী অসিগী বংশদা পোকপা য়োং মখৈ মপাঙ্গল কল্লবা ভাক্ত ওইগনি। মপাঙ্গল মথৌবাদা ইন্দ্রমক্কা অদ্ধা ওইগনি ॥৮৭॥ লাইয়ামগী নীংবা থুংনবগীদমক্তা ঐনা থবক তৌরকপা মতমদা অকনবা মখোয় অহুনা ঐগী ইতে. পাংগনি। অহুদগী ঐনা পুলস্ত্য শাগেগী মৈতাল অশিবা, অকিবগী মশক ওইরবা, হিংচাবা লংথৌ রাবণবু মাগী শাগেবাতে মচা মশুশিংগা লোয়ননা তুম্ন হাংকনি ॥৮৮॥ অহুদগী দ্বাপরকলি অনী লাংদাইদা ঐনা কংসবু হাংনবগীদমক্তা মথুরাদা অবতার তৌগনি ॥৮৯॥ মতম

প্রাদুর্ভাবং কংসহেতোর্মধুরায়াং ভবিষ্যতি। কংসং কেশিনং তথা কালমরিষ্টং চমহাসুরম্।
চাণূরং চ মহাবীর্য্যং মুষ্টিকংচ মহাবলম্। প্রলম্বং ধেনুকং চৈব ঘাতয়িষ্যামি দানবম্ ॥
কালীয়ং চ বশে কৃত্বা যমুনায়াং মহাহ্রদে। গোকুলেতু ততঃ পশ্চাৎ গবার্থে তুহনাগিরিম্ ॥
সপ্তরাত্রিং ধরিষ্যামি বর্ষমাণে তু বাসবে। অন্তঃক্রান্তে ততোবর্ষে গিরির্মূধনাবস্থিতঃ ॥
ইন্দ্রেণসহ সংবাদং করিষ্যামি তদা দ্বিজ ॥ ততোহহং দানবান্ হত্বা সুবহূন্ দেবকণ্টকান্ ॥৯০॥
কুশস্থলীং করিষ্যামি নিবেশং দ্বারকাং পুরীম্। বসানস্তত্র বৈ পুর্য্যামদিতেবিপ্রিয়ং করম্ ॥৯১॥
হনিষ্যে নরক ভৌমংসুর পীঠং চ দানবম্। প্রাগ্‌জ্যোতিষং পুরংরম্যং নানাধনসমন্বিতম্ ॥৯২॥
কুশস্থলীং নয়িষ্যামিহত্বা বৈ দানবোত্তমম্। কৃকলাসং নৃগং চৈব মোচয়িষ্যে চ বৈ পুনঃ ॥
তত্র পৌত্রনিমিত্তেন গত্বাবৈ শোণিতং পুরম্। বানস্য চ পুরং গত্বা করিষ্যে কদনং মহৎ ॥
মহেশ্বরমহাসেনৌ বাণপ্রিয়হিতৈষিনৌ ॥৯৩॥
পরাজয়িষ্যামালোকাক্তৌ দেবৌ লোকনমস্কৃতৌ। ততঃ সুতং বলে জিত্বা বাণং বাহুসহস্রিণম্ ॥৯৪॥
বিনাশয়িষ্যামি ততঃ সর্ব্বান সৌভনিবাসিনঃ। যঃকালযবনঃ খ্যাতো গর্গতেজোভিসংবৃতঃ ॥৯৫॥

অহদা কংস, কেশী বাকাসুর, মহাদৈত্য অরিষ্টাসুর, মপাংগল কল্লবা চানুর মা মঙ্গল লৈরবা মুষ্টিক, প্রলম্ব, ধেনকাসুর অহুগা শত্রুবগী ম ক লৌববা অরিষ্টবু হাৎতুনা যমুনাগী পাক নাইবা তারৈ কুণ্ড) দা লৈবা কালিয়নাগবু নৈংতুনা, গোকুলদা ইন্দ্রন নৈংবদকপা বর্ষাবু শিনদুনা অনবী শত্রু ও পুন্নমকপু কম্নবগী দমক্তা গোবর্দ্ধনবু মহি সুংথিল শ্রামৎ তরেৎনি চুপ্প হত্র খানংতুনা খুদোংনাইদ পুগানি বর্ষাহুনা থক্-প্রবা তুংদা ঐনা গোবর্দ্ধন চাংথক্ অহুদা ইন্দ্রগা রারী শাগনি ॥৯ ॥

ঐনা মফম অহুদা দেবতা পুম্নক্কী তেক্কবা তিংথ ওইগে দৈত্যদানব কয়া কয়া হাৎকনি। অহুদগী তুংদা কুশস্থলীবু দ্বারকার হায়না কৌব লম অম নৌনা শেমতুনা, মফম অহুদা ঐনা লৈগনি। মফম লৈতুনা কাইয়ামগী মমা অদিতিবু অয়াবা পীবা ভূমিগী মচা নরকাসুরবু অহুগা মুর—পীঠ কৌবা দান-শিংবু হাৎকনি নরকাসুরবু হাংলগা, লম্হয় থল্লবা প্রাগজ্যোতিষপুরদগী নরকাসুরগী সম্পত্তি পুম্নমক ঐনা দ্বারকাদ পুতনখিগনি ॥৯০-৯২॥ চুমগী মপোক্কা তাহুনা লৈববা নিংথৌ নৃগবু ঐনা উদ্ধার তৌ-গনি। লৌরিবা অবতারহুগী মহুংদা, ঐগী ঈশু অনিরুদ্ধগীদমক্তা ঐনা শোনিতপুর তাম চত্তুনা বাণাসুরবু অহুগা মাগী মীচঙ্ অসুর লাম্মী পুম্নমকপু লোইথোক্কনি। বাণাসুরগী অফবক তৌগে থল্লিব মহাদেব অহুগা স্বামী কাত্তিকেয়মকপু লান্দ মায়থীব পীগনি ॥৯০॥ অহুগী তুংদ মপান্দোম লিশিং অমা পানবা, বলি মচা বাণাসুরবু মায়থীবা পীতুনা শাল্বগী সৌভ বিমানদা লৈরিবা লাম্মী পুম্নমকপু তুম্ন হাৎকনি ॥৯০॥ ব্রাহ্মণ অথোইবা! গর্গাচার্য্যনা তেজদগী পোকখিবা কালযবন কৌবা অসুর অহুবুসু ঐনা লোই-থোক্পিগনি ॥৯৫॥

ভবিষ্যতি ধ্বস্তস্য মত্ত এব দ্বিজোত্তম। জরাসন্ধশ্চ বলবান্ সর্ব্বরাজবিরোধন ॥৯৬॥
ভবিষ্যত্যসুরঃ স্ফীতো ভূমিপাল গিরিব্রজে। মম বুদ্ধিপরিসম্পন্নাৎ ধ্বস্তস্য ভাবিষ্যতি ॥৯৭॥
শিশুপালং বধিষ্যামি যজ্ঞে ধর্মসুতস্যবৈ। সমাগতেষু বলিষু পৃথিব্যাং সর্বরাজসু ॥৯৮॥
বাসবিঃ সুসহায়োবৈ মমহ্যেকো ভবিষ্যতি যুধিষ্ঠিরংস্থাপরিষ্যে স্বরাজ্যেভ্রাতৃভিঃ সহ ॥৯৯॥
এবং লোকা বদিষ্যন্তি নরনারায়ণাবৃষী। উদ্যুক্তৌ দহতঃ ক্ষত্রং লোককার্যার্থমীশ্বরৌ ॥১০০॥
কৃত্বা ভারাবতরণং বসুধায় যথোপ্সিতম্। সর্বসত্বমুখ্যানাং দ্বারকায়াশ্চসত্তম ॥১০১॥
করিষ্যে প্রলয়ং ঘোরমাত্মজ্ঞাতিবিনাশনম্। কর্মান্যপরিমেয়ানি চতুর্মূর্ত্তিধরো হ্যহম্ ॥১০২॥
কৃত্বা লোকান্ গমিষ্যামি স্বানহংব্রহ্মসংকৃতান্। হংসঃ কূর্মশ্চ মৎস্যশ্চ প্রাদুর্ভাবা দ্বিজোত্তম ॥১০৩॥
বরাহো নরসিংহশ্চ বামনোরাম এবচ। রামো দাশরথিশ্চৈব সাত্বতঃ কল্কিরেব চ ॥১০৪॥

গিরিব্রজ (মগধ) দা জরাসন্ধ কৌবা য়াম্ন কনবা অসুর নিংথৌ অম পানগনি। মহাক অদু নিংথৌ পুম্নমক্কী শীংনবুমা ভাক্লৈগনি, খ্বাইগা য়েক্নবত হৌদুনা লৈগনি। বুদ্ধিতনা থুৎলায় ওইদুনা মাহাক হাৎনবা থৌরাংগনি ॥৯৭—৯৮॥ ধর্মরাজগী মচাগী শায়োন ওইনা পোকপা ধর্ম চেন্নবা নিংথৌ যুধিষ্ঠিরগী যজ্ঞসভাদা ভূমণ্ডলগী নিংথৌ পুম্নমক তিনগনি। মাহাক্না ঐনা নাপন্ন মথোই কারবা শিশুপালগী মথরায় লৌগনি ॥৯৮॥ ইন্দ্রগী মচা ওইনা পোকলবা অর্জুননা ঐগী থোইনা কন্নবা, মশক্ মতৌ কজরবা মরূপ ওইগনি। মাগী মতেংনা ঐনা থবক্ পুম্নমক পাঙথোকনি। মচীন মনাওশিংগা লোয়ননা ঐনা যুধিষ্ঠিরবু পৃথিবী পুম্বগী নিংথৌ ওইনা ফাপকনি ॥৯৯॥ মতম অদুগী মীনা অসুম্না ফাওনরকনি, নর-নারায়ণ অনীনা কৃষ্ণ অর্জ্জুন হায়না শায়োন্দুনা পৃথিবীগী ক্ষত্রিয় পুম্নমকপু সংহার তৌরি ॥১০০॥

স'ধু মহাত্ম পুম্নমক্কী খোকথক্কী লৈতেং ওইবা! পৃথিবী দেবীগী অরাবা পোৎলুম ওইরবা, পাপী তাপী কয়াবু সংহার তৌরগা যদু শাগৈগী স্বজাতি বিজাতিগী মী পুম্ববু লোইথোক্লগা ঈশাগী ঈপা ঈচা ওইনা লৈহল্লিবা মথোয়বুসু মুথংলমগনি ॥১০১॥ শ্রীকৃষ্ণ, বলভদ্র, প্রদ্যুম্ন অদুগা অনিরুদ্ধ কৌবা স্বরূপ মরি অসিবু পুন্নিবা ঐনা মর্ত্তালোক ত লীলাকর্ম থবক তৌবগা ব্রহ্মানশিংবা দেবতাশিংদা লীলাশিং অহ উৎনরগা ঐচক ঐগী বৈকুণ্ঠ ধামদা চনগনি ॥১০২॥ ব্রাহ্মণ অথোইবা! হংস (কাংগু) কূর্ম (থেঙ্গু) মৎস্য (ঙা, বরাহ (ওক), নরসিংহ (মী-নোংশাগী মূর্ত্তি, বামন (থীকনেম্বা) পরশুরাম (শীজং পায়ব (দশরথগী মচা ওইনা পোকপা রাম), শ্রীকৃষ্ণ অদুগ কল্কি—পুম্নমক অসি ঐগী অবতারমক্তনি ॥১০৩-১০৪॥

* ভাক লেনবা শাসন তৌবা বিষ্ণুগী থমনি, মথৌনি। ভাক লেনবদুগী থবক্তা য়ৈথায়বা, থিংবা শীবা, মাহু কাওবদা কান্নদ্রগা হাত্তোক্পা মশানা তাবনি। অসিগুম্বা য়ৈথায়বা পীব জীবশিং অসি থরনা ঈশিংদা থরনা কংকান্দা থরনা লৈদুংদা, থরনা নোংমদোন্দা লৈ। লৈরিবা জীবশিং অসিগী দেহসুংদা

যদা বেদশ্রুতির্নষ্টা ময়া প্রত্যাহৃতা পুনঃ। সবেদাঃ সশ্রুতীকাশ্চ কৃতাঃ পূর্বং কৃতেযুগে ॥১০৫॥
অতিক্রান্তাঃ পুরাণেষু শ্রুতাস্তে যদিব কচিৎ। অতিক্রান্তাশ্চ বহবঃ প্রাদুর্ভাবা মমোত্তমাঃ ॥১০৬॥
লোককার্য্যাণি কৃত্বা চ পুনাঃ স্বাং প্রকৃতিং গতাং। নহ্যেতৎ ব্রহ্মণা প্রাপ্তমীদৃশং মমদর্শনম্ ॥১০৭॥

বেদ শ্রুতিশিংসিনা হেক্ হেক মাঙথ মুথরকপা মতম্-মতমতুদা ঐনা করিগুম্ব মওং মূর্ত্তি অম পুহুনা মথোয়শিংহুবু অমুমুক পুথোয়কপানি। ঈহান হানবদা ঐনা, ঈহান হানবা সত্যযুগতা বেদ অমদি শ্রুতি-শিংহুবু পুথোকথিবনি। * ॥১০৫॥

মমাঙতৈদা ঐনা তৌথিব অবতার থরশিংহুগী বিবরণস্ব নহাক্কা অতৈ অতোপ্প পুরাণশিংহুদস্ব মতা-রমনি। অথোই অথোইবা অবতার কয়া ঐনা তৌথ্রবনি। ॥১০৬॥ অবতারশিং অদো, অতুগা মাহুদা পুরম্বা মূর্ত্তিশিং অদো, জগৎকী কাম্নবা তৌরম তৌরম্নগা, মূর্ত্তি পুন্নমক্কুগী হৌরকৃকম শন্দোরকফম ঐগী

* শ্রীমদ্ভগবদ্ গীতাদা হায়বগা মফম্ অসিনা হায়রিবসিগা খেন্নরিবদি র'হৈ রাতা অম'নীশদনি। গীতাদা হায়বনা: "ধর্মনা মরায় হেক্ হেক্ চাৎথরকপদা, অধর্মনা মথোয় হেক কারক্পদা ঈশানা ঈশাবু শেমজহুনা অধর্মবু নমথরগা ধর্মবু হেক্ হেক্ ঐনা কল্ল"— অসিনি। অসিদা অমুক হায়রিবনা বেদশ্রুতিশিংনা হেক্ হেক্ মাঙথ মুথরকপদা.........অসিনচি বসিনি। মুন্নথঞ্জিল্লুরবদি থোইদেক্কা থেন্নদে। "ধর্মনা মরায়গায়থরকপা" হায়বদি বেদশ্রুতিস্মৃতিনচিংবগী পাউতাক মন্ত্রশিংবু থাজ্জনরক্কবা—কৌনরক্কবা— হায়বতনি। অতুম্ন থাজ্জরনক্কবা মতম অতুদা অচুম্ব বৈজ্ঞানিক ধর্মবু চুমদবা, অনিত্য ওইবা, ভক্তাক ভহাক্কী অ মুংঙাইহনবা আধিভৌতিক বিজ্ঞাননা ঊৎ চারহুনা মুংহল্ল। মতমঅতুদা জগৎকী মফমপুম্নদা হাহাকার লৈরিবা জীব (জীবাত্মা) অসি যাম্ন মপোক থীরবনি। মপোক থীরবশিং অসিবু ফজ্রবা দেহমুংসিদগী ফুক্কে কপিগে চিংথোকপিগে হায়বগীদমক বিষ্ণুনা বৈকুণ্ঠদগী অবতরন হেক হেক তৌই। হায়বদি,— কুমথরকই। অস্তুম্না হেক হেক কুমথরকপগী থবক্ (লীলা) অসিবু অবতার কৌই। তাইবং মীস্থ অহুমডার। মায়থোং মকারাম্ন. লু-তেম্না, রাংলবা তাংবন থক্ক কম্নম্বা নিংথৌ অতুস্ব মতম মতমহুগী ঘটনাগী মতুং ইম্না রজোগুণ—তমোগুণ চঙখিহুনা অশাউবা-মুংঙাইতবনা মমীত্ত ঈ কাহুনা রাংলবা তাংবলথক্কুদগী চোংথরকপা তাই। তাইবং মী নিংথৌনা নত্রগা মাগী মীনায় মীশম, বৈজ্ঞানিক ওইবা কীজোম্না, খুৎ-লায়না, নোংমদোল্লক্ক পাইথৎখিহুনা নত্রগা ঈমুংদা কুমথখিহুনা য়েক্কবা রাজবিদ্রোহী অতু ত.ন্নহুনা হাৎলি, লাম্বেংনৈ, য়েক্কবহুনা ভমখিগদবা লৈরগা চেল্লি। অতুগুম্না শ্রীবিষ্ণুস্ব মহাবৈজ্ঞানিক অম ওইন ঈশিদো লৈমুংদা লৈবা দৈত্যদানবশিংবু কোয়তাল তাল্লি, লাম্বেংনৈ, হাংলি,— চেম্বোকুদা ভত্তাক্কং লীলাস্থ শাম্নৈ। মাহুগীদমক্ক তোঙাল তোঙানবা শক্লোন পুই। অহুঙম্বা শক্লোনশিং অতুগী মনুংদা হায়রিবা অবতার তরা অসিনা অথোইবনি। (কালাচাঁদ)

হায়রিবা অবতার তরা অসি জয়দেব কবিনা মাগী গীত গোবিন্দদা মঙ্গলাচরন ওইনা শক্ই।

যত্বয়া প্রাপ্তমদ্যেহ একান্তগতবুদ্ধিনা। এতত্তে সর্ব্বমাখ্যাতং ব্রহ্মন্ ভক্তিমতো ময়া ॥১০৮॥
পুরাণং চ ভবিষ্যং চ সরহস্যং চ সত্তম।

ভীষ্ম উবাচ

এবং স ভগবান্ দেবোবিশ্ব মূর্ত্তিধরোঽব্যয়ঃ ॥১০৯॥

মক মূর্ত্তিদুদা অমুক হেক হেক হাপ্পনখি। ঐহোন্দ কেওদব ভক্তি থমহন্নবগীদমক্ত নঙোন্দ ঐনা মূল প্রকৃতিদুগী দর্শন পীরম্বনি। ঐগী অসিগুম্ব মূর্ত্তি অসে, ব্রহ্মামকস্ত অমুক্ত উব ফংজখিদ্রিবনি * ॥১০৭॥

ব্রাহ্মণ! সাধু অথোইবা! নহাক্না ঐগী ঈকমদা থমলিবা, অযৌবা ভক্তি ভাব অসিদা পেল্লদুনা ঐনা নঙোন্দা ঐগী ভূত, ভবিষ্য বর্ত্তমানগী অবতার পুম্নমক্কী অথপ্পা রা পুম্নমক অদু তাকল্লবনি ॥১০৮॥

ভীষ্মনা হায় - যুধিষ্ঠির! ভবিবা বিশ্বব্রহ্মাণ্ড অসিনা মাগী শাউব মূর্ত্তি শঙ্করিনা অমাঙ অতা লৈদ্রবা।

লাউনরকই, অমনা হায় অমনা তাদে, মকমপুম্বদা অশা অগী শকত মউরকই। ভূমিকম্প ঈশিং ঈচাউশিংবা আধিভৌতিক আধিদৈবিক উপদ্রব শিংওনা তাইবং জীবশিংদা য়াম্নতোয়না অরাব থুদোংঙীবা পীরকই। জগৎকী কর্ত্তা ঈশ্বর কাওববু থাজনরক্তব ত নত্তনা লৈতে লাওবা হাল্লনরকই। মতম অদুদা কনা কনাগুম্বা মহাত্মা সাধুগী থম্মোয়দা আধ্যাত্মিক জ্ঞান (বেদ) না বিষ্ণু ওইদুনা, হায়রিবা চঙশিনখিল্লনা জগৎপু মাঙখি গদবদগী হেক হেক কল্লি। মাসি চুম্নগী অনুমাননা ফংবা য়াকম নত্তে। প্রত্যক্ষপ্রমাণনি। মীৎদা শং-শংনা উম্নসিকাওবদা 'বিষ্ণুশাম্নব লৈতে ঈশ্বরহায়রিবা লৈতে'' অসেনচিবা অতুম মহায়রি। হায়রিবা মহাত্মা সাধু অসিমক লৈতে হায়রিবা মহাকমকস্ত অতুম ওইবা ময়ারিবনি। ব্রহ্মাশক্তি (ব্রহ্মশক্তি), বিষ্ণুশক্তি, রুদ্রশক্তি অতুম অসি ভাইবংমীগী দেহদা লৈরিবা আত্মা মামক্না অতুম শীজিন্নবা য়াই। মতম অদুদা আত্মা মহাক মহান্ আত্মা (মহাত্মা) ওইনা অতুম মথ্নাকচবনি। মাত্নী থাক ত লাকক্রিবা জীবত্মা (আমা) অদুনা মপানগী হকচাংসগা চান্নমনখিদুনা অমত ওইথোকখিদুনা অহং (ঐ) হায়বগী অহংকারদা তাউখিদুনা পরমাত্মা ওইখিগদৌবা মহাক্না আত্মা ত ওইদুনা, অতুঙগীস্ত অমুক য়াম্নহন্তনা অনাত্মা ওইদুনা লৈথোকখি। পরমাত্মাখণ্ডদে, ঈশ্বরখণ্ডদে ; বিষ্ণুখণ্ডদে কৃষ্ণখণ্ডদে ওইরদবা আত্মা মানদি ওইদ্রদুনা হকচাংগা লেংগোম্নদুনা পণ্ডথদুনা লৈথ্রবনিন। ঈশ্বর লৈতে হায়রি, মশাবু মশানা লৈতেহায়রি। লৈতবা মহাক্না লৈ লৈতে হায়না অমুকস্ত য়েংলি।

(কালাচাঁদ)

* ব্রহ্মান অহৈ বিষ্ণুগী খুমৌনগী চেংখোরকপ মতমদা মহাক মশামক্না মহাক্কী চোংথোরককম বিষ্ণুগী মূলপ্রকৃতিবু, হায়বদি মূর্ত্তিপুম্নমক্কী হৌরককম মূর্ত্তিমত্রবু উবা ফংখিদে। অদুগুম্বা মূর্ত্তিদু নারদদা বিষ্ণুনা দর্শন পীখি। তোঙাল তোঙানবা মূর্ত্তিগী, মূর্ত্তিদুনা পীবা য়াথম্না পীরকপা ধর্মগী অদুগা অমদি উপাসনা

এতাবদুক্ত্বা বচনং তত্রৈবান্তর্দধে পুনঃ। নারদোঽপি মহাতেজা প্রাপ্যানুগ্রহমীপ্সিতম্ ॥১১০॥

নরনারায়ণৌ দ্রষ্টুং বদর্য্যাশ্রমাভ্রবৎ। ইদং মহোপনিষদং চতুর্বেদসমন্বিতম্ ॥১১১॥

সাংখ্যযোগ কৃতংতেন পঞ্চরাত্রানুশব্দিতম্। নারায়ণ মুখোদ্গীতং নারদোঽশ্রাবয়ৎপুনঃ ॥১১২॥

ভগবান শ্রীনারায়ণনা নারদগী মফমদা দর্শন অমদি পাউতাকশী বিরমলগা অন্তর্দ্ধান কাখি, থুনক্ত মাঙ্-থোকখি ॥১০৯॥ অদুগীদি তেজকল্লবা নারদনু, বিষ্ণু ভগবানগী মফমদগী নীংজবা পুম্ব থুংলদুনা নরনারায়ণ অনীগী দর্শন তৌরুগে হায়বগীদমক্ত খুদক্ত বদরিকাশ্রম তাম্ন চংখি ॥১১০॥

নারদ মশানা শ্বেতদ্বীপতা উখিবা তাখিবা থৌদোক পুম্নমক অসি ব্রহ্মাগী মফমদা অমুক লোইনা তমখি ॥১১১—১১২॥ যুধিষ্ঠিরনা হায়—ঈবুধৌ! শ্রীনারায়নগী মহাত্ম্য অসে য়াম্ন অঙকপনি ব্রহ্মা

শিংদুগী অদুগা মী ওইবা সম্প্রদায়শিংনা তোঙাম্ব তোঙানবা মূর্ত্তিশিং অসিগী হৌরককম ওইবা মূলপ্রকৃতি-দুবুদি খিগেহায়রদুনা খৎনদুনা লৈরি, অমগমগা নিন্দা তৌনরি। তৌনরিবসি মূলপ্রকৃতিদুগী য়ৌত্রিডৈ লমথাঙদনি। চিথেক নাইবা, কোইরক কোয়বা, ত্রিভূজ ওইবা মওংশিংগী হৌরককম ওইবা মওংবু, অদুগা অঙাঙবা অশংবনচিংবা মচুশিংসিগী হৌরককম ওইবা মচুবু অদুগা পুম্নিবা মিংশিং অসিগী হৌরককম ওইবা মিংলেনবু পুম্নিবা মহাকঅদুগী প্রকৃতি (স্বভাব) অদুবুনি মূলপ্রকৃতি হায়রিবসি। ঙহাক ঙহাকী ওইরম্বা মওং-মচু মিংশিং অদুগী চঙথিকম অদুবুনি বিষ্ণু হায়রিবসি। অদুগা রাম, কৃষ্ণ,বুদ্ধ, খ্রীষ্ট আল্লা, খোদা, জিহোবা মহাবীরনচিংবসি বিষ্ণুদগী, মৈবুল অমতদগী মৈরীক অমমমনা চোংথোরককম চোংথোকলম্বা ভাক-তনি। মখোয় অমত অমুক্ত মূল প্রকৃতি মত্তে। উরিবা হৈপাল লৈপাল, চীং মান, তুরেল পুম্নমক অসি মূল প্রকৃতিদুগী মীকুপ্ত মৎপ্রগদৌবা বিকৃতিমক্তনি। খৎন-চৈনরিবা, ঐগীনি নংগীনি হায়না মুম্নরিবা তান্ন-রিবা পুম্নমক অসি মূল প্রকৃতিদুগী বিকৃতিশিং অদুবুতনি। বিকৃতিশিং অদুগী কায়নবা তিম্নবগী অরাবা লাঙতক্লবগী মরক্তা লৈরিডৌদা অচচ্চত্ত জীব পুম্নমকনা ধরায় থানরি। ইন্দ্রিয় শক্তিনা কল্লিডৌদা মূল প্রকৃতিবু হায়বদি প্রকৃতিগী পরমাণ, পুম্নমক্তী চঙকম ওইবা বিষ্ণু (চঙকম্-চঙনকম) মহাকপু খীহৌগদ-বনি। খীব খঙত্রগম্ব মহাকী আরাধনা তৌহৌগদবনি। অদুগুম্না খীরিবা আরাধনা উপাসনা তৌরিবা সম্প্রদায়না অদুবুনি, হৌজিক বৈষ্ণব সম্প্রদায় হায়রিবসি। মাসিগী তত্ত্ব পুম্নমক নৈনরিবা দর্শন শাস্ত্র অদু বৈষ্ণব দর্শন হায়না খঙনৈ। (কালাচাঁদ)

চাউরবা উপনিষদকী বিজ্ঞান অসে বেদ মরিগী বিজ্ঞান তত্ত্ব পুম্নমক্তা তিম্নবনি। মাসিগী মম্নুংদা সাংখ্যগী অদুগা যোগগী সিদ্ধান্ত পুম্নমক্তা মম্নুং খীংনা য়াওরবনি। মাসি পঞ্চরাত্র কৌবা আগম অমনি হায়না খঙনগ্রবনি। শ্রীনারায়ণমকী শ্রীমুখদগী ঈশৈ ওইনা থোকপ্রবা শৈশক্তি।

ব্রহ্মণঃ সদনে তাত যথাদৃষ্টং যথাশ্রুতম্।

যুধিষ্ঠির উবাচ

এতদাশ্চর্য্যভূতং হি মহাত্ম্যং তস্য ধীমতঃ ॥১১০॥

কিংবৈ ব্রহ্মান জানীতে ততঃ শুশ্রাব নারদাৎ ॥ ১৪॥ পিতামহোঽপি ভগবাং তস্মাৎ দেবাদনন্তর।

কথ স ন বিজানীয়াৎ প্রভাবমমিতৌজসঃ ॥১১৪॥

ভীষ্ম উবাচ।

মহাকল্পসহস্রাণি মহাকল্পশতানিচ ॥১১৫॥

সমতীতানি রাজেন্দ্র সর্গশ্চ প্রলয়াশ্চ হ। সর্গস্যাদৌ স্মৃতো ব্রহ্মা প্রজা সর্গকর প্রভুঃ॥ ১৬॥

জানাতি দেবপ্রবরং ভূয়শ্চাতো ধিক নৃপ। পরমাত্মান মীশান মাত্মানং প্রভবং তথা ॥১.৭॥

যে ত্বন্যে ব্রহ্মসদনে সিদ্ধসঙ্ঘাঃ সমাগতাঃ। তেভ্যস্তচ্ছ্রাবয়ামাস পুরাণং বেদসম্মিতম ॥ ১৮।

তেষাং সকাশাৎ সূর্য্যস্তু শ্রুত্বা বৈ ভাবিতাত্মনাম্। আত্মানুগামিনাং রাজন শ্রাবয়ামাস বৈ ততঃ ॥১.৯॥

ষটষষ্টিহি সহস্রাণি ঋষীণাং ভাবিতাত্মনাং। সূর্য্যস্য তপতোলোকান্ নির্মিতা যে পুরঃসরাঃ ॥১২০॥

তেষামকথয়ৎ সূর্য্যঃ সর্বেষাং ভাবিতাত্মনাম। সূর্য্যানুগামিভিস্তাত ঋষিভিস্তৈর্মহাত্মভিঃ ॥১২১॥

মেরৌ সমাগতা দেবাঃ শ্রাবিতশ্চেদ মুত্তমম্। দেবানাং তু সকাশাৎ বৈ ততঃ শ্রুত্বাসিতো দ্বিজঃ ॥১২২॥

মকহু নারদগী মচৌন্দা তাংগা থং ও তায়ংবিবাসিবু, নারদগী তানাও থা অসিবু ব্রহ্মা মহাক্কি হায়না থক্ খঙজদরা? ॥১১৩॥

ভীষ্মনা হায় নিংথৌ অথোইবা। অসি কাওবদা মহাকল্প চাম চাং, লিশিং লিশিং চৌখ্রে সৃষ্টি প্রলয় কয়াবক হনপ্রবনি। সৃষ্টি অহৌবদা লাকপম ব্রহ্মানা সৃষ্টি কর্মানি চাংবনা যানপ্রবনি ॥১১৪ ১১৬॥ হায়বিবা-ব্রহ্ম অসিনা মহাকপকী পাবকপগ ওইবা ভগবান শ্রীনারায়ণবু খুইদগী অথোইবনি হায়না খঙজে। অহৎওবা শ্রীনারায়ণবু পম ব্রহ্ম, পরমাত্মানি হায়না লৌই ॥১১৭॥ ব্রহ্মলোকতা ব্রহ্মা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা দেবতা যাম্ন লৈরি। নারদনা মখোয়গীদমক্তা বেদগা মান্নবা পঞ্চরাত্র অসিবু তাহনখি ॥ ১১৮॥ মখোয় হকচাং লৌলবা সিদ্ধাশগী মকমদগী সূর্য্য ভগবাননা তত্ত্ব অসি তাখি। তাখ্রিবা তত্ত্ব অসিবু সূর্য্যনা অমুক মাগী (ঋষি) অসি, হংখ্রুদা তাহনখি। লোক পুম্নমকপু পীরিবা তাপ পীরিবা সূর্য্যগী মাঙ থাহনা চৎলিবা ঋষিশিংদম্ সূর্য্য ভগবাননা তত্ত্ব অসি তাহনখি ॥১১৯ ১২০॥

সূর্য্যদেবগী মতুং ইন্নরকপা মহাত্মা ওইবা ঋষিশিংনা, মেরু চিংদা লাকপা দেবতাশিংগী মকমদা অসিগুম্বা মাহাত্ম্য অসি তাহনখি ॥১২১॥ নিংথৌ যুধিষ্ঠির। মুনি অথোইবা, ব্রাহ্মণ অসিতনা দেবতাশিংদুদগী

মেরৌ সমাগতা দেবোঃ শ্রাবিতাশ্চেদ মুত্তমম্। দেবানাং তু সকাশাৎ বৈততঃ শ্রুত্বাসিতো দ্বিজঃ ॥১২২॥
শ্রাবয়ামাস রাজেন্দ্র পিতৃণাং মুনিসত্তম। মম চাপি তাত কথয়ামাস শান্তনুঃ ॥১২৩॥
ততো ময়াপি ক্রুত্বা ॥ কীর্ত্তিতং ভবতারত। সুরৈর্ব্বা মুনিভির্ব্বাপি পুরানং যৈরিদং শ্রুতম্ ॥১২৪॥
সর্ব্বেতে পরমাত্মনং পূজয়ন্তে সমন্ততঃ। ইদমাখ্যানমার্ষেয়ং পারম্পর্য্যাগতং নৃপ ॥১২৫॥
নাবাসুদেব ভক্তায় ত্বয় দেয়ং কথং চন। আখ্যান-মুত্তমং চেদং শ্রাবয়েৎ যঃ সদা নৃপ।
তদৈব মনুজোভক্ত শুচিভূত্বা সমাহিতঃ। প্রাপ্নুয়াদচিরাৎ রাজন বিষ্ণুলোকং সনাতনম্।
মত্তোঽ ন্যানিচত্তে রাজন্ম্ পাখ্যন শতানিবৈ ॥১২৬॥

মহাত্মাং অসিবু তারগা পিতৃলোকশিংদা অমুক তাহনখি ॥১২২॥ মতৌ অসুম্না পরম্পরা লাকপা জ্ঞান অসি ঐগী ঈপা নিংথৌ শান্তনুনা কংখি। ঐগী ঈপা শান্তনুনা অমুক ঐঙোন্দা তমবিখি ॥১২৩॥ ভরতনন্দন, যুধিষ্ঠির। ঐনা ঈপাগী মফমদগী তাব জ্ঞানগী বিষয় অসিবু নঙোন্দা অমুক লীরম্বসিনি। মমাঙতৈদা দেবতাশিংনা, মুনি ঋষিশিংনা, অমসুং অসিগুম্বা জ্ঞানগী বিষয়শিং অসিবু তাপ্রিবশিং অমুনা পরমাত্মা শ্রী বাসুদেবগী সেবা পূজাবু ভক্তিগা লোয়ননা তৌখি ॥১২৪॥ নিংথৌ! ঋষিশিংগত মরম লৈনবা রারী অসে পরম্পরাদগী মীরোল মথং মথং কংনরকপনি। ভগবান বাসুদেবগী ভক্ত ওইদবা মখোয়দুদা রারী অসি খক্ লীথোকনু, তাহনগনু ॥১২৫॥
মরম্ অমুন', নিংথৌ! অসিগুম্বা নীংথিজরবা রারী অসি তারবা অমসুং অতোপ্পশিংদসু তাহনবা মী মহাক অদুদি শ্রীবিষ্ণুগী থম্মোয় চকৃচাং শেংপ্রবা ভক্ত অম ওইদুনা শ্রীবিষ্ণুগী অথোইবা ধামদা চৎখি ॥১২৬॥

শ্রীবিষ্ণু ভগবানগী মাঙদ থোকপ্রবা অমসুং তুংদা থোরক্কনবা লীলা অমসুং থৌদোক পুম্নমক নারদদি লোইনা হায়া খঙদোক্লবনি। ভগবান শ্রীনারায়ণনা শ্বেতদ্বীপত নাবদগী মফম্দা তৌরকদবা অবতার অমসুং অবতারশিং অমুদা মক ওইনা শায়গদবা লীলা পুম্নমক হায়া তাকপিপ্রবনি। অমুনা নারদনা যুগ খুদিংগী অবতারগী নামরূপ পুম্নমক অমত শোন্দনা, মঙোন্দা ইহান হায়া জ্ঞান পুম্নমক তাকপিখিবা শ্রীনারায়ণগী "নারায়ণ" হায়বা নাম অসিতবু নারদনা শোনবা হৌখিবনি। শ্রীবিষ্ণুগী নামবুদি লিশিং লিশিংনি। অদুবু নারদনা নাবায়ণ হায়বা নাম অসিতবু মহাক্কী খ্বাইদগী পামজবা নাম অম ওইনা অহিং মুংথিন্দা শোনখিবনি। না রা-য়-ণ মরি অসিনা তাইবঙ মীগী পুর্নাশদা ধর্ম অর্থ-কাম-মোক্ষ মরি অসিবু পী। (কালাচাঁদ)

হায়রিবসিগী ভাবতি — অউব-উদবা বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড অসিগী থোরক্কম, লৈকম, লোইশিন-লৌশিন থিকম ভগবান বিষ্ণুগী প'উতাক্কী মশক্ ওইবা রারীবু তাবদি অমসুং তাহনবদি বিষ্ণুগী নাম অমদি মহাক্ত্বাবু শদোকপনি অমসুং মহাক্কী লীলাগী তত্ত্ববু প্রচার তৌবনি। সব ব্যাপক ওইবা, (মফম মতম পুম্নমক্ক শিংদুনা লৈবা) মহাক্কী মগুণবু শন্দোকপা অমসুম্বা মী মহাক অমুদি ভগবাদ নারায়ণ শ্রীবিষ্ণুগী ধাম

যানি শ্রুতানি সর্বানি তেষাং সারোহয় মমুদ্ধতঃ । সুরাসুরৈর্যথা রাজন্ নির্মথ্যামৃতমুত্তমম্ ॥১২৭॥

এবমেতৎ পুরা বিপ্রৈঃ কথামৃতমিহোদ্ধৃতম । যশ্চেদং পঠতে নিত্যং যশ্চৈদং শৃণুয়ান্নরঃ ॥১২৮॥

একান্তভাবোগত একান্তেষু সমাহিতঃ । প্রাপ্য শ্বেতং মহাদ্বীপং ভূত্বা চন্দ্রপ্রভো নরঃ ॥১২৯॥

স সহস্রার্চিষং দেবং প্রবিশেন্নাত্র সংশয়ঃ । মুচ্যেতার্তস্তথা রোগান্মুচ্যেত মাদিতঃ কথাম্ ॥ ১৩০॥

জিজ্ঞাসুর্লভতে কামান্ ভক্তো ভক্তগতিং ব্রজেৎ । ত্বয়াপি সততং রাজন্ অভ্যর্চ্যঃ পুরুষোত্তমঃ ॥ ১৩১॥

. যুধিষ্ঠির ! লাই হিংচাবশিংনা সমুদ্রবু নৈহুমা অমৃতবু পুথোকখিবহৌওয়া, মমাঙতৈদা জ্ঞানী ব্রাহ্মণ মুনিশিংনা ধর্ম শাস্ত্র পুরাণ খিবিকপু অমৃতগী মশক্ ওইরবা য়াৎনা অসিবু পুথোকখি ॥১২৭॥

য়ারী মতাং অসিবু নুমিৎ খুদিংগী পাঠ তৌরিবা অকুগা তারবা অদুগুম্বা মী মহাক অদুদি, ভগবান শ্রীবিষ্ণুগী ভক্তশিংগী মনুংদা ঐকান্তিক ভক্ত অম ওইদুনা শ্বেত দ্বীপতা য়ৌখিদুনা মশেক মঙালমা পুমথল থল্লবা মীশক অমা ওইদুনা, মঙাল লিশিং পুবা শ্রী বিষ্ণুগী ভগবানগী হকচাংদা অদুম তিনখি ॥১২৮, ১২৯॥

য়ারী অসিবু মকোক্কগী তাববদি রোগীনা (মশাদা লায়না লৈবনা) রোগদুদগী কোকই তত থঙনী বা মীনা তারগা কংনিংবা জ্ঞান কংডি । ভক্ত অমা অমনা তাবগা ভক্তনা কংদবা ধামবু লাগনা কাখি ॥১৩০॥

নিংথৌ ! নহাকসু মতম্ পুম্বদা ভগবান পুরুষোত্তম নারায়ণ মহাক্কী সেবা পূজা তৌগদবনি । মহাক্কনা জগৎ পুম্বগী মমানি, মপানি অদুনা গুরুনি * ॥১৩১।

(লৈকম) দা মশানা চৎখিবা য়ৌথব অদুম মতারবান ন্যায় শাস্ত্রগী দক্ষিদা য়েংলবসু মশানা অদুম মতারগনি । ভমথৈ নাইবা, চফুগুম্বা পীক্লবা পোশক অমগী মরমদা, থরায় হকচাং অমত্ত ওইনা, মশামক পুমকাউ কাউথোকখিদুনা তাক্‌বা শরুপা মৎমুংনা তাঙলিবা মহাক্কী মন বুদ্ধি জ্ঞান পুম্নমক চফু অদুতগী নামরূপগী মমুংদা লৈশিন্দুনা লৈথ । জন্মগী ভুংনফমবু আনা কৌহ অসুম্মা তাঙলিবা মহাক্কী আত্মা অদু চকু অদুগী পরিকবগী চঙখি । মাদুদগী খুবৈ নামত হোন্দারুপা লৈতে । মতৌ অসিগুম্না, মী মহাক অদুনা থরায় হকচাং অমত ওইনা সিনগী নামগুণ রূপ লীলাবু শক-শোন্দুনা মরৈপ্রবদি মহাক্কী গুণ লীলাবু প্রচার তৌদুনত লৈপ্রবনি মহাক্কী আত্মানা মক্তোন্দা, মাগী লৈকমদ য়ৌখিব চৎখিবা হায়বদি মশানা তারবনি । অমনা য়েংঙকপদা মহাক্কী ঈমুংদা লৈ হায়না উরুবসু ঈমুংদ লৈরিবা, বিষ্ণুগী ভক্ত অদুদি ঈমুংদ লৈতে, বিষ্ণুগী তত্ত্ববু খিরিবা মহাক অদুদি বিষ্ণুলোকতা, হায়বদি বিষ্ণুগী ধামদা অদুম য়ৌ-জপ্রবনি । —পরলোকতা য়ৌখিবা, স্বর্গ কাখিবা, অরানবা খুভম (মুক্তি) কংখিবা অসিনচিংবা হায়রিবসি —মপানগী হকচাং অসিগা লোয়ননা কাখিবা য়ৌখিগদবা নত্তে আত্মা অসিতনা য়ৌখিগদবনি । মরম অদুনা, মপান্দা উহাক্কং স্বর্গ কাননবা দান যজ্ঞ তৌরগা স্বর্গ কেক কংখিগদবা নত্তে । পুক্কীং হকচাং হৌনা যজ্ঞরক্ষবু নীংলবদি মহাক্কী আত্মানা যজ্ঞরক্ষগী ধামদা য়ৌখি । (কালাচাঁদ)

* ঈমানি, ঈপানি হায়রিবসি মপানগী হকচাং অমদি হকচাং কায়াৎ অদু উরগত হায়বনি । ঈপাগী

সহি মাতা পিতা চৈ কৃৎস্নস্য জগতো গুরু । ব্রহ্মণ্য দেবো ভগবান প্রীয়তাং তে সনাতনঃ ॥১৩২॥

বৈশম্পায়ন উবাচ

শ্রুত্বৈতদাখ্যানবরং ধর্মরাট জনমেজ ॥১৩৩॥

ভ্রাতরশ্চাস্য তে সর্বে নারায়ণ পরাঃ ভবন । জিতং ভগবতা তেন পুরুষেণেতি ভারত ॥১৩৪॥

নিত্যং জপ্যপরা ভূত্বা, সরস্বতীমুদীরয়ন্ । যো হ্যস্মকং গুরুঃ শ্রেষ্ঠঃ কৃষ্ণদ্বৈপায়নো মুনিঃ ॥১৩৫॥

জগৌ পরমকং জপ্যং নারায়ণ মুদীরন্ । গত্বান্তরিক্ষাৎ সততং ক্ষীরোদমমৃতাশয়ম্ ॥১৩৬॥

পূজয়িত্বা চ দেবেশং পুণরায়াৎ স্বম শ্রয়ম ।

ভীষ্ম উবাচ

এতত্তে সর্বমাখ্যাতং নারদোক্তং ময়েরিতম্ ॥১৩৭॥

অকনবা নিংথৌ যুধিষ্ঠির ! শঙ্ক্রাহ্মণাচবগী অফবত্ত খন্দুনা লৌরিবা সনাতন পুরষ ভগবান্ শ্রী বাসুদেবনা মতম পুম্বদা নখোযবু চানবীদুনা লৈবা ওইসনু ॥১৩ ॥

বৈশম্পায়ণনা হায :– নিংথৌ জনমেজয় ! থোইদোক্ত খীংখিজয়বা রারী অসি তাবদগী নিংথৌ যুধিষ্টির অদুগা ভীষ্মনচিংবা মনাওশিংদু ভগবান নারায়ণগী অথোইবা ভক ওইখি ॥১৩৩॥

মখোয় অতগী কুমিৎ চুপ্প ভগবানগী নামবু শোনবদা মুংঙাইবা অমা পোকখিদুনা মতম পুম্বদা "ভগবানগী পুরুষোত্তমগী জয় ওইসনু" হায়নত শান্দুনা লৈখি ॥ ৩৪॥

দেহমুংদ লৈব অাত্মাগা ঈমাগী দেহমুংদ লৈবা আত্মাগা অমত্তান । ঈপাগী হকচাংমুংদ ঈপা শাদুনা লৈরিবা অত্মদুগা ঈমাগী দেহমুংদ ঈমা শাদুনা লৈরিবা আত্মাদুগা মশা অমতনি । অদুগা ঈপা ঈমা শাদুনা দেহ অনীদা মতম অমতদ মারা ভোদুনা লৈরিবা আত্মা অসি নত্তবা, মমা মপা, মচা মশু শাব কক। ঈয়াও য়াওদবা ঈতোপ-তোপ্প (পর) পরাত্মা অমা লৈরি । মত্তোন্দদি মতম্ অমতদা ঈপা ঈমা অনি পুম্ন লৈরি । জগৎ পুম্নমক মত্তোন্দগী থোকখির্বনি । অদুনা মহাক্তনা জগৎ পুম্বগী মমা মপানি । ওঝা (গুরু) গী হকচা মুংদা লৈরিবা আত্মাদুসু হৌজিকী আত্মাসিগা মশা অমতনি । অদুনা পরমাত্মা ওইবা হরি মহাক্তনা ঈপানি, ঈমানি, অদুগা জ্ঞান তাকপিবা গুরুনি । আত্মা মহাক মথক্তনা মকম্ খুদিংদা মতম অমতদা মমা, মপা, গুরু, হেরুবা, মরূপ, ওইনা শান্নবা মশা মথক্তগী লীলাসিদা মশা মথক্তনা মুংঙাইজগে হায়বগীদমক মপানগী খুংলায় ওইনা মপানগী হকচাং অসিবু মহাক মশা মথক্তনা শেমজখনি । পুম্নমক হরি ওইবিবা, হায়বদি, লৌশিল্লিবা, ংশিল্লিবা, মাওঙল্লিবা, পম্নমাত্মা মহাক্কী মকমদা মপানগী হকচাংশিগা অমত্তা ওইমিন্নদুনা ভাওরবা আত্মানা মশানা খল্লিবদু লাক্লে হায়না হায়জগদবনি ।

(কালাচাঁদ)

পারম্পর্য্যাগতং হোতৎ পিত্রা মেকথিতং পুরা।

সৌতিরুবাচ

এতত্তে সর্বমাখ্যাতং বৈশম্পায়নকীর্তিতম্ ॥১৩৮॥

জনমেজয়েন তচ্ছ্রুত্বা কৃতংসর্বং যথাবিধি। যুয়ং হি তপ্ততপসঃ সর্বে চ চরিতব্রতাঃ ॥১৩৯॥

সর্বে বেদবিদোমুখ্যা নৈমিষারণ্যবাসিনঃ। শৌনকস্য মহাসত্রং প্রাপ্তাঃ সর্বে দ্বিজোত্তমাঃ ॥১৪০॥

যজধ্বং সুহুতৈর্যজ্ঞৈঃ শাশ্বতং পরমেশ্বরম্। পারম্পর্য্যাগতং হ্যেতৎ পিত্রা মে কথিতং পুরা ॥১৪১

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তি পর্বণি

নারায়ণো মহাত্ম্যেচতুস্ত্রি শদধিকতত্তমোঽধ্যায় ॥

ঐগী পরমগুরু ওইরবা শ্রীকৃষ্ণ দ্বৈপায়ন ব্যাসগু মতম্ পুম্বদা ভগবান শ্রীনারায়নগী নাম শোন্নুনা নারায়ণগী গুণ কীর্তনত তৌহনা লৈখি ॥১৩৫॥ কৃষ্ণদ্বৈপায়ণ ব্যাসনা যোগ সাধনতনা নোামদোম্বক্ত চৎখিহনা ক্ষীরসমুদ্রগী মথান্দা দেব পুম্নমক্কী ঈশ্বর ওইরবা ভগবান শ্রীহরিগী পূজাতৌরগা মহাক্কী আশ্রমদা হেক লাকখি ॥১৩৬॥ ভীষ্মনা হায়:— যুধিষ্ঠির! নারদ মশামক্তা লৌরম্বা রারী ঐনা নত্তোন্দা অমুক লৌরবসিনি। অসুম্মা পরম্পরা লৌনরকপসিনা, ঐনা তাজিভৈনা ঐগী ঈপা নিংথৌ শান্তনুনা তাখি। অহুদগী ঈপাদগী ঐনা ঐত্তোন্দগী নংনা ওসি তাবিবসিনি ॥১৩৭॥ সূতনা হায়:—শৌনক! বৈশম্পায়ননা জনমেজয় অসুম্না লৌখিবা রারী অসি ঐনা মুনিজদা অমুক লৌজরিবসিনি। জনমেজয়না বৈশম্পায়নদগী রারী অসি তারবা তুদা শিখি কায়দনা ভগবান শ্রীহরিগী পূজা তৌখি মুনিশিং নখোয়সু অকনবা তপস্যা তৌরব ওক্তনি ॥ ১৩৮-১৩৯ ॥ নৈমিষারণ্যদা লৈরিবা ঋষি অয়াম্বা বেদগী তত্ত্ব খঙবা মক্তনি। ব্রাহ্মণ মুনিশিং অহু শৌনকগী যজ্ঞ অপুদা লোইনা তিল্লকি ॥১৪০॥ মযামসু বিধি কায়দন হোম তৌরগা সনাতন পরমেশ্বরগী পূজা তৌবিয়ু। ঐনা ওসি মযামদা লৌরিবসে ঈপানা ঈহান হানবদা ঐত্তোন্দা লৌবিরম্বনি ॥১৪১॥

মখম অসিদা মহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা শেংব সংহিতাদা নারায়ণ মহাত্মগী চহুম কুন্থামরিপুবা অধ্যায় লোইরে।

ওঁ

মণিপুরী মহাভারত

পঞ্চত্রিংশদধিক ত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(ধর্ম্ম গীতম্ব অদ্ ব্যাসনা শিষ্যশিংদা তাকপা)

চহুম কুন্থ মণ্ডাগুবা অধ্যায়

—— [illegible] ——

[illegible] উবাচ

কথং স [illegible] দেবো [illegible] প্রভুঃ । যজ্ঞভাগ [illegible] বেদবেদাঙ্গবিত্তমঃ ॥১॥

[illegible] ভগবত্ত প্রভুঃ [illegible] বিদধে স এব ভগবান্ প্রভু ॥২॥

[illegible] পূর্ব্বং ধর্ম্মময় [illegible] কথং নিবৃত্তিধর্ম্মাশ্চ কৃতা ব্যাবৃত্তবুদ্ধয়ঃ ॥৩॥

[illegible] পুম্নমক [illegible] বিসম্ব ওইরবা ভগবান নারায়ণ দেবতাবা যজ্ঞগী [illegible] — [illegible] হায়রা [illegible] পুম্নমকী [illegible] (ঐতৈম্পা) দু ভগবান্ নারায়ণ মহাক্তি হায়রম্ব অমুক [illegible] মহাক [illegible] ওইবিবগি [illegible] মরম্নীনো ? অসিদু কৌনবা অমনি ওইব হায় [illegible] ?

[illegible] পুম্নমকী [illegible]) [illegible] শ্রীভগ [illegible], [illegible], [illegible] ভগবান নারায়ণ মহামক্তি [illegible] [illegible] থবক্তা প্রবৃত্ত [illegible] অমদগা মুন [illegible] পাকিল্লি [illegible] অসিদু [illegible] ॥৪॥

---

* [illegible] অমদি [illegible] লাকপা [illegible] । ভগবান [illegible] অচ্চেত্ত চীভ্যান তৃপাল-ঠেলপাল পুম্নমকী কত্ত (অ.শ্ব মপু) নি হায়রি, অদগা পুম্নমকসিদ [illegible] অমুক [illegible]-চি [illegible] (চৃপালিনথি) [illegible] লৌকিক [illegible] অথীবা অন [illegible] । [illegible] ঠৈতোম্ব-চিব ঊম্নিগা [illegible] ওইরিবা [illegible] পুম্নমকসি [illegible] ঠেরিবা [illegible] মহাক্তা

এতং নঃ সংশয়ং সৌতে ছিন্ধি গুহ্যং সনাতনম্। ত্বয়া নারায়ণকথা শ্রুতা বৈ ধর্মসংহিতা ॥৪॥

সৌতিরুবাচ

জনমেজয়েন যৎ পৃষ্টঃ শিষ্যো ব্যাসস্য ধীমতঃ। তত্তেঽহং কথয়িষ্যামি পৌরাণং শৌনকোত্তম ॥৫॥

শ্রুত্বা মাহাত্ম্যমেতস্য দেহিনাং পরমাত্মনঃ। জনমেজয়ো মহাপ্রাজ্ঞো বৈশম্পায়নমব্রবীৎ ॥৬॥

জনমেজয় উবাচ

ইমে সব্রহ্মকা লোকাঃ সসুরাসুরমানবাঃ। ক্রিয়াস্বভ্যুদয়োক্তাসু সক্তা দৃশ্যন্তি সর্বশঃ ॥৭॥

সূতনন্দন। চিংনবসে তত্তনা ঐগী পন্মোয়দা লৈরি। মাস অমুক্ত কোকৃহল্লু। মরমদি নহাকতি ভগবান্ নারায়ণগী তোঙ্গান তোঙ্গনবা রাশীশি অদু তত্বগা লোয়ননা খঙহনা তাহনা। লৈরব মীশক্ অমনি ॥৪॥ সৌতিনা হায়ঃ—মু'ণ, শৌনক! নিংথৌ জনমেজয়না ব্যাসকী শিষ্য বৈশম্পায়ণদা নহাক্না হংলিবা রা অসিমক হংখি। কয়া থুম্বিবগে শাহবত্ন ঐ নোন্দা হায়গে ॥৫॥

থোইদোক্না শিংলবা জনমেজয়না অচ্চত্ত পূম্নবকী আত্মা ওইনা লৈরবা পরমাত্মা নারায়ণ দেবগী মহাত্ম্য মুম্ন তারবা তুংদা বৈশম্পায়ণদা অমুম্না হংখি ॥৬॥

মুণিদেব! ব্রহ্ম নচিংবা দেবতা পুম্নমক মহৃগা হিচাব পুম্নমকম্ন মপাম্ভোংগী লোককী ছংনবা চাওখৎপ-নচিংবগী থবক আসক্ত ওইহনা লৈব ডাক্ত ওইনা উহ্ ॥৭॥

মপান্গী হকচাং অসিনা সাবন (থুংলায়) ওইনা শেম্নিন। মহাক্না অমুক চা য় (ভোকা ওহাব)। গীতাগী মকম স্মমদনা মশাগী চাননবগীদমক থোসি থাক্লিবা অহুগা চাথোক্লবতদি লোম্ন লৌশা হুরানবগা অন্ধ নিম্ন হায়রি। গীতনা মখাদা কর্তৃত্ব ভোক্তৃত্ব অনমক পূশহন্দে। অনিমক পুনবগী রাদি লায়মহনা আত্মাদি কর্তা ভোক্তা অনিমক শুক্চহৈ ওহদে, মতাং অসিদা অমুম্না চিনরকপনা শৌনকনা সূতদ হংবা রানি। আগ্যাত্মক জী নমপুনশি লেম্নইংবা অহুগা ভাগবত ধর্ম চংনীংবশিংনা আত্মানা তৌরিবা থবক মতু ইম্না, হায়বদি, আত্মানা হংচংনা তৌরিবসিগুম্না থবক পুম্নমক তৌহনা মপুনশি লেনগে হোৎনরি আত্মা অমতনা শাচচন্ত হংনা, পুম্নমক্তা চপ ঈমন্ত মান্নবা লৈবিবসিগুম্না, মপানগী পাঞ্চ ভৌতিক দেহসিগা করিমত্ত পরম লৈন্দনা লৈবসিগুম্না, ভাগবত ধর্ম চংপশিনা মপুনসি লেম্নবগী সাধনা তৌরি। অহুম্না সাধনা তৌরবা ভাগবত ধর্ম চংলম্নীশিংনা ভগবাননা তৌরিবহুগুম্ন। লোইনা তৌবা ওমদে। ভাগবত ধর্ম চংপা মীনা মশানা বাসগুম্না—কনাগুম্না অমদা পীলোনথ্রবা পোৎ অহু মশানা অমুক লৌশিন্নি দে। ভগবান্ (পরমাত্মা) মশাক্ত মশানা তৌবিগা শেম্নিবা পোৎ পুম্নমক অহু মশা মতোন্দ লোইনা অমুক প্রলয় তৌরি। থবক পুম্নমক্ত ভগবান শ্রীহরিনা তৌবিবহুগুমনা তৌনিংদে। শ্রীহরিনা শাগী দেহম্নু দা

মোক্ষ প্রোক্তস্ত্বয়া ব্রহ্মন্ নির্বাণং পরমংসুখম্। যেতুমুক্তা ভবন্তীহ পুণ্যপাপাবিবর্জিতাঃ ॥৮॥
তে সহস্রার্চিষং দেবং প্রবিশন্তীহ শুশ্রুম্। অয়ং হি সুরমুষ্ঠেয়ো মোক্ষ ধর্মঃ সনাতনঃ॥৯॥
যং হিত্বা দেবতা দেবতাঃ সর্বা হব্যকব্যভুজোভেবন্। কিং চ ব্রহ্মা চ রুদ্রশ্চ শক্রশ্চ বলভিৎ প্রভুঃ॥১০॥
সূর্য্যস্তারা ধিপো বায়ুর গ্নির্বরুণ এব চ। আকাশং জগতী চৈব যে চ শেষা দিবৌকসঃ ॥১১॥
প্রলয়ং ন বিজানন্তি আত্মনঃ পরিনির্মিতম্। ততস্তেনাস্থিতা মার্গং ধ্রুবমক্ষরমব্যয়ম্ ॥ ২॥

ব্রাহ্মণ। অমরোমদনা মোক্ষ (মুক্তি— অরানব খুঙম) হায়বাসতনা অখোইব—খম্খেব সুখ শান্তিগী মশক্নি হায়নসু তাকপিরি। মুক্ত ওইগ্রবা অরানবা খুঙম্ কংগ্রবা মী মহাক অতুদি মংেক্ মঙাল লিশিং লিশিংনা থল্লবা ভগবান্ শ্রীনারায়ণদা তিল্লি হায়নসু তাক্লে ॥৮॥ অদুগা, সনাতন ওইবা মমাংঙৈদগী চৎনরক্লবা মোক্ষ ধর্ম হায়বা অসিদি, অমনা পাক্ চৎপা ঙংদবা, য়াম্ন লুপ্রবা, খুদোং থীননীংগায় ওইরবা অমা ওইনম্ন উই। দেবতাশিংনা লন্থী অসিবু থাদোক্লুন যজ্ঞগী হবা কব্যনচিংবা চাহুনা লৈরি ॥৯॥

অসিত নত্তুনা, ব্রহ্মা, রুদ্র, বলাসুরবু হাৎঙম্বা শক্তি লৈবা ইন্দ্র, সূর্য, চন্দ্র, বায়ুদেবতা, অগ্নি, বরুণ, আকাশ, পৃথিবী অসিনচিংবা দেবতাশিং অসিদি পরমাত্মানা শেমহুনা থমগ্রবা মোক্ষগী ধর্ম অমদি লন্থী অসিদি খঙদবরা ? অমাঙ অত। লৈজবা, মহাশান্তিগী মশক ওইরবা লন্থী অসিদি মখোয়দি করিগী চপ্তে, করিগী পামদে * ॥১০-১২॥

চঙহুনা ঈশ্বং মুংঙাহনা লৈথোক্ল। অদুগা ভাগবত ধর্ম চৎপাশিংনা মখোয়গী আত্মাবু। শা-ঙাগী হুকচাংসিদা চঙশিন্দুনা লৈহন্নিংদে। মাসিগী ওন্ত অসিবু নারায়ণ ধর্ম চৎনিংবাশিংনা কল্প নৈনরি।

(কালাচাঁদ)

* বৈশম্পায়নগী মফমদা জনমেজয়না হংলিবা য়াহংসি কুপন খঞ্জিনবা, খঙথীংবা মীশিংনা হংগদবা য়াকম অমখক্নি। মর্ত্যলোকত লৈব কনাগুম্বনা স্বর্গলোক ইন্দ্রলোক, সূর্যলাক ব্রহ্মলোক য়ৌনিংহুনা ধ্যান তপস্যা তৌরি। মর্ত্যলোকত সংসারগী বিষয়সুখ থাদোক্লুনা স্বর্গাত কাংখিনবা হোৎনরি। অদুগা অমরোমদদি, ইন্দ্র, বরুণনচিংবা দেবতা মখোয়দি মর্ত্যলোককী তাইবং মী মীচম অমগুম্না মর্ত্যলোককী মীনা কৎলক্পা ঙাইহুনা লৈরি। ইন্দ্রনা মাগী স্বর্গগী রাজভোগ অদু পান্মনখিবদগী মাহুবু অমনা মুনবিপ্রানি হায়হুনা মর্ত্যালোকত কনাগুম্ব ধ্যান যোগী অমনা তপস্যাবু থুগাইগদবগী হোৎনরি। মর্ত্যলোকত কনাগুম্বা ধর্ম চেনবা অমনা পামজগ্রবা, নিন্দা তৌননিঙায় ওইবা কর্ম অদু স্বর্গগী দেবতাশিংনা তৌবগী য়াকমসু পুরাণগ্রন্থশিংদা অতুম্ ইরি। স্বর্গদা কাথিবা লাইশিংসিনা মর্ত্যলোকত লৈরিঙৈদা মর্ত্যলোককী সনা লুপা সম্পত্তিবু করিমত পামদনা ধ্যান তপস্যা তৌরম্বনি। অদুবু, স্বর্গ কাগ্রবা তুংদা, ইন্দ্রগী পদবী কংলবা ঙুংদা রাজভোগ পামহুনা কোয়চেল চেন্নি। বৃত্রাসুর; বলাসুর, নমুচিনচিংবগা লাস্তেনরি।

স্মৃত্বা কালপরীমাণং প্রবৃত্তিং চ সমাস্থিতাঃ। দোষঃ কালপরীমাণেষ ক্রিয়াবতাম্ ॥১৩॥
এতন্মে সংশয়ং বিপ্র হৃদি শল্যমিবার্পিতম্। ছিন্ধীতিহাসকথনাৎ পরং কৌতূহলং হি মে ॥১৪॥
কথং ভাগহরাঃ প্রোক্তা দেবতাঃ ক্রতুষু দ্বিজ। কিমর্থং চাধ্বরে ব্রহ্মন্নিজ্যন্তে ত্রিদিবৌকসঃ ॥১৫॥

অমরকুম্বা মতম অমনা লোইত্রকপবত কাগদোরিবা (থাগদৌরিবা) স্বর্গ-চিংবগী মুংভাইবশুবু কানিং-বশিংবা, মখোই অহুরবু উদ্দেশ্য ওইনা থমহনা, সংসারগী কর্মদা প্রবৃত্ত ওইরি (চঙলে) ॥ মায়বদি অমুগুম্বা মখোই শাস্ত্রশিংনা প্রবৃত্তি মার্গদা আশ্রয় লৌরি। অসুগুম্বা সকাম কর্ম তৌরিবশিংগী দোষ অমদি পঙবা হায়ববু, পুন্‌শিগী শককুবা শীমা (খনবা) গী মতুংদা লৈনা লৈনা করগী মখোই চাহৌগে হায়রবা অহুতনি * ॥১৩॥

ব্রাহ্মণ অথোইবা! অসিগুম্বা চিংবা অমনা ঐগী থম্মোইদা তিথনা হুমুক্তুনা লৈরে। মাসিগী মরমদা খুদমগী মশক ওইবা ইতিহাসনা কহিবগী মাইরকা লৈরবদি মাথু অমনাইনা ঐগী চিংবসি কোকহনবিয়ু। মাসি ঐ অত্তনিংঙবা পুক্কী লাক্লনা লৈরে ॥১৪॥

ব্রাহ্মণ অথোইবা! যজ্ঞগী ভাগ (শরুক চাহৈবা) নিং লোনবগী—কানবগী অধিকার অসি দেবতাশিংদত লৈরিবসিনা করিগীনো? যজ্ঞ তৌবা মতমদা স্বর্গদা লৈবা দেবতাশিংবু মরু ওইনা পূজা তৌনরিবসিনা মরম করিনো? ॥১৫॥

অমরা খুদোংথীবা করা নংবগী রাজ্যনা থারা। মথোখসগী মতুংদা মুক্ত (মোক্ষ) পদবী ফংগে হায়দুনা তপস্যা তৌবা কনাসু হাওদে। দেবতাশিংদিন শাখবা, মরু কাওবা মতুংদা মোক্ষ পদবী অসিবু তাইবং মী সাধক কনা কনাগুম্না, অমুক থাম্মুবসি করিগীনো হায়না জনমেজয়না হংবা নানি। মোক্ষ (মুক্তি) পদবী হায়বা অমা লৈ হায়বা লাও থাইবৈবকী থাইশিংসিনা খনদে। যয়াত মতমনচিংবনা স্বর্গগী ভোগ ফংডুরকারবদা অমুক হন্না মর্ত্যলোকত কুমথরকুনা ধ্যান তপস্যা তৌরাই। অমত অত, লৈত্রবা, লেঙত্রবা সনাতন ওইরবা, খাইদগী হেন্না মুংভাইনবগী মশক ওইরবা মফম (পরমানন্দ ধাম) নি হায়রিবা অসিবু দেবতাশিংনা থোদোক্লা থোংনাংখ্রিবসিনা করিগীনো? মত্ত্যগা জীবসিনা দেহমুংদা লৈরিবগুম্বী মথৈ মোক্ষ পদবীসু ফংবা হায়বসি ওইথোক্কবনি হায়না খল্লুবদগীনা? অদু ওইরবদি মর্ত্য লোকপী পুনর্শি তেল্লবা তাইবং মী ঐখোয়না মুক্তিগী ধামবু ফংবা হায়বসি ওইথোক্কবনি।

অসিনচিংবসি চিংনরকুনা জনমেজয়না বৈশম্পায়নদা হংবনি। অদুগা, অমনা হাইরো হাইবা, অয়ানবা খুত্তম ফংলবা মীনা ঐ অমানগা খুত্তম ফংলো হায়দসি থক্কবা? অদু ওইরবদি মাংদস্তু ঐ (অহম) হায়বসিমদি অথুম মরাক্কদৌরি।

(কালাচাঁদ)

* প্রমাণ অমদা হায়রগা:—কাসি তৌগদবা পুখাত অমত ভায়রা, নগাই মখক্তা কাখৎলবা মীনা, মহাক্লা নহালমথৈ কম্ম হোৎনদুনা কাবা কি অকুবু ভাকত ওরবস্তু লেৎচনীবতুগুম্বা তাইবং

[illegible] চ ভাগং প্রগৃহ্ণন্তি যজ্ঞেষু দ্বিজ সত্তম। [illegible] যজন্তো মহাযজ্ঞৈঃ কস্মা ভাগং দদন্তি বৈ ॥ [illegible]॥

বৈশম্পায়ন উবাচ

[illegible] গূঢতমঃ প্রশ্নস্ত্বয়া পৃষ্টো [illegible] [illegible] তপসা [illegible] বেদবিদা [illegible] ॥

নাপুরাণা বিদ [illegible] শক্যো ব্যাহর্ত্তুমঞ্জসা। [illegible] কথয়িষ্যামি যন্মা পৃষ্টঃ পুরা গুরুঃ ॥ ৮॥

কৃষ্ণদ্বৈপায়নো ব্যাসো বেদব্যাসো মহান্ ঋষিঃ। সুমন্তুর্জৈমিনিশ্চ [illegible] [illegible] ॥ [illegible]॥

[illegible] শিষ্যো বৈ পঞ্চমঃ শুকঃ [illegible]। [illegible] সমাগম্য [illegible] [illegible] ॥ [illegible]॥

[illegible] যুক্তান্ [illegible] [illegible] মহাভারত [illegible] ॥ ১১॥

[illegible] গিরিবরে রম্যে সিদ্ধচারণ [illegible] [illegible] কদাচিৎ সংশয়োঽভবৎ ॥ ১২॥

[illegible] সমস্ত [illegible] [illegible] স্বর্ণগী [illegible] [illegible] কন্যা কন্যাদা [illegible] কন্যা [illegible] ॥

[illegible] তপস্যা [illegible] ॥

[illegible] মহাভারত [illegible] ॥ ১০॥

[illegible] গুরুদেবগী শিষ্য অংম অসিগী [illegible], [illegible] বৈশম্পায়ন) [illegible] ॥

[illegible] শিষ্য [illegible] আচার [illegible] গুরুর সেবাদা পুরুষ [illegible] গুরু [illegible] বেদব্যাস [illegible] মহাভারত [illegible] ॥ ১২॥

[illegible] পুরুষ [illegible]

[illegible] প্রযোগ [illegible]

[illegible] চারি [illegible]

[illegible]

এষ বৈ সত্বয়া পৃষ্টস্তেন তেষাং প্রকীর্ত্তিতঃ। ততঃ শ্রুতো ময়া চাপি তদ্যথোরোহভদ্য ভারত ॥২৩॥
শিষ্যাণাং বচনং শ্রুত্বা সর্বাজ্ঞায় তপোহচ্যুতঃ। পরাশরসুতঃ শ্রীমান্ ব্যাসো বাক্যমথাব্রবীৎ ॥২৪॥
ময়া হি সুমহত্তপ্তং তপঃ পরমদারুণম্। ভূতংভব্যাং ভবিষ্যং চ জানীয়ামিতি সত্তমাঃ ॥২৫॥
তস্য মে তপ্ততপসো নিগৃহীতেন্দ্রিয়স্য চ। নারায়ণ প্রসাদেন ক্ষীরোদস্যানুকূলতঃ ॥২৬॥
ত্রৈকালিকামিদং জ্ঞানং প্রাদুর্ভূতংযথেপ্সিতম্। তচ্ছৃণু ধ্বং যথান্যায়ং বক্ষ্যেসংশয়মুত্তম্ ॥২৭॥
যথাবৃত্তং হি কল্পাদৌ দৃষ্টং যে জ্ঞানচক্ষুষা। পরমাত্মেতি যং প্রাহুঃ সাংখ্যযোগবিদো জনাঃ ॥২৮॥
মহাপুরুষ সংজ্ঞাং স লভতেস্বেন কর্মণা। তস্মাৎ প্রসূতমব্যক্তং প্রধানং তং বিদুর্বুধা ॥২৯॥

ব্যাসনা মকমদা চিংনহুনা হংখি। মতম অদুদা তাকখিবা রা পুন্নমক অনো ঐ নিংথৌ নত্তোন্দ অমুক্ হায়গে ॥২২-২৩॥

শিষ্যশিং ঐখোয়গী চিংনবা হংলিবা রাহং অদু তাবদ, থম্মোষগী অমস্থা পুন্নমক কোকহন্নবগী মশক ওইরবা পাউগস্থু গুরুদেব ব্যাসনা অস্নুম্না পীখি ॥২৪॥

সাধু মহাত্মাশিংগী মমুংদা অথোইবা অমদি শীংথানবা য়াব মীশক ওইনা লৈরবা শিগ্নাশা। মমাংতৈগী য়ানি; ভূত, বর্ত্তমান কাল অহুমকী জ্ঞানবু ফংনিংহুনা ঐনা য়াম্ম তপস্যা তৌখি ॥২৫॥

ইন্দ্রিয়শিংগী রূপরসনচিংবা বিষয়শিং খুত্তম চন্দুনা তপস্যা তৌরবা ভগবান শ্রীনারায়ণগী থৌজান্দগী ক্ষীর সমুদ্রগী মপান্দা ঐনা ভূত ভবিষ্যৎ, বর্ত্তমান কাল অহুমকী জ্ঞান ফংখি। অদুনা জ্ঞান অদুগী পামবৈনা নখোয়গী চিংনবহু কোকহন্নবগীদমক্তা যুক্তি যুক্ত ওইবা রাহু ঐ নখোয়দা হায়গে। য়াম্ম পুক্নিং চঙন তাও ॥২৬ ২৭॥

কল্পগী অহানবা শরুক্ত থোকখিবা ঐনা জ্ঞানগী দৃষ্টিনা উবা থৌদোকশিং অদু ঐ তমগে। সাংখ্য অমদি যোগগী জ্ঞানীশিংনা মহাকপু পরমাত্মা হায়না কৌনরিবা মহাক অদুনা মহাক্না তৌরিবহুবু কর্ম হায়না কৌনরিবা মহাক অদুনা মহাক্কী কর্মশিং অসিগী প্রভাবতগী মহাপুরুষ হায়না মিংথোল আসস্নু অমুক পুই। অদুগুম্না পরমাত্মা মহাপুরুষদগী অব্যক্তগী উৎপত্তি ওইখি। মহাকপু বিদ্বান্ জ্ঞানীশিংনা প্রধান হায়নস্নু কৌনৈ ॥ * ২৮-২৯॥

* ভগবান পরমাত্মা, মহাত্মা অদুগা মহাপুরুষ ওইরবা ভগবান মহাক্কী সৃষ্টি, রূপ, কর্ম, মূর্ত্তি অনিনচিংবসি ব্যক্ত (কোম্ভদোকপা) অদুগা অব্যক্ত (কোম্ভদোক্তবা মশক উদবা) অস্নুম হায়না অনি অনি থোক্ল লৈরি। ব্যক্তস্নু মত্তোন্দগী অদুগা অব্যক্তস্নু মত্তোন্দগী অদুম থোকখি। মাসিদা য়েংনবিক্তাই বিষয় হায়রবু মশক উবা (ব্যক্ত ওইবা) পোৎশক থোকখি—পোকখি হায়বদি য়াই। মশক উদবা কোংদোক্তবা (অব্যক্ত ওইবা পোৎশক পোকখি হায়রবসি য়েংনবিক্তাইবি মশক উদবা, মশক কোংদোক্তবা পোৎশক অম লৈরে হায়বসি লৈতে হায়রবগুম্বনি। মশক উদবা পোৎ অদু অমস্নু অমহু ওইবা ঈরা ময়ারবনিনা

অব্যক্তাৎমুপুন্নং লোকসৃষ্ট্যর্থ মীশ্বরাৎ। অনিরুদ্ধোহি লোকেষ্ মহানাত্মেতি কথ্যতে ॥৩০॥
যোঽসৌ ব্যক্তত্ব মাপন্নো নির্মমে স পিতামহম্। সোঽহংকার ইতি প্রোক্তঃ সর্বতেজোময়োহিসঃ ॥৩১॥
পৃথিবী বায়ুরাকাশমাপো জ্যোতিশ্চ পঞ্চমম্। অহংকারপ্রসূতানি মহাভূতানি পঞ্চধা ॥৩২॥

অহুদগীদি অউবা, ব্যক্ত ওইবা জগৎপু শেমগে হায়বগীদমক্, অহানবদা শেমগ্রিবা অব্যক্ত অহুদগী ব্যক্ত ওইবা পোশকস্ন শেমখি। হায়বদি, অব্যক্তদগী ব্যক্তগী উৎপত্তি ওইথি। অহুগুম্বা মহাক অহুবু অনিরুদ্ধ (অমনা থিংম কাব যাদব) ওইবা মহান্ আত্মা হায়নম্ন কৌনৈ * ॥৩০॥

ব্যক্ত ভাব (মশক মওং নাইবা—অউবা মওং) বু লৌনরবা অনিরুদ্ধ (অপনব অথিংব লৈতবা) ওইবা ভগবান শ্রীনরায়ণনা পিতামহ ব্রহ্মাগী সৃষ্টি তৌই। ব্রহ্মাগী মশা পুম্বহু তেজতগী মশক্তি। মহাকপু জীব পানবা পোং থুদিংমক্তা লৈবিবা অহংকার পুম্নমক্কী মপৈ (মপুম) নি হায়নৈ। ‡ ॥৩১॥

অব্যক্তনা ব্যক্ত ওইরকপগা হেক লোয়ন লোয়না "অহংকার" ত কৌব তত্ত্ব অসি থোরকপনি।

অসিনি হায়বা অরেপ্পা অম লৈত্রবনিনা লৈতে হায়বগা অহ্মানি। অসুম হায়না য়েৎলবদা থুমগদবা হায়ববু —"আকাশ" হায়বসি অব্যক্ত ওইবা পোশক অমনি। মাগী মশক মওং লৈরম্ব য়াই; অহুবু মাহু অব্যক্ত নি। অসুম ওইবা, অব্যক্ত ওইবা পোশক অসি মন (পুক্নীং কৌবা ইন্দ্রিয়) দগী পোকখি। "পুক্নীং" ইন্দ্রিয় মহাকসিসু মশক উদবা, অব্যক্ত ওইবা পোশক অমনি। অব্যক্ত "পুক্নীং" দগী অব্যক্ত ওইবা আকাশ পোকই। আকাশ অসিদগী মপু কাবা ব্যক্ত ওইদবা 'বায়ু" (নুংশিৎ) পোকই। নুংশিৎনা হকচাংদা থেংবা শোকপদা "অঙ্গীংবা" নচিংবা স্পর্শ অসি ব্যক্ত ওই. অহুবু অহুসু মশক মওং লৈতে। অসিগুম্বা অব্যক্ত ওইবা নুংশিৎতগী পোকলকপা মৈদি মপু কানা ব্যক্ত ওইবে। মশক্ উরে, মচু উরে, লৈকম (চাকলিবা মকম) উরে। অহুদগীদি ঈশিং, ঈশিংদগী লৈপাক অসুম হায়না ব্যক্তদগী ব্যক্ত, অসুম মথং মথং পোক্লগ্রে। মরম অহুনা ব্যক্ত ওইবা পোক্‌খিবহুগুম্না, অব্যক্ত ওইবা আকাশগুম্বা পোশকত লৈ হায়বা য়াবহুগুম্ন অব্যক্ত ওইবা পোশক্লসু অহুম মহায়রনি। অহুনা পঞ্চভূতশিংগী মমুংদা অব্যক্ত ওইবা আকাশনা ঈহান হায় পোকখিবহুগুম্না, পুম্নমক্কী পোক্লকম ওইবা পরমাত্মা মতোন্দগী ঈহান হানবদা অব্যক্ত পোকখি। পুকমুংদা লৈরিবা অভাঙ অসি পোকত্রিমথৈ ব্যক্ত ওইদে। অহুনা অব্যক্ত ওইহুনা হায় লৈরিবহুগুম্বনি। (কালাচাঁদ)

* অউবা প্রকৃতি অসিদা হৈপাল লৈপাল, উ-রা, চীংমান, পুম্নমক অসিবু ব্যক্ত ভাক্তনি। অহুবু, ব্যাক্তশিং অসিগী মশাদা অব্যক্ত কয়া কয়া লৈরি। উরিবা পোং থুদিংগী মশক্ মওং নাইদবা উদবা

‡ মশক মওং নাইদবা (লৈতবা) পোশক্ অমনা, মশক মওং নাইরকপনি, হায়বদি, অব্যক্ত ওইরম্বনা ব্যক্ত ওইরকপদি, মরক্তা অপনবা-অখিংবা য়াম্ন লৈথি। অব্যক্তনা ব্যক্ত ওইরকপা অসি পাক .হক্

পোৎ কয়া কয়া লৈ। মনুংগী উদবা, অব্যক্ত ওইব পোৎ অচুংগী মপানগী অউবা (ব্যক্ত ওইবা) পোশক্ক থোক্‌থিবনি। অচুনা, অউব অবস্থাদা লৈরিবা পোৎ খুদিংমক উরবা অব্যক্ত (অব্যক্ত ওইবা) অবস্থাদ লৈরম্ব ওাক্তনি। অমরোমদা হায়রগা অব্যক্তচুনা ব্যক্ত ওইরক্‌পা মক্তনি। নিরাকার ওইনা লৈরম্বশিংনা সাকার ওইরকপা ওাক্তনি। অচুনা, নিরাকারত্ব—সাকারত্ব হম অনীমক পোৎ খুদিংমক্ত লৈ। নিকারত্বদগী সাকারনা তোঙান্ন চোংথোরকপস্ব নত্তে। নিরাকারচুনা সাকারদা ওন্থিরকপতনি। লৌকিক ওইবা প্রমাণ খুদম্‌দি:—মাচুং লৈরিবা উজাও মাস ব্যক্ত অবস্থাদ লৈরি। ব্যক্ত ওইনা লৈরিবসিগী মনুংদা বশক মওং লেপত্রিবা, মসি থোঙ্গ্রিবা চৌগী, কাংথোক্লনচিংবা মমিং মওং মশক নাইনা লৈরিবা পোৎ কয়া কয়া লৈরি। মথংদু লৌকিক অব্যক্ত অবস্থাদ লৈরি। উজাও মপৃম অসিনা মরীক মচেৎ অমত অরেম্বদ মাচুংদদা চৌকী কাংথোক্লনচিংবা পোৎকশিংদ লোইনা ওনশিল্লবদি অব্যক্তশিং অচুনা ব্যক্ত ওইরকপত্তনি। লৈদমুবদগী হায়বদি লৈতবগী, লৈবা হায়বত্ত ওইথ্রবনি। অশাব মানা শাবিত্রবদি ব্যক্ত ওইরিবা উজাও মসি ব্যক্ত ওইচুনা অমুমক লৈখিগনি। অচুবু, মহাকপু অব্যক্ত ওইখিগদগী নত্তা ওইদুনা লৈরি। নিরাকারবু সাকারু ওইহনগে লৈতবনু (লৈত্রিবদু) লৈবা ওইহনগে হায়বসি অশাব (বৃথা) মখী মথুন্ত লৈ। অচুনা, ব্যক্ত ওইনা লৈরিবা, উরিবা বিশ্ব জগৎ অসি অব্যক্ত ওইবা বর্ত্ত অমনা ব্যক্ত ওইহল্লকপ কনি। মসিগুম্না মত অসিগী মতুং ইন্না শঙ্করাচার্য্যনা জীবদগী ব্রহ্ম পোরক্কদবা নত্তে, জীবাসা ব্রহ্মবু লেমচৎদবা নত্তে জীবমশামক্তা ব্রহ্ম ওইজরকপনি, অমনা ব্রহ্ম হায়ববু জীব অসিমক্ত—"জীবো ব্রহ্মৈব কেবলম্‌"—হায়খ্রবনি। অদুগা লুরিবা রাকমনা করিমো হায়বদা—জীবত্মাসু অংশতনি, ব্রহ্মসু অংশতনি। অংশচুনা অব্যক্ত ওইবা ওংশত্রকপনি হায়রদি রেংনমীওায় য়াম্ন লৈরে। অচুনা জীব—ব্রহ্মগী অস্তিত্ব, পৃথক্ত্ব, একত্ব, দিত্ব (লৈ—লৈতে, তোঙান্ন লৈ, অমৃত ওইনা লৈ,) অসিনচিংগী বিষয়দা অমিত্য সংসংগী করিগুম্বা পোৎক অমতনা প্রমান খুদম ওইনা পীবা য়ারোই, মহাক্তি স্বতঃ প্রমাণনি, পরতঃ প্রমাণ নত্তে। স্বতঃ প্রমাণ, পরত, প্রমাণ অনীমক্তা পীগদদবনি হায়বসিনা মণ্ডন নামিশ্রগী মতনি। অচুনা শংকরাচার্য্যগা মণ্ডন নামিশ্রগা মতম্‌ কুইনা শাস্ত্রর্থ (তর্ক) তৌনখি। মরৈবগুদা শঙ্করাচর্য্যনা ওনখি। মণ্ডন মশাবু শেমজদ্রি, আত্মাবু শেংহনি মরূপ য়েক্লবা অনীমক আত্মা মশা অমতনা ওথহনজবনি, শেমজন্দ হায়না গীতানা হায়রিবদুগুম্না হায়রনতদা ঊকায় কায়দে। (কাঙ্গাচঁদ)

ওইরকপা নত্তে। ওইরকপা মতমদা অংশবা অদিংবা কায়দনা ওইরকপনি। মশক মওং নাইচুনা অউব পোৎশক অমা ওইচুনা চোংথোরকপ উত্তবশ্রমনা তোকখবনা অয়াম্বনি। প্রধান অমর হায়রগা মশক্ মওং নাইনা মপান্দা থোরক্তরব হাখল— অমুমান নয়া কয়ানা ব্যক্ত ওইদুনা অউবা পোৎশক ওইবা চোংথোক্লমদনা তেক্নোল তাকচু। তাকপিবা কয়া কয়া লৈখ্রনি মাহ অনানবা অখিবে কয়া লৈখিবদগীনি।

মহাভূতানি সৃষ্ট্বৈব তান্ গুণান্ নির্মমে পুনঃ। ভূতেভ্যশ্চৈব নিষ্পন্না মূর্তিমন্তশ্চ তাঞ্ছৃণু ॥৩৩॥
মরীচিরঙ্গিরাশ্চাত্রিঃ পুলস্ত্যঃ পুলহঃ ক্রতুঃ। বসিষ্ঠশ্চ মহাত্মাবৈ মনুঃ স্বায়ম্ভুবস্তথা ॥৩৪॥
জ্ঞেয়া প্রকৃতয়োঽষ্টৌতা যাসু লোকাঃ প্রতিষ্ঠিতা। বেদাঙ্গ সংযুক্তান্ যজ্ঞান্ যজ্ঞাঙ্গসংযুক্তান্ ॥৩৫॥
নির্মম লোকসিদ্ধ্যর্থং ব্রহ্মা লোকপিতামহঃ। অষ্টাভ্য প্রকৃতিভ্যশ্চ জাতং বিশ্বমিদং জগৎ ॥৩৬॥
রুদ্রো রোষাত্মকো জাতো দশান্যান্ সোঽসৃজৎস্বয়ম্। একাদশৈতে রুদ্রাস্তু বিকারপুরুষাঃস্মৃতাঃ ॥৩৭॥

অব্যক্ত ওইরবা অহংকারদগী, অব্যক্ত অসিনা ব্যক্ত ওইননবা মচাক মঙা হায়বদি মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, আকাশ, লৈপাক মখোয় অসি, ব্যক্ত ওইনা চোংথোকখি ॥৩২॥

অহংকারনা মাগী ব্যক্ত স্বরূপ ওইনা থোরকপা ব্রহ্মানা পঞ্চ তন্মাত্রা ওইনা লৈরবা মৈ ঈশিংন-চিংবা তত্ত্ব মঙা অসিবু পঞ্চ মহাভূত ওইনা হায়বদি অউবা অচৌবা মহাভূত অমমম ওইনা সৃষ্টি তৌখি, শেম-দোকখি। অদুগী তুংদা মখোয়সিগী অমমমগী রূপ, রস, গন্ধ স্পার্শ, শব্দ হায়না কৌবা গুণ মঙা শেমখি। হায়রিবা ভূতশিং অসিনা ব্যক্ত ওইনা তাইবং মীশক ওইনা ব্রহ্মানা মশাদগী মরীচি, অঙ্গিরা, অত্রি,পুলস্ত্য, পুলহ, ক্রতু, বসিষ্ঠ অদুগা স্বায়ম্ভব মনু নিপাল অসি পুথোকখি। মশাদগী পোকহনখিবা-পুথোক্খিবনিনা ব্রহ্মাগী মচানি হায়নৈ ॥৩৩—৩৪॥

মখোয় অসিবু মশক্ উবা প্রকৃতি মথল নিপান্মুনি হায়না খঙগদবনি। মখোয় নিপাল অসিগী মথক্তা, হায়বদি মখোয় অসিনা মগাক ওইদুনা লোক পুন্নমক শেমখিবনি। অদুগী তুংদা, লোক পুন্নমকী পিতামহ লোক পুন্নমক অসিগী জীবিকাগীদমক্ত বেদ বেদাঙ্গ ময়ামগী অদুগা অঙ্গ পুন্নমক্না তিন্নবা যজ্ঞ-শিংগী সৃষ্টি তৌখি। হায়রিবা মখোয় নিপালসিদগী জগৎ আপুম্ অসি থোক্খিবনি ॥৩৫-৩৬॥ ব্রহ্মাগী

অনিরুদ্ধ ওইবা অপনবা অথিংবা লৈহন্দবদি ভগবান শ্রীনারায়ণত্তনি। অদুমক্তনা ভগবান হায়রিবসিনি। মহাপুরুষ ওইখিবমথৈ ভগবান হায়বা য়াদে, সর্বশক্তিমান নত্তে। পাম্বোম মরি পানগে, লিশিং অমা হায়বা রাথল অদুবু থবকত পুথোকতুনা ব্যক্ত ওইহনবদি ভগবান নারায়ণ মহাক্তনি। পাম্বোম লিশং অম পানব, মকোক তরা পানবা কার্ত্তবীর্যবু, রাবণনচিংবসু ভগবান হায়বা য়ারোই। অকনবা তপস্য কয়া তৌদুনা অরাবা কয়া থাওদুনা ফংখিবনিদি হায়ববু ভগবানগী বরনা ওইজখিবনি। মথন্ত তুমি তুমিন্ন কম্-দুন হেক হেক ওইখিব নত্তে। মাদু, মখোয় মশা মশানা অনিরুদ্ধ ওইবা ওমখিদদুনা তৌখিবনি। অনি-রুদ্ধ হায়বা শক্তি অসি ভগবানগী শক্তিসি মরু ওইনা মরু ওইনা মরিনি। মাদুদি বাসুদেব শক্তি, সংকর্ষণ শক্তি, প্রদ্যুম্ন শক্তি অদুগা অনিরুদ্ধ শক্তি—। অব্যক্ত শক্তি মরি অসিবু ব্যক্ত ওইহন্দুনা তাইবং মীশক্ অমমম ওইনা চোংথোক্হন্দুনা ভগবাননা লৌকিক লীলা শান্নখিরনি। বৈজ্ঞানিক লীলা কয়া শান্নখিবনি। বৈজ্ঞানিক কয়া কয়াগী অব্যক্ত ওইবা রাথলশিংনা পোশক্ ওইনা চোংথোক্তুনা ওহাক্

তে রুদ্রাঃ প্রকৃতিশ্চৈ সর্বে চৈব সুরর্ষয়ঃ। উৎপন্না লোকসিদ্ধার্থং ব্রহ্মানং সমুপস্থিতাঃ ॥৩৮॥
বয়ং সৃষ্টা হি ভগবংস্ত্বয়া চ প্রভবিষ্ণুনা। যেন যস্মিন্ন ধীকারে বর্ত্তিতব্যং পিতামহ ॥৩৯॥
যো২সৌ ত্বয়াভিনির্দ্দিষ্টোহ্য ধিকারো২র্থচিন্তকঃ। পরিপাল্যঃ কথং সে সাহং কারেন কর্ত্তৃণা ॥৪০॥

ওহাক্ লৈরম্মি, কোঙ্গোল তাককুম তাকৃখি। মাঙ্গমা মৃৎখিনবা রাখল কয়া কয়া অহুম্ মপায়থৎলি, নৈনরি, ঙৈরাইনরি। অতুনা মায়া বিদ্যামক্তনি। অতুগুম্বা বিদ্যানা বিদ্বান, জ্ঞানী ওইবনা ভগবান ওইবা ঙম-গদবা নত্তে। মাগী মাগী ধর্মবু শৌগৎননবগীদমক্ত ভগবান বুদ্ধ, ভগবান মহাবীর, ভগবান যীশু, প্রভু যীশু অদিনচিংবা হায়জিল্লি। হায়জিল্লগা ওইগদবা নত্তে। ব্রহ্মা কাওববু ভগবান ব্রহ্মা হায়নজ্রিবনি। মমায় মম্রি লোভিবছু মহাক্কী রাখন্ম নত্তে। মহাক্ অনিরুদ্ধ নত্তে। অতুনা, অনিরুদ্ধ ওইবা ভগবান নারায়ননা অজ্ঞাবু ব্যক্ত ওইনা চোংথোক্‌হনখিবনি। (কালাচাঁদ)

অশাউবদগী রুদ্র পোকখি। রুদ্র মহামক্না রুদ্র তম্বা অমমুক পুথোকখি। অতুনা রুদ্র তরামথোইনি। মখোয় তরামথোই অসি বিকারপুরুষমক্তনি হায়না খঙনগে। ‡

রুদ্র তরামথোই, প্রকৃতি মথল নিপাল অহুগা ঋষিশিংনা লৈরিবসি লোক পুন্নমক্কী ভাক্লনবগী অহু-গা বিশ্ব জগৎ অসিগী কান্নবগীদমক্তনি। মখোয় পুন্নমক্ ব্রহ্মাগী সেবাদা পূক্নীং চঙহনা মপা ব্রহ্মাগী সৃষ্টিগী মতেং পাংহুনা লৈ ॥৩৮॥

মখোয় ময়াম অহনা ব্রহ্মাদ অহুন্ন হায়খি— ভগবান! পিতামহ! নহাক্কি ওন্থোক্ক নতিক নগুণ চাউবনি। নহাক্না ঐখোয়বু শেম্খিবনি, নশাদগী পুথোকখিবনি। ঐখোয় অমময়া তৌগদবা ঈথৌ পূম্বা তাকপিরো। অহুবু, ঐখোয়গী ঈশা ঈশাদ অহংকার (ঐ হায়বা রাখল) অসিমদি লৈরি। ঈথৌশিং

‡ দেবতাশিংনা অহুগা ঋষিশিংনা ব্রহ্মাদ হায়রিঘ বাসি য়াম্ন মমল য়াম্বনি। নারায়নগী য়াথংদগী না "শেম্বনি" হায়না থক্লিবা ব্রহ্মাতম্ন "ঐনা শেম্বনি—শাবনি" হায়বা অহংকার (ঐ হায়বা রাখল রাঙাও) অসিবু থাদোক্পা ঙমদে। অহংকারসিগা শেমখি-পোকহনখিবনা অচচ্চত্ত প্রকৃতিগী জীব খুদিংমক্ত অহংকার হায়বসি অহুম ময়াওরক্লবনি। পোকপদগী লোয়নয়ক্লবা বিষয় অমা ওইবনা শাক্ থাদোক্পা ঙম্মদ্রিবসিনি। অতোপ্প অতৈ থবক অমত পায়হংনীভায লৈততা থবক অমবু লোইশিনবা ঙম্মদ্রিবসি অহং-কার হায়বা অসিনা পূক্নীংদা থম্মোয়দ মহুম শাহুনা লৈম্রিবননি। ঐখোয় অচম্বা সাধারণ ওইবশিংগী রাদি কয়ি অমুক হায়ক্লনি? যোগী ঋষিশিং অহুগা ব্রহ্মাগী সৃষ্টিগী থবকত মতেং পীগদৌরিবা মহাজ্ঞানী মখোয়শিংনসু "অহংকারনা তিল্লিবা ঐখোয়না করম্না থবক্ পাঙথোকদৌরিবনো" হায়না তৌজিক হায়রিবসিনি। থবকপু মপুং ফানা লোইশিল্লমদনা চংশ্রিবা জীবশিং অহুনা থবক্ (কর্ম) তনা শাবা, কর্ম মশেগী মশক ওইরবা সংসারসিদগী করম্না মুক্ত ওইহনা পোকপা পিবগী লাংদগী নাম্থোকদৌরিবনো? অহু নিষকাম কর্মযোগগী পাম্বৈনা কর্ম যোগী ওইবা তাইবং মীনা লাস্তেক্নবা হোংনরি। অহুগীদমক্তা তাইবং মীগী মপোকপু

প্রবিশস্ব বলং তস্য যোঽধিকারার্থচিন্তকঃ। এবমুক্তো মহাদেব দেবাংস্তানিদমব্রবীৎ ॥৪১॥

ব্রহ্মোবাচ

সাধ্বহং জ্ঞাপিতো দেবা যুষ্মাভির্ভদ্রমস্তু বঃ। মম পোষা সমুৎপন্না চিন্তা যা ভবতাং মতা ॥৪২॥

লোকত্রয়স্য কৃৎস্নস্য কথং কার্যাঃ পরিগ্রহঃ। কথং বলক্ষয়ো ন স্যাৎ যুষ্মাকং হ্যাত্মনশ্চ মে ॥৪৩॥

ইতঃ সর্বেঽপি গচ্ছামঃ শরণং লোকসাক্ষিণম্। মহাপুরুষমব্যক্তং স নো বক্ষ্যতি যদ্ধিতম্ ॥৪৪॥

অসিবু অহংকারনা তিন্নবা ঐখোয়না করম্মন পাওখোকদোইরবনো * ॥৩৯ ॥০॥ 'মরম অহুনা ঐন ঐন ঙমগদবা, ঐগী ঐগী অধিকার অমমমগী অহুগা প্র য ক্ষন (কাম্রব') অমমমগী মহুং ইম কনা কনানা করি তৌকন্ন থোকপা অ'স পুম্নমক অসি মচা তানা পাবিযু অহুগা ঐগী ঐগী তোঙান তোঙানবা শক্তি অহুম্ন পীনবীযু। দেবতাশিংনা অমুম হায়জবদা লোক ক্ষামক ব্রহ্মান' দেবতাশিং অহুদা অমুমনা হায়রকই—

ব্রহ্মানা হায়ঃ— দেবতা পুমনমক। মাগমন ড'স ঐ ঙন্দ, পুম্নমক ক্রুবরা অমনী শিজনবীরে। মরামগী মঙ্গল নমক ড'স দেবতানা মায়মমামগী নুম্মরদা খঙনীবাচিনবা অম কাওরক্রিতসিগুম্মদনা ঐগী থম্মোযদম্ম চিনবা মমাদ খঙনা বাস পোক্লে ॥৪৮॥

লোক অকমদা লৈরিবা জীবশিং অসিগী অধিকারদা লৈরিবা জীবশিং অসিগী অধিকারদা লৈরিবা থবক মথৌ পুম্নসি কনম হায়না পাওখোকহনগদগে। অদুগা মখোয়গী থবক পাওখোকতাম্লা হায়দনম্ন ঐগী অহুগা দেবতানাথ মগী শাক্তি শনহনবাদি য়দে। ঐখোয়গী শাক্তম্ন হন্‌হন্দন অহুগা জীবশিং অসিগী মথৌ থবকম্ন পাঙথোকহনবা য়াব, অসিগুম্ব কর্ম অম তৌগনি ॥৪৫॥

মসি ঐখোয়ন লেপনব ডম্ব মত্রে মশক উহন্দনা কদুন জগৎ পুম্নবু ঊবিরা, শীল্লবা, মহাপুরুষ ভগবানগী নাকত চত্তক্রস মপান্ন ঐখোয়না নীংবাস লাম্নদনা থুহনাবগনি ॥৪৬॥

খুদেম্নু ব্রহ্মা মশামক্লা কল্লবৃ। ব্রহ্মামক মহাদেব মীগী মপোক্ল হাংকিনস আগদগনি। মশাদা অহংকার লৈব মী অমনা অহংকার অমবু অমুক পোকহনবা শেম্ব দ য়াই। অদুগা মশাদা অহংকার লৈরিবা ব্রহ্মানা নিরহংকার ওইবা মীবু মেত্তুনা শেম্ব শাবদি ঙমদে। অহংকারনা কূপলবা থাংগৈশেংবা আত্মা ওইত্রবা অনাত্মা মহ বৃত্তি মহাক মশা মথস্তনা অহংকারগী কুয়োমদগী থোরক্রবা জোৎনজগদবনি। আত্মা মহাক মশা মথস্তনা মশান মশাবু কপ্পজগদবনি। ব্রহ্মাদা বিষ্ণুনা অমদি মহেশ্বরদা খুৎ লোম্নকরগা য়ারোই। অহুনা, রাকম অসি রাম্ন অরব মতাং অম ওইবনা খাংবাশিংনা লেপনব ঙমত্রহুনা মখোয়বু পুথোরকলিবা পোকহনকলিবা ব্রহ্মাদা ওম্ভিন্দুনা হংলিবান। অহংকারন লৈবরস্ন, অহংকারবু থোকহনবা ঙমত্রবম্ন কোম্নরবা প উতাকাত অহুম পীবা মরায়। (কাঙ্গাটাদ)

* হায়রবগী ভাবার্থঃ- অচচক্ত জীব পানব খুদিংকী মৈ, ঈশিং, লৈপাক, নুংশিং, আকাশনা শেম্বা হকচাংদা লৈহুনা আত্মা মহাক মথস্তন। তোঙান তোঙানবা শক্তি পীজমরি। শক্তি অস

ততস্তে ব্রহ্মণা সার্দ্ধমৃষয়ো বিবুধাস্তথা। ক্ষীরোদস্যোত্তরং কূলং জগ্মুর্লোকহিতার্থিনঃ ॥৪৫॥
তে তপঃ সমুপাতিষ্ঠন্ ব্রহ্মোক্তং বেদকল্পিতম। স মহানিয়মো নাম তপশ্চর্য্যাসু দারুণঃ ॥৪৬॥
ঊর্ধ্বা দৃষ্টির্বাহবশ্চ একাগ্রং চ মনোঽভবৎ। একপাদঃ স্থিতাঃ সর্বে কাষ্ঠভূতাঃ সমাহিতা ॥৪৭॥
দিব্যং বর্ষসহস্রং তে তপস্তপ্ত্বা সুদারুণম্। শুশ্রুবুর্মধুরাং বানীং বেদ বেদাঙ্গ ভূষিতাম্ ॥৪৮॥

শ্রীভগবানুবাচ

ভো ভো সব্রহ্মকাদেব ঋষয়শ্চ তপোধনাঃ। স্বাগতেনার্চ্য বঃ সর্বাঞ্ শ্রাবয়ে বাক্যমুত্তমম ॥৪৯॥
বিজ্ঞাতং বোময়াকার্য্যং তচ্চ লোকহিতং মহৎ। প্রবৃত্তিযুক্তং কর্তব্যং যুষ্মৎপ্রনোপবৃংহণম্ ॥৫০॥

অসি হায়রুনা ঋষিশিং অমুগা দেবতা পুম্নমক্না ব্রহ্মাগা লোয়ননা ক্ষীর সমুদ্রগী মপা তাম্ন চৎখি ॥৪৫॥ মফম অমু যৌরগা ঋষিশিং দেবতাশিং অমুনা ব্রহ্মানা তাকপ মতুং ইম্ন বেদগী নিয়ম কায়দনা অকনব তপস্যা তৌব হৌখি। মখোয়না তৌখিবা তপস্যা অমু অতকপনি অমুগা থোইদোক্ক কনথবা তপস্যানি ॥৪৬॥

মখোয়গী মমীৎশিং অমু ঈকূপ কুপ্তন নোংথক্ত ওনখত্তুনা লৈখি। পাম্বাম অনী অমু হাংনা থাংগত্তুনা লৈখি। মখোয় পুম্নমক অম অম খন্দুনা মপূক্নীং অমু অনী লোওনন। লৈখি। মখোয় খুদিংমক সমাধিদা লৈদুনা, মখোও নাম নামতদ লেপ্তুনা অবংব উপান্সী অমমমগুম চপ চপ লেপ্তুনা লৈখি ॥৪৭॥

মতৌ অসুম্ন লাইগী চহীদা চহী লিশিং অম চুপ্ন অকন্বা তপস্যা তৌরব মতুংদ, বেদ বেদাঙ্গগী নীং থিজরবা থুম্নবা রাহৈনা তাওথোরকপা আকাশবানী অমবু দেবতাশিং অমুনা তাখি ॥৪৮॥

শ্রীভগবান্না অসুম্ন হায়খিঃ—তপস্যা কম্লবা ব্রহ্মানচিব দেবতা অমুগা ঋষি পুম্নমক্ নখোয়বু স্বাগত তৌরি। ঐ নখোয়গীদমক য়াম্ন কান্নরবা রা অম হায়গে তাও॥৪৯॥

দেবতাশিং অমুগা ঋষিশিং নখোয় পুম্নমকনা লাক্নিবা অমদি হৃৎনীংলিবসি ঐনা হাম্ন খঙলে, নখোয়ন অমতা মাম্নদে। লৈরিবা শক্তিশিং অসিনা কদায়দগীনো, কনানা পীরকপনো হায়বাসি খম্ননীঙায়নি। গীতাগী আধিদেব আধিযজ্ঞগী তত্ব তাকপা মতাংদা ভগবান্ন হায়ঃ-মৈনচি বদা লৈরিবা দাহিকা শক্তিনাচিংবসি মৈনচিংবা উরিবা পঞ্চভূতশিং অসিগী নত্তে। মখোয় খুদিংগী মশাদ দেবতা অমমম লৈ দেবতাশিং অমুগী শক্তিননি। শক্তিশিং অসি অমত মাম্নদে। মৈ কৌবা ভূত অসিদা চাকপা হায়বা কর্ম অসি লৈরি। মৈসিমক্না তৌবা কর্ম নত্তে। মৈ দ অশিবন। কর্মকর্তা অমনা তৌরিবনি। কর্মকর্তা অসি অধিষ্ঠাত্রী দেবতা কৌই। ঈড়াৎ পূজা তৌরিবসি মৈসিমকপু নত্তে, মৈসিগী মমুংদা লৈরিবা অগ্নিদেব হায়ব অম লৈরি। উরিবা চাক্নিবা মঙাল অমদি মৈশা অসি মহাকনি। মৈমক্নী নত্তে। অচচ্ছত্ত জীব খুদিংমক্না শক্তি পীরিবা দেবতাশিং অমুবু ইন্দ্র বরুণ অসিনচিংব কৌই। দেবতাশিং অসিনা মখোয়বু শেম্ব ব্রহ্মাগা লোয়ননা শক্তি পুম্নমক্নী হৌরককম বিষ্ণুদা হংবনি।

(কালাচাঁদ)

সু তপ্তং চ তপো দেবা মমারাধনা কাযায়া। ভোক্ষ্যথাস্য মহাসত্ত্বাপসঃ ফলমুত্তমম্ ॥৫১॥

এষ ব্রহ্মালোকগুরুর্ম্মহাঁল্লোকপিতামহঃ। য়ূয়ং চ বিবুধশ্রেষ্ঠা মাংযজধ্বংসমাহিতাঃ ॥৫২॥

সর্বে ভাগান্ কল্পয়ধ্বং যজ্ঞেষুমম নিত্যশঃ। তথা শ্রেয়োঽভিধ স্যামি যথাধিকারমীশ্বরাঃ ॥৫৩॥

বৈশম্পায়ণ উবাচ

শ্রুত্বৈতৎ দেবদেবস্য বাক্যং হৃষ্টতনূরুহাঃ। ততস্তে বিবুধাঃসর্বে ব্রহ্মা তে চ মহর্ষয় ॥৫৪॥

বেদদৃষ্টেন বিধিনা বৈষ্ণবং ক্রতুমাহবন্। তস্মিন্ সত্রে সদাব্রহ্মা স্বয়ং ভাগমকল্পয়ৎ ॥৫৫॥

খঙনীংলিবন্থুস্ নখোয় নশা নশাগী নত্তে, জগৎকী ক ন্নবগীদমক্কনি। জগৎকী কান্নবগীদমক্ক ওইরবনিনা প্রবৃত্তি মার্গগী ধর্ম চৎলু প্রবৃত্তি মার্গগী ধর্ম ভুতনা নখোয়গী থবায়বু য়োক্‌খৎপা—ভাক্‌পা হায়বহু ওইগনি * ॥৫০॥

খাঙহৈরবা দেবতা পুম্নমক! ঐগী পেন্নবগীদমক্কনি হায়দুনা নখোয়না ওস্থোক্ক কন্না তপস্যা তৌরে। তৌখ্রিবা তপস্যাদুগী মহৈ অরেম্ব খক ওইরোই। ওস্থোক্ক করবা কান্নরবা মহৈ অম ক লগনি ॥৫১॥

জগৎ পুম্নগী গুরু ওইরবা ব্রহ্মা অদুপা অথোইবা দেবতা নখোয় পুম্নমক্ক পুক্নীং অনী লোঙদনা ঐগী যজ্ঞ তৌ, ঐগী পূজা তৌ ॥৫২॥

লোক পুম্নমকী দেবতা ওইদুনা লৈরিবা লাইরামশা। নখোয়না তৌবা যজ্ঞ খুদিংমক্তা ঐগী শরুক তমমু। অদুম তৌরবদি নখোয়গী মঙ্গল ওইননবা পাউতাক অদু ঐনা মরক্ মরকত পীদুনা অসুম্ লৈগনি ॥৫৩॥

বৈশম্পায়ণনা হায়—জন্মেজয়! দেবতা পুম্নমকী দেবতা ওইরবা ভগবান শ্রীনারায়নগী ৱা অদু তাবদা লাইশিং অদু থোইদোক্ক পুক্নীং তুজু হরাউখি। ব্রহ্মাগা লোয়ননা লাহয়ামনা বেদগী বিধি মতুং ইন্না বৈষ্ণব যজ্ঞবু লিংখৎখি। যজ্ঞ অদুদা ব্রহ্মা মশামক্কা ভগবান্ শ্রীনারায়নগী যজ্ঞভাগ (যজ্ঞগী শরুক) তমখি ॥৫৪-৫৫॥

---

* ধর্মগী মার্গ (লম্বী) অনীনি। প্রবৃত্তি মার্গ হায়বা অমা, নিবৃত্তিমার্গ হায়বা অমা। "কর্মনা শাবা লেম্বা হকচাংদ (ঐ) না চঙগুকুনা অমুক পোক্লরবনিনা কর্মদা প্রবৃত্ত অদুম ওইবা তাই, চঙশিনবতাই" হায়বসিনা প্রবৃত্তি মার্গ চৎপশিংগী মতনি। অদুগা "কর্মদি অনন্তনিনা চঙবু চঙশিল্লুরবাদ পোকপ শিবগী লাংদগী অসুম নাস্তোকপা য়াদবা মরৈগ্রগনি। অদুগা তাইবং মীগী হকচাংসুংদা লাক্লিভৈদা সাংখ্য জ্ঞানগী পান্থৈনা কর্মদগী নিবৃত্ত ওইনবা হোৎনহৌবা তাই" হায়বসিনা নিবৃত্তি মার্গ চৎপাশিংগী মতান। হায়রিবা অনীমক ধর্মগী লম্বীমক্কনি। ভগবান নারায়ননা হায়রি। মশাগী অমদি জগৎকী উপকার তৌরমগে

✝ বিষ্ণু মশামক্ক ঐগী পূজা তৌ, ঐবু পেলহন্নু হায়না ভাকলিবাস তাবদা চিংনবা, নোক্নীংবা অম পোকই। ঐবু লাৎলু, ঐবু পেলহন্নু হায়বসি বিষ্ণু মশানা চাউথোকচনিংবা থাইদগী অথোইবনি হায়না

দেবা দেবর্ষয়শ্চৈব স্বং স্বং ভাগমকল্পয়ন্। তে কার্তযুগ ধর্মাণো ভাগাঃ পরমসংকৃতাঃ ॥৫৬॥
প্রাহুরাদিত্যবর্ণং তং পুরুষং তমসঃ পরম্। বৃহন্তং সর্বগং দেবমীশানং বরদং প্রভুম্ ॥৫৭॥
ততোঽথ বরদোদেবস্তান্ সর্বানমরান্ স্থিতান্। অশরীরো বভাষেদং বাক্যং স্বস্থো মহেশ্বরঃ ॥৫৮॥

হায়রম্নীংবগুম তৌরি। হায়রিবসিগী ভাবতি— বিষ্ণুনা পেন্নবতদা নখোয় মীংব থুংগনি হায়ন থন্দুনা বিষ্ণুনা পেন্নব,তপস্যা তৌরিবা দেবতাশিং অমুদা ভগবান নারায়ণ বিষ্ণুনা দেবতাশিংদা হায়বদি নখোয়না অহুমন ভক্তি শ্রদ্ধাগা লোয়ননা তপস্যা তৌরবদি ফরে, ঐগী পেন্নবা তৌ অসিতনি। অদুনা অতৈ অতৈ দেবতাশিং অদুগা ঋষিশিংনা মাগী মাগী শরুকী শ্রীনারায়নগী শরুকৃতমখি। সত্য যুগকী চৎনবী বিধিগী মতুং ইন্না তৌদোক্খিব যজ্ঞ ভাগ অসি যুগ কয়াগী থোইদোকনা কাম্নরবা নীংথিরবা মহৈ পীবা, তমনকম ওইরব অনুষ্ঠান অম ওইখি * ॥৫৬॥

ঋষিশিংনা হায়নৈ – ভগবান শ্রীনারায়নদি মুমিংকী মতৌগুম মহাতেজস্বীনি। মহাক্তি অন্তর্যামীনি, অজ্ঞানগী মশক ওইরবা অমম্বগী রাংমন্দ লৈবনি। মহাক্ত মকম মতম পুমবদ শীন্দুনে লৈবনি, মকম পুমবদা মতম পুমতদ পুমম্লোং হোঙনি, বর পীনহৈবনি। মহাকন ভগবান্ লৈবনি ॥৫৭॥

যজ্ঞ ভাগ ফংলবদা ভগবান বর পীনহৈবগী শ্রীনারায়ননা নোংমদোনথক্কগী মূর্তি উইহন্দনা আকাশ-বাণীনা অসুম হায়না লাউরকই ॥৫৮॥

হায়রবদি প্রবৃত্তি মার্গগী ধর্ম চৎপ তাই। আত্মা মহাক্কীদি প্রবৃত্তি—নিবৃত্তি হায়বা লৈতে। মঙোন্দদি প্রবৃত্তিগা নিবৃত্তিগা মশা অমতনি, শঙ্কানি। সংযোগা বিয়োগ (কায়নব-তিন্নবা চঙশিনবা, - হন্দোক্পা) হায়বসি আত্মা মঙোন্দদি মশা অমতনি। অদুবু, মশা অমতনি হায়দুনসু নিবৃত্তিদা মরৈঞ্জবদি জগৎকী কাম্নবা কর্মদি অমত্তা তৌরম্মরোই। সংসারগী বিষয়াদগী নিবৃত্ত ওইদুনা হন্দোক্খিদুনা লোক সমাজদগী মথক্ত ভুমিম্ন চৎখিদুনা কনাম্ন উদবা গিরিগুহা মনুংদা ধ্যান যোগগী ওইদুনা লৈথিরবা মহাক অদু অচৎ চত্ত জীব পুন্নক্কী করিগুম্বা কাম্নবা অমত তৌরমদনা মশাগীদ্ব য়েংদুনা স্বার্থী অম ওইন অদুম্ লৈজবনি। মাঙমন অদুমন তৌ হায়দুনা জগত্ত আদর্শ অম পীরম্ব নত্তনা মহাক্কা জগৎকী অদুগা সাধারণ জনতাগী মানসিক, শারীরিক অমদি আধ্যাত্মিক উন্নতিগী সাধনা ওইবা কর্ম অমত উপদেশগা লোয়ননা তৌরম্দে। অদুগুম্বা নিবৃত্ত মার্গগী ধর্ম্ম বৃত চৎকদবনি হায়বসি শ্রীনারায়নসু দেবতাশিং ঋষিশিংদা তাকখিদে। প্রবৃত্তি মার্গগী ধর্ম অদুতন মশাগীত নত্তনা জীব পম্বগী য়োকপীবা থাকপিরনচিংবা পুণ্য কর্মবু তৌব য়াগনি।

হায়হম্নীংবগুম তৌরি। হায়রিবসিগী ভাভাত বিষ্ণুনা পেন্নবগুদা নখোয়গী মীংবা থুংগনি হায়না থন্দুনা নখোয়না অহুমন ভক্তি শ্রদ্ধাগা লোয়ননা তপস্যা তৌরবদি ফরে বিষ্ণু ঐগী পেন্নবা তৌ অসিতনি। তপস্যা

* পীথোকপনা অপীবা অরোবা অনীমক পেল্লি। বেদগী লোন্দা, যজ্ঞ লৌকিকত দান, মশা অমতনি। যজ্ঞ তৌব হায়বসি করম্বা যুগতগী অদুগা করিগীদমক্তা চৎঞ্জিবনো হায়বসি মতাং অসিনা উৎলি।

যেন যঃ কল্পিতো ভাগঃসত্থা মামুপাগতঃ। প্রীতোঽহং প্রদিশামাদ্য ফলামামুক্তিলক্ষণম্ ॥৫৯॥
এতৎ বো লক্ষণং দেবা মৎপ্রসাদ সমুদ্ভবম্। স্বয়ং যজ্ঞৈর্যজমানাঃ সমাপ্তবর দক্ষিণৈঃ ॥৬০॥
যুগে যুগে ভবিষ্যধ্বং প্রবৃত্তিফলভাগিনঃ। যজ্ঞৈর্যে চাপিযক্ষ্যন্তি সর্বলোকেষু বৈস্তরাঃ ॥৬১॥

লাইরাম পুন্নমক ! নখোয় থুদিংমক্না পীরক্পা যজ্ঞ ভাগ অদো মশীংমক্তদা কায়দনা কংলে। মাহুবু ঐনা নখোয়দা ঈকায় কায়দনা, নখোয়না ঐগীন্দা পীরকপগী মহৈ ওইনা অমুক্ পীরক্নি ॥৫৯॥

দেবতা পুন্নমক ! নখোয়না তৌরিবসিদা পেনখিবদগী নখোয়গী বিশেষ ওইবা নওং-নথৌম্নু নখোয়দা তাক্লিবসিগুমনা অহুম্ লৈগৌরগনি। নখোয় ওসিদগী মতুংগী লাকপা (ওংরক্কদবা) যুগ থুদিংদা যজ্ঞ তৌ ॥৬০॥

লাইরাম পুন্নমক ! লোক পুন্নমক্ত তাইবং মীনা তৌনরক্কবা যজ্ঞ থুদিংমক্ত, বেদনা তাক্পা বিধি নিয়মগী মতুং ইনন নখোয় থুদিংমক্কী যজ্ঞ ভাগ (যজ্ঞগী শরুক) লম্মকথ্রগনি ॥৬১॥

নিবৃত্তি মার্গগী ধর্মনা মহু থক ওম্মোই। সম্পূর্ণ গীতাগী তাৎপর্যমু অদুনি। মতুতনা লোক সংগ্রহবুমু পাঙথোকপ ওম্মি।
(কালাচাঁদ)

হায়বা অম যজ্ঞ হায়বা অম অনীনি। তপস্যানা অরাব খাঙবনি. যজ্ঞনা পীথোক্পনি। পীথোক্পা হায়বদি থাদোকপা হায়বনি। অরাব খঙগদবমথৈ খাঙলগা পীথোক্পা ওমত্রবদি পেনবা থক্ য়াজ্রে। মীনা অরাবা তারগা অরাব খাঙলগা পেনবা হায়বতুনি। তাইবং মীওইবলিংদদি ওইবা য়াই। বিষ্ণুনা হায়রি—ঐনা পেল্লগা নখোয়গী পেনগদৌবা লৈরবদি ঐনা পেনবা তৌরে, তপস্যাতনা পেলহনবদি য়ারোই। পীথোকপনা পেনব ওইবনি। পীথোকপবু যজ্ঞ তৌবা কৌবনি। অদুনা, ঐগীনমক্ত যজ্ঞ তৌ। পীথোকপা মীতনা কংবনি, পীথোকতবা মীগী কংনিংগায় লৈতে। শারীরিক মানসিক পরিশ্রম পীথোকলগা, পীথোকপ্রিবতুনা লম্ম মিংচৎ পীরকই। গীতাদা ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা হায়রিবমু অদুতনি। ঐ বুনীংলগা নংগী কাম্নগদবা লৈরবদি ঐবু নীঙঙু অসিতনি। নীংবতদি করম্ন নীংব তাই অসিনচিংবগীদি মথং মথং গীতানা তাকলি। অদুনা বিষ্ণু ভগবান্না "ঐবু নীঙঙু, ঐগী যজ্ঞ তৌ অসিনচিবা হায়রিবসি শেন্নাননবা অর্থদা পুন্নোইদৌবনি।
(কালাচাঁদ)

হৌঙ্গিব ন্নাকমদি অসিনি— শেমগ্রিব অচচক্ত জীব ময়ামসিগী ভংণে পাবগী অদুগা মখোয় থুদংগী জীবিকা ওইননবগী শক্তি অমদি মচাক অসি কদাইদগী করম্ন উপায়ন ওমগনি হায়বসি ব্রহ্মানচিংবনা লেপ্প ওম্মক্ত্রবদা বিষ্ণুদা হায়জরুদদা বিষ্ণুনা যজ্ঞ তৌ হায়না তাকখি। অন্ন (চেঙ্গাক) দি পর্জন্য দগী (নোংদগী) অদুগা পর্জণ্যদি যজ্ঞদগী পোকপনি হায়না গীতাদসু অদুম ভগবান নারায়ণ মশামক্না তাকপি। যজ্ঞ হায়ব শব্দ অসি যজ্" ধাতুদগীনি। যজ্ ধাতুগী অর্থদি থাদোংকপা, পূজা তৌবা পেলহনবা অসিনচিংবনি।
(কালাচাঁদ)

কল্পয়িষ্যন্তি যো ভাগাংস্তে নরা বেদকল্পিতান্। যো যথা কল্পিতবান্ ভাগমস্মিন্ মহাক্রতৌ ॥৬২॥
স তথা যজ্ঞভাগার্হো বেদসূত্রে ময়া কৃতঃ। যূয়ং লোকান্ ভাবয়ধ্বং যজ্ঞভাগ ফলোচিতাঃ ॥৬৩॥
সর্বার্থচিন্তকা লোকে যথাধীকারনির্মিতাঃ। যাঃক্রিয়াঃ প্রচরিষ্যন্তি প্রবৃত্তিক লসংকৃতাঃ ॥৬৪॥

চাউপ্রবা যজ্ঞ অসিদা ঐগী শরুক্ (যজ্ঞ ভাগপু) পু চাউনা হায় তমখিবা দেবতা অদু (হায়বদি ব্রহ্ম অদু) বেদদা সূত্র ওইনা ঐনা লেংপ্রবা নিয়ম বিধিশিংদুগী মতুং ইন্না যজ্ঞ ভাগপু মরু ওইনা ফংননবগী আধিকার ফংহনপ্রবনি * ॥৬২॥

ভক্তি শ্রদ্ধাগ লোয়নননা কচচয়রকপা যজ্ঞ ভাগ অদু ফংলবগা নখোয়সু যজমানছুগী নীংজবা মহৈ অদু পীননবা হোংনৌ। মাসিনি প্রবৃত্তিমার্গ হায়বদু নখোয়সু নংগী নংগী অধিকারছুগী মতুং ইন্না নখোয়দ ফংব শক্তিছুনা মাগী মাগী আধিকারছুগী মতুং ইন্না মহৈশিং অদু অতুম ময়ীয়ু। যজ্ঞমানশিংং অদুবু ধর্ম অর্থ-কামদা চাওখংহননবা হোংনৌ।

মতৌ অসুম্ন যজ্ঞ কৌবা প্রবৃত্তি মার্গগী কর্ম অসোমদা চঙশিন্নুনা, নখোয়না তৌরিবা কর্মছুগী মহৈনা যজ্ঞ তৌবগী প্রচার অসি মথং মথং পাঙথোকহৌসনু। মথং মথং তৌনবক্কদৌরিবা যজ্ঞশিং অদু-দগী ফংবা যজ্ঞ ভাগশিং অদুনা নখোয় নশাগী ভরন পোষণ হায়বদু অতুম্ ওইনরবনি যজ্ঞগী শরুক্-শিং অদু ভোগ তৌদুনা নখোয় নশা নশাসু য়াম্ন নোয় পেল্লনি। অদুদগীদি নখোয়সু মরোল অদুমগী জীব পূম্বদু য়োক্‌থোকপা লায়না ভমলগনি ✤ ॥৬৪॥

* যজ্ঞ খুদি মক্তা বেদীগী অকোয়বদা হোতা, পোতা প্রশাস্তা, উংগাতা, ব্রহ্মা ওইপদবা ব্রহ্মণ মীশক মডা য়াওই। হোম তৌগদবা, শেংদোক চামথোক্কদৌবা, অশোয় অডাম্ পূম্বা যেংশিববা তাক্‌পা; বেদগী ঋচাগান তৌবা অদুগা ঋাইগী অধিকারী (রাস ধাবী) ওইগদবা মখোয় মীশক্ মডা অসিনি। মখোয়সিগী মরুংদা মমিং অম অম কৌবা কনাগুম্ব ব্রহ্মণ অমনা হোতা পোতা কৌদুনা অতুম মফম্নি। ব্রহ্মা শাগদৌরিবদুদি ব্রহ্মা অতুম মকৌগনি। যজ্ঞ কৌবা অনুষ্ঠান অসি হৌদোকখিবা বিষ্ণু ভগবান নারায়ণমক্কী উদ্দেশ্যগা। হৌখবা ঈহান্ হানবা যজ্ঞদা লাইয়ামগী মরুংদা ব্রহ্ম মশামক্তা অধিকারী ওইনা শীন্নাওদুনা যজ্ঞ ভাগবু (যজ্ঞগী চাকথুং) ঈহান হানবদা বিষ্ণুমক্কী তমখি। অদুগী নিয়ম বিধি পূম্নমকপু বেদগী কর্মকাণ্ডগী মতাংদা শ্রীনারায়ণনা সূত্র ওইনা বেদ থম্মিরম্মি। শ্রীবিষ্ণু নারায়নগী শরুকপু মরু

✤ স্বর্গগী দেবতাশিংগা মর্ত্যলোকগী মীশিংনা থমনারবা মরী অদু অমনা অমগী ফননবা শীননম্মিবা থবক অসিবুনি প্রবৃত্তি মার্গগী কর্ম অসিনি। নিবৃত্তি মার্গদ চংলিব সন্ন্যাসীশিংগী জীবিকা ওই-ম্নিবা অদু উঞ্ছবৃত্তিদা লৈবা, লৌবুক্তগী মক মরাং অতোপ্পু থুন্দুরদা মপুন্‌শি লোল্লবা উঞ্ছবৃত্তি সন্ন্যাসীশিং অদুগা উহৈ য়াহৈ, কৌ মরু চেঙ হবায় মক্কশিং অদুসু প্রবৃত্তি মার্গগী কর্ম মহৈনি। সন্ন্যাসী অদুসু প্রবৃত্তি মার্গগী মথক্ত নির্ভর তৌরি।

আপ্যায়িতবলা লোকান ধারয়িষ্যথ। যুষ্মান্ হি ভাবিতা যজ্ঞৈঃ সর্বযজ্ঞেষু মানবৈঃ ॥৬৫॥
মাং ততো ভাবয়িষ্যধ্বমেষা বো ভাবনা মম। ইত্যর্থং নির্মিতা বেদা যজ্ঞাশ্চৌষধিভিঃ সহ ॥৬৬॥
এভিঃ সম্যক্ প্রযুক্তৈর্হি প্রীয়ন্তে দেবতাঃ ক্ষিতৌ। নির্মাণমেতদ্ যুষ্মাকং প্রবৃত্তিগুণকল্পিতম্ ॥৬৭॥
ময়া কৃতং সুরশ্রেষ্ঠা যাবৎ কল্পক্ষয়াদিহ। চিন্তয়ধ্বং লোকহিতং যথাধিকারমীশ্বরাঃ ॥৬৮॥

মর্ত্ত্যলোককী তাইবং মীনা নখোয়গী দমক্ত যজ্ঞ তৌরগা, নখোয়না শেনবরবা মতম্দা নখোয়না মখোয়বু হীরম পুন্নমক্ত চাওখৎপা ফংহনগনি অদুগা ফক্সু ফংহনগদবনি অদুগা ঐবুসু নখোয়না তৌজিক হায়রিবসিগুম্না নায়হল পেনহন্দুনা থম্‌মদবনি। মাসিত্তনি নখোয়না ঐন পীগদবা পাউতাক হায়নবু * ॥৬৫॥

মরম অদুনা ঐনা যজ্ঞগী মচাক ওইগদবা বেদ মন্ত্রশিংবু অদুগা কৌ চভনচিংবা মহৈ মরোংশিংবু ঐনা শেমখিবনি। হায়রিবা মচাকশিংসিবু নিয়ম বিধি কায়দনা শীজিন্নরিবাশং অদুগী মকমদা বিষ্ণু ঐনা পেন্নবানিনা দেবতা নখোয়সু অদুম্ মপেন বগনি ॥৬৬।

অথোংবা লাইযামশা। প্রবৃত্তি মার্গ ধর্মদা চঙশিন্নবগী মক ওইবা গুণশিংগা লোয়ননা ঐনা দেবতা নখোয়বু শেম্‌খিবনি। লোক পুম্নমককী অদুগা মাহৈগে অমমমগী মপু ওইনা লৈরিবা দেবতা পুমনমক। কল্প অমমমনা লোইদ্রি কাওবা নখোয়না নগী নগী অধিকার অমদি শক্তি শক্তিচুগী মতুং ইননা লোক পুমনমক্কী কাননবত খন্দুনা লৈয়ু ॥৬৭ ৬৮॥

ওইনা হায়না ব্রহ্মানা ভগবানগী তৌবিমক ওইবা ওইনা শ্রীবিষ্ণুনসু মতুংদা তৌরকদবা মর্ত্ত্যলোকী যজ্ঞ খুদিংগী অধিকারী (মপু বাসবগী) অমবু নক্কা হায়বা উপাধি অমসু লৌহন্দুনা যজ্ঞ তৌননবগী বিধি নিয়ম পুমনমক যজ্ঞ বিধানগী মন্ত্র ওইনা লেংহুনা থম্লিশিন্ম যজ্ঞদা অতৈ য়াওহনবা ভমত্রবসু ব্রহ্মা শাবা অমদি য়াওহন্দবা মযাদ্রে যজ্ঞ (হোম তৌবা) হায়বসি কনানা কনাগী দমক কারগী থোকপ্রিবনো হায়বদু শান্তি পর্বগী মতাং অসিদা ব্যাসনা উৎপত্তনি গীতাদা হায়রি :– "জ্ঞানে পরি সমাপ্যতে" থবক্ পুম্বা জ্ঞানগী মপা চেক য়োরকপদা সমাপ্ত ওই। জ্ঞান তাত্রিমথৈ থবক হায়বসি লোইবা লৈতে। অচচচসু হৈপাল লৈপালনচিংবা পুমনমক্কী পোকপা শিবগী অদুগা য়েম্নীং ভুনবনচি বসু থবক্ পুম্বা মৈগী মপা য়োরকপদা সমাপ্ত চেক হেক্ ওই। মাদুবু যজ্ঞগী লোন্দদি পূর্ণ হুতি কৌই। তৌরিবা কর্ম খুদংগী পূর্ণ হুতি ওইত্রিবমথৈ তাইবং মীগী পুন্‌শিদা শান্তি লৈতে। যজ্ঞ খুদিংমক মসুং মসুংদা জ্ঞান যজ্ঞ ওইহনগদোবনি। কনাগী কয়িগীদমক্ত কনানা তৌবিব যজ্ঞনো হায়বা মুনন খঙগদবনি। মাদুনা জ্ঞান যজ্ঞ হায়ববু।

(কাংলাচৈ দ)

মুনন থজুরবদি নিবৃত্তি মার্গগী ধর্মদা লৈরি—চংদি হায়বসি মিথ্যানি। গীতানা মখোয়চুবু মথ্যাচারী সন্ন্যাসীনি হায়রি। প্রবৃত্তিমর্গদা লৈবশিংনা যজ্ঞ তৌরগা যজ্ঞচুদগী ফজানা (নোং পোকই)। লোংদগী

* মচা ফংনিংবা মীনা পুত্রেষ্টি যাগ তৌহন। অগ্নিদেব (মৈ কৌবা দেবতা) ব পোকচল্লগা মচা হেক

মরীচিবাঙ্গিরাশ্চাত্রিঃ পুলস্ত্যঃ পুলহঃ ক্রতুঃ। বসিষ্ঠ ইতি সপ্তৈতে মানসা নির্মিতা হি তে ॥৬৯॥
এতে বেদবিদো মুখ্যা বেদাচার্য্যাশ্চকল্পিতাঃ। প্রবৃত্তি ধর্মিণশ্চৈব প্রাজাপত্যে চ কল্পিতাঃ ॥৭০
অয়ং ক্রিয়াবতাং পন্থা ব্যক্তীভূতঃ সনাতনঃ। অনিরুদ্ধ ইতি প্রোক্তো লোকসর্গকরঃ প্রভুঃ ॥৭১॥

মরীচি, অঙ্গিরা, আত্রি, পুলহ, ক্রতু অমসুং বসিষ্ঠ ঋষি তরেৎ অসি ব্রহ্মানা পুক্নীংদগী শোকহনখিবনি ॥৬৯॥

মখোয় অসি বেদ খঙব হৈবশিং অপোক্লবা অমসুং প্রবৃত্তি ধর্মগী অনুযায়ী (মতুং ইন্না চংপা) মীশক মক্তনি। মখোয় তরেৎ বেদগী আচার্যামকনি হায়না লৌনৈ, অমসুং মখোয় খুদিংনক প্রজাপতিগী পদবীদা থাংগৎখিবনি ✣ ॥৭০॥

কর্মদা প্রবৃত্ত ওইবা (চঙশিনবা), কর্ম থাদোকপা, কা নারায়ণ ওইবা মীশিংগীদমক্ত অমুম ওইবা সনাতন ধর্ম অসি পথোকখিবনি (পোকখিননি) হায়রিবসিগী নিয়ম অসিগী মতুং ইন্না সনাতন ধর্ম অমা চৌঙ্গাক (হায়বদি মৈ-ঈশিং-লৈপাক) পোকই। নিবৃত্তি মার্গগী সন্ন্যাসীশিংমু ঈশিং থকই। উহৈ যাহৈ চায়। মর্ত্যলোককী তাইবং মীনা আধি ভৌতিক, আধি দৈবিক তাপ (মৈচাক, অরাবা) কংলগা ইন্দ্র পূজা, শনি পূজা, নারায়ণ পূজা, গণেশ পূজা, সরস্বতী লক্ষ্মী পূজানচিংবা তৌনরি। দেবতাশিং অসিগী পেন্নবগীদমক্ত মখোয়গী যজ্ঞ ভাগ তমদুনা যজ্ঞ তৌনরি। যজ্ঞ ভাগ অদুনা জীবিকা ওইরিবা দেবতাশিংনা তাইবং মী যজ্ঞমানশিংদ উন্নতি পী। মর্ত্য লোক বাসিশিংগী মপান্ স্বর্গ বাসীশিংনা মপান্ মর্ত্য লোক বাসীশিংনা তাংহৌ। "কৈগী মপান্ মপীনা তাংই, নাপাগী মপান কৈনা তাঙ্গি"—অদুগুম্বা পাউরোনি নত্রবদি ইন্দ্রনচিংবা দেবতশিংগী চৌঙ্গাক অসি কনান ঙুপ্লি হায়রবদি অদুবা অম ওইনা থোকনি অমৃত থকপনা শিদে হায়বা য়াই। অমৃত্ত পাঙ্গল কনুহনবদি য়াই (কালাচাঁদ)

কংবদা "মুংঙাইরে, মৈ কৌবা লাইনা ঈচা অম পীবিবে" অসুম থক হায়নিংদে, হায়বস্ত য়াদে। মরমদি উরিবা চাক্লিবা মৈ অদুনা পীবস্ত নত্তে; মৈদুগী অধিষ্ঠাত্রীদেবতা অগ্নিদেবদুনা পীবস্ত নত্তে। আকাশ মথন্তনা অদুগা লৈপাক মথন্তনা জীবব্ পোকহনবা ঙম্বা নত্তে। মখোয় খুদিংদা লৈবদি শক্তি অমমমত্তনি। শক্তি অমমমত্তনা তোঙাল তোঙান সর্ব শক্তিমান ওইনা (জীবাত্মা) মহাকপু চিঙকপা, পোকহনবা ঙম্বা নত্তে শক্তি পুমনমক মত্তোন্দ চঙশিন্দুনা, পুমনমকপু য়েংশিন খোচিন্দুনা খ্বাইবু শাসন তৌবা বিষ্ণু নারায়ণ (খ্বাইগী চঙনকম) ওইবা শক্তিমান অমদি শোয়দনা লৈকম থোকই। বিষ্ণু ভগবান নারায়ণনা হায়রি— মশক্ উদবা শক্তিতগী মশক্ ওইবা ঐবু হায়বসি মশক উদবা ঐবু, উদবদগী লৈতে হায়নব য়াওরিবা ঐবু, মশক নাইনা সাকার ওইনা গোংথোকহনগে হায়রবস্থ, মাহু দেবতা নখোয়দা লৈরে। মৈ হায়বসি চাকুই-শাই থঙিঙ।

✣ প্রজাপতি হায়বদি প্রজাগী মপু হায়বনি। প্রজাগী মপু হায়রগা হৌজিকী মতমদদি নিংথৌবু

সনঃ সনৎসুজাতশ্চ সনকঃ সসনন্দনঃ। সনৎকুমারঃ কপিলঃ সপ্তমশ্চসনাতনঃ ॥৭২॥
সপ্তৈতে মানসাঃ প্রোক্তা ঋষয়োব্রহ্মণঃ সুতাঃ। স্বয়মাগতবিজ্ঞানা নিবৃত্তিং ধর্মমাস্থিতাঃ ॥৭৩॥
এতে যোগবিদোমুখ্যাঃ সাংখ্যাজ্ঞানবিশারদাঃ। আচার্য্যা ধর্মশাস্ত্রেষু মোক্ষধর্মপ্রবর্ত্তকাঃ॥৭৪॥

অসি পুথোক্‌খিবনি (পোক্‌খিবনি)। হায়রিবা নিয়ম অসিগী মতুং ইন্ন লোক পুম্নক্কী সৃষ্টী তৌরিবা নহাক্‌পু অনিরুদ্ধ হায়না খঙ্‌নখি ॥৭১॥ সন, সনৎকুমার, সনক, সনন্দন, কপিল অহুগা তরেৎবদা সনাতন্ হাযবা মচা তরেং অসি ব্রহ্মাগী মানস পুত্রনি। মখোয় অসি বিজ্ঞানদা মহাজ্ঞানী মক্তনি মখোয় পুম্না নিবৃত্তি মার্গগী ধর্মদা লেঙদনা লৈখি ॥৭২—৭৩॥

মখোয় তরেংঅসে যোগতত্বপুম্ব খঙলবা, সাংখ্যজ্ঞানদা চঙখোল্লবা *, ধর্ম শাস্ত্রগী আচার্য্য মক্তনি, অহুগা মোক্ষ ধর্মবু হৌদোক্‌পা মীশক্ মক্তনি ॥৭৪॥

ভাক্তনবগী দাতিকা শক্তি অহু কনানা পী? বিষ্ণু ভগবান্‌না হায়রি অগ্নিদেব, ইন্দ্রদেব, কর্মদেব, নখোযনা "ঈশ্বরিবা শক্তি অমমম্‌দো শক্তি পুম্নমক্‌পু পুঙবা ঐনা পীবনি। নখোয নশা নশানা নাপল্ল তৌগল্লু। নখোয় নশা নশ না নাপল তৌরবদি ঐবু মশক নাইনা পুথোক্‌শা ওল্লোয়। বিষ্ণুনা তাক্লিবা হায়রিবসিগী ভাবতি "ঈশ্বর লৈতে, মশক উদে" অসিনচিংব হায়রিবসি অহংকার দগী, নাপল্লদগীনি। ঈশ্বর লৈতে হায়রিবা ঐদি লৈ ঈশ্বর মাদি লৈতে—অসিতনি হায়রিবহু। লৈ হায়বসু অহংকার দগী হায়বনি, লৈতে হায়রবসু অহংকারদগী হায়বনি। অহংকারহুবু যজ্ঞ হেক্ তৌথোকপা মতমদা অহংকারনা কুপ্‌শম্লুনা লৈরম্বা ঈশ্বর অদো মরাইনা চংথোকংবক্তনি। অহংকারনা কুপশিনখিবনা অন্ধকার (অমম্বা) দা তাত্থুনা লৈরিবশিংনা মৈ পূজা তৌবগা যজ্ঞ তৌরগা মচা পোকহ হায়বসু অন্ধ বিশ্বাসনি হায়নৈ। অহংকারনা মশামক অন্ধ ওইরিবা মহাক্না মী অমগী বিশ্বাসবু অন্ধ বিশ্বাসনি হায়বি বিষ্ণু ভগবান্‌না হায়রি:— অহুগুম্বা নাস্তীক শিংনা ঐবু শোকনা, ঐগী চৌগ্লাক হুনবা ওম্‌দে। দেবতা নখোয়না মর্ত্ত্য লোকতা তৌরকপা যজ্ঞহুগী যজ্ঞভাগ অহু চাহুনা শক্তি অহু শীজিন্নরবা মতম্‌দা ঐবুসু নখোয়না সর্ব্ব শক্তিমান ওইহনগদোবনি···। (কালাচাঁদ)

খঙৈ। ঈহাব হানবদা (নিংথৌ হায়বহু হাপ্পত্রিঙৈ, পান্দিঙৈ মতম্‌দা) প্রজা হায়বা শব্দসি মশা মশুশিংগী অর্থ তদা লৈরম্মি। হৌজিক্‌সু অহুমক খঙনরি। নিপা মুপী (লাব অমোম্) অনীগী সম্ভোগ দগী মচা মশ্ (প্রজা) বু পোকহনবা হায়বসি কাইথংগীনি। সৃষ্টিগী মতমদা, সৃষ্টি তৌখিবা থোইনা * বিশ্বজগৎ অসিগী মম্লুংদা লৈরিবা পোং খুদিংমক্ অমমমত্ত ওইনা হাইদোক্লুনা পরমেশ্বর পরমাত্মা বুদ্ধিহুনা পুথোক্লনবগী হোৎনকম থোকৃই হায়বা রাখল (জ্ঞান) অসি ঈহান্ হান্না লাক্‌পা হৌখিবা মতম্ অহুদগী সাংখ্যজ্ঞান হায়বা অান অসি পোক্‌খি।

কুইথিজিবগী মতম অদুগী নিপাগী করিগুম্ব মীং নাকোং, পাম্বোম, কৈগলনচিংবা কমে ক্রিয়াশিংদগী (হক্চাং কায়াৎতগী) প্রজা পোক্লরম্মী অদুগা পোকনু পোকহল্লম্মী। বেনগী নিংথৌগী পাম্বোম মরুহু ঋষি মথায় মন্ত্রগা লোয়নননা 'নহুনা নোংতুনা মহারাজ পৃথু পোকহনখি। মাগী মমিংদগী হৌজিক কাওবা পৃথ্বী (পৃথিবী) হায়না মিং অসি চংনরি। প্রথন, মথন, আসনচিংবা শব্দশিং অসিগী অর্থদি নৈব-শ্লাইব হায়বত্তনি। "মথন" ঙৌববু মতুংগী চংলকপ শব্দদ সম্প্রোগ নিপা হুপী শমনবা হায়বসি শীজিন্নখি।

মপানগী অউবা হক্চাং কাংলাশিংদগী পুথোকপা - পোকহনবদি লাইবু লায়নাপনা, মশক উদবা পুক্নীং কৌবা ইন্দ্রিয়দগী প্রজাবু পুথোকুরম্মি। মাসুমন তৌবাসি ব্রহ্মানা মহাক্লে ঋষিত্তরেৎ অসি ব্রহ্মাগী মানসিক পুত্র (মানসক প্রজা) মক্তানি। ব্রহ্মাগী লোয়নবী, সহধর্মিণী লৈরমদে অদুনা ব্রহ্মাবু ব্রহ্মপ্রজাপতি হায়নসু খঙনৈ মতুংগী ঋষি তরেৎ অসিগীদি প্রজা (মচা) পুথোক্লনবা লোয়নবী অমমম্ লেম্খি। মথোয়শিং অদু অরাম্বন দক্ষ প্রজাপতিগী মচানুপীশি মক্তনি স্ত্রীলিঙ্গ অদুগা পুংলিঙ্গ অনীগী ননবদগী প্রজা পুথোক্লবা অশ্রু অদুবু গৃহস্থাশ্রম হায়রগা খঙনৈ মথক্কী ঋষি তরেৎ অসি প্রজাপতিমক্তান। প্রজাশিংবু লেম্বা শাবগী অদুগা প্রজা সৃষ্টিগী থবক্তা মচা তরেৎ অসি মথায় জনক (পিতা) ব্রহ্মাগী সৃষ্টিগী থবকতা মতেং পাংখি। মথোয় তরেৎ অসিগী থুংলনা মগা ব্রহ্মাগুম্না হক্চাং কায়াৎতগী লোয়নবী (হুপী) যাওদনা মচা পুথোকপসি ঙমদে মরম অদুনা মথোয় তরেৎ লোয়নবী অমমম লৈনবা ব্রহ্মানা শীনখি। খুদম ওইনা হায়রবদা প্রজাপতি অত্রিগা অনসূয়াগা পায়রনখি। অদুদগী দত্তাত্রেয় চন্দ্রমা, দুর্বাসাচিংবা প্রজা কয়া পোকখি প্রজা পোক্লনবা লৈরিবা মথোয় অসি ব্রহ্মানা "প্রজাপতি" হায়বা উপাধি মসি পীখি। (কালাচাদ)

অদুদগী সাংখ্য জ্ঞান অসি পোকখি। করম থিগনগে হায়বগী নিয়ম বিধি মকুপ শাস্ত্র অদুগা সাংখ্য যোগ হায়নসু খঙনখি। "সংখ্যা" হায়বদি মশী লৌশিং মশীং থীদোক্নবু হায়বনি। উদবা জগৎ অদুবুদি থোইনবু থারুদনা অউবা জগৎ মাসতদ লৈরবা পোৎশিং সিমকপু মশী মশীব হায়বসি তাইবংমৈগী শক্তিগী য়াংমদনি। অদুবু সাংখ্য যোগী অদুগা মাগী জ্ঞানশিংনা ঈশ্বায় লায়না থীদুনা পনম্লে অসিগুম্বা সাংখ্য শাস্ত্রবু পুথোকখিবা ঋষি অদু কপিল ঋষিনি হায়নৈ হুম্দৈ লৈতনা, মশীং লাক্ তমদনা লৈবা পোৎশিংগী মচুংদা লোত্তুনা লৈরিবা পোৎ অম থিরবুদি মশী অককনা লৈবা পোৎশিংগী মচুংদা থিবনা তেম্না লায়না থোকই হায়রবসি থরমকপদগী বিশ্ব জগত্ত লৈরিবা পোৎশিং অসি কুম্মরিতনি হায়না সাংখ্য মুনি কপিলনা পুথোকখি। মহাজ্ঞানী অসিনা য়াম্না শিংনা লোগ সাধম তৌদুনা পুথোকখিবনি। মী, শা, উচেক, ভীল-কাও, উ-র, নাপী শীংবী, চীং মান অমমুং থীবাসিদি হক্তিক চক্তিক থীজনি "লেপাক্" হায়রদুনা অমুক্তং অমতং থীরগা লোইরে। মরমদি হায়রিবা পোৎশিং অসি লৈপাক্ (মৃত্তিকা) গী পরমাণুগী মশৈ মক্তনি মতো অসুম অমত থীরগা লিশিং লথালথা থীত্রবস্ত য়াবাসি পোৎ কুম্মরিতনি মথোয় অদুবু তত্ত্ব কুম্মরি হায়রগা খঙনৈ। শঙ্গোম, চুহিনচিংবা মহীলাওবা পোৎ লিশিং লিশিং অমমমত

মতোঽহং প্রবর্ত্তিতঃ পূর্বমব্যক্তাৎ ত্রিগুণো মহান্ তস্মাৎ পরতরো যোঽসৌ ক্ষেত্রজ্ঞ ইতি কল্পিতঃ ॥৭৫॥

সোঽহং ক্রিয়াবতাং পন্থাঃ পুনরাবৃত্তিদুর্লভঃ । যো যথা নির্মিতো জন্তুর্যস্মিন যস্মিংশ্চকর্মণি ॥৭৬॥

মমাংঙৈদা ঈহান হানবদা অব্যক্ত প্রকৃতিদগী সত্ত্ব, রজ, তম গুণ অহুমগী মপৈগী মশক ওইবা অহংকার হায়বা চাউরবা তত্ত্ব অসি পোকৃখি । মাসিদগী তোঙাম্না তাহুনা লৈরিবা চেতনা শক্তি পূরমক্কী সমাপ্তি (মপৈ-মপূম্) অহুবুনি ক্ষেত্রজ্ঞ হায়রিবসি অসুম্না হায়নৈ ॥৭৫॥ ক্ষেত্রজ্ঞ (ক্ষেত্র-হকচাংসগী তত্ত্ব মশক্ খঙবা) হায়বদো কনা নত্তে, ঐনি । কর্মদা অহুগা কনগী মহৈ ফংবা চাবদা পূক্নং চঙবা অহুগা পামজবা ওইনা থীরুত্রবস্তু 'ঈশিং" হায়হুনা অমুক্তং থীরগা লোইবে । মরমদি মথোয় অসি ঈশংগী শায়োন্ মক্তানি । অসুম্ন ঈহান হানবদা লৈপাক, ঈশিং, মৈ, নুংশিৎ, আকাশ হায়হুনা মঙাতং থীরগা তোকৃই । অহুগী তুদা মঙা অসিগী মনুংদা ঈয়াম য়াওদবা, মনম, মহাও, মশক শোকপা (খোংপা কনবা) অহুগা শব্দ (খোঙেল মঙা আসং । "মুক্‌স্থু পূথোকই অহুগী তুংদা পীথ্রিবা তরা অসিগী নুদা ঈয়াও য়াও দবা অউবা মীৎ, নাকোং, নাতোল, লৈ, উন্‌শ কৌবা কম ইন্দ্রিয় মচা অস থীরকই । মখোয় মঙা অসিদ মশা মশানা উবা তাবগুম্ব নত্তে হায়হুনা অনমমগা কোন্নবা জ্ঞান ইন্দ্রিয় মঙা অম অমুক তোঙাম্না থীব হৌখি । হায়ত্রিবা কুন্ অসিদা ঈয়াও য়াওত্রিবা মন (পূক্নং), বুদ্ধি (জ্ঞান), অহংকার (ঐ নঙ্ হায়বগী য়াথংগী মশক ওইবা পোং), অহুগী তুদা আত্মা মরি আসমা অমুক হাপচিন্দুনা তত্ত্ব কুন্মরি পুথোকৃখি । সাংখ্য যোগনা হায়রিবা "পুরুষ" হায়বসু আত্মা অসিবুনি । ওসাই থীথ্রিবা মৈ ঈশিংনা চিংবশিং অহুবু প্রকৃতি হায়বগা খঙনৈ । অহুনা সাংখ্য যোগনা নৈনারিবসি প্রকৃতি পুরুষ অনী সিতগী য়ানি বাদ য়োমদা হায়ববস্তু দ্বৈতবাদনি মনম অহুনা দ্বৈতবাদনা মরু ওইবা সাংখ্য শাস্ত্রগী প্রণেতা (লেখক) অসি দেবহুতিগী মচা ওইনা অবতার লৌখিবা কপিল ভগবান্ অহু নত্তে । মহাক্না মমা দেব হুতিদা অদ্বৈত ব্রহ্ম তত্ত্বগী উপদেশ পীখি । উরিবা প্রাকৃতিক পদার্থ খুদিংমক মায়ানি হায়না থনগদবানি হায়না পাউতাক্ পীখি । কপিল ভগবান্‌গী সাংখ্য তত্ত্ব অসিবু শংকরাচার্য্যনা মরু ওইনা লৌখি । ব্রহ্মাগী মানসপুত্র সনৎ কুমারনচিংবা মচা তরেৎকী মনুংদা য়াওবা কপিল ঋষি অহুসু নত্তে । হৌজিক সাংখ্য শাস্ত্র হায়না খঙনরিবা অসিগী প্রণেতাদি সগরগী মচা লিশিংতরুক্তবু ভস্ম ওইহনখিবা কপিল ঋষি অহুনি হায়নৈ । হায়রিবা কপিল অহুম্বক অসি প্রকৃতি পুরুষগী মরমদা মহাজ্ঞানী ওইনা লোকখিবা ঙাক তনি । অহুনা সাংখ্য শাস্ত্র লেংখিবা কপিল অসি চপ চাবা কনানো হায়বসি চিংনকমনি । বিষ্ণু সহস্র নামদা "মহর্ষি কপিলাচার্য্যঃ কৃতজ্ঞো মেদিনীপতিঃ" হায়বা শ্লোকার্দ্ধ অসিনা কপিলাচার্য্য অসি বিষ্ণুবুনি হায়নমু তাকলি । কাপিল কৌবা পূরমক্কী আচার্য্যনি হায়না অর্থ লৌরবসু থোইনা কায়দে । মরমদি বিষ্ণুদি সাংখ্য জ্ঞানী পূম্বগী গুরুনি ।

(কালাচাঁদ)

প্রবৃত্তো বা নিবৃত্তো বা তৎকলং সোঽশ্নুতেমহৎ । এষ লোকগুরুর্ব্রহ্মা জগদাদি করঃ প্রভুঃ ॥৭৭॥
এষ মাতা পিতা চৈব যুষ্মাকং চ পিতামহঃ । ময়ানুশিষ্টো ভবিতা সর্বভূতবরপ্রদঃ ॥৭৮॥
অস্যচৈবাত্মজো রুদ্রো ললাটাৎ যঃ সমুত্থিতঃ । ব্রহ্মানুশিষ্টো ভবিতা সর্বভূতধরঃ প্রভুঃ॥৭৯॥
গচ্ছধ্বং স্বানধিকারাংশ্চিন্তয়ধ্বং যথাবিধি প্রবর্তন্তাং ক্রিয়াঃ সর্বলোকেষু মাচিরম্ ॥৮০॥
প্রদিশ্যন্তাং চ কর্মাণি প্রাণিনাং গতয়স্তথা । পরিনির্দিষ্টকালানি আয়ূংষীহ সবোত্তমাঃ ॥৮১॥

মহাক অদো হয় হয় লোকপা শিবগা চৈনরকপা মীনি। অতুনা অদুগুম্বা মীশুন অতুগীদমক্তি নিবৃত্তি মার্গ হায়বসি কংনদ য়াব অদুগা ওইথোক্কব লাগী অম শতন থোক্কান জীব পানবা খুদি মক (যা খুদিংগী) মাগী মথুং মপান্গী শাখি শাখিব মওং মওতুগী মতুং ইন্না প্রবৃত্তি নিবৃত্তিগী কনদা চৈনরকপ ওইনা লূপনরি। অদুগা প্রবৃত্তি কর্মগী নত্রগা নিবৃত্তি মার্গগী মতৈ অদু চানবি ॥৭৬॥

লোক পুম্নমক্কী গুরু ব্রহ্মা অসে জগৎ পুম্নমক্কী সৃষ্টি কর্তা (হৌশেংবা মপু) নি। মতংদুদা জীব পাম্ব পুম্নমক্কী মমা মপানি — অদুগা কুইববা মমা মপা লোকনা মবুধো পিতামহনি জীব পানব পুম্নমক্ত মান মান অপাম্ব বর পীন চৈব ওইগানি ॥৭৭-৭৮॥

মহাক্কী লাইবক্কী লোকপ্রিবা (শে কাপ্থবা) রুদ্র অসিসু ব্রহ্মা নহক মচান ব্রহ্মাগী য়াথং অমদি পাউতাক্কী বিশ্ব জগত্ত লৌরবা অংচঙ্গত জীব পুম্নমকপু গাকপ লেন্থবগী শক্তিসু বর্দসদা লৈগনি ॥৭৯॥

অতুনা লাইয়াম পুম্নমক তৌজিন্ নহাক্ নহাক্কা নখৌ পাংথোক্কবা হৌকয়ো ॥৮০॥

দেবতা অথোইবশা। নখোয়না অংচঙ্গ জীব পুম্নমক্কী কম অদুগা তৌরিবা কনতুগী কগদবা অবস্থা অমদি মহৈদা অদুগা মীকপ অমত পঙ্থবা য়াদবা পুনাশিগী অথোইবা কাশবিন্দুদে চপ চানা পাখু ॥৮১॥

⁂ কম অম তৌরবা মতুদা নত্রগা তৌব লোইত্রবৈদা, নত্রগা তৌগে থাল্লব কম হু নওবা অতোপ্প ওইনা লাক্লিবা কম অসি ঐথোয়না শীনব ওম্ব নত্তে দেবতা (দেব চৈব না শীনবমক্তনি। মাসিবু ঐথোয়গী লোন্দা লাইনা তম্বা অম লাক্কান হায়নৈ বিষ্ণু ভগবানগী যাথ দগী, তাইবং জীবশিংদা পীগদবা শাজং-পোশক পুম্নমক মাগী মাগী মথৌ ওইন। দেবতা খুদিংনা শেম শাত্তনা লৈনপ্রবনি হায়বসি— ভগবান বিষ্ণুনা তাক্লিবাসিদগী ঐথোয়না খঙবা ঙম্মি। মচা পাম্বা, মবল পুম্বা, নাদয়েক্তনা লৈবা পাম্বা, খবক্ মহৈ য়ানবা অসিনচিংব পাম্বা যজমানশিংনা অতোপ অতোপ্প দেবতশিংগী পুজা তৌবা মতমদা "বিষ্ণু রোম্ তৎসৎ" হায়। হায়ন হায়না উচ্চারণ তৌরগা শনি গণেশনচিংবা দেবতাগী পুজা তৌনৈ। দেবতাশিংগীত নওনা স সারদা লৈরিব অংচঙ্গত পোং খুদিমক্কী শক্তি অম অমত মায়দে। ঈশিংগী শাক্তগা মৈগী শক্তিগা মায়দে। শামুগী শক্তিগা উচিগী শক্তিগা মায়দে। দেহ খুদিংদা লৈরিব আত্মাদি মশা অমতনি। সব শক্তিমান ওইবা শক্তি পুম্নমকপু লোইন সব শাক্তধর অমন ময়াম অসিদ। অথোই অহেন নাইনা

ইদং কৃতযুগ নাম কালঃ শ্রেষ্ঠঃ প্রবর্ত্তিতঃ। অহিংস্যা যজ্ঞপশবো যুগেঽস্মিন্ তদনাথা ॥৮২॥
চতুষ্পাৎ সকলো ধর্ম্মো ভবিষ্যত্যত্র বৈ সুরাঃ। ততস্ত্রেতা যুগং নাম ত্রয়ী যত্র ভবিষ্যতি ॥৮৩॥
প্রোক্ষিতা যত্র পশবো বধং প্রাপ্স্যন্তি বৈ মখে। যত্র পাদশ্চতুর্থো বৈ ধর্ম্মস্য ন ভবিষ্যতি ॥৮৪॥
ততো বৈ দ্বাপরং নাম মিশ্রঃ কালো ভবিষ্যতি। দ্বিপাদহীনো ধর্ম্মশ্চ যুগে তস্মিন্ ভবিষ্যতি ॥৮৫॥
ত্রিতয়েঽথ সম্প্রাপ্তে যুগে কলিপুরস্কৃতে। এক পাদস্থিতো ধর্ম্মো যত্র তত্র ভবিষ্যতি ॥৮৬॥

বিষ্ণু ভগবাননা হায়রি :— দেবতা পুম্নমক। হৌজিক-হৌজিক চংলিবা যুগ অসি সত্য যুগনি। মতুংগী যুগশিংদা যজ্ঞগী বলিদাননদা ইরোং শগোলনচিংবা শাশিংগী হাৎপ ভুপ্পনচিংবা তৌনরকদৌরিবা হিংসাগী থবক্ অমত্তু তৌরক্কদে। মরম অদুনা যুগ অসিগী চৎনাবিবা অহিংসা ধর্ম আসগী ওম্ন তৈনবদা করিগুম্বা হিংসাত্মক ওইবা থবক্ অমত্ত তৌবা য়াদে ॥৮২॥

লাইয়ামশা। হৌজিক ওইরবা সত্য যুগ অসিদা ধর্মনা মপুং পান্না লৈখিগনি। যুগ আসগী মথংদা ত্রেতা কৌবা যুগ অমা লাক্কনি মতম অদুদা ধর্মগী খোঙ মরিদুগী মসুং খোঙ অমা কেনখিগনি। খোঙ অহুমদা লৈবনা ত্রেতা কৌগদৌরিবনি। অদুনা বেদ অহুমগী প্রচার তৌনগনি ॥৮৩॥

মতম অদুদা যজ্ঞদা বলিদান হায়বা যজ্ঞগী শক্তক অমা হুপ্পা হৌবগনি। বলিদাননচিংব হাৎপ ভুপ্পনচিংবা থবক্তা ধর্ম কর্মদা চংডকপনি। খোঙ মরিগী মসুং দা অমা কেনখি ॥৮৪॥

অদুগা তুংদা দ্বাপুর যুগ লাক্কনি। মতম অদুদা ধর্মগা অধর্মগা যান্না চংক্নি। ধর্মগী মখোঙ অনী কেনখিগনি। অনৌদা লেপকান, অদুনা দ্বাপর কৌবনি ॥৮৫॥

অদুগী তুংদগীদি পুষ্য নক্ষত্রদা কালযুগনা নখোঙ কানাশল্লক্কনি মতম অদুদা ধর্মগী নামত হায়গনি, য়েস্বরকপনি হায়রিবসি মশানা তাক্লে। মত অসিদসু বিষ্ণু ভগবাননা মাগী মাগী অমদি তৌরি তৌরিবা কর্ম অদু য়েংলগা মহৈ পীসু হায়না দেবতাশিংদা য়াথং পীরি। মতা অসিদা হায়রিবা য়াসি আধিভৌতিক বিজ্ঞাননা লম্বদা য়ানা থোক্কদবা হৌরম অমনি। চউরবা লাইরেলগী মখোয়দা পীক্লবা নাচল অমনা চীক্লবদি লাইরেল অদু শি। অদুনা শক্তি লেনবা মতমদা মপানগী মশা মউ চাউ শাবা, ঈনাক কৈরাক থুনবা, লাইববা মশা পীকপশিংদা মীচঙ মীখা নাহনা য়েন্দে। শাক্তমান ওইববসি মপানগী আধি ভৌতিক ওইবা হকচাং অসি নত্তে আত্মানি। আত্মাদ চাউবা পীকপগী তোঙাল তোঙানবা মওং লৈত্তে বিষ্ণুগী য়াথং মসুং ইন্না, দেবতাশিংনা পীগদৌরিবা মহৈ অদু, পুক্কম অদু য়ৌত্রিমথৈ কম্ন কম্ন হোৎ নহুনসু তাইবং জীবনা মহৈ কবা ভমদে। লাংগী নোংদম হায়রিবাসমক নোংমগী নোংমগী লাইনা তম্বিরকপা হায়বনি। লাইশিংনা তৌরিবশিং আস কনাগী য়াথংদগীনো হায়বদা দেবাদেব শ্রীবিষ্ণুগী য়াথংদগীনি। মৈ পূজা তৌরগা, যজ্ঞ তৌরগা কংলিবা পোলক্ত চাক্লিবা মৈত্তংকা পীবনত্তে। মৈদা লৈরিবা অধিষ্ঠাত্রী দেবতা অদুনা বিষ্ণু ভগবানদগী লৌরগা পীবনি।

(কালাচাঁদ)

দেবা দেবর্ষয়শ্চোচুস্তমেবং বাদিনং গুরুম্। একপাদস্থিতে ধর্মে যত্র ক্কচন গামিনি ॥৮৭॥
কথং কর্ত্তব্য অস্মাভি র্ভগবংস্তদ্বদস্ব নঃ।

শ্রীভগবানুবাচ

যত্র বেদাশ্চ যজ্ঞাশ্চ তপ সত্যং দমস্তথা ॥৮৮॥
অহিংসা ধর্মসংযুক্তাঃ প্রচরেয়ু সুরোত্তমাঃ। স বোদেশঃ সেবিতব্যো মা বোঽধর্ম পদা স্পৃশেৎ ॥৮৯॥

অহুম্ কেনখিগনি * ॥৮৬॥ মতম অদুদা দেবতাশিংনা অস্তুম্ন হায়রকই— ভগবান কলি যুগতা ধর্মনা মখোঙ অমতদা লেপতুনা লৈব মতমদুদা ঐখোয়দি করম্ন লৈব তাই? মাহাক তাকপিয়ু ॥৮৭॥

মাহাক তাবদা শ্রীভগবান্ন হায়রকই— অথোইব দেবতা পুন্নমক! বেদ, যজ্ঞ, তপস্যা, ধ্যান, সত্য (অচুম্ব ওাঙবা), ইন্দ্রিয় খুদুম চম্বা, অমগা অহিংসা ধর্ম্ম মখোয়শিং অসিন্ন ওাক্ত চৎনরিবা মফম অদুদা নখোয়না লৈফম থোকউ, লৈংদবনি। অদুম্ তৌরবদা অধর্মনা নখোয়দ চুৎব শোকপ ওমলোই॥ ৮৮-৮৯॥

---

* ভবিষ্যৎ পুরাণ হায়দুনা অয়েপ্প গ্রন্থ অম লৈব য়াব নত্তে। ভবিষ্যৎ হায়বদি তুংদ ওইরকদবা হায়বনি। পুরান হায়বনা কুইরবা, লিয়রবা, হৌঅরবা—লোইঅরবা হায়বনি। ভূত কালগা ভবিষ্যৎ কালগা অনী ভিন্নহনবসি, শাস্ত্রিয়বদা থর লুন থেক্কনি শব্দদি লৈবা ময়ায়। মগাক লাক্রমগনি হায়বসিদা "লাক্রমগনি" দা রম্ লমগা গান গা অনী পুন্নি। অদুনা কুপন বিচার তৌরবদি ত্রেতা যুগকী রা—হৌদোক ইবগী শরুকনা সত্য যুগকী গ্রন্থনা ভবিষ্যৎ পুরাণনি। দ্বাপুর যুগকী রা—হৌদোক ইবা হায়বগী শরুকনা ত্রেতা যুগকী গ্রন্থনা ভবিষ্য পুরাণ অদুম ওইগনি কলি যুগকী রা হৌদোক ইবা হায়বগী শরুকনা দ্বাপুর যুগকী গ্রন্থদা ভবিষ্য পুরাণ ওইবতনি। প্রমাণ অমদা হায়রগা দ্বাপরনা লোইরকপা, কলি যুগ লাকপা হৌরগনবা মতাদা দ্বাপরনী ঈকোন্ কেন্বা হস্তিনাপুরগী নিংথৌ পরীক্ষিৎকী একমদা শুকদেবনা ভাগবতকী ১২ শুবা স্কন্ধদা তুংদ লাকদৌরিবা কলি যুগকী বর্ণনা মতেক অম শম্ন লীথি। মাহাক ভাগবত পুরাণদা য়াওবা ভবিষ্য পুরানগী শরুক্ অমনি হায়ব য়াই। তৌবগীদি মমাঙৈদা থোকখিবা থোদোক্ শিং অসি থোক্‌খি ত্রৈই মতম যুগ অদুদা ভবিবা কালদা লৈরম্ব ওাক্তনি। অসিগুম্ব থবক অসি কাল (মতম) কো। লাই মাগী লীলানি। কালগী মখোঙ অদুমনি ভূত-ভবিষ্যৎ-বর্ত্তমান কৌবা মখোঙ তেক্‌অরব তুংদ বর্ত্তমানগা ভবিষ্যৎকা অনীতদা কালনা লেপতুনা লৈহোই। বর্ত্তমান কৌবা থোঙনা—তেকঅরবদা কালনা ভবিষ্যৎতা লেপতুনা লৈ। অদুগুম্ন ধর্ম কৌবা মহাক্কীদি মখোঙ মরিনি। অমম্নম তেকখিবনি। তেকহনখ্রিবসিস্থ ওসাইগী মতম (কাল) হায়বদুনদি যুগ মরি অসিনা মতম (কাল) হায়বদুগী মখোঙ মরি অমুক ওই। যুগলোমদ পারগা মখোঙ মরিনি, কালজোমদা পায়গা মখোঙ অহুমনি।

ব্যাস উবাচ

তেঽনুশিষ্টা ভগবতা দেবাঃসর্ষিগণাস্তথা ।
নমস্কৃত্বা ভগবতে জগ্মুর্দেশান্ যথেপ্সিতান্ ॥৯০॥

গতেষু ত্রিদিবৌকঃসু ব্রহ্মৈকঃ পর্যবস্থিতঃ । দিদৃক্ষুর্ভগবন্তং তমনিরুদ্ধতনৌ স্থিতম্ ॥৯১॥

তং দেবোদর্শয়ামাস কৃত্বা হয়শিরোমহৎ । সাঙ্গানাবর্ত্তয়ন্ বেদান্ কমণ্ডলুত্রিদণ্ডধৃক্ ॥৯২॥

ততোঽশ্বশিরসং দৃষ্ট্বা তং দেবমমিতৌজসম্ । লোককর্ত্তা প্রভু র্ব্রহ্মা লোকানাংহিতকাম্যয়া ॥৯৩॥

মূর্দ্ধ্না প্রণম্য বরদং তস্থৌ প্রাঞ্জলিরগ্রতঃ । সপরিষ্বজ্য দেবেন বচনং শ্রাবিতস্তদা ॥৯৪॥

ব্যাসনা হায়— শিষ্যশা ! শ্রীভগবানগী পাউতাকশিং অসি তাবদা ঋষি খিবিক্কা লোয়নবা দেবতা-শিং অদু মাগী মাগী চৎনগদবা মফম্ মফম্দা হন্নখি ॥৯০॥

স্বর্গদা লৈব দেবতাশিংনা চৎনগ্রব তুংদা, ব্রহ্মা অসি মথন্ত মফম্ অদুদা লেপতুনা লৈহৌই। অনি-রুদ্ধ মূর্ত্তিদা লৈব, হায়বদি অনিরুদ্ধ মূর্ত্তিবু পুবা ভগবানগী দর্শন ফংগদৌবগী মহাক ভগবানবু ঙাইদুনা লৈহৌরি * ॥৯১॥

মতম অদুদা হাং চাউরবা হয়গ্রীব (শগোলগী মকোক্ পানবা) গী মূর্ত্তি পুদুনা শ্রীভগবান্না ব্রহ্মাদা দর্শন পীখি। পাম্বোম মরি পাল্লি, কমণ্ডলুত্রিদণ্ড পায়। অঙ্গ ভরুক্কা লোয়নবা বেদগী মন্ত্র পুম্বা নীং-থিবা খোন্থ্ংদা ঙাংদুনা থোরকই ॥৯২॥

ভূমৈথৈ লৈত্রবা শক্তি পুরবা ভগবান্ হয়গ্রীবগী দর্শন ফংলবদা লোক পুম্নমক্কী কান্নবত খন্দুনা ভগবান ব্রহ্মানা মকোক মরি নোম্ন থৃৎ লোম্ননা খুরমখি। বর পীনহৈবা ভগবান্গী মাঙদা লেপতুনা খুৎ লোম্ন-দুনা তুমিন্ন লৈখি। মতম অদুদা বর পীনহৈরবা ভগবান শ্রীহয়গ্রীবনা ব্রহ্মাবু চেজেং কোনবিদুনা অসুম্না হায়রকই ॥৯৩-৯৪॥

অদুনা কালগা ধর্মগা অনী অসি খুজেং পাম্নোইনবা চৎলি। হৌজিক কলি কৌব কাল অসিগীসু যুগ মরিগী অকোনবা শরূক্ মরিগী শরূক্ অমতনি। ধর্মগীসু মখোং নামতনি। মখোঙ মশীংদসু অনীসি চপ চপ মান্ননা লাক্লি। (কালাচাঁদ)

* ভগবান শ্রীবিষ্ণুগী শক্তি মরিনি। তৌবগীদি মহাক্তি সর্ব্ব শক্তিমাননি। মহাক্কী শক্তি লিশিং লিশিং অদু, শক্তি মরি অসিদগী শন্দোকচখিবনি। ভগবানগী শক্তি মরি অদুদি :—বাসুদেব শক্তি, সংকর্ষণ শক্তি, প্রদ্যুম্ন শক্তি অদুগা অনিরুদ্ধ শক্তি অসিনি।

করিগুম্বা পুনিংবা মূর্ত্তি অম পুদুনা মফম পুম্বদা মতম অমতদা য়োননবগী শক্তি অদু বাসুদেব শক্তিনি। যুথক কোটি লাপ্পা মফমদগী করিগুম্ব অমবু চিংশিন লৌশিন্নবগী অদুগা শুমহৎনবগী শক্তি অদু প্রদ্যুম্ন শক্তিনি। য়োনিংবা মফমদা লাকপদা করিগুম্ব অমতনা শম্বীদা থিব-থৎপা য়াতন্দব শক্তি অদু অনিরুদ্ধ শক্তি কৌই। শাকু কয় চেল্লকপ-পায়রকপ করিগুম্ব পোৎ অমতবু আকাশনা থিংবা ভুমদে।

ত্বয়্যাবেশিতভারোঽহং ধৃতিং প্রাপ্স্যামি খাঞ্জসা । যদা তুরকার্যং তে অবিষহ্যং ভবিষ্যতি ॥১৬॥
প্রাদুর্ভাবং গমিষ্যামি তদাঽহমাত্মজ্ঞানদৈশিকঃ । এবমুক্ত্বা হয়শিরাস্তত্রৈবান্তরধীয়ত ॥১৭॥
তেনানুশিষ্টো ব্রহ্মাপি স্বলোকমচিরাৎ গতঃ । এব মেষ মহাভাগঃ পদ্মনাভঃ সনাতনঃ ॥১৮॥
যজ্ঞেষ্বগ্রহঃ প্রোক্তো যজ্ঞধারী চ নিত্যদা । নিবৃত্তিং চাস্থিতো ধর্মং গতিমক্ষয়ধর্মিণাম্
প্রবৃত্তিধর্মান্ বিদধে কৃত্বালোকস্য চিত্রতাম্ ॥১৯॥
স আদিঃস মধ্যঃ স চান্তঃ প্রজানাম্ । সধাতা স ধ্যেয়ং সকর্তা স কার্যম্ ।
যুগান্তে প্রসুপ্তঃ সুস ক্ষিপ্যলোকান্ । যুগাদৌ প্রবুদ্ধো জগদ্ধ্যুৎ সসর্জ ॥ ১০০॥

শ্রীভগবান হয়গ্রীবনা হায় — ব্রহ্মা । নহাক্কা লোক পুম্নমক্কী কর্ম অহুগা কর্মশিংহুগী পাওথোক্লনবগী উপায় অমদি বিধি পুম্নমক অহু করম তৌরগা ওইগদবনো হায়বহু থল্লু । মরমদি অচচহু পুম্বসি নংনা শেম শাবনি ঐদি শাউ হায়হুনা হাথং পীবতনি । অহুনা, অইবা জগৎ অসিগী থাঙ্গৎলংবা গুরুদি নহাক্কা ওইগদৌরিবনি * ॥১৫॥

ব্রহ্মা । নহাক্কা পুম্নমক্কসি শিন্নবমলগা ঐ নীঙথায়দনা খাম্বিদা লৈগগে । বতশিনীদমক্কী থবক মরাম তৌনসি নহাক্কা পব খাংবা ভমদেব মতম অহুদা অত্মজ্ঞান পীননবগীদমক্ক ঐ ননক্কু থাংলগমি হাসি হাববমলগা ভগবান হয়গ্রীব অসি অন্তর্ধান কখি ॥১৬-১৭ ॥

ভগবানগী পাউতাক — হাথং অসি ফংলবা ভুংদা ব্রহ্মানা মশাগী শাম (লৈকম) দা চংখি । মতৌ অদুম ভগবান পদ্মনাভ শ্রীবিষ্ণু নারায়ণনা যজ্ঞশিংগী ঈহান হানবনা অগ্র পূজা লৌনীঙ্গায ওইহুন ভসি কাওবা লাক্লি । অহুনা যজ্ঞবু তৌদোকপা যজ্ঞবু অাক শেনবা হায়নসি সত্য যুগতগী ভস কাওবা শ্রী ভগবান মাতনা ওইহুনা লাকল । ভগবান মহাক্কি অমুক্কা নিবৃত্তি মার্গগী, অমুক্ক প্রবৃত্তি মার্গগী, ধর্মগী বিধাতা ওইহুনা লৈরি ॥১৮॥

অহুনা ভগবান্ নারায়ণ মহাক্কনা অচচহু প্রজা পুম্নমক্কী অহৌবনি, তরোইবনি । ভাক্কদৌরিবসু হাক্লিবসু মহাক্কি তৌগদৌরিবা থবকসু কার্যসু থবক্কু তৌরিবা কর্তাসু মহাক মৎতুনা ওইরিবনি । যুগ

অহুগা চেল্লিব জীব অহুগী শক্তিসু মাত্রা অমত হস্তহনব ভমদে । অহুগুম্ব ভগবাম্ন লাকপ মতমদা, করিগুম্ব অমতং তৌগে থক্লকপদা করিগুম্ব কনাগুম্ব লাহ হ চব অমতনা থিংব য়াদে । অহুগা জীব আত্মাদি মহাক্ক চঙনীংকব দেহদ, চঙহুনা পোকউবা ভমদে, কর্মগী মথা পোল্লি । ভগবান পরমাত্মা মহক্কি চঙনীংবা দেহদা অনিরুদ্ধ শক্তিনা মরম ওইহুনা পোকপা ভম্মি অসিমরম্ভ জীবগা ব্রহ্ম পরমাত্মাগা খেন্নৈ তোঙাল তোঙাল্লী হায়বহুগী চাওথবা প্রাণ অমনি ব্রহ্মানা ভায়হুনা লৈরিবনি । অহুগুম্বা অনিরুদ্ধ

* ভাঙকিবা, য়েংলিবা তাবিবা অসিনচিংবা থবক পুম্বস হক্চাংমুংদা লৈবা মশক্ উদবা করিগুম্ব কনাগুম্ব অমনা ইন্দ্রিয়রূপা পুরুষ অসিনা মপানগী অউবা কর্ম-ইন্দ্রিয়শিং অসিনা খুংলায় ওইহুনা তৌরিবনি ।

তস্মৈ নমস্থং দেবায় নিগুর্ণায় মহাত্মনে। অজায় বিশ্বরূপায় ধাম্নে সর্বদিবৌকসাম্ ॥১০১॥

মহাভূতাধিপতয়ে চৈব রুদ্রাণাং পতয়ে তথা। আদিত্যপতয়ে চৈব বসূনাং পতয়ে তথা ॥১০২॥

অশ্বিভ্যাং পতয়ে চৈব মরুতাং পতয়ে তথা। বেদ যজ্ঞা ধিপতয়ে বেদাঙ্গপতয়েঽপি চ ॥ ০৩॥

অমমগী লোইরকপদা লোক পুম্নমক লাহাশল খোমজিন্নমলগা যোগ নিদ্রাদ হেক হেক চেম্নি। কম্ন অমমগী হেক্ হেক্ হৌরকপদা বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ডগী সৃষ্টি অমুমুক তৌই॥৯৯·১০০॥

শিম্নাশা। নথোম্ন পুম্বা পোকপ শিব লৈতবা, বিশ্ব জগৎ অ'সনা মাগী অউবা মশক ওইহুনা লৈরিবা লাই খিবিকী চঙনকম ওইহুনা লৈরিবা পরমাত্মানারায়ণ দেববু ভক্তিগা লোয়নন্না খুরম্ম ॥·০১॥

পরমাত্মা নারায়ণ মহাক্কনা পঞ্চ মহাভূতশিংগী মপুনি রুদ্র ভরামথোই, আদিত্য ভরানীথোই অহুগা বসু নীপালগীসু মপানি। অতুনা মহাকতবু খুবমজো ॥ ০·॥

মহাক্ত অশ্বিকুমারশিং স্বমীনি। মরুৎশিং (মুংশ নীকুমালশিং) অতুংকা মপুনি। বেদ অমদি যজ্ঞ 'থ'বক্কী ভ'কনেনব মপুনি। বেদ বেদাঙ্গ পুম্নমক্কী মপুম। অহুগুম্বা শ্রীনারায়ণবু খুরুমজো ॥ ০·॥

শক্তি পুবা ভগবানশী বোযনবুন। অমুক্কা তাহব মগী রখল, তমুক্ক শা চাগী রাখল খনবাশগী মও পীরমদাহদা মীশী হকচাগা শাগী হৃশচ গতিমন দহদ ওস্থেকপা মূর্ত্তি হুন, ভগবান চেংথোংকপসু হাওহ। নইপে কুনা হায়ব থবক অতুগ শাক্ত অমত্ত ভগবানদা লৈতে। মাসিনুংক্ক অঘটন ঘটন-নপটিরসী শক্তি লৈরি। অমচরু জীব পানগী মূর্ত্তি বিরাট মওংশ অমারু ভগবানগী মপানগী ইন্দ্রিয়শিংগী লিঙ্গ (খুদম) অমমম্নি। ভগবানগী অশাউব তপ্প খাঙ তৌবলাচবা গুণ খুদংমরা মশক্ মওং নাইব' শাওগী হৈপাল হৈপালগী মশক পুহুনা লৈবি। অহুমক্কুনা মশক উবা বিশ্ব জগৎ অসি ভগবানগী বিরাট মূর্ত্তিন। শামুন ভগবানগী কেস্ব তপ্প হায়বা গুণ অহুন মাগী সৃষ্টিগী মহুংদা মূর্ত্তি নাহনা হৈবগী অউবা খুদম শইনা লৈবি পূর্ব্বগী মশক ওহবা শগোম্ন বথবু কেয়চিং চিংহুনা পুই অহুগুম্ন' ই শ্রয়শিনা বলাংকাংনা পূরুবু কোয়াচং চহুনা পুহ ভগবদ্গীতাদসু ইন্দ্রিয়শিংবু শগোলগা অম্নানি হায়না ভগবান্ন পাউত্তাকপী। অতুনা ভগবান হয়গ্রীবনা কেক্কৌ শরুক্কা শগোলগী মকোক পুবা মূর্ত্তি অম পুথোবক্কুন। বেদগী জ্ঞাননা গ্রন্থগী মগুণ পুবা বেদ অহুবু ব্রহ্মাদা পীবিখি। নিংথৌ ওইরগা শাগী লমচৎ হৎপা হায়বাদ শা নিথৌ নোংশাগী লমচৎ চৎপা হিরণ্য কশিপুবু নোংশা মানবা মূর্ত্তি অমা পুহুনা ভগবান্ন উদ্ধার তৌবিখি। মূর্ত্তিশিং অসি ব্রহ্মাগী সৃষ্টিনা অমত য়াওবা নত্তে' মসিমক্কুহ ভগবান্দি সৃষ্টিগী ম'মদা, বিশ্বব্রহ্মাণ্ডসিগী মামদা লৈ হায়বগীসু খুদম্নি। (কালাচাঁদ)

উহিল্লিবা অ'সনা আত্মা, তৌরিবা অসিনা পুরুষ, খুৎলায়শিং অসিনা ইন্দ্রিয়—অসিনি। মা'সদা মপানগী

* উরিবা বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড অসিগী ওইথিবা, ওইরিবা, লোইশিনথিবা অহুমগী মরমদা, জগৎ অসিদা

অশিবা হকচাংসি থুংলাই ওইদুনা লৈবদগী হেন্না করিমত তৌব ঙমদ্রবনি। মায়ানা ওহাক্তুং কুপতুনা লৈরুরবনা, থবক্ অমত য়াওদবা ঈশ্বিনবতনা মশিঙ্গাং ওইবা, আত্মাশিনা মপান্দা ফল হেক্ চোংশোক্লুনা হকচাংসিগা অমত ওইমিন্নদুনা, হকচাংদা তৈশিল্লিবা গোপাল কৌবা মিং অঙ্ক কাওববুস্থ মাগী মিংনি হায়না শেন্নান্নদা থন্দোকখিদুনা গোপাল ঐনা তৌরিবনি, তোম্বা ঐনা শারিবনি অমুম্ম হায়দুনা ঈকায়বা লৈতনা অনাত্মা (আত্মা মানবা, নত্তি নত্তবা) ওইদুনা লৈথোক্লে। হৌজিক্ত ঈগুনবগী থবকত তৌরম্ব আত্মা মহাক্না চোংথোক্লুনা হকচাংসিগী মরুমদ থুপত্তুনা ঐনা শাবনি, ঐনা তৌবনি, অমুম্ম হায়না অহংকারগী কুয়োমলুংদা লৈথোকলি। আত্মা মহাক মশামক মায়াদ তাঙ্গিরে হায়বসি মহাক থঙ্দে। অদুগী মথক্ত নাপলস্থ তৌবি, থোয়স্থ থোয়রি, ওন্না গুক মশক্ থঙডদুনা লৈবদগী হেন্ন করিমত তৌব লৈতনা লৈরম্বা মহাকনা, (সাত্ত্বিক অবস্থাদ লৈরম্বা মহাক্না) রাজসিক-তামসিক অবস্থাদ চঙদুনা জগৎকী মাহেন তারবা ফাওবা তৌরি। কনাগুম্বনা— মহাক্তি জগৎ শেম্ব মপুনি জগৎপু পোকপা পোকহনব "অপোকপা" হায়বদু মহাক্তনি হায়দুনা অপোকপা লৌবা অতৈ অংবু নীংবশিবব নিন্দা তৌরি। অদুগুম্বা মহাক মশানা মশাগী ইষ্ট দেবনু হন্থানা থঙরে হায়বসি মায়ানা কুপ্পুনা মশামকস্থ থঙদ্রে। মহাক্কী "অপোকপা" হায়রিবদুদা পোকহল্লু, শেম্মু শাউ, হায়না য়াথং পীরিবা মহাক্তুদি কনানো হায়বা মহাক্না অমুক হন্দ্রি। পোকপা, পোকহনব, শেম্বা শাবা ঈশ্বাও য়াওদবা অতোম অরেম্ ওইনা তুমিন্ন য়াথত্ত তাঙ্গিথদুনা লৈবা মহাক্কী রাখাল ঈপৌ তৌদে। বিষ্ণুনা ব্রহ্মাদা হায়রি—ব্রহ্মা! জগৎকী মপু, জগৎপু শেম্বা শাবদি মহাক্, ঐ নত্তে। পোৎকী মপু থাঙ্গৈথোকবদি পোৎ অদুম্ব শারিবা মহাক্না ঈহান হানবা আদি প্রভুনি। অদুনা অনাদি ওইবা বিষ্ণুন ব্রহ্মাদা আদি প্রভু হায়না কৌখিরি।

(কাল চাঁদ)

কৌরিবা ধর্ম সম্প্রদায় লিশিং লিশিংগী, অধ্যাত্মিক আধিভৌতিক বিজ্ঞান লিশিং লিশিংগী রাথঙ কয়া কয়া সিদ্ধান্ত কয়া কয়া, বাদ (রাপু) কয়া কয়া, তর্কবিতর্ক কয়া কয়াগী খণ্ডন মণ্ডন মপৈ মপৈ লৈগ্রংনি, অদুগা লৈস্থ লৈরি। হৌজিক ফাওবা অমত লেপনদ্রি হায়বা য়াদে। ওইরিবা লৈরিবা পোং অমবু মশামথন্ত ওইরকপনি লৈরকপনি হায়বসি হেক হায়বা য়াদে। উরিবা চফ্ অসি লৈপাকতগী ওইজরকপনি হায়বা য়ারোই। অদুনা লৈবাক আসমকস্থ লৈপাক ওইনা অদুম লৈরকপা নত্তে, ঈশিংদগীনি। ঈশিংস্থ মৈদগীনি, মৈ নুংশিত্তগী পোকখিবনি। নুংশিংনা আকাশদগী অমুম্না মথং মথং মাগী মাগী মাগী পোক্লকম, ওইরক্লকম অমনম লৈনখ্রি। থাক্টদগী ঈকোন কোন্ন ফংবা পোক্লক। অদুনা মথং মথং লাকপ পুন্নমক্কী ঈহান হানব লৌরকক্লমনি। অদুনা মগাকপু সর্বকারণ কারণ কৌনৈ। মহাক কনানো? মহাক মথন্তনা আদি, মধ্য, অন্ত অদুম অসিস্থ ওইগদৌরিবা মহাক কসি কনানো, করিনো? নাস্তীকশিংনা ঈশম্ শন্ন লেত্তে হায়না থুমদোক্থি। উরিবা চীঙমান, হৈপাল লৈপাল, হুমিৎথা, মী শা উচেক পুন্নমকনি মহৌশাদগী অদুম

সমুদ্রবাসিনে নিত্যং হরয়ে মুঞ্জকেশিনে। শান্তায় সর্বভূতানাং মোক্ষধর্মানুভাষিণে ॥১০৪॥
তপসাং তেজসাং চৈব পতয়ে যশসামপি। বচসাং পতয়ে নিত্যং সরিতাং পতয়ে তথা ॥১০৫॥
কপর্দিনে বরাহায় একশৃঙ্গায় ধীমতে। বিবস্বতেঽশ্বশিরসে চতুর্মূর্তিধৃতে সদা ॥১০৬॥
গুহ্যায় জ্ঞানদৃশ্যায় অক্ষরায় ক্ষরায় চ। এষ দেবঃ সঞ্চরতি সর্বত্রগতিরব্যয়ঃ ॥১০৭॥

ক্ষীর সমুদ্র ঈপাকথক্ত, চেপাশবা শমনলাকন নাইবাথবা, অচচচ্চ জাব পুম্বদনওনা, তাবুং ঈপাক লানবা ভাক্রবা, ঈওপ্ত তম শাঙৰ লেতবা, হার মডোন্দ চডজো লামবা, তাঃবং ঈপাকপু খুকমজো মডোন্দ, ফংগনি মাবু ফংবগী মু ভাঃবা ॥১০৪॥

ত স্যাগী মপু, তেজগী মপু, মিচংাক মপু, রাহেগী মপু, চিঙ মান ভুরেল পুম্বগী মপু, পুমনমকাসগী ভাঙবা মপু ঃ ব মা। চরণদ চডজো, মবু ফংবগী নভাঃবা ফংগান ॥১০৫॥

ভচ গা চবুলকে বথক্ত দুব মমা' মভাংলিব ফকা ক মূর্তি পুবা, মহাজ্ঞানী বিবস্বান হয়গ্রীব মূর্তিপুডম্বা, মূর্তি শাব মংম্বনা মু। শ্রান্বিগী চরণদা চংজো ॥১০৬॥

মহাকাকি ংনা (কলাংগী লেডচব' ম,) তে ময়থুংন কুপন লৈবান। মপানগী মিৎ নাইগদবা নেও স্রাদিগী নিংবা ভগবান। অমাড-অত ঠৈবো, পুরক্তম নাডচগানিঙ্গি আনবু পুডম্বা ভগবান শ্রীংগী ১ পবু খুমম অডবা মাঙনম্বু মথম পুম্বং শাম্বুন লৈ, উাবা নিংঙমু মথম পুম্বদা শাম্বুংন ভঙজাগুনি। অশোং। পুঈশ্বরবনা হায়বা অম ভবনও হায়না শানশবাদী নাস্তীকবিংনা গায়াথ। লোচুপালোংগী দর্শন বৈজ্ঞানিক মখোয় নংকপাংমু মত (বিপ্নার) অনর্গম। লোংপোকলোমগীম্ব অদুন। ভংহনবা অন যপেনা মমানা অদুম ভক্তজাথবাস কান লাংাত লৌমি হংয়বসি থনুগদবান। উারবা উজ্জ্বী অসি কংলাপংনো খডহৌননা মশা মংক্ত অদুম ওইজাকপান হাংবাসমদি যাজ্রে হায়-ত্রবনিনা ওহয়কফম, ও ংক্লকযম কনাগুম্বা বরিঙ্গম অম কৈব শোক্তুদ্রবান। লৈব ভারিবদি মামং মওং মাগী লৈকন, মতমনাচংবান লৈতবা য়ারেঃ। মওং মমিং অদু কৈন তাবেংনিনা, মও কনদৌহি, মমিংনা কমদৌই, কনাইদ লৈ অসিনচিংবাদ লেপনবা তাঃ। লেপনবত্নান সিদ্ধান্ত হায়রিবসি। ওইবম, ওই-রবকম য়াওদবা পোং কৈবা, ওইবা যারোঃ; পোং খুদিমক্কী ওইবকফম অমমম লৈবসিগুম মশাক মওং মওং তোঙাল লোঙাল পুরি। খুদমক অসগী মপৈ, মপুম ওইনা লৈাবদা বিশ্ব জগৎ মপুম আসিগী অমত ওইবা কৌরককম ওইরককম অমা লৈবঃ হাংহংস নশানা ওয়ান। মহাক অদু সর্বশক্তিমান ওই-গনি। মমিংদি মাগী মাগী ভাবাগী মতুং ইন্না পাওথোস লোনবা যাঃ। মহাক অদু সংস্কৃত ভাষাদা বিষ্ণু, নারায়ণ কৌই। লোল অমদু পামজদে ইরোম্বও হায়বাদ মংগী অপডবা কোঙদোবচবনি।

(কালাচাঁদ)

এষ চৈতৎ পরং ব্রহ্ম জ্ঞেয়ো বিজ্ঞান চক্ষুষো। এবমেতৎ পুরা দৃষ্টং ময়া বৈ জ্ঞানচক্ষুষা ॥১০৮॥
কাথিতং তচ্চৈব সর্বং ময়া পৃষ্টেন তত্ত্বতঃ। ক্রিয়তাং মদ্বচঃ শিষ্যাঃ সেব্যতাং হরিরীশ্বরঃ।
গীয়তাং বেদশব্দেশ্চ পূজ্যতাং চ যথা বধি ॥১০৯॥

বৈশম্পায়ন উবাচ

ইত্যুক্তস্তু বয়ং তেন বেদব্যাসেন ধীমতা। সর্বে শিষ্যাঃ সুতশ্চাস্য শুকঃ পরমধর্মবিৎ ॥১১০॥

লৈঙভ্র মহাক্কি অতং অথম লৈতনা মথম্ মতম পূম্বদ কোয়চৎ চক্তুনা লৈ * ॥১০৭॥ পরং ব্রহ্ম হায়-রিবদো মহাক্কুবুনি। বৈজ্ঞানিক ওইব মিংয়েতন মহাকপু উব কবনি অদুগা মহ কি তত্ত্বু খঙব ওয়নি। মমাঙৈদা এইসু জ্ঞান দৃষ্টি জ্ঞানগী মিংয়েং) তনা পরাম্ব মাগী দর্শন কংজখি ‡ ॥১০৮॥

শিষ্যশা। নখেয়না হ ডকপ নতু হয়া এইন পূয়নক হ হবিবান। নখেয এইনা হায়বা ইল্লু ভগবান পরমত্ম হনিগী ১ণশা ন জী নহকী সমা তী বনা নত্র তৈনা বধ কয়দনা নহাকী মাইনা-বু শকচ নল্লু মহকী সব পূজা তী ॥১০৯॥

বৈশম্পায়ননা হয়ঃ নিপৌ জন নজ্ঞয় মহাজ্ঞনী বেদব সন মন কী শিষ্যশদা অদুগা মচা শুক দেবনা অসগুম্ব জ্ঞনগী পড়গাক মহম হ স পীখ ১০॥

* "ন ানগা হ এ্র িংনা লাথিনাক ইমনবা' হযবা রথ সংবু মৰাংচবা কারণ অম ওইনা খমতুন নাস্তকশন পরমেশ্বর হায়বা অম লৈতে অহুন হ যনা নখোয়গী নও গীর। নাকোংনা তাব য়াবা খোঞ্জেংসু মাক্ল নামত ল পবকপ লৈতে চম্পুম্ব অচা ন হ য় দব ড দগনবা অচম্ব বাদ (আর্গুমেণ্ট) কয়া কয়ানা শ্রীভগবন হায়গী অস্তহবু হঙন তৌরি। উদ্রেগা ও ত্রেগা লৈত্রে হায়বসিমক মশানা অমুকম্ব ককথৈচ্চে। ময়া মখোলসু ভাত্রিবা, মশক উাদ্রব লাপন লৈত্রব মচাবুদি মহারা লৈ হায়রি। লৈ হায়-বদি নদি করম্ব খঙাও হংবদা মহাক্কা খুমগদবাস অনুমানগী পাৈম্ব নত্তুনদি নক্তগা বিশ্বাস (থ জবা) হায়বদু নম্ভুনদি ফন য়াম্ব লুপ্তবনি। অত্তুগুম্বা বিশ্বস হায়ব মনে যুও অত্ত মচা নশুতদা শী জয়নি ঈশ্বরদ শীজিম্ন-রোই হায়রি। উাথিত্রবা মচবু লৈমি হায়না মওক্ক, হয়ারবাস লৈরম্বা য়াই নক্তগা লৈরিনি হায়না থক্কিবনি হযব'স মচাক মশনা খঙদে।

‡ উগদবা পোংশকনা অমত ওইংবস্ত জ্ঞানগী মীৎনা উবা মত্তি'দ জ্ঞানগী মহুংদা অচুম মরৈ, অদুগা আধিভৌতিক বিজ্ঞানগী পাম্বেনা উবা মূর্ত্তিদ মপান্দা আধিভৌতিক মূর্ত্তি ওইদুনা লৈহনবা অমদি অতৈবুম্ব উহনবা য়াই। খুনম ওইনা হায়রবদা লম ভাম্ব লৈত্রবা মীগী মূর্ত্তিবু টেলীবিজনগী পাম্বেনা উব ফংহল্লি। উবিবদুদি মীদুগী"আধিভৌতিক মূর্ত্তিমকম্ব নত্র, মমিনি। মহাক্কা ভাওলিবদুসু উায়বদুমক্কা ভাওবসু নং-ত্রি। অদুনা আধিভৌতিক বিজ্ঞাননা উহনবা শারকপা পোশক মথৈ মায়ানি, হায়ানি, আদিত্তানি, কায়খি-জুমথিগদবা ভহাক্ক ভাম্বরবা মক্তান।

লৈরিবনি, লৈরম্বা য়াই হায়বা অসিনচিংবা অনুমান অসি মচা মশূ হৈপাল লৈপান্নচিংবা পোৎশিংতদা শীজিন্নখদবনি ঈশ্বরদদি শীজিন্নবোই হায়রি। মুম্ব খন্দকরবদি অসিগুম্বা ৱাতাওসি তাওলিবা মশানা মশাগী অপওবা ফোঙদোকপা নত্তনা করিস্থ নত্তে। লমদা লৈবা ঈশি শিদবা মচাবু কনাগুম্বনা লওনগে শিয়ে হায়না পাউদম্মবদা মহাক্ খুদক্ত কপ্লি লাউ খোঙডি' মাসি করিনো হায়বদা মচাবু মু শিবা হায়দুনা মবা তপ ওইনা খম্লগা মীনমদুনা পাউদম্মরিবা মহাক অদুবু থাজমনখিবদগীনি। পাউ তম্মবিবা মী মশা (হকচাং) দুমকপু থাজবদগীরা, নত্রগা মহাক্না হায়ররিবা "শিবে" হায়বা ৱা শব্দ অদুবুরা হায়রিবসি কপ্লিবা নাস্তীক মওোন্দা হংলবদি পাক খুম্ব য়ারোই। ঈচাদি চহী কয়া চুপ্পা উগ্রবনি, ঈশ্বরবুদি নোংমত উখিবা লৈত্রি। অদুনা লৈখিবা উদবা ঈচাগী অস্তিত্বদ থম্বা বিশ্বাস অদু ঈশ্বরগীদ পম্বা য়াদে হায়না খুমগদবা মওায়রে। মাদুনা হেন্ন অমুক নোক্লীংবা ৱানি মতম কুইনা উগ্রবা মচা অদুনা থাংগৈগেংনা শিরবদদি করিগীদমক লৈরি হায়বা বিশ্বাস অদু থমজিনবনো হায়না হংবদা অমুক পাক্ খুম্বা য়াদ্রে। লৈব লৈতবগী বিচারবুদি মুম্ব খন্দনা ঈশ্বর লৈ লৈতে হায়বা হেক্ যাব নত্তে। (কালাচাঁদ)

অদুনা টেকনোলজিনচি বা বৈজ্ঞানিক ওইনা খুংলায়না 'নিত্য' ওইবা মশক মও' চাংলবোইদৌবা, মকম পুম্বদ শীন্দুনে লৈবা অক্ষবু, পক্ষবু, পরব্রহ্মবু বৈজ্ঞানিক মশক্তুংক্রন্থ উবা ঙমদে অতৈ মীবুস্থ উহনব ঙমদে। মসিদগী করি খঙবা ঙম্বগ হায়নবু অনিত্য ওইব খুংলায়না অনিত্য ওইবা পোৎশকশু শাবা ঙম্মি—উহনবা তাহনবা ঙম্মি। নিত্য ওইবা খুংলায়দ অনিত্যবুস্থ উহল্লি, নিত্য ওইব পোৎশকপুস্থ ওইহনবা ঙম্মি। নিত্য ওইবা খুংলাংদি জ্ঞাননি। জ্ঞানগী মশক ওইবা মীৎনা নিত্য ওইবা পরব্রহ্মবু উবা ঙংগনি। জ্ঞানগী মশক্ ওইবনা কোংনা ভগবাননা তাডবা তাগনি। জ্ঞানগী মশক্ ওইবা নাতেংন্না ভগবানগী মনমবু দম্ব কংব ঙমগনি। উরিব তারিবা পোৎশক অদুদ মপান্দা থোরককোই। মতুংদগী, হায়বদি, জ্ঞানতদা অদুম মরৈগনি। জ্ঞান বিজ্ঞান অনী চঙদুনা ভগবানবু উহনবা, কাননবা হোংনগদবনি— অসিনচিংবা পাউতাকত য়াওরিবা "বিজ্ঞান" অসিদি হৌজিক্কী অধিভৌতিক বিজ্ঞান অসি নত্তে বৌদ্ধিক দৃষ্টিগা বৈজ্ঞানিক দৃষ্টিগা অনী চঙদুনা ভগবান পরম আত্মাবু উব কংজি হাকবনি দৃষ্টি (বিজ্ঞান) মশামক পুদি বৈজ্ঞাননিকশিংনা শাবা ঙম্বা পোৎ নত্তে। বৈজ্ঞানিকশিংনা শাবিবদি দৃষ্টি ওইহনবা খুংলায়দুতনি। খুংলায় মশামকুদি দৃষ্টি (বিজ্ঞান্) দু নত্তে। বৈজ্ঞানিকশিংনা উহনবা মমি ওইনা উরিবা মূর্ত্তিদুগী মপুংদা আত্মা য়াওব্রা ? য়াওদে। জ্ঞানগী দৃষ্টিনা উদ্বিবা মূর্ত্তিদুদি য়াওব্রা ? য়াওই। উরিবা দ্রষ্টা (সিয়র) দুগী আত্মা মশামক্তনা উরিবা মূর্ত্তিদুগী আত্ম ওইদুনা অদুম লৈ। অদুনা গীতানা হায়রি আত্মাবু আত্মান খুংলায় ওইদুনা উননবা হোৎনগদবনি। অম্বরোমদা হায়রুকববস্থ, আধিভৌতিক বৈজ্ঞানিক ওইনা পোৎশকতি হকচাং অসিদগী হেনবা অতৈ লৈতে। মাগী মতৌ তমদুনা, হায়বদি, হকচাংসিনা লেঙজিব ওৎলিবা, চৎলিবা অসি মাদ্রবা বৈজ্ঞানিকশিংনা অধিভৌতিক ওইবা পোৎশক জাং জাং শারুকপতনি। দুরুগী

স চাখ্যাক মুখাধ্যায়ঃ সহাম্ভোভির্বিশাম্পতে। চক্ষুর্দোগদতাভিষ্টস্বগতিঃ সমভিজ্ঞষ্টবে ॥১১১॥
এতত্তে সর্বমাখ্যাতং যন্মাং ত্বং পরিপৃচ্ছসি। এবং মে কথয়দ্রাজন পুরা দ্বৈপায়নো গুরুঃ ॥১১২॥
যশ্চেদং শৃণুয়ান্নিত্যং যশ্চেদং পরিকীর্তয়েৎ। নমো ভগবতে কৃত্বা সমাহিতমতির্নরঃ ॥১১৩॥
ভবত্যরোগো মতিমান্ বলরূপসমন্বিতঃ। আতুরো মুচ্যতে রোগাৎ বদ্ধো মুচ্যেত বন্ধনাৎ ॥১১৪॥
কাম্যান্ কামী লভেৎ কামং দীর্ঘমায়ুরবাপ্নুয়াৎ ব্রাহ্মণঃ সর্ববেদী স্যাৎ ক্ষত্রিয়ো বিজয়ী ভবেৎ ॥১১৫॥
বৈশ্যো বিপুললাভঃ স্যাৎ শূদ্রঃ সুখমবাপ্নুয়াৎ। অপুত্রো লভতে পুত্রং কন্যা চৈবেপ্সিতং পতিম্ ॥১১৬॥
লঘুগর্ভা বিমুচ্যেত গর্ভিণী জনয়েৎ সুতম্ [illegible] পুত্রপৌত্রসমৃদ্ধিমৎ ॥১১৭॥
ক্ষেমেণ গচ্ছেদধ্বানমিদং যঃ পঠতে পথি। যো যং কামং কাময়তে স তমাপ্নোতি চ ধ্রুবম্ ॥১১৮॥

ঐজা পুম্নমক্কী মপু মহারাজ জনমেজয়! ঐগী উপাধ্যায় (গুরু) বেদব্যাসনা বেদগী হ্নাদা স্বাংশংতনা ভগবান শ্রীনারায়ণগী স্তুতিগা [illegible] ॥১১১॥

নিংথৌ! নহাক্না ঐঙোন্দ [illegible] পুম্ব ঐনা [illegible] পায়খনি। ঐনা [illegible] গুরুনা ঐঙোন্দা তাকপিখিবা উপদেশমক্কনি ॥১১২॥

হাপ্নরিবশি [illegible] শ্রীভগবান [illegible] পুক্না [illegible] আসবু পুক্নীং অনী লোঙদনা তাবিবা অদুগা [illegible] মকৌক লৈবা মপাংগল কনবা, অনাম্বেক [illegible] লৈবা [illegible] শোয়দনা লাক্লোকই ॥১১৩-১১৪॥

মতাং অংসদা নীংশি [illegible] অদুগা [illegible] কংভি ॥১১৫॥

বৈশ্য [illegible] শূদ্র [illegible] পুংশি তোলোইবা [illegible] মচা [illegible] মতম চনবা মপুরোয়বা কংভি ॥১১৬॥

মচা পোকতম্রবী, [illegible] খুদাং দগী লাক্লোকই। মচা পোক্তবী, অদুংবী কাওবা মচা [illegible] মচা মশাংগা লোয়নবা ধনসম্পত্তি কংভি ॥১১৭॥

লম্বি চৎ [illegible] লাক্লে।

অপানগী অদুম্বা, অধ্যাত্মিক [illegible] কার্যগী [illegible] ভগবানগী [illegible] জ্ঞান দৃষ্টি দি ভগবানমক্কী থাংশংবা মুক্তি ওই।

(কালাচাঁদ)

ইদংমহর্ষেবচনং বিনিশ্চতং মহাত্মনঃ পুরুষবরস্য কীর্ত্তিতম্ ।
সমাগমং চর্ষিদিবৌকসমিমং নিশম্য তুষ্টাঃ সমুখংলভন্তে ॥১১৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি নারায়ণীয়ে পঞ্চত্রিংশদধিকত্রিশততমোহধ্যায়ঃ ॥

—:(০):—

মতাং অসিবু মতম অয়াম্বক্ষা শকপোক্লিবা অহুদি মহাক্কা অসিসি কংগে হায়হুন৷ তাক্লিবা পোৎক হুম লায়না কংগি ॥১১৮॥

ভগবানগী ভক্ত অথোইবা, মহর্ষি ব্যাসনা হায়রিবা রাশিং অসিবু অহুগা ঋষি ময়ামগী অহুগা দেবতাশিংগী সংসঙ্গী মতাং অসিবু তারবা মহাক অহুদি ইহলোকত সুখশান্তি কংহুনা পরলোকতসু অথোইব ধাম (মক্কম) বু কংগি ॥১১৯॥

মক্কম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা শ্রীনারায়ণ মহিমাগী চহুমকুম্হ্রামঙাঙবা অধ্যায় লোইরে ।

—:(০):—

মণিপুরী মহাভারত

ষট্ত্রিংশদধিকত্রিশততমোহধ্যায়ঃ

কৃষ্ণনা মশাগী নামরূপ অমদি প্রভাব অহুবু অর্জ্জুনদা তাকপা৷ চহুমকুম্হ্রাতিরুকশুবা অধ্যায়

—:(০):—

জনমেজয় উবাচ

অস্তৌষীং যৈরিমং ব্যাসঃ সশিষ্যো মধুসূদনম্ । নামভির্বিবিধৈরেষাং নিরুক্তং ভগবন্ মম ॥১॥
বক্তুমর্হসি শুশ্রূষোঃ প্রজাপতিপতের্হরেঃ শ্রুত্বা ভবেয়ং যৎপূতঃ শরচ্চন্দ্র ইবামলঃ ॥২॥

জনমেজয়না হয়ঃ ভগবান্! মুনিদেব! শিষ্যশিং লোয়নন ব্যাসন তঙ্গ তেঙনা নামমক্কুনা ভগবান্ শ্রীমধুসূদনগী স্তুতি তৌখি৷ নামশিং অহু করি করি থোদোক্কগী করি কয় অর্থ য়াওন৷ থোনশিবনো? ঐ, প্রজাপতিশিংগী মপু ভগবান্ শ্রীহরিগী নামশিং অদো ব্যুৎপত্তি (হৌরককম) গা লোয়ননা দি

বৈশম্পায়ন উবাচ।

শৃণু রাজন্ যথাহচষ্ট ফাল্গুনস্য হরিঃ প্রভুঃ। প্রসন্নাত্মাহ আত্মনোনাম্নাং নিরুক্তংগুণকর্মজম্ ॥৩॥

নামভিঃ কীর্ত্তিতৈস্তস্য কেশবস্যমহাত্মনঃ। পৃষ্টবান্ কেশবং রাজন্ ফাল্গুনঃ পরবীরহা ॥৪॥

অর্জুন উবাচ

ভগবান্ ভূতভব্যেশ সবর্ভূতস্যগব্যয়ঃ। লোকধাম জগন্নাথ লোকানামভয়প্রদ ॥৫॥

যানি নামানি তে দেব কীর্ত্তিতানি মহর্ষিভিঃ। বেদেষু স পুরাণেষুগানিগুহ্যানি কর্মভিঃ ॥৬॥

তেষাং নিরুক্তং ত্বত্তোহং শ্রোতুমিচ্ছামি কেশব। ন হ্যন্যো বর্ণয়েন্নাম্নাং নিরুক্তং ত্বমৃতে প্রভো ॥৭॥

শ্রীভগবানুবাচ

ঋগ্বেদে সযজুর্বেদেতথৈবাথর্বসামসু। পুরাণে সোপনিষদে তথৈব জ্যোতিষেহর্জুন ॥৮॥

সাংখ্যে চ যোগ শাস্ত্রে চ আয়ুর্বেদে তথৈব চ। বহুনি মমনামানি কীর্ত্তিতানি মহর্ষিভিঃ ॥৯॥

গৌণানি তত্র নামানি কর্মজানি চ কানিচিৎ। নিরুক্তং কর্মজানাং ত্বং শৃণুষ প্রযতো নঘ ॥১০॥

তাজনীভিও। মরমদি নামশিং অত্তবু হেক তাজবদা ঐগী মক্রবা থম্মোয়সে শরৎ ঋতুগী পুর্ণিমাগী থাবলগুম্ পুন্নং লপ্রগনি, অহুগা পূমশেং শেংপ্রগনি ॥১—২॥

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ—নিংথৌ। অর্জুনগী রাসি তাবদা শ্রীহরিনা অর্জুনদা ওহ্হাক্ন পেনবিখিহ্না শ্রীহরি মশামক্তা নামাশিং অহুবু ব্যুৎপত্তিগা লোয়না তাহনখিবদো, ঐ নিংথৌ নভোন্দ অমুক লৌহ্না তাহনগে। পুক্নীংচত্তনা তাও ॥৩॥ নিংথৌ। হায়রিব নামশিং অসিগা লোবননা ভগবান্ শ্রীনারায়ণ কেশবগী গুণ কীর্ত্তন বু ভক্তশিংনা তৌনৈ। য়েক্নবত্তম্বা অর্জুননা বিষয় অসিগী মরমদা মতৌ অসুম্ন হংখি ॥৪॥ অর্জুননা হায়ঃ—হৌপ্রবা, ওইপ্রবা অহুগা ওইরক্তদৌরিবা মতম অত্তম অসিগী অহুগা মতম অত্তম সিদা থোকখিবা, থোক্লিবা অহুগা থোরক-পোক্লক্তদৌরিবা বিষয় অমদি অচচ্চত্ত পোৎখুদিংমক্কী মপু হায়রিব শিংসিগীসু শেম্বিব মপু, অমাও অতা লৈবা, হায়রিবা পুন্নমক সিগীসু লৈকম তুংনকম ওইরিবা, লোক পুন্নমকসিদা লৈরিবা জীব খুদিংমক্তা অমিবা চিংনবা কোক্নবগী অ্যান পীবিবা, ভগবন। হেনারায়ণ। নহাক্না তৌখি তৌখিবা কর্মহুবু উরগা মহর্ষিশিংনা থোনজ্খিবা অকোংভবা অহুগা থুপ্তুনা লৈবা নামশিং অহুবু অহুগানামশিং অহুগী অর্থবুস্ন নহামক্কী শ্রীমুখ গী ঐনা তজ্ঞিভিও। হে প্রভু। হে কেশব। নহাক্কী নামশিংগী অর্থ অমদি শব্দশিংগী হৌরককম য়াওনা তাকপা তৌরকপা ব্যাখ্যাদি নহাক নশামক নত্তনা কনা অয়ত্তনা ওস্মোই ॥৫—৭॥ শ্রীভগবান হায়ঃ—অর্জুন। ঋগ বেদ, যজুর্বেদ, সামবেদ, অর্থবেদ, উপনিষদ, পুরাণ, জ্যোতিষ, সাংখ্য শাস্ত্র যোগ আয়ুর্বেদদা মহর্ষিশিংনা ঐগী মিংশিংবু মশীং লাক্তমদনা হায়প্রে থোনবিপ্রে ॥৮—৯॥ মিংশিং অহুগী মন্নংদা থবনা ঐনা তৌরকপা কর্ম-কর্মহুদগী মতুংইন্না অহুগা থবনা ঐগী

কথ্যমানং ময়া তাত ত্বংহিমেহর্থং স্মৃতংপুরা। নমোঽস্তি যশসে তস্মৈ দেহিনাং পরমাত্মনে ॥১১॥
নারায়ণায় বিশ্বায় নির্গুণায় গুণাত্মনে। যস্য প্রসাদজো ব্রহ্মা রুদ্রশ্চক্রোধসম্ভবঃ ॥১২॥

ঈশাদা মহৌশাদগী লৈরকপা গুণশিং অদুগী মতুং ইন্ন ময়াম্ন থোনখিবনি। অর্জুন! অহাবনা নহাক কর্মগী মতুংইন্ন থোনখিব মিং অদুগী ব্যাখ্যা তায়ো ॥১০॥

অর্জুন! ঐ নঙোন্দ ঐগী মিংশিং অদু ব্যুৎপত্তি (হৌরককম্) গালোয়ননা হায়রক্কে? মরমদি অদুদৈ মমাঙৈদগী হৌনা নং অসে ঐগী হক্চাং তংখাই অমনি হায়না থঙনরক্কবনি। ঐনা নংগী নকমদা ঐগী নাম ময়াম্ অদু হায়রিবঙৈদা দেহধারী পূম্নমক্কী থ্বাইদগী অথোইবা আত্মা, পরমাত্মা ওইদুনা লৈরিবা নির্গুণ সগুণ অনীমক ওইবা, সাকার-নিরাকার অনীমক ওইবা শ্রীভগবান নারায়ণ দেববু ঐনা হন্ন-হন্ন থুরুমজরি *

---

* শ্রীকৃষ্ণনা মশামক্কী নাম (মিং) শিংবু অর্জুনগী মকমদা হায়রমদাই লৌরমদাই মতমদা নমস্কারাত্মক মঙ্গলাচরণ তৌবগী মওংদা শ্রীভগবন্ নারাণবু থুকম্মি। য়াম্নী লীব হৌরমদাইদা অদুগা লাইব্রিক অম ইবহৌরমদাইদা বক্তা অমদি গ্রন্থকার অদুনা মঙ্গলাচবণ তৌবা অদুগা মাগী ইষ্টদেববু নমস্কারনচিংব তৌবগুম্না শ্রীকৃষ্ণনা মাগী গুরু অমগুম ওইনা লৈরিবা শ্রীনারায়ণবু থুরুমজরি। শ্রীনারায়ণগা শ্রীকৃষ্ণগদি মশা অমত্তনি। অদুনা মশানা-মশাবু থুকমজবা অসি য়াম্না চিননীঙায় অদুগা থঙনীঙায় ওইবা বিষয় অমনি। মাসিনি, শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা গীতাগী মন্নংদা তাক্পিখিবা লোকসংগ্রহ হায়বদো। কৃষ্ণ মতাক মশাগীদি তৌকম থোকত্রাস্র, মহাক্কী মতৌ তমদুনা অতৈ অতৈস্ন তৌজহৌসন্নু হায়দুনা জগৎপুম্বগী আদর্শ পুরুষ ওইব শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীনারায়ণ কৌবা মশাদা থুরুমখিবনি। ঐঙোন্দা জ্ঞান তাকপিবস্নু মীশকস্ন গুরুনি, ঐঙোন্দগী হান্ন পোকলম্বা অহল্লমন পম্নমক গুরুনি, অন্নদাতা জন্মদাতা গুরুনি। গুরু জনশিং হায়রিবসি মখোয় সিদুনি। মাসিগী য়াখন্দা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীনারায়নবু থুরুম্বসি মখোয়নীমক মীশক্ অমত্ত, মশা অমতা ওইরবস্নু কায়দে। মরমদি শ্রীকৃষ্ণগী অবতারগী আমমাঙদা শ্রীনারায়ণগী অবতার ওইখ্রবনি। অদুনা নারায়ণ ওইনা অবতার তৌবনা কৃষ্ণ ওইনা অবতার তৌবদগী হাল্লি। দেশ কাল দাদ লুম্বা, হায়বদি গুরুওইবসি নারায়ণনাহেল্লি। তৌবগীস্নু আত্মা মশা অমতনা দেহ অমদা গুরু শাদুনা লৈরগা অতোপ্প দেহ অমদা শিষ্য শাদুনা লৈরিবা মঙোন্দা জ্ঞান তাকপিরি। হন্ন পোকপা, কোন্ন পোকপগী য়াসিস্নু করিস্নু লৈতে। কোন্ন পোকপা মহা জ্ঞানী অমদা হান্ন পোকপা অহল অমনা নহা অদুবু গুরু ওইনা বরিদুনা (বোরিদুনা) বিদ্যাতম্ব য়াই। নহ অদুবু অহল অদুনা গুরু তম ওহনা ব্যবহার তৌগদবনি, থুরুমগদবনি। অসিগুম্বা গুরুশিংগী সম্বন্ধ অমদি ব্যবহার অসি শ্রীকৃষ্ণনা ভারতকী সংস্কৃতি অম ওইনা অমুক নৌহৌনা পুথোকপিরম্মি। হীরম পুম্বদা ফিদম্ফম্ ওইবা শ্রীকৃষ্ণনি। হীরম পুম্বদা মঙোন্দগী লৌনীঙায় মক্তনি। বুদ্ধ, মহাবীর, যীশু, অদুগা মহম্মদনচিংবা মহাপুরুষ শিংদুগুম্বা নত্তে। মখোয় অমত সর্বশক্তিমান্ নত্তে। জ্ঞান বিজ্ঞান কলাবিদ্যালোইনা থঙবা অমতা য়াওখিদে। শক্তি অমমমত পুদুনা পোকখিবা ঙাক্তনি। বুদ্ধ

যোসৌ যোনির্হি সর্বস্য স্থাবরস্য চরস্য চ । অষ্টাদশগুণং যৎ তৎ সত্ত্বং সত্ত্ববতাং বর ।।১৩।।
প্রকৃতিঃ সা পরামহ্য রোধসী যোগধারিনী । ঋতাসত্যামরাজয্যা লোকানামাত্মসংজ্ঞিতা ।।১৪।।
তস্মা সর্বাঃ প্রবর্তন্ত সর্গপ্রলয়বিক্রিয়াঃ । তপোযজ্ঞশ্চ যষ্টা চ পুরাণঃ পুরুষো বিরাট্ ।। ৫।।
অনিরুদ্ধ ইতি প্রোক্তো লোকানাং প্রভবাব্যয়ঃ বাহ্মিক্ষয়ে প্রাপ্তে তস্য হ্যমিত তেজসঃ ।।১৬।।
প্রসাদাৎ প্রাদুরভবৎ পদ্মং পদ্মনিভেক্ষণ ততো ব্রহ্মা সমভবৎ স তস্যৈব প্রসাদজঃ ।।১৭।।

মহাকী কৃপা অমদি প্রসাদ (পেন্ ববা) দগী ব্রহ্ম পোকখিবা অহুগা অশাউবদগী রুদ্রদেব পোকখিবা অহুগুম্বা ভগবান্ শ্রীহরিতনা অচচ্চত্র জীবশিংনা থল্লবা জগৎ পুম্বসিগী হৌরককম্ পোক্লককর্ম্ম ।।১৩।।

অশিংবা, জ্ঞানলৈবশিংগী মঙ্গুংদা অথোইবা ! অর্জুন । শুন তত্ত্বানিপাম্ন তিল্লবা সত্ত্ব হায়বদি আদি পুরুষ অদো ঐগী পরা প্রকৃতিনি ঃ হায়রিবা পরা প্রকৃতি আসদি পৃথিবী অহুগা আকাশ অনীমকী আম্মাগী মশক্ ওইহুবা লৈবিবানি । মহাক্তনা লোক পুম্নমকপু ধারণ তৌহুনা লৈবির । মহাক্তনা ঋতা (কর্মগী মহৈ পীনবী), সত্যা (কবি মতনা খি ব য় দবী) অমব অজেয় কয়িগুম্ব অমতনা মাবু ভুম্ব য়াদবা) অহুগা মহাক্ মখস্তনা লোক পুম্নমক্কা আত্মা ওইহুনা লৈরিবনি ।।১৩—১৪।। সৃষ্টি প্রলয় অনীকক্ মাওন্দগী ওইখিবা থোকখিবা ওাক্তনি। তপস্যা হায়বস্ত্র মহাক্নি, যজ্ঞস্তু মহাক্তন ওইবনি, কুইরবা লিরবা পুরাতন ওইরবা বিরাট পুরুষ হায়বস্তুসু মহাক্নি । অমনা থিংবা পাল্ চম্বুংরবা অনিরুদ্ধ হায়বস্তুসু মহাক্নি ! লেম্বা ওাকপা থুগাইবা মতোন্দগী ওইখিবা ওক্তনি ।। ৫।। প্রলয়গী অহিনা লোইশিন্নরুবা তুদা অনিরুদ্ধ শক্তি পুরবা ভগবান্ নারায়ণগী শ্রীঅঙ্গদগী নীংখিজরবা কমল পুষ্প (থম্বাল পাম্বী) অমা থওহৌদনা চোং-থোকখি । অর্জুন ! অহুগুম্বা থম্বাল অহুগী লৈকাবক্তগী ব্রহ্মা পোকখিবস্তু ভগবান্ অনিরুদ্ধগী কৃপাদগীনি ঃ ।।১৬—১৭।।

মহাবীরনচিংবনা মমীৎ উইশিন্দুনা জ্ঞান, কর্ম, ভক্তিগা লোয়ননা নীংলিবস্তু শ্রীভগবান্ নারায়ণবুনি । লোম্ব, কৃপ্প, উব য়াদবা লীলাবু শাম্নরগা মহাকপু নিরাকারনি হায়নৈ । অকোওবা মশক উবা লীলাবু শাম্নরকপ মতম দা মহাকপু সাকারনি হায়নবতনি । লেকত সমজদা চংনকে ক্লনি— "লৈব লৈংবা" ওসিংনা হায়দি মতোন্দ লীজিন্নবা য়াদে । বুদ্ধ, মহাবীর জিন, যীশু মহম্মদ অসিনচিংবা ভগবান্ হায়না উপাধি পীশিন্নরিবশিং অসিদগী মীওইবা ঐ.খয়না লোক সমাজগী মবম ওইবা কারণ উত্তাক করগে ? (কালাচাঁদ)

ঃ বেদ পুরাণ খুদিংদা য়াওরবা রাম্নী অহুগা রাশিং অহুনা য়াওরিবা । ভৌদোকশিং অহুম্ব পুরাণ খুদিংগী ঈমান্ মাম্নদবগুম্ব মঙংদা লৈবাশদা পুব পগী কথা তাংবা ভাবুকশিংগী পুক্নীংদা পোকপা চিংনবা, থাজদবা হৌনিংদবা অসিনচিংবা পুরুমক্ত মমম্ ওহুনা ভক্তমতৌগা শ্রদ্ধাগী মাত্রা অসি অক্নম থর থর হত্ত্বকই । য়ারী মশা অমতবু তাওাল তোওাব পুরাণ শিং লীবকপ মতমদা থর থর থেম্নরিবা অসিগী মরমদি মম্বন্তর মন্বন্তরদুগী মাক্সু ইর লাক্নিবা ওইরক্লিবা সৃষ্টিগী ক্রমস্ত অমত মাম্নদে । থুদম ওইনা হায়রবদা সৃষ্টি

অন্তঃক্ষয়ে ললাটাচ্চ সুতো দেবস্য বৈ তথা। ক্রোধাবিষ্টস্য সংযজ্ঞে রুদ্রঃ সংহারকারকঃ ॥১৮॥
এতৌ দ্বৌবিবুধশ্রেষ্ঠৌ প্রসাদক্রোধজাবুভৌ। তদাদেশিতপন্থানৌ সৃষ্টিসংহারকারকৌ ॥১৯॥

ব্রহ্মাগী অযুক মুংথিনগী শরক দিবাভাগ অহুনা লোংপ্রবা হৌপ্রব তুদা থওংলনা পোকখিব ব্রহ্মাগী অশাউবদগী রুদ্রদেব পোকখ ॥ ১৮॥ দেবতাশিংগী মন্নুদ ব্রহ্মা রুদ্র কৌবা দেবতা অনীসে ভগবান্ বিষ্ণু নারায়ণগী অঙ্গদগী পোকখিবনি নারায়ণ মাগী যথদগী দেবতা অনীসিনা শেম্ব-থুগাইবা অনীগী থবক তৌরি * ॥১৯॥

অমগী অহৌবদ ব্রহ্মানা বিষ্ণুগী খোয়দোদগী চোংথোরকপা থম্বালদগী চোংথোরকপনি হায়না পুরাণ অমদা ই। পুরাণ অমদনা লাইবকগী, পুরাণ অমদনা ব্রহ্মাণ্ডদগী, পুরাণ অমদনা থবাক্তগী অতুগা পম্বোমদগী পোকই হায়না ই। মাসগী অশম্বা মরোয়বা ভাব তি পুরাণ অমদনা অতোপ্পা কল্পান্তর অমদা ওইখিবা থোকখিবা ব্রহ্মাগী পোকগী মপোক মকময়তম অহুনী। অতোপ্পা পুরাণ অমদনা অতোপ্পা কল্পান্তর অমদা অতোপ্পা মওং অমদা পোকখিবতুগী মওং অহুনী। বিষ্ণুদগী পোকখিবনি হায়বা মরু অসিমদি ইকায় কায়দে। সৃষ্টি খুদংমচা। মুমিৎ-থা চায় সির্মদি অহুম মথৈবগা পোকখিবা থোকখিনা অতুগী, অতুত নত্তনা মওং মতৌশিং অহুদ অমত মাম্নব নত্তে। (কাল চাঁদ)

* যুগ-যুগ খুদিংগী জ্ঞান পূর্ন্নমক্কী লৌথোকখম, কলাবিদ্যাগী অমুগা আধিভৌতিক-আধ্যাত্মিক বিজ্ঞান গী মচাক ওইহন বিশ্লেষণী থৈ অীশংনচিবা অতুগা মথোরদা লৈরিবা গুণ কয় পূর্ন্নমক আসগী ওইহন্ন পোকহনখিবগী শক্তি অম মত। থবনংগী দমক কত্ত কায়দনা লৈবগী অমদি লৈহনবগী শক্তি অমা, অতুগা পোৎ খুদিংগী তেক তেক তেকখি কায়খিব তেকহন্‌খিবগী শক্তি অমা অম্নমা লৈরিব. শক্তি অহুম আসিমক্ মশা মশানা চোংথোক্লুনা হায়রিবা থবক অহুম অসি তৌন নত্তে শক্তি অহুমসিগী অমমম্ন পুবিরা মথোয় অহুমসিবু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নবা শক্তিমান (শক্তি পুবা) ওইবা মীশক্ পোশক্ অহুম্ অমমুক লৈরি হায়বসি মশানা অহুম য়েংকম লৈতনা তারগনি। মহৌশাদগী অহুম ওইজবকপনি, প্রকৃতি কৌবী মাগী মথৌনি স্বভাবনি হায়রিবসি অহুক্ মহায়বা হায়বহুন। শক্তি প্রকৃতিনি হায়রিবা আনমক অশিবনি। এনার্জি (শক্তি) শিং অসি মশানা থওনা ফুদোরকপা চোংথোরকপা ওন্বা অমতয়াওদে। ওন্মি য়াওরি হায়রবসু চোংথোরকপা ফুদোরকপা অসিনচিবা অসি কর্ম থবক এক্সন্) কৌই। "থবক" হায়রিবা মশামকনা থবক্ তৌবা তৌব ওন্বংত্তে। থবক্তুবু তৌবা কর্মকর্ত্ত (এক্টর) অমা মশানা লৈ। মহাক অহিংবা (জীব) পোশক অমনি। থবক (এক্সন্) তি অশিবনি, তৌবিব মশাক্তি অহিংবনি। হিংদনা থবক অমতা তৌব ঙমদে। উথক্তগী তারকপা উইংনা লৈথদা তারকপা কৌবা থবক অম তৌবা ওইনা উনারবসি উইহে মশামক্কা তৌবা ওন্ব থবক নত্তে মাদি অশিবনি। কনাগুম্বা-কারিগুম্বা অহিংবা মীশক পোশক অমনা উইহে অহুবু মরক্তা ওক্তুনা লৈখা য়ৌরক্তি ঙৈদা মথুংনা ময়ানা ওক্তুনা চীক্তুনা পুথোকখিবা ওন্মি। মতৌ অহু-

নিমিত্তমাত্রং তাবত্র সর্বপ্রাণিবরপ্রদৌ। কপর্দী জটিলো মুণ্ডঃ শ্মশানগৃহসেবকাঃ ॥২০॥
উগ্রব্রতধরোরুদ্রো যোগী পরমদারুণঃ। দক্ষক্রতুহরশ্চৈবভগনেত্রহরস্তথা ॥২১॥
নারায়ণাত্মকো জ্ঞেয়ঃ পাণ্ডবেয় যুগেযুগে। তস্মিন হি পূজ্যমানে বৈ দেবদেবে মহেশ্বরে ॥২২॥
সম্পূজিতো ভবেৎ পার্থ দেবো নারায়ণঃ প্রভুঃ। অহমাত্মা হি লোকানাং বিশ্বেষাং পাণ্ডু নন্দন ॥২৩॥
তস্মাদাত্মানমেবাগ্রে রুদ্রং সম্পূজয়াম্যহম্ যদ্যহং নার্চয়ে য়ং বৈ ঈশানং বরদং শিবম্ ॥২৪॥
আত্মানং নার্চয়েৎ কশ্চিদিতি মে ভাবিতাত্মনঃ। ময়া প্রমাণং হি কৃতং লোকসমস্ত বর্ত্ততে ॥২৫॥

জীব পানবা পুন্নমক্ত বর পীনহৈবা ব্রহ্মারুদ্র হায়বা দেবতা অনী অসে অমনা সৃষ্টি তৌবনি অমনা সংহার তৌবনি। রুদ্র কৌবা সংহার তৌবা দেবতা অসিগী কপর্দী জটিল, মুণ্ড, শ্মশানবাসী, উগ্রব্রতধর (অকনবা তপস্যা ব্রত তৌওম্বা), যোগী দক্ষযজ্ঞবিধ্বংসী (দক্ষগী যজ্ঞ থুগাইবা), ভগনেত্রহারী অসিনচিব মমিং কয়া কয়া লৈ ॥২০—২১॥

পাণ্ডুনন্দন। ভগবান্ রুদ্রদেববু নারায়ণমক্তি হায়না খল্লু। যুগ যুগ থুদিংদা পুক্নীংগী অনী লোওদনা ভগবান রুদ্রদেবগী পূজা তৌরবদি মাত্তবু ভগবান্ শ্রীনারায়ণনা মামক্কী পূজানি হায়না লৌবি ॥২২॥ পাণ্ডুনন্দন। ভাওলিবা ঐসে, জগৎপুম্বগী অমত ওইনা পুন্নবা আত্মানি। মরম অদুনা ঐসু ঐগী আত্মাগী মশক ওইরবা রুদ্রগী পূজা তৌই ॥২৩॥ মরমদি ঐমক, পূজা তৌদ্রবদি ভগবান বিষ্ণুগী সেবা পূজাবুকনা অমত্তনা তৌরোই + ॥ ৪॥

ঐনা তৌব থবক মখৈবু ফিদম্ফম থুদম ওইনা লৌরগা অহিংবগী মীনা সেব পূজা নচিংবা তৌরক্লি। বেদ শাস্ত্রন প্রমাণ অমদি মুক্তিগা লোয়ননা অদুগম্বা দেবতাশিং অদুগী পেন্নবগী সেবা পূজগী নিয়মবু

গুম্বা বিশ্বজগৎসিবু শেম্বা ভাকপা থুগাইবা কর্ম (থবক এক্সন্) অদুম আসবু তৌবা অহিংবা (জীব), ঈশ্বর ওত্তনা হিংদুনা লৈবা অথোইবা জীব (পরমাত্মা) অমগী লৈবা (এক্ষ্জি ষ্টন্স) হায়বসিগী মরমদা য়েৎননীঙার লৈতে। অদুগুম্বা মহাক অদুবু দেবতাশিংগী লোল (ভাষা) দা হায়বদি দেবভাষা, দেববাণী (সংস্কৃত) দা বিষ্ণু কৌই। মিংগী, শব্দগী মথে করিসু লৈতে। বিষ্ণু কৌবা মিংবু পুরিবা মহাক অতোপ্প অমনি। নাম না অমনি নামী না অমনি। মিংদা, শব্দদা, লোন্দা, ঈরোল, মী.রাল হায়দুনা ঈপানাৎ ঈপুনাং হায়দুনা মদোমদা ভাক লেথোক্লবা নত্তে। শেম্বগা, থুগাইবগা, ভাকপগা অদুমসিগী মদুদা ভাক শেন্দুনা থম্বনা মরুনি। মাবু সংস্কৃত লোন্দা নারায়ণ কৌবগনি। (কালাচাঁদ)

+ হায়রিবসিগী ভাবতি :—বিষ্ণু ভগবান নারায়ণমক্তা ভাক্তুনা শেম্নদুনা লৈরিবা জগৎপুকনানা থুগাইদৌরিবনো? থুগাইরবদি থুগাইরিবা মীশক পোশক অদু ভগবান বিষ্ণু মশামক নত্তনা অতোপ্প কনা অমত ওইরোই। আত্মাগী অর্থদি মশামক হায়বনি। মদু দন মশানা মশাবু পূজা তৌবনি। মপান্দনা অতোপ্প দেহ অমদা মশাবু রুদ্র কৌহন্দুনা মশানা মশাবু অমুক পূজা তৌজবনি। মদত্তুমক্তনা শিবপূজা রুদ্র পূজা হায়দুনা চৎথরিবনি। (কালাচাঁদ)

প্রমাণানি হি পূজ্যানি ততস্তং পূজয়াম্যহম্ । যস্তং বেত্তি স মাং বেত্তি যোঽনুতং স হি মামনু ॥২৬॥
রুদ্রোনারায়ণ শ্চৈব সত্ত্বমেকং দ্বিধা কৃতম্ । লোকে চরতি কৌন্তেয় ব্যক্তিস্থ সর্ব্বকর্মসু ॥২৭॥
নহি মে কেনচিৎ দেয়ো বরঃ পাণ্ডবনন্দন । ইতি সঞ্চিন্ত্য মনসা পুরাণং রুদ্রমীশ্বরম্ ॥২৮॥
পুত্রার্থমারাধিতবান হমাত্মানমাত্মনা । নহি বিষ্ণুঃ প্রণমতি কস্মৈচিৎ বিবুধায় চ ॥২৯॥
ঋতে আত্মানমেবেতি ততোরুদ্রং ভজাম্যহম্ । সব্রহ্মকাঃ সরুদ্রাশ্চ সেন্দ্রাদেবাঃ মহর্ষিভিঃ ॥৩০॥
অর্চয়ন্তি সুরশ্রেষ্ঠ দেবং নারায়ণং হরিম্ । ভবিষ্যতাং বর্ত্ততাং চ ভূতানাং চৈব ভারত ॥৩১॥
সর্বেষামগ্রণীবিষ্ণুঃ সেব্যঃ পূজ্যশ্চ নিত্যশঃ । নমস্ব হব্যদং বিষ্ণুং তথাশরণদং নম ॥৩২॥

তাক্প্রবদি অদুগুম্বা দেবতাশিং অদুগী সেবা পূজা শোয়দনা তৌকম থোকই। অদুনা, ঐনা অসুম থন্দুনা রুদ্রগী পূজা তৌই। রুদ্রগী তত্ত্ববু মুম খঙলিবদো ঐগী তত্ত্ববু খঙলিবনি হায়না ঐনা লৌই। রুদ্রগী অনুগামী ওইবশিংদে ঐগী অনুগামী মক্তনি ॥২৫—২৬॥ কুন্তীনন্দন! যুধিষ্ঠির! রুদ্রগা নারায়ণগা মশা অমতনি খণ্ডদু। স্বরূপ অনীসিবু পুরিবা মহাক্তনা তোঙান তোঙানা দেহদা লৈদুনা সংসারসিদা মী থুদিং-মক্তা মাগী মাগী চৎনরকপা পদ্ধতি (নিয়ম বিধি) গী মতু ইন্না ঈড়াং পূজা তৌনরি ॥২৭॥ পাণ্ডবশিংগ-চীননাওশিংবু নথন্তন সুংঙাইবা পীডম্বা অর্জুন! ঐভোন্দা কনা অমতনা বর পীব ঙমদে। মাসি খন্দুনা ঐনা ঈচা (ঐভোন্দগী পোকখিবা পোশক্ কানবগীদমক্তা পুরাণ পুরুষ ওইরবা রুদ্রগী ঈশামক্তা আরাধনা তৌখিবনি ॥২৮॥ বিষ্ণুনা মশাগী মশাকুমক্ ওইবা রুদ্রদেব নত্তন অতৈ অতোপ্প দেবতা কনা অমতগী মকমদা নোল্লুক্তে। অদুন ঐনা মবক মরক্ত রুদ্রবগী পূজা তৌই ॥২৯॥ ব্রহ্মা, ইন্দ্র, রুদ্র অদুগা ঋষিশিংগা লোয়নবা দেবতা পুম্নমক্না শ্রীনারায়ণ দেব শ্রীহরিগী সেবা পূজা তৌই ॥৩০॥

ভরতনন্দন! ভূত, ভবিষং বর্ত্তমান কাল অদুম্মক্ত ওইখিবা, ওইগদৌরিবা অদুগা ওইরিবা অচচ্চত্ত জীব পুম্নমকসিগী লুচিংবা মপু (স্বামী) দি ভগবান শ্রীবিষ্ণু মাতনি। মরম অদুনা অতৈ পুম্নমক্না মহাক্কী সেবা পূজা তৌগদবনি ॥৩১॥ কুন্তী কুমার! অর্জুন! নহাক হব্য পীবিরিবা বিষ্ণু মহাকপু খুরুম্মু। চঙজকম পীরিবা শ্রীহরিবু খুরুম্মু, মাগী চরণদা নকোক নোল্লু। বরপীনহৈব মঙোন্দা বরনিয়ু। হব্য কব্য পুম্নমকী তোক্তা ওইরিবা মঙোন্দ চঙজো * ॥৩২॥

---

* আধ্যাত্মিক ওইবা দৃষ্টিনা আ-য়ৌশিন্ন উশিনপ্রবা কনাগুম্বনা অদুম হাংনৈ "অউবা (কর্ত্তা) মহাকা উরিবা (কর্ম) অদুগা অনীগী মরক্ত করিমত থেন্নব লৈতে।" মহাক্ত হায়াববসিনা অচুম্বন হায়না লৌর-বদি ভক্তিমার্গদা, উপাসনাদা য়াম্ব অকায়বা অমলাকই। শিষ্য অংবা মানা উবিবা মাগী গুরু অদুগা করিমত থেন্নবা লৈতে হায়না উরবদি থল্লবদি অদু উপাসক সাধক অদুনা মহাক্কী উপাস্য অমদি সাধ্য ইষ্টদেবদুগা করিমত থেন্নদনা উরবদি উপাসনা, সেবা পূজানাচিংবসি পুমতোই তৌইনা কায়রে। আধ্যা-ত্মিক দৃষ্টিদা য়েংলগা অদুম হায়রিবা জ্ঞানী অসিনা পুরিবা ভাবতি অসিনি, মাদুদি—মাঙলা উরিবা

বরদং নমস্য কৌন্তেয় হব্যকব্যভুজংনমঃ। চতুর্বিধা মমজনা ভক্তা এব হি শ্রুতম্ ॥৩৩॥
তেষা মেকান্তিনঃ শ্রেষ্ঠা মেচৈবানন্যদেবতাঃ। অহমেব গতিস্তেষাং নিরাশীঃ কর্ম কারিণম্ ॥৩৪॥

অর্জুন। আর্ত্ত, জিজ্ঞাসু, অর্থার্থী, জ্ঞানী ওইবা ঐগী ভক্ত মখল মরিনি হায়বসি ঐনা অমুকন্তু নঙোন্দা হায়ব্রে। ভক্ত মরি অসিগী মথু'দা তুমিন্ন চাক্না ঐবু ত খন্দুনা সৈবা অতুগা অতৈ অতৈ দেবতা-শিংবু মহাক্কী নীংনকমনি হায়না খন্দ্রবা মহাক অত্তুতনা ঐগী অথোইবা ভক্তনি। নিষ্ক ম ভাবতা কর্ম তৌরিবা মীশিংতুগী অবোইবা যৌনকম লমথুংকমগ্ন অতুমক ঐ নি ॥৩৫॥

উপাধী অসিগী মপানগী মউগ্ন মৈ ঈশিং মু শিং লৈপাকনচিবা ভূতশিংগী মপৈনি। অতুগা অউবা ঐগী হক্চাংসু মাহুমক্নি। উপাধী অসিনসু আত্মাগে, অউবা মঙোন্দসু আত্মা অত্ত অতুম মরৈ। অতুগা অউবা (সিয়র) অতুগা উরিবা (সীন) মতুগা অনীদা তোঙান লৈবিবা আত্মা অতুসু অনী মক্তি মথা অমত্তনি। অতুনদি কয়িমতা থেন্নবা লৈত্রে। অসিতনি মহাক্ক হায়রিবসি। অতুসু নাকল অমরোমদদি পুম তৌই তোক্টনা কায়রে। মহাক্কী মত (মোং) অসি লৌববদি শ্রীকৃষ্ণনা তৌজিক জুনদা তাক-পীরিবা অসিসু লৌবয়াব্রে। মসি হায়রিবা জ্ঞানী সন্ন্যাসী যোগী অসু মহাক্না উরিবা উপাধী (সিন) অতুগী মথা অমনা চৈগু শাবগা মরুনা কমণ্ডলু শাবগা পাযার। ঐনা পয়বিবা চৈগুসু মাঙদা হৌরিবা য়াথাং অসিগা থেন্নব লৈতে হায়বসি যোগী (সিয়র) অতুনা হায়বা তম্মই। অসিনা য়েংত্রা পায়নবা পোৎনি, মাসিমনা ওয় থংবা খুংনা পায়ননবনি থইরু হায়বাস জ্ঞানীনি তম রবা মহাকমক অতুম মহায়গনি। মহাক্না আধ্যাত্মিক দৃষ্টিবু নাকল অনমতা শীজন্নির ভক্তি উপাসনা না চংগী পাবিকরদা লাকপী আধ্যা-ত্মিক দৃষ্টিনা অমনি। ভক্তিগী রসলাওদবা অক বা জ্ঞান বিজ্ঞানগী পয়িকরদা লাকপী আধ্যাত্মিক দৃষ্টিনা অমনি। মরম অতুনা প্রেমভক্তিগী পাবকরদা আধ্যাত্মিক অমদ বৈজ্ঞানিক দৃষ্টিনু শেবাম্নবা য়াথন্দা পুশিনবা য়াদে। কম পুশিল্লবদি মতুদগী নাস্তিকতা লাকপা য়াই। তাইবং হকচাং মুংসিদা নিত্য ওইবা আত্মা ঐনা অনিত্য ওইবা পোশক্ত পাম্লবসি করিগীনো? ঈশিংনা অকুংপা হম্বা মকমতদা চেপ্তরিবসিগুম্না আত্মানা অস্তুক য়াম্ন অনাত্ম ওইরিবসি অতুগা ওইনংলিবসি কবগীনো অসিনচিংব খঙ-নীংবদগী ভক্তি হায়বা পোশক অসিথোক খিবনি। অতুনা অমবোমদা হায়করনদি বৈজ্ঞানিক দৃষ্টিনা য়েংবা ওম্বা অতুগা আধ্যাত্মিক জ্ঞানকাঙলনা লাম্ন কনবা নত্রে। ভৌতিক জগৎ অসিতদা তৈনথিবা বৈজ্ঞানিক শিংনা ইম ঈশিনচিংগী মাত্রগী থাকদক থাকতিন তৌবগী বিচারদা মপুঙ্গফা লাক্ন (কাঙ্গাচাঁদ)

✠ শ্রীকৃষ্ণনা হায়রিব রকম অসিবু মসু কাপ্তক্লন্দবা কনাগুম্বনা য়াম্নি লৌই অতৈ অতৈ দেবতা অমবু নীঙুলনী কৃষ্ণ ঐবুত নীঙগদবনি হায়না হায়বিবসি কৃষ্ণবু নীঙদবা, কৃষ্ণগী উপাসক নত্তবা তমবা তৌমিংলবা ত নত্তনা নিন্দা কাওবা তৌগদবা য়াকমনি। মাঙ্গ করিগীনো হায়বদা, হায়রিবা য়া অসিবু

যে চ শিষ্টাস্ত্রয়োভক্তাঃ ফল কাম হিতেমতাঃ । সর্বে চ্যবনধর্মাস্তে প্রতিবুদ্ধস্তু শ্রেষ্ঠভাক্ ॥৩৫॥

ব্রহ্মাণং শিতিকণ্ঠং চ যাশ্চান্যা দেবতাঃ স্মৃতাঃ । প্রবুদ্ধচর্য্যাঃ সেবন্তো মামেবৈষ্যন্তি যৎ পরম্ ॥৩৬

জ্ঞানী ভক্ত নত্তবা, অতৈ ভক্ত অহুম অহুদি সকাম কর্ম তৌবা ওাক্তনি । ভক্ত ওইরবস্থ মথোয়না ভক্তি তৌরিবা অহুদি করিগুম্বা মহৈ অম পাম্বদগীনি । মথোয়হুদি স্বর্গ কাক্সরবস্থ অমুক হন্ন লৈখা তায়ক-লগদবা ওা'ক্তনি । জ্ঞানী ভক্তনা তৌবা ভক্তিদি অহুগা মাহুনা ক'লিবা মু'ঙ'ইবা অহুদি ভগবান্ মক্কী মূর্ত্তিনি মহাক্তনা খাইদগী অথোইবা ভগবৎ প্র প্তি (ভগবানবু ফ'বা উবা) গী মশক ওইব মহৈবু ফ'বা ওন্নি ॥৩৫॥ ব্রহ্মাণীভক্ত, রুদ্রগী ভক্ত অহুগা অতৈ অতৈ দেবতা শিংগী তোঙ'ল তে ঙানবা ভক্ত শিংনা, মাগী মাগী ইষ্টদেবহুদগী করিগুম্ব মহৈ অমতা পামদনা তৌজরিবা সেবা পূজা, অহুনা হায়রদি নিষ্কাম ভক্তি অহুনা মমৈথংদা খাইগী চঙজকম ওইবা বিষ্ণুগী নাক্ত ভক্তশিং অহুবু মৌহল্লি * ॥৩৬॥

মুম্ন চনীং তানা খম্বকুদনা মপানগী অর্থ তবু লৌরুবদগীনি । অমনু ওইরবস্থ, অমবু ওইরবস্থ ঐগীদি মাসিনা মরোইরে হায়বদি হায়রগা অতৈ অতৈহন্ন না শি মুরবনি, হায়রিবা অহুগা খল্লিবহু মীনম্বনি । অম্নুম্ন কৃষ্ণনা তাক্পিরিবা রাকম অসি কৃষ্ণ নত্তনা অতৈ দেবতা অমবু হায়বদি, প্রমাণ অমদ হায়রগা, কৃষ্ণবু নীংবা মঙোম্নদস্থ রামদগী হেন্ন অতৈ অতোপ্প অমবু নী মুরগম্ব থনক'ও থল্লুগম্ব হায়না তাক'পিবতান । অহুম তৌরবদি, মহাক্ত নী লিবা লাংলিবা রাম অহুগা কৃষ্ণগা মীশক পোশক অমতা ওইবনি হায়না তাক-পিবনি । অহুম্না অমত ওইহনবা ওমদবা মী—(উপাসক) অহুদা মহাক্কী উপাসা (অ'রাধ্য) ওইরিবা রাম, কৃষ্ণ, শিব, বুদ্ধ, জিন অল্লা, খোদা, যীশু কৌবহুনা মঙোন্দ শান্তি, অমদি পরমানন্দ অহুগা মীওই-বগী মপে'ক্সী চপ চাবা উদেশ্যবু পীরোই—হায়না শ্রীকৃষ্ণনা তাকপিবনী । শ্রীকৃষ্ণনা পী'বরিবা পাউতাক অসি, কৃষ্ণ মাবু নী বশিংতদা তাকপ নত্তে মাবুত নাংহনগদবগীন্ন তা'কপা নত্তে । অল্লা খোদা, যীশু মীংব কাওবুদস্থ তাকপিবনি । ঐনা নী'ংলিবা ঈবুঙো প্রভু যীশু অসি কৃষ্ণবু নী'ংলবশিংগী ঈবুঙো প্রভু কৃষ্ণ হুমক্সি হায়বা ওমদবা শিংনা হায়বদি মবু'ঙো', ঈবুঙো, হায়না হায়রিবা, ঐগী মাগী হায়রিবা শি' অহুনা জগত্তা অশান্তি পী । জগত্তা অশান্তি অমুমুক্ থোল্লিবা অহুগা লাঞ্জ'ও অমুমুক থেক্লিবসি ঐগী নংগী মাগী হায়বা রাথল অসিগী মহৈনি । ধর্মবু ওইরবস্থ, জ্ঞানবু ওইরবস্থ অহুগা অকব পুণ্য কর্ম অমবু ওইরবস্থ ঐগী ধর্ম নংগী ধর্ম, ঐগী জ্ঞান নংগী জ্ঞান, ঐগী পুণ্য কর্ম নংগী পুণ্য কর্ম অহুগা ঐগী রাজ্য নংগী রাজ্য হায়নরিবসি হেক তোকক্সিবমথৈ হায়বা তোকপত নত্তনা তোঙ স্বগী রাথল অসি লৈনরিদমথৈ জগত্ত শান্তি লৈরোই ।

(কাল'চঁদ)

* তোঙাল তোঙানবা দেবতাশিংগী তোঙাল তোঙানবা ভক্তশিংনা মাগী মাগী ধর্মনা, মাগী ইষ্টদেবনা অতৈ অতৈ শিংগীদগী হেল্লিহায়না লাউনরিবসি মাগী মাগী ইষ্টদেবহুবু সকাম ভক্তিনা মরম ওইহুনা, মহৈ অম পামহুনা নীওহুবদগীনি । মা-মানা ফংজরিবা আনন্দ (হুংঙাইজরিবা) হু তেদতাবতগী পোকপা তেদানন্দ

ভক্তং প্রতি বিশেষস্তে এষ পার্থো সুকীর্ত্তিতঃ। ত্বং চৈবা হং চ কৌন্তেয় নরনারায়ণৌ স্মৃতৌ ॥৩৭॥
ভারাবতর ণার্থং তু প্রবিষ্টৌ মানুষীং তনুম্। জানাম্যধ্যাত্ম যোগাংশ্চ যোহং যশ্চ চ ভারত ॥৩৮॥
নিবৃত্তিলক্ষণো ধর্মস্তথা ভ্যুদয়িকোঽপি চ। নরাণাময়নং খ্যাতমহমেকঃ সনাতনঃ ॥৩৯॥
আপো নারা ইতি প্রোক্তা আপো বৈ নরসূনবঃ। অয় নং মম তং পূর্বমতো নারায়ণো হ্যহম্ ॥৪০॥

পার্থ। অর্জুন। ঐনা ভক্ত মথক মরিগী খেন্নব অহু ্ত্রান্দ লৌখে। কুন্তীনন্দন। ঐ নভোন্দ মমাঙে গী অরোনবা বা অন হাংগে। নং ঐসে যুগ অমগী আদিদা লৈবম্বা নর নারায়ণ হায়বা ঋষি অনীহুনি। পৃথিবীগী অরাবা পোৎলুম অহুবু থাংথবিগে হায়নগী মনক ঐ খায় অনীনা অমুক হন্ন তাইব মীগী হকচাংদা চঙমিন্নখিবনি ॥৩৭॥ হৌজিকস্তু ঐ অধ্যাত্ম যোগ পুম্নমক্কী তত্ত্ব খঙি। লোক পুম্নমক্কী চাওখৎনবগী মশক ওইবা প্রবৃত্ত ধর্ম অহুগা লাংস্নোকপা কংনবগী মশক ওইবা নিবৃত্তি ধর্ম অনিগী তত্ত্ব শঙদ ঐনা খঙদবা অমত য়াওদে। জগৎ পুম্বগী লোবকফম হৌবকফম নারায়ণ হায়বহু ঐনি, কনা অমত নত্তে ॥৩৮ ৩৯॥ নরদগী থোরকই পোকলকই হ য়হুনা ঈশ নু ়ার কৌই। অহুগুম্বা নারনা ঐগী মুন (লৈকম) ওই হায়হুনা ঐবু নারায়ণ কৌই ॥৪০॥

নি। অভেদানন্দ নত্তে। খেন্নব ওইনা উবগী মংভাইবা অহুনা ভেদানন্দনি খেনদনা উবগী মংভাইবা অহুনা অভেদানন্দ নি ভেদানন্দ দি অনিত্য সুখনি, অভেদানন্দ না নিত্য সুখনি নিত্যানন্দ নি। মীগী মচাদগী খন্নন উবিবা মগাবু উবগী আনন্দ অহু ভেদানন্দ নি, অনত্যনি। আনন্দ অহু মীকুপ অমত্তা ভাইবে কায়খিগদবা। মা উবগী মু ভাইবা (আনন্দ) অহু নিত্য ওইনা লেপ্তদনা থমগে হায়বসি অহুগা নিত্য ওইহন্নবগী সাধনা অমতং তৌগে হায়বসি তোমখিন ওইবা সাধক অমনি নত্তনা কনানসু খঙ্গে অহুগা হোৎনু হোনরুদে। মাহু তেক হেৎনরকপদ মী মহাক অহু বৈষ্ণব ধর্মদা হায়বদি বিষ্ণু ভগবান মশা মক্সা চৎপা ধর্মনা অহুম খোদাগ্রবনি। কান্নদবা অনিত্য ওইবা মহৈ পাম্বা ভক্ত শিনা, ঐগীনা হেল্লি ঐগীনা হেল্লি হায়হুনা পঙলাউ লাউংনি। মখোয়হু নরক গামী (নরক তাবগদবা) মক্তনি। জ্ঞান ঈতা তাদনা ঐগীনি হেল্লি, ঐগীনা হেল্লি হায়হুনা চাংগদবা নত্তে। ঐগী ধর্মনা নংগী ধর্মদগী হেল্লি হায়রিবসিগা, ঐগী ইচাবু নংগী নচাদগী হেন্ন ফুংশিজে হায়রিবসিগা মশা অমতনি করিমত্তা খেন্নদে। অহুগুম্বা মিথ্যা মায়াদা তাউদনা মপাম্বো গী ভক্তশিংতনা মাগী মাগী মপানগী ধর্মনা থুংলায় ওইহুনা জগত্ত অশান্তি পীরি, লৈপাক মহী লাঙহল্লি। মখোয়হু নরক তাবগদব ভাক্তনি হায়বসিদা কাব চিংনবীভায় লৈরি? মাসিগী রাফম অসি নোংমা মহাদেবন পার্বতীদা তাকপিখি। অহুগুম্বা অভেদানন্দগী মশক ওইবা অভেদানন্দময় ওইবা শ্রীবিষ্ণুনা দেহ খুদিদা পরমাত্মা ওইহুনা লৈরি। আত্মা, জীব, ঈশ্বর, পুরুষ, প্রকৃতি হায়রিবা পুম্নমক অসি পরমাত্মা মহুোন্দগী হাইদোকপা মঙাল্ অমমমগী মমিং মস্তনি। (কানাচাঁদ)

ছাদয়ামি জগৎ বিশ্বং ভূত্বা সূর্য্য ইবাংশুভিঃ। সর্বভূতাধিবাসশ্চ বাসুদেব স্ততো হাহম্ ॥৪১॥
গতিশ্চ সর্বভূতানাং প্রজনশ্চাপি ভারত। ব্যাপ্তা মে রোদসী পার্থ কান্তিশ্চাভ্যধিকা মম ॥৪২॥
অধিভূতানি চান্তেষু তদিচ্ছং শ্চাস্মি ভারত। ক্রমনাচ্চাপ্য হং পার্থ বিষ্ণু বিত্য ভিসং জ্ঞিতঃ ॥৪৩॥

মকম পুম্নমক্ত শীন্থুংন লৈবা, কনাগুম্ব করিগুম্ব অমগী লৈকমস্থ মহাক্ত হেক্ত ওইরম্বা, মাবুনি বাসুদেব হায়রিবসি। মুমিৎ অমতগী মঙাম্ন মকম পুম্নমক্ত য়োবগুম মাগী মঙাম্ন মফম পুম্বদা পুময়্যা বনা হায়বদি দেব ওইবনা মহাকপু বাসুদেব কৌই ✣ ॥৪১॥

ভারত। হে অর্জুন। বাসুদেব (ঐ) অসে (বিষ্ণু) অচচত্ত জীব পানবা পুম্নমক্কী গতি অমদি উৎপত্তিস্থান (হৌরককম) নি। ঐ (বিষ্ণু) অসি লৈথক লৈখা লোইনা ঈথন্তবা পুময়ো য়োনা কুপ্তুনা লৈরিবনি। ঐগী ইঙাম্না অতৈ মঙালশিংদগী ঈংহেন হেনবনি। ভরতনন্দন! অন্তকাল দা জ্ঞানী শিংনা

✣ তৌরি তৌরিব থবক অত্থমক্তা অত্থম মওইরবা মিং অত্থতনা অশেংবা মিংনি। তৌরিবা থবক অহগা চানদবা মিং মথৈ অশেম্বা মিংনি, হেক্ত থোনজিন্নবনি। অত্থ মক্তস্থ মিং থোনবা হায় নরিবসিনি। রাবণগী মচা ইন্দ্রজিৎ ত ইন্দ্রজিৎ থোনথিবত্থ অশেংবা মিমি। ইন্দ্রবু ভম্বা হায়বনি। মমাঙৈগী বৈদিক পৌরানিক যুগ তা থবক্তা চানদবা মিং অমত থোম্নরমদে। হান্নগী থোনজিনবা মিং অম লৈরম্নকস্থ তুংদা খাগেম্বা হায়না থোনখিবসিনা অশেংবা মিংনি। খাগী (খাহী) ভম্বা হায়বতনি। থবক্তা লাকচব মিনি। থবক ঈতৌ তৌদনা হকচাং (শদ্য) অসিদা থোনজিনবা মিং অত্থ মীনম্বনি। মা মাগী হকচাং অসিদা অমুক মায়া (মিথ্যা) তৌত্রনা মিং অমমুক তৈশিল্লি। অত্থগুম্বা মিং পুবা অয়াম্বনা, থবক্তা মশাদা ওইজাখবা রাম, কৃষ্ণ, বাসুদেব, নারায়ণ ঈশ্বর অসিন চিংবা মিংশিংবু তারগা নিন্দা তৌরি, নোক্লি। অত্থম নোক্লরিবা, মকৈগল্ ঈচাও চাউদনা কৈজাও থোমজিল্লিবা মহাক্তা মশাবু কৈজাও থোন জিল্লিবত্থদি থক নোক্লীংদে। অত্থগুম্বা মশাগী দোষবু কুপশিল্লিবা মীশিং অত্থতননি ঈশ্বর বু, বাসুদেব বু নিন্দা তৌরিবসি। ইশৈ হৈবদা "ঈশৈ হনবা" হায়না মিংগোবদা করিগী নোক্তদৌরিবনো? বাসুদেব ওইব মঙোন্দা বাসুদেব হায়না কৌবদা করিস্থ নোককম লৈতে। বসুদেবনা পোকপনি হায়ত্থনা থোনখিবা মিং নত্তে। বাসুদেব (নারায়ণ-বিষ্ণু) না তাইবংদা লীলা শাম্নবিরুবা মপাশারিবা মহাক অত্থ বসুদেব হায়না কৌরমত্থনা মতা চারুবনি। দশরথগী মচাদা থোনবা "দাশরথি" হায়বসিদগী "রাম" হায়ব অসিনা শেংবা অচুম্বা ওল্লি। আত্মাসিনা বাসুদেবগী শরুক অমা ওইবনা মফম পুম্বনা মাগী মিংচৎকী অংনি গুণ কর্ম গী মঙানবু শন্দোকনীং লিবাসনি। অঙকপদি, অত্থগুম্ব বাসুদেব ওইরিবা ঈশ্বর মহাকপু লৈতে হায়রিবা নিরীশ্বরবাদী অত্থনা ঈশ্বরবাদীবু তর্কনা ঙমত্থনা মাগী মিংচং শন্দোকপি অত্থগা শনস্থ শন্দোকনী দ্রি। তৌনরিবা পুম্নমক অসিমক, বাসুদেব মহাক্কী মায়া লীলানি। নাস্তীকশিংনা ঈশ্বর লৈতেদে হায়রগা ঈশ্বর ওইবদি অত্থম মপাম্মি হায়বদি, তৌব ভম্বা, মীথোই মিহেনবা, তাইবং মীনা তৌব ঙমদবা থরদং তৌব, মিংচত্তনা দেশ (মকম) পুম্বদ লৈবদি অত্থম মপাম্মি। মথোয়ত্থ তৌবিমল থঙদবা পাপী নি। মশক উদবৰু লৈতেদি হায়রগা মশক উদবা মিংচৎপুদি পাম্মি। (কালাচাঁদ)

দমাৎ সিদ্ধিং পরীপ্সন্তো মাং জনাঃ কামৃয়ন্তি হ। দিবং চোর্বীং চ মধ্যং চ তস্মাৎ দামোদরো হ্যহম্ ॥৪৪॥

তাইবং মী কনা কনাগুম্বনা দম (ইন্দ্রিয় খুদুম চনবা) গী পাম্বনা বিষ্ণু ঐবু ফংনবা ফংননবা, উন-নবা হোংবনৈ। দম অদুগী পাম্বনা ঐবু 'নীংঙ্গনা স্বর্গ, মর্ত্য, পাতাল কাওবা চাওখৎপা অমনি মিংচৎ ফংননবা হোংবনৈ। হায়রিবা পাম্বশিং অসিনা চুম্না, চপ চানা সাধনা তৌরবদি ফংবসু ওস্মি। অদুগী দমক্ত ঐগী মিং দমোদর, দামোদর, কৌনৈ * ॥৪৪॥

ফংনিংলবা ব্রহ্ম (ব্রহ্ম জ্ঞান) দো ঐান। কুন্তীনন্দন। ঐদি পুম্নমক্কগী লাম্বোকুনা, খাইদগী ঈতোপ তোপ্প লৈরিবনি। মরম অদুনা ঐবু বিষ্ণু কৌনরিবনি ৯ ॥৪২—৪৩॥

---

৯ রাম, কৃষ্ণ, শিব, অল্লা, খোদা, যীশু, অসিনচিংবা নাম অদুগা নামী (নাম ধারী) শিং অসি মডাল পুম্নমক্কা মপৈ ওইবা মডাল মপুম অমতদগী হাইদোবকপা মণ্ডল অমমমগী মমিং অমদি অউবা মশক মক্তনি। চীং মানশিংনা খুম জিনব্রগা ফুমিৎ তারে হায়নাববা মকম অদুদা ফুমিৎনা মাগী মণ্ডলশিং অদু মশাদা লোঙ্না চিংশিনখি হায়গদ্রা নত্রগা অদুম মরৈ, চী মান উরা নচিবনা খুমাঙনখিবননি হায়গদ্রা. অমদি হায়বা তারে। অদু গুম্না ইশক মমিং মডাল পুম্বী চঙাশনফম ওইবা নত্রগা মায়ামোহ শংবগী মক্ষ ম্না কুপথ্রবা মাগী মণ্ডল মপৈনা লৈন লৈনা লাংখফম ওইবন। মত্রগা খু ইগী চঙজফম, খাংগী হাইদো-ক্কবকফম ওইবনা খাইগী তু নফম ওইব মহাকপু বিষ্ণু হায়না কৌবতনি। অসিগুম্ অর্থাশ অসিবু খোক হনবা য়াবা য়াহৈ লৈরবদি, জগৎকী মঙ্গদা লৈরিবা করিগুম্বা জাতগী মী অমনা মাগী মরোলগী য়াহৈদা বিষ্ণু মিংঙ্গ অদুম খোনবা ময়াই। অদুদি নত্তনা রাম, কৃষ্ণ, বিষ্ণু অসিনচিংবা য়াহৈ তারগা মযা লাইনি হায়দুনা মশাগী অ ঙববু ফোঙদোকপা য়াওরি বিষ্ণু হায়বা য়াহৈগী হৌরকফম মরু (ধাতু) দি "কোয় চৎ চৎপা," অদুগা "ভানবা"—অনীসিগী অর্থপুরা বিচ্ছ ধাতু অমা, "সেবা" গী অর্থ পুবা বিষ ধাতু অমা, শীঙ্গুংনা পুমযো য়োবা গী অর্থ পুবা বিষ ধাতু হায়বা অমা, চঙশিনবগী অর্থ পুবা বিশ ধাতু অমা অদুগা "শিঙ্গনকপা" গী অর্থ সৈবা ফু ধাতু হায়ব অমা অমুম্না ধাতু মখল মরিথোক্ক লৈ। হায়রিবা অর্থশিং অসিবু পুত্তম্বা য়াহৈ অমতং লৈরবদি য়াহৈ অদুনা বিষ্ণু গী মঙ্গম্বা মিং অমা ওইনা খোনবা য়াই। হায়রিবা অর্থ শিং অসিবু কোঙলোক্কবা য়াহৈদি গোড্, অল্লা, খোদা, যীশু, বৌদ্ধ, অসিনচিংবনসু ওইবা য়াই হায়রবদি হায়রিবা শব্দশিং অসিগী হৌরকফম মরু (রুট্—ধাতু) দি করি করিনো হায়বা প্রশ্ন অম লাকনি। গোড্' হায়বা য়াহৈ অসিগী হৌরকফম (রুট্) অদুনা মথক্তা হায়রিবা অসি ময়াম অমী পুরবদি বিষ্ণুবু গোড্ হায়না অর্থ হনবদা কায়দে। অদু কায়রবদি বিষ্ণু হায়বা খোম্বোক্কী য়াহৈ অসিতনা ভগবান মহাক্কী চপ চাবা মিং ওইগনি।

(কালাচাঁদ)

---

* হায়রিবা অর্থশিং অসি "দম" ধাতুগী অর্থ মক্তনি। লোক কী চৎনবা অর্থদা "দাম" গী অর্থদি—"খোরী" হায়বনি। উদর গী অর্থনা পুক হায়বনি। য়াহৈ অনি অসিনা সমাস তৌরবদি "দামোদর" হায়বা য়াহৈ অসি থোকই। বহুব্রীহি সমাজদা "খোরী না মাগী পুক ত লৈবা" হায়বা অর্থ অাস থোকই। "দামোদর" হায়বসিদগী শব্দ বৈজ্ঞানিক শিংনা অর্থ জিশিং পুথোক্কখি। অর্থশিং

পৃশ্নিরিত্যুচ্যতে চান্নং বেদ আপোঽমৃতং তথা। মমৈতানি সদা গর্ভঃ পৃশ্নিগর্ভস্ততো হ্যহম্ ॥৪৫॥
ঋষয়ঃ প্রাহুরেবং মাং ত্রিতং কূপনিপাতিতম্। পৃশ্নিগর্ভ ত্রিতং পাহী ত্যেকতদ্বিত পাতিতম্ ॥৪৬॥
ততঃ স ব্রহ্মণঃ পুত্র আদ্যো ঋষিবরস্ত্রিতঃ। উত্ততারোদ পানাৎ বৈ পৃশ্নি গর্ভানুকীর্ত্ত নাৎ ॥৪৭॥

অন্ন (চীঞ্জাক), বেদ, ঈশিং, অমৃত মরি অসিবু, পৃশ্নি কৌই। পুন্নমক অসি ঐগী গর্ভ দুংদা লৈ। মরম অদুনা ঐগী মিং পৃশ্নিগর্ভ নি কৌই ॥৪৫॥ ত্রিত কৌবা মুনিবু মহাক্কী মচীন মনাও শিংনা গুহা মনুংদা থাদদুনা থম্বিরম্বদু উবদা ঋষিশিংনা বিষ্ণু ঐঙোন্দা অসুম হায়না স্তুতিগান তৌদুনা হায়খি "হে পৃশ্নিগর্ভ! একত অদুগা দ্বিত অনীনা গুহামনুংদা থাদ বিরম্বা ত্রিতবু গুহামনুংদ লৃপ্তুনা শিখিগদৌরিব সিদগী কনবিয়ু। ঐগী পৃশ্নিগর্ভ হায়বা নাম অসিবু হন্ন হন্ন শোন্নদুনা ঐগী নাম কীর্ত্তন তৌরকপদুদা ত্রিত মুনি অদু গুহা মনুংদুদগী ঈরাম লায়না চোংথোরকই ※ ॥৪৬—৪৭॥

অদু "বিষ্ণু" হায়বা শব্দ সিগী অর্থশিংদা পোপ পোপ লেক্না ভাই। দ্বাপর দা ভগবান বিষ্ণুনা যশোদা গী মচা ওইনা কৃষ্ণ কৌদুনা বাল্য লীলা শান্নবদা যশোদানা মচাগী পুক (খুড়) তা থৌরিনা কাজিনখি। মাদুদা কৃষ্ণগী পুক-খাংডদা থৌরী মফম লৈখি। মাদুদা মমান্নবাশিংনা দামোদর—দামোদর হায়না লৌগৈ। কৃষ্ণদা মথোয়না থোন্নিবা মিং অসি বিষ্ণুনা থোনবানিনা, অদুগা বিষ্ণুগী মি দি দামোদরসু কৌবনিন করিমতা কাযবা লৈতে। অদুনা বিষ্ণুনা অঙাং অম ওইনা শান্নবদা মমন্নবা শিংনা হায়বদি ভক্ত শিংনা লৌনরিবদু শাউবদি লায়বদনা হরাওই, নোকই, নোকমিন্নে কোয়ভানস তান্নে। অদুনা ভগবান বিষ্ণু মহাক্ত সত্য ত্রেতা, দ্বাপর, কলি যুগ মাংবা দামেবর ওইদুনা অদুম মরে। বাসুদেব কৌবা অমদা পিতা ওইনা শান্নবুদুবু বসুদেব কৌবা নিপা অমগী মচা অচম্বা মীনি হায়না নাস্তিক শিংনা নোক্নে। ভগবান শ্রী বিষ্ণুনি যুগ যুগ কয়াদি বাসুদেব ওইদুনা অদুম মরাক্রবনি, হৌজিকসু ওইরি। বিষ্ণু, বাসুদেব, দামোদর অসিনচিংবা শব্দ নাম (মিং) অসিদা মীগী মরোন্ন কৌনংদে, হায়নীংদে হান্নবগী মহুত্তা বিশ্বজগৎ পুম্বগী অপোকপা মপু মহাকপু বিষ্ণু বাসুদেব চিংবা থোনবসিদি য়ানিংদে, ঐখোয়না পুনিংবা অর্থগা চুনদে হায়বনা হেন্ন কৈ। মাগী মাগী খোন্থোক রাটৈগা মায়দ হায়রবদি হায়রিবা শীং তুদগী হেন্ন পওবা তাইবং মী অমা লৈরম্মরোই। আম্মা মপা অমতনা তোঙাল তোঙানবা জাতিগী দেহ (হকচাং) দুংদগী তোঙাল তোঙানবা ভাষাদা শব্দনা হায়দোকচরকপনি। লোইনা অচুম্ব ভাক্তনি হায়না অশিংবশিংনা থঙনৈ। ঐগী লোন্দদি ঈশিং হায়বনি, অদুনা নংগী লোন্দা পানি, জল হায়বা য়াদে হায়না অচাওবনা তাউগববা রাড়াউ তাউবা মী কয়া কয়া লৈ। অদুগুম্বা অপাঙবশিংনা ধর্ম অমগ ধর্ম গা দুংশিনহন্দে। ধর্ম ধর্ম দি হায়রগা অদুগুম্বা মপাগী ধর্মগী তত্ত্ববু খঙদবশিংনা অশান্তি পী।

(কালাচাঁদ)

※ ভগবানগী নামগুণ কীর্ত্তন তৌরগা সংসারগী মপক ওইরবা গুহাদগী জীবনা চোংথোকখিদুনা অরা নবা খুঙম (মুক্তি) কংডি হায়বা পাউতাক অসি সৃষ্টিগী ইহান হানবদা ব্রহ্মাগী ইহান হানবা মচা ত্রিতবু কনবিবনা উত্তনা শ্রীভগবান বিষ্ণু মপামক্তা জগৎ তা হায়বদি, জগৎকী মী পুম্বদা শন্দোক থিবদি লৈরমদবা

সূর্যাস্ত তপসো লোকানগ্নেঃ সোমস্য চাপ্যুত। অংশবো যৎ প্রকাশন্তে মমৈতে কেশসংজ্ঞিতাঃ ॥৪৮॥
সর্বজ্ঞাঃ কেশবং তস্মামাহুর্দ্বিজ সত্তমাঃ এবং হি বরদং নাম কেশবেতি মমার্জুন।
দেবানামথ সর্বেষ ঋষীণাম্ চ মহাত্মনাম্ ॥৪৯॥
অগ্নিঃ সোমেন সংযুক্ত এক যোনি ত্বমাগতঃ। অগ্নি সোমময় যং তস্মাজ্জগৎ কৃ ত্স্নং চরাচরম্ ॥৫০॥
অপি হি পুরাণে ভবতি একযোন্যাত্ম কাবগ্নী যোমৌ দেবাশ্চাগ্নি মুখা ইতি একযোনি ত্বাচ্চ।
পরস্পর মহন্তো লোকান্ ধারয়ন্ত ইতি ॥৫১॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসহস্রসংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তি পর্বণি মোক্ষধর্মপর্বণি নারায়ণীয়ে ষট্-ত্রিংশদধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥

——:০:——

জগৎ পুম্বদ মঙাল, মৈশা পীরিব' মুমিৎকী, মৈগী অহুগা থানচি ৰগী মঙ লাংশং অ'স ঐগী কেশ (মম্) নি হায়নৈ। কেশ গা তিন্নহুনা ঙ ক লৈন ঐবু কেশব কৌনৈ। অর্জুন। ঐগী কেশব কৌবা নিং অসিনা দেবতা পুম্নমক্কী অহ্গা ঋষিশিংগী মকমন বর পীনহৈবনি ॥৪৮-৪৯॥ অগ্নি (মৈ) গা সোম (থা) গা অনী তিন্নথিহুনা যোনি (পোক্লকম্। অমতদা পুনথি। মরম অহুনা, অচচ্চত্ত জীব বয়না তিন্নবা জগৎ মপুম অসিমক অগ্নি সোম অনীসিগী মশক নি ॥৫০॥ পুরাণ পুম্বদা হীব মাহুদি — অগ্নিগা সোনগা অনী অসে পোক্লকম অমতনি। অহুগা দেবতা পুম্নমক্কী চীনস্থ অগ্নি দবনা ওহবি। পোক্লকম তিন্নবদগী মথোন্ন অনী অমগ অমগ আনন্দ (নুংঙাইবা) পীনরি। অহুগা মথোন্ন অনীনা লোক পুম্নমক পুম্ন পুহনা লৈরি * ॥৫১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্বদা মোক্ষ ধর্ম পর্বদা নারায়ণীয়দা চহুমকুম্থ্ তরুহুবা অধ্যায় লোইরে।

——:০:——

পোৎ অমনা লৈরক , লৈরিবহুনা নতম ববদ' তেক্কনা লৈরব্বা অহুগা থব লৈরগা কায়বা থবক অহুম অসি মুমিৎ খুদিং প্রত্যক্ষ ওইনা উবি। থবক হুতুম অসি মথন মথন্ত তৌজবনি। হায়বসিমা য়াক্রে। মশামক উদবা অশেম্বা (পোকহনবা) অঙাংকপা অহুগা মাংহন খিবা করিগুম্বা অমদি লৈরে হায়বসি মশানা তাবনি। পৃথিবীদা মশক উদনা লৈবা চিংশিন্নবগী শক্তি অমনা উথক্রুং উহৈবু মাহ্নগে অমমমদ পাইখোক থিহন্দনা পৃথিবী রোমতদা তাহল্লকপনি। অহুনা, থবক খুদিংগী অতোবা মীশক পোশক অম হৈবে লৈ। নাস্তিক শিংনদি হৈতে হায়। অহুগা ঈশ্বর লৈতে হায়না মানী থম্মোয়দা অমদি রাথমা

* হায়রিবা য়া অসি সাহিত্য অমদি কাব্যগী পরিকম মমুংদা পুশিদুন রূপ কালংকার অমদি অর্থান্তর ন্যাসালংকার হায়দুনা ব্যাখ্যা তৌব য়াই। নিপাগা মুপীগা অনীগী পোক্লকম (যোনি) অমতমি। নিপাহ্

যোনিদগী, গুপীসু যোনিদগী পোকই। অগ্নিশু মুমিত্তগী, সোম (থা) সু মুমিং (সূর্য্য) দগী নি। অদুনা অগ্নিগা সোমগা অনীগী পোককম অমত্তনি। নুমিৎকী মশেক মঙাল কংজরগা সোম (থা) না ঙাক্সরি। নিপা (মপুরোয়বা) গী মশেক মঙাম নুপীনা সমাজদা লেমজরি-ঙাক্সরি। শক্তি শক্তিমান অনীমক, জ্যোতি—জ্যোতির্মান অনীমক পোককম অমত্তদগীনি। শক্তিমান (পুরুষ) গী নুংঙাইবা, শক্তি (প্রকৃতি) না পীরি। শক্তি গী মনুংঙাইবসু পুরুষ (শক্তিমান) না পীরি। নিপা নুপী অনীগী সঙ্গম (তিন্নবা) গী নুংঙাইবত্তুদা মথোয় অনীমক্কী শরুক তোঙাল তোঙাম লৈ। অনীমক নুংঙাইবা (আনন্দ) কংমিল্লে। মথোয় অনীমক্কী নুংঙাইবগী পোককম মশাতু মক্কীদি নুংঙাইবতুগী অনুভূতি করিমত্ত লৈতে। মহাশক্তি নিগু'ণনি নিরাধারনি। শক্তি শক্তিমান অনীমক্কী পোককমনি। মহাক অত্তু (কেশব কৌই) নুমিৎকী মঙাল, থাগী মঙাল অনীমক মহাক্কীনি। মশামকত্তি আনন্দ ময়নি। আনন্দ মশামক্না আনন্দত্তুবু লৌদে। ভক্তগা ভগবান্ গা অনীগী নুংঙাইনকম অনীগী নুংঙাইনকম অত্তুবুনি কেশব হায়রিবসি। মহাশক্তি আনন্দগী মূর্ত্তি নি, সচ্চিদানন্দ স্বরূপনি।

হায়হন্নীঙলক্লিবসিদি করিনো-কনাননো ? হায়হন্নী:বা হায়বা থবক অসি কনানা তৌরিবনো। হায়বা অসিমদি নাস্তিক মশানা থস্থদে। হকচাংসিনসু নত্তে, হোঙবা চাউবা কৌবা মিং অত্তুনসু নত্তে। ঈ নাই লুতোং, পুক্নীং, বুদ্ধি হায়রিবশিং অসিসু অশিবা ঙাক্তনি। থরায় প্রাণ বায়ু মশা অমসু অশিবনি। অশিবনা তৌব ওইনা উরিবা থবক হায়ববু অশিবা নুংশিৎন। ঈনবদগী অকংবা অশিবা উনানা লেঙলি। মশক উদবা শক্তি (এনার্জি) অমনা ঈগ্নিবনি হায়রবসু মশক উদবা শক্তি অত্তুবুদি ঈশ্বর হায়রিবসি। শক্তি গা শক্তিমান (শক্তি লোইরিবা) গা অনীগী মরক্ত তাদাত্মসম্বন্ধ লৈ। সম্বন্ধ অসিনা মরম ওইদুনা শক্তিগা শক্তিমান গা মশা অমত্তনি। শক্তি হায়বা য়াহৈ অসিমক ঈশ্বরগী মপাস্থোংগী মিং অমনি। মপানগী প্রাকৃতিক জগত্তদি শক্তিমানদি উই, শক্তিদি উদে। অলৌকিক জগত্তুদি শক্তিসু শক্তিমানসু অনীমক উদে। (কালাচাঁদ)

মণিপুরী মহাভারত

সপ্তত্রিংশদধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(জগৎ অসিগী সৃষ্টিগী মমাঙদ ওইরম্বা অবস্থা)

চহুমকুম্থ্রাতরেৎশুবা অধ্যায়

——:০:——

অর্জুন উবাচ

অগ্নী ষোমৌ কথং পূর্বমেক যোণী প্রবর্ত্তিতৌ। এষ মে সংশয়ো জাতস্তং ছিন্ধি মধুসূদন ॥১॥

শ্রীভগবানুবাচ

হন্ত তে বর্ত্তয়িষ্যামি পুরাণং পাণ্ডুনন্দন। আত্মতেজোদ্ভবং পার্থ শৃণুষৈকমনা মম ॥২॥

সম্প্রক্ষালনকালেঽতিক্রান্তে চতুর্যুগসহস্রান্তে অব্যক্তে সর্বভূতে প্রলয়ে সর্বভূতস্থাবরজঙ্গমে।

জ্যোতির্ধরণিবায়ুরহিতেঽন্ধে তমসি জলৈকার্ণবে ॥৩॥

আপ ইত্যেবং ব্রহ্মভূত সংজ্ঞকেঽদ্বিতীয়ে প্রতিষ্ঠিতে ॥৪॥

অর্জুননা হংজি:—মধুসূদন। অগ্নি গা সোম গা অনী অসিনা মতৌ করম্না যোনি (পোকক*) অমতদগী পোকক্লিবনো? মাসিনা ঐগী পুক্নংদা যাম্ন চিংনবা অম পীরি। ঐগী চিনবসি অমুক্ত কোকহনবিয়ু ॥১॥ শ্রীভগবান্না হায়:—পাণ্ডুনন্দন! কুন্তী কুমার! মৈশা (মঙাল তেজ) হায়বসিনা থোকখিবগী য়ারী অহৃ ঐ লীগে, যাম্ন পুক্নীং চঙন তাও ॥২॥ চতুর্যুগ লিশিং অমনা লোইপ্রব তুংদা প্রলয় কাল অম লাকই। অচচন্ত পোং পূম্নমক লোইনা অব্যক্ত প্রকৃতিগী মহুংদা শুপখি। লৈপাক, নুংমিং মঙাল নচিংবা পঞ্চ মহাভূতশিং অসি কদোম কদোমদা চংগ্রবনো হায়বা শূকখঙ খঙনখিদ্রে। মায়কৈ পুম্বা অমম্বা তনা পুমকুপ কুপখ্রে। জগৎ ব্রহ্মাণ্ড অসি অমত ভায়রবা ঈপাক মুংদা লূপখি ॥৩॥

মায়গৈ পুম্বা ঈশিংগী ঈশিংমক্ত ওয়রখি। লৈপাক মুংশিং মৈনচি বগী করিগুম্বা তত্ব অমত লৈয়মদে। অনী ওয়রবা ব্রহ্ম অমতনা মাগী মহিমা গী মশক উবা ঈশিং কৌব মূর্ত্তিনা লৈবওম তৌখি* ॥৪॥

---

* প্রলয় হায়বদি পোশক অমতগী মহুংদা মহাক নত্তবা অতৈ অতৈহুনা পুম্নপ চঙশিন্দুনা লূপশিনখিবা হায়বনি। ব্যক্ত মরায়া ব্যক্ত অমুতদা চঙশিনখিহুনা অব্যক্ত ওইখিবনি। ঈশিং অসি ব্যক্ত ওইরম্বা পদার্থ অমনি।* হায়বদি মশক মওং মমিং পুহুনা লৈরম্বা পোশক অমনি। মাগী মহুংদা অমমম্বা তোঙালতোঙায় ব্যক্ত ওইনা লৈরম্বা মৈ লৈপাক নচিংবা পদার্থশিংসিনা পুম্নপ চঙশিন লূপশিনখিহুনা অব্যক্ত ওইখি। হায়বনি মংখারগী হায়গী মশক মহু মওং মনিং লেইনা লূপখি। অহুম তোবনি প্রলয় অমদনা

ন বৈ রাত্র্যাং ন দিবসে ন সতি নাসতি। ন ব্যক্তে ন চাপ্যক্তে ব্যবস্থিতে ॥২॥

এবমস্যাং ব্যবস্থায়াং নারায়ণগুণাশ্রয়াদজরাম রাদনিন্দ্রিয়াদ গ্রাহ্যাদসম্ভবাৎ সত্যাদহিংস্রা

ল্লালা মাৎ বিবিধপ্রবৃত্তি বিশেষাদবৈরা দক্ষয়াদমরাদজরাদমূর্ত্তিতঃসর্বব্যাপিনঃ

সর্বকর্ত্তুঃ শাশ্বাতস্তম্মাৎ পুরুষঃ প্রাদুর্ভূতো হরিরব্যয়ঃ ॥৬॥

নিদর্শনমপি হ্যত্র ভবতি ॥৭॥

নাসীদহোন রাত্রিকাসীন্ন সদাসীন্নাসদাসীৎ তমত্রব পুরস্তাদভবৎ বিশ্বরূপম্।

সাবিশ্বকস্য রজনীতি এবমস্যার্থোঽনুভাষ্যঃ ॥৮॥

প্রলয় অমুমুক ওইবা মতম অহুদা অহি মুংখিনগী ভেদ (খেন্নবা—মান্নদবা) কাঁয়মত লৈরমদে। সৎ (লৈবা), অসৎ (লৈতবা) হায়বা পোৎশক অনীসমক্তীসু খেন্নবা করিম্নত লৈরমদে। ব্যক্ত (মশক মঙ' ময়ম নাইবা পোৎ) ন করিদনা, অহুগা, অব্যক্ত (মশক মঙ' মমিং নাইদবা পোৎ) না করিনো হায়বগী তোঙা'ন তাঙানবা সত্তা করিমত লৈরমদে ॥৫॥

অহুগুম্বা শবস্থাদা নারায়ণ (ঈশিংত্তদা গুণ পুম্ন কী তুংনকম ওইহন্নপ্রবা) শক্তি অহুগী আশ্রয় লৌহুনা লৈরিব', পোকপ লিব লৈতবা, মিৎনা কোংনচিবা ইন্দ্রিয় অমত পুদবা, শোকপা পায়বা য়াদবা, ওইখোকতবা মঙ' পুরা, অচুম্বা হায়বহুগী মশক ওইব', হিংসাগী শকক করিমত য়াওদবা, খুইদগী হেন্ন নীংথিজবা, থবক পুম্নমক্কী কারণ উদ্দেশ্যসু মনাক্তনা ওইবা অমগ অমগ মান্নদবা য়েংথিনবগী ভাব অমত মথাদা লৈতব, কনাগুম্ব অমতনা মাঙহনবা ভুম্ববোইদোবা, কশিন্নকপা অহল ওইবকপা—শোন্তরকপা লৈতবা, মশক মঙদগী লাপ্ন লৈপ্রবা মকম মতম পম্মদা লীসু'ংনা লৈবা, পুম্নমকপু শেম্বি শাবিবা, মতম হায়হুনা লৈত্রিভৈদগী ভমিকাওবা লৈবকলিবা সনাতন পুরুষ ভগবান্ শ্রীহরিগী শাবর্ত্ত ব ওইথি ॥৬॥

বিষয় অসিদা শ্রুতি (বেদ) গী প্রমাণ (খুদম) সু লৈ ॥৭॥ অহগুম্বা প্রলয় কাল অহিংসু লৈরমদে মুংলিনসু লৈবমদে। অহ-মুংথিলগী ভেদ (খেন্নবা) কাঁবিসু লৈবমদে। সৎ (অবৈব পোৎ) অহুগা অসৎ (লৈতবা পোৎ) অনীসিগী ভেদসু করিমত লৈরমদে। মকম পুম্ব অমম্বদা লুপ্তুনা লৈখি। অসিনি বিশ্বাত্মা (পরমাত্মা) গী আহং হায়বহু মবম অসিনা হায়রিবা শ্রুতি অসিগী অর্থসু জ্ঞান তানা তৌকম থোকই, খওকমসু থোকই * ॥৮॥

প্রলয় অমদনাঈশদা, প্রলয় অমনা ?মদা, প্রলয় অমনা মুংশিংতা অসুম হেক তুক পালি নাইনা অতৈ অতৈ লৈংৌরিব শিংনা তৌই। অহুনা ঈশিংগী ঈশিংত ভায়বা প্রলয়, মৈগী মৈ ত ভায়বা প্রলয়, লৈপাকগী লৈপাকত ভংয়না উবা প্রলয়,—অসুম্মা প্রলয় খুদিংমক অমত মংম্নদে। খাইগী লোই শিন্নকম অমমুক ওইনবিবা বায়ু অদো মহাবায়ুনি, অগ্নি অদো মহাগ্নিন. অকাশ অদো মহাকাশনি। অহুনা, মহাভূত মঙানি। মখোয় অহুবু পঞ্চ মহাভূত কৌই (কালাচাঁদ)

* অবৈবা পোৎ কা লৈতবা পোৎ কা অনী অাস অমম্বদদি চপ মান্ননা লৈমিন্নদে। চপ মান্নবা অবস্থাদা লৈ। খেন্নবা হায়বব্ অমম্বহুদা কনাগুম্বনা মথুৎনা মা মাহুনা থিরবদি অবৈবা পোৎ অহুদি

তস্যেদানীং তমসঃ সম্ভবস্য পুরুষস্য ব্রহ্মযোনে র্ব্রহ্মণঃ প্রাদুর্ভাবে পুরুষঃ প্রজাঃ
সিসৃক্ষমাণো নেত্রাভ্যামগ্নী ষোমৌ সসর্জ। ততোভূতসর্গেষু সৃষ্টেষু প্রজাক্রমবশাৎ
ব্রহ্মক্ষত্রমুপতিষ্ঠৎ যঃ সোমস্তৎ ব্রহ্ম যৎব্রহ্ম তে ব্রহ্মণা যোহগ্নিস্তৎ ক্ষত্রং ব্রহ্মবলবত্তরম।
কস্মাদিতি লোক প্রত্যক্ষ গুণমেতৎ যথা। ব্রাহ্মণেভ্য পরং ভূত নোৎপন্ন পূর্বং দীপ্যমানেঽগ্নৌজুহোতি।
যো ব্রহ্মণ মুখে জুহোতীতি কৃত্বা ব্রবীমি ভূতসর্গঃ কৃতো ব্রহ্মণা ভূতানি চ প্রতিষ্ঠাপ্য
ত্রৈলোক্যং ধার্যত ইতি মন্ত্রবাদোপিন ভবতি ॥৯॥

মতম অত্তুদা যোগ মায়াদ চঙত্তুনা লৈরবা পবমেশ্বর শ্রীহরিদগী থোকপা ব্রহ্ম যোনি ওইবা পুরুষ অত্তু-দগী অমুক ব্রহ্মা পোকখি। মহাক্না প্রজা সৃষ্টি তৌগে হায়না খনখিবদগী মহাক্কী মীৎকী তেজগী পাম্বৈনা সূর্য্য-চন্দ্রমা অনীগী সৃষ্টি তৌখি। মতৌ অসুম্ন ভৌতিক সৃষ্টি তৌবব তুংদা প্রজা (মচা) শিংনা পোক্ক-কপা মতমদা ব্রহ্ম গ ক্ষত্র গা হনী অসি পোকখি। সোম ওইনা পোকখিবত্তু ব্রহ্মনি, ব্রহ্ম ওইনা পোক-খিবত্তুমক ব্রাহ্মণনি। অগ্নি ওইনা পোকখিবত্তু ক্ষত্রনি। অত্তুগা ক্ষত্র অত্তুমক ক্ষত্রিয়নি। ক্ষত্রিয়গী পোক্ক-গী ব্রাহ্মণগী মপোক্না য়াম্ন কনবা হেল্লি। মাসি করম হায়না কাবিগী ওইগ্রিনো হায়না হংলবদি, মাত্তুগী পাউখুম হায়ববু মাসিনি, মাত্তুদি ঃ—ব্রাহ্মণগী গুক দা লৈরিবা প্রবলতা (অকনবা) হায়বা গুণ অসিদি প্রত্যক্ষ ওইনা উনৈ। মাসিগী প্রমাণ হায়ববু ব্রহ্মণ হায়বসিন অতৈ থাই পুম্বা পোকত্রিডৌদা ঈহান হাম্ন পোকখি। ব্রাহ্মণ ন পোকত্রিডৌনা কনা অমত্তনা হাম্ন পোকখিদে। ব্রাহ্মণগী চীন্দা ভক্তিগা লোয়নবা অচাথক তাহল্লিব অত্তু অগ্নিদেবদ হোম তৌবগা চপমান্নৈ। চকলবা মৈদা (অগ্নিকুণ্ডদা) যজ্ঞ (হোম) তৌরবনি হায়না লল্লু। মাত্তুমক ঐহ্ন খন্দুনা হায়রিবনিনি। ব্রহ্মানা পাঞ্চভৌতিক সৃষ্টি তৌই। পোম্নি-বশিং অত্তুগী মতীকহাব চাবা মক্কম লৈকমস্থু শেমত্তুনা পীরগা লোক অস্থমবু পুত্তুনা লৈ। হৌজিক ঐনা হায়গদৌবিবা মন্ত্রশিং আসনা মাহগী সমথন তৌবা প্রমাণ নি ॥৯॥

থেংকবা য়াই। লৈতবা অহদি শূকথেং থ নয়রোইদৌবনি ভ ল্লবস্থ, থাউমৈ থাংগৎলবস্থ অত্তুন মথেংন-রবোই। অত্তুবু জ্ঞানদীপ (জ্ঞানগী থাউমৈ) থ াত্তুন য়ংলবাদ জ্ঞানগী মঙাল অত্তুনা অরৈবগা লৈতবগা অত্তু লৈতবগা চপ মান্ননা অমুক মউই। মাসি, গীতাগী অনীশুবা অধ্যায় "নামতে বিগুতে তাবঃ" অসিন-চিংবনা ত কৃত্রে। চুম্নগী মপাম্বোংগী থাউমৈনা লৈ হাবনা উহল্লবা পোৎ অত্তু জ্ঞানগী থাউমৈনা অমুক উহন্দে অউবা জগৎ অসিদা উারবা, ঐগীন মগীনি হায়না মুম্নরিবা অউবা পোশক শিং অসি জ্ঞানগী থাউমৈগী মঙাম্ন য়েংলবাদি অমত্তা উাথদ্রে। মপানগী মপ্রাম ত উত্তুনা তোকলে। উপু মস্থুংদা হাপ্প পোৎ অত্তুদি উপু অত্তু মঙাবত্তদা পুথোরকলনস্থু মউবোই।

উপু অত্তু হাদোক্লবান অমস্থদ পুশন্দুনা য়েংলবস্থু পোৎ অত্তু অত্তুম মথেংননি। মতৌ অত্তুগুম্না অমম্বা সংসংয় অসিদা জ্ঞানগী মৈরা থাংগত্তুনা য়েংজি থিজ্রিমথৈ অরৈব পোৎস্থু লৈতবা পোৎস্থু অমত উরোইদ্রা অরৈববুস্থু লৈতে হায়নি। লৈতববুস্থু লৈ হায়না অনুমান তৌনি। প্রমাণ অমদ হায়রপা হুরানবা নত্তবা

ত্বমগ্নে যজ্ঞানাং হোতা বিশ্বেষাং হিতো দেবানাং মানুষাণাং চ জগত ইতি ॥১০॥

নিদর্শনং চাত্র ভবতি বিশ্বেষমগ্নে যজ্ঞানাং ত্বং হোতেতি। ত্বং হিতো দেবৈর্মনুষ্যৈর্জগত ইতি ॥১১॥

অগ্নি র্হি যজ্ঞানাং হোতা ॥১২॥

ন হ্যতে মন্ত্রাণাং হবনমস্তি নবিনা পুরুষং তপ সম্ভবতি।

হবির্মন্ত্রাণাং সম্পূজা বিদ্যতে দেব মনুষ্য ঋষীনামনেন

ত্বং হোতেতি নিযুক্তঃ। যে চ মানুষ হোত্রাধিকারাস্তে চ

ব্রাহ্মণস্য হি যাজনং বিধীযতে নক্ষত্রিয়বৈশ্যয়ো দ্বিজাত্যোস্তস্মাৎ ব্রহ্মণ' হ্যগ্নিভূতা যজ্ঞানুদ্বহন্তি।

যজ্ঞাস্তে দেবাংস্তর্পয়ন্তি দেবাঃ পৃথিবীং ভাবয়ন্তি শতপথেঽপি ব্রহ্মণামুখে ভবতি ॥১৩॥

হে অগ্নি! নহাক্কি নং নশামক হোতা (হোম তৌবা মীশক) অদুমাক্কি। দেবতা পুম্নমক্কী, তাইবংমী পুম্নমক্কী অদুগা অচচ্চত্ত জীব পুম্নমক্কী অফবত খন্‌বিবনি। ॥১০

হায়রিবা বিষয় অসিদা খুদমস্ত লৈরি—হে অগ্নি দেব! মৈ কৌবা লাই! নহাক্কি যজ্ঞ পুম্নমক্কী হোতা নি। দেবতাশিং অদুগা তাইবংমী পুম্নমক্কা জগৎপুম্বগী কান্নবা খল্লিবা অদুগা কান্নব ত তৌবিরিব দেবতা অমনি ॥১১॥ অগ্নি দেবদি হোতা কর্তা অনীমক্কি অগ্নি দেব তনা ব্রাহ্মণনি ॥১২॥

মরমদি মন্ত্র য়াওদনা হোম তৌব য়াদে। পুরুষ য়াওদনা তপস্যা তৌবা ওইথোক্কবনি। হবিষ্যগ লোয়নবা মন্ত্রশিংগী পাম্বৈনা (নকুবা মরীনা) দেবতাশিং, তাইবং মীশিং অদুগা ঋষিশিংগী পূজা তৌনরি-বনি। মরম অদুনা হে অগ্নি দেব! নহাক যজ্ঞ পুম্বগী হোতা ওইনা হাপথ্রবনি। তাইবং মীগী মনুংদা হোতা ওইগদবদি ব্রাহ্মণ তনি। মরমদি যজমানগী দমক যজ্ঞ তৌবিবা হায়বসি ব্রাহ্মণতগী মথৌনি হায়না লেপথ্রে। দ্বিজাতিশিং মনুংদা ক্ষত্রিযগা বৈশ্যগা অনীসিদা যজ্ঞ তৌবিবগী অধিকার লৈতে। অদুনা অগ্নি (মৈ) গী মশক ওইরবা ব্রহ্মণতমা যজ্ঞ তৌননবগী অদুগা তৌবিনবগী ভার অমদি অধিকার অসি লৌথ্রবনি। যজ্ঞতমা দেবতাশিংবু পেলহল্লি। অদুম পেল্লবা দেবতাশিংনা ভূমণ্ডল অসিবু লম্ভুম মহৈ মরোংনা চোলহল্লি। শত পথ ব্রহ্মণ দা (বেদগী শত পথ ব্রহ্মাগী ভাবতা) ব্রহ্মণগী মচিন্দা আহুতি (হোম) তৌনবগী নিয়ম-বিধি তাক্লি ॥১৩॥

মুসু অদুবুস অমম্বদদি হুরান্‌বনি হায়না থন্দুনা অনুমান তৌদুনা থেংনকুবা কারুব য়াই। অঙ্গুম্ম কনা কনা-গুম্বনা মাগী থব লৈজরিবা মপুং ফাত্রিবা জ্ঞাননা লৈ-লৈতবা অনীগী বিচারবু চনীং তানা খগুত্রিডৈ লেপথ্রিডৈনা অরৈবা ঈশ্বরবু লৈতে হায়রি লৈতবা মশা হোঙ্‌বা চাউবা কৌবা মাদি লৈ হায়রি। অসিবু অহংকার-অন্ধকার (অমম্বা) কৌই। অচচ্চত্ত জীব পুম্ববু অমম্মা অমম্বদা অমুমুক্‌ লুপ্‌ হন্দুনা শাম্নবসিবু ভগবান্‌ মহাক্কী প্রলয়-লীলা কৌই। অমম্বগী লীলা শাম্নবা হেক হেক লোইরগা অঙান্‌বদা অব্যক্তশিং অদুবু অমুমুক্‌ ব্যক্ত ওইহন্নকপবু ভগবান্‌ মহাক্কী সৃষ্টি কৌই। সৃষ্টি-প্রলয় অনীগী মরক্তা মতম্‌ থবদং ব্যক্ত ওইদুনা লৈহল্লিবসিনা মহাক্কী স্থিতি (রক্ষা (ঙাকপা) গী থবক্‌ অসিবুনা মশামক্কী মথৌ ওইনা থম্নগা লেম্বা গা থুগাইবগা অনী অসিবুনা শ্রীভগবান্‌ নারায়ণনা ব্রহ্মাগা মহেশ্বরগা অনীদা মথং পীংনা শিন্নৈ (কালাচাঁদ)

অগ্নৌ সমিদ্ধে স জুহোতি যো বিদ্বান্ ব্রাহ্মণ মুখেনাহুতিং জুহোতি ॥১৪॥

এবমপ্যগ্নিভূতা ব্রাহ্মণা বিদ্বাংসোঽগ্নিং ভাবয়ন্তি। অগ্নির্বিষ্ণুঃ সর্বভূতান্যনুপ্রবিশ্য প্রাণান্ ধারয়তি ॥১৫॥

অপিচাত্র সনৎকুমারগীতাঃ শ্লোকা ভবন্তি। ব্রহ্মা বিশ্বং সৃজৎ পূর্বং সর্বাদির্নিরবস্কৃতম্।

ব্রহ্মঘোষৈর্দিবং গচ্ছন্ত্যমরা ব্রহ্ম যোনয়ঃ ॥ ১৬॥

ব্রাহ্মণানাং মতির্বাক্যং কর্ম শ্রদ্ধাং তপাংসি চ ধারযন্তি মহীং দ্যাং চ শৈক্যো বাগমৃতং তথা ॥১৭॥

ব্রাহ্মণগী মৈ গী মশক্ ওইরবা চীন্দা অন্নগী আহুতি তৌরবদু অগ্নি দেব মক্তা হোম তৌবা যজ্ঞ তৌবগা অক্কানি ॥১৪॥ অদুনা ব্রাহ্মণ হায়নসে অগ্নি দেব মকী মশক্নি। অশিংবা, বিদ্বান ওইবা ব্রাহ্মণনা অগ্নি দেবগী অমুক পূজা তৌরি। অগ্নিদেব মশামক্তি বিষ্ণুনি। অচচ্চত্ত জীব পানবা জীব পুম্নমকী দেহ মুংদা চঙথিদুনা বিষ্ণু ভগবান্ না মখোয়গী প্রাণ বায়ুবু ভাক্তুনা শন্নদুনা থম্মি ॥১৫॥

হায়রিবসি নত্তনা, বিষয় অসিগী মরমদা সনৎ কুমারনা শকখিবা শৈরেং (শ্লোক) থরম্ম কংভি। অউবা জগৎ অসিগী খ্বাইদগী ঈহান হানবা, আদিকারণ ওইবা ব্রহ্মানা না, শেংলবা লূরবা, অমগ মগ য়ানশিন্নক্রিবা বিশ্ব জগৎ অসিবু শেম্মি। হায়রিবা ব্রহ্মা অসিগী উৎপত্তিস্থান (পোক্তফম) দি ব্রহ্ম নি। হায়রিবা অমর ওইবা দেবতা অসিমক ব্রাহ্মণশিংগী বেদধ্বনিবু তায়গা স্বর্গলোক (ব্রহ্ম লোক) তা চৎখি।

* ॥১৬॥

শঙ্গোননা মাগী মমুংদা, শেম্মগা থোরক ওইরক্কদবা দধি, ঘী, মখোয়চিংবা মশক উহন্দনা পুবদুগুম্না ব্রাহ্মণগী বুদ্ধিনা বাক্য, কর্ম, শ্রদ্ধা, তপস্যা, বচনামৃত (রাইগী মশক ওইবা অমৃত), পৃথিবী স্বর্গনাচংবা পুম্নমকপু মশক উহন্দনা পুই ॥১৭॥

---

* মশকক্ উদবা, মকম মতম্ পূর্ব শীন্থ না লৈব ব্রহ্মগী মফম্ পূর্বা শীন্থ্‌না লৈতবা পুম্নমক্‌পুদি শেম্‌হৈবা ব্রহ্মা পোকই নিরাকার ওইবা ব্রহ্মগী সাকার ওইনা চোংশোকখিবা ব্রহ্মাবু ব্রহ্মা হায়না অদুম কৌনখিবনি। ব্যাকরণ শাস্ত্রনস্থু ব্রহ্মগা ব্রহ্মাগা অনিগী মরক্ত লৈরিবা সম্বন্ধ অদুগা অর্থদু ঈকায় কায়দনা অদুম্ মইল্লি। ব্রহ্মদি অব্যয়নি, অমাও অতা লৈতবনি, মডোন্দগী কৌখে'কখিবা, মডোন্দ হাপচিল্লকদা, মশক্ হোংদে। অদুনা লিঙ্গ অদুম্মক্ত চপ্‌মাম্নবনা ব্যাকরণগী অব্যয় কৌবা শব্দ ভেদগী মতোওুম্না 'ব্রহ্মন্" হায়বা শব্দ অসি ক্লীব (নপুংসক) লিঙ্গদা শব্দরূপ তৌনৈ। অদুগুম্বা অব্যয় ওইনা সাকারব্রহ্ম স্বরূপ ওইবা বিষ্ণুবগী থোরক্‌পা 'ব্রহ্মন্" অদুমদি পোকচশক্তি লৈরনা পুরুষ লিঙ্গ (পুংলিঙ্গ) দা লৈ। অদুনা ব্যাকরণদা ব্রহ্মা খঙনবা "ব্রহ্মন্" শব্দনা পুংলিঙ্গদা শব্দরূপ তৌনৈ। ব্রহ্ম (বিষ্ণু) গী মমুংদা নিরাকার ওইনা লৈরবা বিশ্বজগৎ অদু ব্রহ্মানা সাকার ওইনা উহনখিমতনি। অহান্‌বদা উহন্‌বা শেম্বা মতমদা অমগমগ য়াল্লিন্নদনা তশেং তশেংনা শেম্মি। লৈ, ঈশিং মুংশিংনচিংবা অমগমগ য়াঙ্লিন্ তোচিন্নরমদে! কায়নথংদা য়ান্‌শিন্নখিবনি।

(কালাচাঁদ)

নাস্তি সত্যাৎপরো ধর্মো নাস্তি মাতৃসমো গুরুঃ ব্রাহ্মণেভ্যঃ পরং নাস্তি প্রেত্য চেহ চ ভূতয়ে ॥১৮॥
নৈষামুক্ষা বহতি নোত বাহ্যা নগর্গরো মথ্যাতি সম্প্রদানে।
অপধ্বস্তা দস্যুভূতা ভবন্তি যেষং রাষ্ট্রে ব্রাহ্মণা বৃত্তিহীনাঃ ॥১৯॥

সত্য দগী হেন্‌বা ধর্ম হবা শম অম লেত্রবান। ঈমাদগী হেনবা অতৈ অতোপ্র গুরু অম লৈত্রবনি। ব্রাহ্মণদগী হেনবা, হয়লোক অনীনক্কী কান্নবা তৌবিবা মাশক অমত লৈতনব্রে * ॥১৮॥

ব্রাহ্মণশিংগী জীবিকাগী দমক কববা যাব কাবিগুম্বা উপায় অমত উত্রবা, নিংথৌশিং, অভম অথৌশিং অহুগা যাত্রকশিংগী হংগৎ হন্দ চংনবগী শল্‌ গাড়ি শগোল গাড়ি উটনাংবগী কাবগুম্বা পৌবা অমত লৈত্রবা অহুগা অতিথি ভিক্ষাদি নচ বগা হাপ্পনবা কংনবা চেঙ হরাও, শঙ্গোম, দহিনচিংবগী পেম শাবগী

* 'ঈমাদগী হেন্‌বা অপোহবা গুরু অমা লৈতে' হায়বগী মন্নগী ভাবত :- মেক্লবা মতুংদা কাইনথেংদা ওথ্বা গুরুশিংগী তম্বা বিত্তাগী মত্রা অদুদগী, পোক্লবৈতে ঈমাগী গর্ভগুদা লৈরিবৈতেদগী তম্মকৃপা বিদ্যা অমনি জ্ঞান অহুগা পোক্লগা হুদা বখালগা জ্ঞান অদগী তিম্বহুনা কংবা জ্ঞান অহুগী মাত্রানা হেনবা হায়বসি মশক লৈতবনি। মচানাংওংদা পোকপৈতেনা মনানা পূর্ক চওন তাক্‌থবা সা হক কথা মগ্নাম অহুগী মমাগী শাত অ মাগা, পূনদ লাইবা নগী শ্রেকা অ হাতগা অনীমক্কা মশা অমত ওইনা কথাশিং অহুগা ভংদেশশিং অহু তামম্নে ঈমানা গভগুদগী তাহক্রকপা (তাম্বরকৃপা) জ্ঞান অহুনগী অমুক্‌ হোন্দ ক্লন, হায়বদি জ্ঞান অহুগী মথক্কা থেনা তাম্বরিহুমক্তা অমুক্‌ হাপচিল্লবদি মাহুদা অথোইবা অহেনবা জ্ঞান অমা ল ক্লদো ঈমানা পীনা জ্ঞানন। অহুগা, ঈমানা ঈহান্‌ হানবা জ্ঞানদাতা গুরুনি। মপান্দা অমনা ভাউজিনবা তাক্লবা হুন অহু মনানা হাপ্রাদ, মনাহু কাম্নমহুনা, মমাগী দেহগুদা লৈরিবা মচাহুনা তাব ফদে। মনানা চাবা পোকভুগী মগাও অহু মমাগী গর্ভতগা লেবা মনানা কংবা ঙমদে। মমানা চাংগত কাও। অহুনা, মমাগী গর্ভগুদা লৈরবৈ মচানা মপান ভাঙ্‌পহু তাদে। মমানা ভাঙ্‌লিবা, চারিবা উরিবা অহুতাদ মচাহুনা দেহ অমতদা পুন্ন লোমিম্নগননা উবা ফঙি, চাগা কংঙি মরম অসি লৈবদগী, মমাদগী হেন্‌বা গুরু অমা লৈতে হায়বনি। মপানা পী বকশা ঈ (ঈশিং) অহুনা বীর্য (বীজ) ওইহুনা মমাগী হকচাং শাগ তৌথ্র মমগী গর্ভগুদা লেরবা মচহুগী হকচাংগী মন্নদ হাকাংবা শংলিন্নদা চেল্লিবা ঈ অহুদি মমানা থনাত্র। ঈশা অহুতন হত্রানা। মপানা থাক্লবা ঈশিং অহু মমাগী গর্ভগুদা লৈরবা মচানা থক্‌ কদে। মীওম অসে মপা থল্লবদ ঈমা। লৈরা গুরুহনা ঈপাগী গুরুহ্বদগী আ-রাম্ন হেল্লি। গর্ভগুদগী হোনা য়েক্লাব কৃপারক্না অহুনা মবম্‌ ওংনে অহুগা মা দ হৈনথিবনা, পোক্লবা হুদা মচাহুনা আ শিন্ত্রি যাওনা, যান্না অহুম্‌ ওহবকাওবগদুগী কাশগুম্বা অকি অথং নংবা মতমদ ঈমা ঈমা হায়না জাউহুনা চেল্লি। ঈমা ঈ হাইহুনা থক্‌ কউদ ইহলোক পরলোক অনীমক্কা ব্রাহ্মণহুনা কান্নবা মীশক্তি হায়বদি দেবপুজানাচিংবদা ব্রাহ্মণনা শেন্‌ বাদবা অহুগা ভগবান্‌গী তত্ত্বকথানচিংবা ভাহাল্লব দ জীবআসিগী হন্দক্কী মপোক্কী তনহুনা হয়েমুক্কী কান্নবা মঙ্গল ওইননবান। মমা মপা অম্ন হনা মচাগীদমক্‌ তৌবিরিবাসি ইহলোক (হন্দক্কী মপোক্‌) আসগী ত তৌবিবন অয়াম্বনি। তৌববুদ কনা কনাগুম্বা জ্ঞানী ওইবা মমা মপানা মচাহুগী পাওমা গী উন্নতিগীদমক মমল য়াম্নবা পাউতাক্‌ পীহুনা ইহলোকপরলোক অনীগী দমক কান্নবা তৌই। অহুবু মাহুদি মচা পুন্নমক্কী মরামবক্ত থোক্কে। ॥১৮॥ (কালাচাঁদ)

বেদ পুরাণেতিহাস প্রামাণ্যান্নারায়ণ মুখো দগতাঃ সর্বাত্মনঃ সর্বকাত্তারঃ সর্বভাবাশ্চ ব্রাহ্মণাশ্চ ॥২০॥

করিগুম্বা থবক অনত উদ ত্তাত্রবা অহুগুম্বা রাজা (নিংথৌ পানবা লৈপাক) দা লৈরিব নিংথৌদো নিংথৌগী মানমর্য্যাদা অমত কংদনা মশামক লুট্ পাত কৌবা মীগী মওংদা লৈরকই ॥১৯॥

বেদ, পুরাণ ইতিহাসনচিংবগী প্রমাণদগী, ব্রাহ্মণ হায়বসিগী হৌরককমদি ভগবান নারায়ণগী শ্রীমুখনি হায়না লেপল্লে। মরম অহুনা ব্রাহ্মণ হায়বদি শ্রীনারায়ণগী মশাদ লৈরিবা সর্বাত্মা ওইবগী ধর্ম, সর্ব কর্ত্তা ওইবগী ধর্ম অহুশা মওং মথল মথল পুবগী ধর্ম-অস্নুমা লৈরিবা ধর্মশিং অসিগী মশক উবা মূর্ত্তিনি ❀ ॥২০॥

❀ অতৈ অতোপ্পা অমগী গুণবু য়াওহন্দনা মশগী গুণচবু পুরিবহু হায়বদ পুর কৌবা কর্ম অহুমক্ পোৎ অহুগী ধর্মনি ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী ধর্মস্থ অহুগুম্বান। রাকম আস নাবসদ মশামক্কী ধর্ম করিনো নারায়ণ মশামক করি ধর্ম চৎলি হায়বসিগী মতা দা লাক্‌গা রানি। মা'স সম্প্রদায় খুদংমক্কী ধর্মাবলম্বীশিংনা তৌগদবা বিচারনি। খুদম ওইনা হায়ববদা বুদ্ধদেববু আরাধনা তৌনশিনা মথোয়না চৎলিবা ধর্ম অহু বৌদ্ধ ধর্মনি হায়বত মথওতি। মথোয়গী ইষ্টদেব ওহসিবা বুদ্ধদেব মশামক্কী করি ধর্মনো, মগাক্ করি ধর্ম চৎলি হায়বরদি মথোর অয়াম্বনা শঙদে। বিষ্ণু (নারায়ণ) চৎপা ধর্ম অদু বৈষ্ণব ধর্ম হায়না কৌবতনি। বিষ্ণু মশামক্কা চৎপা ধর্ম অহুবু চৎলিবা কৌবিবা ভক্তশিং অহু বৈষ্ণব ধর্ম চৎলিবনি, বিষ্ণু (ভগবান্ শ্রীনারায়ণ) গী ধর্মদি করিনো হায়বদা ঃ—সর্বাত্মত্ব ধর্ম (পুম্নমক্কী আত্মা মশামথন্তনা ওইবগী মথৌ), সর্বকর্ত্তৃত্ব ধর্ম (পুম্নমকপু শেমশাবগী মথৌ) অহুগা সর্বভাবস্বরূপত্ব ধর্ম (অচচচও পোৎ খুদিংমক্কী তোঙাল তোঙালবা মওংবু মথন্তনা পুবগী মথৌ) হায়রিবা ধর্ম অহুম অসিনা পুম্নপ্প শ্রীভগবান নারায়ণগী ধর্ম ওই। ধর্ম অহুম অসিবু চৎলিবা মী মগাক্ অহু বৈষ্ণবনি। হায়বদি, বৈষ্ণব ধর্ম চৎলি। হায়বদি, বিষ্ণু (নারায়ণ) মশামক্কা চৎপা ধর্মস্থ মগাকস্থ চৎলে অহুম্ অসিবুদি চন্তনা, হায়বদি বৈষ্ণব ধর্মাসবু চন্তনা বৌদ্ধ ধর্ম চৎলি, জৈন ধর্ম চৎলে. খ্রিষ্টিয়ান্ ধর্ম চৎলি মুসলিম ধর্ম চৎলি হায়রিবশিংহু হায়শিন্নবনি হায়বদি মশা মশাগী ধর্মবু মপু কানা চত্রি। মপুংফান চৎলেরবশিং অহুতনা নগী ধর্মদগী ঐগী ধর্মনা হেল্লি হায়হুনা ধর্মশিংবু অমগমগ য়েংথিনহাল্ল। ধর্ম মথোয় মশেন্দ য়েংলিনবা নত্তে মশা মশাগী ধর্মগী তত্ত্ববু মপুং ফানা খঙদ্রিবশিং অহুতনা মপঙ্ পঙজনদগী য়েংথিনবিবনি। মরম অহুনা অতোপ্পগী ধর্মবু য়েংথিরিবসি মশাগী ধর্মবু য়েংথিরিবসি স্বধর্মবু নিন্দা তৌজবান সবম "পরধর্মগী স্বধর্মনা হেল্ল" হায়না গীতানা হায়বগী ভ বতি শেয়ান্নবা রাখন্দ্রা মশাগী ক্ষত্রিয় ধর্মদগী মীগী ধনন. হেল্ল হায়না থল্লক্‌গা অর্জুনদা শ্রীভগবান্না অতৈগী ধর্ম (মথৌ) দগী নশী সনাতন ধর্ম (মথৌ) না হেল্লি হায়গা খল্লু হায়না তাক্‌খবান। অসিবুস্থ কনা কনাগুম্বনা হৌজিক্ শেয়াম্লবা অর্থদা পুরি। সর্বধর্ম সম্পূর্ণ ওইবা ভগবান শ্রীবিষ্ণু (বাসুদেব) না ঐগী মীগী থায়না থক্ ত্তাক্‌গা তৌনদে। ভগবান হায়বদি মশক্ উদবা ধর্ম মথল মরিনা হায়বদি মথৌ মরিনা মূর্ত্তি নাইনা ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য শূদ্র কৌবা মীশক মরি ওহসা থোরকপনি হায়বনি। চীন্‌গী মথৌবু ব্রাহ্মণ কৌরুবনি।

(কালাচাঁদ)

বাক্ সংযমকালে হিতস্য বরপ্রদস্য দেব দেবস্য ব্রাহ্মণাঃ প্রথমং প্রাদুর্ভূতা ব্রাহ্মণেভ্যশ্চ
শেষা বর্ণাঃ প্রাদুর্ভূতাঃ ॥২১॥

ইত্থং চ সুরাসুরবিশিষ্টাব্রাহ্মণা য এব ময়া ব্রহ্মভূতেন পুরা স্বয় মেবোৎপাদিতাঃ
সুরাসুরমহর্ষয়ো ভূত বিশেষাঃ স্থাপিতানিগৃহীতাশ্চ ॥২২॥

অহল্যাধর্ষণ নিমিত্তং হি গৌতমাদ্ধরিশ্মশ্রু তামিন্দ্রঃ প্রাপ্তঃ
কৌশিকনিমিত্তং চেন্দ্রো মুষ্কবিয়োগং মেষবৃষণ ত্বং চাকপ ॥২৩॥

অশ্বিনোর্গ্রহ প্রতি ষেধোদ্য তবজ্রস্য পুরন্দরস্য চ্যবনেন স্তম্ভিতো বাহু ॥২৪॥

রাগৈ (শব্দ—হায়দোক্পা) বু থিংদুনা হায়দোক্কনা লৈবা মতমদা, থাঊ পুন্নমক্কা কান্নবা অকবত্ত খনবা, বর পীন হৈবা, দেবতা পুম্নমক্কী দেবতা ওইবা, ব্রহ্মাগী পাম্বৈনা ঈহান হানবদা ব্রাহ্মণ পুথোকখি। ঈহান হান্ন থোকখিবা ব্রাহ্মণশিং অদুদগী অতৈ বর্ণ (ক্ষত্রিয, বৈশ্য, সূদ্র) শিং অমু পুথোকখি ॥২১॥

অদুমক্কনা ব্রাহ্মণ হায়বা বর্ণ অসিনা অতৈ বর্ণশিংদগী অদুত নত্তনা অতৈ অতৈ দেবতাশিং অদুগা অসুর (দৈত্য-দানব) শিংদগী অথোইবা ওইথিবনি ❋ মমাংঙৈদা, যুগ অমদা ঐনা ঈশামক্কা ব্রাহ্মা ওইদুনা ব্রাহ্মণশিংবু পুথোকখিবনি। অতৈ অতৈ দেবতা শিং অসুর নচিংবা মহর্ষিশিংবুসু ব্রাহ্মণ শিংনা মাগী মাগী মথৌ অদুগা তে ডাংগ তোঙানবা অধিকারদা থমখি। মথোয়না করিগুম্বা দোষ মরাললনচিংবা লঙজরকপা মতমদা ব্রাহ্মণশিংনা দণ্ড (দণ্ডি) পীরম্মি ॥২২॥

অহল্যাগী মফমদা অত্যাচার তৌরুবগী দমক গৌতমনা দণ্ড (শাপ) না মরম ওইদুনা ইন্দ্রসু মুশিন মুবা মকোক্ত পানবা তাখি। অদুগা বিশ্বমিত্রগী শাপ ফংলগীসু মাগী লিঙ্গ (অথিবম) কত্তুনা য়াউগী অথিভম পানশিংখিবনি ॥২৩॥

অশ্বিনী কুমাবদা যজ্ঞগী শরুক (চাক থুং) তমথিদবগী দমক অদুগা মাদু তম্মোইদৌবগী দমক বজ্র পায়খৎলকপা মপাম্বেমবু চ্যবন ঋষিনা শিখহনখি, লেঙ ওংপা য়াহনখিদ ॥২৪॥

❋ হায়রিবসিগী ভাবতি :— ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, শূদ্রনচি বাস মাগী মাগী মথৌ অদুগা ধর্ম অদু ব্রাহ্মণশিংনা হায় লেপদুনা হায়দোরক্লগা মাদুগী মতুং ইন্না মথৌ তৌনখিবনি অসুম্না ডাংবা তাকপ; নিয়মশেম্বা অসিনা ঈহান হানবা থবক্ ওইগদবমক্সুনি। হায়রিবা নিয়মশেম্বা হায়বা থবক্ অসি লোইরবত্রদা ক্ষত্রিয় বৈশ্য অদুগা শূদ্রশিংত নত্তনা ব্রাহ্মণশিং মশাক্নসু নিয়মশি অদুগী মতু ইন্ন থবক্ (মথৌ) তৌগদবনি। হায়রিব পদ্ধতি অসি ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়নচিংবা হায়রিবা মাগং (রাগৈ) শিং অসি চংনদবা পৃথিবীগী অতৈ অতৈ মফমদসু, নিয়ম তাকুনা ডাংবা-শকপা হায়বা থবক্ অসিতনা ঈহন্ হান্বা থবক্ অমওইনা লৌজিক ফাওবা লৌররি। হায়রবা নিয়ম অসি, ধর্ম নী তত্তদসু নৎতে, রাজনীতিদসুনি। অদুনা লৌজিকসু নিয়ম বিধান হায়না হায় শেম্মরি। (কালাচান্দ)

ক্রতু বধপ্রাপ্তমৃত্যুনা চ দক্ষেণ ভূয়স্তপসা চাপ্মা নং সংযোজ্য নেত্রা কৃতি রত্যাললাটে রুদ্রত্বোৎপাদিতা ॥২৫॥

ত্রিপুরবধা র্থং দীক্ষামুপগতস্য রুদ্রস্য উশনসা জটা শিরস্য উৎকৃত্য প্রযুক্তস্ততঃ প্রাদুর্ভূ'তা
ভুজগাস্তৈরস্য ভুজগৈঃ পীড্যমানঃ কণ্ঠো নীলতামুপগতঃ পূর্বে চ মন্বন্তরে স্বয়ম্ভুবে
নারায়ণ হস্তগ্রহণা নীললোহিকণ্ঠত্বমেব চ ॥২৬॥

দক্ষপ্রজাপতি গী যজ্ঞবু রুদ্র (মহাদেব) না থুগাইথবতুনা শাউমনখিহনা মাহুগী লমন্ খুমনবগীদমক্ দক্ষনা তৌখিবা তপস্যা অহুনা মরম ওইহনা মহাদেবমক্কীগ মরাইবক্তা পীশূম অনীগী কারক্ত অহুম শুবা মীং অম চোংথোকখিহনা ত্রিলোচন ওইখি । ক ॥২৫॥

ত্রিপুরদা লৈবা দৈত্যাশিংবু হাংননবগী রুদ্র (মহাদেব) না তপস্যা তৌরকপতুদা অরানবা থবক অমা তৌরকই হায়হনা দৈতদানবশিংগী গুরু শুক্রাচার্যনা মকোক্কী জটাগী মশম কোয়তুনা মহাদেবদা থুংলায়গুম লংশিনখি । মতম অতুদা লংশিনখ্রিবা শমশিংদুদগী চাউরা লাংলবা লিল ময়াম থোরক্লুনা লিলশিং অহুনা মহাদেবগী মরেংবান্দা, মডক শমশা মথবাক মপাম্বোমশা য়েংশনখি । লিম্না কামশিনখিবা হু অহুনা মহাদেবগী খৌরি অহু ঈশং শংনা কাহংখি । অহুনা মহাদেবনা নীলকণ্ঠ ওইঁথ : স্বায়ম্ভু মন্বন্তরদা নারায়ণনা মহাদেবগী মখোরী পায়হুনা মেংখিবদগীসু মহাদেব অসি নীলকণ্ঠ ওইখিবনি ॥২৬॥

ক মমাংতৈগী দেবতাশংগী দেবযুগ (সত্যযুগ হায়বতুদা চংনরম্ব অতুগা লৈরম্বা রাজনীতি অতুগা দণ্ডনীতি গী মওং অসি অঙকপা অকিব কংনা লৈরম্মী মরল্ মথুম মুন্বা হাংপা তুম্না অতুগা কৈশুমশঙ্দা কাজিন্দুনা থম্বা থবক্ মানা শুহনবগী দণ্ড মপী অদি খোয়না চংনংমদে শাপেতনা অয়াম্বা চংনরম্মী । অরানবা অহু মপোক্ অমগী ত নত্তনা মপোক্ কয়া কাওবা চহী লিশিং লিশিং চুপ্প ত্তু ওইনা হৌবা তারম্মী । নুং ওন্দুনা লৈবা তারম্মী । অরান্বতুগী মঙক্ করুগা হামেং মকোক্ পান্শন্ বিবা, মপাম্বোম্ শিবহন্বা, লাইরেন্ ওলহনবা অসিনচিংবা অকিবগী মশক ওইরবা দণ্ডি মপী অসি তৌনরম্মী । মাসিগী মমুংগী তত্ত্বদি, লাক্লিবা পুম্বসি মপান্গী অশিবা হকচাংসিনা নংত্তে । অনাম্ব। অতুমা লৈরিবা পাপতনা কৃম্নবা আম্বা তুননি । অতুনা আত্মাতুবু শা-ভূ', লৈপাক লৈপাক উ রানচিংবগী দেহদা কৈশুমশঙ্দা থাজিন্বগুম্ থান্দুনা চহী লিশিং লিশিং অরবা থাওংন্দুনা লাক্লবনি হৌজিক উরিবা শা উচেক্ নচিংবগী দেহমুংদা লৈরিবা আত্মাশিং অসি মপোক কয়াদগী দণ্ডি কংদুনা লৈরিবনি শলগী মপোক্তা, শল্গী দেহমুংদা কাজিন্দুনা থম্বির কাওবদা লূম্লনা গাড়ী-পোংয়োম্ কাওবা মথক্ত থোন্গংপতুনা অরাব থাওহল্লিবনি । হৌজিক তাইবং মীগী হকচাংদা চঙলক্লবা আত্মা অসি, শাংগী ওস্তোক্ ওস্তোক্পা হকচাংগী মশক ওইরবা কারাগারদা চহী লিশিং লিশিং লৈরুবগা মতম্ (মিয়াং) শুরতনা মাগী মমুমদা, হায়বদি আত্মা থাওগৈগোংবা, তাইবং মীগী হকচাং অসিদা চঙলক্লবনি । অতুনা কৈশুমশঙ্দা লাম্হোক্লক্লবসু হৈনখিবনা হুরান্বা অতুনা অমুক্ হুরাম্লুহনা অমুক্ হম্ম কম্ম কাজিন্দুনা থম্খিবতুগুম্না ভগবান্ (জগৎকা নিংথৌ) না অরানুবা আত্মাসিবু তাইবং মীগী দেহমুংদা লাক্চর কাওবদা অহংকারগী, কামক্রোধ লোভগী কুয়োমমুংদা, ওস্তোং থাউলা নমহুনা কাজিন্দুনা থম্বগুম থান্না । অসুম্না অমুক্ কাজিল্লুদনবা হৌজিক্তনত্তবা লমচৎ চৎতনরা হোৎনগদবনি ।
(কালাচান্দ)

অমৃতোৎ পাদনে পুরশ্চরণ তামুপরতস্যাঙ্গিরসো বৃহস্পতে রূপস্পৃশতো ন প্রাসাদং গতবত্যঃ কিলাপঃ,
অথ বৃহস্পতেরপাং চ ক্রোধ যস্ম সমোপস্পৃশতাঃ কলুষীভূতান চ প্রসাদমুপগতা স্তস্মাদদ্য প্রভৃতি
ঝষমকর কচ্ছপ জন্তুভিঃ কলুষীভবতেতি তদা প্রভৃত্যাপে যাদোভিঃ সংকীর্নাঃ সমস্পৃত্তাঃ ॥২৭॥
বিশ্বরূপো হি বৈ ত্বষ্ট্রঃ পুরোহিতো দেবা নামাসীৎ। স্বস্রীয়োঽসুরানাং স প্রত্যক্ষং দেবেভ্যো
ভাগমদাৎ পরোক্ষমসুরেভ্যঃ— ॥২৮॥
অথ হিরণ্যকশিংপু পুরস্কৃত্য বিশ্বরূপ মাতরম্ স্বসারমসুরা বরময়াচন্ত হে স্বসরয়ং
তে পুত্রস্ত্বাষ্ট্রো বিশ্বরূপ স্ত্রিশিরা দেবানাম্ পুরোহিতঃ প্রত্যক্ষং দেবেভ্যো ভাগমদাৎ।
পরোক্ষ মস্মাকং ততো দেবা বর্ধন্তে বয়ং ক্ষীয়ামস্তদেনং ত্বং বারয়িতুর্মহসি তথা
য়থ স্মান্ ভজে দিতি ॥২৯॥
পুত্র কিং পরপক্ষবধকস্ত্বং মাতুলপক্ষং নাকায়সি নার্হস্যেবং কর্ত্তুমিতি সবিশ্বরূপো
মাতুর্বাক্য মনতিক্রমনীয়মিতি মত্বা সম্পূজ্য হিরণ্যকশিপুমগাৎ ॥৩০॥
হিরণ্যগর্ভ চচ বশিষ্ঠাদ্ধিরণ্য কশিপুঃ শাপং প্রাপ্তবন্। যস্মাৎ ত্বয়াদো বৃতো হোতো তস্মাদ সমাপ্তযজ্ঞ
স্ত্বমপূর্বাৎ সত্ত্বজাতাৎ বধং প্রাপ্স্যতীতি তচ্ছপ দানাদ্ধিরণ্য কশিপুঃ পাপ্তবান্ বধম্ ॥৩১॥

অঙ্গিরাগী মচা বৃহস্পতিনা দেবতা শিংগী দমক্ত অমৃত পুথোক্তে হায়বগী যজ্ঞগী পুরশ্চরণ তৌবা হৌখি। মহাক্না আচমন তৌবা মতমদা আচমন তৌননবা ঈশিং অত্তু য়াম্ন মোৎপা শেংদবা ওইখি। মতম অত্তুনা বৃহস্পতিনা ঈশিং অত্তুদা য়াম্ন শাউখিত্তুনা ঈশিংদা শাপ তৌখি। অত্তুনা তৌজিক ক্কাওবা ঈশিংবু ঈশিংদা লৈবা ঙা, মকর, থেঙ্গনচিংবা জলজন্তুশিংনা ঈশিংবু নৈখাইত্তুনা মোৎহল্লি। ত্তুমিৎ অত্তু-পগী হৌনা ঈশিংদা ঙা থেঙ্গনচিংবা জলজন্তু শিংনা ঈশিংবু ঈনৈ ত নৈনা থমলকলি ॥২৭॥

ত্বষ্টাগী মচা বিশ্বরূপ না দেবতাশিংগী পুরোহিত ওইখি। মহাক অসুর শিংগীদি মহন্ মচেনা পোকপা মাম থোকখি। অত্তুনা অসুরশিংবুদি থংহন উহন্দনা লোম্ন দেবতাশিংদা যজ্ঞগী ভাগ (চাকথুং শরূক) পীজখি ॥২৮॥ থর নৈরগা হিরণ্য কশিপুবু মাঙ থানা পুরগা অসুর শিংনা বিশ্বরূপকী মমাদা অসুম হায়না বর নিখি ঈচে! নংগী নচা, বিশ্বরূপ অসে মমায় অত্তুম লেঁওবনি। মহাক্না দেবতাশিংদদি ইকোং কোংনা যজ্ঞগী শরূক পী। ঐখোয় অসুর শিংদদি লোম্ন লোম্না পীনিং পীনিংদবগুম পী। অত্তুনা দেবতা (লাই) শিংদি নোংম নোংগী শক্তিদা সম্পাত্তিদা চাওখৎলক্লি। অত্তুগা ঐখোয়না নোংম নোংমগী হন্থবক্লি। অত্তুনা নচ বিশ্বরূপ অসিবু থামজিল্লু। দেবতা শিংগী মীচঙ চঙলিবসে তোকহন্দুনা অসুর ঐখোয়গী মীচঙ ওইনবা হায় ॥২৯॥ নোংমা, বিশ্বরূপকী মমানা বিশ্বরূপতা অসুম হায়খি:—ঈবুঙো। করিগীনো নহাক্না নংগী মামশিংগী মীচঙদি চঙত্রহনা দেবতাশিংগী মীচঙদা য়াওবিবা? নংনা তৌবিবসে লাল্লি, অসুম তৌরোই পৌবনি। মাহু তারবদা বিশ্বরূপনা মমাগী য়াথংবু সম্মানতৌত্তুনা মশামক্না হিরণ্যকশিপুগী মক্কমদা চৎখি। ॥৩০॥ হিরণ্যকশিপুনা বিশ্বরূপ মাগী মায়পৈরোমদা য়াওহল্লে। অমরোমদনা হিরণ্যকশিপুদি ব্রহ্মাগী

অথ বিশ্বরূপো মাতৃপক্ষবর্দ্ধনোঽত্যর্থং তপস্যভবৎ তস্য ব্রতভঙ্গার্থং মিত্রো বহ্বীঃ শ্রীমত্যোঽপ্সরসো
নিযুযোজ তাশ্চ দৃষ্ট্বা মনঃ ক্ষোভিতং তস্যাভবৎ তাসু চাপ্সরঃসু নচিরাদেব সক্তোঽভবৎ
সক্তং চৈনং জ্ঞাত্বা অপ্সরস ঊচুর্গচ্ছামহে বয়ং যথাগতমিতি ॥৩২॥
তাস্ত্বাষ্ট্র উবাচ ক্ব গমিষ্যথাস্যতাং তাবন্ময়া সহ শ্রেয়ো ভবিষ্যতীতি
তাস্তমব্রুবন্ বয়ং দেবস্ত্রিয়োঽপ্সরসঃ ইন্দ্রং দেবং বরদং পুরা প্রভবিষ্ণুং বৃণীমহ ইতি ॥৩৩॥
অথ তা বিশ্বরূপোঽব্রবীদদ্যৈব সেন্দ্রা দেবা ন ভবিষ্যন্তীতি ততো মন্ত্রান্ জজাপ
তৈর্মন্ত্রৈরবর্ধত ত্রিশিরা একেনাস্যেন সর্বলোকেষু যথাবদ্ দ্বিজৈঃ ক্রিয়াবদ্ভির্যজ্ঞেষু
সুহুতং সোমং পপাবেকেনান্নমেকেন সেন্দ্রান্ দেবানথেন্দ্রস্তং বিবর্ধমানং সোমপানা-
প্যায়িতসর্বগাত্রং দৃষ্ট্বা চিন্তামপেদে সহ দেবৈঃ ॥৩৪॥
তে দেবাঃ সেন্দ্রা ব্রহ্মাণমভিজগ্মুস্তমূচুর্বিশ্বরূপেণ সর্বযজ্ঞেষু সুহুতঃ সোমঃ পীয়তে বয়মভাগাঃ
সংবৃত্তা অসুরপক্ষো বর্ধতে বয়ং ক্ষীয়ামস্তদর্হসি নো বিধাতুং শ্রেয়োঽনন্তরমিতি ॥৩৫॥

মচা বাসিষ্ঠগী শাপ কাহুনা লেপ্রবানি। শাপ অদুদি অসিনি:—"নহাক্না ঐবু তাশিন্দুনা ওতোক্লা অমব হোতা ওইনা যজ্ঞ ফমহনখিবা অদুনা নং অসি কনাগুম্বা হায়কপ খণ্ডনা কল্লবা অমগী মথুক্তা নখরাই থাব ওইসনু"। অসিগুম্বা বাসিষ্ঠগী শাপ অসি লৈখিবদা হিরণ্যকশিপুনা বিষ্ণুগী শ্রীহস্তদা মথরাই থাখিবনি ॥৩১॥ অদুগী তুংদা বিশ্বরূপনা মমাগী পক্ষনা চাওখৎপা কন্দবগী অবনবা তপস্যা তৌখি। মাগী উপস্যা অদুবু থুগাইননবগীদমক ইন্দ্রনা স্বর্গগী নীংথজরবা অপ্সরা মপেম অমা বিশ্বরূপকী নাক্তা থাখি। অপ্সরাশিংডুগী মশক মতৌ শাওং শাদা উবদা বিশ্বরূপকী মপূক্কী অদু চোইরক্লে। মহাকী পুক্কীং অদু মথোয়দা লুপখ্রে। মথোয়দা পুক্নী লুপখ্রে হায়বসি খঙলদুনা অপ্সরাশিং অদুনা বিশ্বরূপতা "ঐখোয় হৌজিক্তি ঐখোয়গী লৈমম অদুদা চংখ্রগে" অসুম্না হায়খি ॥৩২॥

মাদু তাবদা ত্বষ্টগী মচা বিশ্বরূপনা মখোয়দা অসুম্না হায়খি—"নখোয় হৌজিক অমুক কদায়দা চংখিগদৌরিবনে? নখোয় ঐগা অসিদা অসুম্ লৈমিন্নবাস" মাদু তাবদা অপ্সরাশিং অদুনা হায়খি—ঐখোয়গী থরাই ইন্দ্রচাং পুম্ব বর পীনরবা, মতৌক মঙুন চউরবা ইন্দ্রগী মযমদা ইন্দ্রদগী কথেক্কুনা লৈরবনি ॥৩৩॥ বিশ্বরূপনা হায়রকই— 'ঙসিদগী ইন্দ্র-চিবা দেবতাশিং অমত লৈররোই'। লোইনা মন্ত্রগান। অসি হায়রগা মহাক মন্ত্র জপ তৌবা হৌরি। মহাক্না লৌখিবা মন্ত্রশিং অদুগী শক্তিনা মহাকী শারীরিক মানসিক শক্তি পুম্বা হেনগৎখি। মখোক্ অহুম পানবা বিশ্বরূপনা মচীন অমনা সংসার পুম্বকী ক্রিয়াকাণ্ড খঙলবা ব্রাহ্মণশিংনা তৌবা যজ্ঞগী সোমরস পুম্নমক মহাক্না থক্লোকৃখি। অনীশুবা মচীন অমনা অন্নপুম্নমক চাখোকৃখি। অহুমগা মচীন অমনা ইন্দ্রনাচিংবা দেবতাশিংগী শক্তি তেজ পুম্নমক থক্চিনখি। অসুম্না ত্রিশিরাগী শাক্তনা বিশ্বরূপনা য়াম্না লোয় হেন্নবা মঙাঙল বনথাংবগদু ইন্দ্রনা উখি। মাদু উবদা ইন্দ্র অমদি দেবতাশিংনা চিন্তা তৌরক্লে ॥৩৪॥ অদুগী তুংদা ইন্দ্রগ লোয়ননা দাইমাম পুম্নমক

তান্ ব্রহ্মোবাচ ঋষির্ভার্গবস্তপস্তপ্যতে দধীচঃ স যাচ্যতাং বরং স যথা কলেবরং জহ্যাৎ
তথা বিধী য়তাং তস্যাস্থিভির্বজ্রং ক্রিয়তামিতি ॥৩৬॥
ততো দেবাস্তত্রাগচ্ছন্ যত্র দধীচো ভগবান্ ঋষিস্তপস্তেপে সেন্দ্রা দেবা স্তং তথাভিগম্যোচুস্তপসঃ
সুকুশলমভিন্নংচেতি ॥৩৭॥

ব্রহ্মাগী নাক্তাম চৎতুন অসুর হায়রুই:— মকন পুম্বদ তৌরিবা যজ্ঞশিংদা হোম তৌরব সোমরসবু বিশ্বরূপ মথুন্তনা থক্তোক্খ্রে। ঐখোয় করিগুম্ব যজ্ঞভাগ (চাক্থুং) অমদা কংদ্রে। অদুনা অসুর (হিংচাবা) শিংগী মপাঙ্গল নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লে। অদুগা ঐখোয়গীনা নোংম নোংমগী হন্থরক্লে। অদুনা পিতামহ! দেবতা ঐখোয়গী মঙ্গল ওইননবা ফননবসে শীন্বিয় ॥৩৫॥

মতু তাববদা ব্রহ্মানা লাইগ্নামনা অসুম হায়খি:—ভৌজিক মক ভৃগু বংশগী দধীচি ঋষি আসে তপস্যা তৌদুনা লৈবিরনি। মহাক্কী মপানগী হকচাং আসে থাদোকপবো হায়না হায়জক। মহাক্না থাদোক্লবা অশিব হকচাং অদুগী শক্ত্যা বজ্র শাবা থুংলয় অমশাক ক॥ ৬॥

মতু তাবদা দেবতা লাই) শিন দধীচি ঋষিনা তপস্যা তৌবিরা মফম অদু তাম চংখি। ইন্দ্রগা লোয়ননা লাইশাম্না দধীচি মুনিবা অসুম্না হায়রুই ভগবান্! মুনিদেব! মুনিদেবগী তপস্যা অসি য়েখায় থিনগাইবা লৈতনা মঙ্গল ওইনা থুরিদ্রবো? থাদোকপা অকায়বা অমনমা করিদি লৈখিদ্রবা? ॥ ৩৭॥

ক পুরাণদা ঐনা অসংখ্য য়াম্না সন্দ্রমা অহানবী পৃথীদা হাপ্লিংদবা থাক্তবা অম হেক হেক পোকই। অসিগুম্বা পৌরানিক অনৌবা অসি লৌক্কি যদি ভৌতিক মহাবৈজ্ঞানিক মরুদ্ধ উম্মদ্রবনিনা থাজদ্রবনি মমাইগী সিদ্ধ তপস্যা বৈজ্ঞানিক শক্তিশিংন পঞ্চভূত শাবা হকচা সিবু শাম্নপোৎ ওইম। শীশিংম্রব উম্মশিং। সিদ্ধ তপস্যী ওইবা মখোয়দি শ যবু হায়রদুনা মশিল লৈবা শিবি নিংথৌনা মশাগী খোঙ্গ খুংনা চিংবা কায়াং পুম্নবু কক কক্তুনা দান তৌ খিয় কণনা মাগী লোকপদগী লোয়নবকপা মশাগী হকচাং কাম্লকুম লৈশবা কমচ (লাইফুরিৎ) বু অদুগা কৃশুপ নায়িংবু ককতনা শীতন্দ পীথোকখি যোগী ঋষিশিংমা উম্মমদ্দ করি অমুক হায়ম্নগনি ঈশা ঈশানা লৌবা ভুমন্দ্রব থবক এদু অদম্ব শীনা তৌথ্রগা থাজদবনি মহাচাউথ্রব অহংকার অমনি। মশানা পাংজদবগী ইন্দ্রগা অভম্বা শীনা উরবা ঈশ্বরবু লৈতে উদে হায়রবসিম্ম চাউথ্রবা অহংকবনি। অহংকাবগা ঈশ্বরগা শম্মনা য়দে। (কালাচাঁদ)

---

৫ অদুম্না হংলিবসিগী মরমদি অসিনি:—অশিবা চাকনিবা অদুগা জীবী শইবা দান লৌবা অদুগা বরনিবা পাম্না অপ্তিশিশিংন অমসু অমসু কয়দনবা বর মনি অসি হেক্ লক্নি। নিগদৌরিব। মহাক্সু ঈকাই ঈকাই লৈতৌনবা, অনীমক্তা অনীমক্কী থম্মে য়দা অশাউবা অরাবা পোক্থদনবসি দাতা দাতবা অনীনা য়েংগদবনি। দাতা (দান তৌগদৌবিবা) অদুগা যাচক (নিংবা) অনী অসিগী মরক্তা ধার্মিকসম্বন্ধ অম লৈ। মপু দাতা অদুনা চিংননা, পাম্মুনা অদুগা পীনীংদনা পীগদবা পোৎ ওইরোঃদৌবা, অদুগা পীনীংদনা পীগদবা পোৎ ওইরোইদৌবা, অদুগা নিবিবা মহাকীসু ঈকং ফংদবগী মহুত্তা থর কায়গদৌবা পোৎ

তান্ দধীচ উবাচ স্বাগতং ভবদ্ভ্য উচ্যতাং কিং ক্রিয়তমিতি যৎবক্ষ্যথ তৎকরিষ্যামি ॥৩৮॥
তে তমব্রুবঞ্ছ শরীর পরিত্যাগং লোকহিতার্থং ভগবা কর্ত্তুমর্হসীতি ॥৩৯॥
অথ দধীচস্তথৈবাবিমনাঃ সুখদুঃখসমো মহাযোগী আত্মানং সমাধায় শরীর পরিত্যা গং চকার ॥৪০॥

দধীচিনা লাইশ্রামদা অসুম্না হায়খি— ময়াম্বু ঐমা স্বাগত তৌজরি। তাকশিন্নু, করি তৌজৌ হায়বগে? লাইয়াম্ন তাকপিবা অদুমক তৌজগে ॥৩৮॥ দেবতাশিংনা হায়খি :—"জগৎকী কান্নবগী নহাক পঙ্কচুতনা শাবা হকচাং অসি মাঙজৌননা থাদোকপিরো" ॥৩৯॥

মাদু তাবদা দধীচি হান্নগী কীবমদগী ঈকায় কায়দে। পুক্নীংদা থুক লাউবা, মুংঙাইতবা অকিবা কান্নমত পোকখিদে। মহাক থাদোকপগা তিন্নবগা, অন্নাবগা মুংঙাইবগা, পোকপগা-পোক্তবগা, লৈবগা লৈতবগা মথা অমতনি, খেন্নবা লৈতে হায়না খল্লবা অমদি খণ্ডলবা মীশক অমনি। লাইশ্রামগী দমক্তা জীবাত্মাবু পরমাত্মাদা যোগ সাধন তনা তিন্নহল্লগা মপানগী পাঞ্চভৌতিক ওইবা হকচাং অসিবু থাদোকপিখি। ॥৪০॥ ✽

অদু নিগদবনি। অদু ওইববদি অনিংবা যাচক অদুগুম নীবা কায়দুনা ঈকাই ঈকাই হনখিবা হায়বদুম থোক্কে। অদুনা মমাঙদা, মপু অদুনদি পীনী লরোইদৌবা, অদুগা অনিবা অদুনদি যম্ম পাম্বা, পীহন্নীংলবা পোশক ওইরবা, অদু ওইববদি নিগদৌরিবা মহাক্না পীগদৌরিবা মহাকপু হান্ন রাশকহল্ল। মাসি, মুম্ন খন্তক্রবদি অনিবা যাচক অদু মহালোভী অমন হায়বা য়াই। অমদুংসু রাশকুউ য়াদ্রবদি অরীকপা তাগদৌরি। রাশক্লুব ঞা পীদ্রবদি রাশক্কায়বা রাশক ভাক্লবদুসু মহাপাপ অমনি। পায়শ্চিব তৌবা তারবনি। লাইশিংনা দধীচিদা নিগদৌবিবা পোশক অসি ত ইবংমী অমনা পীব জম্বা পোশক্ নত্ত্রে। মখোয়না দধীচিদা নিগদৌরিবদি--"নং ঐখোয়গীদমক্ শিবিরো, নহাক্কী অশিবা হকচাংগী শরু অদু ঐখোয় পাম্মি"—অসিনি। কনানসু যানিংবা রা নত্ত্রে দেবতাশিং অদু কয়া য়াম্ন স্বার্থী ওইগ্রবনো হায়বসি খঙদা অঙকপা পোকই। দধীচি মুনিদা মখোয়না রাশকুউ হায়বসু মতিক্ মপা ওইদ্রে। অদুগা অমবোমদা "ঐনা রাশকত্রবদি মহাক্না ঐবু অরীকপনি হায়না খঙগ্রগদরা" হায়বা অসিমসু দাতা ওইগদৌরিবা অদুগী মপুক্নীদা মুংঙাইতবা অম পোকখিবা য়াই হায়না খন্দুনা লাইশিংদুনা দধীচিদা রাশকপিযু হায়খিদবনি। তপস্যা অদু সিদ্ধ ওইখিদুনা মহাসিদ্ধ পুরুষ অম ওইরবদি মথনাই কাপ্তবা পীথোকপদা সিদ্ধ যোগী অদুনা হলেংদে। অদুগা মরক্তা যৈথায়বা অম লৈদুনা কায়গ্রবদি তপস্বী অদুগী তপসা অদু সিদ্ধ ওইদ্রে। অদু খঙদোক্কে হায়দুনা লাইশিং অদুনা তপস্যাদা অক য়বা যৈথায়বা লৈখিদেনকো হায়না দধীচিদা হংবনি। মাসিসু অমুক্ মুম্ন খন্তরবদি লাইশিং অসি মথা তানিংঙাই লৈতনা স্বার্থী (মশাগী ওইজবা তানবা) ওইরে। অদুবু দধীচিদি মশানা মহাসিদ্ধ পুরুষ অমা ওইখিবনা মপানগী পাঞ্চভৌকিক হকচাং অদু ঈয়ায় লায়না পীথোকখি।

(কালাচাঁদ)

✽ মপানগী হকচাংবু থাদোকপা শায়বা রাকম অসিদা অকুপ্পা বিচার অমা চঙঙি। আত্মা মহাক্তি হকচাং অসিনু ঈথা ত থাদোক্তুনা লৈরবনি। কারণুম্ব উপায় অমনা ঐ হকচাং অসিবু থাদোক্লগে" হায়না খল্লিবসিমক হকচাং অসিগা কোম্নন আত্মাদুনা হায়রিবনি। হকচাংসিগা তিন্নয়া লৈতবা আত্মাদুনা

তস্য পরমাত্মতপস্বতে তান্যস্থীনি ধাতা সংগৃহ্য বজ্রমকরোৎ তেন বজ্রেণাভেদ্যেন ।
অধৃষ্যেণ ব্রহ্মাস্থি সম্ভূতেন বিষ্ণুপ্রবিষ্টেনেন্দ্রো বিশ্বরূপং জঘান শিরসাং চাস্যচ্ছেদনমকরোৎ
তস্মাদনন্তরং বিশ্বরূপ গাত্রমথনসম্ভবং ত্বষ্ট্রোৎপাদিত মেবারিং বৃত্রমিন্দ্রো জঘান ॥৪১॥
তস্যাং দ্বৈধীভূতায়াং ব্রহ্মবধ্যায়াং ভয়াদিন্দ্রো দেবরাজ্যং পর্য্যত্যজদপ্সু সম্ভবাং চ শীতলাং
মানস সরোগতাং নলিনীং প্রতিপেদে তত্র চৈশ্বর্য্য যোগাদণুমাত্রোভূত্বা বিসগ্রন্থিং প্রবিবেশ ॥৪২॥

দধীচিগী আত্মানা পরমাত্মাদ তিন্নপ্রব তুংদা অশিব হকচাংহুগী শয় মরাম অহু থোমজিন্দুনা ব্রহ্মানা বজ্র কৌবা খুংলায় অহু শাখি। ব্রাহ্মণগী শরানা শাবা অমনা ককপা থুগাইবা য়াত্রথা বিষ্ণু মরা মচুংদ চংপ্রবা বজ্র কৌবা খুংলায় অহুনা ইন্দ্রনা বিশ্বরূপপু হাংখি। অহুগা মাগী মকোক অহু ককখি। অহুগী তুংদা ত্বষ্টা প্রজাপতি না বিশ্বরূপকী মশা (হকচাং) অহু নৈহুনা মাহুদগী থোকখিবা মাগী য়েক্লবা বৃত্রাসুরবু ইন্দ্রনা বজ্রনা হাংখি ॥৪১॥ তৌজিক্তি ব্রহ্মহত্যা অনীরক তৌখিবগী ব্রহ্মহত্যা কৌবী হুমক্লা অকিবগী মগক লোঞ্চনা ইন্দ্রগী নাক্ত থু ভরে। মাহু কিবদা ইন্দ্র অসি চেনখিহুনা মানসসরোবরদা তৌবা থম্বাল পাম্বী অমগী মনাক্ত চঙসিনখি। অনিমানচিংবা যোগগী শক্তিনা ইন্দ্রনা মগা অহু পীগক পীকশিন হনখিহুনা থম্বাল মখোক্কী পীক্লবা মশিংগী মরিল অহুদা চঙহুনা লোংখি ॥৪২॥

মথন্তনা থক হায়বা রায়োই। করিগুম্ব উপায় অমনা, হায়বদি, যোগ সাধননা ওইরবস্থ, আত্মাহত্যানা ওইরবস্থ হকচাংসিবু থাদোক্তুনা চংপ্রবা আত্ম হুনা হকচাংহুবু কনানা করম্না করিগীদমক শীজিন্নখিবগে হায়বদমক খঙেঙাইদৌরিবনি। আত্ম হুনা খুদক্ত অতোপ্প দেহ অমদা চঙশিন্খিহনা য়েংলবস্থ, মগাক্লা শীজিন্নরিবসি আত্মা ঐগী হান্নগী হকচাংহুনিকো হায়বসিস্থ খঙলোইদৌরিবনি। হকচাংসিগী মচুংদা ঘটা-কাশগুম লৈরবা আত্মাংদি নিষ্কাম কর্মযোগীগুম লৈরিবনি। হকচাংসিগী করিগুম্বা মরী অমত থমত্রবা দধীচি কৌবা হকচাংচুংদা লৈব। আত্মাহনা হকচাং অহুবু অতোপ্পা মীগী কান্নবগীদমক্তা করম্বা থবক্তা থাদোক্লমসিগে হায়না হকচাংহুগী লৈমিন্ লৈমিন্নুনা আ-থমৈঙেদগী অহুম থন্দুনা লাক্লবনি। অসিগুম্বা আত্মজ্ঞানী ওইরবা মীনা মহাক্কী মপানগী হকচাংসিবু শান্নপোৎ ওইনা শীজিন্নে। অনিত্য ওইবা দেহসিদ্না লৈমিন্নরিবা নিত্য ওইবা মাগী আত্মাবু জ্ঞানী ওইবা মীনা সংসারদা মতম থরদং লৈরিঙেদা শান্নহল্লি। কৃষ্ণে অহু য়েংলিবা আত্ম হুনা কৃষ্ণে য়েংবগী আনন্দ (হুংডাইবা) অহুবু আত্মা মশক্লা অয়ুক মীং নাকোং-নচিংবা খুংলায়গুম লৌই (কংঙ)। অহুগুম্বা জ্ঞানী ওইবা মী মহাক অংবু আত্মারাম নি হায়নৈ। আত্মারাম ওইরবা দধীচনা যোগসাধনতনা মাগী হকচাংহুবু পরোপকার (মীগী কান্নবা তৌরা) গীদমক থাদোকখিবনি। আত্মাসিনা অতোপ্প অমগীদমক পীথোক্লমগদবা পোৎ হায়বুবু হকচাংসি নত্তনা করিমত্তা লৈত্তে। হকচাংসিদি মীগীনি (অতোপ্প অমগীনি) হায়না থন্দুনা হায়বদি নোংম নীনিদং মাগী মপোৎ শাহুনা দেহ লোইবা (দেগী) ওইহুনা লৈরিবনি হায়না থন্দনা পোৎকী থাঙ্গেৎবা মপুদা শিন্নরস্থগুম দধীচিনা হকচাংদ পীথোকখি।

(কালাচাঁদ)

অথব্রহ্মবধ্যাভয়প্রনষ্টে ত্রৈলোক্যনাথে শচীপতৌ জগদনীশ্বংত্বভূব দেবান্ রজস্তমশ্চাবিবেশ
মন্ত্রা ন প্রাবর্ত্তন্ত মহর্ষীণাং রক্ষাংসি প্রাদুরভবন্ ব্রহ্ম চোৎসাদনং জগামানিম্রাশ্চাবলা লোকাঃ
সুপ্রধৃষ্যা বভূবুঃ ॥৪৩॥

ব্রহ্মহত্যা কৌবী মাবু কিবদগী লোক অহুমগী মপু ইন্দ্রনা চেনখ্রব তুং অসিদা স্বর্গ মর্ত্ত্য পাতাল লোক অহুম অসিগী ভাকশেন্নবা মপু কনা অমত লৈত্রে। অহুনা দেবতা শিংগী মশাদা রজোগুণ অহুগা তমো গুণ চঙবা হৌত্রে মহর্ষি শিংগী মন্ত্র যন্ত্র পূম্বা মহৌ মরাই লোঙনা চনখ্রে, করিমত কায়খিদ্রে। হিংচাব শিংগী দি মযোল ওইত্রে। দেবগী পঠন পাঠন (তন্ত্রা তাখ্রন) লোইনা মুখ্র ইন্দ্র (লাইগী নিংথৌ) অমনা ভাকশেন্নবতুদা জগৎ পুম্বা অশাঙ্কক ওইখিবদো লাইশি অসি মশাঙ্গল শোম্নখিবনা অমনা হেক্ত চৈরায় লায়না চেমখিবা যাবগী মওদা লৈত্র * ॥৮০॥

* নীতখিবা ধর্মাচনবা নিংথৌনা পানবা লপক রাজনীতিদা পীব চংখংপদগী ধর্মনীতিনা পীব চাওখৎপনা হেনবতুগম্ম অ.ওম্না নিংথৌ। পনদা লৈগাকি নিংথৌ পাদনা লেপাকচপ মাম্নবনা মকম অহুদা লৈবা মী (প্রজা) খুদিংগী পম্মোইদা সত্ত্বগুণগী মকক শুদ্ধি লৈগনি। রজোগুণ অহুগা তমোগুণ না থম্মোয় খুদ নক কুশাসকক হায়সমগা নপক লোংকপা, খুদিং গ্রাম নেংল হায়না লাউনরকপা লেমদোকপা থেয়, অশংচিবু বাজগুণ শং অমনা অমমত্ম লৈগ লকপনগী মথে- থংদা অমগমগা কুনগুমংকপা কয়ক তৈথিংব, হৎনাবিব্নবা অঙিনা লম্মে শুগাশ আসন মী খুদিংমক্তী থম্মোয়দা আক্রমণ তাশিন্নকত্তে মবম হতুনা প্রজাশিংগী নিংথৌগা অনীগী মরক লৈবিবা সম্বন্ধ অসি শারীরিক অহুগ মানসিক গুনা লেনত নত্তে নজ খুদংমক সংচক খংন্থুনা লৈংনা কামক্রোধ লোভনাচাবা হৌম গুণ নিনগী মুক্ত ওইনা হুনা লৌশিন্নবিলো তহব ওংনা লোকশগী উদ্দেশ্যাবু পাঙথোকপগী দায়িত্ব অসি মরু ওইনা নিংথৌগী মকম লৈ অহুনা নিংথৌ প্রজা অনীগী মরক্তা লৈবিবা মম্বন্ধ। মনী) মস রাজনৈতিক ওনা লৈবদগী আধ্যাত্মিক ওইনা লৈবনী যাম্ন তেল্লি। রাজেন্ বিগার চুম্ন তৌবিনবা মীশক লৈতবদগী অংগা অমগা হাৎনশুনতন তমোগুণগী ঈশাক লুপ্পনা শিথি- গদবদগী কনুদিন্নবা মীশক অসি খংত নক্ত, নংথোক্ন। অনকাপ্নবা মাগী মখোনি থনবা মীশক অমদি মীশকশিং অংতনা লৈপক্কী শাসন পুগদংনা শক্তি হাংদবাস মগাম। আধ্যাত্মিক অহুম্ মওইরবনি। শারীরিক শান্তি মানসিক শান্তি হয়রবা যাদে। শান্তির অনুত্ত অন্ত য়াওদন মহাশান্তি ওনা লৈরবা আত্মাসিং তমবা থম্বনি পকচাংগ পুক্নাগা অনীংসদা নত্তে ওহাক দগাক্তী আধিভৌতিক উন্নতি ত পীবম্বা নিংথৌ অঙ্গ থাঙ্গদোব চপচাবা নিংথৌ হয়ন্তু নও অংনুবনা মরাল লৈজরবা অশোনববু অত্যাচার ভীরবদি তৌ নহু তংবমীল হইনা লৌব নাম। অহুগা অত্যাচারী অহু হিংচাবনি। অহুনা ইন্দ্র লৈত্রবতুদা হিংচবশগী মত চংনা চনগংলকান লবত পুংগা কোয়চেন চেম্নাখ। লাইচাংচাবশিংগী লাঙ্গাও অমুমুক থেকপাস লৌজক কওনা অহুম থাকুনা লৈবরাসনি। মপানগী তাইবংমীশিংগী লাল নত্তে। নাকংকি অমদা সত্ত্বগুণ অ রোমদনা রজোগুণগা মীচক ওইদুনা শোক্নবা লাম্ন। লাইহিংচাব শিংগী অসিগুম্বমাংত্ত (রারা আস শান্তিংবর্গা যান্ন মরী লৈনবনা শান্তাবদা ব্যাসনা অসিগুম্বা রাগ্নি শীক্কুল অসি হাপাখবনি।

(কালাচাঁদ)

অথ দেবা ঋষয়শ্চাব্রুবঃ পুত্রং নহুষং নাম দেবরাজো ভিবিষিঞ্চ নহুষঃ পঞ্চভিঃ শতৈ
জ্যোতিষাং ললাটে জ্বলদ্ভিঃ সর্ব্বতেজো হরৈস্ত্রিবিষ্টপং পালয়াং বভূব ॥৪৮॥
অথলোকাঃ প্রকৃতিমাপেদিরে স্বস্থা'শ্চ হৃষ্টা'শ্চ বভূবুঃ ॥৪৯॥
অথোবাচ নহুষঃ সর্ব্বং মাংশক্রো'পভুক্তমুপস্থিত মৃতে শচীমিতি স এবমুক্ত্বা শচীসমীপ
মগমদুবাচৈনাং সুভগে'হমিন্দ্রো'দেবা'নাং ভজস্ব মামিতি তং শচী প্রত্যুবাচ প্রকৃত্যা ত্বং
ধর্ম্মবৎসলঃ সোমবংশোদ্ভবশ্চনাহ'সি পরপত্নী ধর্ষণং কর্ত্তুমিতি ॥৫০॥
তামথোবাচ নহুষ ঐন্দ্রং পদমধ্যা'স্যতে ময়াহমিন্দ্রস্য রাজ্যরত্নহরো নাত্রাধর্ম্মঃ
কশ্চিৎ ত্বমিন্দ্রোপভুক্তেতি সা তমুবা'চা'স্তি মমকিঞ্চিদ্‌ব্রতমপর্য্যবসিতং তস্যাবভৃথে
ত্বামুপগমিষ্যামি কৈশ্চিদেবাহোভিরিতি স শচ্যৈবমভিহিতো জগাম ॥৫১॥

অদুগী তুংদা ঋষিশিং অমাদি দেবতাশিংনা মুথবগা আয়ুগী মচা নহুষবু দেবলোককী ইন্দ্র ওইনা অভিষেক তৌখি। নহুষনা মরাঙবক জ্যোতি থাজৈ থাজৈবা তঙ্খা নাচংশঙবা তঙ্ক (মণ্ডল) চামঙানা তত্তুনা ভান্দুনা লৈ ... তঙ্ক (মনেক মণ্ডল) চানবা অদুনা পাইখি ওইদুনা মহাক মপত্তুনা স্বর্গ লোকপু শাসন তৌদুনা লৈবা হৌখি ॥৪৮॥

অসুম্না শাসন তৌবদুনা প্রজা পুরিংমক মশামশাগী চপ চানা মগুন ফজবদা লৈরখি। প্রজাপুরিংমক ইশেং পেন্দুনা লৈরখি ॥৪৯॥ অমুক্ত মতম থদ শসেন তৌবদুনা তুংদা নোংমা নহুষনা দেবতা শিংদা অসুম্না হায়খি:—'ইন্দ্রনা শীজিনবদা ... পাং পুম্বা ঐগী ঈবক্কু। ঐ হান্না তৌজেক যৌরক ত্রিবা হায়বদু ইন্দ্রগী লোয়নবী শচী ঙসি চত্লে।" মসক তৌবগা নহুষ অসি শচীনা লৈবিবা যুমথাক্ত চংখিদুনা শচীদা অসুম্ন হায়খি:—'নাইবক ফবী। ঐ দেবতা পুম্নমক্কী মথং ইন্দ্র ওইরবনি। নহাক ঐবু নংগী নপুবাইবগুম সেবা তৌ।" মাদু তাবদা শচীনা নহুষদা অসুম্না হায়খি—মহারাজ !! নহাক অসে মহৌশাদগী ধর্ম চনবা মীওক অমনি অদগা চন্দ্রবংশপুম্নমী মশা অমগুম লৈরিবনি। অদুগুম লৈরবা মহারাজগুম্বা ধর্ম চল্লবা মীওক অমনা অতোপ্পা অমগী নুপীদা মতৌগা রথপ পথম চুগদে। অদুনা অদুগুম্বা থাজৎ অদু চৎপিয়ু ॥৫০॥

মাদু তাবদা নহুষনা শচীদা অসুম্ন হায়খি দেবী। ঐ হৌখিবা ইন্দ্রগী পদবী ফংদুনা দেবতা পুম্নমক্কী (নিংথৌ) ওইদুনা লৈরবনি। অদুনা ঐনা নহাকপু ঐগী লোয়নবী ওইনা শীজিনবদা পাপ অমদি অধর্মগী থবক কারমত্তা ওইরবোই। অদুগা নহাক অসি, অমথবদা অমথৌজাদা ইন্দ্র ওইবগী মহাক অদুগী মুং ওইরকপা ওইদুনা লাক্লিরনি। মাদু তাবদা শচীনা নহুষদা অসুম্ন হায়খি—মহারাজ ! হৌজিক হৌজিকমক ঐ অসি ব্রত অমগী দীক্ষা লোইনা লৈজবি। ব্রত অদু ... পারখিদ্রি ... মতুদ ব্রত অসি লোইরবা তুংদা ঐ মহারাজগী সেবা তৌজগনি। শচীনা অসুম্ন হায়রকপসি তাবদা নহুষ অদু তুমিম্না মাগী লৈমায়দা চৎখি ॥৫১॥

অথ শচী দুঃখশোকার্ত্তা ভর্ত্তৃদর্শনলালসা নহুষভয়গৃহীতা বৃহস্পতিমুপাগমৎ
স চ তামত্যুদ্বিগ্নাং দৃষ্ট্বৈব ধ্যানং প্রবিশ্য ভর্ত্তৃকার্য্য তৎপরাং জ্ঞাত্বা বৃহস্পতিরুবাচানেনৈব
ব্রতেন তপসা চান্বিতা দেবীং বরদামুপশ্রুতিম্ আহুয় তদা সা তে ইন্দ্রং দর্শয়িষ্যতীতি সাথ
মহানিয়মমাস্থিতা দেবীং বরদামুপশ্রুতিং মন্ত্রৈ রাহ্বয়তি সে পশ্রুতিঃ শচী সমীপমগাত্ উবাচ
চৈনামিয়মস্মীতি ত্বয়াহুতোপস্থিতা কিং তে প্রিয়ং করবানীতি তাং মূর্দ্ধ্না প্রণম্যোবাচ
শচী ভগবত্যর্হসি মে ভর্ত্তারং দর্শয়িতুং ত্বং সত্যা ঋতা চেতি সৈনাং মানসং
সরোঽনয়ৎ তত্রেন্দ্রং বিসগ্রন্থিগতমদর্শয়ৎ ॥৬৮॥
তামথ প্রস্থীং কৃশাং গ্লানাং চেন্দ্রো দৃষ্ট্বা চিন্তয়াম্বভূব অহো মম দুঃখমিদমুপগতং
নষ্টং হি মামিয়ং বিচিন্ত্য যৎ পত্নাম ভ্যাগমদ্দুঃখ তেতি তামিন্দ্র উবাচ কথং বর্ত্তয়সীতি সাতমুবাচ
নহুষো মামাহ্বয়তি পত্নীং কর্ত্তুং কালশ্চাস্য ময়াকৃত ইতি তামিন্দ্র উবাচ গচ্ছ নহুষস্ত্বয়া
বাচ্যোঽপূর্বেণ মামৃষিযুক্তেন যনেন ত্বমধিরূঢ় উদ্বহস্বেতি ইন্দ্রস্য মহান্তি বাহনানি সন্তি
মনঃ প্রিয়াণ্যধিরূঢ়ানি ময়া ত্বমন্যেনোপযাতু মর্হসীতি সৈবমুক্তা হৃষ্টা জগামেন্দ্রোঽপি
বিশত্রন্থ মেবাবিবেশ ভূয়ঃ ॥৬৯॥

অদুগী তুদা নহুষবু কিখিবদগী ৱাবনা থম্ময় পুবাধ্রাত্রবী শচী আস মপুরোয়বা ইন্দ্রবু উননীংবনা মচীবান এক কংনা দেবতা পুন্নকপ্পী গুরু বৃহস্পতিগী নাক তায়চংখি। মহাক্না য়াম্ন ৱানা থম্মোয় লাওকনা লাকপদু উবদা বৃহস্পতিনা ধ্যানতৌদুনা য়েংবদা শচীনা মাগী করিগুম্ব থবক অমবু পাঙথোক্নী বদগী লাকপনি হায়বসি খঙলে। বৃহস্পতিনা শচীদা অসুম্না হায়বকই :—দেবী! ৱাগনু। নহাক্না তৌবিবা ব্রত অসে লোইশিন্নবদুদা বর পীনবৈবী উপশ্রুতি দেবীগী পূজা তৌ। মহাক্না পেনবিয়বদা মহাক্না শোয়দনা মপুরোয়বা ইন্দ্রগী দর্শন ফংগনি। গুরুগী ৱাধং অসি ফংলবদা শচীনা বেদগী মন্ত্রনা উপশ্রুতিদেবীবু পূজা তৌদুনা আৱাহন তৌখি। শচীগী সেবা পূজা অদুদা পেনবিয়দুনা বর পীনবৈবী উপশ্রুতি কৌবী দেবীনা শচীনা লৈরিবা মফম অদুতায় লাকুনা শচীদা অসুম্ন হায়রকই—দেবী! শচী! নানা তৌরিবা তপস্যা অদুগা ব্রত অসিদা অসিদা ঐ পেনপ্তদুনা ঈথোঙ থোংনা নংগী মনাক্ত ঐ লাক্লবনি। নহাক্না আবাহন তৌরিবী উপশ্রুতি হায়বীদু ঐনি। নহাক্নী পুক্নিংদা লৈরিবা আপম্বদু হায়রো। ঐ নহাক্নী কংম্বা করি তৌ হায়বগে? মাদু তাৱবদা শচীনা উপশ্রুতি দেবীগী চৈয়ণদ মকোক নেম্দুনা থুকম্নগাও অসুম্ন হায়রকই—"দেবী ভগবতী! ঐবু চাংবিয়বদি ঐগী ইপুরোয়বা ইন্দ্রগী দর্শন অমুক্ত ফংহনবিয়ু। ঈমা! নহাক্তি শক্তি লৈবী অদুম্বী কৌবী লাইবেম্বীদুনি।" মাদু তাৱবদা উপশ্রুতি কৌবী দেবীনা শচীবু মানস সরোবর তায় পুদুনা চৎখি। সরোবর অদুদা হৌরিবা থম্বালগী মংথোক্নী পীক্রবা মপিংগী মরিল অহোবদুদা থুপ্তুনা লৈরিবা মপুরোয়বা ইন্দ্রবু উপশ্রুতি না শচিদা উহল্ল ॥৪৮॥

ময়াং ফংলবী, ৱাবনা চীথনু ফংলবী শচীবু উবদ ইন্দ্রনা মপুক্নিংদা চিন্তা তৌরকই—আঃ ওল্লাকপনি! ঐনা মফম অসিদা থুপ্তনা লৈরি, অদুগা ঐগী লোয়নবী সতী শচিনা য়াম্ন ৱানা ঐবু খিরক্তি। অদুম

অথেন্দ্রাণীমভ্যাগতাং দৃষ্ট্বা তামুবাচ নহুষঃ পূর্ণঃস কাল ইতি তং শচ্যব্রবীচ্ছক্রেণ যথোক্তং স মহর্ষিযুক্তং বাহনমধিরূঢ়ঃ শচী সমী পমুপাগমৎ ॥৫০॥
অথ মৈত্রাবরুণিঃ কুম্ভযোনিরগস্ত্য ঋষিব রোমহর্ষীন্ ধিক্‌ক্রিয়মানাংস্তান্ নহুষেণাপশ্য পস্ত্যাং চ তেনাস্পৃশ্যত ততঃস নহুষমব্রবীদকার্য্যপ্রবৃত্ত পাপ পতস্ব মহীং সর্পোভব যাবদ্ভূমিগিরয়শ্চ তিষ্ঠেয়ুস্তাবদিতি স মহর্ষিবাক্যসমকালমেব তস্মাৎ মানাদবাপতৎ ॥৫১॥

হায়না ওহাক্তং চিন্তা তৌরগা থম্বাল লৈথোকল্লুংদ লৈরিবা ইন্দ্রনা অস্তুম্না হায়রকই—দেবী। শচী। কম্দৌরি নহাক্তি ? করম্ন মতম লেল্লি ? শচীনা হায় :—থরায়গী মপু। আযুগী মচা নাহুষনা ইন্দ্র ওইনা লৈরি। ঐবু মহাক্কী লোয়নবী ও'ম্মু হায়ন তক্লবি। মতম খর করুহুনা থম্লি। মতম অহু লোই-দৌরে। করুখিবা মতম্ অহু লোইরগা মহাক্ক হায়বহু য়াগে হায়না ঐস্ত ঈচৈন্নদি হায়দোকপ্রে। মাহু তারবদা ইন্দ্রনা শচীদা অস্তুম্ন হায়রকই | "চংলু অহুদি শচী। নহাক্তা নহুষদা অস্তুম্ন হায়ক মাহুদি—"নিংথৌ নহুষ। ঋষিশিংনা পুবা বাহন (দোলাই লেংজাও) দা তো'ফুনা ঐগী নাক লাকপিযু। অহুগা অমরাবতী কেংস্নংদা লৈরিবা দোলাইশিং অহুদি ঐগী হাকগী ঈপুয়োয়বা ইন্দ্র তোংথ্রবা অহুগ' ঐনস্তু তোংথ্রবা অমনব' ভ'রুনি। মাহুদা অমতা তো'বিরকদ্ব। অহুকপ', মম.ৈডদা থক ওইথাদ্রবা দোলাই অমদ তো'ফুনা লেঙিবিবকু ট দোলাংথক অহুদ' ঐস্তু মহারাজগী অনৌবী লোয়নবী ওইফুনা মহারাজগী সেবা তৌজগে।" অহুগী তুংদা ইন্দ্রনা তাক্লিবা উপায় পা'উতাকসিগা লো'য়ননা শচীনা মথ্‌রাই খুর মুংঙাই-জরফুনা হনখি। ইন্দ্রস্তু থম্ব'ল লৈথোকল্লুংদা অমুক চঙখি ॥৪৯॥ ইন্দ্রাণী শচীনা লাকপ উবদ' নহুষনা অস্তুম্ন হায়রকই—শচী ! হৌজিক্তি হায়নখিবা নংগী মতমহু শুবে। মাহু তাবদ' শচীনা নহুষগী মকমদা ইন্দ্রনা তাকলকপা রা পুম্নমক্কু মথং শীংনা হায়রকই। অহুদগীদি নহুষস্তু মহ'র্ষিতন' পুবা দোলাই লেং-জাওথক্ত তোংফুনা শচীগী লৈবা মায়গৈরোমদা লাকই ॥৫০॥

মতম অসিদা মিত্রাবরুণগী মচা কৃম্ভযোনি (চকুদগী পোকখিব') ওইবা অগস্তান', নহুষ কৌবা নিংথৌফুনা দোলাই লুবিযা মহর্ষি ব্রহ্মণশিংদবু মাগী দোলাংবু নীংথিজনা পুদে হায়হুনা থীন চৈবহু তাখি। অহুগা দোলাই মথক্ত তোংলিবা নহুষ অহুনা দোলাইদগী য়াম্ভবক্লিবা মথোঙ অনীফুনা দোলাইপুবা য়াও-রিবা অগস্ত্যগী মশাদা থেংবহুদা শাউরবা অগস্ত্যনা নহুষনা অমস্তু হায়রকই — পাপকী থবক্ত পুক্লীং চঙলবা হৈ পাপী নহুষ। নং হৌজিকমক দোলাইদগী ওম্থরকউ। পৃথিবীসদা চীঙমান্ স্তুমিৎ থা-শিংসিনা লৈরিবমখৈ লিশ্ (লাইরেন) ওন্দুনা লৈরো। অস্তুম্ন শাপ তৌরকপমক্তদা নহুষ অসি দোলাই মথক্তগী ওম্থরকই ।৫১॥

অথানিন্দ্রং পুনস্ত্রৈলোক্যমভবৎ ততো দেবা ঋষয়শ্চ ভগবন্তং বিষ্ণুং শরণমিন্দ্রার্থেঽভিজগ্মু-
রূচুশ্চৈনং ভগবন্নিন্দ্রং ব্রহ্মহত্যাভিভূতং ত্রাতুমর্হসীতি ততঃ স বরদস্তান ব্রবীদশ্বমেধং
যজ্ঞং বৈষ্ণবং শক্রোঽভিযজতাং ততঃ স্বস্থানং প্রাপ্স্যতীতি ততো দেবা ঋষয়শ্চেন্দ্রং নাপশ্যন্
যদা তদা শচীমূর্গচ্ছ সুভগে ইন্দ্রমানয়স্বেতি সা পুনস্তৎ সরঃ সমভ্য গচ্ছদিন্দ্রশ্চ তস্মাৎ সরসঃ
প্রত্যুত্থায় বৃহস্পতিমভিজগাম বৃহস্পতিশ্চাশ্বমেধং মহাক্রতুং শক্রায়াহরৎ ততঃ কৃষ্ণসারঙ্গং মেধ্য
মশ্বমেধমুৎসৃজ্য বাহনং তমেব কৃত্বা ইন্দ্রং মরুৎপতিং বৃহস্পতিঃ স্বস্থানং প্রাপয়ামাস ॥৫২॥
ততঃ স দেবরাড্ দেবৈঋষিভিস্তূয়মানস্ত্রিবিষ্টপস্থো নিষ্কল্মষো বভূব হত্যাব্রহ্মবধ্যাং চতুর্ষু স্থানেষু
বনিতাগ্নিবনস্পতিগোষু ব্যভজদেবমিন্দ্রো ব্রহ্মতেজঃ প্রভাবোপবৃংহিতঃ শত্রুবধং কৃত্বা স্বস্থানং প্রাপিতঃ ॥৫৩॥
(নহুষস্য শাপমোক্ষনিমিত্তং দেবৈর্ঋষিভিশ্চ যাচ্যমানোঽগস্ত্যঃ প্রাহ।
যাবৎ স্বকুলজঃ শ্রীমান্ ধর্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ কথয়িষ্যতি প্রশ্নান্ ভীমং তং চ বিমোক্ষ্যতে ॥)
আকাশগঙ্গাগতশ্চ পুরা ভরদ্বাজো মহর্ষিঃ স্পৃশন্ ত্রীন্ ক্রমান্ ক্রমতা বিষ্ণুনাভ্যাসাদিতঃ
সভরদ্বাজেন সসলিলেন পাণিনোরসি তাড়িতঃ সলক্ষণোরস্কঃ সংবৃত্তঃ ॥৫৪॥

নহুষনা শাপ কংহনা লৈখা তাঙ্গবদা মহোল অহুম অসি অমুক হন্না নোংদৌ পান্দবা (অরাজক) হায়বহু ওইব তাখি। মতম অদুদা লাইয়াম অমগা ঋষিশিংনা ইন্দ্রগীদমক্ত ভগবান শ্রীবিষ্ণুগী নাক্ত চত্তুনা অসুম হায়জখি :— 'ভগবন্! ব্রহ্মহত্যা কৌনী মতোন্দগী কিনা থুগ্নুনা লেপ্রবা ইন্দ্রবু কনবিয়ু।" মাহাক তাবদা বর পীনবৈবা ভগবান শ্রীবিষ্ণুনা লাইরোইনবা অসুম তকাইখি— "দেবতা পুম্নমক! ব্রহ্মহত্যাদুদগী লাম্থোকখিনবা অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌ হায়না ইন্দ্রদা হায়যু। অদুতদা ইন্দ্রনা মাগী হান্নগী পদবী অদু ফংব ঙমগনি।" মাহাক তারবতুদা দেবতাশিংনা মাঙখ্রবা ইন্দ্রবু থিবা ঙম্লক্তে। মখোয়না থিগদবমথৈ থিরগা ফংদ্রবতুদা শচীগী নাকতা থংনহনুনা অসুম হায়রকই— 'শচী! লাইনক ফবী! চংলু, নংনশামক চত্তুনা ইন্দ্রবু থিরু।" দেবতাশিংগী হায়থংগী মতু ইন্না শচী অসি মানসরোবরগী তাগী চংখি। শচীনা তাকপ মতুং ইন্না ইন্দ্র অসি পুখ্রীত্তনদগী থাদুনা বৃহস্পতিগী মাঙ্ক চংখি। বৃহস্পতিনা ইন্দ্রগীদমক্তা শ্রীবিষ্ণুগী উদ্দেশ্যদা অশ্বমেধ যজ্ঞ অমগী অনুষ্ঠান তৌখি। যজ্ঞ অদুনা কৃষ্ণসারঙ্গ কৌবা যজ্ঞগী শগোল অদু থাদোকখি। শগোল অদুমক শদোং ওইহনদুনা বৃহস্পতিনা ইন্দ্রবু হান্নগী মাগী পদবী ফংহনখি ॥৫২॥ অদুগী তুদা দেবতাশিং অদুগা ঋষিশিংগী মচান্দগী শকলক লোল্লকপা মাগী স্তুতপ্রণ সার তানবানা পাপকী শক্তক অমত্ত মশাদা পকত্রবা লেংলবা অমা ওইনা মশাগী স্বর্গলোকন হান্নগুম নুঙাইবা লৈখি। মহাক্না ব্রহ্মহত্যাবু (ব্রহ্মহত্যাগী পাপসু) নুপী, মৈ, উপাম্বী অদুগা পাঙ্গী মখোয় মরি অসি চপ্ চপ্ থায়দে কুনা যেন্থোকখি। (ব্রহ্মগী তেজগী শক্তিনা ইন্দ্রনা মহাক্কী য়েক্কবাশিং য়েক্কবশিংবু হাত্তুনা হান্নগুম নুঙাইবা লৈখি ॥৫৩ অমরোমদা নহুষনা ফংখ্রবা শাপ অসি কনমল্লি, ভাকপিয় হায়না

ভৃগুণা মহর্ষিনা শপ্তোঽগ্নিঃ সর্বভক্ষত্বমপানীতঃ ॥৫৫॥

অদিতি বৈ দেবানামন্নমপচদেতৎ ভুক্ত্বাসুরান্ হনিষ্যন্তীতি তত্র বুধোব্রতঃর্ঘ্যাসমাপ্তাবা গচ্ছদদিতিং চাবোচৎ ভিক্ষাং দেহীতি তত্র দেবৈঃপূর্বমেতৎপ্রাশ্যঃ নান্যেনেত্যদিভিক্ষাং নাদাদথ ভিক্ষাপ্রত্যাখ্যান রাবিতেন বুধেন ব্রহ্মভূতেনাদিতিঃ শপ্তা অদিতেরুদরে ভবিষ্যতি ব্যথা বিবস্বতো দ্বিতীয়জন্মন্যণ্ড সংজ্ঞিতস্য অণ্ডং মাতুরদিত্যা মারিতং স মাণ্ডণ্ডো বিবস্বান ভবচ্ছ্রাদ্ধদেবঃ ॥৫৬॥

মহর্ষি ভৃগুগী শাপতগী অগ্নিদেবনা সর্বভক্ষী (লোইনা চাবা) ওইখি ॥৫৫॥ অদিতিনা মাগী মচা আদিত্য শিংনা দিতিগী মচাশিংবু শুন্নবগী দমক মখোয়গী মচানউ কহন্নবগী দমক্তা মচাশিংদা পীজনবা অচা দেবতাশিংনা হায়জকবদা অগস্ত্যনা অস্মুনা হায়রকই ঃ— নহুষ মশাগী শাগেংদা পোক্কদবা ধর্মরাজ যুধিষ্ঠিরগী মনাও ভীমসেনবু থাদোকপা মতমমতুক্তদা নহুষ মহাক মশামকস্তু শাপ অতুদগী নাম্বোংকুনা মাগী হান্নগী মওং কীবম অতুদা তাখিগনি। মমাঙ্গতদা মহর্ষি ভরদ্বাজনা আকাশ গঙ্গা মন্দাকিনী ঈশিংদা কুমতুনা লেপ্তুনা আচমন তৌরিঙৈ অতুদা বামন ভগবানগী খোঙ আতুম্ন স্বর্গ মর্ত্য পাতাল অতুম্নু কুপ্শিল্লকতুনা ওনশিল্লক-পতুনা মহাক্ষ স্নান আচমনমচিংবা তৌতুনা লৈবিবা মকম য়ৌরক্লবদা ভরদ্বাজনা মথুক্তা পায়রিবা ঈশিং-তুমক্তা লোয়ননা বিষ্ণু ভগবানগী খবাক্ত ফুক্তিন চাংশিনখি। মাতুমক্তা ভগবান বিষ্ণুগী খবাক্ত খুদম অম ওইনা লৈখি ॥৫৪॥

থক অহাও অথুম খোলম্মি। অতুম তৌবিঙৈতুদা বুধ অসি মকম অতুদা লাক্লুনা অদিতিগী মকমদগী ভিক্ষা হাপ্নিয়ু হায়না মচাপসু খা নিবাম্ম। মতম অতুদ অদিতিনা অস্তুম্ন থল্লি ধোংলিবসিদি এ ঈচাশিং আদিত্য শিংগী দমক্তনি অতৈ অতপ্প অমন পীজন্ন থোংক্কে। অস্তুম হায়দা অম্লুনা অদিতিনা বুধনা নিবতু রাবিদ্রে মওাঙ্কবিমত পীদখিদ্রে। ভিক্ষা নিবতু হাপ্নিরবত্রবদা ব্রহ্মণ বুধ অসিনা য়াম্ন শাউখিতুনা অদিবিদা অস্তুমহায়না শাপ তৌখি-বিবস্বামনা অতৈপ্প মপোক অমদা অণ্ড কৌনা অদিতিগী পুক্নুদা লৈব অণ্ড (মরূম) দা পীড়া (অরবা চৈনা) পীব ওগসতু অতুনা অদিতিগী পুক্নুদ লৈবা অণ্ডনু অণ্ড কৌবা বিবস্বান (সুমিং) নামপোক অমদা মাণ্ডতনখি। মৃত (অশিবা) অণ্ড (মরূম মতুম) দগী থোরকখি পোকখি হায়তুনা শ্রাদ্ধ দব বিবস্বান অসি তৌজিক কাপবা মার্তণ্ড কৌনবি * ॥৫৬॥

* লৌজিকী আধিভৌতিক বৈজ্ঞানিক শিনা মগাত্তাব রাঁরবা রাকম অসি মতাং অসিদা পৌরাণিক ওইবা রারীনা প্রমাণ তৌতুনা তাক্কি। সুমিং অসিবু মতাংদগী মপৈননি হায়নবি। কদায়দগী কম্মা ওইরক-পমণ্ডানো, কনাগী (করিগী) মণ্ডানো, হায়বতু লৌজিকী বৈজ্ঞানিক (সাইনটিষ্ট) শিংগী জ্ঞান গী সীমাদগী মাংমদা লৈবা রানিনা কনা অমতনা খুম্ন ঙমদে। সুমিং অসি চংলি চক্তে হায়বগী পৃথিবী অসি চংলি চক্তে হায়বগী রাকমনা মরূ ওইনা থমতুনা বিজ্ঞানগী মঙ্গলা চবণ কৌনরি। সুমিং অসিমক্তি কদায়দগীনো, মতাম অসিনা কদায়দগীনো হায়বতুদি নমশিন্দুনা থম্নবি। মতাং অসিদা, শান্তি পর্বদা পুরাণগী রারী অসি ইরি। মৃতাণ্ড দগী হায়বদি অশিব মরূম্ (মতুম) দগী হায়বনি। অশিবা মতুম (মৃতাণ্ড) দগী পোকই হায়তুনা

দক্ষস্য যা বৈ দুহিতরঃ ষষ্টিরাসংস্তাভাঃ কশ্যপায় ত্রয়োদশ প্রাদাৎ দশ ধর্মায় দশমনবে সপ্তবিংশতিমিন্দবে
তাসু তুল্যাসু নক্ষত্রাখ্যাং গতাসু সোমোরোহিণ্যামভ্যধিকং
প্রীতিমানভূৎ ততস্তাঃ শিষ্টাঃ প্রত্বা ঈর্ষ্যাবতাঃ পিতুঃ সমীপং
গত্বেমমথং শশংসুর্ভগবন্নস্মাসু তুল্য প্রভাবাসু সোমো
রোহিণ্যা প্রত্যধিকং ভজতীতি সোঽব্রবীদ যক্ষ্মেমন মাবিশ্যে
তেতি দক্ষশাপাৎ সোমং রাজা নং যক্ষমা বিবেশ স যক্ষমনাঃ
বিষ্টো দক্ষমগাৎ দক্ষশ্চেনমব্রবী মত্রবীন্নসম বর্তযসীতি তত্রর্ষয়ঃ সোমবন্ ক্ষীযসে যক্ষমণা পশ্চিমায়াং
দিশি সমুদ্রে হিরণ্যসরস্তীর্থং তত্র গত্বা আত্মান মাভিষেচয়স্ব তথা গচ্ছং সোমস্তত্র হিরণ্যসরস্তীর্থং গত্ব চাত্মনঃ
সেচনম করোৎ স্নাত্বা চাত্মা নং পাপ্মনো মোক্ষয়ামাস তত্র
চাবভাসিত স্তীর্থে যদা সোমস্তদা প্রভৃতি চ তীর্থং তৎপ্রভাসমিতি নাম্না খ্যাত বভূত ॥৫০॥

প্রজাপতি দক্ষগী মচানুপী হুম্ফুনি মখোয়হুগী মচুদা তরাক্তমতোরবুন বিবাহ তৌহনা কশ্যপ ত থাজখি। তরানা ধর্মদা তরা অমনা মনুদা, কুম্নেনা চন্দ্রমাদ থজখি। চন্দ্রদ থাজখী কুম্নরেৎ অসি মচুদা নক্ষত্র হায়না খঙনাখ—কৌনাখ। মখোয় অসি মশান মচৌনা চানম্বা ফজবব্সু রোহিণী কৌবী নক্ষত্র অমুতবু চন্দ্রমানা অতৈ অতৈ লোনবীনদগী নেম্ন মুংশনা লোয়নৈ। অদু উবদা অতৈ লোন্নবীশিং অমু কন্নব্ খমন্নক্নুনা মপ দক্ষনা অকুম্না পাঙথোক্লুই:- ভগবান। চন্দ্র দিতুদেব। ঐখোয় ময়াম অসে রূপগুণদা চপ্পা। তোপচন্দা থৃতং। অমনমক্লুননা অমুবু চন্দ্র ন রোহিণীতদা পুক্লীং চঙলি। মাহু তারবদা দক্ষপ্রজাপতিনা হায়মা অদু চঙ্কপাদ মানী মশাদা নক্ষাবোগ পকৃপ্রসমু

হুমিৎ (সূয্য)'বু মাত্তঙ্গ কৌনখি। জগৎপু শেম্বা অশেম্না মপু অদুনা শেমথবনি হায়রবস্নু করম্ন শেমখি হায়বা রাহং অসিমদি মতুম মরৈনা জগৎপু শেম্বা পরমাত্মা। ঈশ্বর মশামক জ্যোতিময় নি মঙাস্তগী মশাক হায়নরি। পোৎ অমগী মতৌ অসে পোৎ মপূমত্তুদগী লোবকপান হয়বাসদা পরিমত্তা য়েংকম লৈতে। স্বতঃ প্রমাণ নি, স্বতঃসিদ্ধান। উাবরা ম্লানৎ আস জগৎ ব্রহ্মাণ্ড অপুম অসগীদ শীকথবা শকক অমনি। অতুনা, ব্রহ্মাণ্ড (ব্রহ্ম + অণ্ড) দগী মাতঙ্গ (মৃত + অণ্ড) লোকবনি। জগৎতা ফঁরিবা পোৎ থুদিংমক, মীগী থুংশেমদগী লৈথাকলিব পোৎথুদিংমক আনসু পুক্লী দা হায় লোক'খবা মু শাহনা, অশাউবা, অপাম্বা, উনিংবা আসনাচ বগী পোকহনাখবা, হায়দদি, শারব ডাক্কনি। মাসমস্ সুকঃ প্রম ণনি, স্বতঃ সিদ্ধনি। অতুনা উরিবা ম্লামৎ অসিনা আশবা মতুম ওইরবস্তু, লাগী পোকললকম অতুদি অহিংবা মপু (শিদবা মপু) অম শোম্মদনা ওংগদবান। মবমদি শেম্লীবা, উনিংবা, অন্নাবা-মুংঙাইব নচিংবা অনুভূতি (ফিলিং) মরম অসিদি অহিংগা (এলিমেন্ট) তদা লৈংদবনি। ব্রাহ্মণ (ব্রহ্মাগীমচা) গী অশাউবগী মৈশাদগী অশাউবগী অশাবমুশা লোবদগী ওকপা শাপতগী পোকখিবনা সূয্যনা শারিবাস অতুগী মাতঙ্গ কৌতৈদগীনি হায়রবসি পুরাণগী রারী অসিনা রূপক ওইনা উংলি। (কালাচাঁদ)

তচ্ছাপাদস্তাপি ক্ষীয়তে সোমোঽমাবস্যান্তরস্থঃ পৌর্ণমাসিমাত্রেঽধিষ্ঠিতো মেঘলেখাপ্রতিচ্ছন্নং বপুর্দর্শয়তি মেঘসদৃশং বর্ণমগমৎ তদস্য শশলক্ষ্ম বিমলমভবৎ ॥৫৮॥

স্থূলশিরা মহর্ষির্মেরোঃ প্রাগুত্তরে দিগ্বিভাগে তপস্তেপে ততস্তস্য তপস্তপ্যমানস্য সর্বগন্ধবহঃ শুচির্বায়ুর্বায়মানঃ শরীরমস্পৃশৎ সতপসা তাপিতশরীরঃ কৃশো বায়ুনোপবীজ্যমানো হৃদয়ে পরিতোষমগমৎ তত্র কিল তস্যানিল ব্যজনকৃত পরিতোষস্য সদ্যো বনস্পতয়ঃ পুষ্পশোভাং নিদর্শিতবন্ত ইতি স এতাঞ্ছশাপ ন সর্বকালং পুষ্পবন্তো ভবিষ্যথেতি ॥৫৯॥

অস্তুম্না দক্ষনা শাপ তৌপ্রবতুংদ। চন্দ্রমাগী মশাদ যক্ষ্ম রোগ চঙখি। যক্ষ্মরোগ মৈগাক কংলুবা সোম রাজা (চন্দ্রমা) অসি দক্ষগী মনাক ভার চংখি। করি মরমদগী শাউত্রনা ঐভোন্দা যক্ষ্মরোগ পীরিবসে হায়না চন্দ্রমা (সোম) না হংলবদা দক্ষনা হায়বকই -- নহাক নংগী লোয়নবীশিং অসিদা মীচঙমীথা নাইদবা লমচং চস্তে। অতুনা মীচঙমাখা নাইনা ওৎ।। শাজংকীদমক্তা (চণ্ড পীবনি। ঋষি থরনা সোম রাজাদা অস্তুম্না হায়রকই -- চন্দ্রমা! নহাক যক্ষনা রোগনা নশা অতু নাংম নোংমগী কশিল্লক্কে। অতুনা নোংচুপ সমুদ্র মপান্তম চংখো। মফম অতু হৌরগা হিরণ্যসর হায়না কৌবা পুত্রী অম থেনগানি তীর্থ অতুনা কুমথনগা নহাক স্নান তৌ। দক্ষনা তাক্লকপতুগী মতুং হম্না চন্দ্রমানা পশ্চিম সমুদ্রগী মপান্দ লৈবা হিরন্যসরগী স্নান তৌখি। মফম অতুদা তৌখবা স্নান অতুনা প্রায়শ্চিত্ত তৌখিবনা চন্দ্রমা অসি যক্ষ্ম রোগদগী কোকখি। চন্দ্রমানা অমুক হন্না মশেক মঙাল পূম্নং লংনা প্রভাসিত্তি (ভানবা) ওইখি হায়রনা মফম অতু প্রভাস তীর্থ হায়না প্রসিদ্ধ ওইখি ॥৫৭॥ শাপ অতুনা হৌজিক ফাওবা চন্দ্রমা অসি কৃষ্ণপক্ষদা অমাবস্যা ফাওবা নোংম নোংমগী মশোক মঙাল হন্থরি। অদুগা শুক্লপক্ষদা পুনিমা ফাওবনা নোংম নোংমগী অত্রমত্রুম থর থদ ভানদা লেনগ-লকই। কোক্ষবপ কোয়না উরিবা মওং অমদি মায়থোং অসিদ নোংগী অশংবা মচুগী লৈয়ি অমনা কূপ্রগুম মমি ভাবগুম উরি। মাগী মায়গোংদা থেবগী মওং মানবা থুদম অদস্থ নোংগী মতেংগুম্না মুনবা মচু পুত্রনা লৈরি * ॥৫৮॥

আ-থায়না মমাঙগী রানি। মেক চীংগী চীংথৈ পাংদা স্থূলশিরা কৌবা মুনি য়াম্না কন্না তপস্যা তেরম্মি। মহাক্না তপস্যা তৌরকপ মতমদা মুংশি মুশিরবা হৈনম লনমপুবা মুংশংনা তত্তনা শীংলি। অদুগুম্বা মনম মুংশিরবা মুংশিরবা মুংশিংনা মুনি অদুগী মশাদা হেক হেক য়ৈ। তপস্যা তনা মরাক্ত থুবী মুক্ত ভায়রবা মুনি অদুগী মশাদা মনম মুশিরবা মুংশিং অদুনা হেক হেক য়ৈবদা মহাক্না মশা অদু তগং তগং তেকই। মতম অদুদা মুনি অদু ঈপেল হেক পল্লি। মুংশংনা হুমাইগুম হুমলকপা মতমদা বন অদুগী লৈপাল লৈপাল পূম্নমক তোঙাল তোত্তারব মওগী মনা মপাল মহৈনা থোইদোকনা নীংথিরম্মি। মথোয়না মুনিদুগী মাঙদা মশা মশাগী ফজবদু উচ্চরম্মি। মাদুদা শাউদুনা মুনি আসনা মথোয়দা। নংোয় অসি মতুং মনাও মপাল মহৈ মতম পান্দবা উপাম্বী মরু ওইরো হায়না শাপ তৌখি ॥৫৯॥

* বিজ্ঞানগা পুরাণগী কথাশিংগা মনং মন্নুংদদি অমতানি হায়বাসগী প্রমাণ অসি মুমিংচ নাঙ্ত কৌথিবা অদুগা অশাবা মঙাল পুখিব অসিনচিংবগী রারী অদুগুমা অদুম মপীগনি। মন্নুংগী রাকম (ভাব)

নারায়ণো লোকহিতার্থং বড়বামুখে নাম পুরা মহর্ষির্বভূব তস্য সেয়ৌ তপস্তপতঃ সমুদ্র আহূতো
নাগতস্তেনামর্ষিতেনাত্মগাত্রোষমনা সমুদ্রঃ স্তিমিত জলঃ কৃতঃ স্বেদপ্রস্যন্দনসদৃশশ্চাস্য লবণ ভাবোজনিতঃ ॥৬০

মতম অমদা ভগবান্ নারায়ণনা জগৎকী কান্নবগীদমক্তা বডবা মুখ হায়না কৌবা মহর্ষি অম ওইনা ধ্যান তৌখি। মহাক (নারায়ণ) অসি ক্রেক চীগী চীদোল্ অতুদা অবন্বা তপস্যা তৌহুনা লৈরম্মি। নোংমা বডবা মুখ কৌবা মুনিসিনা সমুদ্রবু মনাক্ত লাউ হায়না কৌরম্মি। অদুবু সমুদ্রনা বডবা মুখগী মমতৈদা লাকখিদে। অদুগীদি ভগবান নারায়ণনা ওংহল্লিবা বডবামুখ কৌবা মুনি অসিনা মাগী হকচাংগী অশাবা মনিল (ঈশা) অদুতনা মরম ওইহুনা সমুদ্রগী ঈশিং অদু মবুক তপ্প লৈয়া হায়বা য়ারকত্রে। ঈশিং অদু মাসৈগে পুন্নদা পুমলোং লেওখি মফাকী তুমাংগী মথী মথীনা সমুদ্রদা তারবহুদা মতম অদুদগী সমুদ্রগী ঈশিং অসি থুমহৌগুম অয়াকপা রস অমম্ত পুখি ॥৬০॥

খণ্ডনা হায়বদি, ভাব ঈতা তাদনা পুরাণগী রারীশিংবু থাজনবা চৎদে গ্রহ শমগমগ চাম্নবিবা য়েং-থিনরিবা সংঘর্ষণ (কোলিশন) চংলাবকসিগী কিবংগদি নেক্তাংশিনা খত্তিত অগা কবিগীদমক য়েংথিনরিবনো হায়বহুদি বৈজ্ঞানিকশিনা পুম দনা নংত্রু। পৌরানিকশিনা খুবগাবনি ক্লমিং শানদিংবা গ্রহশিংনা তাঈবং মীগীগুম্না মশক মওং নাইনা লৈরম মতমদগী রানি। (কালাচাঁদ)

৫ অয়াকপা, অশীন্বা, অথুম্বা, অখাবনচিবা তোঙ্গাম তাউনবা মহাউশিং অসি লৌকিকী মাইথম্মী বৈজ্ঞানিকশিং অসিনা শেমখিবা থেকৃহনখিবা অমত নত্তে। অদুনা প্রকৃতিদ হায়গী লৈক্ত ক্রবা মচু, মনম্, মহাউনচিংবসি তাইব মী বৈজ্ঞানিকশিংগী রাহন্দী পুখাম্পা রসায়ন শাস্ত্রী নিয়মনা অদুগা আধিভৌতিক ওইনা থুংলায় (মৌন্ না বুদ্ধি অখা অহুম অসিন। অদুম অসিদি তাইব মীগী আধিভৌতিক ওইবা থুংলায়না শাব নত্তে সবুদম কাংগুম্ব লাকগী ঈশিংনা শবং সাদ কোথ্রবাস, হায়বসি, হায়বদি, অয়াকপা ঈশিং ওক্তগী সমুদ্রগী শরুক অয়গইনা লাগ্রিংসি কনাগী রসহণ শাস্ত্রগী নিয়মনা অদুগা কনাগী কেমিকেল ওইবা মহাকনা থৈগর্প্রণো লাইরবনি এথোয়ম লোহনা শক্তগান (বৈসা) দি। ওহাকী কান্নবা ওইবা অনিত্য ওইব পোশক্ পুখিনবা নত্তে অনাদ, ওইবা দেহ ক্রদা লৈরিবা নিত্য ওইবা আত্মসিনা মাগী থেওলোয় মন বুদ্ধিগা লোয়না থিনা। অশাউনা ছায়রদুগী মনিল্দি অশাবা হায়বহুনি। অশাউবদগী পোকথবনা অশাবা ছায়নবসনি। হোংনা চাউবা কৌবা কনাগী অশাউবদগীনো হায়বসিনা পুরাণশিংনা রারীশী বুনগী মওনা দৃষ্টান্ত ওইনা তাকহ। অদুনা পুরাণাশংগী বৃত্তান্তশিং অসি বৈজ্ঞানিক ওইনা রাখম্ব তাগদবান ওহাক চাকী শুহনা পোশক্ পাম্না তথাকথিত (সো-কোলড) বৈজ্ঞানিক শাবশিংনা থাজদব চমদে কমুদ্রগী ঈংমদগী মক্ মংক্তো মৈবুল অম চোংথোরমপা উঠ। মাত বডবানল বডবমুখ কৌই। বডবানল কৌব মেগী শকলোল পুহনা নারায়ণ (ঈশংদা লৈবা ভগবননা ঈশং মুং, কৈবিবহন আধিভৌতিক বৈজ্ঞানিকশিংনা পৌজক ঈশিংদগী নোংখাং (মৈ) পুথোকহাল ঈশিং মহংদ মৈ লৈথিন্দনা বৈজ্ঞানিকশিন পুথোকপা ওম্নংনি। পুথো-রকপ মখেদনা মহাম্না পুথোরক্লিবা পোং অত্তদি মহাক্ত শাব শেস্বা ওম্বা পোৎ নত্তে। অশাউবা অশাম্বা অসিনচিংবনা পোশক তাঙাল তেঙংবা পুথোক্কে-পুথোকহ হায়বগীদমত অশাউবা, (কাম-ক্রোধ-লোভ) অসিনচিংবনা থম্নবা তাহবং মীগী দেহদা চগুহুনা শ্রীনারায়ণনা লীলা শাম্নরি। মসিবু মহাকী নরলীলা কৌই! (কালাচাঁদ)

উরুশ্চাপ্যপোয়া ভবিষ্যসো তচ্চতে তোয়ং বডবামুখ সংজ্ঞিতেন পেলীয়মানং মধুরং ভবিষ্যতি
তদেতত্থাপি বড়বামুখ সংজ্ঞিতেনা মুবর্ত্তিনা তোয়ং সমুদ্রাৎ পীয়তে——— ॥৬১॥
হিমব তোগিরেহু হিতর মুমাং কন্যাং মত্রশ্চকমে ভৃগুরপি চ মহর্ষি হিমবন্তমাগত্যাব্রবীৎ কন্যামিমাং
মে দেহীতি তমব্রবীদ্ধি মবান্‌ভক্ষিতে। 'বরা" রুদ্র ইতি তমব্রবীৎ ভৃগুর্যস্মাৎ ত্বয়াহং
কন্যাবরণ কৃতভব. প্রত্যা খ্যাতস্তস্মাম্ন রত্নানাং ভবান্‌ ভাজনং ভবিষ্যতীতি ॥৬২॥
অদ্য প্রভৃত্যেতদবস্থিত মৃষি বচনং তদেবংবিধম্‌ সহাত্ম্যং ব্রাহ্মণানাম্‌ ॥৬৩॥
ক্ষত্রমপিচ ব্রহ্মণপ্রসাদাদেব শাশ্বতীনবায়াং চ পৃথিবীং পত্নী মভিগম্য বুভুজে ॥৬৪॥
যদেতংব্রহ্ম গ্নী ষোসীয়ং তেন জগৎধার্য্যতে ॥৬ ॥
সূর্য্যাচন্দ্র মসৌ চক্ষুঃ কেশশ্চবংশয়ঃস্মৃতাঃ। বোধযং স্তাপয়ংশ্চব জগৎত্তিষ্ঠতে পৃথক্‌ ॥৬৬॥

বডব মুখ কৌবা মুনিগী মশক লৌরবা ভগবান্‌ শ্রীনারায়ণনা সমুদ্রদা শাপ অসিমস্থ তৌখি—সমুদ্র মহাক্লা কন হায় পাক্‌চাউরবা ঈশিংগী মৈশে অমা ওইরবস্থ থক্‌পা য়াবা পোশক্‌ (ঈশিং) অম ওইং. মদি ময়াগ্রমু। বাডবামুখনা হন্ন হন্ন থকথ্রংতদা সমুদ্র' নহক্কী ঈশিং অসি খর খর থুম্মক্তনা থক্‌পা য়াবা পোশক অম ওইরক্লানি। হায় রবা রা অমাদ থোদোক আস হৌজিক ফাওবা উনরি বডবামুখ কৌবা অগ্নি হৌজিকস্থ সমুদ্রগী ঈশিং লোহনা থংনি ॥৬১॥ হিমালয়গী মচানুপী উমা কৌবা মহাক্লা কুমারীগী অবস্থাদা লোনচৈদ রুদ্রদেবগী পুক্নী না মত্তোন্দা লুপাথবনি। অদুগা অমরোমদনা ভৃগুমুনিনস্থ মুপীমচাহুবু মহাক্কী লোয়ংবী ওহন্নীডাখবান। মাহুনক্তনা ভৃগুনা নোংমা হিমালয়দ—"নহাক্কী মচানুপীদি এভোন্দা দান তৌ" হায়না হায়রুবদা হিমালয়না অস্থম হায়না হায়খি "মুনিদেব। এগী ঈচানুপী উমা অসিগী বর অসি রুদ্রদেবনা ওইখ্রগুস্ব। অমা তৌরে।" ভৃগুনা হাখ। এদি নহাক্কী নচানুপী অসিবু এগী লোয়নবী শেয়ংনা ওহনক্লগান হায়বগী হায়বগী অখাদা নহাক্কাসিদ লাকপনি অদুবু নহাক্লা এবু থোওই উশিত্তবা অম ওইনা তৌই। অদুনা নহাকপু এনা শাপ তৌখি—নহাক মনিরত্ন পুম্বগী ভাণ্ডার তদি ওইবা ময়াদস্থ ॥৬২॥ অদুনা মহর্ষি অদুনা তৌখিবা শাপ অদুতনা হৌজিক্‌ ফাওবা হিমালয়না অবস্থা অদু ফংদুনা লৈব ব্রহ্মণাশগী মহাত্ম্যাসিন্ন অদুকপা অমনি ॥৬৩॥ ক্ষত্রিয়শিংদু ব্রাহ্মণগী কৃপাদগী সৃষ্টিগী মতমদগী হৌজিক্‌ ফাওবা পৃথিবী অসি ক্ষাত্রযশিংগী রাজলক্ষ্মীগী মশক ওহবী লোয়নবী ত্বমগুম্না লাক্লি। ক্ষত্রিয়শিংথোবখ্রা কয়ানা ভেগ তৌংনা লক্লি ॥৬৪॥ অদুগুম্বা অগ্নিনা অদুগা সোমগা মগ্নী লৈনবা ব্রহ্মনা জগৎব্রহ্মাণ্ড মপুম অসিমা পুদুনা লৈরক্লি ॥৬৫॥

সূর্য্য গ চন্দ্রমা গ অনী অসি, হায়বদি, অগ্নি গ সোম গ অনী অসি এগী মাং অনীসিনি হায়নৈ। অগ্নি সোম অনীগী কিরণ (মডাল) বু কেশ কৌহ। সূর্য্য চন্দ্রমা অনীসনা মৈশাগা অঙৎবা (শুংভাইবা) গা অনীদি মথং শীংনাপী অদুগা অনী অসি তোণ্ডাল তোণ্ডায় থোকই ॥৬৬॥

(নাম্নাং নিরুক্তং বক্ষ্যামি শৃণুষ্বৈকাগ্রমানসঃ) বোধনাৎ তপনাচ্চৈব জগতোহর্ষনং ভবেৎ।
অগ্নীষোমকৃতৈরেভিঃকর্মভিঃ পাণ্ডুনন্দন হৃষীকেশোঽহমীশানো বরদো লোকভাবন ॥৬৭॥

ঐ হৌজিক্তি ঐগী মিংশিংগী ব্যাখ্যা তৌরগে তাও। মপূম পুক্নাং চঙনা, পুক্নাং অনী লোঙদনা তারো। জগৎকী জীব পুম্বদা মৈশা (তাপ(গা নুংঙাইবগা পীব মরমদগী সূর্যাগা চন্দ্রমা গ অনী অসি আনন্দদায়ক (নুংঙাইবা পীভম্বা) মক্তনি, পাণ্ডুনন্দন! অগ্নি গা সোম গ অনীসিনা পাম্বে ওইহন তৌরকপা কর্ম পুম্নমক অহনা জগত্তা হরাও নুংঙাইবা পোকহনবদগী ঐ (ঈশ্বর) বু হৃষীকেশ হায়না কৌনৈ ॥৬৭॥

---

* শ্রীভগবান্ নারায়ণগী মিং (নাম) খুদিংমক থোদোক থবক কয়া কয়া থোকখিবদগীনি খুদম ওইনা হায়রবদা কেশব, হৃষীকেশ, দামোদর অসিনচিংবা মিংশিং অসি থোদোক থবক অমমমতদগী থোন্খিব নত্তে। থবক্ থবক অহুগী মতু ঈম্ন যুগ কয়া কহাদগী মশাম মশানা অতুম কৌজগ্রব মক্তনি। যুগ অমগী থোদোক অমদা থোনখিবা মিং অতু ঈকায় কায়দনা অতোপ্প পাদাক থবক অমগীদা অতুম থোনবা য়াই। অয়াম্বা অর্থদা কেশ হায়বসিগী অর্থাদ শম্ হায়বনি। নীখিজরবা মুরবা শমজোই পানবা হৌবদগী দ্বাপরদা মহাকৃপু কেশব হায়না কৌনবকপন্থ মমডগী যুগ অমদা শমনৌথিনা পান্দ্র হৌগ্রবস্থ অর্থ অমদা কেশব হায়বা মিং অসি ঈকয় কায়দনা অতুম মৈবাম্ম। হৃষক হায়বসিগী অর্থাদ ইন্দ্রিয় হায়বনি। ইন্দ্রিয় পুম্নমক্কী নুংঙাইহনবগী মশক চইবা লীলা শাম্নিবদগী মতমকপু হৃষীকেশ অহুম্ কৌবদা ঈকায় কায়দে। অতুগুম্ব লীনা শাহ্রবস্থ নন্দ্রিয় পুম্নমক্কী নপো হায়বদি পুক্নী, কৌবা ইন্দ্রিয়গী মশক্ ওইনা লৈবদগী হায়বদ মনোহয ওহন লৈবদনীস্থ হৃষীকেশ হায়না অতুম কৌনা ময়াম্ম। থামং থা অনীগী মতৌগুম্না লৈরিক মীৎ অনীগী নুঙাইনংগী মশক ওৎবদগী হৃষীকেশ অতুম্ মতোগনি। মধু শাগৈদা পোকপদগী থোনখিব, মধব হায়বা নাম অসি লক্ষ্মী (মা) গী ধব (মপুরোইবা) ওহনা শাইবদগী মাধব কৌবত্থগা করি কায়দনা অতুম মৈবে, যুগ অমগী কমলা থোনাখিবা দামোদব হায়বত্ত যুগ অমগী অতোপ্প কর্ম দগী থোনখিবা দামোদব হায়বত্ত অতুম ঈবায় কায়দ্দে। পুক্ত থোরনা কাঞ্জিন্হন্দুনা শাম্নবা লীলাদগী দামোদব কৌথবা মিং অসি থৌগীনা কাঞ্জিন্দবা অতোপ্প থবক অমদগী দামোদর কৌবত্থগা মিং অসিদা করিমত অকয়ব লৈতে। মকম পুম্নমক্ত ওন্দুন, লৈবদগী কৌথবা বাসুদেব হায়বা মিং অসি, মতুংগী যুগ অমগী লীলাদা বসুদেবগী মচা ওইনা শাম্নবদগী কৌথবা বাসুদেব হায়বা শব্দত্থগা করিমত্ত থেম্নবা লৈতে। যুগ অমগী লীলাদা গোপ ওহনা পোকথবদগী থোনখিবা গোপাল হায়বা মিং অসি গোপ ওইনা পোকত্রিঙৈ অামমাওগী যুগ কয়া কয়াদা পৃথিবী (গো) বু থাংগত্নুনা শাম্নখিবা গোপাল হায়বত্থগা করিমতা থেম্নবা লৈতে। শম্ন হায়রবদা গো শোল) বু বিন্দ (থঙবা) দগী গোবিন্দ কৌবা মিং অসি গো (রতৈ শব্দ) গী ওত্থবু থঙবা (বিন্দ) দগী গোবিন্দ কৌথবত্থগী অর্থদা, থবক্তা, মীশকৃতা করিমতা থেম্নবা লৈতে। মরম অহুনা ভগবান্ বিষ্ণু মহাক্তি যুগ খুদিংদা বিষ্ণু, যুগ খুদিংদা বাসুদেব, যুগ খুদিংদা গোবিন্দ, যুগ খুদিংদা হৃষীকেশনাচংবা ওইদনা অতুম মরাকলি সত্যযুগতস্থ রাম ওইনা হায়বদি দেবতা পুম্নমক্কী নুংঙাইনহম্ ওহনা, ত্রেতাদস্থ দশরথগী অযোধ্যাগী প্রজাশিংগী নুংঙাইকম রাম ওহনা দ্বাপরদস্থ নন্দযশোদনচিংবগী নুংঙাইনকম রাম ওইনা অদম্ মশাৱৈ। রাম ওইবদি (নুংঙাইনকম ওইবদি) ঈকায় কায়রক্তে। যুগ খুদিংদা রামত রাম ওহন্নুনা অতুম মরাকহ। যুগ খুদিংগী থবক পুম্নমক মিং মশা অমত্তগী

ইড়োপহূত যোগেন হরে ভাগং ক্রতুষ্বহম্। বর্ণশ্চ মে হরিঃ শ্রেষ্ঠস্তস্মাদ্ধরিরহং স্মৃতঃ ॥ ৬৮॥
ধাম সারো হি ভূতানামৃতং চৈব বিচারিতম্। ঋতধামা ততো বিপ্রৈঃ সত্যশ্চাহং প্রকীর্তিতঃ ॥৬৯॥
নষ্টাং চ ধরণীং পূর্বমবিন্দং বৈ গুহাগতাম্। গোবিন্দ ইতি তেনাহং দেবৈর্বাগ্‌ভিরভিষ্টুতঃ ॥৭০॥
শিপি বিষ্টেতি চাখ্যায়াং হীনরোমা চ যো ভবেৎ। তেনাবিষ্টং তু যৎকিঞ্চিচ্ছিপিবিষ্টেতি স্মৃতঃ ॥৭১॥
যাস্কো মামৃষিরব্যগ্রো নৈকযজ্ঞেষু গীতবান্। শিপিবিষ্ট ইতি হ্যস্মাদ্‌ গুহ্যনামধরো হ্যহম্ ॥৭২॥
স্তুত্বা মাং শিপিবিষ্টেতি যাস্ক ঋষিরুদারধীঃ। মৎপ্রসাদাদধো নষ্টং নিরুক্তমভিজগ্মিবান্ ॥৭৩॥
ন হি জাতো ন জায়েঽহং ন জনিষ্যে কদাচন। ক্ষেত্রজ্ঞঃ সর্বভূতানাং তস্মাদহমজঃ স্মৃতঃ ॥৭৪॥

যজ্ঞদা "ইড়োপহূতা সহদিবা" অসিনচিব মন্ত্রনা ঐবু আবাহন তৌরক্লবদা ঐ হী মক মফম অদুদা উহন্ন নত্রগা উতন্দনা লাক্কুন যজ্ঞগী ভাগ ঐ হৌরামক লৌরি। ঐগী মশকচাগী মচুদি হরিত (শংবাম্বব) ওইবনা ঐবু কনা কনাগুম্বনা হরি হায়না মিংথেন্দুনা কৌই ॥৬৮॥

অচচ্ছত্র জীব পান্নবা পুম্নমক্কী সার (মচি ওইবা তত্ত্ব) বু ধাম হায়বগা থতনৈ। ঋত হায়রবা শব্দসিগী অর্থনা সত্য (অচুম্বা) হায়বনি। অদুনা অমিংবা জ্ঞানী ব্রাহ্মণ শিংনা ঐহাকপু ঋতধাম হায়না মিংথোকৈ ॥৬৯॥ ঐনা মমাংগী যুগকালদগী রসাতলদা লুপ্ত নাইরম্লবী পৃথিবীবু ওক কী মশক তৌদুনা পুথরকখি মতম অদুদা ঐহাকপু দেবতাশিংনা গোবিন্দ (গো পৃথিবীবু বিন্দ থিবা থবক) হায়না থাগৎখি ॥৭০॥

ঐবু শিপিবিষ্ট হায়নবগী মরমদি অসনি মশোংমশু লাক্নবা জীববু শিপি কৌই। বিষ্ট অর্থনা ব্যাপক (শীন্দুনা লৈবা) হায়বনি, ঐনা নিরাকার (মশকমওং নাইদবা) ওইনা জগৎ বস্তু পুম্বনা শীন্দুনা লৈবনা ঐবু শিপিবিষ্ট হায়না কৌই ॥৭১॥ যাস্ক মুনিনা যাম্ন চনা তান্না যজ্ঞ অমাম্বদা ঐবু শিপিবিষ্ট হায়না কৌদুনা আবাহন অত্তগা স্তুত তৌখি। মতমদা শিপিবিষ্ট হায়না থোক্নুনা ঐহাক গুপ্ত নাম লৌখি। মিং অসিবু ঐনা যাম্ন কুপ্না লৌই ॥৭২॥

পুংদেল চউরবা যাস্ক মুনিনা শিপিবিষ্ট হায়বা ঐগী নাম লোন্না লোন্দনা স্তুতি তৌবদুনা ঐহাক ওহৈক্লা পেনবিখিদুনা ঐগী কৃপাদগী মহাক্না পাতাল লোকত চৎলদনা মাংখ্রুনা লৈরকপা নিরুক্ত শাস্ত্রবু পুখোৎখি ॥৭৩॥ ঐনা কদাইগুম্বা জন্ম (নপোক) অমত লৌদা লৈখিদে পৌক্লিরক্লু লোদে। অদুগা মতুংদ সু লৌরোই*। জীব পান্নবা পুম্নমক্কা মরক্তদা লৈবিবা ক্ষেত্রজ্ঞ ওইবা আত্মা অদু ঐগনি। অদুনা ঐহাকপু মিং অজ (পোকপ লৈতবা) হায়না কৌই ॥৭৪॥

ওইহনবনা ঈকায় কায়দে। মুম্ন থম্ভকাদবনি জন্ম লৈবিবা পোৎ পুম্নমক্ক মিং অমস ভগবান মহাক্কা মিং মক্কনি। মশামক অনন্ত ওইবনিনা মাগী গুণদু, বর্ণ্সু নাম্সু অনন্ত (ভুমথৈ লৈতবা) অনন্ত, শেষ (মথাক) লৈতনা মরমন মশাকতি মকম মতম পুম্নমক্ক অনন্ত মথক্তু অচুম মরি। চৈতন তুংদল শাস্ত্র তাইবগী পূনাক মতেন্দা থাকখবনিন পোংশি আংগী মিন্তু মাগী মিমজ্জ্হন কন্দন গী অর্থ পল্লোপনলু মহক্সু মাগান্দা অচুম মতনি।

* ভগবান্ শ্রীহরিনা হায়ারবাসগী অর্থ অসিনি :—মমাঙ্গৈরস্থ পোকপা তৌথদে (পোকবিদে)

নোক্তপূর্বং ময়া ক্ষুদ্রমশ্লীলং বা কদাচন। ঋতা ব্রহ্মসুতা সা মে সত্যা দেবী সরস্বতী ॥৭১॥
সদসচ্চৈব কৌন্তেয় ময়াবেশিত মাত্মনি। পৌষ্করে ব্রহ্ম সদনে সত্যং মামৃষয়ো বিদুঃ ॥৭২॥
সত্ত্বান্ন চ্যুতপূর্বোহহং সত্ত্বং বৈ বিদ্ধি মৎকৃতম্। জন্মনীহাভবৎসত্ত্বং পৌর্বিকং মে ধনঞ্জয় ॥৭৩॥
নিরাশীঃকর্মসংযুক্তঃ সত্ত্বতশ্চাপ্যকল্মষঃ। সাত্ত্বতজ্ঞানদৃষ্টোহহং সাত্ত্বতামিতি সাত্ত্বতঃ ॥৭৪॥

ঐনা করিগুম্বা মকম মতমদা তুক্কচবা, অথাবা, অকাপ্পা বা হৈ অমতা চৌন অসিদগী হাংদোকখবা ওও খিবা...কত্রি। ব্রহ্মপুত্রী, সত্যগী মগক ওইবী সরস্বতীদেবী হায়রিবী অসি ঐগী বাংলগী মশক নাইবী দেবী অমনি। কুন্তী কুমার! অর্জুন! সৎ অসৎ (লৈবা লৈতবা, অচুম্ব-চুমবা) অমমক ঐনা ঐগী হকচাং মুংবা কাক্কিদুনা থম্মি মরম অদুনা ঐহী খগয়দোগী মশক ওইরবা খগয়দো ঋষ্যশৃঙ্গী মগক ওইরবা ব্রহ্মলোক ও লৈব ঋষি শিংনা ঐবু "সত্য" অমুম হায়না কৌই ॥৭১ - ৭ ॥

ধনঞ্জয়! ঐসে করিগুম্ব মকম মতমদ সত্ত্ব (লৈবা) হায়বদুনগী থক হন্দোকখিদে। লৈতে। সত্ত্ব (লৈবা) হায়রিবসিমক ঐহাক্কী খোক্লিবনি-লাক্লিবনি। অহগুম্বা ইশার জানবা কুপ্পবা সত্ত্ব অদো হৌজিক কাওবা মথংগী অবতারশিং অসদসু অমুম ঈকায় খুম্নদনা হৈরি। সত্ত্ব অমমক্তনা অখোইবা মরম ওইদুনা ঐগী ঈশাদা পাপকী শক্লাক অমত য়াওদনা ঐ অসি নিষ্কাম কর্মদ তৌদুনা হৌজিক্ কাওবা লৈরক্লি। ভগবানগী ওজ্বব মুখ্য শ্রেষ্ঠশিংগী সত্ত্বজ্ঞান অসিতনা খুংলায় ওইদুনা মখোয়না

অদুগা হৌজিক হৌজিকসু পোক্ত্রি অদুগা মতুং সু জন্মগ্রহণ তৌরোই হায়না তাকপির পোকলবদ শিব খোয়দবনি। অদুগা শিরবদি অমুক পোকপা শোয়দ্রবান। পোকপা শীবলতবা ঐগী ভূত ভবিষ্যৎ বর্তমান কাল অপুম্বক্তা জন্ম লৈদে। পোকপ (জন্ম) হায়বদু পী পৌরিগা পিতা মাতা হায়বদ মহাক মথামক্তা অদুম ওইদুনা হৈরবনিনা অতোপনা মাতা পিতা অমা ওইরংদাই লৈরবনিনা মথানা মথাবু পোকচবা হায়বদ মতারবনি। মচুদি অমরোমদা হায়রগা ঈপাক পোক্কবা হায়বদুগা চপ মানবা অদুম মরে। পরমাত্মা নি হায়না ঐখোয়না মাবু লৌরবদা পরমাত্মগী মমা মপা করনো হায়না হংবা কাওবা হাত্রে। পোকত্রবসু পোক্কই হংয়না উবিবা হকচাং আসমু মহাক নত্তে। পরং ব্রহ্ম, পরমাত্মা মহক্কি নিত্যনি। পোকপা-শিবগী লাদা তাবরবা মগোম্ব অদুনা পোকপা (জন্ম) হায়বসি লৌরক্তবনি। মহাক্কি লেঙদনা মকম অমতনা লৈবনিনা পরমাত্মা মাগী মথক্তা মপানগী ভৌতিক শরীর (হকচাং) শিং অসিনা হুমদো ওতবিজন, লৌথোক শিন তৌদুনা লৈবনিনা পোক পোক উবতনি। শোকলিবা উরিবা অসিদি পঞ্চভূতকী কুমোম অসিনা কুপশিনখিবদগীনি। কেওনা লৈবা ঝুনিংপু চৎ মানবচিং-না খুমদোক খুজিন তৌরগা খোকপা তাবা হাওদবা মহাকপু খোক্লে তারে হায়না উবসিওম্বা আত্ম বু পোকলে শিরে হায়না উবত্তনি। মরম অদুনা ঐদি অমুক পোকখদ্রি, হৌজিকসু পোক্লে, মতুং দসু পোকলই হংয়না পরমাত্মা শ্রীহরিনা অসিগুম্বা জ্ঞান উপদেশ অসিত তাংনিগে হায়বগী মমক পঞ্চভূতকী কুমোমনক্লদা থেংনিজনা লায়রবনি। (কালাচাঁদ)

ঐগী লনাইগী চপ মথং (স্বরূপ) বু থুৎলিজে। মহুম পুম্নমক লৈবাগী অচিবু থহবনিংলো ঐবু "সাত্বত" হায়না অহুম মকোই ॥৭৭-৭৮॥

* শান্তিপর্বগী মহুৎদা ভাগৱত পাউত্তাবশিংগী মরুৎদা মতাং আসিদা ভাগৱত পাউংবাক অসিনা থাই-দগী লুরবা থুপশ্রব রাকম অমনি হায়বা যাই। ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণনা হায়রি— ঐদি" লৈবা' (সত্ত্ব—এক্‌জষ্টেন্স) হায়ংবু অংম্বং ময়েংবা ময়াগী থৌথ অচৌবা উস অহুম মরাক্ত। অংহুং অহুম মরেং-থিনি মপাংগী মীৎ নাবোংথিবা ইন্দ্রিয়শিং অচিংবা থুংলায় ওইনা শীজিন্নবা মখোয়না মপ মগী কুয়োংবু উরগা অমদি ইন্দ্রবা লৈ লৈতে হায়না লেপ্পরুবা, মবুদ্ধ থেংনবাশিং অহুনা 'লৈব-লৈতবা হায়বদুবু পান্নবশি অহুগা ওইহল্লিবসি মপানগী কাহুন্দ্রবা মপ্রম-কুয়োম আসিতগী লৈব লৈতবা হায়ববুনি। ঐগী অবতার (অবতরণ) শিংগা করোনশিং অসিদদি করিমত মরম লৈনদে। কৃষ্ণনা অহুইত্তে অর্জুনদা তাকখিবা গীতা পাউত্তাক জ্ঞানশিং অহু লাল্লক ওইবনা লেম্ন তাকাপখিবা নংহৌদবগী মতাংগুম শান্তিপর্বগী মতাং অসিদা অমুক নৌতৌনা তকখাদ্রেব কৃষ্ণনা অর্জুনদা করি হায়বনু, তাকপিখিবগে হায়বদা শা উংকৌ মপোক্ত অবতরণ (কুমথবা থোরবা অহুগা তাইংমগী হকচাং কুয়োমদতৌরবা অত্মহুগমদা অবতরণদা থেন্নবসু, থেন্ন হায়না লৌথস্ন লৌথবস্ন থেন্নবিব থেন্নদ্রবা আত্মাহুগী অহুগা অত্মাশিহুগী "লৈবা" (সত্ত্ব—এক্‌জষ্টেন্স) হায়বহুদদি করিমতা মশক তোঙব লৈতে লৈবা' কৌহুনা অহুম মরে। আত্মাসিনা অগী মপোক হায়না হচাদা, অবতরণ তৌরবস্ন, থেঙগী মপোক্ত তৌবস্ন ওকক মপোক্তা হকচাংদা তৌরস্ন সত্ত্ব (সত্ত্ব লৈবা) হায়বহুমদ হাহুগী মথং তাদনা অহুম মরাকই। অগুম সত্ত্বাংগী অহু কাপ্রব লৈতে নত্রগা মশক তোংঙ্গ অযববা হায়রিবা মা-মশাংক্‌ 'লৈতবা" হায়বংগী মওদা লৈরবদি থত্তবাহ। 'লৈবা' হায়বহুগী মহুদ লৈহু। লৈ লৈত হায়রিবন। কাব কুপ (আরোহন)। হায়রিবসি কন গীলো হায়বস মুন্ন অহুংনদি (থান তৌবদি) অত্মা সগীস্ন নংকাংদ্রে, মেনশিংনাচবগী মৈপ মহুম ওইবা হকচাং অসগীস্ন নংলংদ্রে। লৈব" (সত্ত্ব এক্‌জষ্টেন্স) অহুত্তগী ওন্নমলে। লৈপাক ত লৈরন্না সত্ত্ব অহুন চফু কৌবা লৈপাক মহুম সদা ঈশ্বর কাদনা অহুম অবতরণ (অবতার) তৌকপতনি। লৈপাকত হায়ংগনা লৈপাক পুম্নক থত্ত র্রিম্ন। অহুবু চফু কৌবদা সত্ত্বা অহুনা অবতরণ (অবরোহন) তৌরবদি জগংকী লৈপাক (মৃত্তিকা) পুম্নমক থত্ত-খিদ্রে। চফু অহুদা লৈরিবা লৈপাক অহুত্তগী ওইথহুনা লৈব সত্ত্ব নি। সত্ত্ব অহুদদ করিমতা তোংব লৈতে। অমুক কার হায়গনি, "সত্ত্ব" হায়রিব সংক নাম (মিং) সুনত্ত্ব কাপ (নশক) সুনত্ত নামস্নাংমচবগা করিমতা মরম লৈনদে অস্নম্ন থত্তা মথত্ত (জ্ঞান) অসবু সত্ত্বতজ্ঞন লৌহ। অসিগুম্ন সত্ত্বংস্কনতনা জ্ঞানো ওংবশিনা কৃষ্ণ ঐগী শকপু বর্মপু অহুগা পীপা (বর্মহুগী দৃষ্টত্ত ওব মথং) বু দম্ন থংত্ত থংভদ্রনা, অহুগা সত্ত্ব জ্ঞনগী থাক্ত অরোহন তৌক দ্রাশ অহুগী অত্মাশিং অহুগী সত্ত্ব (সত্ত্ব এক্‌জষ্টেন্স, নিশাভগী কুংথোমদা অবতরণ তৌথি। অহুবু সত্ত্ব (সত্ত্ব আমস্কাদ অহুবগা শাপইতৃদা লৌরবা আত্মাগী সত্ত্বা ঐদ তাইবং মীগী কুংথামদা লৈরিবা অত্মা ঐগী সত্ত্ব সিমক হায়না থত্তলবা মহাক অহুত্তনা সত্ত্ব তৌবা বিষ্ণু (কৃষ্ণ) ঐগী স্বরূপপু থত্তগনি। অতৈনা থত্তবা ভমলোহ। মাদিগী অকুম্ন মরোল অস নারদ পঞ্চরাত্রদা থমনথৈখদি উংখি। শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনদা হায়রিবদ অবতার থুদিংদা হোংদবা মশক মথংসিং সাত্ত্বত হায়বসনি। (কালাচাঁদ)

কৃত্বাপি মেদিনীং পার্থ ভূত্বা কৃষ্ণবর্ত্মা মহান্ । কৃষ্ণো বর্ণশ্চ মে যস্মাৎ তস্মাৎ কৃষ্ণোঽহমর্জুন ॥ ৭৯
ময়া সংশ্লেষিতা ভূমিরদ্ভির্ব্যোম চ বায়ুনা । বায়ুশ্চ তেজসা সার্দ্ধং বৈকুণ্ঠত্বং ততো মম ॥৮০॥

পৃথানন্দন ! অর্জুন ! মুরবা, পাকচাউরবা য়োংকী মচা-ন্ (লোংথুম) পাম্বা অঙগী মথক লৌহনা ঐনা পৃথিবী (জগৎ) মপুন অসিবু খোইদোকই। অহনা হকচাংশু মুশিন্ মুবদগী ঐবু কৃষ্ণ কৌনরি, কৌনরক্নি ॥৭৯॥ ঐনা পৃথিবী (লৈপাক) বু ঈশিংগা লোয়ননা তিন্নহনখি। আকাশবু নুংশিৎ (বায়ু) কা লোয়ননবা তিন্নহনখি। নুংশিৎপু তেজ (মঙাল-মৈ) গা লোয়ননা তিন্নহনখি। কুণ্ঠ হায়বা শব্দসিগী অর্থদ অন্নাংবা, ভমদবা চংখবা, নীঙংম্নবা আসনচিংবসি হায়বনি। মাহুত্তুম্বা দোষশিং অমুক লৈতবনা বিকুণ্ঠ কৌই। অকিশনচিংবা পঞ্চভূতশিং অসিগী অমতমগা মসাবগ তৌবদা অরাবগী অহুমা অঙহনবগী শক্তি করিমত লৈতে হায়দনা ঐবু বৈকুণ্ঠ হায়না কৌখিবা ক॥৮০॥

ক 'বৈকুণ্ঠ ধাম' হায়না ময়াম্না হায়নাবসিগী থাক্লোমগী অর্থদু অয়ম্বনা শঙনবে। বিকুণ্ঠী কারণুম্বা মথক মওং নাইবা খুন-দেশ গ্রাম অমগুম্বা লৈবগী ভাবতা লৌনৈ। ধাম হায়বদ মফম হায়বনি। "ঈশ্বর লৈ" হায়বসিনা য়েৎনবা লৈতনা নীখিনা কেপ্পরবা তুংদা লৈফম অমুক খিনরকদা মাহুনা হেন্না নুপ্রবা বিষয় অম ওইনা থোকই। কনাগুম্বা করিগুম্ব অমগী লৈফমদি লৈরিবা মা মখামক্না তাকপনা ঙম্বা ওইগনি। লৈফম (দেশ গ্রাম) অহু তরুবদি মফমমুমক্কী মমাংদি করি কৌই অসিংচিংবা হংনবা ভায় থংনাইংডাই ওইবা বিষয় মথং মথং লাকই। ঈশ্বর লৈ হায়রগা হেক তেক্কনবা নত্তে। অহুগী দমক্তা ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনদা তাকপনি। গীতাগী মফমদা তকখিবদি য়াম্নমম্ন মন্ত্রগুম তাকপিরম্মি। অসিগী অর্থদি "আচম্ব জীব পানবা থুদিংমক্কী থম্মোয়দা ঈশ্বর লৈ" হায়বনি। থম্মোয়দা লৈ, অতৈব লৈতে হায়না অর্থ লৌরবদি ঈশ্বর (ভগবান্) গী সর্বব্যাপকত্বনা অকায়বা অম লাকই। হকচাংগী থম্মোয় কৌবা শরক্তুদা ঈশ্বর লৈ হায়রবদি মুখুনা মার্গ সঞ্চরী অসিগুম্বা শ্রীভগবানগী নামনা অকায়বা লাকই। অহুদি গীতাদা তাকপিরম্মবসিদি মপুং ফানা তাকপিরমক্রবা হায়নমু চিনকম অম থোকই। লাক্তু তাকখিবনা মপুং ফানা তাকখিংবনি হায়রবমু অতৈ গ্রন্থ পাক্নহনা কাম্নদে গীতদা লোইনা য়াওরবনি হায়বাসিনমু অকম্ববা লাকই অহুগী দমক্তা ভগবান্ শ্রীব্যাসনা ভগবানগী পাউতাক ময়াম্নু মহাভারতকী শান্তি অধ্যায়দা ইবহু লেংলোইদনা শান্তিপর্বগী মতাং অপি অমুক শমখরকপনি। মতাং অসিনা শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনদা মখাগী নাম হায়দগী নিরুক্তি তৌরকপদা মখা-মরূপু বৈকুণ্ঠ কৌখিবগী প্রসঙ্গ অহু লৌথরকপনি। ঈশ্বর লৈ হায়রবদি লৈফম অহু করি কৌই হায়না হংরবদা বৈকুণ্ঠ কৌই হায়রমু য়াত্রি। বৈকুণ্ঠ হায়বসিমক ভগবানগী মিংনি হায়না তাকপিরি। শ্রীবৈকুণ্ঠ নারায়ণগী ধাম অহুগী মমংনি ময়াম্ন তানীলিবদি। লৈফম অহুবু করি কৌবগে হায়না হংলগা বৈকুণ্ঠ ধাম কৌই হায়রবদি গোপালগী লৈফম করি কৌবগে হংলগা 'গোপাল-লৈফম" কৌই হায়না খুমলিংডাই লৈতহনা খুম্বগুম্বা অমা থোকই। অহুগীদমক্তা শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনদা লৈরিবা মফম (ধাম) অহুগা পোশক মখা মমত্ত ওইনা তাকই। ঐগী ঈশিংদি বৈকুণ্ঠ কৌই অহুগা ধমদি জীবপানবা পুমমক্কী থম্মোয়দনি হায়রবদি গীতাদা তাকপা অর্থদা কায়দ্রে। মাংলিবা হায়রবমু থম্মোয়দা লৈরা অতৈদাদ লৈতরা হায়বা অসিগী ত মজানদ্রে। অহুবু মফম আসদা অমুম তাকপিরি—

নির্গুণং পরমং ব্রহ্ম ধর্মাঃ সৌপর্ণউচ্যতে। তদাশ্রয় চাতপূর্বইহমচ্যতীহন ধর্মণা ॥৮॥

মহাশান্তিগী মশক ওইবা ব্রহ্ম অহুনি খুহংগী অবোইবা গায়াবসে। অহুগুম ধর্মগী ঐ অসে খুংব নামকাওবা নাঙ্গোবকত্রি অহুন ঐবু অচ্যুতে হায়না কৌনৈ * ॥৮॥

অর্জুন! ঐ ঈশামক বৈকুণ্ঠ ওইরবাননা বৈকুণ্ঠ কৌবা ঐগী লৈফম অহুস্থ হায়বদি ধাম অহুস্থ বৈকুণ্ঠ শোয়দনা ওংগনি, ওইগদৌবনি অহুগা ওহস্থ ওহহনগদবনি। বৈকুণ্ঠ কৌবা ঐনা লৈগদবা মফম অহুদা কয়িগুম্বা কুণ্ঠ' (অরাংপা চৌথবা-নাঙংহৌদবা অসনাংবা) অমতা লৈবা য়ারোই। অহুগুম্বা কুণ্ঠ অহুবু হেক্ত মরৈত্রবদি খম্মোয় থওদে, মীৎ নংকোংচিংবা ইন্দ্রিয় থওদে, হকচাংগী কয়িগুম্বা শক্তক অদো ঐগী (বৈকুণ্ঠ কৌবা ঐগী) ধামনি—লৈফমনি। য়েনিডাহ কয়িবত্ত রাক্তবা পোৎ অমংং য়েংবদা পোৎ অহুদা জগৎত লৈবা মশক উবা উদবা পোৎ পুম্নমক উরবা, উহৌদবা পোৎ অমত লৈহৌরে হায়বগী মীওমহৌত্রবা পোৎ অমগী অরাংপা লৈত্রবা অহুগুম্বা পোৎকী উংনবগী থেননগী খুৎলায় শত্রব খঙ্গেংবা ইন্দ্রিয় (খুডাংবা পীবা) ত ইন্দ্রিয় তইন্দ্রিয় শত্রবা মীৎ কৌনা ইন্দ্রিয় অদো তাইবংমীগী খওদে, শাওগী থওদে—বৈকুণ্ঠ কৌবা ঐ (বৈকুণ্ঠ)গী ধামনি। অহুগুম্ব রস শোবা গন্ধ পুম্নমক লৌরবা নাকোং অংদিন ওল ইন্দ্রিয় অহুস্থ ঐগী ধামনি। অতে নত্তুনা শোববা শোংব রূপ, রস, গন্ধ, স্পর্শ শব্দ বিষয়শং অহুস্থ ঐগী ধামনি। ঐগী লৈফমবু অহুগুম্বা বিকুণ্ঠা (কুণ্ঠ অমন লৈত্রবা) ওহহনবা তমজ্র মচৌ বৈকুণ্ঠ ঐ। ধামনা (বৈকুণ্ঠ ধাম) অদো কনা অমত্তনা খেবা-দবকব য়াম্মোই অহনা ঐগী বৈকুণ্ঠ ধামদি মফম চিংনক ইউলৈ অমা তাকা-রিব অসিনা ভগবান শ্রীবৈকুণ্ঠ নাথগী সর্বব্যাপকত্ব ওইবা ধর্ম অদা ঈকায় বায় না লৈরে। অহুগুম্বা বৈকুণ্ঠধাম অচ মফম পুম্নমক্পু ওহহনবা য়েম্নবদি ইহলোক তস্থ মী মহাক অহু বৈকুণ্ঠ ধামা অহুম মংবা ওংলে। ভগবান্ শ্রীবৈকুণ্ঠদি বৈকুণ্ঠধামতদ লৈ— অতৈ অমদা লেত্তে হাংবরস্থ কায়দ্রে। অহুনা দ্বারকা অসিদা লৈর, বৃন্দাবন অসিদা লৈরে, বদরিকাশ্রম অসিদা লৈরে হায়হনা অকরুবা মফম অংবু তাকপা, অমদি উবা অহুগুম্বা তাকপা যাবা উবা য়াবা বৈকুণ্ঠ ধাম নত্তে। হায়রিবা বৈকুণ্ঠ ধাম পুম্নমক অহু থম্মোয়তনা ওইহনগনবনি। খম্মোয়নদা লৈ হায়বনি। দ্বারকা বদরিকাশ্রমনাচ দা মপাংগী মীৎনা উরবা ধামশিং অসিদি লৈপাক লৈপাক্কী চউমান্ তরেক্কী রূপা ধাম ওইবনা আধিভৌতিক শামওক্কন। বৈকুণ্ঠধামদি অধ্যাত্মক থংনি। (কালাচাঁদ)

* বুদ্ধদেব মহাক মশামক্না বৌদ্ধধর্ম চংপনত্তে। মহাবীর মশামক্না জৈনধর্ম চংপা নত্তে। যীশু মশামক্না খ্রীষ্টধর্ম চংপ নত্তে। ধর্মশং অসিদি ভরংনহাত্তু লৌদোকখিবনি। বুদ্ধদেব, মহাবীর, যীশু মখোয় মশা মশাগী কায়র ধর্মনা হায়বত হায়ম থওদোকখিংদবনি। বুদ্ধ শীতু হাংনা হন্নরমদবা বুদ্ধদেব মশানা চংলমদবা ভরাংতগী বৌদ্ধ ধর্ম অসিবু বুদ্ধদেববু তুংশিন্নবিরবা মিনা কয়িগী চংলি! অমগমংস্থ শিন-খিবসি ধর্ম মায়বা মখোংতননি। মতাং অসি। ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণ মশানা চংপা ধর্মদ অর্জুনদা অস্তুম তাক্লি:— অর্জুন! মহাশান্তিগী মশক ওইরবা ব্রহ্ম হায়বহুমক ঐগী ধর্ম, ঐগী ধর্মনি মিন। অহুনা ঐনা চংপা ধর্মদি ব্রহ্মধর্মনি। মপানগী তোঙাল তোঙানবা ধর্মশ অতনা মখুং মমিংদা তোঙাল তোওম লৈরবস্থ কৃষ্ণ ঐনা তৌখিব, তৌরবা লৌগদো হবা ধর্মশিংহু ব্রহ্ম ধর্ম হুদগী খুবৈ নাম নাঙ্গে কহকত্র। নাঙ্গোকপবু চুক্ত কৌই, নাঙ্গোক্তবনা অচ্যুত কৌই। অহুমক্তনস্থ ঐগী মিং "অচ্যুত" হায়নেহ্ কৌই। বস্থ বশাগী

পৃথিবীনভসী চোক্তে বিক্রান্ত বিশ্বতোমুখে। তয়োঃ সংধারণার্থং হি মামধোক্ষজমঞ্জসা ॥৮২॥

নিরুক্তং বেদবিদুষো বেদশব্দার্থ চিন্তকাঃ। তে মাং গায়ন্তি প্রাগবংশে অধোক্ষজ ইতি স্থিতিঃ ॥৮৩॥

অধঃ গী অর্থনা পৃথিবী, অক্ষ গী অর্থনা আকাশ অদুগা জ গী অর্থনা পুবা (হেনবা) হায়বনি। পৃথিবী গা আকাশগা অনী অসিদ সর্বতোমুখীনি। মসিগী মমায় ওনবনি। অনী অসিবু ঈরায় লানা পুই হায়বগী দমক ঐবু "অধোক্ষজ" হায়না কৌনৈ।৮২॥ বেদদা য়াওরিবা শব্দশিংগী অদুগা শব্দশিং অদুগী অর্থগী মরমদা কুপ্প নৈনারিবা বিদ্বান পণ্ডিতশিংনা যজ্ঞ শ লাগী মমাঙথংবা শরুকতা কমদুনা ঐগী অধোক্ষজ হায়বা মিং অসিবু শোল্ল পোল্লদুনা ঐগী গুণ কীর্তন তৌই। মরম অদুনা অধোক্ষজ হায়বাসি ঐগী প্রসিদ্ধ ওইবা মিংনি মথুংদা অমনি মহাকী কুপা (থৌজাল) দগী জীব না হৈখাতাখিগদবদগী জীব অদুবু মহাকনা (হায়বদি ঐনা) অমুক হন্না লৈখা তারব হেহদগী যুক্তংপিরকই অন্সুম হুয়না "অধোক্ষজ" হায়ব শব্দসিগী হাৎপজি তৌকনা ঐবু কনাকন্তুন্না শব্দন্থান লৈবশনা অধোক্ষজ হুয়না কৌনৈ ॥৮৩॥

ধর্মদগী অচুম্বা ওইয়ু মাদুদগী হবেনাম কান্থোক্কনু। মরুহা তেক্ত তৌরব বর্মাশিং অদু ব্রহ্ম ধর্মগী মথক্ত লেপ্তহনা লৈক্তনা তৌ। বর্মশিং অদো ব্রহ্মগী পোকাংবমক্তন! ব্রহ্ম ধর্মবু চপশ্চ নমামক ব্রহ্মনি; সাকার ব্রহ্ম মূর্তিনি হায়না ঐনা লৌগনি। নগী ক্ষত্রিয় ধর্মদু পাঙ্গা। বৈশ্যগী শূদ্রগী অন্তমনা হৈপাল লৈপাল শাস্ত্রগী ধর্মশিং অদুনা ঈপাক্তা তাসবা তুরেল অমগুম্না চেম্পাংক অদুম্না পুইদুনকম ওইবদু ব্রহ্ম কৌনি। অদুন ক্ষত্রিয় নগাক্ত মমস্ত, ব্রহ্মণ নহক্তা ধর্মদু শূদ্রনা ক্তা ধর্মদু ব্রহ্মধর্ম ওইগনি। ভগবন্না তাকপিরিবশিংগী ভবতি জৈনধর্মনা ব্রহ্মধর্ম নওবনা জৈনধর্মবক্ত্ন্যা ...না মশাগী জৈনধর্মদু বৌদ্ধ ধর্মনা তিলগনব মমে (কলাচাঁদ)

৯ ভগবান্‌গী তত্ত্বখিনশিংনা ভাবান্ মশামক্তা তত পিবতনত্তা ভগবান্‌গী নামশিংদো য়ওরিবা মমেক থাম্বোক অমসুমগী অর্থ অদুগা পুরিবা মম্ত গী ভব দাস পুম্ন ক কোইনা থৈর ... থবক তৌদাক অমমমদগী থোনখিবা অদু। মশানা ওইরিবা মিং মক্তনিনা মিং অদুগী মগী দা যাওরবা মমেং মশোল পুম্নমক্তা তত্ত্ব বিবি। মহাজ্ঞানী মুনি ঋষি কয়া কয়ানা মানা মাগী পামজবা মিংশিং অদো শাস্ত্র শরুখিবা লীলাগী মতু ইন্নঃথানখিব হাকুনি। 'অধোক্ষজ' হায়বসী মমুদা অ–ধো–ক্ষ জ অম্সুম হায়না মপুন মরি থোক্তা ককথংলবা অর্থ পুথোকপিদম্ত য়াই। অসিগী মমুদা অমুমম্ত অধ উক্ষ+জ অম্সুম পুথাক্তদুনা উত্তেন তাক্তানবা অর্থ অম পুথোকপা য়াই। অন্সুম তৌনা কেশব হায়বসিদ্ত ক+শ+ব হায়না অমক, ক+ঈশ+ব অম্সুম হায়বা অম, কেশ+ব অমম হুয়ন অমক, ক+শব হুয়ন অমুক পুথোকপা য়াই। পুথোকপা খুদিংগী তোক্তক তোক্তনবা অর্থ অমম থোকনি। অন্সুম নৈরব সদুম্ন ভগবান্‌গী মন্ত্র নৈনবগী মন্ত্র চরি। অদুবা, ব্যাকরণ গী মমুদা মমেক অমমগী থাম্বোক, সন্ধি সংসং বিবা ওরিবা, কেনরিবা পুম্নমক শ্রীভগবান্‌গী তত্ত্ব নাওতনা নৈংগে পুথোকে হায়বগী দমক্ত। প্ররণ অমনা অমুক হায়রগা পরমেশ্বর দা পর+মে+শ্বর, প+রমা+ঈশ্বর, পর+মেশ্বর, পরম+ঈশ্বর অন্সুম তৌনা মও জাং—জাং পুথোকখিবা য়াই। পুথোক পুথোকপা অর্থ খুদিমক ভগবান্‌গী গুণ কর্ম খিবকপু শীংথবা ওক্তনি। অরেম্বা থবক নত্তে। মিং মরাম অসি শ্রীভগবান্ মশামক্তা থোনখিবা মিং অমত য়াওদে। জ্ঞানী ভক্ত শিংবা থোনখিবা মক্তনি। (কলাচাঁদ)

(অধো ন ক্ষীয়তেহস্মাৎ তস্মাদ্ধ্যানে হ্যধোক্ষজম্) শব্দ একপদৈরেব ব্যস্তৈঃ পরমর্ষিভিঃ।
নান্যো হ্যধোক্ষজো লোকে ঋতেনারায়ণং প্রভুম্ ॥৮৪॥
ঘৃতং মমার্চিষো লোকে জন্তূনাং প্রাণধারণম্। ঘৃতার্চিরহমব্যগ্রৈর্বেদজ্ঞৈঃ পরিকীর্ত্তিতঃ ॥৮৫॥
ত্রয়ো হি ধাতবঃ খ্যাতাঃ কর্ম্মজা ইতি তোমতঃ। পিত্তং শ্লেষ্মা চ বায়ুশ্চ এব সঙ্ঘাত উচ্যতে ॥৮৬॥
এতৈশ্চ ধার্য্যতে জন্তুরেতৈঃ ক্ষীণৈশ্চ ক্ষীয়তে। আয়ুর্বেদবিদস্তস্মাৎ ত্রিধাতুং মাং প্রচক্ষতে ॥৮৭॥

কনাকনাগুম্বা মহর্ষি জ্ঞানী শিংনা "অধোক্ষজ" হায়বা শব্দ অসি তোঙ্তান তোঙ্বা পদ অহুমগী সমুদায় (মপৈ) নি, সমাস নি হয়। "অ" গী অর্থনা থৃংগী তুনকম হঞ্জিল্লকম হায়বনি। "ধোক্ষ" গী অর্থনা ওঙ্কুকম য়েংক্রকম হায়বনি। "জ" গী অর্থনা পেক্রকন হায়বনি। অহুননি, অহুম পুনগা পোক্লকম, তুংনকম, হায়বগী অর্থ থোক্নি। অদুনা শ্রীভগবান্ নারায়ণ নত্তনা সংসার অসিদা অধোক্ষজ ওইবিনসে কনা অমত্তা লৈতে ॥৮৪॥ ঐগী স্বরূপ ওইবা অগ্নিগী মৈকম ওই। ওইবা মী হকচাংগী মোয় ৫ মনা, চাও খংননবগী মপক ওইবা ঘৃত (ঘী) না ঐগী অধিভৌতিক স্বরূপ ওইবা অগ্নিদবগী মচিস বু হায়বনি, মড়ান (মৈরি) বু যজ্ঞকুণ্ডগী মঙংনা চাওখংহল্লি, মৈরি থোক্ল চাকখংহল্লি। অদুগী দমক্তা বেদজ্ঞ ওইবা ব্রাহ্মণ বিদ্বান শিংনা ঐবু ঘৃতার্চি হায়না কৌই ॥৮৫॥

হকচাং অসিগী মনুংদা কফ বাত পিত্ত হায়না কৌবা ধাতু অহুম লৈ। মখোয় অহুমসু কর্ম্মগী পোকখিবনি হায়না লৌই। মখোয় অহুম অসিনা মপৈ অদুবু ত্রিধাতু হায়না কৌই। ধাতু অহুম অসিনা হকচাং সুদা লৈনা জীব (জীবাত্মা) না জীবিকা ফংহুনা হিংনব হায়হুনা ওইহুনা লৈরিবনি। মখোয় অহুম অসিগী মাত্রানা হন্থরক্লগা জীব (জীবন) সু ক্ষীণ ওইরকই শোক্থহন্থরকই। অহুম অসিবু আয়ুর্বেদগী বিদ্বানশিংনা ত্রিধাতু হায়না কৌই * ॥৮৬—৮৭॥

---

* কনাকনা গুম্বনা অদুগা মী অগাম্ব-সু জীবত্মা হায়বস খুংনা পায়বা য়াবা মীংনা উবয়াবা পোক অম ওইনা লৈরগুম থৈ। জীব হায়বগী অর্থ বু হিংবা হায়বতনি। জীব ধাতুগা অচ প্রত্যয় তাগা জীব হায়বা শব্দ অদু অতুম পোকই। জীবতি ইতি জীব অসিতনি অদুনা হিংদুনা লৈরিবমথৈ জীব লৈ। প্রমাণ অমদা হায়রসা চংপা হায়বা থবক অদু লৈরিবমথৈ গম (গম + অচ) হায়রক্ল লৈ হায়জবনি। অদুনা হকচাংসিবু শিংকলগা নত্রগা বক্লগা জীব থক থেংরোই। তি জিবমথৈদা লৈগনি। হিংদুনা, লেঙ্ঙত্নুনা লৈরিবদ্রা জীব হায়ব'স জীব অমুনা জীব হায়রনি কর্ম (থবক) অমগী মমিংনি। চংশিবমথৈ চংপা হায়বা থবক (পোং) অদু লৈ, চত্রগা লৈত্তে অদুমনি। চৈঞ্জক অদু অদুম চাত্তনা লৈরগা হিংবা হায়ব থবক অদু অমে মরৈ। যেকহায়বা থবক অসনা লৈরিবমথৈ দৃষ্টি দর্শ, দর্শ হায়বদু অদুম মরৈ। ঐনা পোং অমবু উবি। উবিবা পেং অদুবু উরবদি য়েংবা হায়বা থবক মশ হুমকপুনি ঐ জিদি (অহং জীবামি) হায়বদি উবি থঙ্লি হায়বনি অদুগা উবিবরসু লেঙ্ঙংলিবা হকচাং অদুতবুন। হিংবা (জীবন—জীব—জীবাত্মা) হায়বহুমকপুদি উলাকপা পোংনদ্রে। শগোম্বা চেনবদি উই। উবিবদুন

যুষ্মাহি ভগবন্ ধর্ম: শ্রোতোলোকেষুভারত। নৈষণ্ট্কপদাখ্যানে বিদ্ধি মাং বৃষমক্ষয়ম্ ॥৮৮॥

ভরতনন্দন ! অর্জুন ! লোক পুম্নমক্তা ভগবান্ ধর্ম বু বৃষ হায়রগা থজনৈ। বৈদিক শব্দগী অভিধান-দা বৃষ শব্দগী অর্থদি ধর্ম হায়না লৈ। অহুনা ধর্মগী মশক ওইবা বাসুদেব ঐবু বৃষ হায়নমু কৌই ॥৮৮॥

শগোল কৌবা সাংসপিত্ত অহুতবুনি। চেনবা হায়বা পোং অহুবুদি উ লাকপা পোংনত্তে। চেনবা হায়-বতুদি কর্ম অমগী মমিংনি। অহুনা জীব হায়বসিত্ত কর্ম অমগী মমিংনি। অসুম্মা লৈরিবা জীব (হিংবা) হায়না কৌবা থবক (কর্ম) অসিগী চৌক্তাক অহুরনি। চৌক্তক অদা অহুনা জীব (হিংব) হায়না কৌবা কর্ম অহু লৈবায়বিরনি। অহুম্মা হিংবা হায়বা কর্ম অদিগী চৌক্তকতি মম মুশিং, লৈশাক অহুম অসিনি। হকচা মুংদা লৈব মৈ (অশাশ), মুশিং (মুশাপোব) লৈশাক চেং হগাইনচিব) অহুম অসিবু য়াম্ম লৈমী লৈনিংনা চারি থকজিংথৈ জীব (হিংহুনাইবা) হায়বস অপ্ ফানা লৈ। ধাতু হায়বদি ডাকশেমহুনা যেকথত্তুনা পুক্তনা লৈবা হায়বতনি। ধাতু ধাতু বিধাতা মশা অমতনি। মরম অহুনা জীবগী থাজৈ শোংবা ধাতু (বিধাতু—বিধাতা) অহুমনি। মখোয়হুবু ত্রিধাতু কৌবতনি। (কালাচাঁদ)

ঃ ঐনা জগৎকী কর্ত্তানি, মক্ষর পুম্নমক শীস্থুনা লৈরিবনি ········· অদিনচিংব হর্থাক্তকসিদা অডাবা কনা কনাগুমগী পুক্রীশা চিনবা চিংনবা থজংব, করেম্নৌব অহুগা নেক্রৌং অসিনচিবনি ফেক ফেক পোকই। অর্জুনদা শ্রীকৃষ্ণনা জ্ঞান তাকপা মতমদা ঐবু থাজৌ অসিংচিংব, রৈংশিদি শী জংরি। কনাগুম্বা নৌমনা ঈমুদগী রা ডাকলক্লিরহ অহু মুর অহুগা ঈমু ফক্ত না অহুগা মুর মশা-হুমক্তা অহুগা মুর অযবক কেমনা হায়রকপা নত্তে। মতৌ অদুগুম কৃষ্ণদ যুংগী মংক ওইরবা কৃষ্ণ কৌশিক্লিবা হকচাং অসিনা করিগুম মরম লৈংহন্দুনা হায়দাবকপ ডম্ম। হক্তাদগী মাংবদা অকোয়বদা লৈরিবা আকাশ অহুগী মদুদা লৈরিবা শব্দবু তাহল্লহপনি অদুবু—মহাক্কী ময়াদি লাউরকপা ডাহলক-পনা হকচাংগী রাংমদগী হায়দোক্লগা তাহনব মতমদদি অতাব শব্দবু হকচাংমহু হুদগী হডলক্লিংশাই নীডহল্লি। হকচাং নত্রেগা চক্ষুগী রাংমদা লৈরিবা আকাশ অদুদগী ডলক। শব্দবু হকচাং অমদি চক্ষু অহুমক্তা লাউরকপাই তাহল্লি। মাসনি ভগবান আত্মা (পরমাত্মা) মাগী ময়া লালা হায়রবু। কৃষ্ণ কৌশি-ক্লিবা হকচাং অদুগী মহদা লৈরিবা কৃষ্ণ মুগী আত্মাদি হকচাংহু যাওদনা লাউবকপ ডাওলকপা ডম্মি। অদুগুম্ব ওম্ব আত্মা ঐদি সর্ব্বাশকান, জগৎকী হর্ত্তা কর্ত্তানি অসনচিব হায়দে ক্লকপদা অথত্তবাশিংনা চিংনকম থোক্লে। হকচা যাওদনা, হকচাসিগা কয়গুম্বা মরী অমত্ত থমদনা আত্মা মশা মংত্তনা ডাও-লকপা তাগে হায়না। থক্লবদি শ্রীকৃষ্ণনা ডাওলকপা পুম্নমক আত্ম (পরমাত্ম) না মশাংক্লা ডাওলকপনি হায়না তাগদবানি। কৃষ্ণ ঐত্তং জগৎকী মপুান হায়রংত্তু কৃষ্ণ কৌবা কুহোংমুদা লৈরিবা আত্মাসনা আত্মা ঐদি জগৎকী মপুান হায়াং হায়না অহুম তগৎবান। অহুমকনা শ্রীকৃষ্ণনা তাকপা গীতাগী জ্ঞানগী উপদেশশিং অদুবু ব্রহ্মজ্ঞা (ব্রহ্মগী জ্ঞান) হায়নবিবান। কৃষ্ণ ঐ। ডাদাজংনি অসুগা থজুনা তাগ-দবনি হায়না ডাকিস্থ তাকশিত্র হচা শাহিবা হেওবা চাউবা কৌবা হকচাং মুদা লৈরিবা আত্মাত্তুনা ডাক্লহুবু মচা গোপাল কৌবহুনা ডডশিবানি হায়না তাগনু হায়ন ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণনা তাকশিবানি।

(কালাচাঁদ)

কপি র্বরাহঃ শ্রেষ্ঠশ্চ ধর্মশ্চ বৃষ উচ্যতে। তস্মাৎ বৃষাকপিং প্রাহ কশ্যপোমাং প্রজাপতিঃ ॥৮৯॥
নচাদিংন মধ্যং তথাচৈব নান্তং কদাচিৎ বিদন্তে সুরাশ্চাসুরাশ্চ।
অনাদ্যোহ্যমধ্যস্তথাচাপ্যনন্তঃ প্রগীতোঽহমীশোবিভুর্লোকসাক্ষী ॥৯০॥
শুচানি শ্রবণীয়ানি শৃণোমীহ ধনঞ্জয়। নচ পাপানি গৃহ্ণামি ততোঽহংশুচিশ্রবাঃ ॥৯ ॥
একশৃঙ্গঃ পুরাভূত্বা বরাহো নন্দিবর্ধনঃ। ইমাং চোদধৃতবান্ ভূমিমেকশৃঙ্গস্ততো হ্যহম্ ॥৯২॥
তথৈবাসং ত্রিককুদো বরাহং রূপমাস্থিতঃ। ত্রিককুৎ তেন বিখ্যাতঃ শরীরস্যতু মাপনাৎ ॥৯৩॥

ঐবু বৃষাকপি কৌখিবগী মরমদি কপি শব্দগী অর্থ বরাহ (ওক্) অমসুং শ্রেষ্ঠ (অথোইবা) অমী অসীনা অথোইবনি। খাইদগী অথোইবা বরাহগী মূর্তি লৌদুনা পৃথিবী-থাংগৎপনাচিংবা কর্ম তৌখিবদগী ঐগী বৃষাকপি হায়বা মিং অসি মহর্ষিশিংনা থোনবিখিবনি ॥৮৯॥ ঐ অসে, অর্জুন। জগৎপুম্বগী সাক্ষী, ঐনা উদবা লৈতে সর্বব্যাপী (মকম পুম্বদা য়োউবা) নি। কনাগী পু ই তিংচাব পুমমক্, ঐ হৌ অহৌবা, মরক অমসুং অরোইববু করিমত খঙদে। অদুনা ঐবু অনাদি (অহৌবা লৈতবা), অমধ্য (মরক লৈতবা) অমসুং অনন্ত (অরোইবা লৈতবা) কৌই ॥৯০॥

ধনঞ্জয়! অশেংবা, অরানবা য়াওদবা, তাবা য়াবা তাবদা মতীকচাবা শব্দক অমুক ত ঐনা তায়, পাপকী শব্দক য়াওবা, পাপনা থল্লবা তাইদবা ব্রাহ্ ঐনা করিগুম্বা মত তাদে। মরম অদুনা ঐ হী মিং শুচিশ্রবাঃ হায়নসু কৌই * ॥৯১॥

মমাংদা ঐনা মচী পানবা বরাহ (ওক) কী মশক লৌ ন পৃথিবীসিবু ঈমুংদগী থাংগৎখি, লৌখৎখি। মতম অদুদা জীব পানবা পুম্বা চরাও শু ভাংখি। অদুগীদমক্ত ঐবু একশৃঙ্গ হায়নসু কৌনৈ ॥৯ ॥
ওক্কী মশক লৌরবসু ঐগী ভৌরবা ওক (শ্বেতবরাহ) গী ককচাংদ না পন্দা মরাম অকম ত্তো শকুনা লৈখি।

* ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী "শুচিশ্রবাঃ" হায়না খেনবা মিং অসিবু ঐখোয়না আহং য়ু পিন্দা থক কার্তিকম খোক্তে। অশেংবা অচুম্বগী শব্দক অমুত মতাম" হায়রিবসি ঐখোয়না কাউকম লোক্তে। মী অমনা অশুদ্ধকপা শব্দকপা অমু লোইনা তাগদবনন্তে, অমসুং ঈতাতাদনবা তোকপসু নাক্ত "মী অমবু হাৎননবগী মতমনা মীগী মপোৎ লুনা থমজবা অমবু হুরানবগী থবক্ত মতৈ য়ানগে হায়না বস্ নিদনবগী দমক্ত মমা মপাগী নত্তপা ভগবান্গী সেবা পূজা তৌগদবনি।" হায়বা পাউশাক রা অচিগী মমুদা য়াওবিবা "মমা মপাগী সেবা নত্তপা ভগবানগী সেবা তৌগদবনি" হায়বা পবিত্র ওইনা শুচি ওইবা শব্দক অসিত ভগবাননা তাবি, লৌরি। "মী হাৎননবা মীগী পোৎ হুরায়বা" হায়বা অমাংবা শব্দক অসিদি ভগবাননা লৌদে, তাদে। অমুবু অমাংবা পোৎ খিক্তংগা তিন্নখিবদা গঙ্গাজল অমুম ভগবাননা লৌদে হায়বা অর্থ অমসু "শুচিশ্রবা" হায়বা মিং অসিনসু অমুম কৌউদোক্লি। অমনদি থেন্দোককম ঈশ্বরক্লেত্রবা রা অকুত ভংলবদ ভগবাননা কয়া তুংশিন্দিনা তাবিগবা। খোম্মোকলায় হায়দোকপসু অমাংবা ব্রাহ্মী মম্পুংচম্লি। অদুবু ভারুংলোয়নবা থম্মোয় শেংনা হায়দোবক্রবদি শামুনা লাউরুকপা খোম্থাক অমুবু মরেক লৌ না ভগবাননা তাবি। মাসি, পাঙ্গোমোকপী মতাংদন শ্রীভাগবত তা য়াওরি। (কালাচাঁদ)

বিরিঞ্চি ইতি যং প্রোক্তং কাপিলজ্ঞানচিন্তকৈঃ। সপ্রজাপতিরেবাহং চেতনাং সর্বলোককৃৎ ॥১৪॥
বিদ্যাসহায়বন্তং মামাদিত্যস্থং সনাতনম্। কপিলংপ্রাহু রাচার্য্যাঃ সাংখ্যা নিশ্চিতনিশ্চয়াঃ ॥১৫॥
হিরণ্যগর্ভোদ্যুতিমান্ য এষ চ্ছন্দসিস্তুতঃ। যোগৈঃসমপূজ্য নিত্যং স এবাহং ভুবিস্মৃতঃ ॥১৬॥

অহুনা ঐবু ত্রিককুট হায়নস্থু কৌনৈ ॥১৩॥ কপিল মুনিগী সাংখ্যশাস্ত্রগী তত্ত্ববু মুম খঙবা বিদ্বানং জ্ঞানী শিংনা ঐবু বিরিঞ্চ কৌই। লোকপুম্নবু সেম্নুনা শেম্লিবা প্রজাপতি বিরিঞ্চ হায়বসু ঐমক্নি। মরমদি ঐনা অচঙচস্ত জীবপাব থুদিংমক্তা চেতনা শক্তি পী ❀ ॥১৪॥

তত্ত্বখঙবা সাংখ্য শাস্ত্রগী আচার্য্যশিংনা ঐবু আদিত্য মণ্ডলদা লৈবা, বিদ্যাশক্তিনা তিন্নবা সনাতন দেবতা "কপিল" নি হায়না খঙনৈ ॥১৫॥ বেদসংহিতা পুম্নমক্তা মহাক্কী স্তুতিগান তবু নীংথিন শরু

❀ ভগবান্‌গী মিং থুদিংমক মপানগী অর্থ অমা, মসুংগী অর্থ অম, অনী অনী লৈ। তাইবং মী অসুগা শা, ঙা, উচেক হৈপাল লৈপাল পুম্নক্কী হৌরককম অসুগা চঙথিকমদি ভগবান মহাক্না অসুম মওইবাননা মখোয়শিং অসিগী অমমমদা ভগবান্‌না চঙ চঙহুনা লীলা শান্নৈ। অহুনা, উগী মসুংদা সনাখো নাং ঐনি, উচেক্কী মসুংদা গরুড় ঐনি—অসিনচিংবসি গীতাদসু অসুম মহায়রি। অহুনা ওক্কী হকচাংদা চঙহুনা শাম্নর-বস্থ গরুড়গী (লাওজা) গী হকচাং মসুংদা শাম্নবস্থ শাম্নবতদি মহাশক্তিমান অমা ওইনা অসুম মশাৈম। ওক্কী মশক লৌহুনা শাম্নরবস্থ য়াতোন্দা পৃথিবীবু হাপ্তুনা পুথোকপাসি করম্না অচম্বা এক্তা ভূমগদগে অচম্বা গরুড় অমনা জগৎ পুম্বগী হৌরককম বিশ্বম্ভর ওইবা ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুবু করম হায়না মনঙন্দা চাপ্‌না পাই-গদৌরিবনো। মশানা মশাবু পুজবনি। মেদিনীপতি (পৃথিবীগী মপুবোয়বা) শ্রীবিষ্ণুনা মহাক্কী লোম্ব-নবী পৃথিবী হুত্তনা ইমুংদা পুথখিবা হিরণ্যাক্ষ কৌবা হিংচাববু হাত্তুনা উদ্ধার তৌবা পুথৎলকপা) অহংগা সীতাবু হুহুনা পুখিবা হিংচাব রাবণবু হাত্তুনা লেংয়নবী সীতাবু উদ্ধার তৌবা অহুগা থোইনা খেম্নদবনি। আধ্যাত্মিক বিচার দসু ওক্ কৌবা মশাগী হকচাংদা লৈবা আত্মা গা মী গী হকচাংদা লৈবা অংত্মাগীদ মশা অমতনি। অহুনা ওক্কা করম হায়না অসুক চাউবা পৃথিবীবু পুখৎলকদৌরিবনো হায়না অঙা ওম্না চিংন-রোইদৌবনি। ভগবান্ মহাক্কী সৃষ্টিসিদা তম্নুনা উরি—মাস্তুদি পীক্রবা নৌববা উরী মশা মচা অমনা ওম্থোক্না চাউরবা লুম্নবা মাগী মহৈবু পুরি। পীক্রবা লোংশা মচা অমনা চাউরবা শামু অমবু হোই হোই লাউনা হাইগত্তনা পুরি। অহুনা ভগবানগী বর্ম শক্তিগী লীলা পুম্বা মপানগী মাগী খুংলেম অসিদা অসুম্না ঈকায় কায়দনা উৎলি। মীওইবগী হকচাংদা চঙহুনা মীওইনা অবতার তৌহুনা শান্নরিবা লীলা তৌরিবা থবক অহু অতোপ্প অচুম্ব তাইবং মী অমনা ওমগদবা নত্তে। ওক কী হকচাংদা চঙহুনা ওক ওইনা অবতার তৌহুনা শান্নরিবা লীলা তৌরিবা থবক অহু অতোপ্পা অংম্বা ওক্ অমনা ওমগদবা নত্তে। মীওইবা ওইনা শান্নরবস্থ অঙাং অম ওইনা ভগবান্‌না শান্নবা লীলা অমদি থবক অহু অচম্বা তাইবং মী অঙাং অমনা ওমগদবা নত্তে। ভগবান্‌না যশোদাগী মচা শাহুনা চটী নিপাস্তুগী ওইবা অঙাং অহু চীংবু তয়েংনি থাংগৎখিবা অহু অঁচম্বা তাইবংমী অঙাং অমনা ওমগদবা নত্তে। পীক্রবা চীং নাচল অমনা চাউরবা চীঙ লাইবুঙ্গ হাংলি। চীঙ নাচল শাহুনা লৈরিবা আত্মা অহু ভগবান্‌নি। অহুনা ভগবান্ গী অবতারশিংদা লৈরিবা ওক্কী, থেঙ্গুগী, ভাগী, অবতারদা শান্নখিবা লীলা থিবিক্তা চিংনরোইদৌবনি। (কালাচাঁদ)

একবিংশতিসাহস্রং ঋগ্‌বেদং মাংপ্রচক্ষতে। সহস্রশাখং যংসাম যেবৈবেদবিদো জনাঃ ॥৯৭॥
গায়ন্ত্যারণ্যকে বিপ্রামদ্ভক্তাস্তেহিদুর্ল্লভাঃ। ষট্‌পঞ্চাশতমষ্টৌ চ সপ্তত্রিংশত মিত্যুত ॥৯৮॥
যস্মিন্‌ শাখা যজুর্বেদেঽহমাধ্বর্যবে স্মৃতঃ। পঞ্চকল্পমথর্বাণং কৃত্যাভিঃ পরিবৃংহিতম্‌ ॥৯৯॥
কল্পয়ন্তি হি মাং বিপ্রা অথর্বাণ বিদস্তথা শাখাভেদাশ্চ যে কেচিৎ যাশ্চ শাখাসু গীতয়ঃ ॥১০০॥
স্বরবর্ণসমুচ্চারাঃ সর্বাস্তান্‌ বিদ্ধি মংকৃতান। যৎ তদ্ধয়শিরঃ পার্থ সমুদেতি বরপ্রদম্‌ ॥১০১॥

শোয়রিবা, যোগী খিবিক্কা মহাক্কী ধ্যানতবু পূক্নীং চঙনতৌরিবা, তেজ কল্লবা হিরণ্য গর্ভ হায়বহু ঐ মক্নি, অতৈ নত্তে ॥৯৮॥ বেদগী ওস্তবু খঙবা বিদ্বানশিংনা ঋচামন্ত্র লিশিং কুনমাথোইনা তিনবা ঋগ বেদ অহু শাখা লিশিং অমনা তিনবা সামবেদ হায়রবহুনা ঐগী মিংনি হায়নৈ ॥৯৯॥ অরণ্যশিংদা (বন শিংদা) ব্রাহ্মণশিংনা ঐগী স্তুতিগানবু য়ায় পূক্নীং চঙনা তৌই। যজুর্বেদগী শাখাশিং অসি য়াংখৈতরুক অমনে, তোঙত্ব নপাল অমনে, কুম্থা তকক অমনে মখোয় অসি পুনাশল্লগা শাখা চামনি। হায়রিব যজুর্বেদগী শাখাশিং অসিনা স্তুতিগানবু তঙনা তৌরি ॥৯৮॥ অথর্বেদী ওইবা ব্রাহ্মণশিংনা ঐবু কৃত্যা, (তৌগদবা তাকপা নিয়ম মখাম) অহুগা শীক্ষিপগদবা প্রয়োগ পুম্নমক্না তিল্লবা অথর্ব বেদ হায়বহু ঐ মক্নি হায়না লৌনৈ ॥১০০॥

কুন্তি নন্দন! অর্জুন! পুম্নমক্ক বর পীনহৈবা হয়গ্রীব হায়না কৌবা অবতার অমা তৌখিবদে ঐ মক্নি, কৃষ্ণ ঐগী অবতারনি হায়না খঙহু ঐ নত্তনা বেদগী উত্তর ভাগদা কৈরিবা বেদ মন্ত্রশু অহুগী ক্রম বিভাগ (ক্রমন হনা থায়দোরকপগী) অহুগা খোস্তোক ময়েকশি গী তোঙান তোঙানা মংদা থায়দোকখিবদো ঐ মক্নান * ॥১০ ॥

---

* বেদ মন্ত্রগী মন্থংদা পদ অমী অমীগী উচ্চারণ তৌরব মথুংদা অহান-অহানবা মমাঙ মমাঙথংবহুবু থাদোক্লমলগা মথং মথংদা লাকপা পদ অহুবু হায়গী পুর্বক্লবা খোস্তোক খোঙ্গাংহুগা মশা অমত্ত ওহনাখহুনা পদ অমী অমীবু মশা অমত ওহনা অসুম পাঠ তৌরকপহুবু ক্রমাংভাগ হায়না কৌই। খুদম ওইনা হায়য়বদা- "অগ্নিমীলেপুরোহিতম" ⋯ হায়বা অসিবু "অগ্নি মীলে পুরোহিতম পুরোহিতম যজ্ঞস্য ⋯" তনসু মহায়না অকোনবা "পুরোহিতম" হায়ব পদ অসিবু অনীরক উচ্চারণ তৌরগা মথাদা লাক্কদৌরিবা পদ অহুগা অমুক খোস্তাং অমতদা শমুহনগদবনি। মাসিবুনি সংহিতাপাঠ শায়রিবসি। পদ মশা অমত য়াওরিবা খোস্তোক পুমযেক খুদিংগী তোঙান তোঙান থায়দোক্তনা পাঠ তৌবা অহুবুনা অক্ষরবিভাগ কৌই। মাহু "অগ্নিমীলে" বু "অগ্নিম্‌ ঈলে" হায়ন তোঙান তোঙান উচ্চারণ তৌববদি মহুগা "সহস্রশীর্ষ" বুমংস্র শীচরেখা অসুম্না উচ্চারণ তৌরবদ মহুবু অক্ষরবিভাগ কৌর অসংগুম্ন নিয়ম অসিবু ভাক্ত বেদপাঠ তৌগদবানি। নিয়ম নাইনা খোস্তোক হুমুক্ত্রুথৈ রাবৈগী অর্থবু নাথৈশেংন চুম্ন থারকউ হায়বা য়ারোই। অদুগা অর্থ খঙদনবু বেদপাঠ তৌবসিসু খোইদোকপা মহৈ অমতা লৈতে। অর্থ অহু ময়েক শানা পুথোকননবা ক্রমবিভাগ অক্ষরবিভাগ নিয়ম অমী অসি থমপ্রবনি। ঐখোয়গী মীতৈয়োলদসু "তাঙ্গল" হায়বাসবু অক্ষয়

সোহহমেবোক্তয়ে ভাগে ক্রমাক্ষরবিভাগবিৎ। বামাদেশিত মার্গেণ মৎপ্রসাদা-মহাত্মনা ॥১০২॥
পাঞ্চালেন ক্রমঃ প্রাপ্তস্তস্মাৎ ভূতাৎ সনাতনাৎ। বাভ্রব্য গোত্রঃ সবতো প্রথমং-ক্রমপারগাঃ ॥১০৩॥
নারায়ণাৎ বরং লব্ধ্বা প্রাপ্যযোগমনুত্তম্। ক্রমং প্রণীয় শিক্ষাংচ প্রণয়িত্বা স গালবঃ ॥১০৪॥

মহাত্মা পাঞ্চাল হায়বঙুনা বামদেবনা তাক্লস্বা ধ্যানমার্গত্তগী মতুং ইন্ন ঐগী আরাধনাবু পূক্লীং চঙনা তৌহ্নুনা সনাতন পুরুষ ওইবা (আত্মা) ঐগী কৃপাদগী মহাক্লা বেদগী মন্ত্রশিংদা য়াওরিবা ক্রমবিভাগ কা জ্ঞান অসি ফংখি ॥১০২॥ বাভ্রব্য গোত্রদা পোকপা মহর্ষি গলিবুনা ভগবান্ নারায়ণগী মফমদগী বর অমদি অথোইবা যোগসাধনাগী পদ্ধতি (নিয়ম) অসি ফংহুনা বেদগী ক্রমবিভাগকী শিক্ষা অমা শেমহুনা ঈহান হান্‌বদা ক্রমবিভাগকী জ্ঞান অসি মহাক্লা ঈহান হায় ফংখি * ॥১০৩ ১০৪॥

বিভাগ তৌহুনা ভাগ-অহল নত্রাপা তাদ + হল অম হায়না খোস্তোক হল্লবনি অর্থ অহু ঈরয় লায়না চোং-থোরকই। অগুগা আসগী মনেম অরাং হায়বা অমস্ত লৈরি। মসিগী অর্থবু থোকহল্লনবগী লাররবা খুং-লায় অমনি। (কালাচাঁদ)

* বেদগী মন্ত্রশিংগী মন্নুদা য়াওরিবা পদাশং অসিগী তশেং তশেংনা খাদেক করম হায়না পীগদগে হায়না খন্নবগী রা ভাকুস্তু নত্তে। তাহবং মীওইবা ঐখোয়গী ঐগী ঐগী জাতিগী ঐগী ঐগী ভাষাগী খোস্তোকশিং অসদা য়াওরিব য়াইশি অমমমগী খোস্তোক অসি করম হায়না পাগদগে অতুগা ময়েক খোস্তোকশিংগী মন্নুদা ৎংনবিব য়াইতোং, অমুগী মন্নুদা অমগমগ কৌপোক কৌশিন তৌনবা মতমদা মতমদা চাওপোক চাপশিন তৌনবিবাস ঈহান হল্লবদা কনানা হায়রস্বা হৌদোক্লস্বা হায়বগী বিচারসিংদু তৌনবা ঈরা য়াদে। খুদম ওইনা হায়রবদা "ঈশিংদা" হায়বা পদ অসিবু পাবদা অমদি হায়দোকপদা "ঈ শিংদা" হানা ক্রমা ভগ তৌবগা তোওা-ত্তবা অর্থ অম থোকই। অতোগা "থম্বাল শাংলি" হায়না অমা অমুক চপ্থ ক্রম্পদ হল্লগী ক্রমবিভাগ অত্তদা অবেক্লা অমা থনহোত্রবাদ "ঈদা থম্বাল শাংলি" হায়বা ওইথোক্রব অর্থ অম লাকাখংদোর আসগুম্বা সঘর্ষণ অসি লাক্তনবা, লাকহন্দনবা অশুক হায়না হায়দেক্লাবান, অসুম হায়না ক্রমবিকাস পীগদবান হানবগী নিয়ম মীতৈ ঐগী লোন্দ মায়চৌ কনানা থনস্বগে হায়বাস শৌঙক অমনা পাক্ হায়বা—তাকপা ওস্মোই। মসিগী জ্ঞান আস তাহবং মপু মতোন্দগী কনানা ঈহান হায় ফংখিবগে হায়বাস ঐখোয়না খণ্ডকম থোকই মপু মহাক্লা হায় তাকখিবা ক্রমবিভাগ অত্তু কায়না মকম মবাং খণ্ডদব শৈশক শৈরেংনা লৈশি লৈথোক্লবান মপু মহাক্লা ভাবরিগত্রা হায়নদি ঐখোয়না খন্‌কম্ থাকই। বেদগী মন্ত্রশিং অসি অয়াম্বনা কর্মকাণ্ডগী, থবনা স্তুতিগানগীভাক্ত ওই। অতুগীদমক্তো ঈহান হানবদা মাসিবু পুখোক্তে হায়বগীদমক অতুগা গালব মুনিনা শঙ্খ ন অসিবু ফংগে হায়বগীদমক ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী আরাধনা তৌখি। অকবা অকুপ্প বিচার মীমাংসা সিদ্ধান্ত পূন্নমক্ক কল্লকক্লব তপস্যাশিংগী মহৈ ঙাক্লনি। তপস্যা তৌদনবা ঐখোয়না ঈরায় লায়না কংলগা চুপ্পি হায়নস্তু লৌরাইদৌবনি। ঐখোয়না নীলিবা হষ্টদেবশিং অসি অতিংবরা আপবরা, শিত্রবদি মুংশাশোর হোন্নবদি মুংশাশোর (প্রাণবায়ু) অত্ত কনানা শেমখি? মশানা হোন্নবা মশানা শেমজবরা মশানা শেম্বা ওমত্রবদি কনানা শেমখি? শেম্বিরমকবা মহাক অন্থদি ময়াংলা মীতৈরা অসি লেপ্পরগা খোস্তোকী (ক্রমবিকাস)নচিংবগী

কস্তুরীকোঽথ রাজা চ ব্রহ্মদত্তঃ প্রতাপবান্ জাতীস্মরণজং দুঃখং স্মৃত্বা স্মৃত্বা পুনঃ পুনঃ ॥১০৫॥
সপ্তজাতিষু মুখ্যত্বাৎ যোগানাং সম্পদং মহত্তঃ পুরা হ্যমাপ্তঃ পার্থ প্রথিত করুণাত্মরে ॥১০৬॥

কস্তুরীক শাগৈদা পোকপা, খুকল পাঙ্গল্লবা নিংথৌ ব্রহ্মদত্ত হায়বদুনা মাগী মশাগী মপোক্ তরেৎকী রা নীংশিংগুকুনা, মপোক অমুমুক্তা থোকখিবা থৌদোক অহংগা অর্থ অবা, অরা-শুংগ'ই পুন্নমক্ অসুম্ উরক থগুলকুনা, অত্তকূপ ফংলবা বৈরাগ্য ভাবত চত্তখিদুনা যোগসিদ্ধ ওইবা ঐশ্বর্য্যবু ফংখি ॥ ১০৫॥ কুরু শাগৈগী অথোইবা! অর্জুন! মমাঙৈদা করিগুম্বা থৌদোক অমনা মরম ওইদুনা ঐসি ধর্মগী মচ ওইদুনা পোক্উরবনি। অরুংগী তৌনা ঐগী মিংশিংগী মরুংদা ধর্মজ"(ধর্মদগী পোকপা ধর্মগী মচা) হায়বা মিং অসিসু অমনি ॥১০৬॥

অদুগা ধর্মগী রাকম আসিসু মথং মথং মরাহনা লাকচগনি। জ্ঞান ঈতাতাদনা হায় লুতোন্দা চোংথত্তুনা থোক্নোক্নী অমদি ধর্মগী তত্ত্ববু কেম্পগদবা নত্তে। মাদু উদুনা মমাঙৈদা ভারত আর্য্য ঋষিশিংনা মাগী মাগী তোঙান তোঙানবা লম্বী অমমম ফাংলমগে হায়দুনা অকনবা তপস্যা তৌনখিবান। মথোয়দুনা হায়-রম্বা লেপ্পরম্ব অদুমকপুসু কুপ্প নৈনাদ্রবা তপস্যা তৌদ্রিবা ঐথেয়না ঈপণ্ড পণ্ডনা হেক্ক হায়জোক্ লাউথোকদবা নত্তে। আর্য ঋষিশিংগী পুরাণ উপা-খ্যানশিংদা ঐবু নীত্তগে হায়রবদি অহানবদা ভেদভাব থাদোকউ" অদুম হায়না ভগবান্ মশানত্তা তাকখিবগী রা ঈরম্বা য়াওর। ঐগী ধর্ম নংগী ধর্ম হায়দুনা ভেদভাবনা শাদোং ওইদুনা চোংথে রকুনা মীচঙ শঙ্গন য়ম্ম থোমদুনা ধর্মগী তত্ত্ববু শন্দোকলোইদবনি হায়বসি ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা গীতা মকম দরদনা তাক্লি। তোঙাল তোঙনবা ধর্মগী তত্ত্ববু তাক্লম্বা দেবতাশিং অদুগী রাদি অমতসু লৌদে। করিগুম্বা ধর্ম অমগী হৌদোকপা প্রচারক অদুনা ঐগী মাগী য়ম্ম থাররু অদুগী-দমক নথরাঙ থানৌ হায়বাসি করমত ভরম্মে ই। হায়রম্বা থেক্লবাদ অদুগুম্বা অমগমগ থংনহান্নিংবা গুরুনি হায়রিবা মাগী মরা ঐথেয়ন তাথোইনীবনি। অসংগুম্বা বাদাববাদ আসনা জগত্তা অশান্তি লাকনি হায়না মাঙজৌনদা। থনব যোগী মুনিশিংনা অকনবা তপস্যা তৌদুনা মাগী মাগী হীরম খুদংগী সিদ্ধান্ত, দৃষ্টান্ত বৃত্তান্তশিং আসি থাম্বরাম্ম শব্দগী মরমদা তংস্যা তৌখবাশিংগী মহুংদা গালব, পতঞ্জলি, কাত্যায়ন, পাণিনি স্ফোটকন মথোয় আসনা অথোইবান। (কালাচাঁদ)

ⓕ মপোক অমদা কৃষ্ণ ঐদি ধর্মগী মচা ওইদুনা পোকখি হায়র রমম আসি য়ম্ম থক্লনীজায়নি। যমরাজবুসু ধর্ম কৌই। যমরাজগী মচা ওইনা পোকখি হায়না অর্থ কৌরবাদ কব কায়? মসিসু ধর্ম-গদবনি। পুরানদা যমরাজগী মচানি সূর্য্যদেবগা যমুনাগা অনীসিন হায়না হীর কৃষ্ণনা অবতার তৌদুনা যমরাজগী মচা ওইনা পোকুনা শন্নাথবা লীলাগী মতাং থোইদোকপা থেনবা লৈতে। অদুনা মকম অসিদ হায়রিবা ধর্ম হায়বা শব্দ আসিগী অর্থ অসিদা যমরাজ ওইনা পুংগী মহুত্তা ময়াম্না সাধারণ ওইনা লৌবনা অদুম্বা ওইগনি। কৃষ্ণগী তত্ত্বদ ধর্মগী তত্ত্ববু নৈনবদগী মরুওইনা পোকচরকুই যতো ধর্মঃ ততঃ কৃষ্ণঃ—হায়বা অমসু হায়রি। তাইবংমী অমবু পিতা মাতা শাহন্দুনা মাগী মচা শাদুনা লীলা অম শারবা অরবসু ধর্ম রাম চেনবা, ধর্মমক্কী মশক ওইবা মীদুগী মচা ওইনা পোকুনা শাম্নে। অদুন ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণবু ধর্মমক্কী মচানি হায়বদা থোইনা কায়দে।—ধর্ম কারবা হিংচাম্নাতস্বগী মচা ওইনা থোকপা তায়বাদ তত্তগী মওংদা মাগী শাযোন ওইনা পোকহনগা শাম্নে। ধর্ম য়াওদ্রবা মত্রবা হিরণ্যকশিপুগী মচা ওইবা ভক্ত প্রহ্লাদবু পোকহল্লি। ভক্তপা ভগবানগা ঈশা অমত্তান হায়রবাদ কজরব হিরণ্যকশিপুগী মচা

ধর্মস্য কুরুশার্দুলস্ত ততোহহং ধর্মজঃ স্মৃতঃ। নরনারায়ণৌ পূর্বং তপস্তেপতুরব্যয়ম্ ॥১০৭॥
ধর্মযানং সমারূঢ়ৌ পর্বতে গন্ধমাদনে। তৎকাল সময়ে চৈব দক্ষযজ্ঞো বভূবহ ॥১০৭॥
নচৈবাকল্পয়ৎ ভাগং দক্ষোরুদ্রস্য ভারত। ততো দধীচি বচনাৎ দক্ষ যজ্ঞ মপাহরৎ ॥১০৯॥
সসর্জ শূলং কোপেন প্রজ্বলন্তং মুহুর্মুহুঃ তংশূলং ভস্মসাৎ কৃত্বা দক্ষ যজ্ঞং সবিস্তরম্ ॥১১০॥
আবয়োঃ সহসাগচ্ছৎ বদর্য্যাশ্রম মন্তিকাৎ। বেগেন মহতা পার্থ পতন্নারায়নোরসি ॥১১১॥
ততস্তত্তেজসাভবিষ্টাঃ কেশা নারায়ণ-স্য হ। বভূবু মুঞ্জবর্ণস্তু ততহহং মুঞ্জকেশবান্ ॥১১২॥

মমাৎতদা নরনারায়ণ অনীনা ধর্মগী মশক্ ওইবা রথ অমদা তোংদুনা গন্ধ মাদন তাম চৎখিদুনা চীংথকদা অকনবা অমদি অমাঙ অতা লৈত্রবা তপস্যা তৌখি। মতম অদু দক্ষপ্রজাপতিনা মাগী যজ্ঞ তৌবগী মতমনি ॥১০৭-১০৮॥ অর্জুন! দক্ষপ্রজাপতিনা মহাক্কী যজ্ঞ অদুদা রুদ্রগী শরুক্ তমখিদে। দধীচি মুনিনা মহাদেবদা তমশিল্লুবদগী মহাদেবনা শাউখদুনা দক্ষগী যজ্ঞ অদু থুগাইখি ॥ ০.॥ মহাদেবনা মহাক্কী মচীন্-মরি থোক চকুবা ত্রিশূল অদু যজ্ঞ অদুদা হুম হন্না লপিনখি। ত্রিশূল অদু দক্ষগী যজ্ঞবু মরু কংনা থুগাইরবগা ঐখোয় অনীনা বদাবকশ্রমদা নরায়ণ অনীমু শিন্দুনা ধ্যান তৌরিবৈদা ঐখোয় অনীগী নাক থুংখিবনি ১১০॥

পার্থ! মতম অদুদা ত্রিশূল অদুনা থুনয় ভন পাইখিল্লকুনা নারায়ণগী থবক্দ বগ লপিনখি। খজীন্ অদুদগী চোংথোরকপ মতমদা নারায়ণগী গম অদু মুম মনাগী মতু পুখি। মাদেক অদুদগী ঐবু মুঞ্জমেশ হায়না অহুম্ কৌনখি ॥১১ ১..॥

ওইবা ভক্ত প্রহ্লদবু পোকহল্লি। ভক্তগা ভগবানগা মশা অমতান শায়রবদি ফজ্রব হিরণ্যকশিপুগী মচা ওইনা পোকই হায়না অর্থ তৌরংমু থোক্না কয়া লৈতে। "তেষাং যৎস্বল্পচো যুক্ত্যা বুদ্ধনাত্তত্ত্বাচয়েৎ" যুক্তিচাবনা ভগবান্গী লীলাবু পুনিং পুনিংনা অমদা পুবম্ৎ হায়না শ্রীভগবৎতত্ত্ব ওস্তম হৌরাবি। অদুনা অখণ্ডবশিংনা ভগবান্গী উৎপত্তিদি অচুম্বা (সত্য) দগীও ওই হায়নৈ। মিথ্যা জ্ঞানদগী ভগবানগী সত্তা ওইগদবা নত্তে। উরিবা মপানগী হকচাংসিংদ মিথ্যানি অহ কাংবু পোনহল্লিংদি হকচাসিনি। মতুংখিগদবা হয়েংত মত্তায়য়ে ঐগী ধর্ম মাগী ধর্ম হায়দুনা খায়্লবাদ মত ত্তানি ঐগী আত্ম হায়দুনা খায়গদবা নত্তে আত্মাদি মাগী তোঙ্গানব ধর্ম অমদা লৈজবানি পোকপা শিবা নাদবা হকচা সিদা মতম কুইনা লৈগদবা নত্তে নিত্য ওইবা ধর্মতদা মহক লৈগদবনি। স্বধর্ম হায়বদি আত্মসিগী মাগী লনাইনি ধর্ম হায়বনি। আধ্যাত্মিক ধর্ম, আধ্যাত্মিক জ্ঞান হক হায়বদা ধর্ম অদুগা জ্ঞান অদুসু হিন্দুগী জ্ঞান খৃষ্টীগী জ্ঞান, হিন্দুগী জ্ঞান মুসলিমগী জ্ঞান, মৈতৈগী জ্ঞান ময়াংগী জ্ঞান হায়ব য়াংদ্রে অদুগুম্ব খোখোম্বু হপ্প চৎখিবা জ্ঞান, খোখোম্বু হাপ্প চন্বা ধর্ম অদুমাংগীদ জগৎ পুম্বগী মপু ওইব সনাতন ওইবা মহাক্কী সত্তা (কবা) হায়বস থোরকপনি। আত্মাসিনা হকচাংসিদগী থোকখিবা মতমদা মীতৈগী আত্মা ময়াংগী আত্মা ওইনা থোকখিগদবা নত্তে অসিগুম্বা তত্ত্ববু তাকপিরবা ভগবান শ্রীকৃষ্ণ মশানা অর্জুন! ঐঙ মতম অমদা ধর্মগী মচা ওইদুনা পোকখি।" অমুম হায়না তাক্পিখি। (কালাচান্দ)

তচ্চ শূলং বিনির্ধূতং হুংকারেণ মহাত্মনা। জগাম শংকরকরং নারায়ণসমাহতম্ ॥১১৩॥
অথ রুদ্র উপাধাবৎ তাবৃষী তপস্যন্বিতৌ। তত এনং সমুদ্ধতং কণ্ঠে জগ্রাহ পাণিনা ॥১১৪॥
নারায়ণঃসভূবিশ্বাত্মা তেনাস্য শিতিকণ্ঠতা। অথ রুদ্রবিঘাতার্থমিষীকাং নর উদ্ধরন্ ॥১১৫॥
মন্ত্রৈশ্চ সংযুযোজাশু সোঽভবৎ পরশুর্মহান্। ক্ষিপ্তশ্চ সহসাতেন খণ্ডনং প্রাপ্তবাংস্তদা ॥১১৬॥
ততো.হংখণ্ডপরশুঃ স্মৃতঃ পশুখণ্ডনাৎ।

অর্জুন উবাচঃ—

অস্মিন্ যুদ্ধেতু বার্ষ্ণেয় ত্রৈলোক্যসমনেতদা ॥১১৭॥

অদুগী শ্রীনারায়ননা হুংকার ধ্বনি (অশাউবা ভ'ব থাঙ্গেল শঁগা লে'য়ননা ত্রিশূল অদুবু লাক্-তুনা ঈংঙ্গোবখি। অদুদগী ত্রিশূল অ' শ্রীনারায়ন খুত্তগী পা'রথোকখিদুনা রুদ্রগী খুত্তা লমুক্‌ লৌখি। ॥১১৩॥

মাদু উবদা মহাদেব (রুদ্র) না শাউখিদুনা তপস্যাদা পুক্নিং চংদুনা লৈরিবা ঋষিশিংগী মথক্তা আ-ক্রমণ তৌশিল্লকই—ফুজিল্লকই। মাদু উবদা নারায়ণনা হাচিল্লকদুনা রুদ্রগী মখোরি মেৎখি। অদুদগী রুদ্রগী মখোরি চংম অদু ঈশং শংখি। থোদোক অদুদগী রুদ্রগী মমিং নীলকণ্ঠ হায়না অদুম কৌনখিবনি * ॥১১৪॥

মতম অমদা নরনা পশিং অমদা মন্ত্র শাজিল্লুনা, মহাদেববু হাংকে হায়বগীদমক মহাদেবরোমদা লং-শিল্লকই। পশিং অদু চাউরবা (শী জং) অমগী মশক লৌতনা পাইশিল্লকখিনি ॥১১৫॥

নরনা লংশিল্লকপা শী জং অদু রুদ্রনা ককথদুনা থুগদকখি মাদুগী মুমিত্তগী রুদ্রবু খণ্ডপরশু (শী জং কক্পা) হায়বা মিংথোল অসি ফংখি। ॥১১৬॥

অর্জুননা হায় :— বৃষ্ণিনন্দন। মরোল অদুমগী মতম তরুনবগী মশক ওইবা মহাযুদ্ধ (লান্থাও) অদুদা রুদ্রগা নারায়ণ অনীসিগী মরুংদা কনানা জয় ওইখিবগে ? মাসি অমুক্ত তাহনবিয়ু ॥১১৭॥

---

* মহাদেবগী মিং নীলকণ্ঠ কৌখিবগী মরি অমদি থোদোথশিং অসি অমত্ত মায়দে। চপ চাবা করম্ব থোদোক্তগী নীলকণ্ঠ কৌখিরনো হায়বসি থজংনিঙ্গাইদ্রি। মকম অমদনা সমুদ্র নৈবা মতমদা সমুদ্রদগী থোরকপা হু অদু থকউবদগী খোবী অত ঈশং শংখিবদগী নীলকণ্ঠ কৌখিবনি হায়রি। মকম অমদনা থোদোক অমদা বশিষ্ঠনা শাউখিবদগী মাগী জটাদগী শম্না অম থত্তুনা মন্ত্র লোন্দুনা মহাদেবরোমদা লংশিল্লকপদা শম্ অদুদগী পাইথোরবকপ মতু পরুব লিল মহাম্ম মহাদেবগী খোংগা চংম্ অদু থবাক্তা লেংবান্দা ডকশমদা য়েচ্ছিন্দুনা হু কামশিন্নদা মহাদেবগী খোরি চবম অদু শংখিবনি। অদুবু লিল ময়াম অদুনা মহাদেবদা অরাবা হুগী মৈচাক পীবদি লায়বদুনা লিলশিং অদুনা মহাদেবগী ভুষণ (লৈতেং) গী মতৌ ওম লৈখি। অদুদগী মহাদেব মিং ফণীভূষণ হায়দুনা কৌনখি। মথোয়গী দুনা মহাদেবদা অরাবা শীব

কো ভবং প্রাপ্তবানদ্য শান্তৈস্তস্মে জনার্দন ।

শ্রীভগবানুবাচ

তয়োঃ সংলগ্নয়োর্যুদ্ধে রুদ্রনারায়ণাত্মনোঃ ॥১১৮॥ উদ্বিগ্নাঃ সহসা কৃৎস্নাঃ সর্বেলোকাস্তদাভবন্ ।

নাগৃহ্ণাৎ পাবকঃ শুভ্রং মখেষু সুহুতং হবিঃ ॥১১৯॥ বেদান প্রতিভান্তি স্ম ঋষীণাং ভাবিতাত্মনাম ।

দেবান্ রজস্তমশ্চৈ সমাবিবিশতুস্তদা ॥১২০॥

বসুধা সংচকম্পে চ নভশ্চ বিচচাল হ । নিষ্প্রভাণি চ তেজাংসি ব্রহ্মা চৈবাসনচ্যুতঃ ১২১॥

অগাচ্ছোষং সমুদ্রশ্চ হিমবাংশ্চ ব্যশীর্যত । তস্মিন্নেবং সমুৎপন্নে নিমিত্তে পাণ্ডুনন্দন ॥১২২॥

ব্রহ্মা বৃতোদেবগণৈ ঋষিভিশ্চ মহাত্মভিঃ আজগামাশু তংদেশংযত্র যুদ্ধমবর্তত ॥১২৩॥

সোঽঞ্জলিপ্রগ্রহোভূত্বা চতুর্বক্ত্রো নিরুক্তগঃ। উবাচ বচনং রুদ্রং লোকানামস্তু বৈশিবম ॥১২৪॥

ন্যস্যায়ুধানি বিশ্বেশ জগতো হিতকাম্যয়া । যদক্ষরমথাব্যক্তমীশং লোকস্য ভাবনম্ ॥১২৫॥

শ্রীভগবান্না হায়রি : অর্জুন । রুদ্রগা নারায়ণগা অনীগী মরক্ত চাউরবা লাল্লাউ থোরকপচু উবদা মরোল অচুমগী অচচচন্ত জীব পুম্নমক্না থম্মোয়দা মিপাইবা পোকখি । অগ্নিদেবমক্না বিধি কায়দনা তৌরবা যজ্ঞশিংদা হোম তৌনফুরবা চবিষাবু নীংথি-ফুঙাইনা চাবা কংখিদে ॥১১৮ ১১৯॥

মাদ অতুনা কনমনখিবন ঋষিশিংনা বেদ মন্ত্রবু শক্ত শোম্নবা ঙমখিদ্রে বেদগী মন্ত্র পুম্নমক নীংশিংবা থোকখিদে। দেবতা পুম্নমক্না থম্মোয় হকচাং পুম্বা রজোগুণ অমসুং তমোগুণনা পুমক্পা কুপশ্রে॥১২০॥

মোমদোন মলমায় পক-থ, থক থক নীকখি মত্তাল পুব গ্রহ নক্ষত্রনচিংব লোইনা মমায় মকশনখি । ব্রহ্মা সু উমাগী যক্ষ দস্ত ওন্থগি সমুদ্রগী ঈশিং কনিনখি । হিমালয় চেংথায় মীওখায়খি ॥১ ১॥

পাণ্ডুনন্দন ! অর্জুন ! অসুম খুদা থীব অমুগা অমজংগী খুদম ডাক্ত তৌরকপাস উবদা ব্রহ্মানা লাইয়াম খিবিক অমসুং মহর্ষিশিংগা লোয়ননা অকিবগী মপক কংলবা লাপ্পাওচু থোক্লিবা মফম অদু আম চংখি ॥১২২ ২৩॥

বেদ জ্ঞানতনা মাগী মপক খভগনবা, চতুর্মুখ ওইবা ব্রহ্মানা খুৎ লোমহুনা রুদ্র দেবদা হায়খি :-

প্রভু ! শঙ্কর ! জগৎকী মঙ্গল ওইহনবিয়ু । বিশ্বেশ্বর ! জগৎ ব্রহ্মাণ্ড অসিগী কায়নবগীদমক্তা খুৎলাই থাদোকপিয়ু ॥ ৭॥

জগৎ পুম্ন কপ অমাগু অতা লৈতবা; অসিগুম্বী হায়হনা চাংদমনীঙায় লৈতবা, লৈন—লৈন মপক

ঙমদে। মথোয়গী হুৎদগী এম্না থাৱবা কাংকুই হুবু খঙন খঙনা নকোৎপগ্নবা নারায়ণগী প্রিয় ভক্ত ওইরবা লিলাশিং অমনা কবি তৌবা ঙমগান। সংসারগী বিষয়গী হুনা চত্তবা ঙমগ্রবা মহাযোগী মহাসন্ন্যাসী ওইবা, নারায়ণগী চায়থোকচরবা ভক্ত মহাদেবদা মপানগী আধিভৌতক ওইবা লিলগী হুনা মহাদেবগী শঙ্কর প্রায় কলহনব ক হনবা ঙমদে মহাদেবগী মগুণতবু থহনগে হায়বগীদমক্ত ভগবান শ্রীনারায়ণনা সমুক্ত মরুম লোম্না লীলা অমা শাম্নাখবান । (কালাচাঁদ)

কূটস্থঃকর্ত্তা নির্দ্বন্দ্বমকর্ত্তেতি চযং বিদুঃ। ব্যক্তিভাবগতস্যাস্য একামূর্ত্তিরিয়ং শুভা ॥১২৬॥

নরো নারায়ণশ্চৈব জাতো ধর্মকুলোদ্বহৌ। তপসা মহতাযুক্তৌ দেবশ্রেষ্ঠৌ মহাব্রতৌ ॥১২৭॥

অহং প্রসাদজস্তস্য কুতশ্চিৎকারনান্তরে। ত্বঞ্চৈবক্রোধজস্তাত পূর্বসর্গেসনাতনঃ ১২৮॥

ময়া চ সার্দ্ধংবরদ বিবুধৈশ্চ মহর্ষিভিঃ। প্রসাদয়াশু লোকানাং শান্তির্ভবতু মাচিরম্ ॥১২৯॥

ব্রহ্মণা ত্বেবমুক্তস্তু রুদ্রঃক্রোধাগ্নিমুৎসৃজন্। প্রসাদয়ামাস ততোদেবং নারায়ণং প্রভুম্।

শরণং জগামাদ্যাং বরেণ্যাং বরদং প্রভুম্ ॥১৩০॥

ততোঽথ বরদো দেবো জিতক্রোধো জিতেন্দ্রিয়ঃ। প্রীতিমানভবত্তত্র রুদ্রেণ সহসংগতঃ ॥১৩১॥

ঋষিভি র্ব্রহ্মণাশ্চৈব বিবুধৈশ্চ সুপূজিতঃ। উবাচ দেবমীশানমীশঃ স জগতো হরিঃ ॥১৩২॥

যস্ত্বাং বেত্তি স সমাং বেত্তি যস্ত্বাং মনু স সামনু। নাবয়োরন্তরং কিঞ্চিৎমাতেঽভূত বুদ্ধিরন্যথা ১৩৩॥

কোঙদোক্নবা, জ্ঞানীশিংনা মহাকপু জগৎ পুম্বগী কর্তা (অশেম্ব মপু) দি ওইরগা অকর্তাগুম লৈবমি হায়না হায়নরিবা মহাক্না মূর্ত্তি নাইনা চোংথোরকপ মতমদসু মহামঙ্গলগী মগক ওইবা মূর্ত্তি পুহনা চোংথোরকই ✝ ॥১২৫-১২৬॥

ধর্মকুলদা পোকপা নর-নরায়ণ কৌবা অনীসে অত কল্পবা অহুগা দেবতা পুম্নমক্তগী অথোইবনি ॥১২৭॥ করিগুম্বা মরম অমদগী ঐ ব্রহ্মা কৌবসিমক নারায়ণ মহাক্কী কৃপাদগী মপান জগত্তা পোকপা ফংজখিবনি। রুদ্র নহাকসু অত্তানবগী সৃষ্টিনা ভগবান নরায়ণ মহাক্কী অশাউবদগী পোকাখবনি। ঐ পোকখিবনা যোগনিদ্রাদা পেন্দুনা লৈরিঙৈদা, অহুগা রুদ্র নহাক পোকখিবনা অশাউবগী মওংদা নারায়ণনা লৈরিঙৈংনি ॥১২৮॥

অহুনা হে রুদ্র! দেবতা ঐখোয় ময়ামনা মহর্ষিশিং অসিগা লোয়ননা নারায়ণ মহাক্কী পেম্নবা থবক তৌস। অসুম তৌরবতদা জগৎ মপুন অসি কায়নবত ওইগনি। মহুম ওহুত্তদা জগৎকী ওইগনি ॥১২৯॥ ব্রহ্মাগী বা অহু ত্তাবদা পেনাখহুনা রুদ্রনা অশাউবা থাদোকখি অহুগী হুংদা আদিদেব, মঙ্গলগী মশক ওইবা পীনহৈবা অহুগা মহাক্না ভমংবা লৈতবা শ্রীনারায়ণগী চরণদা থুংলোম্নমা চত্তজখি ॥১৩০॥

অশাউববু অহুগা ইন্দ্রিয়শিংবু থুদক্কা থুহুম ইনবা ওৎপ, বরপীনহৈবা নরায়ণনা মহাদেব (রুদ্র) গী মকমদা পেনবিখি। মহাদেবগী ওকশমদা নুংশিনা কোনবিখি ॥১৩১॥

অহুগী হুংদা দেবতাশিং, ঋষিশিং অহুগা ব্রহ্মানা য়াম্ন চৈথি চৈথেম্ন পূজা তৌরবা হুংদা থোইদোক্না পেম্নবা নারায়ণনা রুদ্রদেবদা অসুম্না হায়খি— প্রভু! শংকর! নংবু অহুগা নহাক্কী তম্বরু মুম্ন থওলবা মী মহাক অহুদি ঐবু অম্বদি ঐগী ওত্তবসু লওকবনি। নহাক্কী অহুগামী (তু ইগ্নবা) শিং অদো ঐহাক্কীসু

✝ ধর্ম সম্প্রদায় পুম্নমক্কী বেদ পুরানদা, কোরান, বাইবল, গ্রন্থসাহেবনাচবা ধর্মগ্রন্থশিং অসিদা মাগী মাগী ইষ্টদেবগী মগুণ শক্তি, মূর্ত্তি অমদি মাগী পাউত্তাক ইনরিবা, তাক্নরিবা লাউথোক্নরিবা ময়াম অসি

অনুগামীমক্তনি। ঐখোয় অনীগী ময়ক্তা খেন্নবা করিমত লৈতবনি। রুদ্র। মহাক্কী পূক্কীংদা ঐনা হায়রিবা অসি নত্তবা অতোপ্পা অমম্বক খনগন্থু ॥১৩২-১৩৩॥

অয়ানবা অমত য়াওনবা নত্তে। মাগী মাগী মতম্তা অনুমান-প্রমান কয়া কয়ানা ঈশ্বরগী মূর্ত্তিগী অয়েপ্পা মওংনি হায়দুনা প্রমাণ পীনরি। জীবগী মওং অসিনি। ব্রহ্মাগী মওং অসিনি হায়চনা মানা মানা খোকপা হায়নরি; জগত্তা শন্দোক্লরি। কৈথেলগী মীয়াম ময়ক্তা লল্লোম্বা পোংয়োনবীশিংনা মাগী মাগী মমাঙদা থাম্লিবা, য়োম্লিবা পোংশিং অদু লৈনবা হায়দুনা শেম-শাদুনা ফজনা উৎনা ফু-ফু কামদুনা থমনরি। কৈথেন্দা তিল্লিবা, পোং লৈগে লাকপশিং অদুম্ভু অমনা ফগদবোই নীঙি, অমনা ফগদবোই নীঙভি। লৈকম থঙদদুনা কোয়চং চংনরি। কনাগুম্বনা অহোংবা থিরি, কনাগুম্বনা তাঙলবম্বু অকবা পোং থিরি। অদুগা চপ মান্নবনি ধর্মগী বাজারদা ভৌনারবসি। খেন্নরিবাদি কৈথেলগী পোং য়োম্বশিংদি, ঐগী অসিন মফরবনি হায়না বর্ণন তৌন তৌন পোং অদু মাগী মাগী মমাঙদা থাদুনা পুথোক্লুনা থম্মি, অদুগা ধর্মগী বাজারদ পোং (ধর্ম) য়োনবশিং অসিদি মাগী মাগী ধর্মবুনা, মাগী মগী ধর্মনা ঈশ্বরনা অহেনবনি অফবনি হায়না লাউনরিবা থাগৎনরিবদু অমত উৎপ পুথোরকপ ঙমদে। মতুমক্তনা নাস্তিকশিংনা ঈশম শম্না, ঈশ্বর লৈতে, ধর্ম কর্ম, পাপ পুন্য অমত লৈতে হায়দুনা লাউথোকখ্রিবসিনি। অমগী ধর্মবু অয়ানবনি হায়না থনখিবদুমক্তনা মহাকস্তু মহাক্কী লনাই ধর্ম অম শন্দোরকপওনি। অতোপ্পা অমনা হৌদোরকপা অদু অচম্বনি হায়না লৌরবদি মহাক্কী লনাইগী ধর্ম অম পুথোক্লম্মরোইদৌবনি। মাসিংগী করি তারকপগে হায়রবু নংগীদগী ঐগীনা হেল্লি হায়না হায়বা মতারক্লবনি। অদুনা ঐগী ঐগী, মাগী মগী হায়বগী রাখল্তনা পোৎহনবা রজোগুণগী মশীং য়ামলিবসিগী দায়িত্বদ ধর্ম প্রচারনি হায়ব শারিবসিনা পুগদবনি। অমগা অমগা য়েংনদুনা ,লৌক্লনদুনা, মীচঙ সঙ্গন নাইনা চোংথোক্লদুনা জগৎকী অমঙ্গল (অশান্তি) পোকহল্লিবশিংনা অমগা অমগা, মুংশিনদুনা অমতদা পুল্লকপা মতম অদুতদা ঈশ্বর অমদি ধর্ম হায়রতুনা মূর্ত্তি নাইনা চোংথোরক্লদবনি। অমঙ্গলগী মফম মতমদা মহামঙ্গলগী মশক ওইরবা ঈশ্বর মহাক্ল চোংথোরকপদি খ্রাদবনি, চোংথোরকখ্রিবদুনা নাস্তিকবাদমচিংবা থোকখ্রবনি। মান মান নীংশিংবা রাখল, হায়রিবা রা অদুতনা অচুম্বনি হায়দুনা অঙম্বা শক্তিনা, রাঙাং হৈবা, তর্কইবশিংনা অতৈবু মাগী মাগী খোঙলোয়, অনুগামী ওইহনগদবগী হোৎনরি। মুম্ন খল্লবদি ধর্ম অমদি ঈশ্বরগী গুণ তত্ববু শন্দোকপা নত্তে মাগী মাগী মীচঙ য়াম্নবা খোম্লবমক্তনি। মতাংসিদা, ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনদা চীরিবা মতাংদি ব্রহ্মানা শাউরবা রুদ্রদা থামজিনবগী রাহৈনা হায়খ্রবা অদুগী মতাংনি। ব্রহ্মানা হায়রি—"জগৎপু চনিঙ তানা সংহার তৌগদবা লোইশিনগবা রুদ্র নহাক নশামক্লা অশাউবগী ফুনবগী থবক্তা জগৎপু অমঙ্গলগী মশক ওইনা লোইশিনগদৌরিবদি করিগীনো? জগৎপু সংহার তৌগদৌরিবা নহাক্লা খুংলায় পায়রিবা করিগীনো? জগৎপু সংহার তৌবদা খুংলায় পায়বা হৌনব্রা? নংগুম্বা সংহার শক্তিমান ওইবা অমনবু য়োথঙী খুলায়গী মতেং লৌবা হৌনব্রা? মশাগী য়েক্লবা মীশক অমতবু ঙমগে তাম্লবদা জগৎকী লাঞ্ছাও থোকহনবা, ময়াল লৈত্রবা কয়া কয়াবুম্ব য়াংহনবা অশঙবা তাইবং মীচমগুম করিগী থবক তৌরি? খুংলায় থাদোকপিয়ু।" অসুম হায়না ব্রহ্মানা রুদ্রদা হায়জাখবনি। খৎন চৈনবনা অদুগা লাম পোকনবা শান্তিদগী খৎন চৈনদনা মুংশিননা পুনবকপা শান্তিনা তুং কোইনা লৈবা হেনবনি। অদুম্ন ব্রহ্মানা রুদ্রবু থামজিনখি।

(কালাচাঁদ)

অদ্য প্রভৃতি শ্রীবৎসঃ শূলাঙ্কোমে ভবত্বয়ম্। মম পান্যঙ্কিতশ্চাপি শ্রীকণ্ঠস্ত্বং ভবিষ্যসি ॥১৩৪॥

শ্রীভগবানুবাচ

এবং লক্ষণ মুৎপাদ্য পরস্পরকৃতং তদা। সখ্যং চৈবাতুলং কৃত্বা রুদ্রেণ সহিতাবৃষী ॥১৩৫॥

তপস্তেপতুরব্যগ্রৌ বি সৃজ্য ত্রিদিবৌকসঃ। এষ তে কথিতঃ পার্থ নারায়ণ জয়ে মৃধে ॥১৩৬॥

নামানিচৈবগুহ্যানি নিরুক্তানি চ ভরত। ঋষিভিঃ কথিতানীহ যানি সংকীর্ত্তিতানিতে ॥ ৩৭॥

ভসিদগী রুদ্র মহাক্কী ত্রিশূলগী তা কম থুদম অম ঐগী থবাকত অসুম লৈতৌরগনি। মাস ভাসদগী শ্রীবৎস কৌবা থুদম হায়না হয়েং তু কাওবা ঐগী হকচাংদা লৈহৌগদবনি। অদুগা রুদ্র মহাক্কী ভক্-শমদা ঐনা ভসি কোনখিবগী পাম্বোম (খুং) গী মখি থুদম অমসু মহাক্কী কণ্ঠ (খোরী) দা লৈহৌরসনু। মাদুসু, তুংদা শ্রীকণ্ঠ হায়না অদুম লৈহৌবগনি ✠ ॥১৩৪॥

ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনদা হায় :—পার্থ! বিষ্ণুগ রুদ্রগা অনীনা মতৌ অসুম্ন অমগ অমগ য়াম্ন মুংশিনবা অমনা অমগী মকমদা মায়খৈবা কংমিন্নবগী থুদম অমমম মশা মশাদা পুনখি। অদুগী তুংদা নরনারায়ণ ঋষি অনী অসি রুদ্রদেবগা মরুপ শান্নদুনা দেবতা পুম্নমকপু বিদায় তৌরমলগা হান্নগী মতৌ-গুম্না শান্তিগা লোয়ননঃ আশ্রমদা তপস্যা তৌখি। অদুনা নারায়ণ বিজয়গী মতাং অসে মঙোন্দা তা-হল্লিবনি— ॥১৩৫-১৩৬॥

ভারত! অর্জুন! ঐগী অথুপ্পা মিংথরগী হৌরকফম অদো ঐনা নংঙোন্দা তাহল্লবনি। ঋষিশিংনা ঐঙোন্দা থোনবিখিবা মি শিং অকক্সু থৌদোকশিংদুগা লোয়নননা নঙোন্দা তীরে ॥১৩৭॥

✠ লাল লাহৈরবা তুংদা নিংথৌ অমগ অমগ লক্ক তৌনবা মতমদা কাংবগুম্না সত্ত অম হক চেক তৌনৈ। অমগ অমগ ক্ষতিপূরণ তৌনৈ। অমনা অমগী মকম অমাওবা থর হাপ্লনৈ। মতৌ অদুগুম্না বিষ্ণু (নারায়ণ) গা রুদ্র (মহাদেব) গা কম্ন লান্থে নরকপা মতমদা ব্রহ্মানচিংব লাইয়াম খিবক্লা হায়জ-বদগী বিষ্ণুগী অশাউবা তম্বখ। ভগবান শ্রীবিষ্ণুগী মহিমাবু তাবদগী রুদ্রনা শ্রীবিষ্ণুদা লাল্লে হায়না চঙ-জখি। মতম অদুদা ওম্মোক্লা লেনবিগ্রবা শ্রীবিষ্ণুনা রুদ্রদ হায়খি— "রুদ্র! মহাক। ঐগা মশা অমতনি ঐখোয় অনীগী তত্ত্ববু মুন্ন খঙনী বশিংনা ঐখোয় অনীগী মরক্তা মহাকীরা ঐগীরা অমগী থিরগা লোইহৌরে। নংগী তত্ত্ব খঙদনা ঐগী তত্ত্ববু মপুং ফানা খঙবা য়ারোই। ঐগী তত্ত্ববু খঙদনা নংগী তত্ত্ববুসু খঙবা য়ারোই। হকচাং তথাই অমনা হরি, হকচাং অমন হর, অনীন পুল্লগা হরি হর হায়বা মিং অদু ওহরি-বনি। হরিহর হায়বা মিং অসি মীশক অমতগী মিংনি, অনীগী নত্তে। অদুনা অমত ওহবা নংগী মিংসু হরিহর কৌই। মশক অমত ওইরবা বিষ্ণু ঐগী মিংসু হরিহর কৌই। জগৎপু মাঙহন্নবগী খুংলায় ওইবা নংগী ত্রিশূলদো ঐগীসুনি। মাদুগী থুদম অমা ঐগী থবাক্ত ঐনা ভসিদগী পুপ্রগদবনি। মহাক্কী ত্রিশূল অদুনা মৃগ্র মাঙপ্রবসু ঐগী থবাক্ত লৈহৌরিবা থুদম অসিদি মতুংগী যুগ যুগ খুদিদ। অবতার খুদিংদা অদুম মরৈহৌরগদবনি। মসিনা, বিষ্ণু ঐনা নংগী মকমদা মায়খৈবা কংবগী লাঙগী খুংলায়গী মকম (খাতকম) নি। অদুগা মহাক্কী ভকশমদা ঐগী পাম্বোমনা কোনবগী লৈমিবা থুদম অদুনা ঐগী

এবং নানাবিধৈ রূপৈশ্চরামীহ বসুন্ধরাম্। ব্রহ্মলোকং চ কৌন্তেয় গোলোকং চ সনাতনম্ ॥১৩৮॥
ময়া ত্বং রক্ষিতো যুদ্ধে মহত্ত্বং প্রাপ্তবান্ জয়ম্। যস্তু তে সোঽগ্রতো যাতি যুদ্ধে সম্প্রত্যুপস্থিতে ॥১৩৯॥
তং বিদ্ধি রুদ্রং কৌন্তেয় দেবদেবং কপর্দিনম্। কালঃ স এব কথিতঃ ক্রোধজেতি ময়া তব ॥১৪০॥

কুন্তী নন্দন। মতৌ অসুম্ন ঐনা যুগ কয়াদগী তাঙ্গান তোঙান থৌরোকী শানবদা (শক মিংগা) পুর পুরক্নুনা। ভসি ফাওবা লাক্লরবাসিনি। অমগা ঐদি ব্রহ্মলোক লৈ অমসুং লেঙলরবা কুইরবা সনাতন ওইরবা গোলোকতা হেক হেক শায়ে* ॥১৪০॥

ঐনা অর্জুন নহাকপু যায় চেকশিন্ন তাক শেন্দুনা লানক্মদা থমখিবনা নহাক্না কুরুক্ষত্রগী লাম্বাওদা লম্ভেক্ন চাদিনা মঙ্গ লাকথে) নুং ফাবিবন কুন্তীনন্দন নীংশিংদুনু, লালোইদনা মতমদুদা মগী

শ্রীকমদা মহাক্না মযথীবা কবগী থুংমান ঐথোয় অনীমক্কী মখানি ঐথোয় অনম কী পরাজয়না। জয় পরজয় মীশক অমত্তনা লাউবনি। অতুম জয় পরজয় অনী অসিবু লৌনা অমত্তনি নমা থুংগাইবনা ঐনা অমুক পোথক্না যা নিত্রোরা মুথাহনা শৈন গী মরমনি। নমাক লোৎলে ঐগী পেন্নবনি, ঐগী তৌরবসি নংগী পেন্নবা, নংগী ননৈ থুননবগীদমক্নানি। সেব্য সেবক ভাব সম্বন্ধ অসে নত্তোনদসু লৈ, ঐতোন্দসু লৈ।" অসুম্না শ্রীনারায়ণনা কপ্রদা হায়াবিবসিগী ভর্বাতঃ— অউবা প্রকৃতিসদা লৈরিবা পোৎ থুদিংমক শক্তিমান অমগী শক্তিনা নত্তগা শক্তিমান মশানা উত্তনা মাথি থুংলায় ওইত্নুনা ভাক্লি, তুহক্লি, মাওহাক্লে। মাসিনা বিষ্ণুগী শক্তি কৌই। লৌরবদুবু লোপশিন্নীলক ॥ মতমদা ভাকপগী শক্তি অদুবু থুগাইবা মাংহনবগী শক্তি অমুক ওইহনখুন শক্তিনা পোৎ থুদিংমক অহান অকোন থায়না লৌশিন খেথাকহল্ল সংহার তৌই, মসিনা রুদ্র শক্তি কৌই। শক্তিগী কিন্দোক পি জিনগী বিচার অসি মুন্ন। তৌনবদি অমা অমগা থুগাইনম্ম মীশক অমত্তান। অসিগুবা মাগল অনিমা বিষ্ণুগা রুদ্রগা মীশক অমত্তন হানা। মনু মশামকা রুদ্রনা তাকী থি লোবনা চিংবদসু অদু মতাম—চাক লেনতুম থমাকবা খৌচেক অসি চাংলোইনব তুমহনাখনবগীদক্নানি। ভাক্লহনবুনা অতুম তুমহনাশগদোবনি। মীশক অমনা লেম্ম ওকহ, থুগাই (মাংহল্লি)। অসিগুম্না বিচারসনু মুন্ন। তাকরবাদ লেম্বা ভাকপা থুগাইবগী থবক তৌরবা ব্রহ্মা বিষ্ণু মহেশ্বর হায়বিবা অসুম অসি শক্তি অসুম অমগী অধিষ্ঠাত্রী দেবতমক্নানি। থুগাত ত্রংথৈ, থুগাইবগী শাক্তনা অমতকপা শক্তিগী মকমদা মাংহনবা কন্তুনা লৈবগুম তৌরি। থুগাইরক্কবা মতমদা ভাকপগী শক্তিনা, থুগাইবগী শক্তিগী মফমদা মাংহনবা হলে। অতুনা মায়থীবা অযুমুক কংনবগীনমক অতুম অতুমগী মফমদা লোইপোৎ অদুমুক হানবগুমনা বিষ্ণুগা রুদ্রগা অনীনা মায়থীবগী খুদম অমমম্ পুনশিনবা। লৌকিক বিচারতদ নত্তে, রাজনীতিগী অতুমতায়। নিংথৌগী মথুত্তা পায়রিবা রাজ শক্তি, শাসন শক্তি অসি অসুবু ওকনবা কত্তবদু থুগাইনবগীদমক্নানি। নিংথৌগী মথুত্তা পাইরিবা মশক টুব থাণ্ড কৌব শক্তি অসি ওকনবা-থুগাইনবা অনীগীদমক্নানি। শক্তি মশা অমনি, অনীগুবোই উবতান অতুগা বিষ্ণুগা রুদ্রগা মীশক অমত্তান। (কালাচাঁদ)

* মতাং অসদা শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনদা তৌরককম লৈকম অতুগা শায়কম মকম অনী অসি তাকই। তাক্লিবা বিজয় অসি আধ্যাত্মিক, বৈজ্ঞানিক, লৌকিক অমসুং সামাজিক ওইবা দৃষ্টি কোণদা (পোইক্ত ওক

অপ্রমেয়প্রভাবং তঃ দেবদেব মুমাপতিম্। নমস্ব দেবং প্রযতো বিশ্বেশং হরমক্ষয়ম্ ॥ ৪১॥

যশ্চ তে কথিতঃ পূর্ব্বং ক্রোধজেতি পুনঃপুনঃ তস্য প্রভাব এবাগ্রে সচ্ছ্রুতং তে ধনঞ্জয় ॥ ৪২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণ মোক্ষধর্ম পর্ব্বণি নারায়ণ মাহাত্ম্যে সপ্তত্রিংশদধিকত্রিশততমোঽধ্যায় ॥

——:(ক):——

নমাঙদা হাং চাউইবা নিপা (মহাপুরুষ) অমনা হঙ্গং হন্দা চংশগুম উখিবদো অতৈ নত্তে; জটাধারী দেবদেব মহারুদ্রনি হঙ্গু। মহাক অদু যুগ অমদা ঐগী অশাউবদগী পোকখবনি হায়না শঙ্কোন্দ অমুকন্থ হায়গ্রে। মাদো মশক উদবা 'অশাউদনা'' (ক্রোধ) হ য়বদুদগী পোকখবনি। মহাক অদো মশক উবা কাল হায়বা দেবতাশিনি ॥৩৯ ৪০॥

নংনা শাশধংমচা হাংগ্রেবা যেরুব ময়াংদো রুদ্রদেবনা হাম্ব হাত্তুনা কৈগ্রানি। মহাকী মতীক-মগুণদি পোশক অমগা চাংদাহংভাই কৈতবনি। অদুগুম্বা দেবাধিদেব, উমাংক্লঙ (উমা দেবীগী চাম্ন-থোইবা) নিশ্বনাথ (জগৎ পুম্নমক্কী মপু) পাপহারী (পাপপু কোকাপইবা) অদুগা অবিনাশী (অমাঙ-অতা কৈতবা) মহাদেবজীবু পুক্নীং চঙনা খুরম্মু ॥৪১॥

ধনঞ্জয়! ঐনা নংগী নকমদা "ক্রোধজ'' অশাউবদগী পোকপা) অদুম হায়না হন্ন হন্ন হায়খিবদো অদু মংনম্ব হন্ন হন্ন তাশ্লবাদা অতৈ কনা নত্তে। পুম্নমক হদু রুদ্র দেবগী নাম গুণ বর্মমক্তনি ॥৪২ ॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসন লেংনা সংহিতাদা শান্তি পর্ব্বগী মনুংদা মোক্ষধর্ম্মগী মতাংদা নারায়ণ মহাত্ম্যগী চন্তকুম্ভাত্তবেংগুবা অধ্যায় লোইরে।

——:(ক):——

তিউ) অদুগা বিচারদা কুম্ন য়েংলনদবান ব্রহ্মলোকত পোকহ কৈ. হায়না তা ক্লবাসদা ব্রহ্মলোক হায়বসি কদায়দনো, কারিনো হায়বসি খন্নকমনি। সংস্কৃত ভাষাগী খুত্রদগী মখী যাম্ব ভংথৈ কৈতনা পাক চাউবা অর্থ পুবসি "ব্রহ্মান্'' হায়বা শব্দ অসনা মতৈ অঙকপদি কারানো হায়বদা তোঙাল তোঙাম্ব মমিং মশক লিশিং লিশিং শথা লক্ষাগী অউব উদবা পোৎ পূম্নক্কী গৌরককম কৈকম. ওইবা ব্রহ্ম কোবা মহাকমক্কী গৌরককমদি করনো ব্রহ্ম মশামক্কা ব্রহ্মগী ক্রৌরককমান হায়বা নত্তনা করিমতা হায়কম কৈতে। প্রমান অমদা হায়য়গা করিগুম্ব অমত খন্দনা কৈরম্বদগী কারিনো অমা হেক খনবা হৌথিবাস কারিগীনো অদুগা কদায়দগীনো কনা অমতনা হায়বা ওম্মোহ। খনখিবনা হাল্লি, খঙহৌদে খল্লুদগী পোৎ অদু পাম্মকই নত্রগা পাম্মক্রে। পাম্নগা থিরুই, তাম্নরুই। পুক্নীংনা পাম্বা পোত্তু শানবা কনবা হোৎনৈ। অদুদগী কর্ম হাম্নবদু চোংথোরকই। মথং মথং মম্নাম অসিদগী হৌম্নককমদি ভলাহগী কারিমতা কৈরমদবা

ঈশাঙ হাঙবা অহুনি। হায়রিবা কিরিগুম্বা অমতনা পীক্লবা মকম অমকাওবা কোন্নুনা থমখিদ্রিবা পোৎ অহু-থম্‌খিদ্রিবা পোৎ অহুতনা খাইদগী চনবা হায়বহু মচক্তনা ওচগদবনি হায়বসিদি স্বতঃ সিদ্ধনি-মশানা তাবনি। পোৎ পুম্নমক্কী চৌরককম অসি মকমগা মতমগা (টাইম এণ্ড স্পেশ) অনীসিঙনি। অনী'সঙনি। অনী'সমকক্সু ভমথৈ নাইদবনি। ভমথৈ নাইদবা অনীসিমকপুম্ন মঙোন্দগী থোকখিবা মঙোন্দ অমূক হল্লিনখিবা অহুগা হল্লিনকম ওইবা মচাক অহুবুনি ব্রহ্ম হায়'রিবনি। থোকখিবা হল্লিন-খিবা হায়বা কর্ম অনী ব্রহ্মাদ্ভদগী পোকখিবনি। অতুনা গীতাদা "কর্ম ব্রহ্মোদ্ভবং বিদ্ধি" হায়বহুনি। হায়রিবা অনীসিনা ভমথৈ ওইরিবা ব্রহ্ম কর্মহুগী মমুংদা সংসারগী কর্ম পুম্নমক লৈথোকপা য়াদনা লৈ-রিবনি। অহুনা শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনদা তাক্লিবদি "ঐ ব্রহ্মলোকতগী পোকপানি, ব্রহ্মলোকত লৈ। অহুগা মতম থরক' গোলোকত শাম্নরমগ', ব্রহ্মলোকত অমুক হল্লিল্ল। শাম্নকমনা গোলোক নি হায়রি। গো শব্দগী অর্থদ পৃথিবী, ইন্দ্রিয়, শব্দ, পশ মরি অসিনি। শ্রীকৃষ্ণ মথন্তনা ব্রহ্ম মকম পুম্নক কৃপ-তুনা লৈ। হায়রিবা মকমশিং আসদা মতম থরদং শাম্নবনলগা ব্রহ্মলোকত অমুক চঙশিনাথ অহুনা, অহানবগা অয়োইবগা অনীসগী মরক্ত সাকার ব্রহ্ম ওহনা শ্রীকৃষ্ণনা শানৈ। (কালাচাঁদ)

মণিপুরী মহাভারত

অষ্টত্রিংশদধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(নরনারায়ণ অনীগী নাক্ত নারদনা শ্বেতদ্বীপত হল্লকপ)

চহুমকুন্থ্রানিপালশুবা অধ্যায়

—–:(ক):—–

শৌনক উবাচ

সৌতে সুমহদা খ্যানং ভবতাপরিকীর্ত্তিতম্। যচ্ছ্রুত্বা মুনয়ঃ সর্বে বিস্ময়ং পরমং গতাঃ ॥ ॥

সর্বাশ্রমাভিগমনং সর্বতীর্থাবগাহনম্। নতথাফলদং সৌতে নারায়ণ কথাতথা ॥২॥

পাবিতাঙ্গার স্ম সবৃত্তাঃ শত্ত্বেমামাদিতঃ কথাম। নারায়ণাশ্রয়া পুন্যা সর্বপাপপ্রমোচনীম্ ॥৩॥

শৌনকনা হায়ঃ— হে সুতনন্দন! নহাক্না ঐখোয়দা শস্থরা পাক-চাউরবা কথা অমবু তাগল্লে। মাসি তাবদা ঋষি পুম্নমক অসে শস্থে রু পেল্লে-মুংঙাইরে ॥১॥

হে সুতনন্দন! মুনি ঋষি পুম্নমক্কী আশ্রমশিংদা কোয়রুবগী অহুগা মতিক মগুণ চাউববা তীর্থশিংদা স্নান তৌরুবগী মহৈনা অসিগুম্বা ভগবান নারায়ণগী পুণ্য চেল্লবা কথা মহৈমুক চাউরোই ক ।২॥

ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী পুণ্য ময়ী কথাবু আ-আদিদগী তাজবনা ঐখোয়গী পুক্নীং হকচাং থম্মোয় লোয়না পুমক্নং শেংদোকখ্রে ॥৩॥

ক তীর্থ ভ্রমণ হায়বসিদি মপানগী খোঙ খুৎনচিংবা কার্ম স্রয়শিংগী থবাক্ন। স্নান তৌবা হায়বাসিস্ত মপানগী হকচাংসিতবু শেংদোকপনি, চোৎহনবনি। জ্ঞান, বুদ্ধিবু, পুক্নীংবু অহুগা কাম ক্রোধ লোভনচিংবা থম্মোয় অমগী পুক্নীগী অমোৎপা (নুংগা) বুদি চামথোকপা য়াদে। তীর্থ-তীর্থশিংদা লৈবস্বা দেবতাগী মূর্ত্তিশিংবু দর্শন তৌরুনবা ঙাক্না হৌজিক হায়বরা থম্মোয়গী অমোৎপশিং অসিবু পাক কোকহনবা মাসি কান্নগীনো হায়বদা তীর্থগী ঈশিং অহুস্ত ভৌতিক পদার্থ অমনি, লুপ্তরিবা হকচাং অসি ভৌতিক পদার্থ অমনি। মৈ ঈশিং মুংশিংনশিংবসি পঞ্চভূতকী মন্নুংদনি। হকচাংস্ত লৈপাক্ন, মাসিস্ত পঞ্চভূতকী মন্নুংদা অমনি। মীৎ নাকোংনচিংবা ইন্দ্রিয় মঙাশিনা তৌব কর্মশংদগী নাকোং কৌবা তাঙ্গ্রনা শ্রবণ (ভাবা) হায়বা কর্ম খ্বাইদগী অথোহবনি হায়বা য়াই। মপানগী বিষয়শিং অসিব পুম্নকাউ ক উত্তনা তাম্নবদি তান্নিবা কথা অহুগী তীর্থজলদা কনাগী পুক্নীং, জ্ঞান, বুদ্ধি পুম্ব পুমলুপ লুংশহন্দুনা তাবনি। অহুনা মন্নুং মপান অনীমকপু শেংদোকপদি (স্নান তৌবদি) কথা শ্রবণতনা ওই। চুম্নগী মাঘীগী বুম

দুর্দর্শো ভগবান্ দেবঃ সর্বলোকনমস্কৃতঃ। সব্রহ্মকৈঃ সুরৈঃ সর্বৈর্যৈর্নৈাশ্চ মহর্ষিভিঃ ॥৪॥
দৃষ্টবান্ নারদো যত্তু দেব নারায়ণং হরিম্। নূনমেতদ্ধ্যনুমতং তস্য দেবস্য সত্তম ॥৫॥
যং দৃষ্টবান্ জগন্নাথমনিরুদ্ধতনৌ স্থিতম্। যৎ প্রাদ্রবৎ পুনর্ভূয়ো নারদো দেবসত্তমৌ ॥৬॥
নরনারায়ণৌ দ্রষ্টুং কারণং তং ব্রবীতি মে।

লোক পুম্নমক্না খুরুম্নরিবা শ্রীনারায়ণগী দর্শনদি ব্রহ্মানচিংবা দেবত পুম্নমক্কী মকমদসু দুলর্ভনি — পাক কংদে ॥৪॥

সুতনন্দন। দেব দেব শ্রীনারায়ণগী মূর্ত্তিগী দর্শনবু নারদনা কংখিবসিমক ভগবান শ্রীহরি মাসকী অনুমতি (য়াবিবা) দগীনি ॥৫॥

সুতনন্দন। ঐখোয়না অমুক হংনিংলিবদি— অনিরুদ্ধ ওইবা মূর্ত্তিগী মনুংদা লৈরিবা জগৎকী মপু শ্রীহরি (নারায়ণ) গী দর্শনবু কংলগা কারিগীদমক্তা অমুক নরনারায়ণগী নাক্তা চৎলিগী লাকখি ? মাসি ঐখোয়দা য়ুম্ন অমুক লীবিয়ু ॥৬॥

উপন্যাসনচিবগী কথা ফাওবা পুক্নং লুপবু মতৌরবসি সংসার পুম্নমক পুমকাও কাওট্টা ভাবিবা মাগী মপানগী চকচাংসি ক্লাওব কাউপেক্লুম্নবু তাংবদি আত্মা মকন্ত ভায়রোত্ননা আত্ম মামকসু কথাক্তুদা লুপখি। শ্রীনারায়ণগী কথাবু তাবদা হায়রবাসগুম্না চেক মতৌরবনি অমুক হাংরানি। প্রেম ভক্তিগী নিয়মরামদা হায়রুবসু মনুং মপান লুপ্ন হায়রক ভগবান শ্রীহরিগী কথাবু তাবন্তদা ওই। ভগবানগী করিগুম্বা লীলাগী মতাং তরুবদগী ভাবুক শ্রেণীগী মীংকুদগী শিন্থরক্লিব পীগী থারা অচুনা মপানগী চকচাং অচু পুমচোং চেকমক চোংথ্রবদি মনুং মপান অনীমক সুন তৌরবনি। প্রেমগী ঈরাদি চেন্থরক্লিবা তীথগী ঈশিংদি চাংমায়দগী চেন্থরকপানি। তাবগী মপানগী ঈশিংদা সুন তৌবদগী হেল্লি। (কাংলাচাদ)

* হায়রিবা য়া অসিদগী কারি থদনগো হায়রবু বিষ্ণুনা নারায়ণগা অনী অসি মশা অমত ওইরবসু তোঙান তোঙবা শক্তি অনী পুরবগী তঙ্গল লোনায় দেবতা অনীনি হায়না লৌব য়াই। বিষ্ণুগী লক্ষ্মী-গা লোয়নবা দেবলোকতা (স্বর্গ) দা বৈকুণ্ঠ ধাম), দেবতা পুম্নমক্কী নিংথৌ ওইনা, খ্বাইগী রাকংঙম ওইনা অদিতিগী মচা ওইনা লোকপিতনা লৈবগী মওংদা লৈ। বিষ্ণুগী ধর্ম চৎপা অচুবুনা বিষ্ণুবু নীং-বশিংবু বৈষ্ণব হায়না খঙনেথ্রে। ভগবানবু নীংব নক্তগা ভগবানমক্কী ধর্ম চৎপা ভক্তশিংবু ভাগবত হায়না খঙনৈ। ধর্ম অচুবুসু ভাগবত হায়না খঙনৈ। নারায়ণ ধর্ম হায়বসি পঙুন হাবনদে। বৈকুণ্ঠদা লৈরিবা বিষ্ণুনি মরক মরক্তা ব্রহ্মানচিংবা দেবতাশিংনা নারদনাচিংবা ঋষিশিংনা দর্শন অচুম মতৌক্তই। রাবী-রাতায শানবগী মওংদসু মতায়। মপক্কী মূপ শ্লোক অসিদা হায়রিবনা ব্রহ্মানচিংনা দেবতাশিংমক্ত কংগুমদবা শ্রীনারায়ণান অংম্ন হায়নসিন নারায়ণগা বিষ্ণুগা থৈক্লে হায়রসি উংল। শব্দ অর্থদসু অচুম থেক্লৈ। বিষ্ণু হায়বগী অর্থ লোং খুদিংমক্ত চঙশিন্নগা চঙশিন্নুরিবা লোং অমগী করিগুম্বা শকক অম হাঙদনবা পুংকুং কুপ্না শীচুন লৈবা হায়বনি। নারায়ণ হায়বগী অর্থনা মওং অনী থাক্ত চৎলি, নার (ঈশিং) দা অয়ন (লৈকম য়ুম) ওইবা হায়বা অর্থনা অমগা নরগী মপে নার, নারগী অয়ন, নারায়ণ

সৌতিরুবাচ

তস্মিন্ যজ্ঞে বর্ত্তমানে রাজ্ঞঃ পারিক্ষিতস্য বৈ। ॥৭॥
কর্মান্তরেষু বিধিবৎবর্ত্তমানেষু শৌনক। কৃষ্ণদ্বৈপায়নং ব্যাসমৃষিং ঋষিনিধিং প্রভুম ॥৮॥
পরিপপ্রচ্ছ রাজেন্দ্রঃ পিতামহপিতামহম্।

জনমেজয় উবাচ

শ্বেতদ্বীপান্নিবৃত্তেন নারদেন সুরর্ষিণা ॥৯॥
ধ্যায়তা ভগবদ্বাক্যং চেষ্টিতং কিমতঃ পরম। বদর্য্যাশ্রমমাগম্য সমাগম্য চ তাবৃষী ॥১০॥
কিয়ন্তং কালমবসৎ কাং কথাং পৃষ্টবাংশ্চ সঃ। ইদং শতসহস্রাদ্ধি ভারতাখ্যানবিস্তরাৎ ॥১১॥

সৌতিনা হায়খি—শৌনক! নিখোয় জনমেজয়গী যজ্ঞনা নীওপনা চৎখক্লবা মতমদা, তোঙান— তোঙানবা কাযক্রমগী লাদাই অশাংবা মতম দেক্ দেক্ কংবদা নিংথৌ জনমেজয়না মহাক্কী মাপুঙৈগী মবুধোনিংগী মবুথৌ ওইবা, বেদজ্ঞান পুম্বগী তুংনকম ওইবা ভগবান শ্রীকৃষ্ণদ্বৈপায়ন মহর্ষি ব্যাসনা অসুম হায়না হংখি ॥৭-৮॥

ভগবন্! মহর্ষি! ভগবান শ্রীনারায়ণনা তাকপিরকপা পাউতাকশিংগী মরমদা মুশা খন্ত খল্লদুনা শ্বেত- দ্বীপন্তগী হল্লক্লবা নারদনা করি করি তৌখিবগে? ॥৯॥

নরনারায়ণ ঋষি অনীগী আশ্রমদা ঋষি অনীসিগা উনরবা তুংদা মুনি কয়াম নারদ মুনিনা লৈ- রম্লগে অমসুং নারদনা নরনারায়ণ অনীনা করি করি হংখিবা? ১ ॥

শ্লোক লিশিং চাম (লাখা)না শারা পাক চাউবা মহাভারত কৌবা পৌরাণিক ইতিহাস অসিদগী

অসুম্ব লৈবা অর্থ অমগা—অনীনি। সমাজদা লৈরিবা, দেশ কোইচাশ তোঙান জাতি-সমাজ খুদিংমক্তা মাগী মাগী তোঙান-তোঙানবা নামক্লপ (মশক মওং মিং) পুরক্লবা ইষ্টদেবতা মশাগী মাগী ওয়া আচার বিচারদা লীংনরি, ঈভাং পূজা তৌনরি। পৃথিবীদা লেক লৈরিবা তোঙান তোঙানবা জাতিশিংনা পুন্নপ পুন্দ্রনা ঐখোয়না তোঙান তোঙানবা নীতিশিংবশি অসিগী হীংকদম চোংথোকপদম অমা ওইবা মহাক্কী নাক্সাগী কম্দোরিদগে কদায়দা লৈরিদগে হায়না নোংমতম্ন ত্রিমহুনা থম্মে। ইউনিভ ধম্মে লম্মিজা কনম্বরেন্স কয়া কয়া চিংশাগোদা কম্বাবনি—ধম্মরি। অম্বু মাসগী রাজক কনা অংতনা প্রাখাক্রকাত্র। তোঙান তোঙানবা ধর্মশিং অসিগী তোঙান তোঙানবা ঈচেম চেম্বককম অমত ওইবা কূটস্থ ওইবা ধর্মদো করিনো? হায়রসি ওসি কাপনা খল্লক্লি অদুগুম্বা পুম্নমক্কী দৌরকপমশগী অর্থ পুথোক্লম শব্দগী "নারায়ণ" হায় রিবসিনি। বৈকুণ্ঠদা লৈবা বিষ্ণুগী মক্কমশগী মতুংনা নারায়ণ কৌবা ঋষি অনীগী থাউখাক তৌদুনা নারদনা শ্বেত দ্বীপন্ত চৎলি কুম্না। তপস্যা তৌবগা নারায়ণগী মূর্তি অমকমা হেনা শংথ নিশ্বকম্মাণ্ডদা তোঙান তোঙানবা মওং মহাও, মনম শীকপ চাউবা, চীং মান, মুরেল তাংবা শীপক শৎনাউ বা পম্থপ পুম্নপ পুনশিন্নগা ওইবা মওং অদু নারদনা উখি। (কালাচাঁদ)

আমন্থ্য মতিমন্থেন জ্ঞানদধিমনুত্তমম্। নবনীতং যথাদধ্নো মলয়াৎ চন্দনং যথা ॥১২॥
আরণ্যকঞ্চ বেদেভ্য ওষধিভ্যোঽমৃতং যথা। সমুদ্ধৃতমিদংব্রহ্মন্ কথামৃতমিদং তথা ॥১৩॥
তপোনিধে ত্বয়োক্তং হি নারায়ণ কথাশ্রয়ম। স ঈশো ভগবান দেবঃ সর্বভূতাত্মভাবনঃ ॥১৪॥
অহো নারায়ণং তেজো দুর্দর্শং দ্বিজসত্তম। যত্রাবিশন্তি কল্পান্তে সর্বে ব্রহ্মাদয়ঃ সুরাঃ ॥১৫॥
ঋষয়শ্চস গন্ধর্বা যচ্চকিঞ্চিচ্চরাচরম্। ন ততোঽস্তি পরংমন্যে পাবনং দিবিচেহ চ ॥১৬॥
সর্বাশ্রমাভিগমনং সর্বতীর্থাবগাহনম্। নতথা ফলদং চাপি নারায়ণকথা তথা ॥১৭॥
সর্বথা পাবিতাঃ স্মেহ শ্রুত্বেমামাদিতঃ কথাম। হরের্বিশ্বেশ্বরস্যেহ সর্বপাপপ্রণাশনীম্ ॥১৮॥

মচং ওইবা মচি ওইবা শরুক থরদং তাক্ননবিরিবা শরুক্ অসে, সঙ্গোম মঠ্ঠা চিংনবা দগী মশক্ ওইবা বুদ্ধিনা চৈ ওইহনা, সমুদ্রগী মশক ওইরবা জ্ঞান ঈপাকপু নৈহনা পথোকপিরকপা অমৃততনি ৩ ॥১১॥

দহী (শঙ্গোম অফবা) দুদগী মখন (মখোন) মলয় চিংদগী মলয়চন্দন, বেদশিংদগী আরণ্যক অমুগা মনা মশীং হীদাক লাংতক পুম্নমক্কী মহুংগী অমৃতবু পুথোরবপুগুম্বা মহৈ মহৈ রা অমৃতগী মশক ওইবা কথামৃতসিবু পুথোক্পিরক্রে ॥ ২-১৩॥

তপস্যাং কল্লবা। ভগবান শ্রীনারায়ণগী কথাগী শরুক থরদা পুথোক্পিরকপা অসে মহাভারত গ্রন্থ মপুম অসিগী মচি ওইবা শরুক্নি। ঈশ্বর পুম্নমক্কী ঈশ্বর ওইবা শ্রীনারায়ণতনা অচম্বা জীব পুম্নমকপু পুথোকথিবনি ॥১৪॥ ব্রাহ্মণ অথোইবা! ভগবান নারায়ণগী তেজদি মহা তেজবমনি। অদুগুম্বা মীগী অচম্বা মীংনা য়েংবা লাকপা ঙমদে। কল্প অমমল্লা লোইরকপদা ব্রহ্মা নাচিংবা দেবতা পুম্নমক অমুগা মুনি ঋষি যক্ষ রক্ষ গন্ধর্বা কিন্নর, চৈপাক চৈপাক, চীং মানন চবা অচেৎপা পুম্নমক অসে মাগী মরক্তদা থুংজিনবনি। অমুগুম্বা শ্রীনারায়ণদগী হেন্না পাবন (সেংবা) ওইবা, মহোৎশংগী হেন্না মরক চউবা অমত্তা লাক অমত্তা লৈত্রবনি ॥ ১৫-১৬॥

ঋষিশিংগী আশ্রম পুম্নমক্তা যাত্রা চৎপা দর্শন স্পর্শন তৌকবা, তীর্থ তীর্থদা চত্তুনা স্নান তৌরবা অসিনচিংবগী পুণ্য ওইবা মহৈনা ভগবান শ্রীনারায়ণগী কথাবু শ্রবণ তৌবগী মহৈবু ফংব লাকপা পোৎ নত্তে ॥১৭॥

বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড মপুম অসিগী স্বামী (মপা) ওইবা শ্রীহরি (নারায়ণ) গী কথা শ্রবণনা পাপ পুম্নমকপু

---

৩ নাকল অনীদা লৈত্নবা লাইয়াম অমুগা হি চাবশিংনা সমুদ্রবু নৈবদগী ঈয়াক কথা কয়াগা লোয়নবা অমৃতবু থোক্লকপিরম্বগুম্বা সমুদ্র (ঈশিং) কী মথক্তগুম্বা পাক্লবা লুরবা বেদ শাস্ত্রশিংদগী অচুম্বা ধর্ম) অমুগা অরানবা (অধর্ম) অনীনা নাকল অনীদা লেপ্লুনা মাথা চিংনবা চৈ ওইহন্দুনা নারায়ণগী কথামৃত অসিবু পুথোকখি। (কালাচাঁদ)

ন চিত্রং কৃতবাং স্তত্র যদার্যেমে ধনঞ্জয়। বাসুদেবসহায়ো যঃ প্রাপ্তবাঞ্জয়মুত্তমম্ ॥১৯॥
নচাস্য কিঞ্চিদপ্রাপ্যং মন্যেলোকেষ্বপিত্রিষু। ত্রৈলোক্যনাথো বিষ্ণুঃস যস্যাসং সাহ্যকৃ সবৈ ॥২০॥
ধন্যাস্ত সর্ব এবাসন্ ব্রহ্মংস্তে মমপূর্বজাঃ। হিতায় শ্রেয়সে চৈব যেষামাস জনার্দনঃ ॥২১॥

কোকহল্লি। মকোক্নগী লোহব ফাওবা মহু, মপান পুম্নশেং শেংবা হায়বহু ওই ❀ অচুওম্বহুনা এগী থম্মোয় হুকচাংদসু অমকপ অমত লৈজদ্রে॥১৮॥

ভগবান্ শ্রীবাসুদেবগী সহায়তা (মতেং) দগী এগী ঈবুধৌ অর্জুননা মহাযুদ্ধ ভহুদা বিজয় (মাল ওম্বা) ফংখিবনি। অহুনা ঈবুধৌ অর্জুন মশানা করিগুম্বা অকনবা অমদি অঙকপা ফংবা থবক অমত তৌখিদে হায়নীওডি ॥১৯॥

হাস্তিনাপুর অসিতগীদি লায়রুদনা, মরোল অহুমগী মপু শ্রীবাসুদেবগী কৃপাহু ফংলবা মী অহুনা মরোল অহুমদা ওাম্মাইদবা অহুগা কাংলোইদবা পোশকসি লৈরমখিনি হায়বা এ থাজদে ॥২০॥

ব্রহ্মন! মুনিদেব! জনার্দন শ্রীকৃষ্ণমক্না মখোযগী ভাক শকুনগীদমক্না ভুবন শেম শাদনা

❀ জাতি সম্প্রদায় খুদিংমক্না মাগী মাগী ইষ্টদেব শাংনহুনা খুদনী মতেনদি জগ পুম্ন ক্না মপুনি জগৎ পুম্নমকপু পাকাশিবনি হায়বাস হায়নরিবা ওাক্ক। মাস অচুম্বাক্ক মান মানা নীঙ্ক জবিবা ইষ্টদেবনা। অতে মৈদগী ঈহেন হুনংনি হাংক্রবাদ অহুগা হায়না থম্ভেরবাদ মাগী মগী ইষ্টদেবহুদ কদাদগী ভক্তি শ্রদ্ধা পোক্লগদগে? খ্রিচিয়ান ধর্ম শান্দাকপশিংনা 'প্রভু যীশুর থজৌ. অতেত্তে থাজকনু, অহু ভইবরদি অরানবা খুবম কাগনি" হায়রিবসিংশ্রমহুনা জৈন, বৌদ্ধ সম্প্রদায়গী মীশিংহুনা অহুম মহায়রি। পুম্নমক খুহংগী অহেনবনি হায়বদি য়াদবনিনা, খুহংদগী অহেনবা হায়বস ধম থম্ভুদে, অমদগী হেনবা য়াদে নংগী নংগী ইষ্টদেব খুহংদগী হেনবনি হায়বদি, অতেগী ইষ্টদেবশিংদা লৈশিংনা গুণ শিং অহুদগী নংগী ইষ্টদেবদা খুহংদগী হন্দোক্না লাববা গুণনা কারি কানিনো? হেন্দে থাক্লবা গুণ শক্তি অহুগী মতুং ইন্না চপ চনা সংসারগী ধর্ম তৌংণ উংলম্বদুদি নংনা থেংনরোইদ্রা? হায়না হ লবাদ কারি খুমগনি? বিচার ঈতৌ তৌদনা নংগী নচাদগী ঈচানাঃ হোল্ল আসনচিংবা হায়নবহুগী অচম্বা রাখলহুনা মাগী মাগী ধর্মনা অমদি ইষ্টদেবনা অহেনবনি হায়না হায়নরি। মহেক্নৌদি মাস পুংকাল শাক্লবনি খুহংদগী অহেনবা ঈশ্বর মশাহুমক্না অতে অতেদগী এনা মচাওরবনি হায়বস খক হাংবম্মোই। হায়নরিবসিদ ঈশ্বরশিং ধর্মশং অহুগী অনুযায়ী (ফোলোয়ার) তাইবং মীশংসনা হায়নদনা পওহুংত মু ওাইন দিবা ওাক্তনি। যীশু, বুদ্ধ, জৈননাচংবা মহাপুরুষশিং আসিনা কনাগী মগুণ শন্দোকপা লাক্ক। যীশু এবুত নীওহু অতে অয়ানবনি, বুদ্ধ এবু নীওহু অতে নীওহুনু, মহাবীর এবুহ নীওহুনু, মহম্মদ এবুহ নীওহু অতেবু নীওহুনু হয়বসি মখোয় অমতনা হায়রমদে। মাগী মাগী প্রভুং হায়বমদ ভক্ত মাগী মাগী অনুযায়ীশিং আসনা তৌরু মাগী মাগী ইষ্টদেবর লৈখা তাকপ্র অহংকারী ওইরম্ম "এবুহ নীওহু, নখোয়না তোঙান তোঙান্ন অহেনবান হায়না নিনবিবদো এগী এনক্লান এ হন্দা াহনা লৈরবনি, এদি সবধর্ম পরায়ংনি, ধর্ম পুম্নমক এনা চংলিবা ওাক্লি ......" শ্রীভগবান হায়না (শ্রীকৃষ্ণনা) তাকপিরম্বসিগুম্বা অতে কনা অমত্তনা তাকাপথিদে। (কালাচাঁদ)

তপসাথ সুদৃশ্যোহি ভগবা ঁল্লোকপূজিতঃ। যদ্দৃষ্টবন্তস্তে সাক্ষাচ্ছ্রীবৎসাঙ্কবিভূষণম্ ॥২২॥

তেভ্যো ধনাতরশ্চৈব নারদঃ পরমেষ্ঠিতঃ। ন চাল্পতেজসমৃষিং বেদ্মিনারদমব্যয়ম্ ॥২৩॥

শ্বেতদ্বীপং সমাসাদ্য যেন দৃষ্টঃস্বয়ং হরিঃ। দেবপ্রসাদানুগতং ব্যক্তং তৎ তস্যদর্শনম্ ॥২৪॥

তৎ দৃষ্টবাংস্তদা দেব মনিরুদ্ধ তনৌ স্থিতম্। বদরীমাশ্রমং যত্তু নারদঃ প্রাদ্রবৎ পুনঃ ॥২৫॥

নরনারায়নৌ দ্রষ্টুং কিংতুতৎ কারণং মুনে। শ্বেতদ্বীপান্নি বৃত্তশ্চ নারদঃ পরমেষ্ঠিতজঃ ॥২৬॥

বদরীমাশ্র মং প্রাপ্য সমাগম্য চ তাবৃষী। কিয়ন্তং কালমবসৎ প্রশ্নান্ পৃষ্টিবাংশ্চহ ॥২৭॥

লৈবিখিবা ঐগী ঈবুধোশিংদো ওস্তোক্ক লাইবক ফৈদকো। * ॥২১॥ জগৎ পুম্নমক্না তোঙ্গাল তোঙাম্বা মওংদা পুজা তৌনরিবা জগৎ পুম্নমক্কী তুংনফম (নারায়ণ) ওইবা নঙাক্কী মূত্তিবু সাকার ওইনা দর্শ ফংবা হায়বসি তাইবং মীগী শক্তিগী য়াংদনি। অকনবা তপস্য নত্তনা ফংব ঙম্ব ত্তে। অদুবু ঐগী মরায়বক ফম্নবা ঈবুধো পাণ্ডবশিংদুনা দ্বাপরদা সাকার ওইবা নারায়ণগী দর্শনবু ঈরাং লায়না তপস্যাকাকা ঈতৌ ঈতৌ তৌদনা ফংখি ॥২২॥

খ্বাই পুম্বন্দদগী মরায়বক ফবদি নারদ মুনিনি হায়নিঙঙি। রাম কৃষ্ণনঙিবা শায়ান পুম্নমক্কী হৌ-রকফম শ্রীনারায়ণগী সাকার মূত্তিব শ্বেতদ্বীপত নারদনা মাগী তপস্যাগী শক্তিনা দর্শন ফংখি। মাদু, তপস্যা ভাক্কী শক্তিনস্থ নত্রে, শ্রীভগবান্ মহাক্কী কৃপাদগীনি ॥২৩-২৪॥

মুনি। নারদনা শ্বেতদ্বীপ তাম্ন চংখিদুনা সংসারগী কারিগুম্বা, চীংমান তুংখ্রিবা শোশক অমত্তনা মাগী ময়েথায়বা অপনবা পীবা য়াদবা (অনিরুদ্ধ ওইবা) মূত্তিগী দর্শন ফংলবনত্তদা অমুক হন্না নরনারায়ণ অনীবু উনগে হায়দুনা বদরিকাশ্রমদা লাকখিংদুনা করিগীনো? ॥২৫॥

নারদনা শ্বেতদ্বীপতগী অমুক বদরিকাশ্রমদা লাক্লগা মফম অদুদা অমুক কয়া কুইনা লৈরম্বগে? অদুগা নরনারায়ণ অনিগী মফমদা অমুক করি করি হংখি ॥২৬-২৭॥

---

* কনাগুম্বনা মরায়বক থীবনা হেক পোকপদগী মমা মপা মফম থঙদনা, মশক্ উদনা, য়েংবিনবা য়াওদনা পুন্শি চুম্ন রানা মপুন্শি লেনবা য়াওরি। মঙোন্দগী বিত্তং ফগৎপনা কনাগুম্বা মুংশি হৈবা ধর্ম খঙবা অম থোনরুদুনা মাগী ময়ুমদা ঈম্ন মুংঙাইনা লৈবা য়াশরি। অদুবু মচামক্তি নত্তবনিন মাগী মচামক্না চপ মান্নবা লৈবদি নত্রে। মাদুদগী থরাখৎ ফগৎপনা লায়রবা মমা মপানা নাওয়োক্তনা মী-মান্নশনা চাব মনীং থুদনা পুন্শি চুম্ন লেনবা য়াওরি। মাদুগীদমক থর ফগৎপনা মমা মপা য়েন্নাক থুম্বা থোকউদুনা চানিং শেংনিং মরাং কায়ন কংবা য়াওরি। মাদুদগী থরমুক ফগৎপনা ধর্ম কর্ম খঙবা মমা থোকউদুনা নিঙথিবা পাউতাক ফংদুনা অক্কবা মীশক অম ওইব য়াওরি অশুম তৌদুনা অমত্ত মায়দনা মথং মথং ফগৎনাঞ্জ। অদুবু মংগুম্বা সংসারনিনা অকোন অহান নিয়ম নাইদনা থাদোকুখি। অদুদগীদি চংত্রিবা আত্মাদু মম্ন কনা য়েংবিনবা শেম্নবিনবা য়াওদনা অমম্বদা থংকম খঙদনা চংখি। ঐগী ঈবুধো পাণ্ডবশিং অদুদি জগৎকী মাতা পিতা ওইরবা জনার্দন শ্রীকৃষ্ণনা হেক পোকপদগী অরাবা কয়া কয়াদগী

শ্বেতদ্বীপাদ্রূপা বৃত্তে তাস্মিন্‌বা সুমহাত্মনি   কিমত্রূতাং মহাত্মনৌ নরনারায়ণবৃষী ॥২৮॥
তদেতন্মে সংবৃতত্বং সর্বমাখ্যাতুমর্হসি ।

শ্রী বৈশম্পায়ন উবাচ

নমো ভগবতে তস্মৈ ব্যাসায়ামিততেজসে ॥২৯॥
যস্য প্রসাদাৎ বক্ষ্যামি নারায়ণকথামিমাম্   প্রাপ্য শ্বেতং মহাদ্বীপং দৃষ্ট্বা চ হরিমব্যয়ম্ ॥৩০॥
নিবৃত্তো নারদো রাজন্ তরসা মেরুমাগমৎ । হৃদয়েনোদ্বহন্ ভারং যদুক্তং পরমাত্মনা ॥৩১॥
পশ্চাদস্যাভবদ রাজন্নাত্মনঃ সাধ্বস মহৎ । যদ্‌গত্বা দূরমধ্বানং ক্ষেমী পুনরিহাগতঃ ॥৩২॥
মেরোঃ প্রচক্রাম ততঃ পর্বতং গন্ধমাদনম্ । নিপপাত চ খাৎ তূর্ণং বিশালাং বদরীমনু ॥৩৩॥
তত স দদৃশে দেবৌ পুরাণবৃষি সত্তমৌ   তপশ্চরন্তৌ সুমহদাত্মনিষ্ঠৌ মহাব্রতৌ ॥৩৪॥

শ্বেতদ্বীপতগী হল্লক্লবা নারদনা মহাত্মা ওইরবা নরনারায়ণ অনীগা কারি করি য়ারী শানাখ ? পুন্ন-মক অসে চানবিদনা তাকা দু ॥২৮॥

বৈশম্পায়ননা হায় ঃ অনৈথৈ লৈতবা তেজবু পুদিবা ভগবান্ গুরুদেব শ্রীব্যাসবু ঐনা খুরুমজরি ॥২৯॥

নিংথৌ ! শ্বেত কৌবা মহ দ্বীপ অদুদা চংখিদুনা অমাত্ত অতা, পোকপ শিবা লৈতবা শ্রীহরি(নারায়ণ)গী মশান উরবা তুদা হল্লক্লুনা মেরু চীংগী চিংথক থুংলে । ভগবান শ্রীহরিনা তাকপা পাউতাক অম-দি পীরকপা ইশ্বা অদুবু কাউদনা পল্মোয়দা থম্‌না রাখল বিচার তৌরকই ॥৩০-৩১॥

নিংথৌ ! নারদ শসে হল্লকপা মতমদা পুমতক ওক্ত হল্লকই । অদুক য়াম্ন লাপন চৎলুরগা ঐ-সিনা ঈথত খওয়েদনা মীকুপ্ত যৌরক্লবা সংগা করম হায়না য়ৌরক্লবনো, লম্বী চৎপগী অরাব চোকথবা অসিনচিংবনা করম হায়না লৈত্রিবনো ··· অসিনচিংব অসি থল্ল খল্লদুনা নারদ অসি ঈত্তক ওক্ত লাকই ॥৩২॥

অদুম্ন থন্ন থন্ন লাক্পাসিনা মেরু চিংদগী গন্ধমাদন চীঙ য়ৌব ক্ল । গন্ধমাদন চিংথগী বদরিকাশ্রম তম্ন আকাশদা পাইথরকই ॥৩৩॥

মফম অদুদা ধ্যান তৌদুনা লৈরিবা নরনারায়ণ অনিবু উরে । অনি অদু মপানগী হকচাংবু পুমকাউ কাউনা আত্মনিষ্ঠ ওইনা তুমিন্ন ধ্যান তৌদুদা লৈরম্মি ॥৩৪॥

কনবিরগা মহাকী নিংথিরবা বৈকুণ্ঠ ধামদা য়োহনখি । অদুন, মুনি ! ঈবুধৌ পাণ্ডবশিং অদো খুাইদগী লাইবক কবনি হায়খিদ্রে, ঈবুধৌ অর্জুননা অগৎ গুরু শ্রীকৃষ্ণদগী জগৎনা কবা ওমত্রবা গীতাগী উপদেশ কয়া তাখি অমুকসু মহাজ্ঞানী ঈবুধৌ ভীষ্মদগী জগৎকী শান্তি ওইনবা তত্ত্বা কয়া কয়া তাখি। অদুবু অঙকপদি মখোয়গী মচা ওইবা কল্লবা, ঈবুধৌ অভিমন্যুবুদি লাইবক অসি শ্রীকৃষ্ণনা কংহনখিদে। শ্রীকৃষ্ণগীদি মচনমকসু পোকপান। কর্মগতিসিবুদি কনা অমতনা থিংবিনবা য়াওদ্রবরা হায়না জনমেজয়না বৈশম্পায়নদা হংলে । (কালাচাঁদ)

তেজসাভ্যধিকৌ সূর্য্যাৎ সর্বলোকবিরোচনাৎ। শ্রীবৎসলক্ষণৌ পূজ্যৌ জটামণ্ডলধারিণৌ ॥৩৫॥
জালপাদভুজৌ তৌ তু পাদয়োশ্চক্রলক্ষণৌ। ব্যূঢ়োরস্কৌ দীর্ঘভুজৌ তথা মুষ্কচতুষ্কিণৌ ॥৩৬॥
ষষ্টিদন্তাবষ্টদংষ্ট্রৌ মেঘৌঘসদৃশস্বনৌ। স্বাস্যৌ পৃথুললাটৌ চ সুভ্রূসুহনুনাসিকৌ ॥৩৭॥
আতপত্রেণ সদৃশে শিরসী দেবয়োস্তয়োঃ। এবং লক্ষণসম্পন্নৌ মহাপুরুষসংজ্ঞিতৌ ॥৩৮॥
তৌ দৃষ্ট্বা নারদো হৃষ্টস্তাভ্যাং চ প্রতিপূজিতঃ। স্বাগতেনাভিভাষ্যাথ পৃষ্টশ্চানাময়ং তথা ॥৩৯॥
বভূবান্তর্গতমতি র্নিরীক্ষ্য পুরুষোত্তমৌ। সদোগতাস্তত্র যে বৈ সর্বভূতনমস্কৃতাঃ ॥৪০॥

মখোয় অনীতুগী তেজদি লোক পুম্নমকপু ঙালহল্লিবা পুমিংকী তেজদগী হেন্না কল্লম্মি। মহাত্মা অনি-অনিতুগী থবাক্তা শ্রীবৎসগী চিহ্ন (খুদম্-মায়) অতুনা থাইরে য় হৎচাগী লৈতে শুম নীঙথিজখি অদুগা কোকথক্তনা জটানা থোইনা অমুক নিঙথিজে ॥৩৫॥

মখোয়গী খুবাক্তা কাওগী ময়ি লৈ, খোঙদা চক্রগী ময়ি লৈ। থবাক কল্লি, পাম্বোম চাওই, চোল্ল। লিঙ্গগী মরম্ থাউ শু কোযদা অণ্ড (বীজ-মরম) মরি মরি পাল্লি। য়াপক য় খাদা য়া মরীং হুম্ফু হুম্ফু অদুগা য়ারি নিপাল্লি। খোস্থেক্ক অনৌবা নোংগী মখোলগুম লূস্ম। মায়থোং থাদনা নিংথৈজে। লাইবক অনিতু পাক চাউই। নীশূং আন অতু খাইবপ তৌ। চাৎনবা অনিতু ঙাঙা-মা পোইনা নিংথিজে। নাতোল অনিতু তুমলপ রা লপ তৌনা থইনা নিংথিজে। নরনারায়ণ অনিগী শোভা নীং-থিজবা) অদুগি করিগুম্বা—কনাগুম্বা অমত্ত চাংদমানঙায় লৈতবনি ॥৩৭-৩০॥

নরনারায়ণ অনিগী কোক আংতুনা হকচাংগী হাইগংকপতুদি য়েংবদ কীরল ছত্র অনিনা হাইগং লকপা অতুদি ছত্র কায়াল অনীনা হাগৎ থিন্দোবকপগুমখি। অতুগুম্বা, লক্ষণগী মশক ওইবা খুদমতনা থল্লবা নরনারায়ণগী দর্শন করবদা নারদ মুনি আস ওম্মোক্ল। পুঙবা য়াখি। ভগবান নরনারায়ণনা য়ু নিঙথিনা তরাম তরাম্ন স্বাগত তৌ বরগা নারদগী মঙ্গল ওইবা পাউবু হংলকই ॥৩৮-৩৯॥

নারদনা অনীবু উরগা পুক্নিংদা অস্থুম হায়না খল্লকই ভংস্থাকপান। শ্বেত দ্বীপতা শ্রীনারায়ণগী সভাগী মনুংদা কমুতুনা লৈহৌবা ভগুপ তরেংনা নিংথিজবা দেবতাশিংমক্তবু পূজা তৌননিঙায় ওইবা মখোয়-শিং অতুগী মশকক্তা নরনারায়ণ ঋষি অনিসগী মশকুক কাগ্নমত থেয়দে। ঋষি অনীসগী মশক্তা মখোয়-তুগী মশক্তা চপ মান্নে * ॥৪০॥

---

* মর্ত লোকত পোকপা অমাদ লৈবা মীশংগী মশকক্তা স্বর্গধামদা শ্রীভগবানগী প্রজা ওইনা লৈ-রিবশিং অতুগী মশকক্তা থোইনা খেয়কম থাক্তবানি। মপানগী প্রকৃতিদস্থ মতম মকমতুগী মুংশিং মুংশা তুগী মতুং ইন্না মওং মুঙৌ ফজনা উবা য়াওয়ি। খুদম ওইনা হায়রবদা বসন্ত ঋতুদা নম্নগা হরা পানি য়ায়া নীংথিনা লৈবা মকমদ হৌবা হৈপাল লৈপালশিংগী মশক অতুগা মুংশানা কণ্ডথোক্ল বাব, ঙীশিং য়ায় তাঙবা মকমদা হৌবা শুংগ্রেং মাংগ্রেংনবদা হৈপাল লৈপালশিংগী মশকা মায়দে। অকবা য়াথত্ত থনবা,

শ্বেতদ্বীপে ময়াদৃষ্টা স্তাদৃশাবৃষিসত্তমৌ। ইতি সংচিন্ত্যমনসা কৃত্বাচাভিপ্রদক্ষিণম্ ॥৪১॥
স চোপবিবিশে তত্র পীঠে কুশময়ে শুভে। ততস্তৌ তপসাং বাসৌ যশসাং তেজসামপি ॥৪২॥
ঋষী শমদমোপেতৌ কৃত্বা পৌর্বাহ্ণিকং বিধিম্। পশ্চান্নারদমব্যগ্রৌ পাদ্যার্ঘ্যাভ্যামথার্চতঃ ৪৩॥
পীঠয়োশ্চোপবিষ্টৌ তৌ কৃতাতিথ্যাহ্নিকৌ নৃপ। তেষু তত্রোপবিষ্টেষু স দেশোঽভিব্যরাজত ॥৪৪॥
আজ্যাহুতিমহাজ্বালৈর্যজ্ঞবাটো যথাগ্নিভিঃ। অথনারায়ণস্তত্র নারদং বাক্যমব্রবীৎ ॥৪৫॥
সুখোপবিষ্টং বিশ্রান্তং কৃতাতিথ্যং সুখস্থিতম্।

অসুম হায়না মপুক্লাংদা থম্ম থম্ম নারদনা নরনারায়ণ অনীবু য়েংলোইননা .কাম্বরগা লৈথক্কবা কুশাসন মথক্ত ফমথৈ ॥৪১॥

অদুগী তুংদা তপস্যা, মিংচৎ অদুগা ব্রহ্ম তেজগী লৈকম তু নকম ওইবা, অদুগা শান্তি অমদি ইন্দ্রিয় থুদুম চনবা হায়বদুনা মূর্ত্তি নাইনা চোথেক্কুনা লৈবগুম্ব ঋষি অনিদুন পূর্ব্বহ্ন শালগী সন্ধ্যাতর্পণনচিংবগী নিত্য কর্মবু পাঙথোক্লুবগা নিথিজববা বনগী ইহৈ রাহৈনা নারদগী অতিথি সেবা তৌখ * ॥৪২-৪৩॥

নিংথৌ! মতৌ অসুম্ন মশাগী নিঙাকম অদুগা আতিথ্য সেবা নচিংব লোইরবা তুং অদুদা নর-নারায়ণ ঋষি অসিসু কুশাসন মথক্ত ফমখি। অদুম্ অসিনা ফমুথিবসদা মফম অদু কয়াগী মতিক ফজাখংগে হায়বদা ঘীগী আহুতিনা মৈরি থোক্ল চাক্লবা মৈ ভত্তুম মঙাম্না পুম্নমক লকবা যজ্ঞ মণ্ডপ অমগী মতৌঙম্না থোইনা নিংথিজখি ॥৪৪॥

আতিথ্য সেবা ফংলদুনা, অরবা চাবৃথবপুম্বা কোম্লবা নারদনা নিংথনা চনি ভনা ফমুথ্রবদা নারায়ণ ঋষিনা নারদদা অসুম্না হায়রবই— ॥৪৫॥

হিংসা তৌদবা সাত্ত্বিক ওইবা গুণশিংগা লায়ননা লৈবা মীকশিং অদুগা রজোগুণ তমোগুণদা লৈবা মীশিং অদুগা মান্নবা তৌনদে। (কালাচাঁদ)

* ভারত আর্য্য ঋষিশিংগী জগৎ পুম্বগী শিদমকম ওইরবা নিংথিজববা সংস্কৃতি অম লৈ সেবা হায়বা অসি মথাদা লৈব মীনা মথক্ত লৈবা মীশিংদত তৌগদবা চৎনদবা কর্ম ধর্ম) নত্তে। ব্রহ্মণনসু ক্ষত্রিয়গী সেবা তৌই। কনাগুম্বা ক্ষত্রিয় নিংথৌ অমনা ব্রাহ্মণ মুনিশিংগী আশ্রমদা শবিগুম্বা থবক অমগীদমক চংলুবরদি মুনি ব্রাহ্মণ অদুনা ক্ষত্রিয় অদুগী সেবা তৌই, পূজা তৌই সর্বদেবময়োঽতিথিঃ হায়বদি চেৎন লুনা লৌনৈ। অতিথি অমনা লাকপা মতমদা দেবতা পুম্নমক্কা পুজাপ হৌদুনা লাক্লবনি হায়না লৌনৈ অতিথি ওননবু লাক্লবদ করি জাতিগী মীনা শায়বা পোইনা হনদে। অতিথি দেবতা অমা লাক্লে হায়না লৌনৈ। মরম অদুনা নরনারায়ণ অনিনা অতিথি ওইনা চংলিবা নারদগী অতিথি সেবাবু উৎতে রাহৈতন্‌বু ওইরবসু তরাম তরামনা তৌথি। অসংগুম্বা অর্য শন চৎনবথা তৌবস্ব বাবহার অসি অতৈ অতৈ মকমদা ময়েক শেংনা উদে চৎনদে। ক্ষত্রিয় বৈশ্য আতিথিগী মকমদা ব্রাহ্মণ অমনা পাদ্য অর্ঘ্যনচিংবা দানবু য়াম্ম তৌথনা কিনা তৌরম্মি। (কালাচাঁদ)

নরনারায়ণাবূচতুঃ

অপীদানীং স ভগবান্ পরমাত্মা সনাতনঃ ॥৪৬॥ শ্বেতদ্বীপে ত্বয়া দৃষ্ট আবয়োঃপ্রকৃতিঃ পরা।

নারদ উবাচ

দৃষ্টো মে পুরুষঃ শ্রীমান্ বিশ্বরূপধরোঽব্যয়ঃ ॥৪৭॥

সর্ব্বে লোকা হি তত্রস্থাস্তথা দেবাঃ সহর্ষিভিঃ। অদ্যাপি চৈনং পশ্যামি যুবাং পশ্যন্ সনাতনৌ ॥৪৮॥

যৈ লক্ষণৈরুপেতঃ সহরিরব্যক্তরূপধৃক তৈর্লক্ষণৈরুপেতৌহি ব্যক্তরূপধরৌ যুবাম্ ॥৪৯॥

দৃষ্টৌ যুবাম্ ময়া তত্র তস্য দেবস্য পার্শ্বতঃ। ইহৈব চাগতোঽস্মি বিসৃষ্টঃ পরমাত্মনা ॥৫০॥

নরনারায়ণ অনীনা অস্তুম হায়রকই--দেবর্ষি! শ্বেতদ্বীপ তাম্ব চৎলুহনা ঐখোয়গী অনী নরনারায়ণ কৌবগী পোকলকুকম চৌরককম ওইবা সনাতন পরমাত্মা ভগবান নারায়ণগী দর্শন ফংলব্রা ॥৪৬॥

নারদনা হায় :— ঐনা শ্বেত দ্বীপ অদুদ বিশ্বরূপ ওইবা বিশ্বব্রহ্মাণ্ড অসনা মাগী মশক ওইবা অমাঙব লৈত্রবা পোকপ শিবা য়াওদ্রবা মশেক মঙতগী মশক ওইবা পরম পুরুষ ওইবা মহাক্কী দর্শন ফংজরক্কে। অদুগুম্বা পরমপুরুষ ওইবা মাগী গর্ভতদা জগত্তা হেক লৈরিবা মুনি ঋষি পুম্নমক্ লৈরিবদুম্ব ঐনা উজরকই ॥৪৭॥

অদুগা ঐদি তৌজিকদুম্ব বদরিকাশ্রম অসিনা নরনারায়ণ নখোয় অনিগী মূর্ত্তিসিবু উবদা শ্বেত দ্বীপত লৈহৌবা ভগবান শ্রীনারায়ণগী মূর্ত্তিদা ঊকায় কায়দনা অদুম্ মউবি। কনগুম্বা পোশক অমগী মওংগা চাংদম্নদুনা কাস্তদোকনীঙায় ওইদবা শ্রীহরি নারায়ণদুগী ঐনা উথিবা মশক মতৌ মগুণ পুম্নমক অদো মপোপ ঊকায় কায়দনা নরনারায়ণ নখোয় অনিদা অদুম মউরি। সম্বাদ্বীপত্তা লৈরিবা শ্রীনারায়ণদা লৈরিবা লক্ষণ (খুদম) ময়ামদো ঊকায় কায়দনা, অমত রাজনা অদুম মউবি ॥৪৮-৪৯॥

অসিত নত্তে, মহাত্মা নখোয় অনিসিমক্কা শ্বেতদ্বীপত লৈবৌ শ্রীনারায়ণগী নাক্ত ফমদুনা লৈরম্বদু ঐনা উরকই অদুগুম্বা পরমাত্মাদু অমুক ঐবু মফম অসিদ চংলো হায়দুনা থাব্রক্লগা মহাক মশামক ঐনা সিদা চৌরকত্রিভেদা হায় লৈংম্বগুম ওইন উবি ঔ ॥৫০॥

ঔ নারদনা হায়রিবা য়াকম অসি য়ম্ম থক্কম ওইবা মতাং অমনি। শ্বেতদ্বীপত কমাদুম উদনা লৈরিবা শ্রীনারায়নগা বদরিকাশ্রমদা লৈরিবা নরনারায়ণগা মীশক অমতনি দেবতা মশা অমতনি হায়রবসিমদু নারদনা হায়রিবসিংগী ঐ থায়মা হঙদি। মতাং অসিদা লৈরিবা চিংনবা অদুগা অমাংপদি শ্বেতদ্বীপত্তা লৈবা নারায়ণদ অমক্কন অদুগা বদরিকাশ্রমদা লৈরিবা অসিনা নর হায়বা অমগা নারায়ণ হায়বা অমগা অনি পোক্কা উবি। মাসিগী য়াকম অসি নারদনা থোংদোক্ত চৌদোক্লদবদু লৈতে। অমনা করিনো হায়বদা শ্বেতদ্বীপতগী নারদবু চংলো হায়না বিদায় তৌসকপা নারায়ণ অদু অমুক হন্না বদরিকাশ্রম লৈরমলে হায়রি। মাসিদগী ঐখোয়না অসিগুম্বা জ্ঞান অম লৌথোকপা য়াই :—আত্মা অসবু দেংহুবদা

কোহি নাম ভবেৎতস্য তেজসা যশসা শ্রিয়া। সদৃশস্ত্রিষু লোকেষু ঋতে ধর্মাত্মজো নৃপ॥৫১॥
তেন যে কথিতঃ কৃৎস্নো ধর্মঃ ক্ষেত্রজ্ঞসজ্ঞিতঃ। প্রাক্তপাবাশ্চ কথিবা ভবিষ্যা ইহ যে যথা ॥৫২॥
তত্র যে পুরুষা শ্বেতাঃ পঞ্চেন্দ্রিয়বিবর্জিতাঃ। প্রতিবুদ্ধাশ্চ তে সর্বে ভক্তাশ্চ পুরুষে ত্তমম্ ॥৫৩॥
তেহ চর্য়ন্তি সদাদেবম্ তৈঃ সার্ধং রমতে চ সঃ। প্রিয়ভক্তো হি ভগবান্ পরমাত্মা দ্বিজপ্রিয়ঃ ॥৫৪॥

লোক অহুম অসিদা ধর্মগী মচা ওইবা মহাত্মা মখোয় অনি নত্তনা তেজবীর্য্য সম্পাত্তদা ভগবান্ পরমাত্মা মক্তা চপ মান্নবা ওত্বসি অতৈ কনা অমমুক লৈবগে ॥৫১॥

অদুগুম্বা ভগবান শ্রীহরিনা জগৎকী ধর্ম পুন্নমক্তা মচাক ওইনা তিন্নদুনা শাগৎথিবা ধর্ম মপূম অদুগী ভত্ব অদু ঐঙোন্দা তাকপিখি। অদুগুম্বা তত্বদুবু খঙবা ক্ষেত্রজ্ঞগী তত্বসু ঐঙোন্দা তাকপিখি। মতুংগী যুগ খুদিংদা লৌরক্কদবা মাগী অবতারশিংদুগী রাহস্য ঐঙোন্দা তাকপিখি * ॥৫২॥

মফম অদুদা লৈরম্বশি অদুগী কুচুদি থাগী মঙাকঙুম্না মেঙনা ঙৌরুনৈ। মখোয় খুদিংগী মশা (হকচাং) অদু পঞ্চভূতনা শাবা অমত্ত যাওদে। মীৎ নাকা নচিংবা মপানগী অউবা কর্মেন্দ্রিয়শিং অসিসু মখোয়গী মশাক্তদা পাল্লমদে। পঞ্চভৌতিক ওইবা মূর্ত্তি পুব অমত্ত যাওরমদে। মখোয়গী মূর্ত্তি পুন্নমক জ্ঞান মূর্ত্তিমক্তনি। অহুম ওইবা জ্ঞান মূর্ত্তি ওইবশিং অদুনা বিষ্ণু ভগবানগী শীংলবা ভক্ত ওাক্ত ওইনা লৈরম্মি ॥৫৩॥

মখোয় অদু অহিং সুংথিন্দা, মাকুপ খুদিংগী ভগবান্ শ্রীহরি (নারায়ণ) গী সেবাদা পূজাদা লুপ-তুনা লৈরম্মি ভগবান শ্রীবিষ্ণু (হরি) সু যাং নুংশিনা মায়েংং মফ যাম ভক্তশিং অদুগত শান্নদুনা লৈবম্মি ভগবাননা মাগী জ্ঞানী ভক্তশিং অদুবু যাম নুংশিংনা লুনা তৌই। অদুগুম্বা পরমাত্মা শ্রীহরি মসো জ্ঞানী ব্রাহ্মণশিংগীসু মহাপ্রেমী অমনি। ॥

থাজিল্লক্লবা মচাক অদুনা আত্মাসনা যৌকত্রিভৈদা মহাক্ত শাপ পেক্কসু দা শাক্ত লৈরম্বগুম্বা ভাব অমসু উৎলি। অনী থোক্কা উরিব অসিনা কঙ্গি তাকপগে হায়বদা অচেচক পুম্বদ হায়দগী পরমাত্মা (ব্রহ্ম) মক্তা মাগী অংশ ওইনা থারুপা আত্ম গা দেহ অমতদা লৌ-য়রবসু অনি থোক্কা চৈামম্নবগী ভাবতা নরনারায়ণ অনিগী রা অসি মতাং আসদা হৌদে কপান নরনারায়ণ অসি বেহ খুদংদা ঈশ্বা থাদোক্লদনা লৈবগী ভাব অমসু মত্তাং অসিদা উৎলি। মাসি, জাতি পুম্ন কী ধর্মগী তত্ত্ববু নৈনশা কাওবুনা থোক্কনা নৈনকম থিকম থোকই। অনী অহবু অনী পোক্তনা টৈবগী ভাব অমসু লারদনা হায়দি। মাসিনা আধু-নিক যুগকী শঙ্কর-সম্প্রদায়গী একেশ্বরবাদ অমদি ব্রহ্মবাদ ওইবগী রানি। (কালাচাঁদ)

* নারদনা হায়রিবা অসি সৃষ্টিগী মতমগী ভুস মাওবদা মাগী মাগী তাঙাল তোঙানদা ধর্মবু চু পায়গুম পায়বা স্বধর্মাবলম্বীশিংনা থম্লদ্রি। তাইবং মী খুদিংগী থম্মোয়দা থম্লবিশা ধর্ম পুন্নমক অদুগীদি লায়রদনা সম্প্রদায় খুদিংগী জাতি খুদিংগী থম্লাববা পুনরিবা তোঙাল তোঙানবা ধর্ম ময়ামগী তত্ত্ব ময়াম

স্থমতে সোঽর্চ্যমানোহি সদা ভাগবতপ্রিয়ঃ। বিশ্বভুগ্ সর্বগো দেবো মাধবো ভক্তবৎসলঃ ॥৫৫॥
স কর্তা কারণং চৈব কার্য্যং চাতিবলদ্যুতিঃ। হেতুশ্চাজ্ঞা বিধানং চ তত্ত্বং চৈব মহাযশাঃ ॥৫৬॥
তপসা যোজ্য সোঽত্মানং শ্বেতদ্বীপাৎ হি যৎ। তেজ ইত্যভিবিখ্যাতং স্বয়ং ভাসাবভাসিতম্ ॥৫৭॥

বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড মপুম অসিগী মপু ওইবা অত্থুগ। বিশ্ব জগৎ অসিগী হর্ত্তা। কর্ত্ত স্রষ্টা ওইবা ভগবান মহাক্তি ভক্তশিং অত্ত হায়ব ইনবা, ভক্তশিং অত্থুগী মথা পোম্ন লৈ। অত্থুগুম্বা ভক্তশিং অত্থনা তৌজবা সেবা পূজাবু অয়ান অত্তই য়েংবিদনা থরায় য়াওনা তরাম তরাম লৌবি ॥৫৫॥

ভগবান্ মহাক্তনা কর্ত্তা (অশাবা অতৌবা), কার্য্য (শাম্লিনা শাগ-লৌবিবা পোৎ) অত্থুগা কারণ (শাগদৌম্নিবা পোৎ অত্তুগী খুংলায় অমদি মচাক) অত্থুম অসি মতম অমতমদা ওইত্থনা লৈম্নিবনি। অত্থুম অসি মহাক মশা মথন্তনা ওইবনা মহাক্কী তেজ অমদি পাঙ্গন্দি ওমথৈ নাইদবনি। অত্থুগুম্বা ভগবান মহাক্তনা হেতু (মখম), আজ্ঞা (য়াথং), বিধি (নিয়ম) অত্থুগ তত্ত্ব মরি অসি পুন্নপনা ওই ॥৫৬॥

মহাক্না মশা মথন্তবু তপস্যাগা লুপহন্দুনা শ্বেত দ্বীপ অক্তুদগীসু য়াংমদা মহাকতগী মশক ওইত্থনা লৈৎত্থ

অদি পুন্নকনা পুখোক্লবক্তুনা রসায়ন তৌত্থনা মিজাইনবুগা কাং [illegible] অম [illegible] ক [illegible] থোরক্লদগে হায়বদো কমাঙুম্বগী থম্মোয়দা মঙ্কাঙ মঙনদ্রে। মপানগী প্রকৃতিদা [illegible] [illegible] অঙা বা [illegible] মচ শিংখিনা, অথুম্বা অয়াকপা অখাবনচিংবা মশাওশিং অসিনা, অচ্চক [illegible] তোঙ [illegible] খোঙ্খোকশিং অসিনা জগত্ত লৈখিব। তোঙাল তোঙানবা মনমশিং অসিন [illegible] হাংনবদা তোঙাল তোঙানবা রূপ রস, গন্ধ স্পর্শ শব্দশিং অসিনা পুম্নপ পুম্ন পাত্র [illegible] য়ানথায়নবুবদি কম্নি কম্নি থোরক্লনি হায়বত্থুগী [illegible] মী বৈজ্ঞানিকশিংনা পুথে রবে। [illegible] মী অত্থুসু ধর্মগী সম্প্রদায় অমদা অত্থুম মরৈ। মপানগী জগাশু [illegible] পনা প্রকাশ [illegible] আস-ভঙানি মথোয়না য়াম্নোক য়াম্নুন তৌবা তাম্মংসু। আধিভৌতিক বৈজ্ঞানিকশিং অসিগী তোঙান্ন লৈব মনো বিজ্ঞানিকশিংনা [illegible] পুখোকলে। অত্থবু তৌজক হায়রবা বেযর আসনাদ অশোকপোক্তি অত্থুগুম্বা [illegible] রাকম অসিবু নারদনা শ্বেতদ্বীপ [illegible] শ্রীহরি (নারায়ণ)গী [illegible] ।

ধর্ম প্রচারকশিং অসি মহাপুরুষ অমমমনিং হায়বগা [illegible] ধর্মবু [illegible] শীরগা মানা থোক্লোকপা অত্তনা [illegible], অচুম্বনা হায়না [illegible] ওত্তন [illegible] ধর্মন, হিন্দু সনাতনী ধর্মবু সু শিংদে। বৌদ্ধ ধর্মনা জৈন ধর্মবু মাকথিনব লৈখ, তাম্মিনবা [illegible]। শম্ন হায়রবা ধর্ম অমনা ধর্মবু মুথৎ-নবা তোৎনবি ভগবান্ মহাক্তি ধর্ম খুদিংমক [illegible]। ধর্ম খুদিংমক মাগী ধর্মনি হায়রি। অত্থনা ধর্ম অমনা ধর্ম অমগী মুথৎহনবা [illegible] ভগবানগী [illegible] ধর্মবু মুথৎকে হায়না তোৎনবতানি। অমনসু মাগী য়াহন্দুনা খুদিংগী [illegible]। অমনসু [illegible] অচুম্না হায়রি। জৈন ধর্ম, বৌদ্ধ ধর্ম শাক্ত ধর্মনশিংবু পুম্নমক আসদ [illegible] প্রচারকশিং অত্থুনা [illegible] মতমদা তরাংতা থোক্লোকখিবা ঙাক্তনি। অত্থুদা তাইবং মীগী খুংশেম [illegible] বৈষ্ণব ধর্মদি বিষ্ণুগী অবতার তৌদ্রি-তৈগী মমাঙদা লৈরমলবনি। ধর্ম প্রচারকশিংনা শন্দোক্লিবা ধর্মশিং অসগী হৌরককম ধর্ম অত্থবু সনাতনী ধর্ম হায়না কৌই।

(কালাচাঁদ)

শান্তিঃ সা ত্রিষু লোকেষু বিহিতা ভাবিতাত্মনা। এতয়া শুভয়া শুভয়া বুদ্ধ্যা নৈষ্ঠিকং ব্রতমাস্থিতঃ॥৫৮
নতত্র সূর্য্যস্তপতি ন সোমোঽভিরাজতে। ন বায়ুর্বাতি দেবেশে তপশ্চরতি দুশ্চরম্ ॥৫৯॥
বেদীমষ্টতলোৎসেধাং ভূমাবস্থায় বিশ্বকৃৎ। একপাদস্থিতোদেব উর্দ্ধবাহুরুদঙমুখঃ ॥৬০॥

উই। মহাক্কী তেজ শক্তি ময়াম অদুবু অতোপ্পা ৎেজ (মঙাল) অমনা উহনগদবা নত্তে। উহনবদ্ধ ঙম্মোই। মহাক্কী তেজদি মশাগী তেজনা উহনগদবনি ॥৫৭॥

(হায়রিবসিগী ভাবতি— অমম্বদা থাংগৎলকপা থাউমৈনা মশাগী মঙাম্না মশাদুমকস্থ ঙালহল্লি, উহল্লি) ॥

অদুগুম্বা পূতাত্মা (শেংলবা অত্মাত্মা) ওইবা মহাক্কনা, জগৎকী জীবনা তাম্নরিবা অদুগা পাম্নরিবা শান্তি হায়বা পোশক অসি পুথোকখিবনি * জগৎকী মঙ্গলবু পীনহৈরবী বুদ্ধি অদুতগী আশ্রয় লৌহনা লৈরিবনি ॥৫৮॥

ভগবান শ্রীনারায়ণনা মহাশান্তিগী মশক ওইরবা তপস্যা অদু তৌরিবা মকম অদুদা হুমিৎনস্থ মাগী মৈশা য়োহনদা ঙমদে, থানস্থ মাগী মঙাল য়োহনবা ঙমদে। শ্রীহরিনা তপস্যা তৌরিবা মকম অদুদা লোকত চৎনরিবা মৈ ঈশাংস্থ শিংনা কাপ্পিরগুম্বা অমত লৌরবা ঙমদে ॥৫৯॥

মকম অদুদা বেদী অম লৈ। মাংবনা খুদোল নিপাল্লি, ময়ুং অথাংবদুগা চপ মাল্লে। জগৎ পুশোম্বা বিশ্বকর্ম্মা ওইবা ভগবান পরমাত্মা মহাক্না বেদী অদুগী মথক্তা পাম্বোম রানা থাংগত্তুনা খোঙ নামদ লেপতুনা তপস্যা তৌদুনা লৈ ॥৬০॥

* অচচ্চত্ত জীব খুদিংমকনা যোমলিবা তাম্নরিবা অউবা পোশক (সনা লুপানচিংবা) অদু নত্তে। তাম্নকরিবা পোশক অদুবু ফংলবা তুংদা, ফংলবা পোশক অদুনা তাম্নরিবা মী অদুবু মাগী তাম্নবা হায়বা থবক অদুদগী ঙহাক্তং পোথাহল্লি, ঈথহল্লি (হায়বদি শান্তি পী)। পীরিবা অদুস্থ ঙহাক্তগীনি। মহা শান্তি নত্তে অনিত্যান। মসি করিগীনো হায়বদা, তাম্নরিবা, থবক তৌরিবা, (কর্ত্তা) মহাক্ক অতোপ্পা অমনি, মহাক্না তাম্নরিবা পোশক (কার্য্য) অদুনা অমনি, তাম্নরিবদুগী ফংনবগী খুৎলায় মচাক (করণ) না অমনি হায়না তোঙাল তোঙাম্ন খনবদগীদ। অদুমনি তোঙাল তোঙানবনি হায়না খল্লিব অদুকী মথৈ শান্তি লৈরোই। বিষ্ণু ভগবান্দি কর্ত্তাস্থ কার্য্যস্থ কারণস্থ মশা মথন্তনা অদুম মওইজবনিনা, হায়বদি, মশানা মশাবু মশানা খুৎলায় ওইদুনা শেমজবনি। মশামক মহাশান্তিগী মূর্ত্তিনি। মহাক্না পুথোকখিবা শান্তি অদুগী মচেৎ অমমমতবু ফংজগে হায়দুনা তাইবং মীনা নোঙানবদগী হুমিৎ তাবা কাওবা, পোকপদগী শিবা কাওবা ক্রম লোম্বগুম কাত্তু কারন কোয়চেল চেম্নরিবসিনা। অদুবু মথক্তা হায়খিবা অক্কমসিবু তোঙাল তোঙানবনি হায়না খল্লিবনা কনানস্থ, সন্ন্যাসী যোগীং তপস্বী কাওবনা সম্পূর্ণ শান্তি অদুবু ফাব ঙমনদ্রি। অদুনা চৎতী করা করা চুপন ভৌনরিবা তপস্যাবু থাদোকদ্রিবসে মহাশান্তি অদু ফং-গদ্রিবনদ্রি।

সাঙ্গানবর্ত্তযন্ বেদাংস্তপস্তেপে সুদুষ্করম্। যৎ ব্রহ্মাঋষয়শ্চৈব স্বয়ং পশুপতিশ্চযৎ ॥৬১॥
শেষাশ্চ বিবুধশ্রেষ্ঠ দৈত্যদানবরাক্ষসাঃ। নাগঃ সুপর্ণা গন্ধর্বাঃ সিদ্ধারাজর্ষয়শ্চে যে ॥৬২॥
হব্যং কব্যং চ সততং বিধিযুক্তং প্রযুঞ্জতে। কৃৎস্নং তু তস্য দেবস্য চরণাবুপতিষ্ঠাতি ॥৬৩॥
যাঃ ক্রিয়া সম্প্রযুক্তাশ্চ একান্তগতবুদ্ধিভিঃ। তাঃসর্বাঃ শিরসাদেবঃ প্রতিগৃহ্ণাতি বৈস্বয়ম্ ॥৬৪॥
ন তস্যান্যঃ প্রিয়তরঃ প্রতিবুদ্ধৈর্মহাত্মভিঃ। বিদ্যতে ত্রিষু লোকেষু ততোহস্ত্যৈকান্তিকংগতঃ ॥৬৫॥
ইহ চৈবাগ তত্তেস বিসৃষ্টঃ পরমাত্মনা।
এবং মে ভগবান্ দেবঃ স্বয়সাখ্যাভবান্ হরি। আসিষ্যে তৎপরো ভূত্বা যুবাভ্যাং সহনিত্যশঃ ॥৬৬॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম পর্ব্বণি নারায়ণ মহিমবিষয়ে অষ্টত্রিংশদধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ॥

——:(ক):——

"অঙ্গশিংগা লোয়ননা বেদ পুন্নমকপু পাঁহুনা শক্তুনা তাবী মথক অতুদা ভগবান্ নারায়ণনা অকনবা তপস্যা তৌহুনা লৈর। ব্রহ্মা, মহাদেব, ঋষি পুন্নমক, অথোক্ক অথোকবা দেবতাশিং, দৈত্য দানবু, রাক্ষস গন্ধর্ব, গরুড়, সিদ্ধ সাধ্যশিং পুন্নমক অসিনা হব্য কব্যান চংবা থংশিল্লি অদুগা খরনা হৈ লৈ খুজোক খুজোক্ শ্রীবিষ্ণুগী চরন্দা চাংশিল্লি ক ॥৬১-৬৬॥

মকম অসিদ শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসন লেংখা সংহিতাদা শান্তি পর্বদা মোক্ষধর্ম্মগী পর্বগী মনুংদা শ্রীনারায়ণ মহাত্মাগী মতাংদা চত্তমকুম্ল্যাশিপ লপুবা অপায় লোইরে।

——:(খ):——

তৌনারবা তপস্যা অসিমকন্স শ্রীভগবান্ হরি মহাকী মশা শান্তগী মশক্ ওহবা তপস্যা অতুগী মতৌ-তহনি। কনাগুম্বা যোগী সাধকনা যোগ সাধন তৌহুনা সমাধিনচিংবদা লৈনারবা পোথানারবসি যো-গনিদ্রা (সমাধি) দা চেপতুনা লৈরিবা বিষ্ণু মহাকী মতৌ তমজবতানি। মতৌ তমজরিবা ভক্তশিং অতুনা তৌজরিবহুবু উরগা ভগবান শ্রীহরিনা পেনাব। অতুগীদমক্তা মানা মনা তৌরিবা শান্তি কংন-নবগী সাধনা অতুদা নৈখায়ব পীরকদবা বিষয়শিংদগী লাপথেক্ক লৈগে হায়বগীদমক সনা লুপা কিরোল লৌরী ইংখোলবু ছন্দোকলমতুনা অচৌকপ গিরিগুকাম্লুংদা চত্তুনা হোৎনরিবসি শান্তি (ইংথনবা পোৎ থবা) হায়বা মহাক অতুতবুনি। আত্মাশিনা মপোক্ কয়াদা দেহ কয়া কয়াদা লম্মুকতুনা কোয়চৎ—চংলুবগী শারীরিক, মানাসক, আধ্যাত্মিক তাপ (মৈশা— হুমাং কাংবা) অতুম অতুদবু কোকবা মকম থিরকপনি লাইবক কবদগী তাইব, মীওইবগী লেতনু সিদা চত্তকপনি। শক্তম, থেঙ্গু, ত্তা উরোকচিংবগী হকচাংদা ভগবাননা মশাগী লীলা শাস্ত্ররকপগী অরাবহুবু ঙহাক্তং কোকে হায়বগীদমক শান্ত থিরককমওইব মাওইবগী হকচাং অসিবু ভগবান শ্রীবিষ্ণুমক্তা লৌই অতুনা মীওইব হকচাংসে আত্মাগী শান্তি (আত্ম

ক ভগবান শ্রীবিষ্ণু (নারায়ণ) গী পেন্নবগীদমক মহর্ষিশিংনা দেবগান তৌই। নারায়ণ মশা-মক্তা বেদ মন্ত্রাশংগী আবৃত্তি (হন্ন হন্ন পাঠ তৌবা) তৌই হায়বসি চিংননীওারনি। বেদশিংগী মন্ত্র

শান্তি) থিকম ওইবা থন্নাইদগী অহেনবা মীওইবগী হকচাংনি। অমুক করি হায়গনি— ব্রহ্মামরুস্থ মহাক্কী খুৎশেমগী কর্মশিং অসিদগী ঙহাক্তং পোথানবা শক্তি ফংনবা তাইবং মীগী মপোক্ত। চঙহনা অমুক্তং শান্তি থিরুসিন্না হায়না খল্লি। অছুগুম্বা শান্তি অছুবু ফংনবা বিষ্ণুগী অরাধনাবু নারদমক্না অহিং লুংথিলদা তৌরি। (কালাচাঁদ)

নত্তনা অঙ্গ তরুক লোয়নস্থ আবৃত্তি তৌই হায়রি। মাসিগী ভাবতি— বেদ হায়বদি জ্ঞানবু হায়বনি। ধ্বনি হায়বদি ঙংঙকপা খোঞ্জেল হায়বনি। বিষ্ণুগী খোয়দো থম্বাল লৈকাথক্ত ফমহুনা ব্রহ্মানা বেদগান তৌথি। বেদ-বেদাঙ্গ মূর্ত্তি ওইবা হায়বদি জ্ঞান মূর্ত্তি ওইবা গর্ভম্নুংদগী কর্ম মূর্ত্তি ওইবা ব্রহ্মা (হিরণ্য গর্ভ) না চোংথোরকপনি। জ্ঞানদগী কর্ম পোকই হায়বতনি। অছুগা বেদ, বেদাঙ্গ, বেদবিদ অসিনচিংবা বিষ্ণুগী নামমক্তনি। গীতাদস্থ হায়রি—"বেদান্ত কৃৎ বেদ বিদেব চাহম"। অতৈনা শোনবা শকপনা মাগী নামনি। বিষ্ণুনা তপস্যা তৌবা মতমদা অতৈ অমগী নামদি শোম্নীভায় লৈতবনা মশাগী নাম অসিত্ত শোনবনি। জগৎ পুম্নমক্কী পোরকম ওইবা মহাক্না তপস্যা তৌরকপা মতমদা নাম নত্তনা মপান্দা লৈ-রিবা পেংৎ পুম্নমক নাম নত্তনা করিগ্ন লৈহৌদে। লোইনা তপস্যাদা চাকংথক্তুনা নাম ঙাক্ত লেমতৌবানি। বিষ্ণুগী মপানগী হকচাংস্থ মাম্নবনি। মান্না পুম্নমক থাদোক্তুনা তৌথিবা তপস্যানিনা নাম মাস লেমতৌবনি। বেদ বেদাঙ্গস্থ মাগী নামমক্তনি। মাছু থঙহনগে হায়বগীদমক নারায়ণনা বেদগী গাম তৌ-রকই হায়বনি। মশাগী নাম মশানা শোঞ্জবনি। নারায়ণ ঐগী মপান্দা উরিবা হকচাংসিস্থ করিস্থ নত্তে। তপস্যা তৌরুবগা লোইনা চাকৃথেকপ্রগদবা ঙাক্তনি। অসিগুম্বা জ্ঞান অসিবু পীগে থঙহনগে হায়বগী-দমক বিষ্ণু ভগবাননা নারদগী মাঙদা তপস্যা তৌহনা বেদ মন্ত্র থিরকই নারদনা হাকম আসবু নরনারায়ণ অনীদা বদরিকাশ্রমদা অমুক তম্মারিবনি। (কালাচাঁদ)

মণিপুরী মহাভারত

উণচত্বারিশদধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(নরনারায়ণনা নারদগী মফমদা শ্রীবাসুদেবগী মহিমা তাকপা)

চহুমকুন্থ্রা মাপল্‌গুবা অধ্যায়

——ঃ(ক)ঃ——

নরনারাণাবূচতুঃ

ধণ্যোঽস্যনুগৃহীতোঽসি যৎ তে দৃষ্টঃ স্বয়ং প্রভুঃ। ন হি তং দৃষ্টবান্ কশ্চিৎ পদ্মযোনিরপি স্বয়ম্ ॥ ॥

অব্যক্তযোনির্ভগবান্ দুর্দর্শঃ পুরুষোত্তমঃ। নারদৈতদ্ধি সৌমত্যং বচনং সম্যগুক্তম্ ॥১॥

নাস্য ভক্তাৎ প্রিয়তরো লোকেকশ্চন বিদ্যতে ততঃস্বয়ং দর্শিতবান স্বমাত্মানং দ্বিজোত্তম ॥৩॥

নরনারায়ণ অনীনা হায় :— নারদ! নহাক্না শ্বেতদ্বীপ তাম্ন চৎলুনা শ্রী ভগবান্ নারায়ণগী সাক্ষাৎ দর্শন ফংঙুবসিদা নহাক পোকপগী মতৈ য়াম্লে। অদুগা থাঙ্গেশ্বেনস্ত শ্রীনারায়ণনা নঙোন্দা য়াম্ন পেনবিখ্রে। নং নত্তনা কনাগুম্বা অমতনা ভগবান নারায়ণগী দর্শন ফংখিদ্রে। অমুক করি হায়গনি, পদ্মযোনি ব্রহ্মা ফাওবনা ফংখিদ্রিবা দর্শননি ॥১॥

নারদ! নহাক্না উজ্রিবা ভগবান্ পুরুষোত্তম অদো অব্যক্ত প্রকৃতিগী মূল কারণ (মরু) নি। অদুগুম্ব প্রকৃতিগী হৌরককমবু উব হায়বসে য়াম্ন লুবা অদুগা অমনা পাক্ ঙম্‌কদ্রবা ৎবক্নি। ব্রাহ্মণ-অথোইবা! ঐখোয় অনীনা থাঙ্গেশ্বেনা হায়রবসিনি, জগৎ অসিদা ভক্তগী হেন্না চান্নথোইবা মীশক পোশক ভগবানগী লৈত্রবনি অমনা. অম অমদা হেক উহন্নবা মূর্ত্তি অদো ভক্ত নঙোন্দা ভগবান্‌না উহল্লক্রবনি ক॥২·৩

ক· মপান্‌গী উরিবা হকচাং, চাং মান ভুরেল, হৈগাল লৈপান মমিৎ থ নাচবা উরিবা পুম্নমক অসি ব্যক্তনি (মশক মওং নাইনা কোণ্ডদোক্ল)। অদুনা মাসি ব্যক্ত প্রকৃতিনি। মখোয় অসি মশক মওং নাইদনা লৈরম্বদগী, হায়বদি অব্যক্ত অবস্থাদা লৈরম্বদগী ব্যক্ত ওইরকপা ভাক্তনি। অদুনা ব্যক্ত প্রকৃতি হায়বাসগী হৌবককমাদি অব্যক্ত প্রকৃতিনি। হায়রিবা অব্যক্তদুমক্কী অমুক হৌরককম (মূল প্রকৃতি) অদু থিগে হায়রবদি ওইথোক্তবা থবক অম ওইনা থোকই। অমরোমদা হায়বগা ব্যক্ত অব্যক্ত (পরা অপরা) প্রকৃতি অনীমক্কী হৌরককম মূল প্রকৃতি অদুগী দর্শন ফংদ্রিমখৈ আত্মাসিনা আত্মামক ওইবগী অধিকার ফংবে।

অদুগুম্বা মূল প্রকৃতি অদুদা চওশিনখ্রিমথৈ জীবাত্মা (অপরা প্রকৃতি) পোকপ শিবগী লাওদগী লাম্হোকপা থক্ য়াঙোই। মরমদি অপরা প্রকৃতি ওইরিবা মহাক্না পরা প্রকৃতি ওইবা মপানগী মৈ, চীশিংনচিংবশিং অসি মশা অমত্ত ওইনা শওথদুনা লৈথোকএ। মহাক্না তিম্নরিবা পরা প্রকৃতিশিং অসিদি পোকপ শিব নাইবা ওাক্তনি। জীবাত্মা মশামক্তি পোকপা শিবা নাইদবনি, অদুবু পোকপ শিব নাইবা হকচাং (পরা প্রকৃতি) সিদা মপোক মপোক্ত অদুম থানদনা লোয়মিন্নএ। অদুনা অব্যক্ত ওইবা মশক মওং নাইনা ফোওদোক্তব। জীব অসিনা মাগী মূল প্রকৃতিদা হেক খুংখিন্নিমথৈ পরা প্রকৃতিশিং অসিনা মাবু থারোই। সংসার ঈপাক্ত হম্ন গম্না ঈরাকমিন্নখিসি হায়না হৌরখিনি। মসিদা য়াম্ন চিংনঙম ওইবা অমনা কন্নিনো হান্নবদা মতাং অসিদা, নারদনা উকন্নিবা মূর্তি অদুনি মূলপ্রকৃতি হায়ববু হায়না নরনারায়ণনা তাক্নি।

মাসিদগী করি তাবগে হায়ববু নারায়ণগী উকন্নিবা মূর্তি অদুদি নারদগী মীত্ত ব্যক্ত অদুগা ওইরবনিনা অব্যক্তগী হৌরককমদদি ব্যক্তনা অমুক ওংবা তারক্নি। অদুদি ব্যক্তগী হৌরককমনা অব্যক্ত অব্যক্তদুগী হৌরককমনা অমুক ব্যক্ত ওইবা শোয়দ্রে। অদুগা মূল প্রকৃতিবু থীবা অদুগা মাগী মূর্তিবু উবা হায়বসি তাইবং মী বৈজ্ঞানিকশিংগী শাক্তগী য়াম্মদনি। ভক্তি নত্তনা হান্নবদি মূল প্রকৃতি ওইরিবা ভগবান মহাক্ত ভক্ত ওইদনা উবা অমদি ফংবা ওইথোক্তবনি। অসিতনি নরনারায়ণ অনীনা নারদদা তাকলিবাসিনি। নিরাকার সাকার হায়দুনা হায়নরিবা অনীসি তোঙাল তোঙানব নত্তে। নিরাকার ওইরম্বদুনা সাকার অমুক ওইংকপনি মশা অমত্তনি। সাকারদুগী মতুংদা নিরাকারম্ভ অদুম মরাওন্নি। সাকার ওইবা কিগী মতুংদা লৈরিবা লমশং অসি সাকার রা নত্রগা নিরাকার রা? থম্মকমনি লমশিংনা লমশিং মাগী আকার (লমশিং ওইবগী মওং মতৌ মশিং) অদু পুদুনা লৈন্নে। আকার লৈত্রবদনা নিরাকার ওইনা সাকার ওইবসগী মতুংদা অদুম্ মরেন্নি। লৈতে হান্নবা থক হায়রোই। অদুদি নত্তনা তোঙাল তোঙানবা অনীনি হান্নগবদি "নিরাকার লৈ" হায়বস্তু লৈন্নি, লৈতে হায়বস্তু লৈন্নি। ব্যক্তগা অব্যক্তগা তৌনরিবস্ন অসিতানি। অব্যক্ত মূল প্রকৃতি ওইবা ভগবাননা নারদদা ব্যক্ত ওইনা ইন্নখ্বতনি। সাধারণ ওইবা মীশিংনা উনবিবা ফক অসিবু জ্ঞানী অমনা ফং ওইনা, হুদুদগী লৈরাক ওইনা অদুম মউই।

মহাক্না মথং মথং উরক্লিবদো, কি হায়ববু লৈনবদৈদি অব্যক্ত ওক্তনি মগী অদুগুম্বা জগৎ পুম্নমক্কী পোং পুম্নমকপু মশা মথক্তংদা থমজিন্দুনা লৈবা ভগবান নারায়ণ (মূল প্রকৃতি) বু নারদনা ব্যক্ত ওইনা উথিবনি। অদুনা অনিংবা বৈজ্ঞানিকশিংনা ব্যক্তগী মতুংদা অব্যক্তবু, অব্যক্তগী মতুংদা ব্যক্তবু, ব্যক্তগী মতুংদা ব্যক্তবু, অব্যক্তগী মতুংদা অব্যক্তবু অদুম মউই। অদুন অব্যক্ত প্রকৃতি অদুবু মশা অমত্ত ওইনঃ ব্যক্ত ওইনা অদুম মউই।

(কালাচান্দ)

তপোহি তপ্যতস্তস্য যৎ হি স্থানং পরমাত্মনঃ। সন্তংসম্প্রাপ্নুতে কাশ্চিদৃতে হ্যাবাং দ্বিজোত্তম ॥৪॥
যাহিস্সূর্যাসহস্রস্য সম্ভস্য ভ বৎদ্যুতিঃ স্থানস্য সা ভবেম্নু তস্য স্বয়ং তেন বিরাজতা ॥৫॥
তস্মাদ্ধাত্তচ্ছক্ত বিপ্র দেবাৎবিশ্বভুবঃ পতেঃ। ক্ষমা ক্ষমাবতাং শ্রেষ্ঠ যয়া ভূমিস্তুযুজ্যতে ॥৬॥
তস্মাচ্চোদ্ভিতে দেবাৎ সর্বভূতহিতাৎরসঃ। আপোহি তেন যুজ্যন্তে দ্রবত্বং প্রাপ্নুবন্তি চ ॥৭॥
তস্মাদেব সমুদ্ভূতং তেজো রূপগুণাত্মকম্। যেন বৃংযুজ্যতে সূর্য্যস্ততো লোকেবিরাজতে ॥৮॥

ব্রাহ্মণ অথোইবা। অপস্যাদা লুপ্তুনা লৈরিবা ভগবান পরমাত্মানা মকম অতুদা নরনারায়ণ কৌবা ঐখোর অনী নত্তনা কনা অমতনা য়োবা ওস্বা নত্তে। ৪॥

ভুমিৎ লিশিং অমগী পুন্নপ ওইবা মণ্ডাম্না ভানবগুম ভাল্লিবা মকম অতুদা ভগবান শ্রীনারায়ণনা বি-রাজমান ওইদুনা লৈরিবনি ॥৫॥

ব্রাহ্মণ অথোইবা! ভাকপিহৈবা, খাণ্ডব কনবগী মন্নুংদা অথোইবা! মপানগী জগৎপু শেমলিবা ব্রহ্মামক্তীসু পোক্লকম ওইবা পরমেশ্বর অতুদগী ক্ষমা (খাণ্ডবা কনবা-ভাকপিহৈবা) হায়বসি পোক্প্রিব-নি। হায়রিবা ক্ষমা হায়বিনদুগা পৃথিবীসিগা তিংথি। পৃথিবীনা খাণ্ডহৈবী অম ওইহিবসে অতুদগীনি ॥৬

অচচ্চস্ত্র জীব পানব পুন্নমক্তী অকবত শনবিরিবা ভগবান নারায়ণ দেবদগী রস (মহাও) হায়বা পোশক্ অদু থোমকই। .থারকলিব, চেন্থক্লিবা রস হায়বসি ঈশান জ নবদা ঈশিংগ সংযোগ ওইথি (তিন্নখি)। অদুনা চেন্থরকপা শোদোরকপা হায়বা ধর্ম (মথৌ) অসি ঈশিংতদা লৈপ্রিবসিনি ✽ ॥৭॥

পরমাত্মা মথোন্দগী শোকশিনা শিন্থখিবা রসনা ঈশিদা চত্তুনা তিন্নখিবদুম্না মাতুদগী ভমুক্ত থো-

✽ মশানগী প্রকৃতিদা লৈরিবা পোশকশিং অসি মকম অমদা থুপ্নুনা লৈত্রনসু মাতুবু বৈজ্ঞানিক-শিংনা পুথোকপা ওস্মী, শাবদি ভংদে। অতুগা পোশকশিং অতুদা লেপ্তদনা লৈরিবা ধর্ম অংদি শাবা ওমদে। ঈশিং মন্নুদা থুপ্নুনা লৈরিবা মৈবু বৈজ্ঞানিকশিংনা থুংলাইগী পাম্বৈনা পুথোরকপদগী ওমগ-রি। অতুগা পোশকশিং অতুদি লৈরিবা ধর্ম (মথৌ) অতুদি বৈজ্ঞানিকশিংনা শাবা ভ দে ঈশিংগী মশাদা লেরিবা চেন্থবা, শোদোকপা (দ্রবীভূত ওইবা) হায়বা গুণ কর্মশুবুদি শাবা ওমদে। মাতুদি ভগবান্ পরমাত্মতনা পুথোকখিবনি ঈশিং অতুগী মশাদা লৈরিবা রস কাইবদু বৈজ্ঞানিকশিংনা শাবা হায়ু ওমদে। মৈনা মথক্লোমতদা চাক্থংলিবা মথৌ অমদি ধর্ম অদু বৈজ্ঞানিকশিংনা শাবা নত্তে। ভগবান পরমাত্মা সৃষ্টিগী কর্তা শাখিবনি। মৈ ঈশিং মুংশিংনচি বসি ব্রহ্মানা শাববস্ন মথোয়দা লৈরিবা ধর্ম অমদি মথৌ ওতুদ ব্রহ্মামক্লা শাবা ওমদে। তাইবং মী বৈজ্ঞানিকশিংগীদি কার অমুক মক্তায়রুনি। পোশকশিং অসিদ লৈরি লৈরিবা ধর্ম (মথৌ) অসে পোশকশিং অতুগী থরায়নি ব্রহ্মাগী থরায় (প্রাণ বায়ু) অদু ব্রহ্মামক্লা শাবা নত্তে আত্মানা আত্মাবু শাবা ওমদে। মৈ ঈশিংমচিংবগীসু থরায় (প্রাণ বায়ু) অমমম লৈ মাতুনা মথোবগী আত্মা ওই। মরম অতুনা মশক্ উদবা ভগবান পরমাত্মানা শাবা পোৎ আসিসু মশক উদবা ওক্ত ওই। ঈশিংদি সাকারনি। ঈশিংদা লৈরিবা ধর্ম অমদি মথৌদি মশক উদে। উত্রিবদি উবা মহাক্না শাবদগীনি। (কালাচান্দ)

রূপকপা তেজ (মঙাল মৈশা) না সূর্যদেবনা কৌহনা মাগা তিন্নহনখি। অহূনা মৎস্তনা লোক অতম্মু ভাগলহন্নুনা লৈরি * ॥৮॥

---

* রসনা ঈশিংগা তিঙ্‌শি, তেজনা মুমিত্তা চঙখি অ'সনচিংবা হায়রিবা রা অসিদগী করি খণ্ডবগে হায়রবু ঈশিংদা লৈরিবা রস অসে ঈশিং মশামক্কী নত্তে, মুমিৎতা লৈরিবা তেজ অসি মুমিৎ মশামক্কী নত্তে, পরমাত্মা (নারায়ণ) গী মক্তনি। মাসিদা চিংনকম্ অহূগা খন্নম্ থোকপদি পরমাত্মাগী রস তেজ নচিংবনা চণ্ডক্রিভৈদা ঈশিং মুমিৎনচি ব'স রস তেজনচিংবা য়াওপনা লৈরমত্রা অ'সনি' রসন চঙ্গ্রবা তুংদা ঈশিং হায়র্বসি থোকখিত্রা ? রসগা ঈশিংগা কনানা হাল্লি থোকখিবা ? মতাং অসিদা হায়গদবা খুমগদব পাউ-খুমদি পোৎ অম শঙক্রিভৈদা অহূগা থোরকহল্লকক্রিভৈদা পোৎ অহূগী লৈকম হান্ন শেষ্ন শাব হায়বসিন্ন থিক্কু মহাক্না হৌদোকখিবা নিয়মনি পরমাত্মা মশামক নির্গুণ 'নর্বিকারনিনা মতেন্দা অব্যক্ত ওইনা' থ্‌ঙ্গুনা লৈরম্বা রস তেজনচিংবহূ ঈশিংনচিংব ব্যক্ত ওইবা পোশক্ত তিলহৌখিহূনা ব্যক্ত ওইহনখি। পরমাত্মা মশাদি নিগুণ ওইহূনা অদুম্ লৈহৌই' অহূনা অব্যক্ত ওইনা লৈরিবা বিশ্ব জগৎ অসি অব্যক্ত নারায়ণ মহাক্কী ব্যক্ত মূর্তিনি। হায়রিবা রাসিনদি মৈ ঈশিংনচিংবা ভুক্তশিং অসি পরমাত্মাদগী তেজনচিংবা থংক্রিভৈগী সমাওদা মথোন্নস্ত নির্গুণ ওইহূনা পঞ্চতন্মাত্রা ওইহূনা লৈরম্মী। রস গন্ধ তেজনচিংবা চণ্ডক্রিবা মথোয় অহূবুনি অব্যক্ত প্রকৃতি হায়রিংসি। রস তেজ গন্ধনচিবা চণ্ডকক্রিভৈদা মৈ ঈশিং কুংশিৎ,আকাশ লৈপাক মথোহসি য়ান্ন পীক্র, মশক উদসমখৈ পীক্র', হায়বদি.পরমাণু ওইনা লৈরম্মী। মাগী মাগী মগুণশিংসিগা হেক তিন্নখিবদগীদি মশক উবা য়াব পোৎ ওইনা চোংখোনরক্রে। পরমাত্মা ভগবান শ্রীহরি নারায়ণনা গুণ কর্মনচিবা ওহাক্তঃ পুবিরম্বদি পুরুষ মাগী লোয়নবী প্রকৃতিদ' পীবিগদবগী, শিল্লবিংদবগী পুবীবম্বনি। পুবিবিষ্টে মতমদা মহাকপু সগুণ ব্রহ্মান হায়নৈ। মৈ ঈশিনচিংবা প্রকৃতি পীথোকপ্রব তুংদ পরমাত্মা মহাক্ অসি নিগুণ ব্রহ্ম ওইহৌই। মাহু উত্তনীব' ভক্তশিংগী স'কার ব্রহ্ম (সগুণ ব্রহ্ম) ওইবিহূনা লৈ। পাক চাউরবা বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড অসিমক ওইনা উহল্লবদি লৌকম য়েংকম খণ্ডভরোই হায়বগীদমক, মানা মানা শামজবা য়েংবা ওমগদবা শক্তক্ অহক্ত। ভগবান্ শ্রীনারায়ণনা পুবি। অগ্নম কুইনা লৈবদি য়াদর্শননা নির্গুণ হেক ওইখিবা মতমদ অন্তর্ধান ওইরক্রে হায়রিবনসিনি। অসুন্না প্রকৃতিদা মাগী গুণ কর্মনচিংবা পীথোক পীশিন, লোথোক লৌশিন তৌহনা শান্নরিব'সান, পুরুষ প্রকৃতি অনীগী লীলা হায়রবু। অহূনা, ভগবান্ শ্রীহরি (নারায়ণ) গী লীলাদ বৈজ্ঞনিক লীলা ওক্তনি। মুন্ন খন্নকন্নবদি, ভগবান্‌না শেম্মিবমলিবা, মে ঈশিংনচিংবা অহূগা মথোয়দা হাপ্পরম্মিবা গুণ কমশিং অসি হেক মরৈরমত্রবদি বৈজ্ঞানিকশিংনা কারমত তৌব ওম্ম শ্মাইদৌবনি। বৈজ্ঞানিক যন্ত্র অমদা হাপচিল-লিবা মৈ অহূনা ইল্লগা পোৎ অহ চৎলি। মৈবুদি মহাক্না অমদগী অমদগী শু বা য়াহ, অহূগা মৈদা য়াওম্মিবা মৈ অহূনা পুরিবা ধর্ম (গুণ মথৌ) দি হায়বদি, মথক্যলামতদা চাক্তখৎপা অহূগা আশাবন-চিন্বা গুণশিং অহূদি বৈজ্ঞানিকশিংনা শু বা শাবা ওমদে। অসিগুম্বা জ্ঞান পুম্নমক অ'প নরনারায়ণ অনীনা নারদদা তাহনখিবনি—তাম্মখিবনি। অহূদগীদমক্তা ন'ওদবু মম্বং মমুদা নরনারায়ণ অনীনা বদরিকাশ্রমদা লাকহনবনি। শ্বেত দ্বীপতগী অমুক লাক্কুনা নারদনা মাগী চিনরকপা বিষয়শিং অহূ নরনারায়ণ অনীদ্ম হংলবনি। (কালাচাঁদ)

তস্মাৎ দেবাৎ সমুদ্ভূতঃ স্পর্শস্তু পুরুষোত্তমাৎ। যেনস্ম যুজ্যতে বায়ুস্ততো লোকান্ বিবাত্যসৌ ॥৯॥
তস্মাচ্চোত্তিষ্ঠতে শব্দঃ সর্বলোকেশ্বরাৎ প্রভোঃ। আকাশং যুজ্যতে যেন ততস্তিষ্ঠত্যসংবৃত্তম্ ॥১০॥
তস্মাচ্চোত্তিষ্ঠতে দেবান্ সর্বভূতগতং মনঃ। চন্দ্রমা যেন সংযুক্তঃ প্রকাশগুণধারণঃ ॥১১॥

ভগবান্ নারায়ণ পুরুষোত্তমদগী স্পর্শ হায়বা গুণ অসি পোকখি। বযু (নুংশিৎ) দা লৈরিবা, বায়ুদা তিন্নজহ্নুনা, বায়ুগী গুণ অম ওইনা লৈরিবা স্পর্শ হায়বসি বায়ু মশাগী নত্তে, ভগবান নারায়ণদগী পোকখিবনি। গুণ অসি হেক ফংখিবদগী বায়ুনা মকম পুম্বনা শীঙ্‌ংনা শীৎপ হৌখি ✻ ॥৯॥

লোক পুম্নমক্কী মপু ভগবান শ্রীনারায়ণদগী শব্দ হায়বা নাকোং ইন্দ্রিয়গী (চৌঙ্গাক) অসিমগ অমুক শেন্থি। মাসি আকাশ কৌবা ভূতদা আকাশচুগী আত্মা (থরাই) গুম্ তিন্নখি। মাচুমক্তনা "আকাশ" হায়বসিনা ঈহাও হাওনা; করিগুম্বা অমতনা কুপশিন্-মেন্‌শিন্‌ব য়াদনা লৈরিবসিনি ✻ ॥১০॥

হায়রিবা শ্রীনারায়ণ অসিদগী জীব পানব পুম্নমক্কী মশাদা (দেহনুংদা) লৈবা পুক্নী কৌবা ইন্দ্রিয়চুগী উৎপত্তি ওই পোকই। হায়রিবা পুক্নী কৌবা ইন্দ্রিয়সিনা চন্দ্রমাগা তিন্নখিবদগী চন্দ্রমানা প্রকাশ

✻ অশিবগা পাংথক ওইচুনা লেঙদনা লৈরম্বা বায়ুনা, ভগবান শ্রীনারায়ণগী মকমদগী স্পর্শ (শোকপা থেংবদা হকচাংদা কাওবা) হায়বা গুণ অসি মাগী আত্মা (থরায) গুম হেক ফজবদা আত্মান হেক চত্তবদা হকচাংনা লেঙবগুম্, নুংশিৎ অসি পুমলেঙ লেঙ্ঙকই মকম থুদিং শীঙ্‌ংনা শীৎপ হৌই। প্রমাণ অমদ হায়রগা অশিবা হকচাংনুদা প্রাণ বায়ুনা হেক শীৎপ হৌবদা হকচাংনা লেঙ্ঙকপা ওংলকপা অসিগুম্বনি। মাসিনি ভগবদ্ গীতাদ "গুণ কর্ম বিভাগয়োঃ" হায়রিবচু। গুণ হায়বনা অমনি, কর্ম হায়বনা অমনি। খুদম ওইনা হায়রবদা বায়ুগী মনুংদা লৈরিব স্পর্শনা গুণনি, লেঙ ওংলকপনা কর্মনি। অমী অসি তোঙাল তোঙানবনি। ভগবান পরমাত্মানা হকচাংনুংদগী হেক থোকখিবদা হকচাং অচুদা স্পর্শস্তু লৈহৌদ্রে। লেঙ ওংলনচিংবা কর্মস্তু লৈহৌদ্রে কনাগুম্বা অমনা স্পর্শ তৌরবদা থেংব শোকপদা হকচাংচুদা থোৎপ কনবগী অনুভূতি কবিমত লৈদ্রে। অচুগা, অনুভূতি (ফিলিং) লৈজবা হকচাংচুনা প্রাণবায়ু লৈরিবা মতোন্দা থেংলরবদি থোংলি কল্লি হায়বচু অচুমমক্ মকাওই। রূপ, রস, গন্ধ স্পর্শ শব্দ মত্তা অসিবু মৈ, ঈশি, নুংশিৎ আকাশ, লৈশাকত পীথোকখিব মতমদা হকচাংদ লৈরিব নারায়ণগী মশক্ ওইরবা আত্মা অসি নির্গুণ হায়রবচু ওই। লেঙব ওংপা কর্মবু প্রাণবায়ুদা পীথোকখিবদা, মপানগী হকচাংনা লেঙবা ওংপদা মঙাক য়াওদ্রে

জ্ঞানী ভক্তশিংগী অকুপ্প বীচারদনা করিনো হায়বদা এৌনা থেংবা শোকনা অচুগী (হায়বদি, এৌনা পীবা স্পর্শ অচুগী) অনুভূতি অদু ভগবান্ মশাদ কাওহনগে হায়রবদি, মাসিনা ঈচাগী স্পর্শনি, মাসিনা এৌগী ঈশূগী স্পর্শনি অসিমচিংবা পুমমক অসি লোইনা থাদোকুনা রস রূপনচিংবচু শ্রীভগবানদা

✻ আত্মা অমত্তনা তোঙাল তোঙানবা হকচাংদা তোঙাল তোঙান লৈরবগুম্ হৌখিবগী মরম অসি মকম অসিদা শেংদোক্লি— মপান্দা ঊনরিবা লেঙব ওংলনচিংব কর্ম অচুগা রূপ রসনচিংবা গুণশিং অসি ঈয়াও য়াওদনা লৈবসি পঞ্চভূতকী মনুংদা আকাশ হায়বসিনি হায়না ঊনরে। অদৈত [illegible] লোইনা

লোইনা কখোকদবনি। ঐনা কখোকপ্রিবা স্পর্শ অহুনা, ঐনা থেংজ শোকচ চঙজকবদা ভগবান্দা কাওয়মগনি। ভগবান্না থেংলয়বস্থ ঐঙোন্দস্থ অহুম মকাওয়মগনি। মাসিস্থ মুয় খয়রবদি রূপস্থ লৈতবা, গন্ধস্থ লৈতব, স্পর্শস্থ লৈতবা, ঈশ্বর (নারায়ণ) হায়বহু কয়ম্ হায়না লৈগদৌরিবনো অঙ্কয়া চিংনরিব নাস্তিকশিংনা হায়রিবহু মশানা অহুম ককচগ্রে। রূপ, রস, গন্ধ স্পর্শ, শব্দ লৈতবা মহাকপু লৈ হায়বসি কয়মা হায়গদৌরিবনো "হায়না হায়রিবা নাস্তিক ওইবা মঙোন্দা পীরিবা পাউভাকৃতি ঃ—নাস্তিক মহাক্কা মশক্, মহাও, মনম্, শোকৃপা, খোঞ্জেল অদো মচা গোপাল কৌবহৈদা লৈবা নত্তে। মাসিবু ভাব তাদদা মহাক্কা মচা মশূ চযু চনায় উবগুম ঈশ্বরবু উগে হায়রিব মঙোন্দা .ঈশ্বরনা শক্ উৎলোই। নাস্তিক মহাকস্থ শা উচেককুয়া অহুম মরৈগনি। (কালাচাঁদ)

গুনা য়াওদ্রবস্থ মাগী মাগী অমমনদি ময়াওনরি হায়রা উনরি। মাগী মাগীদা অমমম্ মরূ ওইনা য়াওনরিবসি মাগী মাগী থরায়নি, আত্মানি। অহুনা মৈ ঈশিং মুংশিংনচিংবসিনা তোঙাল তোঙায়া অহুগা তোঙাল কোঙাল্লি হায়না লৈনরিবা অহুকী মথৈ, মাগী মাগী আত্মা ওইহুনা লৈরিবা অহুগা মথোয় হেক য়াওদবদা মথোয়স্থ লৈবা য়'নাদ্রেবা রূপ, রস, গন্ধ, স্পর্শ, শব্দশিং মথং শী'না মৈ (মঙাল) গী ঈশিংগী লৈবাকী, মুংশিংকী অহুগা আকাশগী আত্মা ভাক্তনি থরায় মঙা হায়রহুনা খায়দোকাঙবসিস্থ অসিদগীনি। খুদম ওইনা হায়রবদা লৈপাক্কা লৈপাক্ ওইনা লৈবা য়াগদৌরিবা অহুগা ভমগদৌরিবসি মাগী থরায় (আত্মা) গন্ধ (মনম্) কোক গুণ অসিনা লৌরিব অহু কাওবতনি। প্রমাণ অমদা হায়রগা মপান্গী হকচাং (লৈপাক অসিনা ঐ ঐ হায়হুনা লৈবা য়াগদৌরিদসি আত্ম' (থরায় মঙানা পুন্দুনা লৈরিবা আত্মাসিনা লৈরিবা অসি কাওবতনি। মৈ ঈশিংনচি বশিং অসিনা তোঙাল তোঙ'লবাননা মথোয়গী আত্মাশিং তোঙাল তোঙান্দে হায়বা য়ারোই অহুগা হায়বস্থ ভয়রোই। অহু ভয়'রমথৈ আত্মা তোঙাল তোঙায় লৈ হায়না খয়বাসস্থ লান্থিরোই। ঈশিংগী থরায় রস অসি লৈপাকী থরায় ওইহনবা হেক ভয়রবা মতম অহুদা মীৎপু হেক্ তাইহল্লবা, নাকোংবু হেক্ উবগী থবক তৌহনবা হেক ভয়বা মতম অহুদা আত্মা তোঙাল তোঙাল্লি হায়বা য়াখল অসিবু অহুম মশানঃ থকচখিগনি অসিনি। মীৎনা তায়, নাকোংনা উই ·········অসিনচিংবা, উপনিষৎন হায়রিবা অসি।

জ্ঞানগী মহুংদা য়াওবা বিজ্ঞান হায়বহু অসিনি! অসিগুম্বা আত্ম শিংগী হৌরককম, চঙশিনখিকম্ অহবুনি বিষ্ণু—নারায়ণ (নার + অয়ন) হায়রিবসি আকাশদা আকাশগী অত্ম' ওইনা শব্দ হায়বা লৈরিবসি কনায়দগীনো, কনাদগী খোয়কপনো হায়রবদি চাইহুনা লৈরিবা আত্মা ময়াম অসিগী সর্বাত্মা, পরমাত্মা, অসমান সমস্তাত্মা (ঈমাম্ মায়বশিংগী মায়কম ওইবা) প্রকৃতিশিং অসিগী মূল প্রকৃতি ওইবা নারায়ণ কৌবা মঙোন্দগীনি। কয়িগুম্বা পোৎ অম লৈরবদি খোয়ককম্ লৈতবা হৌনদে। অহুগুম্বা ঈশ(শাক্তব্) বর পুরিবা—(ঈশ্ × বর) — ঈশ্বর হায়বহু লৈত্তে হায়রবদি মহাকস্থ লৈত্তে। লৈতবা মহাক্কা লৈ লৈত্তে

সম্ভূতোৎপাদকং নাম তৎস্থানং বেদসংজ্ঞিতম্। বিদ্যাসহায়োযত্রাস্তে ভগবান্ হব্যকব্যভুক্ ॥১২॥
যে হি নিষ্কলুষালোকে পুণ্যপাপবিবর্জিতাঃ। তেষাংবৈক্ষেমধ্বানং গচ্ছতাং দ্বিজসত্তম ॥১৩॥

কৌব গুণ অদু পুথি * ॥১১॥ ভগবান্ শ্রীহরিনা হব্য কব্যনচিংবা ভোগ তৌদুনা বিদ্যা শক্তিদুনা লৈরিব মকম্ অদু বেদ হায়না কৌই অদুগুম্বা বেদ কৌবা স্থান অদু জীব পুম্নমক্কী পোক্লকম হায়নম্ব কৌই ॥১২

ব্রহ্মণ অথোইবা। সংসার অসিদা পাপ অমদি পুণ্যদগী ব্রাংম লানথ্রবা থম্মোয়দা অমকপগী শরুক্ কবিমত যাওথিত্রব মী মহাক অদদি মঙ্গলতগী মশক ওইরবা লম্বীদা চৎথিদুনা ভগবান শ্রীনারায়ণগী হায়বমক্কী অধিকার লৈতে। মরম অদুনা মতা, অসিগী টীকা পীবা ওইনা আত্মা অমতনা তোঙাল তোঙাম্ন লৈবগুম লৌখিবগী মরম অদু থরদং শেংদোকচরি। আত্মা হায়বা শব্দসিমক্কী অর্থম্ব মথত্তনা মকম্ অমদা নিত্য ওইনা লেপ্পনা লৈরগা মকম্ পুম্নমক্তা তোঙাল তোঙাম্না লৈরবা হায়বনি। হায়রিবা অর্থ মচেৎ ময়াম অসি (আত্ + মন) হায়বা ব্যুৎপত্তি আসগী নিরুক্তনি। অসিগুম্ব নিরুক্তি কৌবা শাস্ত্রবু য়াস্ক মুনিনা পুরোকাথ হায়রিবা বিষয়শিং আস নো চুপলোমগী বিজ্ঞান অমদি দর্শনগী য়াংমদা লৈব মথোয়না য়ৌবা ভমদবা য়াকমনি। (কালাচাঁদ)

* হায়রিবা আধ্যাত্ম ওরবা য়াথম [illegible] ভূগোল অমদি থগোলগী গ্রন্থশিংনা হায়রিবা য়াগা থেম্নৎলাম্ব, [illegible] কৌই। [illegible] চোংহৌকখ্রে। [illegible] অসি [illegible] মঙাম্নি হায়রি। অদুগা মকম আসদা হায়রিবনা, চন্দ্রমা পুক্রী কৌবা হান্দৈদুগা [illegible] মঙাল অসি [illegible]— অসিদা মাসবু জ্ঞান বিজ্ঞান অনী চঙদুনা নৈনবত নত্তনা অধ্যাত্মিক বিচার য়াওনা [illegible] মহাক [illegible] কৌবা মহাগ্রন্থসগী মঙ [illegible] লাকপা ? অসিবু [illegible] ভাবনদ [illegible], মঙাম্নগী মশকনি। মপানগী জগত্তা বায়ু পুম্নমক্তা [illegible] মহাকাশ অমা লৈরন গুম্বা তেজ, জ্যোতি পুম্নক্কী [illegible] মতুং ঐথয়না সমা ([illegible]) হায়না কৌনরি [illegible] পুক্রী [illegible] সূক্ষ্ম বুদ্ধিগী জ্ঞান, জ্ঞানদগী পুক্রী, অসুম হায়না। মহাজ্যোতিগী [illegible] ভাকনি মন, বুদ্ধি [illegible] থুম্মক্কী তৌনরিবাস মতুং জগৎ (হকচা মুংদা) তৌনরিব সগী [illegible] শ্রীজন্মবিবাসগুম্বা মপানগী অউবা জগত্তা ফুমিং থানচিংশিনম্ব তৌনরি। মতুংগা মপানগা লৈনরিবা সম্বন্ধ আস ফুমিং থানচিবশি সু অদুম মতৌনরি।

(কালাচাঁদ)

* ভগবান শ্রীনারায়ণগী মরমদা চাউরবা য়েংনকম অম লৈ। জ্ঞান, বুদ্ধিনচিংবা অদুগা রূপ রসনচিংবা মঙান্দগী [illegible] অরাবা সুক্তবা, অরাম থোৱাংবা অসিনচি বস্তু মত্তোন্দগী থোরকযম থোকই অদু [illegible] ক্ষুধা তৃষ্ণানচি বসি ভগবান্ মতেন্দম্ব লৈকম্ থোকই। করি ময়ম হায়রবু, তাইবং জীব পানবা পুম্নমক্তা ভগবান মক্কা ক্ষধা তৃষ্ণা (অরাম থোৱাংবা) নচিংবগী মত্তোন্দগী থোকওকই। তাইবং জীবনা ক্ষধা তৃষ্ণা কাংভকপদি মৈ ঈশিং লৈপাক অমদি ফুংশিংনচিংবগী বিকার

সর্বলোকতমোহন্তা আদিত্যো দ্বারমুচ্যতে। আদিত্যদগ্ধ সর্বাঙ্গা অদৃশ্যাঃ কেনচিৎ ক্বচিৎ ॥১৪॥
পরমাণুভূতা ভূত্বাতং দেবং প্রাবিশন্ত্যতে। তস্মাদপিচ নির্মুক্তা অনিরুদ্ধতনৌ স্থিতাঃ ॥১৫॥

ধাম (খুভম্) বু কংখি। মতম অদুদা লোক পুম্নমকী অমম্ববু মাঙহনবা সূর্য্যদেব (নুমিৎ) না অদুগুম্বা মী অদুগী ধাম অদু য়ৌননবা থোঙ ওই ঞ্চ ॥ ৩॥

পরমধাম (অখোইবা খুভম) ওইবা ভগবান শ্রীনারায়ণগী বৈকুণ্ঠ ওইব' ধামবু ফংনবগী থোঙমক ওইবা সূর্য্য মণ্ডল যৌরুবা মীগী ভৌতিক দেহ অদুদি নুমিৎকী মশক অদুনা চাকথেকখিদুনা মপানগী নৈপাক্লা শাবা চকচাংনা পরমাণু অমম ওইনা অদুগা মৈ ঈশিং (ঈ) নচিংহাশিং অদুস্ত মাগী মাগী পরমাণুগী মওং ওইনা চঙখি। লোইনা ভস্ম (উৎ) ওই'খ *॥১৪॥

মতৌ অসুম্ন সূর্য্য (নুমিৎদা) চঙদুরগা মাদুদগী অমুক না'স্তোয়কতুনা অনিরুদ্ধ ওইবা মও (মূর্ত্তি) দা, হাদুবদি অহং অপুন কৈত্রবা, অথি, অয়াব্ কৈত্রবা মও দা কৈখি। অদুগীদি মনোময় (পুক্নীংগী মশক্ ওইবা) প্রদ্যুম্নদা চঙখি ণ ॥১৫॥

ওইবা মনা মশীং চে হন্নাইনিংবা চাবগা ন্নাম খোবাংবহু মাঙহাল্ল। বিষ্ণু ভগবান্ নারায়ণ মহাক্ত করি করি চাংরগদগে হাযবনচিংবা চিনবাস লাকই। মতাং অসিদা মূল শ্লোকতা অস্নুম হায়ন। ইরি— ভগবান্ শ্রীবিষ্ণু (নারায়ণ) গী চৌঙ্গাক'ত হথ্য কব্যনা ওই। "বিষ্ণু রোং তৎসৎ" হায়বা চৌদুনা দেবতাশিদা কংলকপা ন্নাম তৌরকপা পোশকা অদুনা হব্য কৌই। পিতৃ মাতৃ তর্পণদা কর্মনচিংবরা "বিষ্ণু রোম তৎসৎ" হায়না চৌদুনা কংলকপদুনা কব্য কৌই অসিগুম্বা হব্য কব্যনা শ্রীনারায়ণগী চৌঙ্গাক ওই। কনাগুম্বনা পোশক ঈয়াও যাওদনা ভাবতনা ভাকগ লোয়ননা কংলক্রবস্তু মাদুনা ভগবান শ্রীজনার্দ্দন (নারায়ণ) গী ভোগ অতুম ওই। অদুনা, "ভাবগ্রাহী জনার্দ্দন" হায়নারবাসিনি। মপান্ প্রকৃতিগী হৈ-নল, কৌ চেনা তাইবং মী অদূগা শা হুচেকন চংবগী চৌঙ্গাক ওই। ভক্তশিংগী, ভক্তিগা লোয়ননা কংলকপা শ্রবন কীর্ত্তন স্মরন অসিন'চ'বা অদুতনস্তু শ্রীবিষ্ণুগী চৌঙ্গাক ওই। ভগবান্গী চৌঙ্গাকৃতি লায়রবা তোল্লবা অদুগা ভগবানবুদি মতম লৈব খিখিক্ত কাউদবা অদুগুম্ব। ভক্তশিংতনা কাল্ল। অদুনা "ভক্তি প্রিয়োমাধবঃ হায়রিবদুনি। অমরোমদা হায়গা — স সারদা ন্নাম খোয়াং পুম্নমক কাওথোকুনা ভগবান্দা হৈ লৈ মনা অমতং ভগবান্ বিষ্ণুনা কচ্চরকপদা ভগবাননা ঈপেন্ত পেন্দুনা লৈ। অপেনবগী মী ক্ষুধাতৃষ্ণা লৈব হৈনদে। (কালাচাঁদ)

ঞ্চ পাপকী শরুক্ য়াওজ্রবগুম্বা পুণ্যগী শরুকুস্তু য়াওজ্রবা হায়রবসিগী মমুংগী অর্থদি অসি তৌরগা পুন্য কংগনি, পুন্য চেনগনি, অকব মীওইনি, বনসম্পত্তি মিংচৎ কংগনি, অস তৌরগা কংলোই অস্নুম

* মতাং অসিদা থল্লতৌগদবদি—মহর্ষি, যোগী মুনিনচিংবা জ্ঞানী ওইব মিং বিমানথক্তা তোংদুনা চংপগী ম্বাদি লায়বু লায়দনা, নখোয়দদি লায়না থোক্লগদবা যোগ সাধনতনা সূর্য্যলোক য়ৌনা চংপা

ণ মথং মথং অচৌ অচৌবা থাকৃত আত্মানা হাইগংলকপা অসবু আত্মাগী উৎক্রমণ কৌই। হক্চাংদা লৈবা মৈ ঈশিংনচিংবা পঞ্চভূত আসনা পরমানু ওহনা পাইপ্রবদা, আত্মা মহাক্তি মৈ ঈশিংনা

হায়না খন্দুনা সকাম কর্ম তৌজ্রবা হায়বনি। সকামকর্ম তৌহুনা আত্মাবু সংসারদা অমুক পোকহল্লব-দি (হকচাংমুং অসিদা অমুক চঙঙক্লবা তৌয়বদি) পাপ কর্ম তৌবগা অক্মা ওই। "পাপ" হায়বগী অর্থদি অহুঙুম্বা থবক্তগী আত্মাবু লৈথা তাগদবদগী কনকম্ থোকপা কর্ম অহুবু হায়বনি। পা + প হায়-বসিদা লৈব্রিবা পাপ ধাতু অসিগী অর্থদি ভাকথোকপা হায়বনি। অর্থ অমনা করিনো হায়বদো পুরি পুরিবা রাখল অহুগী মতুং ইন্না পুণ্য কর্ম ওইবা য়াওব্রি। পাপ কর্ম ওইনা উবা থবক্কসু পুণ্য কর্ম ওইব য়াওব্রি। যাগ যজ্ঞ ধর্ম কর্ম হায়রিবশিং অসি মমিং তাবদা পুণ্য কর্ম ওাক্ত ওইনা তায়। অহুবু যাগ যজ্ঞনচিংব সৎকর্মশিং সাপ কর্মগী উদ্দেশ্যদা শীজিন্নবা য়াই। মরম অহুনা থবক্ তৌরিবা মী মহাক অহুত খওঙি, মহাক্না তৌরিবা থবক অহু পাপ কর্মরা, পুণ্য কর্মরা হায়বহু। অউবা ঐ.খোয়না খঙ-গদবা নত্তে। মপান্দা য়েংবদা শুভ কর্ম ওইনা শাউরবসু মহাক্না তৌরিবা কর্ম অহুনা পাপ পুননবা কর্ম ওইহন্বা য়াই। অহুনা অশংবশি'না পাপ পুণ্যগী রাংমদা তোঙান তোঙাম্ন লৈহুনা, অনী অসিগী তিম্নবা য়ানথাইননবা অহুমক্তনা থম্মোয়বু মকশিলহন্দ্রবা মী অহুনা বিষ্ণু ভগবানগী মকৃত্রব ধামবু কংবা'ঙম্মি। স্সূর্য্যলোক-চন্দ্রলোক, গোলোক অসিনচিংবসিনচিংবসি বিমান তোংহনা য়ৌরুগদবা নত্তে। আধিভৌতিক বিজ্ঞাননা শাবা রথ অপাইবীদা তোংলগ স্বর্গ কারুরবসু সুমিংকী মথক্ত চ'লুরবসু মহাক স্সূর্য্যলোক য়ৌব্রে হায়বা য়ারোই। থা য়ৌনা কারুরবসু মহাক চন্দ্রলোক য়ৌরুরে হায়বা য়াদে য়ৌরু'রিবহুদি আধিভৌতিক ওইবা মফমনি। য়ৌরুরবসু মৈ ঈশিং সুংশিং লৈপাক্তগী হেন্ন করিমতা কংলোই। ওম্ভোকপা (ষ্প্রিচুয়েল) ওইবা জ্ঞান নত্রগা পোশক পুহুনা লাকপা য়ারোই। সুমিং য়ৌনা কাকহুনা, মাগী মৈশানা ঐগী কাম, লোভ অহুগা অহংকারনচিংবা লোইনা চাক্থেকগৌরে, ঐগী থম্মোয়সি পুমণেং শেংলে হায়না লাকপা — হল্লকপা অমত ওম্মোই। অহু ওম্মরুবদি, অহুওম্বা সুমিং (স্সূর্য্যদেব) অদো স্বর্গধাম, ভগবানগী ধাম য়ৌননবা থোঙনি। (কালাচাঁদ)

ওম্ম'ম্মি। নোংমদোন্থক্ত থোক্লিবা স্সূর্য্য (সুমিং) আধিভৌতিক ওইবা পদার্থ (পোং) অমনি। হকচাং-সিদা য়াওরিবা তেজ অসিসু ভৌতিক পদার্থ অমনি। অহুনা ভৌতিক পদার্থ অ'সবু অচৌবা ভৌতিক ওইবা তেজ মপুম ওইবা সুমিং মঙোন্দা তিলংহল্লুবগী করি কান্নবা লৈরি হায়বা খঙনীংবা হংনীংবা অম লৈরি। ভগবানগী বৈকুণ্ঠ ধাম য়ৌননবগী থোঙনিসু হায়রি। মাসিদগী করি খঙবগে হায়ববু হকচাং-চাংসিগী মনুংদা স্সূর্য্যসিমক্কী মঙাম্ন য়ৌবা ওমদবা মঙোন্দগী হেন্ন ওানব তেজ অম লৈরি।

ণ তাউথোকহনবা, চাকথেকহনবা য়াত্রবনিনা, সুসিংতুদগী অনিরুদ্ধ ওইবা (অপনব অথিংব লৈতবা) মওংদা লৈরুরবা তুংদা আত্মানা মনোময় (পুক্লীংতগী মশক ওইবা) ওইবা ধামদা অমুক চঙখি। মনোময় (পুক্লীংতগী মশক্ ওইবা) ধামদা চঙখিবসি প্রদ্যুম্ন ওইবা ধামদা চঙখিবা কৌই। হায়রিবসিগী অশঙদি

অদুগুম্বা তেজগী মন্নুংদা মপানগী খজিকৃত্তং ওইনা উরিবা হকচাংসিদা তেজ (মৈশা) বু ত্তিলহন থিবা হায়বগী অর্থনি, নোংমদোম্বখক্ত থোক্লিবা মুমিং অসিদ নত্তে। অদুনা হৌজিকী বৈজ্ঞানিকশিংনা য়ৌরুরিবা কারুম্বিবা চন্দ্র, সূর্য্য গ্রহনচিংবা অসিনা বৈকুণ্ঠ ধাম য়ৌদনবগী থোক্ত ওইগদবা নত্তে। "কুণ্ঠনা" (চিংনবা, অন্নাংপ, অশান্তিনচিংবা অসিত পুন্নক্তনা তোকনি। থা য়ৌনা কাব্রিবশীং অসিনা থিব্রিবদি জগৎ ভাইবং মীগী অশান্তিগী মচাক থীবা চংলুবগুম্বনি। য়ৌরুরবস্থ লৈপাক লৈত্তেরাদগী ক্ষেম কব্রিমত কংলোই। অদুনা মমাত্তেদা নারদনচিংবা মুনিশীংনা সূর্য্য চন্দ্রনচিংবা উরিবা গ্রহ উপগ্রহশিং অসিদা চৎলুব তৌদে। ভগবানগী অরোইবা ধামদি মুমিং— থাশিং অসিগী রাংমদনি হায়না গীতাদম্ব— "ন তৎ ভাসয়তে সূর্য্যঃ ন শশাঙ্কো ন পাবক" অসিনচিংবা হায়রি। আত্মাসিবু কুপশীন্দুনা থমলিবা কাম ক্রোধ লোভন-চিংবা মম্বা (তমিস্রা) শাং অসিদি থোক্লিবা মুমিংসিগুম্বা লিশিং অমনা কোকহনবা ভালহনবা ওম্বা নত্তে। অদুনা মূল শ্লোকত হায়ব্রিবা রাকম অসিদ মপানগী জগত্ত লৈবাপোশক্তা প্রমাণ তৌবত্তনি, রাপকনি। (কালাচাঁদ)

আত্মাসিনা মত্তাস্তগী মশক্ ওইবা সূর্য্যালোক য়ৌরুরগা অনিরুদ্ধ ওইবা মওং (মূর্ত্তি) দা চত্তখি। অদুগী অমুক প্রদ্যুম্ন ওইবা মওং মূর্ত্তিদা চত্তখি। হকচাংমুংদা লৈরিত্তেদদি মৈ ঈশিং লৈপাক্লা কাজিন্দুনা লৈ-রম্মী। অদুদগী মুংশিত্তগী মশক্ ওইবা মূর্ত্তিদা, অদুদগী অমুক তেজতগী মশক্ ওইরবা মূর্ত্তিদা, অদুদগী অমুক অনিরুদ্ধ ওইবা মওংদা, অদুদগী অমুক প্রদ্যুম্ন ওইবা মূর্ত্তিদা চত্তখি। হায়রিবসি সাধারণ ওইবা মী পুম্নমক্কী রা নত্তে। অম্বুম্না চৎখিবা আত্মা অদুদি জ্ঞান (তেজ—মশেক্) তগী মশক্ ওইবনিনা অত্তবা তেজগী মপৈ ওইবা সূর্য্যদা উপস্থান তৌনৈ। মাসিমকস্ত অচম্ব সাধারণ ওইবা মী পুম্নমক্কী রা নত্তে। ত্রিকাল সন্ধ্যা উপাসনা তৌবা, তত্ত্ব জ্ঞানী ওইবা মীশিংতগী রানি। সূর্য্যোপস্থানগী মন্ত্র থীদুনা আত্মাবু সূর্য্যগী নাক্তা শিন্নবনি। সূর্য্যদেবগী উপস্থান মন্ত্রদ লৈ মাদুবু সূর্য্যাপস্থানগী মন্ত্র কৌই।

আকাশবু, মুংশিংপু, লৈপাক, ঈশিংবু উপস্থান তৌবগী নিয়ম অদুগা মন্ত্রদি লৈতে। মাসি, ত্রিকাল সন্ধ্যা উপাসনাগী শকুপ্পা রানি। ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণনা তাত্ত্বিক লীলা অসিবু হায়বদি, তত্ত্বজ্ঞানগী লীলা অসিবু মপাম্মাংদা থুদম ওইনা দ্বারকাদা শাম্নখি। শ্রীকৃষ্ণনা দ্বারকাদা নরলীলা অমদি গৃহস্থগী লীলা শাম্নরিবসিগী তত্ত্বদি মগাক্তনা খত্তত্তি। কনা অমত্তনা খত্তদে। অদুদগীদমক্তা শ্রীকৃষ্ণবু দ্বারবাস তত্ত্বজ্ঞ কৌই। কৃষ্ণগী শায়োন ওইবী রুকমিণী গর্ভদগী প্রদ্যুম্ন কৌনা অমুক চোংথোরকই। অদুদগী প্রদ্যুম্নগী মচা ওইনা অনিরুদ্ধ কৌনা অমুক চোংথোরকই। চোংথোরক্লিবসি কৃষ্ণ মগাক মথত্ত নি। অসিগী মথক্তা গৃহস্থাশ্রমদা লৈদুনা দ্বারকাদা সন্ধ্যা তর্পনচিংবা তৌর (কালাচাঁদ)

মনোভূতাস্ততো ভূত্বা প্রদ্যুম্নং প্রবিশন্ত্যুত। প্রদ্যুম্নাচ্চাপি নির্মুক্তা জীবং সংকর্ষণং ততঃ ॥১৬॥
বিশন্তি বিপ্রপ্রবরাঃ সাংখ্যা ভাগবতৈঃসহ ততস্ত্রৈগুণ্যহীনাস্তে পরমাত্মানমঞ্জসা ॥১৭॥
প্রবিশন্তি দ্বিজশ্রেষ্ঠাঃ ক্ষেত্রজ্ঞংনির্গুণাত্মকম্। সর্বাবাসং বাসুদেবং ক্ষেত্রজ্ঞং বিদ্ধি তত্ত্বতঃ ॥১৮॥
সমাহিতমনস্কাশ্চ নিয়তাঃ সংযতেন্দ্রিয়াঃ। একান্তভাবোপগতা বাসুদেবং বিশন্তিতে ॥১৯॥
আবামপি চ ধর্মস্য গৃহে জাতৌ দ্বিজোত্তম। রম্যাং বিশালামাশ্রিত্য তপউগ্রং সমাস্থিতৌ ॥২০॥
যেতুতস্যৈব দেবস্য প্রাদুর্ভাবাঃ সুরপ্রিয়াঃ। ভবিষ্যন্তি ত্রিলোকস্থাস্তেষাং স্বস্তীত্যথো দ্বিজ ॥২১॥

প্রদ্যুম্ন ওইবা বিগ্রহ (মূর্ত্তি) দগীসু অমুক মুক্ত ওইরকুনা সাংখ্য জ্ঞাননা তিন্নবা জ্ঞানী ব্রাহ্মণশিংগা লোয়নরা সংকর্ষণ ওইবা বিগ্রহদা চঙশিনখি * ॥১৬॥

অদুগী তুংদা জ্ঞানী ভক্ত ব্রাহ্মণশিং অদু সত্ত্ব তমগুণ অদুমদগী লাস্থাকখিদুনা নির্গুণগী মশক ওইবা ক্ষেত্রজ্ঞ (হকচাংশিবু মুন্ন খঙবা) পরমাত্মাদা চঙশিনখি। পূম্নমক অসিনা চঙশিনখ্রিবা মফম অদো ক্ষেত্রজ্ঞ ওইবা বাসুদেবনি হায়না নহাক্ক খঙউ ॥১৭-১৮॥

পুক্কীংবু অম অমদা চোইহনবা স্থিংবা চুপ্প ময়ুং মপান্ শেংনা লৈদুনা, অকংব অমদা ঈংপেত্ত পেন্দুনা লৈরবা ইন্দ্রিয় খুংম চনবা, অতোপ্প বিষয় অম পান্দুদনা শ্রীভগবাননগী চরণতদা আশা তৌদুনা চঙজবা মখোয়শিং অদু ভগবান বাসুদেব অদুত অদুম্ চঙওি ❁ ॥১৯॥

ব্রাহ্মণ অথোইবা! নারদ! নরনারায়ণ কৌবা ঐখোয় অনীসু ধর্মগী য়ুমদা পাক্লগা বদরিকাশ্রম কৌবা তীর্থ অসিদা আশ্রয় লৌদুনা অকনবা তপস্যানা লুপ্পুরা লৈরিবসিনি ॥২০॥

ব্রাহ্মণ। অদুগুম্বা পরদেবতা ওইরবা পরমাত্মা শ্রীনারায়ণ বাসুদেবগী ওইবিবা ওইগ্রিবা অবতার-অদুনা মতম পুম্বদা জগৎকী মঙ্গল মশক ওইরবা থবকত তৌরনবগীদমক্ত নরনারায়ণ ঐখোয়নীনা অকনবা

খাইদগী কনবা, খাইদগী যজবা, কামদেবকী বিগ্রহ (মূর্ত্তি) দা চঙদুনা শান্নবা অদুগুম্বা লীলাবু প্রদ্যুম্ন লীলা কৌই। শ্রীকৃষ্ণনা শান্নাখরমথে মপান্দা য়েংব থাবদা আধিভৌতিক লীলা ওইনা উরবসু মখুদদি মহাআধ্যাত্মিক লীলানি। মখুংদা কৃপন বে শিল্পবদি শ্রীকৃষ্ণাদ কনা অমতনা পোকপ ওইরমগ্রে। দেবকী বসুদেবগী মচাসু ওইরমগ্রে। নন্দ যশোদাগী মচসু ওইরমগ্রে, রোহিনিগী মচাসু ওইরমগ্রে। মশানা মশামথন্তবু কোয়চিং চিদুনা, অমদগী অমনা চোংথোক পোংশিন তৌদুনা পরমাত্মামক্তা দেহ অমদি দেহ অমদা চোং চাংদুনা শান্নবা কাবমলে। সংকর্ষণ হায়রবা। অপান্দা দেবকী মচা অহানবদু যশোদগী গর্ভদা চঙওি হায়বদা দেবকীগী মচা ওইনা পোকলুগা যশোদাগী গর্ভদা অমুক চঙথকই অদুননি। মায়া তৌদুনা

❁ অতৈ অতোপ্প পোকক (বিষয়) অমবু পামদনা মদুগা ভগবানবু নীংলবদুমকসু পোশক অসি কনবগীদমক্তনি হায়বা লৈত্রবা, পম্মকদবা মখদা মথং অম লাক্কদোবা লৈরবা মতম অদুগা ইন্দ্রিয়বু খুদম চন্দুনা পামদনবা হোৎনরক্লবা গুণ ধর্ম শাক্তশিং অসি মশামক্ত লৈব গুণ, কর্ম অমদি শাক্তনি।

হায়বদি যোগ মায়াগা লোয়ননা থমোয়দগী গর্ভদগী মশানা মশাবু সংকর্ষণ তৌদুনা হায়বদি চিংথোকুনা রোহিনীগী গর্ভদা সংকর্ষণ ওইনা পোকউবে যশোদা অহাওব গর্ভ অদুদা যোগ মায়া চঙহন্দুনা মুপী ওইনা মতম অমতদ অমুক পোকখিরে। অদিংদা যশোদানা থম্ব্রিবৈ মুপী কংসগী মথুরাগী নাচ্ছারক-পগী লীলা শাইরে। বিষ্ণু মশানা অমা (নিপা) শাহুনা অমুক যশোদাগী মচা ওইনা শাম্লকই। যশোদাগী কৃষ্ণ; শাম্লগা নিপারা মুপীরা থকহন্দে। থাইগী তুংদা নিপা খাক্ত ওইনা অমী থোক্লা বাম কৃষ্ণ হায়না শাইরে। জ্ঞান বিজ্ঞান অমী চঙদুনা 'নিবদ' কৃষ্ণগী মপোক্কী তত্ত্ব তম্মো। বিষ্ণু মশামক্না বাসু-দেবশক্তিগী সংকর্ষ। শাক্তস সংকর্ষণ শক্তিবনী প্রদ্যুম্ন শক্তিদা, প্রদ্যুম্নশক্তিদগী অনিরুদ্ধ শক্তিদা চোং-হুনা শাম্লখি। বিষ্ণুনা বাসুদেব শক্তিগা সংকর্ষন শক্তি অনীথেক্না শাম্লনা বৃন্দাবনদা. প্রদ্যুম্ন অনিরুদ্ধ কৌবা শক্তি অমী অমুক শাপচিন্দুনা শাম্লবদি শক্তি নীমঙ্অনিবা পুম্নমক শাম্লবনা দ্বারকাদা॥ শক্তি অমসুং—শ্রীস্থানা লেবনী শক্তি, চিথেকচাশিন তৌগী শক্তি অমনখিবা যাদবগী শক্তি অদুগা থাইবু তুম্জংগা। ভুবগী শক্তি মবি থানা শুনা শ্রীবিষ্ণুনা দ্বারকানাথ ওইনা দ্বাপরদা শাম্লখি। অমুম্বা শক্তিশুমা নকশক্তি অম ওইনা শাম্লবদি দ্বারকা দ্বাপরদা শাম্লখি। হায়বিবা শক্তিশিংদি জন্মলীলা শাম্লবদগী অদম নে থুবদি। মতম অমম অমতদা দেবকীগী গর্ভদা, যশোদাগী মমুংদা অদুগা গর্ভমুংদা বাসুদেব ওইনা (মক্কমপুম্ননা পুমথোয়োনা) শাম্লখি। কংসগী কারাগারদগী থোরকপত্ত অনিরুদ্ধ শক্তিনি। যশোদাগী গর্ভমুংদগী রোহিনীগী গর্ভমুংদা চথোকহল্লকপদু সংকর্ষন শক্তিনি। দ্বারকাগী মুপীশিংগা শাম্লনদু প্রদ্যুম্নশক্তিনি। শক্তি মবি অসী শ্রীবিষ্ণুগী বিগ্রহ (মূর্ত্তি) মক্তনি। মরীসিনা লোইবদিনত্রী। ভগবানগী বিগ্রহদী মশাং মশামী (কালাচাঁদ)

ভগবাননা লেপ্লবিবা গুণ কর্মশিংমসি ভগবানগা পাম্ব চাক্তনি। অদুগা শ্রীভগবান নারায়ণনা পাম্লিবদি ঐ.থাম্বু শাগাবনি মক্কা পবা. শাংপু পাম্মিদশিং অদুগনী ভগবাননা পাম্মবা মুংশিবিরিবস্থু ঐথোয় তুইব মীন ভগবানদা পাম্লিবা নেম্লিবসি শ্রীভগবান গচাক্না পামদ্রবা গোলক মফম। শ্রীনারায়ণদা অদুন', কন য়াম্ল ভক্তি শ্রদ্ধাগা লায়ননা সেবা পূজা তৌরে হায়বদু ভগবান মশাক্না কুন্তোকথ্রবা গোলক ডক নিকনবদি ভগবাননা গচাকপু মাগী থাজনেশংবা ভক্তনি হায়না লৌবীনিগদ্রা? দেহমুংং লৈরগা জীবত্মা, আত্মা, পরমাত্মা, ঈশ্বর হায়ন থঙনবিরা শ্রীবাসুদেবনা মপানগী দেহদা লৈব্রিবা কক্তনা থোংপা নৌবা রাব নেম্বা দনাকথুনবা লায়রবা খসিনচি বসিনা কনগুশ্ব সম্বন্ধ অমত্ত থমদনা লৈ। প্রেম ওইনা হায়ব্রবদা, ভগবানদি লম্বর স্থ ঈনাক থুনকম্ব য়াওদে। গুণ্ডুগুম্বা ভগবান শ্রীহরিদা ঈনাক থুরজগোয়না নিরুম্লবদি—ভগবানন 'ঐ মুংঙাইবে; নগা ঐনা থম মাম্লাব সে লোবো হায়দুনা পীথোরকদ্রা? ভগবাননা থাইদনী তেম্ব মুংশিবিবিবস ভগবান মচাক্না থম তিম্লবা ভক্তশিংঙুবুতান প্রকৃতিগী গুণ কর্ম অমতুনা সম্পর্ক থমদ্রবা শ্রীহরিদ; প্রকৃতিগী সত্ত্ব রজ তম গুন অদুম অসি পোক্লনবা সদা-সুপা নিরুম্লবদি পীবরুবস্থ মুংশি মুংশিনা পীনরুদবা নাংগু নরাকান সে" হায়দুনা পীবক্তনি। অদুনা ভাব অসিমা তমো গুন র জাগুমদা লুপ্তনা লৈব্রিংসে ভগবান শ্রীবাসুদেবগী দোষ অমতা নত্তে। জীবাত্মা ঐগী দোষনি। ঐনা নিরুবমতমদা রাননবগী মচাক পীনাবিয়ু হায়দুনা নিরুবননি। (কালাচাঁদ)

বিধিমান্বেন যুক্তাভ্যাং যথাপূর্বং দ্বিজোত্তম। আস্থিতাভ্যাং সর্বকৃচ্ছ্রং ব্রতং সম্যগনুত্তমম্ ॥২২॥
আবাভ্যামপি দৃষ্টস্ত্বং শ্বেতদ্বীপে তপোধন। সমাগতো ভগবত সংজল্পং কৃতবাংস্তথা ॥২৩॥
সর্বং হি নৌ সংবিদিতং ত্রৈলোক্যে সচরাচরে। যৎ ভবিষ্যতি বৃত্তংবা বর্ত্ততে বাশুভাশুভম্।
সর্বং সতে কথিতবান্ দেবদেবো মহামুনে ॥২৪॥

তপস্যা তৌহনা লৈরিবসিনি ঞঃ ॥২২॥ ব্রাহ্মণ অথোইবা। নারদ। নরনারায়ণ কোবা ঐখোয় অনীনা মহৌশাগুম্না হায়তৌখিবা অহু গুম্মহনা অরাব কয়া খাওহনা শ্বেতদ্বীপ তায় চত্তনা নারদ নহ'ক্লা তৌখিবা পুম্নমক্ লোইনা উখি। নহাক্ন' ভগবান শ্রীনারায়ণগ' ঙাওনখিবা অহুগা শ্রীনারায়ণনা তাকপিখিবা পাউ তাকশিংদো ঐখোয়নীনা লোইনা তায়। নহাক্ন' হায়নী'বা হংনিংবা রাকম পুম্নমকতো এখোয় লোইনা খঙতি। অচচন্ত্র জীব পুম্নমক্না থন্ন লৈরবা জগৎ আসনা নহাক্না মমাইঙনা মশোক কয়া কয়াদা তৌখিবা অফ ফন্দবা কর্মশিং অদো ভগবান শ্রীহরিনা নঙোন্দা লোইনা ভাহনখিবনি, মাহু ঐখোয়সু তায়। প ॥২২—২৪॥

ঞঃ নিরাকার ওইনা লৈরম্বদগী সাকার ওইহনা অহু তম্ভু নত্তনা সাকার ওইবা নারায়ন মহাক্না অমুক যুগ যুগ থুদিংদা তাইব মী গীত নত্তনা শাউচেক্নী দেহ (কুয়োম) মুংদ চঙহনা, হায়বদি অবতরণ তৌহনা কনাগী মকমদা মচাগুম, কনাগী মকমদন' মক্নপকুম অহুগা য়েক্লবগুম কনাগী মকমদন' যোগ মায়া শক্তিনা মুপী শাহনা মশাক্নী মু ঙা'ইজবা লীলা শায় শায়না জগৎকী উপকার তৌরিবা ভগবান মহাক্নী অবতার শিংহনা মতম পুম্বদা জগৎকী উপকার তৌহনা অহম লৈবিনবা তপস্যা তৌহনা লৈখিবনি হায়না নর নারায়ন অনীনা তাকপিরি খোথোপ্নগী ঈশ্বপ শুপ্ন খুদমদি নারায়ণ মামক্না নর (অর্জুন) গী স রাথ শাবহন' সারথি ওইনা অবতার তৌহনা জগৎকী কান্নবা গীতা উপনিষদ থম্বিবনি। (কাল চাঁন্দ)

প নর নারায়ণ অনীগা নারদগা ঙাঙনরিবা মতাং অসিদগী করি খঙবগে হায়রবদু নর নারায়ণ হায়রবা অনীসিদা য়'ওরিব। নারায়ণ অসিগা নারদনা শ্বেতদ্বীপত্তা দর্শন কঙুবা নারায়ণ অতুগা মশা অমত্তরবা, নত্তগা অম:ম্না হায়না চিং নরকপদা ঙাঙলিবা মতাং অসিনা তোঙাহ তোঙাল্লি হায়রবসি ত'ক্লি। ঠবক্ত বর্দ দা জীব হায়বা অমা, ব্রহ্ম হায়বা অমা অতুগা ঈশ্বর হায়বা অমগা অহুমথোক্না লৈনবগী মতাং অহুম রাকম অমস্তু মফম অসিদা ইবি। তত্তবু নারায়ণ দি অনীগুবা য'দে। জীবদি অনীগুনা যাই, পবা ইয়বা অমা অপবা প্রকৃতিগী মশক ওইবা জীব অমা। ব্রহ্মসু অনীনি হায়বা য়াই সাকার ব্রহ্ম হায়ব অমা নিরাকার ব্রহ্ম হায়ব অমা। নারায়ণদি অনী থোকপা য়াদে, নিরাকার নারায়ণ অতুগা সাকার নারায়ণ হায়বঅম অস্তুম্না অনীলৈ হায়না য়াদে। আত্মা পরমাত্মা, ঈশ্বর-পরমেশ্বর, পরাপ্রকৃতি অপরাপ্রকৃতি অস্তুম্না অনী অনী গুবা ঈয়ায়াই। নারায়ণ হায়রবদি অনীগুবা ঈয়া য়াদ্রে। অংচচর জীব পানবা পুম্নমকী তুংনকম ওইথদি মথল অনীনি হায়রবদি মহাতর্কগীবিষয় অম ওইনা থোক্লে। অনী থাকত্রবদি বদরিকাশ্রমদা লৈরিবা নারায়ণহুগা শ্বেতদ্বীপত্তা লৈরিবা নারায়ণহুগা মশা অমতনি হায়বা তারবনিনা নারদনা বদরিকাশ্রমদগী শ্বেতদ্বীপ তায় চৎলিঙৈগী চৈরক অহুনা বদরিকাশ্রমদগী পাইরক্তনা নত্রগা করিগুম্বা

বৈশম্পায়ন উবাচ

এতচ্ছ্রুত্বা তয়োর্বাক্যং তপস্যগ্রে চ বর্ত্ততোঃ। নারদঃ প্রাঞ্জলির্ভূত্বা নারায়ণপরায়ণঃ ॥২৫॥

জজাপ বিধিবন্মন্ত্রান্ নারায়ণগতান্ বহূন্। দিব্যং বর্ষসহস্রং হি নরনারায়ণাশ্রমে ॥২৬॥

অবসৎ স মহাতেজা নারদো ভগবানৃষিঃ। তমেবাভ্যর্চ্চয়ন্ দেবং নরনারায়ণৌ চ তৌ ॥২৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম পর্ব্বণি নারায়ণীয়ে বিষয়ে ঊনচত্বারিংশদধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ॥

——:(৭):——

বৈশম্পায়ননা হায়—নিংথৌ জনমেজয়! তপস্যা তৌড়না লৈরিবা নরনারায়ণ অনীগী ৱাসি তাবদা নারদনা পুং লোয়ড়না খুমখ নরনারায়ণগী আশ্রমদা চঙড়না বদরিকাশ্রমদা লৈখি। নারদ ঋষি অসি মথুংমক্তা অনীগী সবা পূজা তৌড়না লৈখি ॥২৫॥ শ্রীনারায়ণগী মরম নৈনবা মন্ত্র ময়াম পাঠ তৌড়না চহী লিশিং অমা চুপ্প মকম অদুদা লৈখি ॥২৬॥

তেজ কল্লবা ভগবান্ নারদনা বদরিকাশ্রমদা ভগবান্ শ্রীবাসুদেবগী অদুগা নরনারায়ণ অনীগীসু সেবা তৌড়না মতম কুইনা লৈখি ॥২৭॥

মকম অসিদ শ্রীমহাভারতদা লোক লিশি চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তি পর্বদা মোক্ষ-ধর্ম্মদা নারায়ণীয়গী চহুম কুন্থমাপলগুবা অধ্যায় লোইরে ॥

——:(৭):——

সাধনা অমনা শ্বেতদ্বীপতা মাঙজোন লাকপা তাই। অদু ওইরবদ শ্বেত দ্বীপতা শমুক চংলুপ্রবসু জ্ঞান অদু বদরিকাশ্রমদ অদুম তাকপীবা যাদবরা? অসিনচিবা মওং লিশিংগী চিংনবা রাহং কয়া কয়া পোকপা য়াই। পূম্নমক অসিগী তেমশিনবা রাদি নরনারায়ণ অনীনা হোজিক্ক নারদদা হায়খ্রে—নরনারায়ণ কৌবা ঐখোয় অনীনা তৌরিবা তপস্যা অসে, ভগবান শ্রীহরি মহাক্কী তোঙাল তোঙানবা যুগশিংদা তোঙান তোঙানবা অবতারশিংনা তাকাপবস্থা জগৎকী উপকারগী পাউতাকশিং অদুগা অবতারশিং অদুনা জগৎকী মঙ্গল পীনাবসনু হায়বগী দমক্তনি। অসুম্না তাকপরিবসিদগী করি খঙবগে হায়বদু বদরিকাশ্রমদা তপস্যা তৌড়না লৈরিবা নরনারায়ণ অনীগী নারায়ণদি জগৎকী হর্ত্তা কর্ত্তা ওইরবা জগৎশেষ্ঠা মপু ওইরিব শ্রীহরি অদুমক নত্তে। বৈকুণ্ঠদা বিরাজমান ওইড়না লৈরিবা লক্ষ্মী নারায়ণ অদুমক নত্তে। মশাবু কংগেহায়ড়না মশানা তপস্যা তৌবা হায়বসি য়াম্ন তর্কতৌননীঙাইনি। (কালাচাঁদ)

মণিপুরী মহাভারত

চত্বারিংশদধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(পিতৃলোককী পূজাগী বিধি তাকপা)

চহুম্নিফুশুবা অধ্যায়

—:(১):—

বৈশম্পায়ন উবাচ

কস্যচিৎ ত্বথ কালস্য নারদঃ পরমেষ্ঠিজঃ । দেবং কৃত্বা যথান্যায়ং পিত্র্যং চক্রে ততঃ পরম্ ॥ ১ ॥

ততস্তং বচনং প্রাহ জ্যেষ্ঠো ধর্মাত্মজঃ প্রভুঃ । ক ইজ্যতে দ্বিজশ্রেষ্ঠ দৈবে পিত্র্যে চ কল্পিতে ॥ ২ ॥

ত্বয়া মতিমতাং শ্রেষ্ঠ তন্মে শংস যথাগমম্ । কিমেতৎ ক্রিয়তে কর্ম ফলং বা কিমিষ্যতে ॥ ৩ ॥

বৈশম্পায়ননা হায় :—মতম অমদা ব্রহ্মাগী মচা নারদনা ... শ্রী নিংঙগী ... অশানবা, দবকানা (যজ্ঞ হায়নরিবা) তৌরগা পাহুগী তুগা পিতৃগীসা শ্রাদ্ধ তর্পণ তৌখি ॥১॥ মতম অদুদা মনগী মচা নরনা নারদদা অঙ্গন হায়না হংই !—এ মাপ ... অশৈবা, ... অংবা, ... খুদগী অহানবদা শীংঙনাবব'ন। অদুগুম্বা অমা'নবা নহাক্ক দেবতাসা পিতৃগা অমীমক ... শী না পাঙ-থোক্লে। তৌখ্রবা কর্ম কাংশু মমনা কাগী অমদ করম্না দেবতাগী পূজাওংপ্রবদে ? ... শাস্ত্রগী বিধি গী মতুংইন্না হায়ু ... নহাক্ক ওমাস তৌখ্রিবা করি কর্মনো, করি কৌবগে, করি কান্নবগে, করি ফংনিংবদগী তৌখ্রিব কর্মনো ? * ॥১—৩॥

---

* কনাগুম্বনা সন্ন্যাসী যোগী ব্রহ্মচারী ওইদুনা মথোয়বু লোকাপদম্থ শিগ্রব প্রেত লোক ত লৈগ্র-বশংতুগী কাবমতা থল্লুদন, মথোয়গীন ... কাবমক তৌবিননা লৈার। কনাগুম্বনা, শাস্ত্রদা তাকলিবা নিত্যকর্ম অমগা পিতৃশ্রাদ্ধ, দেবতর্পণনচিংবা নৈমিত্তক কর্ম শং অদুবু বিধি কায়দনা তৌবিবা। কনাগু-ম্বনা তৌগ্রবদু য়াবা, মশাগী ও কাম্নবা ... হবা কায্য কর্ম তৌর ধর্মগী মচা নর হায়বসিনা নারদদা হংলিবসি কারনো হায়বদা দেবতা'ন, ঋষি তর্পন, পিতৃ। শ্রাদ্ধকম অসিনচিংবা তৌনরিবাস করম করম্বা দেবতাগী পূজনো। মন্ত্রোন্দগী ... নবনো হায়ব'স মুখ্য ... নংথবনি। মমাইদা কনা অমত-না তৌনবিদ্রবা এবকর্ম পিতৃকর্ম অদুবু ঈশান ... নারদনা ... উবদা নরনা খঙনীংদুনা হংদি। নরনা চিনহুনা হংদবসি অচুম্বমক্কি পিতৃমাতৃ তর্পণ অদুগা শ্রাদ্ধনচিংবা কর্মশিং অসি চুম্বগী কর্ম অমরা নত্রগা পূজারা ? পূজাওত্রবাদ দেবতা কনাদা কংলবা পূজানো ? কারি ফংনিংবদগী তৌরিবা

নারদ উবাচ

ত্বয়ৈতৎ কথিতং পূর্বং দৈবং কর্ত্তব্যমিত্যপি। দৈবতং চ পরোযজ্ঞঃ পরমাত্মা সনাতনঃ ॥৪॥
ততস্তদ্ভাবিতো নিত্যং যজেবৈকুণ্ঠমব্যয়ম্। তর্ম্মাচ্চ প্রসৃতঃ পূর্বং ব্রহ্মা লোকপিতামহঃ ॥৫॥
মম বৈ পিতরং প্রীতঃ পরমেষ্ঠ্যপ্যজীজনৎ অহং সংকল্পজস্তস্য পুত্রঃ প্রথমকল্পিতঃ ॥৬॥

নারদনা হায়—প্রভু! নর। নহাকমক্না হায় অমুকস্থ তাকপিরবনি। নহাক্না অসুম হায়না তাকপিখি মাচুদি, কর্ম থিবিক্তগী দেবকর্মনা অথোইবনি। অদুনা দেবকর্মদি ব্রাহ্মণ ক্ষত্রি বৈশ্য শূদ্র মীপুমনক্না তৌগদবনি। দৈবকর্মনা খোইদোক হেন্দোকপা যজ্ঞ অমনি। যজ্ঞ হায়বসিদি সনাতন ওইবা পরমাত্মাগী কর্মগী মশক ওইবা মূর্ত্তি অমনি ॥৪॥ অদুন নহাক্না তাকপিখিবদুগী মতুং ইন্না এগী হুমিৎ খুদিংগী তৌরিব দেবকর্ম (যজ্ঞ) অসে ভগবান শ্রীবৈকুণ্ঠগী দমক্তনি। লোক পুম্নমক্কী মবুদো ওইবা অদুগা এগীস্থ পিতা ওইবা ব্রহ্মা হায়নসে শ্রীবৈকুণ্ঠ মতোন্দগী পোকখিবা, থোকখিবনি ॥৫॥ পরমেষ্ঠি ওইবা ব্রহ্মানা পেনখিবদগী নারদ এগী পিতা ওইবা প্রজাপতি ব্রহ্মাবু পোকপিখি। মরম অদুনা এ অসি মহাক্না সংকল্পনগী পোকপা মচানি * ॥৬॥

পূজানো? অসিনচিংবা হংদিবা রাহংশিং অসি অমরোমদ হায়রগা নাস্তিক ওইবশিংগী রাহং ওইরবস্থ হংকম থোকপা অদুগা খড়কম থোকপা অমনি। কৌজিক হৌজিক তৌনরিবা পিতৃতর্পণ অদুগা শ্রাদ্ধনচিংবা কর্মশিং অসি পূজারা নত্রগা প্রেতলোকতা কৈথ্রবশিং অদুগী তৌবিরিব্রা অসিনচিংবদি খোইনবু খন্নরক্রি। ধর্মগী মরম ওইবা কর্ম অসবু, মহৌশাদগী চংনরকপা তৌনরকপা কর্মনে হায়না লৌদুনা সামাজিক কর্ম অম ওইনা তৌনরি। ময়াম য়েংবদা ফজনবা হায়বা অমস্থ থোমগৎনরকে। মাসিদগী মথং মথং মাডথরকপনা শিন্নিবশিং অদুগা পেন্নবগীদমক্ত নত্তনা, ময়াম তিন্নরিবশিং অদুনা য়েংবদা হুংডাহনবা, মখোয়ন থাগৎপিনবা তৌবা হুরাও কুমৈগী মওংদা লাক্রে। শোল্লিবা পুরোহিতশিংনস্থ যজমানশিংদা তত্ত্বশিং অদু তাকপিবস্থ ডমত্রে। (কালাচাঁদ)

* মফম অসিদা হায়রিবা অসিস্থ অতুকপা, পাক হেক চৌংম খঙদবা রাকম অমনি। পরমেষ্ঠী ব্রহ্মানা প্রজাপতি ব্রহ্মা পোকই। প্রজাপতি ব্রহ্মানা নারদ পোকই হায়রি; ব্রহ্মা অসি অনীগুবা ওইনা উরি। পরমেষ্ঠি ব্রহ্মা হায়বা অমা, প্রজাপতি ব্রহ্মা হায়বা অমা অনী থোক্না হায়রি। কল্প অমনম্ লোইরগা ব্রহ্মানা অমুমুক পোকলকপাসে মওং অমতা মাম্নত্রে। কল্প অমগী সৃষ্টিদনা বিষ্ণুগী খোযদোদগী পোকলকপা থম্বাল লৈকান্নক্তগী ব্রহ্মা পোকখিবা ওইনা হায়। পরমেষ্ঠী ব্রহ্মা হায়বনি বিষ্ণুমক হায়না লৌরবদি করিমত্তঃ কায়বা লৈতে। কৌবস্থ য়াই, মরমদি, বিষ্ণু সহস্রনামদা পরমেষ্ঠী হায়বসি বিষ্ণু ভগবানগী অতোপ্প নাম অমনি। অদুনদি পরমেষ্ঠী (বিষ্ণু) গী মচা ব্রহ্মা হায়রবদি করিমত কায়ত্রে। হরিবংশ কৌবা গ্রন্থদা ইরিবদুগস্থ থোইনা কায়ত্রে। মাচুদা হায়রিবনা করিনো হায়বদা "নারদ অসি ব্রহ্মাগী মচানি, অদু ওইরবস্থ দক্ষপ্রজাপতিগী শাপতগী প্রজাপতি মহাক্কী মচাওইনা পোকপা অসি" অসুম হায়না হরি বংশ পুরানদা ইরি। অদুনা নারদগী থাজৈশংবা পিতা অসি কনানো অসুম হায়না থক চিংনরোই

যজামি বৈ পিতৄন্ সাধো নারায়ণ বিধৌকৃতে । এবং সত্রব ভগবান্ পিতা মাতা পিতামহঃ ॥৭॥
ইজ্যতে পিতৃযজ্ঞেষু তথানিত্যং জগৎপতিঃ । শ্রুতিশ্চাপ্যপরাদেবী পুত্রানহি পিতরোহযজন্ ॥৮॥

হে নরা ! ঐনা অহানবদা খ্বাইদগী অথোইবা দেবতা ওইবা শ্রীনারায়ণগী পূজা আরাধনা তৌই, অদুগী তুংদা পিতৃলোককী পূজন তর্পনচিংবা তৌই । ঐগী ঈপা ঈমা, অদুনা ঈবুধৌনচিংবাসি শ্রীনারায়ণতনা অদুম মওই । ✽ ॥৭॥

পিতৃলোককী দমক তৌবা যজ্ঞশিংদা ভগবান্ শ্রীহরিগী আরাধনা সেবা তৌনরিবনি । অসিগুম্ব শ্রুতিগী প্রমাণ অমসু লৈ. পিতাশিংনা হায়রবনি, (দেবতাশিংনা) অগ্নি য্বাত্তনচিংবা মচাশিংগী তর্পণ তৌথি । ✽ ॥৮॥

পৌবনি মরেল্লশিংবু হায়রবসু, অমরেলদ হায়রবগুম ব্রহ্মাগী অহানি হায়বদুদি ঈকায়খুম্নবদে নারদনা অমুক হায় হায়রগে হায়রবদা ঐদি ঐগী মরুন প্রজাপতিগী মচাশিংগী লোকদা মহাক অনি পোকপা হায়রবদি সাধারণ ওবনো পোকপা মচানা পর্জন্যদগী পোকপা অমনা পোকপনি অদুবু মচা-মশু পোকবা হায়বা দবক আসগী দেবতা অসি প্রজাপতিনি অদুনা নারদনা কনাগুম্বা অমি ... পোক্ত-রবদি প্রজাপতিগী মচা পোয়দনা ওইকম থোক্লবনি । (ও পাইদ)

✽ নরনা নারদদা হংখিবগী মরমদি চিংনব অমগীনি দৈবধর্ম, পিতৃধর্ম হায়দুনা মখোয় নাইনা অনীখক্ক লৈ নারদনা তৌখিবদুগীদি মমাংদগী হংলো অদুগা লৈরবসু প্রেতলোকতা লৈরবা পিতা মাতানা কনা কনানা ওইগদৌরিবনো আগনা প্রেতলোকতা লৈখিদ্রবসু হিংদুনা লৈরিবা মমা-মপাগী পূজা নত্তুনচিংবা তৌরা য়াগ্রা অসিনি । অদুম্বা তিংনবসি কোক্কনবা নারদনা হায়রি—"নারায়ণ" হায়বা নাম অসিগী অর্থবু অদুগা বৃহস্পতিবু চংনা তানা থত্তলবনি, নারায়ণ নর ক নারম্বা দেবতাগণ, আদিতর্পণ, পিতৃ থাতৃ তর্পণ পাইনা তৌবয়াই । অদুগ ক্রমদি কাম্নবায়দে খ্বাইদগী অথোইবা দেবতাদি মশাক্কা মওই ওইরবনিদ, হায়নাদ ব্রহ্মা, বিষ্ণুসু মহেশ্বরসু মগাক্কনা অমম মওইরবনিনা ব্রহ্মা তৃপ্যতাম. বিষ্ণুস্তৃপ্যতাম

✽ অপন হায়বনি পদ্দ্দনবহায়ওন লৌকিক বিচারদসু সমাজদসু মচা-মশুতনা মমা-মপাগী সেবা তৌগদবনি হায়বা করিসু লৈতে, মমা মপানসু মচা মশুগী পেন্নবা খুংতাহনবা অদুম মতৌই । মপানা মচাদগী বেদ তম্বা য়াই ! অগ্নিষ্বাত্তনচিংবা পিতৃগন পিতৃলোক) অসি দেবতাশিংগী মচা ওক্কি । দেবতা (আহুতি) না মতম কুংনা তিংচবা (দৈত্য) শিংগা লান্থোকনবদগী মচৌদা পুরস্থ বেদমন্ত্র পুম্ম-মক অদুগা নাপী মাগী পুক্নীংদা থম্মোদা লৈরবা বেদ জ্ঞান পুম্বালোইদুনা কাউক্রবনি অদুদগীদঃ মথোয়না তপস্যা অগ্নিষ্বাত্তনচিংবা মচাশিংদগী বেদ তমখি । মচাশিংবু গুরুগী থাক্ত থমদুনা দেবতাশিংদুনা মন্ত্রশিংগী পূজা আরাধনা তৌখি । মপান্থোংগী হকচাংনা মপাগুম মচাগুম উহনবগী অমদি উবগী পরিকল্পদগী লান্থোকখিদুনা আম্বাগা তাথোক তাশিন তৌদুনা জ্ঞানগী আদান (প্রদান তৌনখি) অদুনা দেবতাশিংনা মচা পিতৃগণদগী বেদ তমখি, গুরুগুম সেবা তৌখি । লোক সমাজদসু মাসুম তৌবদা থোই-নাকায়বা লৈতে । মপাদুনা অরানবদা লমীদাচৎলবদি নজ্ঞগা করিগুম্বা অরানবা কর্ম অম তৌরবদি মচা

বেদশ্রুতিঃ প্রণষ্টাচ পুনর্ধ্যাপিতাস্ত্বয়া । [illegible] পুত্রাঃ পিতৃন [illegible] ॥

নূন পূর্ব্বোক্তং বিদিতং যুগান্তে [illegible] । পুত্রাশ্চ পিতরশ্চৈব পরস্পরমপূজয়ন ॥ ৩॥

বেদ শিংগী [illegible] জ্ঞান [illegible] । [illegible] বিধি । [illegible] । অসিদগী [illegible] ॥

[illegible] ([illegible]) [illegible]

[illegible]

([illegible])

[illegible]

([illegible])

ত্রীন্ পিণ্ডান্ ন্যস্য বৈপৃথ্ব্যাং পূর্বং দত্ত্বাকুশানিতি । কথং তু পিণ্ডসংজ্ঞাং তে পিতরোভিরে পুরা ॥১১॥

নরনারায়ণাবূচতুঃ

ইমাং হি ধরণীং পূর্বং নষ্টাং সাগরমেখলাম । গোবিন্দ উজ্জহারাশু বারাহং রূপমাস্থিতঃ ॥১২॥

দেবতাশিংনা লৈমাইথক্তা কুশ মনা শন্দোকুনা থাংগা মাতুগী মথক্তা, পিতৃলোককী দমক্তা পিণ্ড অহুম তাহনা থম্নগা মাতুগী মথক্তা সেবা পূজা শী হৌনবী পুম্নমক তৌই । অমুম্না তৌরিবসিগী মরম করিনো ? মমাঙৈদা পিতৃলোকতা লৈথ্রবা, নোংগাপ্রবশিংহুনা পিণ্ডভাগ পু করম হায়না লৌহন চাংরম্বগে ? ॥১.॥ নর নারায়ণ অনীনা নারদদা হায়রকই—সমুদ্রনা থাক্ষবাং ওইনা কোয়রিবী পৃথ্বী অসে, অহানবা, মমাঙৈদা কল্প অহুদা ঈশিংদগী তেম্না অতৈগী করিগুম্বা শরুক অমাকাওরা লৈত্রবা অহুগুম্বা একার্নবদা চহী মতম কয়াকুইনা ঈশু দা লুপ্পুনা লৈরম্মি । অহুগুম্বা মতম কুইনা মশক উদ্রবী পৃথিবীবু ভগবান গোবিন্দনা ঈম্নুংদগী পুখৎখি ॥১২॥ .

॥ কখোয়গী দমক্ত শেমশাহনা থমলিবা পিণ্ড শংকুবু মখোয় পিতৃলোককী মী শংহনা করম্বা মওদা লাক্লম্বগে ? অহুগুম্বা পিণ্ডদান অম্বু মখোয়না কনানা তাকউহনা করম্না খঙলিবনো হায়না হংখি ।

(কালাচাঁদ)

অমদি থম্মোয়দা সাত্ত্বিক জ্ঞান সাত্ত্বিক ভাবতি নত্রে লৃপ্পুনা পৃপুনা লৈরিবসে রাজসিক অহুগ তামসিক ওইবা কত্রবা হি চাবগুম্বা রথল অন সিনা নমচংথিবদগীন সাত্ত্বিক জ্ঞানদি মখাদা অকল অখ্রিং শীংবা, নাপল তৌবা, থংনবা শূনবগী রাখল লৈতে। তামসু তাহুনা য়েংহুনা লৈবনা অহুম লৈবা থুং চন্দবনা সাত্ত্বিক জ্ঞানগী মথৌনি। তৌব ডখা উংনা যাহিসা তৌনবা, থান্ন চীলেম্না থোয়না লৈনিংবা অসিন চিংবগী রাখলশিং অসিনা রজো গুণ অহুগা তমোগুণ শননগী রাখলন্নি। চতুর্যুগ লিশিং তরানা শাবা কল্প, অহুগুম্বা কল্প কয়াদগী তাংস কাওবা, জ্ঞান থনা পাত নিয়ম কায়দনা কতুম না থোডচং কায়না— অস্থুক কুইনা লৈবা য়ারক্লিবসি জগৎবিধাতানা জগৎসিবু সাত্ত্বিক জ্ঞান (বেদ জ্ঞান) তনা শেম্নপিবনানি। রাজসিক জ্ঞান তামসিক জ্ঞান অনীদগী থেকশিনা পৃথ্বী শীন্থ্রব লাংলাংক কয় কয়া থোংলথ্রে। অহুবু পৃথ্বী মাতানা তুমিন্ন তাহুনা মচাশিংগী মতৌ য়েংহুনা লৈরবসে জগৎ অসিবু সাত্ত্বিক জ্ঞান (বেদ জ্ঞান) গী পাম্বৈতনা বিধাতা (ব্রহ্মা) না শেমথিবদগীনি। অনৈবা থুংলেম, অনৌবা পোশক অমমম শাবমদাই মতমদা রজো গুণগা তমো গুণগা অনীনা মীচং থইহুনা লায়গী অমদা, অমবোমদা সত্ত্বগুণনা মথন্ত্র লৈহুনা থেংনবসে মতৌশাদগী অস্তুম মতৌবকলে।

জগৎকী উপকারগী দমক কাবগুম্বা দান অমতং তৌনবা হায়বদি সাত্ত্বিক জ্ঞান অমনি। অহুবু তৌরমদাইদা দাতা ওইরিবা মাগী থম্মোয়দ জগৎনা থাগৎচম্নি লকলিবা অহুগা গর্বগী শরুক চওহুকদবগী লাক্লিবা ঈম্নাংসে রজোগুণ তমোগুণগীনি। (কাল চাঁদ)

* মনাক্ত বেদ (জ্ঞান) না মূর্তিন হনা চে থোক্লনা লোংবৈদা ব্রহ্মা আস পুক্নীং লৈতানা চিংনবা শুমহৎপা করিমত লৈতনা, থম্মোয়দ বেদ (জ্ঞান) দুনা পীবকপা নিয়ম পাউতাকী মতুং ইন্না জগৎকী সৃষ্টি হৌরগে হায়ন খল্লখ্রে। অদুবু মূর্তি নাতনা লৈরম্বা বেদ (জ্ঞান) অহুবু মায়া ইৈরবা কল্লবা রজো গুণ তমোগুণগী মূর্তি অনীহুনা মুথংথিবহুনা ভেকম থওনা সৃষ্টি তৌবা হোবা ওমদহুনা লৌখি। রজো গুণ তমোগুণ হায়বসিনা অক্রমন তৌশিল্লক্লবদা ব্রহ্ম কওবা তাল্লেপকম থওদনা লৈখি। থবক তৌকম থওদনা, অম লোয়ত্রিবৈদা অমমুক পায়খৎপা, হৌবক অসি তৌগনি হায়না সকল্প তৌকরগা ওম্মোইদবা উবদা পুক্নীংদা অরাবা চিন্তানচিদা লোক্লংবসি অহুগা মপানগী হকচাদা মায় ওওবা, মায় মকশিন্না কাহৎপা মুশিনশিবনচিংবা থোরকওইরক্লিবসি রজোগুন তমোগুন নাতৌরিবা তাক্লনি। রজোগুনগী মহুনা

ব্রহ্মোবাচ

বেদা মে পরমং চক্ষু র্বেদা মে পরমং বলম্। বেদা মে পরমং ধাম বেদা মে ব্রহ্ম চোত্তমম্ ॥৩২॥

মম বেদা হৃতাঃ সর্ব্বে দানবাভ্যাং বলাদিতঃ। অন্ধকারা হি মে লোকা জাতা বেদৈর্বিনাকৃতাঃ ॥৩৩॥

বেদানৃতে হি কুর্য্যাং কিং, লোকানাং সৃষ্টিমুত্তমাম্ অহো বত মহদ্দুঃখম্ বেদনাশনজং মম ॥৩৪॥

প্রাপ্তং দুনোতি হৃদয়ং তীব্রং শোকপরায়ণম্ কো হি শোকার্ণবে মগ্নং মামিতোঽদ্য সমুদ্ধরেৎ ॥৩৫॥

বেদাংস্তান্ নষ্টানানয়েৎ কস্য চাহং প্রিয়ো ভবে। ইত্যেবং ভাষমাণস্য ব্রহ্মণো নৃপসত্তম ॥৩৬॥

হরেঃ স্তোত্রার্থমুদ্ভূতা বুদ্ধি র্বুদ্ধিমতাং বর ততো জগৌ পরং জপ্যং সাঞ্জলিপ্রগ্রহঃ প্রভুঃ ॥৩৭॥

ব্রহ্মোবাচ

ওঁ নমস্তে ব্রহ্মহৃদয় নমস্তে মম পূর্ব্বজ লোকাদ্য ভুবনশ্রেষ্ঠ সাংখ্যযোগনিধে প্রভো ॥৩৮॥

ব্যক্তাব্যক্তকরাচিন্ত্য ক্ষেমং পন্থানমাস্থিতঃ। বিশ্বভুক্ সর্ব্বভূতানামন্তরাত্মন্ অযোনিজ ॥৩৯॥

ত্বত্তো মে মানসং জন্ম প্রথমং দ্বিজপূজিতম্। চাক্ষুষং বৈ দ্বিতীয়ং মে জন্ম চাসীৎ পুরাতনম্ ॥৪০॥

ব্রহ্মানা মে 'ম দাম্বক ওনথত্রন, মপক্লা দা অসুম হায়না পরমাত্মাদা হাকংখি।

বেদ জ্ঞানত্তনা ঐগী মীৎ ন, বেদজ্ঞানত্তনা পাঙ্গাল ঐগী।

চুমজকমনি ঐগী বেদ জ্ঞানতনা, ঈশ্বরগী মহাক্ক ঐগী ॥৩২॥

অত্তুংঙ্বা বদ জ্ঞানন, হিচাক মীনা, পুংখত্রে মুন্দুনা ঐগী দগী।

মাংঙৈগ পূৰ্ব্ব পুম্মন মম্ খ জ্ঞান য়াওখদবদগী ॥৩৩॥

করম্ব জগৎপু শেমগনি, সংকক জ্ঞান য়াওদ্রব ঐনা।

বেদ (জ্ঞান) লৈতবদগী থম্মোয় স কুমত্রে অরাবনা ॥৩৪॥

অরাবাচিক্তনা কুমত্র॥ থম্মোয়না ঐগী দো মীয়ার খ ওইতবা চৈনা।

সিজম্বা রব ঈশ্বাক্ক লুপ্পা, এনু থংগোন কনানা ॥৩৫॥

ঈশ্বুংদ লুপ্তবা বেদনু, পীবিনকান ঐদোম কনানা।

অরাসিবু কোকপগদবা কনানো ঐগী চহ্নবা মকপ ॥৩৬॥

নিংথৌ। অসুম হায়না পুক্রাদা থম্ম থম্মা লৈরবা ব্রহ্মাগী পুক্রাদা শ্রীহরিগী স্তুতিমন্ত্র খীগে হায়বগী বাখল অমা পোকখি। আশংবাশংগী লুচবা নিংথৌ! ভগবান্ ব্রহ্মানা মথুং লোয়হনা শ্রীহরিনারায়ণগী স্তোত্র মতৌ অসুম্না খীব হৌখি। ॥৩৭॥

বেদনা নংগী থম্মোয়নি নারায়ণ।

বেদ জ্ঞানতনা থম্মোয় ওইবা! খুরুমজরি নঙোন্দ হন্ন হন্না।

জগৎকী ঈহান হানবা হৌরককম ওইবা। জীবগী অথোইবা চঙনকম্ ওইবা।
সাংখ্য যোগগী তু নকম্ ওইবা। খুন্মঙ্গি মঙোন্দা চন্না চন্না ॥৩৩॥
শকউবা জগৎপু, শকউদবী প্রকৃতি, অনীবু শেম্লিব মপু ও।
নংগীন শক্তি অসিনি হায়বা, হায়রমদে কনানস্থ জগংস্ত' ॥
জগৎকী শান্তিগী দমক্তা শান্তি লম্বীদা চংলি নহাক্তা।
বিশ্ব জগৎপু শেম্লিব ভাকপিবা। অচচৰ পুম্বগী থাম্মায় ওইবা।
জীবশানবপুম্বগী অন্তরাত্মা ওইবা। তাইবং হকচাংগী পোক্কম্
করিগুম্ব কায়াত্তগী পোকভিদবা। জগৎকী খুংনকম, নথস্ত পোকচবা।
ঐসি নঙোন্দগী থোকখিবনি, থৌজাম্ন মপাম্ন ইজ্রনা ॥৩৯
নঙোন্দগী ইহান চান্ন পোক্কখিবা ঐগী মপোকপু ব্রহ্মাণ পুম্ননা,
মানসপুত্রনি, মানস জম্মনি, হায়না থাগৎপিখি মথোয়না।
পুক্কীংদগী লাকপা মপোক্‌না, ওংখি মপেক অহানবা।
মাহুগী মথং মপাক অমনা, নহাক্কী মীত্তগী পোকখি ঐনা
মাহুনা ঐগী চক্ষুষ জন্ম, হায়না থঙনখি —পুবাণ উপনিষদ খিবিক্তা ঞ ॥৪০।

তাড়িত তমো গুণগী মচনা অমুর্গ। পুনদিবু মন্দাকম থঙদনা লেললল্লিবাস চিংচাবা অনীসিননি। তমোগুণন পুম কু থ্রা মী অচাদ দিগাবনক ওইশিনা মপমম কওব হাংলি। অদুনা রজোগুন তমা গুন অনী সিনা মৃত্তি নান্দনা চিচাবগী মশক লৌদুনা ব্রহ্মাংকুরগী সাত্ত্বিক জ্ঞানবু হুথিবনি (কাঙ্গাচাঁদ)

ঞ মৈ, ঈশিং মুশিং লৈশাক্লাচিংবগী শাপ্নোন্নিনা শাবা পোৎ মখগী খুং শেমসি ব্রহ্মাগীনি। নারায়ণ শ্রীবিষ্ণুগী হকচাদি ব্রহ্মাগী থুংশেমগী রাংমদনি। ব্রহ্মা মহাকতুন নারায়নগী থুংশেমনি। অদুনা তাইবং মী শা উদেককী হকচাং গুম্না শক ঙাক লুত্তানা শাব হক। গুম্না ভগবান্ শ্রী বিষ্ণুগী হকচাং ওইগদবা নত্তে। বিশ্ব জগৎ পুম্নসিনা বিশ্বজগৎ সিন চেক লৈরবব ঈথিং মখনা নারায়ণ শ্রীভগবানগী হকচান্দা লৈরিবা, চেন্নিবা ঈ নি। হায়রবদি ঈশিংগী শাযোন্নি। চীং মান পুম্নমক ভগবান মহাক্কী শরুনি। চীং কান পুম্নমক লৈপাক মকুনি অদুনা, শরুশিদি নচিবা পুম্নমক অসিস্থ লৈশাক্লি। মপানগী হকচাং উবা যাবা পোশক অম ওইন লৈবা অসিগুম্না নারায়নগী হকচাং ওইনা লৈরিবা মুমিং থরানমিচাক চীঙ মায় থরবা বিশ্বজগৎ মপুমসিনা ভগবান নারায়ণগী অউবা হকচাংনি। মশক উবা হকচাংশিগী মকুংদা মশক উদবা বৃদ্ধি জ্ঞান, মন (পুক্কীং) নচিংবসি ভগবান নারায়ণগী হকচাং মুংগীদি করি করিনা ওইরি, হায়রবদা বেদ (জ্ঞান) অং শ্রীনারায়ণগী থম্মোয় (হৃদয়) নি। আকাশগী মকুংদা থুপ্‌লুবা লৈরিবা শব্দনা

ভগবান নারায়ণগী সাধারণ মিংনা তাব কংদবা শব্দ (খোঙ্গেল) ওইরি। অর্চচন্ত্র পূন্নগী তোঙান তোঙানবা হকচাংদা লৈরিবা অমত ওইবা আত্মা মহাত্মা তোঙান তোঙন্ন লৈদুনা অমমমগ ঈমান মান্নদনা (অসমান ওইনা) লৈরিবা আত্মাশিং অসিগী সমস্ত আত্মা ওইবা (পুনর্শিল্লবা মপুম অমতা ওইথিবা) আত্মা মপুম অদুনা শ্রীনারায়ণগী অত্মা ওইরি। অদুনা বিষ্ণু (নারায়ণ) মশাংক জীবপানবা পুম্নমক্কী অন্তর্যাম্যানি।

"সাংখ্যযোগ গী তুংনকম ওইবা" — মাসিগী ভাবতি —

বিশ্বজগৎ অসিদা মশক উবা উদবা অনী পূরগা পোৎ কয়া লৈ হায়না মুনি ঋষি মহর্ষি গৌতম, কণাদ, ভৃগু ভরদ্বজনচিংবা মহাজ্ঞানী কয়না থম্বরকপদা অমদগী অসুম হৌগৎক্তুনা অনী, অহুম, মরি অসুম হায়না হেনগংনরক্তুনা কুনমরি শুথি। মাসি কাওবদা পেন্দুনা তত্ত্ব বুম্মুভা বুম্নংক্রক কাওবা চুখরখি। কপিলাচার্য্য (কপিল মুনি) না তত্ত্ব বুম্মদি কাওবা থীবগা মাগী সিদ্ধান্ত অম পীরম্মি ঈহন হান্নবা লৈপাক (হকচাংগী মপান ঈথ থবা উনবা শক্ত নচিব) অসিদগী হৌনা থীব হৌগংনখিবনি থীন-প্রিবশিং অসিদগী মন্নংদা অউবা পেশক পীব কোইশিল্লক্তুনা উদবা পোৎক কয়া লৈ অসিকাওবা হংন রকশিদগী সংযোগ বিভাগ, সুখ দুঃখ, মখোয় সিকাওবা যাওদমুনা থীনরকদগী কুম্নর শুহনখিবনি। সংখ্যা (মশীং) থীনগী যগশস্ত্র অদু সাংখ্যশাস্ত্র (সাংখ্য যগ) হায়না থগৈ। কনা কনাগুম্বনা সাংখ্য কৌব মুনিনা হৌদক্রম্বনি হায়। মাদুম্ব খোইনা কায়বা লৈতে। অদুদা য়েংনকমদি "সংখ্যা" কৌবা মুনিনা হৌদোক্রম্বনি হায়রগদি হাইবেৎ য়াই সংখ্যা না হায়রব্বা অদুবু সাংখ্য কৌই হয়বা য়াই, ব্যাকরণগী "তেন প্রক্তম" কৌব সূত্রনা তদ্ধিত প্রত্যয় হপ্পনি। অদুবু সংখ্যা কৌবা মুনি অসি উপনিষদা পুরণংশদ পডনা থেংনদে। অদুনা "তস্যেদম্" কৌব সূত্রনা তদ্ধিত প্রত্যয় হাপ্পুনা তাংহনবনা কৈ। অর্থদি "সংখ্যাগী মন্নমদা হায়ব" অসিনি। কনান হায়রম্ম — কপিল ঋষিনা অসুম হায়না হোংদোকপা কৈ।

জীবগী পোকক্ষম (যনি) হায়দুনা হকচাংগী কাংথোং অকক্রবা মহর লিঙ্গস্থান হায়দুনা অম য়াংশ্রিবা ধর্মপ্রিব অসি কারণগী য়িমনি। মীং নাকোং নাতোম্বচিংবা ইন্দ্রিংশিংগী তনত্তনা হকচাংগী দুখোংদা লৈরিবা হৃদ্ (মথুন) খুদিংমক জীব গী হংন্দাক হপ্পিন তৌদুনা লৈনবগী দ্বার (খোঙ) মক্তনি। খোঙ (দ্বার) অসি মরুওইনা মাপন্থনি। মখোয় অদুবু নবদ্বার (খোঙ মাপল) হায়না কৌনৈ। অউবা বর্ম ইন্দ্রিয়শিং অংস নত্তনা মশক উদবা পুরুষ গী কৌবা ঈন্দ্রিয়দগীসু জীবনা থোকাথবা য়াই। পুরুষ (মানস) দগী পোকখিবদুবু মানসপুত্রঃ (পুরুষদগী পোকপা) অসুম হায়না কৌনৈ। মীৎ (চক্ষুষ্) তগী পোক্ক পা মচা অদুবু "চাক্ষুষপুত্র" হায়না কৌনৈ॥ শ্রীনারায়ণদগী মহাত্মা কল্পান্তর অমমমগী মতুংদা ভগবান শ্রীবিষ্ণুগী হকচাংদগী চোংথোরকপসি চোংথোরকক্ষম অমত মান্নদে। কল্পান্তর অমদনা মীতুগী, কল্পান্তর

ত্বৎপ্রসাদাৎ তু মে জন্ম তৃতীয়ং বাচিকং মহৎ । ত্বত্তঃ শ্রবনং চাপি চতুর্থং জন্মমেবিভো ॥৪১॥

অহুগী তুংদা নহাক্কী খোঙ্গান্দগী ঐগী অহুমশুবা মপোক নহাক্কা পীবিখি । অহুম শুবা মপোক অহুবি ওন্থোক্ল মগুণ লৈরবা মপোক্লি । মাহুবু বাচিকজন্ম হায়না খঙনখি । নহাক্কী চৌন্দগী হায়দোবিবা বচন (বাণী) নগী ঐগী জন্ম অহুম মওইগ্রবনি । প্রভু ! অহুগী তুংদা ঐগী মরিশুবা মপোক্ল নহাক্কী নাকোংদগী ওইখি । ❀ ॥৪১॥

অমদনা নাতোন্দগী, অমুক্ত খোয়দোদগী অহুম হেক হেক পোকখি । ব্রহ্মানা পোক্লকপা মতম মকমতুগী মমীংগী মতুং ইন্না অমমম্গী মমীং হেক হেক থোক্লি । চক্ষুর (মীৎ) তগী ব্রহ্মানা পোকখিবা কল্প মতু চাক্ষুষ কল্প হায়না অহুম থোনগ্রে । অমরোমদস্তু, শ্রীবিষ্ণুনা পৃথিবীবু ইন্নুংদগী থাংগৎলকপা মতমদা পুবা মূর্তি শু অমত মান্নদে । হায়রিবসিগী ভাবতি পৃথিবী অসি ফাওবা মহাক্কী পোকলকপা মথৈ মপোক অমতা মান্নদে । ব্রহ্মানা ভগবান শ্রীনারায়ণগী মফমদা মহাক্কা কল্প খুদিংগী মপোক মান্নরুবা অহুবু লৌহনা স্তুতি তৌরি । ঈহান হান্না পোকখিবদি পুক্নীংদগী পোকপা, হায়বদি মানস পুত্র ওইনা পোকপা অহুনি । হায়রিবা অসিগী ভাবতি পৌরাণিক কথাগী মতুং ইন্না হায়রবদি বিষ্ণু ভগবান মশামকস্তু প্রজাপতিওইবে । নিপাগা নুপীগা (পুরুষগা প্রকৃতিগা) তিন্নহনা প্রজা (মচা মশু) বু পোকপা হায়বসিদি ঙরাং নহাক্তগীনি । বিষ্ণু ভগবান মশামকস্তু প্রজাপতিনি হায়বগী দমক্তা ব্রহ্মাবু মচা ওইনা খোয়দৌ পদ্মাদা লৈকাররুগী পুথাকখিবনি । জগৎ পুম্বগী পিতাবু পিতাওইগা কাজনদা হরাও মুডাইবগা লোয়ননা, মচান্না মপানা রাকৎপা, মমান্নবনা লাকচংগা মমা তাকপা অহুগুম্না জগৎকী বিধাতা ওইরবা ভগবান শ্রীবিষ্ণুগী মফমদা মধুকৈটভ হিংগাবা অনীনা বেদ মুনখিবা অহুবু থরায় যান্নবানা মুডাইতনা রা কংলবনি । ব্রহ্মানা জগৎকী বিধাতা অমনা জগৎপু শেম্ব ঙমখিবনি ভগবান্ নারায়ণনা পীবা বেদ (জ্ঞান) অহুনা পান্থে ওইহনা শেম্বনি ।

(কালাচাঁদ)

❀ ব্রহ্মানা মাগী ঈহান হানবা মপোক্কী হৌনা মরিশুবা মখং মথং হায়থরকলি । অহানবনা "মানসজন্ম" (ভগবানগী পুক্নীংদগী পোকপা) নি । অনীশুবনা "চাক্ষুষজন্ম" (ভগবান্গী মীৎতগী পোকপা) নি । অহুমশুবনা "বাচিকজন্ম" (ভগবান্গী হায়দোরকপা ঈহান হানবা রা দগী পোকপা) নি । মরিশুবনা "শ্রবণিক জন্ম" (নাকোংদগী পোকপা) নি । মাসিনা তাকপদি ভগবান্গী মনুং মপানগী অঙ্গ কায়াৎ খুদিংমক অসি জীবগী পোকফম ওাক্লনি—অসিনি । জীবগী ঈহান হানবা মপোকসি পুক্নীংদগী অনি । খনবা, নীবা, পাম্বা অসিনচিংবা পুক্নীগী মথৌনি, থবক্লি, ধর্মনি । মীৎ নাকোং নচিংবা অতৈ ইন্দ্রিয়না ঙমদে । হৌজিক হৌজিক উনরিবা জীবগী মপোক অসি যোনি (লিঙ্গ) দগীনি হায়না খঙনরি । থা টৈগাশংবদি নত্তে, পুক্নীংদগী হান্ন অহুম পোক্লনা লোইগ্রবনি । যোনি দি থোঙনি, থান্ননি । মী চংথোক্ চংশিন তৌরিবনি থোঙনা নত্তে মী হুননি । অহুগা হকচাংগী মশক ওইরবা মমসিংদা

পাল্লিবা লিঙ্গ (থোঙ) সি মথন্তনম্তে। মী নাকোংনচিংবা লৈরি। অহুনা মথোয় অতৈসু জীবনা হঙ্গং হন্দা চঙথোক চঙশিন তোকমনি। মরৈ য়েংনীঙায় লৈত্রবা রাকমনি। নাকোংদগী পোক্ক পোকহনগে হায়না থক্লবহু পুক্নীংগী মথৌনি, মী নাকোংনচিংবগী নত্তে। য়েংগে হায়বা রাখল অহুগী অহান হানবা পোকফম্দ পুক্নীং নি। পুক্নী দগী পেক্লবা তুদা রখল অহুনা মীংতগী অমুক পোকই। মীং পাঙথোকপা মতমদা ঊরবা ঈচা-ঈশূগী মূর্ত্তিহ ওসাইগী ঈহান হানবা পুক্নীংদগী পোকখিবা নিরাকার ওইবা ভাবপদার্থ অহুনা সাকার ওইনা মীং কোব দ্বার (থোঙ) দগী চোথোকপনি। অহুনা ঈপা ঈগানি হায়না ঊরিবসি রাখল হাবরবহুগী সাকার মূর্ত্তিনি। রখল অহুনা ঈপা ঈচা নত্তে হায়না থক্লবসু অহুম ময়ানি। সাকার ওইবা হায়বসি ঙাইক্তগীনি। রাখল হায়বসি ওহাক্তদা থোক থোক হোংতি। অহুনা মরক্তী মূর্ত্তি অসমু ওহাক্তদা থোক থোক চা লিবদিনি। মাসিনি ভাববাদ (আইডিয়েলিজম) হায়রিবসি। অহুনা সাকার ওইনা ঊরবা বিশ্বব্রহ্মাণ্ড (কেস্মিক রাউণ্ড) অসি সর্ব্ব শক্তিমান ওইবা কনাগুম্বা অমগী পুক্নীংদগী পোকখিবনি। আকাশসু বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড অসি ওইখিবগী মতাংদা অমনিনা মহাকসু পুক্নীংদগী পোকখিবনি। অহুনা উপানষদতা লেপাক্ল ঈশংদগী, ঈশিংনা মৈদগী, মৈনা নুংশিত্তগী, নুংশিংনা আকাশদগী, আকাশনা পুক্নীংদগী পোকই হায়রিবসি অসননি। য়েংফম লৈতবনি। ব্রহ্মাগী ব্রহ্মা পোকই। অহানবগী ব্রহ্ম অসসু ব্রহ্মান শব্দগী প্রথমা বিভক্তি দা থোকপনি। নিপা মুগী শায়নবা নপুংসক লিঙ্গদা লৈরিবসিনি। পোক্লবা অকোনবগী ব্রহ্ম অসমনা পুরাণগী কথা মত্তংইন্না নিপা ওইনা পোকহল্লি। অহুন, পুংলিঙ্গগী প্রথমা বিভক্তি ব্রহ্মা হয়রিবসিনি। অহুনা ব্রহ্মা নি ব্রহ্মা না ঈহ নং ম পোকই। অহুনা ... ... ব্রহ্মাগী পোরৱকম বিষ্ণু হায়রবস সকার ইল্লনা মকান ভাবা রথমন। ... ব্যাখ্যানি। ঙাও অতৈগী মরোন্দা হায়রবসু বিষ্ণুগী অর্থ থোকপা পরিকরসিগী মনুদা অহুম মহায়গানি

অনীশুবা মপোক হায়রি :—

জীবগী অনাশুবা মপোক্লা চাক্ষুষ জন্ম কৌই হায়রি। মীত্তগী পোকপা মপোক হায়বনি। মীত লক মতুংদা ঊনি ওকই। মচা ফংগদ্রা কওোইদ্রা হায়বগী রাখল্লা চিন্না তৌবক্তপদা, শোয়দনা ফংগনি হায়না কনাগুম্বনা হায়ক্লবদা ঊনি লকই। ঈবা য়েবা শায়বসি মীংকী থবক্তি। মীং কোবা দ্বার (থোঙ) অসি হাদোক্তনা য়েংবনা ঊরবা মূর্ত্তিনা ওসাইগী জীবহুগী অহানবদা ওইখিবা মানস জন্মহুগী অনীশুবা শায়োন্ মূর্ত্তিনি। মরম অহুনা, জীবগী অনীশুবা মপোক্লা চক্ষুষ জন্ম কৌই হায়বনি। জীব (আত্মা) সি গীদি পোকপা শিব হায়ব লৈতবনিনা ওহাক্তং মীত্তা (মীং কোবা থোঙ মপাদা) ঊরবহু মীকুপ অমগী। অহুবু পোক্লিগা ব্রহ্মা মহাক্তা পুনশিগী মীকুপ অমদ তাইবংমী ঐথোয়গীদি শিবঙ্গবদি তাইবং মাপ্পী চহীদদি য়াম্মি। মাসনা ব্রহ্মাগী অনীশুবা চক্ষুষ জন্মগী অশম্বা বিরাত্তনি।

অষ্টম শুবা মপোক্কী মরমদা থরদং অমুক হায়রি :—

জীবগী অষ্টম শুবা মপোক্ক বাচিক জন্ম কৌই হায়রি। ব্রহ্মাগী অষ্টমশুবা মপোকস্থ বাচিক জন্ম (বাচিক বল্ল) অষ্টম মকোই ব্রহ্মাগী মপোক্ মপুনশি অমুক লোইরগা হায়বদি কল্প অমমম্ লোইরগা ব্রহ্মা অমমম্ শিল্লি। বাচিক জন্ম হায়বদ রাডং (বাণী) দগী পোকপা হায়ব'ন। রা ভাঙনবগী ইন্দ্রিয়দি লৈ (চীন) নি। লৈত্তোন মথন্তগী বাণী (রাডং) দি থোক্কে। অহুবু চীন্ যা সিবু ইন্দ্রিয় কৌনদে। লৈ (জিহ্বা) অসিংবু ইন্দ্রিয়নি হায় অদুনা বাচিক হায়বা জন্ম অনি বচন (রাঙাঙ) দগী পোকই হায়রিবা অসিগী ভাবতি———।

ব্রহ্মাগী অহানবা মপোকনা বিষ্ণু (নারায়ণ) গী পুক্লোংদগী, অনীশুবনা মীত্তগী, অহুমশুবনা চীন্ (রালৈ রা) দগীনি হায়না মথং মথং হায়খ্রক্ক। থোরদৌ (থারদৌ থম্বাল) দগী পোকপনা আকাইনথংগী রানি। অষ্টমশুবা বাচনিক জন্ম হায়বসি মপোকশিংগী মনুদা য়াম্ন বিশেষ ওইবা মগুণ চাউবা মপোক্নিস্থ হায়রি। মরমদি—পুক্লোং (মানস) না রা ভাঙিবে মগুদ ভাঙত হায়নবস্থ মাত্ত তাদে। তাবু তাত্রবদি ভাঙদ হায়নগা অক্ষানি। অহুবগী অনীশুবদা মীৎ (চক্ষুন) স্থ রা থাদে, মীৎ ঈক্ষত তৌত্নুনা ভাঙত হায়ববস্থ মত্ত থাদে। তাবু ক দনদ চংদ কগবগা অক্ষানি। অষ্টমশুবা বাচিক জন্মদা জীবনা রাঙডবগী শক্তি অমফ থগান। মাদিগী কবথ লগা হয়বনু অহনবা অনীশুবা মপোক কাওবদা ব্রহ্মা তুনন্ন নত তৌতুনা লৈবাস্ম। লৈ (চীনয়) খামস্থ র থাদে অহুবু জীবস্থ না (ব্রহ্মা) না ভাঙনবগী শক্তি খুংগয়) পুরকপস গান কাবা দ্বব (পেউ) হা পাংকপ মতম্ মতদগীন। অষ্টম শুবা বাচিক কৌব জন্ম অসিবগী ফখিবা বাক্ শক্তি অহু ব্রহ্মানা মাগী মথ মথগী মপোক্কা অষ্টম শীজি-রখি। হায়নিংবনু হায়দোক্লনবগী বাক্ শক্তি অহু লৈত্তবদগী কায়াদাকপা ভএত্রবদি পোকলিবা মপোকতুদি করিনি কাম্লবি। মাবু পোকহন্‌নবক্লবা ব্রহ্মকুং (ব্রহ্মা শেম্বা) বিষ্ণু মহাক্কী লৈশি লৈথোনবা গুণ গান তৌনিংবত্তবু ভএত্রবদি কবিদি কাম্লরি। অদুনা অষ্টমশুবা বাচিক হায়না মপোক অসি মাত্ত ম্যাদি য়াম্ন চাউই হায়না মূল শ্লোককী অর্থদা মথক্ত হায়থে। তৌজিক হৌজিক পেক্লিবা, তাইব মীগী দেহ (হকচা) দা লাক্লিব (পোক্লবিবা) জীব অমি রা ভাঙবগী শক্তি, উব য়বগী শক্তি, তাবগী শক্তি অসিন চিবা শক্তিনিং অসমাশীংনা কদি কা মপেক্কী লোয়নবক্লবনো হায়বসিগী পাউথুম অসি হৌজিক্কী বৈজ্ঞানিকনি হায়নিবখিং অসিমা পীনদা রাবণদবা বমগ্র অমদি শা উচেক্কী মপোক্লা লাক্লিবা (পোক্ল-বিবা) জীবশি মসগী বাকশক্তি দানশক্তিদি লৈ চয়বদ্ থম্বাং থোম্ম্বাকশুবা লৈতে। তাইবং মীগী হকচাংদা লাক্লবদ জীববিশংগী খাম্বা থোম্মোক শুবা চেক্কা ময়াকই। মাসি কবিনানা হায়বসিমস্থ অরুবা রাহং অমদি। ব্রহ্মাগীস্থ ফন্না শুবা মপোক্তগী রা ভাঙবগী শক্তি অমি লোয়নখত্রুনা, মমাঙদগী বেদবু হুখিবহুগী মু ভইতবনা শ্রীভগবান নারায়ণদা রাকংলি, নী থিবা শৈরেং লৈপাক্কা লৈশি লৈথোক্লি। অষ্টমা

হংবসিগী চপ চাবা পাউখুমদি জীব মহাক্লা অহুৈও মাগী অহুম শুবা বাচিক কৌবা জন্ম অহুলগী হৌনা ভাওবগী শক্তি অসি লাকখিবনি। জীব (জীবাত্মা আত্মা) অসিনা মশা অমত্তদি ওইরগা তাইবং মীগী দেহদ চঙলগন' হায়নিংবা পুম্বা হ'য়দোকপা তেক মতম্বা, শা উচেকী দেহনা চঙলগনা তেক্ মতমদা কারিগী নো? খে স্থাংশুনা হায়দোক্লনবগী খোন্থে ক মথণ নিপানম্থ মথোয়গ শুনা অহুম মথওর। অসংগুম্বা মাহং শিংলিগী পাউখুম পীব অসি তারাইবা থবক্ নত্তে। তাইবং মীগী দেহদদি মচাক শুই, শা-উচেককী হকচাং দদি মা তাওমনদগী শিংলি মচাকশুদ হায়না খুম্রাম্থ মচাকশিংহুনা তাওগদবা নত্তে মৈ, ঈশং, হুংশিং, আকাশ, লৈপাক, পুক্লীং, বুদ্ধি, অহংকার, নচিংবা ওত্ত কুনমরি অহুগী মমংদা অহুগা মথোয়দগী থোরকপা, শম্ম, উনশা, লু, তোং অহুগা মীৎ নাকোং, খোঙ খুংনচিংবা কর্ম ইন্দ্রিয়শিং অসিদা রাওভনবগী শক্তি অমত্ত যাওদ অহুনা শা উচেকী দেহশিংদা মচাক্ শুদ হায়না পুম্ব যাগে শা উচেক শিংসি ওওব শকপা থোক্ত হায়বা নত্তে মাগী মাগী মপান্দ শক মং মথৃশিং রবী শংমি। অহনু বংন, বণী হায়বা পোশক অমা তাশবং মীতনা শীক্লিমরি। তাসিমি কংলিবসি।

যুগক (প্রহর) মতম চানা, অনেম অরাং খাযনা, না বু-নচিবা বিভক্তি পুম্বা নিয়ম কায়দনা হাপ্পুনা অতাবা মীগী পান্ম যনা রস (মগাও) কেহনচেংনম্র নপুনা ভাওবচেপুনি বাণা, নচন, হায়রিবসি। অশমশুনা জমন্ নচক জন্ম কাবা মাগী মচম্মা শুগী সম্পাংনা বিবৃতি অম পীগে। হৌজক্ত মরি শুবা জন্ম শ্রণন জম্মী মমনশা হযকগ:—ব্রহ্মা মবিশুবা মংশাকন শ্রাণক্ষ জন্ম কৌই। নাকোংদগী মপাকচধবনি। ব্রহ্মা মাকহাতুনা চয়শাক্লাং অসি হায়দোরক্ শিনশ মমং চযয়রকইদি হায়-বব্ মপোক অমগা অতোম মথংগী মপোক অমগা অনীরক্ত লৈরিবা কাক অসি সৃষ্টি (ক্রিয়েশন্) অম-মমনি সত্য, ত্রেতা, দ্বাপর, কলি অসিনা চতুর্যুগ হায়বা অমতং পাই। হায়রিবা চতুর্যুগ লিশিং অমমম্না কম্ম অমমম্নি। কম্ম অমমমগী খুংশেম (সৃষ্টি) অমুমুক হাংডি। সৃষ্টি অমমমগী দমক ব্রহ্মা অমমম পুথোকই। পুথোকপিরিবা মহাক অহুনি শ্রীনারায়ণ (বিষ্ণু) হায়রিবাসি। "পোকপা" হায়বা থবক (কর্ম) অসিমকম্থ ভগবান্ মহাক্লা তৌদোকবিবনি। মহাক্তি পোকপা—পোক্লবগী, লৈবা—লেঙবগী থাংমদনি। অহুমশুনা মপোক বাচনিক জন্ম হায়রিবা অসিগা মাবশুনা মপোক শ্রাবণিক জন্ম হায়বসিগা মরি যায় লৈবৈ। বাচনিক জন্ম হায়বা মপোকসিদা সর্বশক্তিমান ওইবা বিষ্ণুগী জীবাত্মানা থোঙ্খাং চুম, খোন্থোকশুনা ভাওনমবগী শক্তি কৌবা শক্তি মচেং অম লৌনলকই। মাগী মাগী জাতিগী মীশিংনা ঐথোয়গী খোন্থে ক্ত অসি অসি লৈতে হায়রিবসি খোন্থে কশুনা শী জন্মদে হায়বনি। ঐখোয়না জমজবা থরদং শীক্লিমজৈ অতৈদি হৈজদে হায়রনি। চৈন্ (লৈ) কৌবা দ্বার (থোঙ) বু হাংদোক হাইদোক্লুনা জীবাত্মাসিনা বাচনিক জন্ম দগী লোয়নজরকপা খেন্থাশুনা ভাওবগী শক্তি অংগা লোয়ননা থোক-ক্লিবস্থ তাবিরবা অমা লৈরবনি। অতাবা (শ্রোতা) অমগী দেহমংদা অরিবা জীবাত্মা অহুম

নাসিক্যং চাপি সে জন্মষষ্ঠংপরমুচ্যতে। অণ্ডজং চাপিমেজন্মষষ্ঠঃ ষষ্ঠং বিনির্মিতম্ ॥৪২॥

ব্রহ্মানা মথংদা ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুনা অসুক হায়রি :—হে নারায়ণ। ঐগী মরিশুবা মপোক্কী তুদা মঙা মপেক্ক নহক্কী নাসিকা (নাতোন) দগী ওইখি। অদুগী তুদা ব্রহ্মা নহাক্কী অণ্ড (মরুম—নায়েন্) ব্রহ্মাণ্ড (ব্রহ্মা + অণ্ড) দগী ঐগী তরুকশুবা মপোক লৈইখ * ॥৪২॥

শ্রবাণক জন্ম দা লাক্কবা জীবনা তায়। মতাং আসি নিওক্তগা শ্রোতাগী মীশক অমতান হায়রিবাসি। অদুনা শ্রোতা অদুনা বক্তা ওইদুনা অমুক তাত্তক্কাগা বক্তা ওইরবদুনা শ্রোতা ওইদুনা অমুক তায়। তোঙল তোঙনবা হকচাং অনীদুনা মশক উতন্দনা চংথোক চেংশিন তৌদুনা আত্মা মথন্তনা শাম্নরিবা লীলা অসিনি জীব লীলা (মানব লীলা) হায়রিবাসি। মাসি শ্রবণ কীর্ত্তন গী মতাংদা ভক্তি যোগদা বৈষ্ণব সম্প্রদায়গী বৈষ্ণব বিজ্ঞানদা বৃপ্ন নৈনরি। হৌজিক্কী বৈজ্ঞানিকশিং হায়রিবা ভৌতিক বৈজ্ঞানিকশিং অসিগী শক্তিগী মাংমগী বিবয়নি। জীবাত্মা অমতানা, অনীনি, অকন্নানি অসিনাচিব বৈষ্ণব সম্প্রদায়গী শাখা প্রশাখা ওইদুনা লৈরিবা একেশ্বরবাদ, দ্বৈতবাদ, অদ্বৈতবাদ, বিশিষ্টদ্বৈতবাদ, শুদ্ধদ্বৈতবাদ নাচংবগী শঙ্করাচার্য্য, বল্লভাচার্য্য, রামানুজাচার্য্য, মধ্বাচার্য্য, নিম্বার্কাচার্য্য অদুগা গৌড়ীয় সম্প্রদায়॥ আচার্য্যশিংনা মাগী মাগী সিদ্ধান্ত লেপ্পখ্রাবাসি। মাসিগী ব্রহ্মসূত্র। পূমক আসিগী বাদববাদ অসিনা চংথোকপা হৌখিবনি জীব অসনা (পুরাণনা হায়রিগ ব্রহ্মনা) মাগী মরিশুবা মপোক শ্রবণক জন্মনা লাক্কবা মতম্ (কল্প) অদুদগীনি। অদুনা মহাভারতকী শান্তিপর্বগী মূল শ্লোকতা ব্রহ্মাগী মপোক মথং মথং লাথরক পগী মতাংদা অদুম মপোকপুরম্ম মহত্ত্ব পূর্ণনি মগুন লৈবা মপোক্কি হায়খ্রাবদু। মহাভারত কৌব, গীতা বু মাগী গর্ভনা পুথিবা, পুরাণ অমা অতৈ অতৈ জাতীগী পুরাণ শুদ্ধা নত্তে। মৈনা মাগংনা চামহুনা চামহুনা লোক্কনবা নত্তে। মৈংনা উবা, নাকোং তাবা যাবা অস্থা (পরমাত্মা) গী—বাঙময়ী (গ্রন্থময়ী) মূর্ত্তিনি। মপান্গী মূর্ত্তিবু মৈথাদাকপ্রবসু আত্মা মহাক্তি চংকপা, তউবা কপা য়াওদে। "নৈনং ছিন্দন্তি শাস্ত্রানি, নৈনং দহতি পাবকঃ" অসনাচিবা মহামন্ত্রবু শ্রীমদ্ ভগবদ্ গীতা গ্রন্থগী মশক লৌদুনা পরমাত্মাগী সাকার মূর্ত্তি ওইবা। ভূত, ভবিষ্যৎ, বর্ত্তমান কাল অচুম মক্ত লৈবা ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণনা তাইবং মৈদা হৌজিক হৌজিকসু ভারতকীত নত্তনা জগৎকী সাহিত্যিক উন্নতি ফংনিংবা জাতি পুম্নমক্কা খোস্লোক শুনা চত্তবা ভয়া (দেবভাষা) দা আকাশবানী তৌবির। অঙ্গ্রেজবু লাম্বা ফংনবা অদুগা অঙ্গুর পাম্বী উথক্কা যেখংলবা চানী চানীবা, ঈকায় থাওনগী, মগাওসু খর্ব্বগ্রহিতবা শীলনা করি কায়রবনো। হায়না মতীন কৃপা কৃপা যোক্তুনা চংবিবা অদুগুম্না লমহৌ শনা পুরান অসিবু লমহৌ মাগী মরোন্ মান্দে হায়না নিন্দা তৌই। লম্বীদা বেনাত্ত কেশরী (নোংশা) না ভাঙ্গরক্কগম্বা হায়না উরক্কা খুপ খুগুনা চেন্নখি। (কালাচাঁদ)

* অহানবা মপোক্কা পুক্নীংদগী, অনীশুবা মপোক্কা মীত্তগী, অহুম শুবনা চীন্দগী, মরি শুবনা নাকোং-

দগী অতুগা হৌজিক, ব্রহ্মাগী মঙাগুবা মপোক্লা ভগবান্‌গী নাতোন্দগীনি হায়রি। রাখল থনবগী শক্তি ফংবগীনা মপোক অরা, যেংবউবগী শক্তি ফংবগীনা মপোক অরা, রা ভাঙবগী শক্তি ফংবনা মপোক অমগ তাবগী শক্তি ফংবনা মপোক অমদা. মনম্‌ নম্বগী শক্তি ফংবনা মঙাগুবা মপোক্তুনি হায়রি। মাসিদগী কপ্পি খঙবগে হায়রবু সাকার মূর্ত্তি পুবা ভগবান্‌ নারায়ণগী হকচাংদা তাইবং মী ঐশ্বোয়গী গুম্না স্বায় (থোঙ) মাপল ফাংখ্রিবসি ব্রহ্মাগী তোঙাল তোঙনবা মপোক অমমম্‌ ওইহনগে হায়বগী দমকনি। মাসিদা চিংনকম অম লৈরিবনা কৱিনো হায়বদা ব্রহ্মা অসি মপোক খুদিংদ ইন্দ্রিয় মঙা গুনা পোক্তবরা—আসিনি, অদুবু, অদুম হায়না চিংনরোইদোবনি। পোকপা মতমদব্রহ্মা মহাক্কীদি ইন্দ্রিয়গুনা পেক্লবস্থ. বিষ্ণু ভগবান্‌গী অঙ্গদগী থেবকপদি কল্প অনমম্‌বগী থেরককদ তাঙাল তেঙাল্লি হায়বতনি। ভগবান্‌ নারায়ণদ সাকার ব্রহ্মস্বরূপ ওহবনা হকচাং ঈশ্বাও য়াওবনা, হায়বদি, মপানগী মীৎ নাকো মচিবা হকচাংগী কায়ৎশিং অসি ঈশ্বাওয়াওদনা, থনবা, তাবা, ভাঙবা, নম্ব অসিনচিবগী শক্তিঅসি অদুম মপুই অদুনা মহাকপু সর্ব্ব শক্তিমান ওৌবনি। মরমদি, দেহ অসিগা লোয়ননা লৈরবস্থ, দহ আস য়ঙদেংস্থ ইন্দ্রিয় শাক্তাদ লোইনা অদুম মপুনা অদদগীনি নিরাকার ওইনা লৈরক ওবনা নবাংদ মহাক্কী ঐশ্বাযদা য়েংবগী তাবগী পোক-পগী, নম্বগী, ভাঙবগী মুংলাইবা অতঁদ অদুম্‌ মপী ববসিগম্বান। মনম লোননবগী দ্বার (থোঙ) দগী ব্রহ্মাগী মঙাগুবা মপোক ওংখি। গুণ কর্ম অমমম্‌ তাঙাল তেংতাম্ল মদৌ লইনা পুরিবা ইন্দ্রিয়শিং অসিদগী. মপানগী জগৎ শেমগৎদোরিবা ব্রহ্মানা তেঙাল তেঙানবা মপোক লৌতুনা লাক্লমখ্রবদি মানা শেম্লিবা—শাবিনা ভাইরক জীব খুদিংমক অসনা ইন্দ্রিয়গী শাক্তশিং অদু চাপপা ভ্রম্মমরোইদবনি। অচ-চত্রগী জীবশিংগী মপানগী হৃংগুমা হকচাং অসিতনি ব্রহ্মানা মানী খুংশেমদগী থোকহনবদি। বুদ্ধি, জ্ঞান, সুখ, দুঃখ অসিনচি বসিনি ব্রহ্মানা শাবা ভম্ব নত্তে। ঈশ্বদা ঈশগী রস কৌবা গুণ অদু ব্রহ্মানা শাদা ভম্মমস্ত, রস অদ ফংবগী চাবগী আনন্দ (সুখ ওইবা) অদুনি ব্রহ্মানা শাব নত্তে। হায়বদি মহাক্লা হাপ্প-বস্থ গুণ কর্মগী বিভাগ অদুদি ভগবান্‌ শ্রী কৃষ্ণনা পীবরকপ ন। মহাংগুবা, নাসিকা জম্ম ব্রহ্মানা নাগী খুংশেমগী জাবশিদা মনম নম্বনবগী ইন্দ্রিয় শাক অদু চাপখি। অত্মাদি ব্রহ্মানা শাব নত্তু। মরম অদুনা আত্মগী লোয়নারিবা শাক্তশি অসিস্ত ব্রহ্মানা শাবা ভমদে। বিশ্বকর্ম্ম অম ওইনা ব্রহ্মানা আধিভৌতিক সৃষ্টিত মতোই। আধ্যাত্মিক সৃষ্টিনি মহাক্লা তৌব ভমদে। মাদুফাওবু মক্মদি বিষ্ণু ভগবান্‌না ব্রহ্মা হায়বা অমা অমুক কৱিগী পুথে ক্রমগান। ব্রহ্মাবু পুথোকপগী মমুগী প্রকৃত রাদি জ্ঞান হায়বা অমা, কর্ম হায়বা অম, ভক্তি হায়বা অমা অদুগা সৃষ্টি হায়বা অম, স্থিতি (লৈবা-ভাকপা) হায়বা অমা অদুগা সংহার হায়বা অমা মথোয়সি তোঙাল তোঙাম্ল পুথোক্কে হায়বগী দমক, জ্ঞান তাকপিবা জ্ঞানগুরু ভগবান্‌ শ্রীনারায়ণনা জ্ঞান তাকপিবত ওইরগা জ্ঞানদুগী মতুং ইন্না কর্ম তৌবগী থবকতু ব্রহ্মাবু তৌহনবনি।

ব্রহ্মা'না মাগী তরুক শুবা ব্রহ্মাণ্ড কৌবা মপোক অসু ভগবান্ নারায়ণদা লৈরী। ব্রহ্মা'গী তরুক শুবা মপোক অনিদগী হৌজিক হৌজিক তাইবং মী শা। উ:চক্র চি বনা পোক্লিবা মপোক অসিগা থর মায়রক'পা হৌই। ব্রহ্মাগী অহানবা, অনীশুবা, অহুমশুবা মপোকশিং অসুদা ব্রহ্মা' মহাকী খোঙ্ঘুংনচিংবা হুকচাং কায়াংশিংঅসু অহৌবা হুকচাং মপূং মতুমক কনানা শা'থবনো? মথামথন্তু হায়র শাজরগা মশাবু থাজবদি চায়রবসু, মশাবু শারিতৈ মতমদা অশাবা মামক করন্থ' মূর্ত্তিদা পুন্না লৈরগ্মি অসিনচিংবা চিংনকম অসুগা চংকম ওাক্ত লৈথ্রি। অসুনা ব্রহ্মা'না শ্রীবিষ্ণুগী য়াথংদগী সুমিৎ থা ঠৈপাল লৈপারচিংবা আধিভৌতিক জগৎ অ'সিগী সৃষ্টি তৌরবসু, ব্রহ্মাগী মপানগী কু'য়া'ক (হুকচা') অসুবু'দি মহ'ক্না মাগী মপোক মওং তোঙা'ন তে'ঙ্গানবদা পোক্লমদাইদা শ্রীভগবান্ নারায়ণনা মাগী মূল প্রকৃতিনা মচাক ওইহুনা অহুম মপোকপি থ্রবনি। অসুনা, নারায়ণ মাগী পুক্নী'দগী মীৎতগী, চৈ'ন্দগী, না'কে'ংদগী ব্রহ্মাবু পোক হন'থব মতমদা ব্রহ্মা'না হুকচাং কায়াং শুন' মূর্ত্তি চুম্না অসু পোকখিবনি। তরুক শুবা অণ্ডজ হায়বা মপোক সিদগী ব্রহ্মা'না অণ্ডজ, জরায়ুজ, স্বেদজ, উদ্ভিদ্ বোর জীবগী মপোক্কী কু'য়া'ম মথল মরি অণ্ডজ, জরায়ুজ, স্বেদজ উ'দ্ভিদ কৌবা জীবগী মপোক্কী কুয়ে'ম মথল মরি শা'থি। মরুমদগী পোকপা, নাইরেম্দগী পোকপা, হুমাং মলিন মহাদগী অমুক লিশিং লিশিং পোকপা, লৈমুদগী থিনই থিনগা'ই হৌগ'য়বক্তুনা পোক্লকপ মথল মরি অসিনি। খুংশেনশিং অসিগী মমু দা ব্রহ্মা ন' য়াওননি, (শেন্থ শা'বা ভমদবসি) পোকপা য়া'দবা বর্ম অসুগা, জীবাত্ম' (হিংবগী শক্তি পুরিব) অসুগা অনী'সিগী মসু' ঈশ্বরকপা বর্মগী মতৈ জ্ঞান, বুদ্ধি অহংকার অসিনচিবসিনি। শম্ম হায়রবদা ব্রহ্মা'না জীব' সৃষ্টিদি আধিভৌতিকনি। পরা প্রকৃতিনপীবা মৈ ঈশিংনিংবা মচাক ভাক্তনি। অপরা প্রকৃতি ওইবা জীবাত্মা অদুদি ব্রহ্মাগী সৃষ্টিগী য়াম্মদনি। মপা'নগী আধিভৌতিক ওইবা জগৎকী অপোকপা (পোকপিবা) মামকী জীবাত্মা অসুগী অপোকপা কনানো? অহুগা অপে'কপা মা'ন্না জগৎপু পোকহনবা মতমদা হেল্লিবা মুংশাপোর মুংশিৎ অসুমক করিনা কনানা শাই? পোকহল্লি,? পোকলেন পোকপা হায়জিন্নগা হেক য়ানা নত্তে। জগৎপু পোকপিবদগী অপোকপা হায়রিব্রা'? নত্রগা মথা মথম্না পোকচরকপনগী অপেকপা হায়রিব্রা? পোকপরা, পোহনবরা, নত্রগা অহুমপুনবরা? অসুম পুনবদি য়া'বোই, হেকু শারিবা চফুশাবা (কুম্ভকার)অসুগা চফু মেকা নোংমন্দা পোক সিম্মগা য়ারোই। অসিপুম্মক অসি ব্রহ্মা'গী তরুকশুবা মপোক্কী বিবৃত্তি অসিনা মরাইনা শেংদোকচগনি। জগৎপু শেমহনগে হায়রবগী দমক নারায়ণনা ব্রহ্মা'বু মশাগী মহুৎশনবা ওইনা শেমখিবনি। (কালাচাঁদ)

ইদং চ সপ্তমং জন্ম পদ্মজন্মেতি বৈপ্রভো সর্গেসর্গে হ্যহং পুত্রস্তব ত্রিগুণবর্জিতঃ ॥৪৩॥

হে প্রভু! নারায়ণ! চৌক্তিক হৌজিক ঐগী চন্দকমুক্ পোক্লিবা মপোক অসিনা ঐগী তরেৎশুবা পদ্মজন্ম হায়বা মপোক্ অদুনি থম্বাল লৈকাদগী পোকই হায়বগীদমক পদ্মজন্ম কৌই। অচুম্মক্তগী বাং ম লায় লৈবা। ঐ অসে কম্ম থুনিংদগী নহাক্কী নচাওইনা পোকলকনি। * ॥৪৩॥

---

* ব্রহ্মানা মাগী মপোক মথং মথং লৌথরক্লিবসি তরেৎশুবা পদ্মজন্ম কৌবা মপোকতনি। অসুম্বা লৌথব ওথবসি হায়গী অহানবা অনৌশুবনচিংবা মপোক অদুসু ওমতমগম্বা হায়বসি চি ননীভায়নি। গর্ভমুংদা জীবনা থানরেৎ মপুং ফায়বদা নায়োম মুংদা চত্তকষ্ট হায়ব। গর্ভোপনিষদ মতাং অমসু থেংনৈ। অদুম্বা চত্তকপা মতমদা জীবসিনা মহাক্ন নহানমুক্কী মাগী মপোক তরেংকী রা নীংশিঙ্ঙ হায়নসু তায়। জীবা থাবুদি মকম পুম্বনা পুমথৌ য়োনা লৈদি হায়ববু তরেৎশুবা মপোক অহুতদা ইন্দ্রিয় কায়াৎ পুম্নমক পুমশুবা স্মৃতি জ্ঞান শুওবা য়াওনা পোকপগী প্রমান অসি হৌজিক হৌজিক্কী ব্রহ্মাগী তরেৎশুবা পদ্মজন্ম কৌবা মপোক্কী লৌয়কপা মতাং অসিদগীসু কান্তি। ব্রহ্মানা হৌজিক লৌয়বসিসু অতৈ অতোপ্পা অমগী মকমদা লৌবা নত্তে, মাগী মপোকপু পী বয়িবা ভগবান্ শ্রীনারায়ণ সাকার ব্রহ্ম স্বরূপ ওইবা শ্রীবিষ্ণুনা লৌয়িবানি মতৌ অসুম্বা জবনা থাত্তরেৎ মপুং হেক ফাবদা মাতাগী দেহমুংদা লৈয়বা মাগী মনাইগী দেহমুংদা মপোক তরেং আত্মকপা লৌবা লোইয়গা পরমাত্মা ব্রহ্মাগী বিদায় লৌথিবান। তরেৎশুবা পদ্মজন্ম কৌবদা পোকপা মপোক্কাসগা অতৈ হায়গী মীৎ নাকে নচিংবদুদগী মপোক্কাশ দুগা মায়দে। অসিংশুম্বা পদ্মজন্মনা লাকপা অসিদি জীবসিনা তাইব মগী দেহনা চত্তক্লতনা ফবনি প্রত্যক্ষ প্রমানগা লোয়নবা থুদম হায়ববু:—শা উচেকশিংগী দেহ মুংদা অবতরণ তৌরবা জীবসিদি মীওগী, চীন্দগী, নাকোংদগী পোক্লকপা জীবশিং অদুভাক্কনি। অদুনা শা উচেকশিংগী হকচাংমুংদা চত্তকপা জীবশিং অসিমানা মানা মীৎ নাকোং নচিংবা দ্বারশিংদুগী বিশেষ ওইবা শক্তি অমমম্ পুদুনা পোক্লরবসিনি। লাঙ্জাগী দেহমুংদা লাকপা জীবগীনা মীংকী শক্তি য়াম্ম তেম্ম পুদুনা পোকলে। শলগী দেহদা লাকপা জীবগীনা নাসিকা কৌবা থোঙবগী থারকপনা মনম নম্বগী শাক্তনা বিশেষ ওই মতৌ অসিগুম্বা তাইবংমী ওইবদগী অতৈ অতৈ জীবগীনা বিশেষ ওইবা শক্তি অমমম্ পুদুনা পোক্লরিবসি, ভসাই ব্রহ্মানা হায়খিবদু শুম্নমহনা জীবশং অসিনা ভগবান্ নারায়ণগী দেহগী দ্বার (থোঙ) তোঙাল তোঙানব শিংদুগী মতুং ইন্নাগুণ কর্ম তোঙাল তোঙানবগী শক্তি পুদুনা লাকপা অদুননি। তরেৎশুবা মপোক অসিদি জ্ঞানেন্দ্রিয় পুম্নমক্কী হৌয়ককম থোয়দা থম্বাল লৈকা থক্কা পোকলকপা মপোক্নি। (কালাচাঁদ)

প্রথিতঃ পুণ্ডরীক্ষ প্রধানগুণকল্পিতঃ। ত্বমীশ্বরঃ স্বভাবশ্চ স্বয়ম্ভুঃ পুরুষোত্তমঃ ॥৫৪॥

ত্বয়াবিনির্মিতোঽহং বৈ বেদচক্ষুর্বয়োতিগঃ। তে মে বেদা হৃতাশ্চক্ষুরন্ধো জাতোঽস্মি জাগৃহি ॥৫৫॥

ধম্বাল লৈনা মীত্তা তাবা। হে নারায়ন! নংন চাওইনা পোকবা অসে হন্দক্কি নহাক্কী শেংলবা, শক্তি পুন্নমক্না তিল্লিবা, সত্ত্বগুন নচিংবা সাত্ত্বিক দেহদগী ফংজরনি। নহাক্তি জীব ঐগী ঈশ্বরনি, নশাগী মওংদা নশানা লৈজবনি। অদুনা নহাক্তি স্বভাব নি। নথন্ত পোকসনা স্বয়ম্ভু হায়বহুম্ম নথক্তি। পুরুষোত্তম হায়ববু নহাক্তনি। ❁ ॥৫৪॥

প্রভু! নহাক্না হন্দক্কী মপোক তরেংশুবসিদা ঐঙোন্দা বেদগী মঙক ওইবা মীৎ পানবিরে। নহাক্কী থৌজান্দগী ঐ কাল (মতম) কৌবা মখোন্দগী বানমদা লৈবা ঙমজারে। কাল হায়বহুনা ঐঙোন্দা করিম্ম তৌবা ঙমগ্রে। অদুবু নহাক্না পীবিবা বেদ (জ্ঞান) গী মশক ওইরবা ঐগী মীৎ অদো হিংচাবা অনীনা হুন্দিখ্রে। অদুনা ঐ মীতাঙবা মীশুন্না কন্না মখা উথিদ্রে পুম্নমক্ না থ্রে। অদুনা ঈবুঙো! যোগ নিদ্রাসে থাদোকপিয়ু ঐগী মীৎনী মশক ওইরবা বেদসে অমুক্কা পীবিয়ু ঐদি ঈবুঙো, নহাক্কী নহাক্ন চানবিবা ভক্তনি। অদুগা নহাকসু ঐবু শিক্ক্রা, অমত ওইবা স্বামীনি। ✦ ॥৫৫॥

❁ ভগবান্ শ্রীনারায়নগী দেহক্ষুদা লৈরিবিরা মচোন্দা লৈরিবা, হান্দক্নি, নহাক্না ফংগিবা জ্ঞান, বিজ্ঞান, বুদ্ধি, স্মৃতিনচিংবা লৈবী সম্পাদির শক্তি মক্ত হায়বন মশান কনখো পোক্লক্লফ ভগবান কোয়বরক্কপা অক্তগুম্না ব্রহ্মানি। অদুনা, ভগবান্গী ফুগী খোয়দোঙ্গুনা লৈরিবি মতমদা মহাক্না তৌখিবা স্তুতিগান, লৈশি লেখেন নচিবা তৌখিবা খনক অদু নশান ভগবান্ পোক্লক্লফ ঈকাও কাউকে, অদুম তৌরি অদুগা, ব্রহ্মানা মহাক অমসুং শেনা হায়খোকপি, মখুদি মহাক্কী তরেংশুব, মপোক অসিদা ভগবান মশানক্না সাত্ত্বিক শরস্থদা, যোগনিদ্রাদা লৈরিবৈনা লৈরিবা মপোক্কি। হায়বদা অসিগী ভাবত্তি সাধারন জীব ঐখোয়গী ভগবান্গী অশাশম ওইনা পোকলকফনি শায়বরু নীঙসাদ্রা রাজসিক শক্তি তামসিক কীদা শান্তকবগী খোখক্লনা নিদ্রাবস্থাদ লৈরিবৈনী মহাক্নি পোকলক্ত গুণ ওসাম মশামুক্কী মপোক শিংগীনি শাবু শাখক্লনা মপোক অদিদা লেকপবা পূর্বজন্ম নত্র অদুনিংবা কনদে মীঙাল অমদা তম্না ভগবে। হায়বদুগ্রী তামাসা উবা ফংবা মজেশুং অমনি তমোগুন লৈরিবা ঐ হায়বনা সত্ত্ব গুনদা হাইগংবিরিবগী খোঙজোক্ক খোকনম্বু তৌদে অজোক্কন তমোগুনা তাকনা ঐগী নংগী মাগী, রাথন্দা, কল্পকপা, নিহৌনা, শাউবা, অমসুং হায়বদা খোয়মা অনিমতিবা রাজসিক অমসুং তামসিক অবস্থানা লৈবি।

✦ ব্রহ্মানা লেকুক ভগবানদা তৌবিবা স্তুতি অসিদা হায়রিবা ভাব অসি ঐখোয়না কাওকম পোক্তে। ব্রহ্মানা হায়রি—"ব্রহ্মা ঐনা অদৈত্ত মঙ্গ মহম্মী মতুংদা নারায়ন নহাক্কী মীত্তগী, নাকোংদগী, চীন্দগী, নাতোন্দগী পোকখি পোকখিবা মপোকশিং অমা ঐঙোন্দা জ্ঞান বুদ্ধি ঈবৈ লৈরমদে হায়বদি নত্তে।

নৎত্রবদি ঈমাগী কুয়োম, নাউ.য়ামনুংদা লৈরিবৈদা ভগবান্ শ্রী বষ্ণু। ঐখবা স্তুবগান অদু মরী ঈতৎ তংনবনা হৌজক ফাও তৌহনা মরাক্লবগদবনি। ঐখোয় তাইবং মীগী মহুৎ অহুগুরা মীশকশি অহু ঈদ্রাও মাওত্রবরা শায়বত্নন নাত্র কনা কনাগুম্বা পুরুষে তুর ওইবা মহাপুরষনা .পাঙলগী সাত্ত্বিক গুনগা লোয়নবকুনা জ্ঞাবানগী তত্ত্ব পিবা, স্তু তিগন তৌবতনা মহাক্কী মাংলজা ওই অদুগুম্বা পুণ্য চেন্নবা .দহমুংদ লৈ রবা জীব অহু, শ্রীবিষ্ণুনা সাত্ত্বিক অবস্থদা লৈবতেনা পোকখিবানি। মাংলগী তত্ত্ব অসিবু ব্রহ্মানা হায়দোবকলিবা অংসদগী ঐখোয়না কাঙি। অদুনা ব্রহ্মাগী তবেংগুবা পদ্ম জন্ম অসিগী বিবরন তাবদগী কনা কনাগুবরা পদ্ম দনদা কনা কনাগুম্বনা সিদ্ধাংসদা থংত্রু জীবাত্ম মশানা মশাবু সত্ত্বগুনদা থাংগথগদবা সধনা তৌব, হোৎনর। কনা কনাগুম্বগীনা সত্ত্বগুণ তৌবতনা মগী [illegible] ওবা [illegible]। [illegible] কর্ম্ম [illegible] তমসক কর্ম্মা পুরী চংপা [illegible]. ঐ [illegible] ঈপান [illegible] মৎ, ঐস [illegible] লৌক না শায়রবনি

(ক্রমশঃ)

[illegible] (বেদজ্ঞান) [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible] মদুগুবা [illegible] বেদজ্ঞানদি হায়রুনমু মাদুগী মথক রাজগুন [illegible] অকুমন [illegible] তেঙ্গনা থুনক মুংখি [illegible] মাংখিবা [illegible] য়াম্ম জ্ঞানগী ওইনা, [illegible] রাজগুন [illegible] অসি [illegible] মচাবু হায়বা, মচানা মথাবু হায়বি [illegible] অদুগুম্বা তাঙ্গদা বেদ জ্ঞান (সাত্ত্বিক জ্ঞান) অদে বত্তে [illegible] পুম্নমক লৈখি। মতম অদুদা হায়রৈবা হায়দবা, তৌহৈবা তৌহৈদবা পঙতক্তে, অফ ফত্তে খঙক্তে। উত্রবনিনা [illegible] ভগবান্ নারায়নগী কৃপা করবসিনা রজোগুণ [illegible] অমুক হন্না পুবিংকই হায়না [illegible] অদুনা হায়রক্নি। [illegible] মচাক্রম, মমুংগী মচাক্রম সাত্ত্বিক রাজসিক অমসুং তামসিকগুনগী মচক য়াওর সাত্ত্বিক অবস্থা লৈখিবদি আত্মা (জীবাত্মা) মথক্তনি, লৈবা হায়রবত্নদগী লৈমা মঙ্গোন্দ কাংনমত লৈতবা অবস্থা অদু সাত্ত্বিক

যদন্ধ বক্ষ্যংসি মম প্রিয়োহহং তেঽপ্রিয়োহসিমে। এবং স্তুতঃ সভগবান্ পুরুষঃসর্বতোমুখঃ ॥৪৬॥
জহৌ নিদ্রামথ তদা বেদকার্য্যার্থমুদ্যতঃ। ঐশ্বর্য্যেণপ্রযোগেন দ্বিতীয়াংতনুমাস্থিতঃ ॥৪৭॥
সুনাসিকেন কায়েন ভূত্বা চন্দ্রপ্রভস্তদা। কৃত্বা হয়শিরঃ শুভ্র বেদানামালয়ং প্রভুঃ ॥৪৮॥

ব্রহ্মানা অসুম হায়না স্তুতি তৌরক্লবদা যোগনিদ্রদা চেপ্ন চেপ্ন লোইনা তাবা উবা নারায়ণ গী বিষ্ণুনা খুদক্ক লেওখৎলকই। বেদশিং অতুবু কলহৌগে হায়না থৌরাং তৌখি ॥৪৬॥ শ্রীনারায়ননা ঐশ্বর্য্য শক্তি অমদি যোগ শক্তিনা অতেপ্প হকচাং মওং খুদক্ক পুখি থামওালগুম্বা তৌরুনৈ। নীংথিজরবা নাতোন পানবা শগোলগী মায়থোং অদুগা ভক্ষশম লৈতেং ওইব মূর্ত্তি অম খুদক্ক তৌখি। * ॥৪৭—৪৮॥

অবস্থানি। তৌনা লৈ, ভাঙন লৈ, রাংনা লৈ—নেয় লৈ, চাউনা লৈ পীক্ক লৈ অসিনাচিংবা হেক্ক খোম-জিনবদা, লৈরিবা পোৎ মশামক অদুনা রাজস্রক্রু বস্তু হয়রব ভ'ওলিব ঐমক্রা পোৎ অদুবু রাজসিক অবস্থাদা লৈহল্লে। তুলসীকাষ্ঠগী চৈশু অসি মীগাৎননবন হায়না হক হায়রুব' খল্লুবদা ঐনা তামসিক ওইবা ভাবনা (খাখল)না তুলসী কাষ্ঠবু তামসিক অবস্থাদা লৈহল্লে চৈশু মশানা লৈবনস্তে হাংবা ঐখো-য়না লৈহনবনি। ধর্ম শিং অসি মখোয় মশেল ঐনা হেল্লি ঐনা তৌল্ল হায়না খৎনঞ্জবা নত্তে তাইবা মী কজ্রবশিং ভনা খৎনহনবনি। (কালাচান্দ)

* ভগবান্ নারায়ণনা অদিগুম্বা মূর্ত্তি অসি হেক হেক লৌরকপদ' কনাগুম্বা অসুম্বা য়েংলকপা চিমরকপরাই :—ব্রহ্মাগী সৃষ্টিদি তৌজিক কাওবা তৌদ্র। হৈপাল লৈপাল, মী, শা-উচেক অমত শাঙুনা পুথোকত্রি শগোল শামু য়াং হুত অমত পোকাত্র শাত্রিভৈদা হায়া শগোল মকোক পানবা, শগোলগী মায় থোং পুবা অসিনাচিংবাস করম্ব হ যরিবনো ? অসিনাচিংব রাহং শিং অসি যাম্ব লাকই, লাকস্ত লাক্তদবনি। ভগবান্না অহানবদা ভাগী মূর্ত্তি পুত্থনা অবতার তৌই। মতম অদুনা ভদি লৌত্র অদুবু করনা মূর্ত্তি অদুদা ঐখোয়না করিগী দমকত্তা হায়ব' ন্নিংথোন জি হ্রবনো ? ভ' হায়বা মিং অ'স খোনাত্রভৈদা, অদুগ, অসি-গুম্বা মূর্ত্তিসি ভা কৌই, ভা হায়না কৌনখি হায়বা খওত্রিভৈদা লেপ্নত্রিভৈদা মূর্ত্তি অদুদি হায় পুত্রবনি। মতুংদা ঈশিংদা লৈব মথৈ মওং তোঙাল তোভাম শেম্মক শারকপা মতমদা অদুদা শেম্বাশাবা লোইরবা ভুংদা মাসিনা মাসি থোন'স, মাসিনা মাসি থোনসি হায়তুনা তারবং মীনা আ কাইনখভদা মাগী মাগী লোল জাতি জাতি অদুগী অগল্লমনশি না মথং মথ অতুম থোম্বরকপনি। অহানবদদি পুরিবা মূর্ত্তিমতু ভানি হায়বস্থ খওভমদে, ভা কোই হায়বস্থ খওনরমদে। মতু গী মীয়োম্বা ঈশিংগী জীব জাং অমবু উরগা মওং মতৌক্ক উরগা মাসিদ ভা হায়না মিং অসি থোল্লসি হায়না থোনখিবনি পোংনা হায় পোকই, মিং না কোম্ব লাকই। মতুংগী কল্প অমদা, ভা কৌনখিবা জীবদুগী মূর্ত্তি পুত্থনা অবতার তৌরকপা মতমদা ভাগী মূর্ত্তি পুবা ভগবান হায়নখিবতান। অসুম হায়না, অবতার খুদিংগী মওং মশিংগী মরমদা চিংনবা

তস্য মূর্দ্ধা সমভবৎ দ্যৌঃনক্ষত্রতারকা। কেশাশ্চাস্যাভবন দীর্ঘা রবেরংশুসমপ্রভাঃ ॥৪৯॥
কর্ণাবকাশপাতালে ললাটং ভূতধারিণী। গঙ্গাসরস্বতী শ্রোণ্যৌ ভ্রুবাবাস্তাং মহোদধী ॥৫০॥

হয়গ্রীবগী মূর্তি অমু কয়ামুক য়াং চাউবগে হায়রবদু থা-থবানমিচক থন্নবা আতিয়া মকোয়গা মূর্তিমুগী কোকতা অমত ওইশিন্নখ্রে। অমুনা দ্যুলোক অমনা মহাক্কী কোক অমুম মওইখ্রে। শম্মুম মনা অমমম্না মু শিংকী সংশেকুম্না তগুন তরেংনা নীঙাথখ্রে ॥৪৯॥

আকাশগা পাতালগা অনীনা ভগবান্ হায়গ্রীবগী য়েংলোম ওয় রোমগী নাকোং মক ওইরম্বি অচচম্ব জীবপুম্নমকপু মথক্ত পুথিবী পৃথিবী দনীনা মহাক্কী লাইপক ওইখি গঙ্গা সরস্বতী অনীনা মহাক্কী নীঙতু ওংখি। সমুদ্র (ঈপাক্লা) ঈরম অনীনা মহাক্কী পীশূম ওইখি ✽ ॥৫০॥

পোকহল্লে ইদনান যোগ শক্তিহনা ভাগনন পুন না মূর্তি অমু পুহ। তেত্তাগ তেতানবা মূর্তি ময়ামসিবু মহাক্না মশেম্বনি। মহাক মথানা শেমজন মূর্তিশিং অসিগী মতুংদগী মহাক্না পুনিংবা অমদি ওইহনবা মূর্তি অম পুবগা অমুগা ওইহবদি কমানম্ব য়েংপা য়াদে। বিশ্বকর্ম্ম ওইবা মহাক্না শারিবা মূর্তিশিং অসিগী মিংশিং অসি অথাবা সৃষ্টি কর্ত্তা মহাক্না থানবা অমত য়াওব নত্তে। পোংশিং অমুগী মওং মহৌ অমু য়েংলগা মাগী মাগী ভাব দা থোংম্ন থেম্নিংবা মিং অমু থোম্নখিবতনি, মরোল অমুমদা হেক লৈরিবা তেত্তাগ তোগ্নানবা দেহশিং অমু আত্মা মহাক্কী ওহাক ওহাক্কী ওইবা মূর্তি মক্তনি। সর্বশক্তিমান ওইনা মহাক্তি দেহ অমবু থবোক্রম্নগা মথেম্ন দেহ অমবু মীকুপ্তপুবা ওম্মি। জীবাত্মা মহকনা হম্নক্কী মাগী হকচাং অসি থাগোক্রম্নগা হয়েং মুক্কী মপোক্কা মহাক্না চতনীংবা দেহ অমদা চত্তবা ওমদবা অমুগা মহাক্না পুনিংত্তি হায়দুনা পুবা য়াদবা অমুগুম্ব নত্তে শ্রীবিষ্ণু মহাক্কদি। শা-শনগী দেহ মুংদা লৈরিবা আত্মাসিনা হয়েংমুক্কী মপেক্ত হাইবং মীওইনা পোক্নবগে হায়বা হেক য়াব নত্তে। যোগসাধন ঈত্তৌ তৌদবা তাইবং মী অমনা পোকপা শিবসিনগী মতেংনা পর দাম অমদা কাগ্রগে শবানবা থম্তম কংগ্রগে হায়বা হেক য়াবা নত্তে। মপোক লিশিং লিশি চম্লাথগনি অমুবু, ভগবান নারায়ণদি মীকুপ অমগী মম্লা থোক থোক্ তোংবা ওম্মি জীবাত্মাগী না শক্তি অমনি, ঈশ্বরগীনা শক্তি অমনি। অমুনা মূল শ্লোক মী অর্থদা য়াওখ্রে—ঐশ্বর্য শাক্তগী পাংথনা——অম্মুম হায়না। (কালাচাঁদ)

✽ ভগবান্ হয়গ্রীবনা পুরিবা মূর্তি অসি বেদমক্কী মূর্তিনি হায়বা য়াই বেদনা শক শোল্লিবা অসি মওং য়াম্বদ ভগবানগী অউবা বিরাট মূর্তিগী মশক ওইবা বিশ্বজগৎ অসিনা লৈরিবা মৈ ঈশিং মুংশিংনচিংবা অসিগী মথাদা লৈরিবা অধিষ্ঠাত্রী দেবতা ময়ামগী লৈশি লৈথোনবা, অসিনচিংবনা অয়াম্বনি। য়াম্ন শম্না হায়রবদা শ্রীভগবান নারায়ণগী পাক্ চাউরবা মূর্তিগী কায়াৎ অমমম্তগী আবাহন অমুগা স্তুতি পান তৌবা তারবদি, মুমিৎ থা থবানমিচাক, গ্রহ নক্ষত্র তারা, চীং মান মুরেল, সমুদ্র পুম্নমক অসি অমমম্নগী শক্তি

চক্ষুষী সোমসূর্য্যৌ তে নাসা সন্ধ্যাপুনঃ স্মৃতা। ওঁ কারস্তথ সংস্কারো বিদ্যুজ্জিহ্বাচনির্মিতা ॥৫১॥

হুমিৎথা অনীনা ভগবন্ হয়গ্রীব শ্রীনারায়ণগী নাং অনী ওইগে। অনীগী সন্ধ্যানা ভগবানগী নাতোন ওই। ওঁ কারনা সংস্কার (শেলোকুনা ফজহনবা লৈতে) ওইখি নোংথাংনা মহাকী লৈ (লৈয়েং) ওইখি। ॥৫১॥

পুক্তনা লৈরিবা অধিষ্ঠাত্রী দেবতা শিংবু কৌথবা লৈশং লৈথোনবা ভোগ তাবনি। করি করি হাইনা শৈ-রোংনা করি মন্ত্র শোন্দুনা মখোয়গী পূজা লৌগনি হায়বা অসি নদা কোইনা মাংওন্দ্রে বেদ মরিনা মাগী মাগী তোঙানবা মখোয় পুক্ত। অমদা সেবা পূজা যজ্ঞগী, আরাধনাগী অমনা শক শোনবগী লৈশং লৈথোনবগী, অমনা যজ্ঞগী মচাক খাবগী, অমনা গায়নগী প্রার্থনা দিবগী মওং তোঙান তোঙান ফাম-রিবা হুমিৎথা পবা মরিক অসিনি হয়গ্রীবগী মূর্ত্তি পুথিনা ভাবেন এমাক অক্ক (মায়ুং) অক্তম মওই রবনি, বেদগী স্তুত মন্ত্র (স্তুতি শীন মূর্ত্তি শংগা চেংথেংকাম্বা ভাগা। হয়গ্রীবনা চাংলাক্কংদু উবদা ব্রহ্মানা হয়গ্রীবগী মূর্ত্তিবু বেদ মূর্ত্তিনা হায়নি। খুদম্‌দু অমাবামদ হায়রগা বক পান্থা মীগী মমা ওনা বেদ ওইনা ধনসম্পত্তি পাম্বগী মমাওদা সম্পত্তি ওইনা চেথোকপরকপা অসিনি। ভগবানগী ভক্ত বৎসল ওইবগী, সর্ব্ব শক্তিমান ওইবগী খুদম্‌নি অদুবু ব্রহ্মাগী সৃষ্টি অদুন মায় দুক্কাবদা চপনা অমুক লৈবিরো হায়বনি যাবরোইদৌরনিনা, মাগী ধন্মোংদনা পাক্রপা বেদজ্ঞান অদুগা শ্রদ্ধা অমুক পূব রক্কবা রজোগুণ অদুগা তমোগুণনা হয়বগী নক কোইদুনা চেংগ্রিদ হায়রুংগা মধোয়দগী বেদবু উদ্ধার তৌবিয়ু হায়না হায়জবা ব্রহ্মাগী মাথক চেংখুংখিবা হয়গ্রীবগী মূর্ত্তিদু ধাতোমথোকবা লাকী মূর্ত্তিনি। বরাহ দবনা যজ্ঞ মকী মূর্ত্তি ওইব দুগুম হয়গ্রীবনা বেদ মকা মূর্ত্তিনি বেদনা অনন্ত ওইরিবসি, হায়দি, জ্ঞান হায়বদু অনন্ত ওইরিবসিগী মরমনি বেদন, শক শোনগদৌরবা, জ্ঞান বিজ্ঞান লাখগদৌরব। নারায়ণ মহাক মশানা অনন্ত ওইবদগীনি আকাশনা অদুগা মাগী মগুণ শব্দনা অনন্ত ওইরিবসনু মখোয়না শক শোনগদৌরিবা অনন্ত ওইবা শ্রীভগবান মহাক্কা—অনন্ত ওইগদগীনি। বেদ (জ্ঞান) হায়বসি মশক উবা পোৎ নত্তে। অদুবু মশক উবা য়াদবা পোৎ অদু ভগবান মশামক্কা মশক উত্রিবা পোৎ অদুগী মশক লোইনা চোংপোকই হায়রিবা বেদ (জ্ঞান) অসিদি মকম পুরমক্ক লৈবা শরিগুম্বা জীব অমগী মশক বেদ অদুগী মূর্ত্তি হেক হেক ওইরি। মুন্থ থম্বগাগতু, বৈজ্ঞানিক দৃষ্টিন কূপ মেশিল্লবদি জগত্তা পোৎ খুদিংমক বেদ (জ্ঞান) গী মূর্ত্তিনে। মাসিগী অরায়বা থুনমদি ব্রহ্ম চাউরবা শামু অসি করিনো হায়না থনজিন খিজিনবদুগা মাদুদগী কব। জ্ঞানগা পীক্কবা ককুচেং অমগী মরমনা খিজিল্লুবগী অদুগা মাদুদগী কং-ভক্কপা বেদ (জ্ঞান) গা চপ মান্নে। জ্ঞান মচা জ্ঞান অচৌবা, বেদ মচা বেদ অচৌবা হায়বা লৈবা

• বিশ্বব্রহ্মাণ্ডসিমক্কা মহাক্কী মশানগী মূর্ত্তি (হকচাং) ওইখি। পোৎ অমগী চিথেকনাইবা, কোইরপ

দত্তশ্চ পিতরো রাজন্ সোমপা ইতি বিশ্রুতাঃ গোলোকো ব্রহ্মলোকশ্চ ওষ্ঠাবস্যাং মহাত্মনঃ ॥৫২॥

নিংথৌ! সোমরস তথকপা সোমপা ওংবা পিতর (পিতৃ) শাকক্স শীবংশ । ন বিরাট মূর্তি পুবা, ভগবান নারায়ণ মহাক্কী মাগী পবে ওইখি মহক্কী চানবা থকখা অনীদি ব্রহ্মলোক গোলোক অনীনা ওইখি * ॥৫২॥

হৌনবে আসগুম্বা জ্ঞান অসিবু পীংগ হায়বগী দমক, হায়বদ, বেদমক্কী মূর্তি পুক্নুনা বেদ মাঙপ্রবা ব্রহ্মাগী মাঙদা চাংথোকপিরকপনি বেদগী মূর্তিনি হায়গ্রনম্ব ভগবান হয়গ্রীব মশামকপুদি রজোগুণ তমোগুণ অনীগী মূর্তিপুবা মধু কৈটভনা হুন্দিরম্বিনা, মখেয়না হুখিব বেদকত্তবুম্ব ব্রহ্মানাপাম্বনা হয়গ্রীব মশামক্কা মশামকপু অমুক গ্রন্থ মঙদা বেদবু পুথোক পিরক্লুনা ব্রহ্মাদা পীখিখি। করম হায়না পুবকপগে হায়রিবমু মখাদা ফাক্কনৌরি। (কালাচাঁদ)

কোয়বা নচিংবা মূর্তিক পোৎ অঙুনা কোংলিবা মকম অদনা পী। ভগবানগী মূর্তি জগৎব্রহ্মাণ্ড অসিগী মকম পদ পু কোন করবনিনা উঠিবা জগ অসিগ লেপিবা পোৎ থুদিংমক্কা মহাক্কী অঙ্গ (কায়াৎ) অময়মগী ওই। মণী মঙা লৈপগী মড্ডা মতুং মচৎ অনু সূর্যা দৃমিৎ) হায়না পিপোংল্ কনম্বুনা মহাক্কী নী. পীবা অঙ্গপুক্কী থয়দনুক মমক মৈকুম কৌরি। মড্ডান্দুগী মড্ডাল শবনা চন্দ্র (থা) হায়না লৌনবা মাগী থথুনা লৈং নোংবা অঙ্গমক্কী মশক ওইনা বল্ল অমত কৌবি—শাঙ্কচল্লি। মীনু পংপগী হয়দে মকপ মহাল অনী। মহাক্কী অনী তিঙনুনা পুম্নমক পুম তাকম লাকোননা তিমকম (তিমকংলাংকপা ...) সুম্ম মডং মথ মঙল কাদ ভাবানগী অঙ্গ থুগংগী অভুষং (নৌতো) গী মতাংদা তিনবা থং লনগ্নে সনা মুগনা মপি মুকনা পত্রা থুজিগা, শীক্কাল নচংবহনা কননা শাদ্দকনানা, ভগবান মনাক্ত শংগ লিকিঞ্জ' ব্র। হায়বা থদনীগা মতু অম কক্কই অসিগুম্ব তিংনবা মতাংদা মশ্যপ্রাককী ওর্থনা হায়বি মাপদি মপন্দ য়েংবা ঈশোং শেংনা তক তরুনা লৈবা উনববা পোংথম তকচাং থক্ক হপাচনবা ইংকিনা, খোমজিনবা অদুবু অভূপাগ কৌই। অসুম্মা শংদোকপা অতু সক্কত্তশান্দ। সঙ্কব কোট মযুগী মপানগী পোং পুম্নকম্ম্ শংদোকপসি প্রণব কৌবা মচাক্কা শেংদোকত মংবু ওঁ হংখব শাস্ত্রাক অসিনা মাবাহন কৌগ মৈ ঈশি মুখেং চপাল লৈপান পুম্নক মাগী মমুদা লেইন থ ও প্র শেংদোক শংদোক্কপ লাকপা মৈ ঈশং লৈপাক, চিবনা মহাক্কী মপানগী মভাব (মভা — মাতৃগা) ওই মপা মপা মবন মবম্ভনা শেংদোকচবগা লাকপনি লৈপাক কপু সনা লুপা হীনাগী শাগোন পুহনবসিন্ন তাউবংমী বৈজ্ঞানিক কনাগী থুংলায়না শুংফুনা শাবগে !

* শ.প্র লমিং থিহুনা উদবা, পীকমনখিহুনা উদবা, চাউননথিনা অককবা শূকলৈ লৈনহুনা উদবা অসিগুম্ব। কংবগুম্ব উদবা মঙদা লৈবা অহুগা ঈকোং কোনা অউবা (অদৃশ্যমান দৃশ্যমান) মঙদো

নুং পুম্নমক কারিগী সনা শুন্দে ? মপানদা মমলয়াম্বা, করুনা উবা, থীনা অহুম উহনবনা মাগী পরাপ্রকৃতিগী থবক ভাকনি খোয়ম্বু সংস্কার তৌরগা ভগবান্না মাণ্ডহন্দনা মশাগী অঙ্গ অমমগী আবরণ আভূষণ ওইনা লৌবি। মপান্দা ঈকোং কেংনা উহনবা য়ানা, উহনবদা অঙ্গ (কয়াং) শিং অহুগীনি থোইদোক-পা আভূষণ লৈহন্দে উহনবদা জগংকী, মাগী সৃষ্টিদা অকায়বলাকদবা আঙ্গ (কায়াং) শিং অহুগীনা আবরণ (কপশিনবা), আভরণ লৈহল্লি অঙ্গনা করুবা মতৌ অমা পীবদগী যুগ অমদা লৌ কোল পুম্নমক অঙ্গদ কৌনরম্মে কারনথংদা পাম্বোমদা হাপ্পী ভাল (পাম্বোমকাবী) তবু সংস্কৃত ভাষাদা অঙ্গদ কৌনখি। (কালাচাঁদ)

অনীগা জগৎ অনী সনা, অটবা জগত্তগী নারায়ণগী অটবা অঙ্গ কায়াং ময়াম মথং মথং ওইখি। অদুবা উবা ফংদবা জগত্তগী মগাক্কী উবয়দবা অঙ্গ ময়াম অহুম জং। মপানা মচাদা করিগুম্বা অচাপোৎ পীরুবদা মচানা চাবা, শায়বনচিংবা তৌরিবা বর্ম ময়াম অহু মপাগুগী মপানগী মীৎ কৌবা ইন্দ্রিয়গী পাইবনা অহুম মউনি। অহুগা চাগ্রিবা পোৎশিং অহুনা মচ তুগী চক্চং মুদং তৌরুরিবা, লৌথবা মওং অহুদি মপানগী মীৎনদি উবা য়াররোই। বৈজ্ঞানিক শিনা শাবা পুংলাং (অংশু=এটম) নাংনবা উগদবা মত্তায়রে। আ পুক্কংগী রাশি লায়রহুনা ঈশা ঈশস্তন চাবিবা য়াংয়ৌগ্রবা পোৎ অমা ঈশানা উবা ফংদে চাবা শায়বগী থুংলার ওইরিবা য়াথক য়াথানা তৌনরিবত্থ উবা ফংদ অতোপ্পা মা অহুনা উরিবহুনা রা অমনি। মিংশেন থান্দুনা য়েংলগা উগন মত্তায়রে মপান্দা ঈচহুনা চাবা শায়ত্তুদ উদ। প্রেতলোকত থৌগ্রবা ঈশা ঈচ হুনা চাবা শায়নহুদি উবা ফদ্রে। উদি য়াম্না উনিংউ মগমত্ত মধা পাল্লিগদ্রা পান্দহুনা থক্লিগত্রে হায়ন চিংনবা হসিনচিবশি হসিনু মরাকত্ত পুরাণনা পামদি শমক শগী শাস্ত্রনা প্রাণ পীরি, মাহুদি—সোমরস ত থকপা কয় কয়া পিত্ত লকতৈগ মথগত মশা পিতর হায়না থত্তৈন। অস্নুম তৌহুনা ধুমপা, অগ্নগ নচিব কয় কয় লৈশি। মথেংগ্না চাবথকপ হু মর্ত্যলোকত লাংহৌরিবা মচা মশুনা উবফংদে। উদি উনভি প্রধান অমদা হায়রগা ঈশান তৌক্তিক তৌক্তিক থক্লিবা চাবিবা পুম্ন-মক অসি অহুগা ঈশামক্কী য়া পরে অহু ঈশানা উনিভি। মথাং অশদা মৃগাশ্ন ককী অর্থনা মথক্ত হায়রি। অউবা উদব জগৎ পুবনা ভগবানগী হকচং ওইহনিনা উদব নিত্যলকে অহুনুম্ন ভগবাগী অঙ্গ কায়াং অমনি। অহুনা বিরাট মূর্ত্তি পুবা ভগবানগী য়াৎক য়াথা পারংদি। পিতৃলোককী পিতর শিংনা অহুম মওইরি। তাব মীগী সাধননা (তোংনরুবগা) অহুগ ত উং মী বৈজ্ঞানিকশিংনা য়ৌবা উবা ভমদবা, ভমস্থ ভম্মরোইদৌবা লোক কয়া কয়া লোংমদোনশক অসিদা লৈশ্রি। ব্রহ্মবাদী সিদ্ধ পুরুষশিং য়ৌথিগংবা ব্রহ্ম লোক, অহুগা নিষ্কাম কর্ম তৌবা সমাবসিদা অমুক হয় লক্রুরোইদৌবা গো (পৃথিবী, শব্দ, বাণী, ইন্দ্রিয়) গী ভম্বরু মুম থওহু। চংগ্রবশিং অহুনা য়ৌরুগদবা গোলোক অনী সনা, ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী চীনবান থক-থা অনীনি। হায়রিবা অসিগী ভাবত্তি—ব্রহ্মবাদীবু ওইরবস্নু, নিষ্কাম কর্মযোগীবূ ওইরবস্নু,

গ্রীবা চাস্যাভবৎরাজন্ কালরাত্রি গুনোত্তমা। এতদ্ধয়শিরঃকৃত্বা নানামূর্তিভিরাবৃতম্ ॥৫৩॥

অন্তর্দধৌ স বিশ্বেশো বিবেশ চ রসাং প্রভুঃ। রসাং পুনঃ প্রবিষ্টশ্চ যোগপরমমাস্থিতঃ ॥৫৪॥

নিখৌ। ভগবান্ নারায়ণ মহাকী থোরী চয়মদী মহা অমম্বগী মথক ওইরবী কালরাত্রি হায়বীহুনা ওইরি অমগুম্বা মূর্তি (কুপোম) শিংহুনা কুপশিন্নবা হয়গ্রীব ওইবা শক্লোল পুবা, জগদীশ্বর শ্রীহরি না মকম অফুলগী থরহৌদনা থংমাম মাংখি। রসাতল যৌখি ॥৫৩॥

রসাতল তাম চংখিহুনা যোগপক্রিনা পাম্বৈ ওইহনা নিয়ম, আসন, প্রাণায়াম চিংবা অমং শীংবা তৌহুনা, উদাত্তনচিংবা স্বরগী থাক থিনিক্ত তিম্নবা খোঞ্জেংক্লা সামবেদ গান তৌখি * ॥৫৪॥

ভগবানগী তত্ত্বত্বু নৈনবশিবু ওইবৎবম্ব মখোনে ভ ভা শকপদা শী জিন্নবা, মপানগী হকচাংদা হায়রগা চীন-খান থক-খা অনীম্ব হকচাংবুমকীপ নম্রে আম্বকু মক্তেম্ব ত্বে বিরাট মূর্তি পুবা ভগবান নারায়ণগীনি। থাশিবা, ভগবান্ মহাক্ত পীক্লবা হকচাংসিদা পীক্লব। অ.ম্ব শ হনা ৈৈরিডৈগী রনি। অঙ্গুম্বা জীবাত্মা (আত্মা) মহাক্তা বিরাট মূর্তি পুবা মতাদা হায়রিবা ব্রহ্মলোক গোলোক অর্ন'না মংাকৈ চীনখান থম-খা অনী ওই উরিবা পীক্লবা হকচা সিবু মামক্তি হায়না ঈ'ত পড়খনা নৈথ্রবা অম্বানা মশা মথন্তবু পীথক পীকহল্লখিহুনা হবচাং অসিবু মহাক্তা বিরাট মূর্তি পুবা পরমাত্মা. ভগবান্ নারায়ণ মাগী পাকচাউরবা বিরাট শরীর মহ ওইহনবা ভমত্রে। পীক্লা থুরবা পুরীংগী, বুদ্ধিগী, অহংকারগী মনুংদা অনাত্মা তাহুনা লৈরে। অম্বক হামনা চায়রিবসিগী ভাবতি, অংগা অকন্বা বাদি করিনো হায়বদা, পীক্লবা হকচাংসিগী মনুং মপানগী কারাং পুম্নক্তা মথকলোমগী লোক ভুবলোক, স্বর্লোক, জনলোক মহর্লোক, তপোলোক সত্যলোক অমুগা মথাবোমগী তল. অতল, বিতল সুতল, তলাতল. রসাতল. পাতাল গুনা লৈ। মকম পুম্নমক অসিদা চায়গদি লোকতক মরি আসত নত্তনা ব্রহ্মলোক গোলোক মকম পুম্নমক অসদা চকম অমত রাম্বনা মথা-মথক্তনা লোইনা কুপ্পুনা লৈরবদি আত্মা অচু চুম্নগী আত্মা (জীবাত্মা) ওইবত নত্তনা পরমাত্মা, সর্বশক্তি-মান, বিরাটমূর্তিমান ওই। অহৃদগীদি পীক্লবা হকচাংসিগী মীৎ, নাকোং, লৈ নাতোল, য়াথক য়াখা, চীন-খান থক্ খা নচিংবা পুম্নমক অসি খোয়দৌ, থম্মোয়, থবাক, খোরি, লাইক, কোক (ব্রহ্মরন্ধ্র) অসিন-চিংবসি বিরাট্ মূর্তিমান ওইরবা আত্মা মহাকী ব্রহ্মলোক গোলোকনচিবহু অহুম মওইংগ্রে——অসিতনি।

(কাল.চাঁদ)

* রাং চাউরবা হিমালয়না মীংলুবা পীশক পীকশিন্নমমী তাম্নরবম্ব মথং মতৌদ ঈকায় কায়দনা লৈবক্তগুম্না ভমখৈ লৈতনা রাং চাউরবা, বিরাট মূর্তি পুরবা ভগবান্ হয়গ্রীবনা, মূর্তিশং কুপশিনখিহুনা, হাকথদি, মকোদি ঈদায় কাংদনা সাধারন মূর্তি পুহুনা রসাতল তাম চঙশিনখিহুনা যোগ সাধনা তৌখি।

হায়রিবা মা অসিনা বেদ (জ্ঞান) বু আবিষ্কার তৌবা উদ্ধার তৌবা হায়বসি ঈচম চম্বা, অরায়বা থবক মত্তে হায়বসি তাকই। রজোগুণ তমোগুণবু নমহন্দুনা বেদ (জ্ঞান) বু পুখোংকপা ভগবান্ হাংবা যোগ সাধন, প্রাণ য়াম সাধননচিংবা তৌবা তাখি। পাক চাউরবা মপান জগৎকী পোৎ পুম্নমক চিংশিন্দুনা, পীকশিন্নহনগ্রবা মুর্তি ছুগী মহুৎদা মকম চান চান লেপ্তনা থমখি প্রাণ, অপান, সমান, উদান ব্যান কৌবা প্রাণবায়ুগী গতি মডা আয়াম তৌগ নংইদোকক্তনবা লেপ্তনা শাসন তৌহনা থমখি। যম, নিয়ম, আসন, প্রাণায়াম, প্রত্যাহার, ধারনা, ধ্যান, সমাধিনচিংমা শাধন পুম্নমক তৌখি অহুদগী দি, রসাতলগী অনীকপা মফম অমদ সামগান তৌনা তৌখি মহাক সাধারন থত্তনরিবদি অমত্ত ওইনা লৈরম্বা বেদ (জ্ঞান) বু ঋক্, সাম যজু অথর্ব হমু হায়না শরুক মখি লৌক্তা বক বাসনা থাদোকখি অসিনি। থাক্নে শেবদি, হান্ন লাইদোক্তনা লৈবা বেদবু নেৎব্যাসনা নমৎন থয়াংকনিব নত্তে। উহৈ মনু দা তোত্তাল তোত্তম্ন তহুনা লৈরিবা মন্তানি অহু উহৈ মপুং মহুবু কা গুম্বন থাত্তনা থায়দোক্ত্রিতৈগী মমাত্তপ্ত তাত্তম্ন অহুম মইক্তমন হুনা থরাম কুনা উনগ্লিশ মী অহনা লায়দাকপা মশু অম নত্তে। মপানগী কু অহুনা বুংশিমনং অমগী এপাকিম্না গা লৈনা মশু অহব ত্রাত্তন তোত্তাকতাহন্দুনা উহৈ থোকলিবা মী অহুবা পুপাকপা গুরু নপুং তা তী মহুদা লাৎ হ তানা লৈব নদ (জ্ঞান গী বিভাগ (মশু) মবিবু বেদ ব্যাস পুংপোকখি হায়দ্তি অহুনা নেম বা দান বাসাক্তনা পুাপ কক্রিতৈগী মমাত্তনা বেদ মুর্তি ভগবান্ হয়গ্রবনা সমস্তরগী শতম লৈ রস তলদ থবখি মগী অকুপ্ত রদি রজোগুণ অনানা হিংচাবী মধু কৈটভ রস তলদ লখিব অহুনা, অখানা চপচৎপা মক মদা মপানগী মুর্তি (হয়গ্রীবনা মুর্তি) [illegible] সাতল তাম্ন ইন্নখিদনি অমতোমমনা হিংচাবা অনীহুনা হুপ্তা। ভগবান হয়গ্রীবমক হুদয় মুত্তঙ্ক অমন অন্নো মদনা, বেদগী নাদ (ধ্বনি) [illegible] উংকে হথবগী মমক রস তলদা ভগবান্ মখানা সামগান তৌখিবনি অমদে এবনা অসুক নদবু [illegible] মধু কৈটভ কৌবা হিংচাবা অনীহুবু [illegible] থমগী শানাংসু ওইবা হয় ([illegible]) [illegible] স্বামী উদাত্ত স্বরিত গী গ্রাম ([illegible]) অহুমগী [illegible] সপ্ত সুর (স্বর) অসিবু অন্দোক থখিন [illegible] হয়গ্রীবন [illegible] গ্রাম অহুমগী [illegible] অমত [illegible] চিবা পুক কৌব [illegible] অহুনা ৰম্ম অমমদা, ব্রহ্মাগী [illegible] কৌবা মপোক্তা [illegible] ভগবান হয়গ্রীবনা রসাতলদ বেদগা (সামগান) তৌখি। বেদ মুর্তি ওইবা ভগবানা মখা মক্তা বেদ গান তৌরিবচ বেদ মখামক্তা বেদগান

শৈক্ষ্য স্বরং সমাম্নায় উদগীতং প্রামৃজ্জস্বরম্। স স্বরঃ সাম্নাদীচ সর্ব্বশঃ সিদ্ধ এব চ ॥৫৫॥
বভূবাস্তুর্ম্মহীভূতঃ সর্ব্বভূত শুভোদিতঃ। ততস্ত বসুধৌ কত্বা বেদন্ সময় ক্ষনান ॥৫৬॥

নাদ অমনি স্বরঃ অনামক্তা 'ওলবা সামগানগী বোৎলব' নৌরবা ধ্বন অহৃ রসাতলগী মকম পুম্নমক্তা পুম্নিল নিম্না শব্দোকখি মকম অহুদা লৈবা অচ্চত্ত জীবপুম্নমক্তা মফমদা হৌম্ম গুণচেম্নবগী মশক ওইখি। * ॥৫৫॥

মধুকৈটভ কৌবা হিংচাবা অনীহুনা বেদগী পাঠগী ধ্বনিক্ত তাবদা, মখোয় অনীনা পুরকপা বেদশিং অহুবু কলপাক (কাল কৌবলাকগী থোগী) না ক্ষয়পুনশিন্দুবা আ রসাতলদা খাদ অহুম্না থাদর-ম্নগা বেদ পঠনা খোম্নম লাকঁলবা মহৈগেদামদা চেনশিনখি ॥৫৬॥

[illegible] রসাতল [illegible] শব্দোকে হায়বগী দমক মশামক্তদগী দুবে [illegible] অনীবু [illegible] (কালাচঁদ)

[illegible] পুরক্তা মফমদা হৌম্ম পুরক গুণচেনম্বগী মশক [illegible] ক্ষয়িরবাসিগী [illegible] অমগী অকবা [illegible] উনগী [illegible] কমত মওই। [illegible] লৈবা জীবাশগী [illegible] ঐশ্বর্য্য [illegible] মখো [illegible] মশা পুরা [illegible] গুণ [illegible] মশক [illegible] ক্ষয়নি [illegible] মশুং চক্ষহনবগী [illegible] মশক মতৌ কক্ষবা [illegible] হায়নবে। [illegible] মাবু উবগা মী থাইনা [illegible] হায়বে [illegible] গুণ [illegible] মশক ওইরবা মধুকৈটব অনীনা [illegible] রসাতলগী [illegible] স [illegible] মখোয়বু লায়না জয় তৌখিব তাবে হায়হনা স [illegible] লৈরিবা বেদ (জ্ঞান) [illegible] পুহনা অকম বদা লৈরিবা অহুগুম্বা ব্রহ্মাগী মথুক্তগী বেদবু [illegible] থক্সিবা হিচাবা অনীহুবু অহুগা মাখোয় অনীগী প্রকৃতিবু কয়ুগুণচেনহন্দুনা উহুর তৌবগে হায়বগী দমক ভগবান্ হয়গ্রীবনা [illegible] থডনথডন বেদবু ব্রহ্মাগী মথুক্তগী মুলহনখিবনি। [illegible] ব্রহ্মাগী মথুক্তগী অহুগা মাগী মম উমক্তদগী বেদবু কনানা মুন্দুনা

* বেদগানগী [illegible] তাবদ মখোয়না হুদুনা পুরক্রিবা বেদশিং অহুনা মশা [illegible]

পৃথিবী ওমুগদৌরিবমে। তমোগুণদা মপু ওইনা লৈছনা জগৎ ব্রহ্মাণ্ড অসিবু মীকুপ্ত থুগাইবা ওবা সর্বশক্তিমান ভগবান্ শ্রীনারায়ণনি। রজো গুণ তমো গুণবু অ [illegible] পুগাইবহ্ ভগবান্ শ্রীনারায়ণনা পাম্মে য়ারিবমথৈ বেদ ধ্বনি তাহন্দুনা, মখোয়দা সাত্ত্বিকজ্ঞানগী উপদেশ পীহন্দুনা মপা মপানা ভব তাকয়রুনা সাত্ত্বিক অবস্থা দা কাখৎলকুনা রজোগুণ তমোগুণ [illegible] মশম অদম [illegible] মুচ্ছ[illegible] ভগবান্ নারায়ণগী অপাম্বা উদ্দেশ্যনি। অদুন, মূল প্রকৃতী অর্থ [illegible] মাছুদি মখোয়গী এক[illegible] গুণ চেম্বগী মশক ওই। গুণচেম নবগী হায়বনি, সত্ত্বগুণচেম্নবগী মশক ওত [illegible]য়বনি। অদুবু হিংচাবা মখোয় অনীগী খখোয় হকচাং পুম্বা তমোগুণতনা কুপশিন্দুনা লৈগ্রবনি। চুম্ন বল ধ্বনি তাহন্দুনা জ্ঞান তাকপনা চৎনমকত্রহনা অদুগা মখোয়গী আত্মাদু রজোগুণ [illegible] অনীগী উদ্ধার তৌনিবদু য়াদবনিনা তমোগুণতনা [illegible] খুদিং চপ্পা মখোয়গী পাঞ্চ ভৌতিক ওইবা [illegible] থুংলায়না কক্থৎ লিগদৌবিবনি। অবতার অবতার খুদিংদা ভগবান্ [illegible] জগৎ [illegible] সত্ত্ব ওইব কর্মতনা, অদুনা রজোগুণ রাজসিক ওইবা কর্মতন [illegible] তামসিক [illegible] না তৌই। মাদুগী [illegible] সত্ত্ব রজঃ তমঃ গুণ [illegible] "[illegible] অর্জুন" হায়রিবদু। কনাগুম্বনা লৈ হৌরবা [illegible] অদু পোক লোকপা [illegible] অর্জুন মখোয় মশা মক্তা পোক্তু ওনাথবা নত্তে। অদুগুম্বা দেশ কাল পাত্র [illegible] শ্রীজনব। নির্গুণ নির্বিকার ওইবা ভগবান্ [illegible] সত্ত্বমূর্ত্তি মপুং। রাজসিক মূর্ত্তি মপুং অদুগা তামসিক দেহদু মপুং। মসাক্তা তৌব কর্মদা ঐশ্বর্য্যগী [illegible] তৌরিবসিগা চাংদমহনা মাবু নিন্দা তৌবা চুমদে। তৌরিবশিং অদু মহাপাপী নি। (কালাচাঁদ)

মপান্দোংগী পঞ্চভূতনা শারিবা হকচাং অসি নত্তে। মপানগী শরু ওারুগী মপৈ ওইবা হকচাংগী ফজবা তান্নবা মকোক ওইদুনা মনা মথেল কংদুনা কীর্ত্তি (মিংচৎ) অদু কংলবসু মাদু তৌশিন্নবা মায়াগী মিংচৎনি। হয়েংত্ত ওারবে কজে হকচাং অদুবু উরগা নাতোন মেন্দুনা চেন্নগদবা। শ্রী (সম্পত্তি) অদুসু হয়েংত্ত ওায়রে আশ্রয় লৈত্রবীগুম অমদগী অমদা খুথাং য়ৈদোবা। লক্ষ্মী হায়রিবী অদুসু অদুনি। মাসি করিদগীনো হায়বদা মখোয়বু থাদোকশিল্লোইদোবা মখোয়বু মশক ওলহল্লোইদোবা, মখোয়বু চাওখৎপগী মথক্তা চাওখৎহনগদবা অরেপ্পা আশ্রয় (স্বামী) অমদা চঙজহৌ দবদগীনি। অদুদি নারায়ণ মঙোন্দা আশ্রয় লৌবা হায়বসি করি হায়রিবনো ? নারায়ণ হায়বদুবু কমদৌবগে হায়না হংলবদা খুমগদবদি অসিনি :—কীর্ত্তি (মিংচৎ) তান্নকপা মতমদা, শ্রী (সম্পত্তি) তান্নকপা মতমদা লেঙোইদৌবী, মশক তোংঙোইদৌবী মিংচৎসি করিনো, অদুগুম্বী সম্পত্তিসি করিনো, কদায়দা লৈ অশিনচিংবসি খল্লগা অদুগুম্বা মিংচং পু তান্নকপদুবুনি নারায়ণগী আশ্রয়দা চঙওকপা হায়রিবসি। মতম মতমদুগী ওহাক ওহাক্তং তোঙাল তোঙানবা শক্লোন পুদুনা অবতার তৌরম্লগা ভগবান্না মাগী লেওত্ররা নারায়ণ (বিষ্ণু) গী মূর্ত্তি অদুগা অদুগা নারায়ণগী থামদা হেক হেক হজিনখি। অদুন মূল শ্লোককী অর্থদা হায়রিবদুনি মাদুদি কীর্ত্তি (মিচং), শ্রী (সম্পত্তি) অদুগা লক্ষ্মী—মখোয়সিগী আশ্রয়দি ভগবান্ শ্রীনারায়ণতনি। সাংখ্য শাস্ত্রগী অদুগা সাংখ্য যোগগী অরোইবা উদ্দেশ্যসু ভগবান্ নারায়ণতনি—প্রকৃতি পুরুষ অনীবু তোঙান্ন তাদুনা লৈহল্লিবা অদুকী জগত্তা কনাগুম্ব অমতনা অরোইবা লেওত্রবা শান্তিবু থিবা কংঙোই। প্রকৃতি পুরুষ অসি নারায়ণ গী মূর্ত্তিনা হেক চঙসিন্নথ্রবা মতম অদুতদা প্রকৃতি পুরুষ অনীসিনা পুল্লবা জীবাত্মানা শান্তি কংগনি।

(কালাচাঁদ)

✽ ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী মূর্ত্তিদি অসিমক্রি হায়দুনা, চীঙ পুম্নমকপু নত্তে নত্তে হায়দুনা। হন্দোক্লমলগা হিমালয় হায়রিবদুদি অসিনি হায়দুনা হিমালয় কৌবা পোৎশক চীং অমত্তদা উৎপত্তগুম্না পোৎশক অমতদা উৎকদবা নত্তে। বাং চাউ-ই হায়দুনা হিমালয় মথন্তনা চীঙ পুম্নমক্তা শীন্দুনা লৈবা ওম্বনত্তে। শ্রীনারায়ণগী অস্তিত্বদি মকম পুম্নমক্তনি। মকম অমতদা লেঙদনদি লৈ হায়ববু মাগী মঙাল মাগী শক্তিনা মকম পুম্বদা পুমগৌ রৌবা অদুম অদুম ওইবা পোৎশকশিং অদো, ভগবান্ শ্রীনারায়নগী স্বরূপনি হায়না থঙগদবনি হায়বসি মূল শ্লোকতু অসিগী অথম্বা বিবৃত্তি অদুগী তাৎপর্য্যনি। শম্না হায়রবদা বিষয়শিং অমদি পোৎশকশিং অসিগী মরু ওইবা মপুংদি অসিনি মাসিগী মঙ্গুংদা ৬টৈদু লোইনা মঙ্গুং চঙ্গবসিনি

অধিষ্ঠানং তথা কর্ত্তা করণঞ্চ পৃথগ্‌বিধম্। বিবিধাশ্চ পৃথক্‌ চেষ্টা দৈবং চৈবাত্র পঞ্চমম্ ॥৮১॥

করিগুম্বা সাত্ত্বিক কর্ম অমগী পাওখোক্‌কম (মফম্) অমু, পাওখোকদোরিবা মীশক কর্ত্তা অমু, পাও-খোকপমুনা কারণ (করণ—নচাক) ওইরিবশিং অমু, তোংনরক্লিবা তোউরক্লিবা চেষ্টা মরাম অমু অমুগা মরিসিগী মথক্তা মওতুবা ওইনা দৈরিবা দৈব (লাইগী নোংদম—মরামরবক্ত তম্বা)—মখোয় মণ্ডা অসিগী ওইরিবা মশকশিং অমু শ্রীনারায়ণগী স্বরূপনি * ॥৮২॥

অমুক্সা খিজিনখিবগী মশক (রূপ) ওইরবা কর্ম অমুমক শ্রীনারায়ণগী কমগী মশক ওইরবা স্বরূপনি। অমুনা, নারায়ণগী স্বরূপতি কর্ম ওইনমু দৈ, স্বভাব ওইনমু দৈ, প্রধান (মরুওইবা শরূক্) ওইনমু দৈ, দৈব ওইনমু দৈ। তৌগিবা কর্ম অমুনা রাজসিক তামসিক ওইরবসু মতাং চারুমুনা, করিগুম্বা "নোংদম্ অমদগী সাত্ত্বিক কর্ম ওইরম্বা নত্রা" ওইরক্লবা অমু ওইরবদি অমুগুম্বা সাত্ত্বিক কর্মগী কারণ ওইবা দৈব অমু হায়রবদি—লাইগী নোংদম অমু শ্রীনারায়ণগী স্বরূপনি। শ্রীনারায়ণনা পীরকপা মদু মখে মহাক্তা স্বরূপনি হায়না লৌগদবনি। মরম অমুনা, শ্রীনারায়ণগী মূর্ত্তি হায়রবমুবু কমদৌ বগে, কয়া রাংবগে কয়া নেম্বগে, পাম্বেম কয়া পানবগে হায়মুনা হংগদবা নত্তে। আত্মা মহাক্ মশামক্তা অমুমক উজরগদবনি। অসিগুম্বা জ্ঞানগী সাত্ত্বিক অবস্থাদা দৈরিডৈদা ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী মূর্ত্তিদি অমুম ওইকম থোকই হায়না ওইহনকলিবা, শারক্লিবা মূর্ত্তি অমুমক নারায়নগী মূর্ত্তিনি হায়না লৌব য়াই। অমগ মগ খনহল্লিবা রাজসিক অমুগা তামসিক মূর্ত্তি মখে ভগবান্ শ্রীনারায়নগী সাত্ত্বিক মূর্ত্তি নত্তে।　　(কালাচাঁদ)

* মূল শ্লোককী অর্থ ওইনা হায়রিবশিং অসিগী ভাবতি অসিনি—নারায়ন (ঈশ্বর) মহাক্কী মূর্ত্তি (স্বরূপ) অমুবু মীং মক্তা উগে হায়রবমু উবা ফংগনি—মামুদি :-
পোশক অমুবু উদবা অশাউবনা লুত্তোন্ কাখিমুনা মরা ক্রক্ ক্রক্ চীকুনা পোং অমুবু থুদেক্লবদি, লংখাই রবদি মহাক্তা লংখাইরিবা পোং অমু মাগী মু শিনদবা য়েক্লবা অমুমক্কী মূর্ত্তিনি। নত্রবদি মহাক্তা থুদেক-লিবা লংখাইরিবা পোং অমুগা লংখাইরিবা মহাক্তা থোইদোক্ত য়েংথনবা মুংওাইনদবা অমত্ত তৌনখিদে। মুংশিনবা মী অমুনা পীরকপা পোং অমু পাক কোনশিন্দুনা কপ্পি চুপলি। মামু মহাক্কী চান্নবা মী অমুনা মহাক্তা কোল্লিবা পোং অমুগী মূর্ত্তি লৌমুনা লাকপনি। অমুগুম্না পোং থুদিংমক ভগবানুগী অউবা মূর্ত্তি (ব্যক্ত মূর্ত্তি) ওইহনবা য়াই। ভগবান শ্রীনারায়নমক লাক্লবমু, উরিবা মাগী মমীত্তা, অমুগা থম্মোয়দা, ভগবানুবু অমুক্ত উগে হায়না থরকপ মাগী আশাবু থংহনবা ওবত্রবদি, অমুগা ভগবানমুবু উবদা পোক্তদবা তুজুংবা, হরাউ মুংওাইবনচিংবা পোক্লদবমুবু পোকউ য়াত্রবদি মাঙোন্দদি লাক্লিবা মূর্ত্তি অমু নারায়নগী নত্তে।

পঞ্চকারণসংখ্যাতো নিষ্ঠা সর্ব্বস্য বৈ হরিঃ । তত্ত্বং জিজ্ঞাসমানানাং হেতুভিঃসর্বতোমুখৈঃ ॥৯০॥

সর্ব্বব্যাপক ওইবা, মকম পুম্বদা লৈবা শ্রীনারায়নগী তত্ত্ববু খঙনীংলিবা মখোয়ছুগী মকমদা মহাযোগী ওইবা শ্রীনারায়নতনা অমত ওইবা জ্ঞাতব্য তত্ত্ব ওই ঃ ॥৯০॥

মকম পুম্নমক শীন্থুনা লৈরিবা মাবু উদে হায়ববদি মহাক্না উনিংলিবা ভগবান্ নারায়ণ অদু অকক্লবা মূর্ত্তি অমদগী হেন্না পুবা ওমদবা নারায়ণ ওইব তাই । অদুগুম্বা সর্ব শক্তিমান নত্তবা, সর্বব্যাপী নত্তবা জগৎ পুম্বা শীন্থুনা লৈতবা, মায়া তৌবা নারায়ন ওইব তাই । অদু ওইরবদি অদুগুম্বা নারায়ণ অদু উখিত্রবা কান্দা নারায়ণ মূৎশ্রে, নারায়ন লৈশ্রে, নারায়ন শিশ্রে অসিনঙিবা হায়রম্বা য়াবা নারায়ন জাৎ অম ওইবা তাই । অদুগুম্বা নারায়নবু উনিংব মীতনা নাস্তিক ওইগনি । উরগা লৈরে হায়বা, উত্রগা লৈত্রে হায়বা, মচা-মশূবু উরগা লৈ হায়বা, শিগ্রগা লৈতে হায়বা মপানগী কবিশ্নু নত্তবা কুয়োম তদা লৈ লৈতে হায়না য়ারিবা লুংঙাইরিবা সংসারগী মায়া মোহদা তাউরবা, হায়বদি, মপানগী অশিবা মাংস পিণ্ড অসিনা খুদোনবীদা হাপ্তুনা পুরবা মখোয়ছুনা জ্ঞানগম্য ওইবা (জ্ঞানতনা উগদবা) নারায়ন মহাকপু উবা কলোই । অদুনা মূল শ্লোককী অর্থ হায়রি—করিগুম্ব সাত্বিক কর্ম অদু তৌগে থাল্লবা মকম পুণ্যস্থান অদুমক ভগবানগী অউবা মুর্ত্তিনি । অদুগুম্বা সাত্বিক অবস্থাদা লৈরিবা কর্ত্তাছুগী আত্মাগী লৈকম ওহরিবা হৃকচাং অদুমক নারায়ণগী মূর্ত্তিনি হায়না খনগদবনি অদুগা খঙগদবনি । (ক'লাচাঁদ)

ঃ হায়রিবসিগী অরায়বা লোন্দি করিনো হায়বদা, মকম মতম পুম্বদা লৈবা ভগবান শ্রীনারায়ণগী তত্ত্ব তবু খঙনীংবা, মাগী তত্ত্ব নত্তনা অতোপ্পা দেবী দেবা অমগী মরমদ থোইনা থিনিংদবা, হায়বদি, ভগবান শ্রীনারায়নগী মকমতদা শ্রদ্ধা থম্বা অদুগুম্বা ভক্ত অদুগী মকমদদি, মহাযোগী ওইবা, হায়বদি, মকম অমতদা লেঙদনা লৈরিগৈদ্রমক্তদা মকন পুম্বদা পুনয়ো য়োবা অদুগা মহা যোগ সাধন হায়বদুমকী মশক ওইবা শ্রীনারায়নতনা খঙননীঙ ইবা তত্ত্ব অদু ওই । অদুগুম্বা শ্রীনারায়নগী মকমদা ঐকান্তিক ভক্তি লৈবা মী মহাকী মকমদদি জগৎ অসিগী মনুংদা লৈবা করিগুম্বা পোশক অমতনা তত্ত্ব থিননীঙ'মগী পোশক ওইদে । শ্রীভগবান নারায়নগী তত্ত্ব খঙবা নত্তনা অতৈ করিগুম্বা কনাগুম্ব অমতগী তত্ত্ব খঙনীঙদে । মাদু মহাক্না অতৈদুবু মীরায়রম্বা নত্তে, অতৈ পুম্নমক অদু নারায়নগী তত্ত্ববু থিবগী মনুংদা লোইনা লৈরে হায়না খঙথিবদগীনি । পোশক অমতগী মথাদা জগৎ পুম্নমক্ লোইনা উরবদি পোশক অদুমক নারায়নগী অউবা মূর্ত্তি ওইরে । পোশক্ অদুনা ঐ নারায়ন নি হায়না হায়রক লাউরকদবা নত্তে । ঐ অমনা উপ্রগা ভগবাননা পেনবিগদবসু মত্তে । অউবা ঐনা ইথত্ত পেঙ্গনুংঙাইজগদৌরিবনি । নারায়ন মহাক্তি আপ্তকাম নি । ঈপেন্ত পেন্দুমা লৈরিবনি । সিমতং রাংলি হায়বা লৈত্রবা ভগবাননি । তাইবং মী যোগী কনা কনাগুম্বনা যোগ সাধননা নত্রগা তান্ত্রিক বিদ্যা না অয়াপপা মকম অমদসু ওহাক্তদা য়োরুবা অদুগা

তত্র:মকো মহাযোগী হরি র্নারায়ণঃপ্রভুঃ । ব্রহ্মাদীনাং স লোকানামৃষীণাং চ মহাত্মনাম্ ॥৯১॥

মকম পূম্নমক্ত শীন্দুংনা লৈব প্রমাণ হেতুশিংনা পাম্বে ওইহনা অনীগুব অমলৈত্রবা মথন্ত তায়বা ভত্বহব্ খঙগদবগী অহুগা মাহুব্ খিগে থব্রিবশিং অহুগী খিংগবা অহুগা খঙগদবা অমত ওইবা তব্রদি মহাযোগী ওইরবা ভগবান্ শ্রীহরি নারায়ন মাগী তনি * ॥১.॥

মহা সিদ্ধপুরুষ অমনি হায়গদ্রীংবদগী ওস্থোক ওম্বোকপা সাধনা না অঙকপা থবক উংলি। ভগবান্ নারায়নদি মহাযোগীনি। মকম অ'ন্তদা লেপ্তদনা লৈবগা মকম অতৈ অতৈদম্ব অহুম .মরৈরুবা অহুগুম্বা মহা যোগীনি। যোগ পূম্নমকী ঈশ্বর (মপু) .যাগেশ্বর অহুগা যোগী পূম্নমকী ঈশ্বর যোগীশ্বর হায়বহুস্থ মনাক্তনা ওইবনি। জাতি পূম্নমকী সম্পপ্রদায় থু.দংমরু। মাগী মাগী ইষ্টদেববু অতৈ খাইদগী অহেনবনি হায়হন্নীং লবদি ইষ্টদেবহু নারায়ন ওইহনগদবনি। ঐখোয়না ওইহনগদবা, শেমগদবা, শাগদবা নত্তে। নারায়ন হায়বা মিং (শব্দ) অসিনা পীরিবা অর্থহু থোকপা, মাগী মাগী ভাবাগী শব্দনা মাগী মাগী ইষ্টদেবহুগী নামকরণ তৌগদবনি। অমত ওইবা ভগবান মহাশক্তি নির্নাম নি। মাগী মিং আসনা লোইরে হায়বা লৈতে। নারায়ন হায়বা রাইহ কর্ম বাচক শব্দ'ন। "অচচ্চল জীব পূম্নমকী ফুংনকম ওইনা লৈবা" হায়বর্তান। লৈবা হায়বসি থবক অমনি, কর্মনি। অহুম অহুম্ ওইবা ইষ্টদেবশিং অহুনা অহুগা ইষ্টদেবশিংহুগী তত্ত্বব্ থিজরিবা ভক্ত শিংহুগী জ্ঞানদা, বুদ্ধি, পুক্নীংদা কাওর্ক্লবা "নংগীদগী ঐগীনা হেল্লি" হায়বা জগত্ত অশান্তি পীগদবা অনুভব অসিবু কোকহনবা ওমত্রবদি, ইষ্টদেবশিং অহু নারায়ন অমত ওইত্রে। মাগী মাগী ইষ্ট.দব অহুবু সর্বশক্তিমান নি হায়বসি হায়নীংবা ওাক্তনি, ওইস্নু ওইহন্নীংলিবনি। সর্বশক্তিমান ওইবা পোংতি অনীগুবা লৈব য়াদে। পূম্নমকপু কোনশিন্নুনা পুব ওমত্রবদি অহুগা ওমহন্ত্রবদি অয়েম্বদা হায়বা সর্বশক্তিমান নি। রাম, কৃষ্ণ. যীশু, বুদ্ধ মহাবীর, অল্লা, খোদানচিংবা পূম্নমক অসিবু মহাক মশা মথন্তগী অঙ্গ প্রত্যঙ্গ অমমম্ ওইনা পুওম্বা, নার পূম্নমকী অয়ন ওইবা হায়বদি নারায়ন ওইবা ওমত্রবদি মহুগা মাহু ত্তবগী অর্থ থোকপা মিং মহ :থাব্রবদি অহুগুম্বা নারায়ন নত্তবা ইষ্টদেব অহুনা অহুগা মাবু .শাগৎলিবা ভক্তশিংনা জগত্তা অশান্তি পোকহল্লি। পূম্নমকপু যোগ তৌবা মহাযোগীদি নারায়নত্তনা ওইগদবনি।

(কালাচাঁদ)

* হায়রিবা বাসি নারায়ন ওইব শ্রীহরিবু নীংদবা, অহুগা তত্ত্ববুদি খিনিংবা কাওবুনদি য়ানিংঙোই। য়ানিংঙোই দবগী মরমদি নারায়ন কৌবা, হরি কৌবা অয়েম্বা মীশক অম লৈবগী শেরায়বা অর্থদা পুখিবা অহুননি। তৌবগীদি প্রভু যীশুস্থ থাজৌ. মাবুত নীঙঙু" হায়হনা, অকরুবা যীশু কৌবা পীরুবা, খুরবা, সীমাগী মহুংদা লৈবা অকরুবা মীশক অমতবু হুংশিবা কাওবু (সম্প্রদায়) গী মহুংদা, মাবু থাগৎপা মানা তৌরম্বতবু শরু শোম্নবা নত্তনা যীশু তত্ত্বব্ বৈজ্ঞানিক দৃষ্টি কোণ (সাইন্টিফিক্ পোইন্ট ওফ্ ভিয়ু) দা

থিরকপা মীশক অমত্তা ওসি ফাওবদা লাকই। মাগী তৌবওম্বা, লৈমুংদা কুইন্লৈরুবদগী হিংগৎলকপা, অহনবু নাহা ওইহনবা মমীত্ত ওববু নানবিরগা কব অসিনচিংবা বাইবলগী বারী মতাং লৌহুনা খ্রিচিয়ান ধর্মবু শন্দোকপনা অয়াম্বা ওাক্তনি। যীশু হায়বাদ কারি হায়্রবনো, করি তত্ত্ব লেবদগী যীশু কৌখ্রিবনো হায়বা অসিনচিংবা তত্ত্ববু ক্ননাগুম্বা অমতনা উত্র। মথক্কী মূল শ্লোককী অর্থদা হায়রিবসিগী ভাবত্তি মহাপুরুষ লিশিং লিশিংগী তত্ত্বশিংবু তোঙান তোঙান লোইবা থব্ব নাহবোদমখে থিবা তোক্তুনা ময়ামসিগী তত্ত্ববু লোইনা খওবগা চপ মান্নরগদৌবা অমত্ত ওইব তত্ত্ববু থিনিংবা কনাগুম্বা যাওয়বাদ নারায়ন কৌবা অসিত্তগী তত্ত্বথিরগা লোইরে অসিত্তনি। নারায়ন হায়বা শব্দ অসিগী লক্ষণা ব্যঞ্জনা লোইনা শাওরবা পারিভাষিক ওইবা অর্থাদ—মানা চংশদা লোইনা চংপা, মানা কম্বদা লোইনা কম্বা, মানা হেক চংথিবদা মাওথিবদা জগত্তা পোশক অমও লৈহৌররোইদৌবা, পুন্নমক মাগী মম্নুংদা লৈবা খাইদগী অয়ন-আয়ন ওইবা হায়বদি, থোকথিকম, ময়াম্ন অমত্ত ওইন্না ভিন্নপ্রকম, মা অমতংবু নীংবদা ওতৈ অত্তৈবুসু নীংবদা অত্তুম ময়াওথবা অসিনাচিংবা সর্ব্ব্যাপক ওইবা নারায়ন কৌবা শব্দ সিত্তনা সর্ব্ব্যাপক ওইবা হায়বত্তনি। মাগী মাগী ভাবাদা অর্থ পুন্নমক অসি য়াওবা য়াবা শব্দ অমতং খন্নবা মাগী নাম থোনগদবনি। লৈত্রগা নারায়ন হায়না অস্নন ঈকায় কায়দনা থোন্নবসু কায়দে। নারায়নগী তত্ত্ব থিবতুনা যীশুগী, অল্লা খোদাদগী, রামগী; কৃষ্ণগী, বুদ্ধগী, মহাবীরগী, জিগোবানচিংবশিং অসিগী তত্ত্বশিং অসি অত্তুম মশানা লাকচরনি। যীশুদি লৈত্রে, খ্রীষ্টসু, রামসু লৈত্রে, কৃষ্ণসু লৈত্রে জগৎনা হৌজক কাওবা লৈহৌরিবসিদ করিগীনো হায়না হংলবদা যীশু কৌহুনা কৃষ্ণ কৌহুনা রামকৌহুনা শান্নগুম্বা ভগবান্ নারায়নদি হৌজিক কাওবা অস্তুম মরৈরি। অহুনা জগৎ অসিসু হৌজিক কাওরা অস্নুম মরৈরি—অহুননি। নারায়নগী মম্নুংদদি লৈত্রে শিত্রে হায়রিবশিং অহু অত্তুম মরৈরি। অসিগুম্বা যুক্তিবাদ (আরগুমেন্ট) পীরকপা মতমসিদা মূল শ্লোকক্কী অর্থদা মথক্তা হায়খ্রিবহু লাক্লে। "মকম্ন পুন্নমক্ত শীম্নংনা লৈবা প্রমান হেতুশিংনা পাম্বে ওইহুনা" হায়বা রা অম হায়খ্রে। হেতু প্রমান, অনুমান, অসিনচিংব লোন্দাসি ন্যায় শাস্ত্র (লোজিক্) গী রাহৈ ওাক্তনি। মাদোমদা নৈনরুবদি লোইবা থম্বানাইররোই। হেতু প্রমাণ অসিনচিংব পীনরকপসি বিদ্বান (স্কোলার) শিংগীসু অমত্ত মান্নরোই। "আকাশ" হায়বা পোশক অমনা লৈরিবসি কারি হেতুগীনো ? হায়বা রাহং অসিগী পাউথুমশিং অসি লিশিং পুথোক্লরকনি। মকম পুন্নমক্ত শীম্নংনা লৈবা প্রমান হায়বসি স্বতঃসিদ্ধ হায়বহুতনা ওই। "পোং অপূম্না মাগী মচেৎতগী হেন্নচাউই" হায়রিবসিদা করি প্রমান লৈ ? প্রমান তৌ হায়বা য়াত্রে। "স্বতঃ প্রমান" নি। মশানা মশাগী প্রমান নি। প্রমানগী নয়কপদা অমত্ত থান্নখ্রিবসি "পরতঃ প্রমাণ" ওইহুনা তৌরিবনি। প্রমান অনীসিগী ময়মদা কানা কনবা কন্দব হায়বহুগী ময়মদা শঙ্করাচার্য্যগা মণ্ডন মিশ্রগা কুইনা য়েৎনখি। লৈতবনা লৈরবদি করিগুম্বা হেতু অমদগী লৈবনি। লৈরম্বহুনা লৈথিখ্রিবসু করিগুম্বা হেতু অমনা লৌথখ্রিবনি। মকম অসিদা লৈরম্বা চহুনা লৈথিখ্রিবসি করি

সাংখ্যানাং যোগীনাং চাপি যতীনাত্মাবেদিনাম। মনীষিতং বিজানাতি কেশবো নতু তস্য তে ॥৯২॥

ব্রহ্মানচিংবা দেবতাশিংনা, লোক পুম্নমক্ত লৈরিবশিংনা, মহাত্মা ওইরবা ঋষি শিংনা, আত্মজ্ঞানী যতিশিংনা করি করি খল্লিবগে হায়রুহু ভগবান্ শ্রীনারায়ণ কেশব না লোইনা খঙ্ঙ। অদুগা ভগবান শ্রীনারায়ননা করি খল্লিবগে হায়বদুদি মহ জ্ঞানী ওইরবশিং অসিগী মমুং কনা খঙদে * ॥৯১—৯২॥

হেতুদগীনো করিত্তোগে হায়রদুনা লৈখিদ্রিবনো হায়না হংবা অদুগা হায়বদি য়াই। অদুগা, মকম অসিদা শূকলৈ, লৈত্রিবা চফু অদুনা করি হেতুগী লৈত্রিবনো হায়না হংলদি, মাসিগী পীনরকদবা হেতুশিং অদু মপোক ভরেংতম্‌ থীবা লোইরোই। দেহমুং অমদা আত্মা মহাক মশা মথন্তনা অম পান্মি। দেহমুং অমদনা অতোপ্পা অম পান্মুই। দেহ অমদনা ধর্ম অমা চৎল্লি, অতোপ্প দেহ অমদা ধর্ম অমা পান্মুরি। মাসি করিগীনো হায়না হংবগী পাউখুমশিংগী মখীংনা য়ামগদবা অদুপ, মকম অসিদা শূকলৈত্রিশা চফুদুনা করি হেতুদগী লৈত্রিবনো হায়না হংবদুগী পাউখুমশিংগী মখীংসু অদুপ য়ামগনি। অসিগুম্বা মতমদা সর্বব্যাপক ওইবা নারায়নগী অস্তিত্ব না হেতুসীহন, খুমবতদ, ভনশিন্নখিগনি। লৈত্রিবদুদি মাগী মহুত্তা লৈবিবনা নারায়ননা লৈরদুনা লৈত্রিবনি। অদুগা লৈরিগনা লৈরিবা পোৎ অদুগী মশক লৌদুনা নারায়ননা লৈরিবননি। "নারায়ণ" শব্দগী অর্থশিং অদুনা হায়রিবা রাশিংসি ঈকোন কোনথ্রে। "লৈবা লৈতবা অনী-গী মচীন অনী তিন্নকন অমত ওইবা তত্ত্বব খঙবা কৌই" হায়না গীতানা সাংখ্য যোগ তদা হায়থ্রে। ধর্মগী প্রনালী কয়া কয়া লৈবম্মি, কয়া কয়া মৃৎথ্রে অদুবু ধম হায়বা অমদি অসুম মরৈরি মাসি ভগবান শ্রীনারায়ননা লৈবননি। মাগী মমুংদা লোইনা লৈরম্বা মাগী মমুংদা লোইনা লৈখিদবা, মতোন্দগী লোই-নাপোকখিবা, মতোন্দা লোইনা অমুক চঙশিনখিব অসিনচিংবগী অর্থতুনা য় ওবা নারায়ন কৌবা নামবু পুরিবা ভগবান্ মহাক মথন্তগী তত্ত্বব খিরগা লোইরে। অসিগুম্বা তত্ত্বব খিদুনা অসুম লাকপগী লম্বীদা কৃষ্ণগী তত্ত্ব, রামগী তত্ত্ব, যীশুগী তত্ত্ব, অল্লা খোদানচিংবগী তত্ত্বশিং অদো লম্মখাঙদা অসুম থেংনরকনি। মহাদেব খুরুম্মুবগী দমক বারুণী চীংদোন্ শাবগী শাংলবা লম্বীদুগী মরক মরকত লম্মখাংঙদা মহাদেবদুমকী মঙৎ মওংগী মূর্ত্তি কয়া কয় লৈরম্মি মাদু পুম্নমক্ অদু থনম্মগা খাটগী মতোল (জেনিঠ) দা লৈরবা মহাদেব অদুতবু উনববা ফংনবা যাত্রিকশিংনা কাখৎনরক্লি। অদুগুম্না ঐখোয়গী লংখাংদা লৈরম্নবা ধর্মশিং অদুবু থোইনা নিন্দা তৌরমদনা, অহোয়নদুম খুরম্ খুরমলমদুনা নারায়ণীয় ধর্মগী লম্বীদা চঙশিন-খিগদবনি। অদুতনা আত্মাসিনা শান্তি ফংগনি হায়নবা শান্তিপর্ব্বলিদা নারায়ণীয় ধর্ম কৌবগী মতাং অসি তায়রক্লিবনি। মশক্ উদবা ভগবান্ মাগী মিংশিংগী শব্দশিংগী অর্থতদা পঙয়েত্ত য়েংনবনি। (কালাচাঁদ)

* ব্রহ্মানচিংবা দেবতা পুম্নমক্না অসি অসি ভোগে হায়না খল্লিবা, মহাত্মা ওইরবা মহর্ষি, দেবর্ষি, ব্রহ্মর্ষি, রাজর্ষিশিংনা মাগী মাগী মতমা ভগবান্ মহাক্কী তত্ত্বব অসিনি, অদু নত্তে হায়না য়েংনরিবা,

যে কেচিৎ সর্বলোকেষু দৈবং পিত্র্যং চ কুর্বতে। দানানি চ প্রযচ্ছন্তি তপ্যন্তে চ তপোমহৎ ॥১৩॥
সর্বেষামাশ্রয়ো বিষ্ণুরৈশ্বরং বিধিমাস্থিতঃ। সর্বভূতকৃতাবাসো বাসুদেবেতি চোচ্যতে ॥১৪॥

বিশ্বজগৎ আসিদা কনাগুম্বনা দেবতাশিংগী পেন্নবগী দমক্তা যজ্ঞ তৌরি। কনা কনাগুম্বনা প্রেত লোকত লৈপ্রবা মপা মপুগী শ্রাদ্ধ কর্ম তৌরি। কনা কনাগুম্বনা অতিথিমচিংবগী পেন্নবগী দান কর্ম তৌই। হায়রিবা মখোয় পুম্নমক অসিগী আশ্রয়দি বিষ্ণু ভগবান্ তনা ওই। তৌরিবা মখোয় পুম্নমক অসে শ্রীবিষ্ণুগী ঐশ্বর্য্যগী মথন্ত তোংচনা তৌজরিবনি। পুম্নমক অসিগী লৈকম ওই হায়হুনা ভগবান মহাকপু বাসুদেব হায়নমু কৌবৈ ॥১৩—১৪॥

য়েংনবমথৈ য়েংনরগা লেপখ্রিবা, মহাকপু কংননবগী কংননবগী দমক্তা মনুং মনুংদা মুনি ঋষি অহুগা যতি শিংনা তৌনরিবা তোঙাল তোঙানবা যোগ সাধনা, তৌনরক্লিবা শান্নরক্লিবা গুণ গান, খীনরক্লিব' স্তোত্র, তৌনরক্লিবা স্তুতিপাঠ পুম্নমক অসি, ভগবান্ নারায়ন মহাক্কি ঈতা তায়, মখোয়না পাম্লিবা তোঙাল তোঙানবা মূর্ত্তি মওং অদুবুমু ভগবান্ কেশব নারায়ন মহাক্কি খড়িও। অহুগা ভগবাননা করি তৌগে খল্লুনা জগৎকী সৃষ্টি অসি তৌখ্রিবনো হায়বহুদি মখোয়সিগী ময়ক্ত কনা অমতনা খঙদে। হায়রিবা অসিগী মনুংগী ভাবতি—ভগবান্ নারায়নগী তত্ত্ব খঙলগা হক তোক্কবা নত্তে। তত্ত্ব খঙলবা জ্ঞানীশিং অহুদগী ভগবান্গী নারায়ণনা করি পাম্মি হায়বসি অস্লক খল্লগদবনি। ভক্তশিংনা মখোয়না পাম্বিবা পুম্নমকতু ভগবান্গী মকমদা লোইনা হায়দোকলে। ভক্তশিংগী নীংবা থুংহনগে হায়বগী দমক্ত ভগবান্ মা লৈরিব্রা? ভক্তশিং মখোয়দগী ভগবান্না করি পাম্মি হায়বসিমসু অমুক খল্লগদবনি। ভক্তশিংগী মকমদগী পাম্লিবা পোথক অহুদি ভগবান্দা লৈজদবরা? অসিনচিংব অকুপ্পা য়াকম অসি লাকই। ভগবানগা ভক্তগা অনী তিন্নবগী আনন্দ (নুংঙাইবা) অহুদি ভক্ত য়াওদনদি ভগবান মথন্তনা কংবা ওমদে। ভগবান না ভক্তগী মীচঙ চঙচনা হেক হেক কনবিবনি। ব্রহ্ম মশামক্তা ব্রহ্মানন্দবু কংবা ওমদে। জীবগা ব্রহ্মগা অনী তিন্নবগী নুংঙাইবহু "জীবো ব্রহ্মৈব কেবলম্" হায়বা ভাক্তমু কংব ওনদে। অহুগী দমক্তা ভগবান শ্রীনারায়ণনা জগৎপু শেম্বনি। তাইবংমীনা মুমশাবিবা, উচেকশিংনা মহুম শাম্বিবসি মাহুদা লৈরগা নুংঙাইবা অহু কংননবগী দমক্তনি। মতৌ অহুগুম্বা ভগবান্ মহাক্তা জগৎপু (হকচাংশিংবু) শেম্নগা—জগৎ অহুগী মকম পুম্বদা শীন্থনা লৈরগা জগৎ অহুগী মনুংদা লৈবা কনাগুম্বা ভগবান মহাকী তত্ত্ব খঙনা চঙজরকপা কনাগুম্বা য়াওরবদি ভক্তহুগা তিন্নহুনা ব্রহ্মানন্দবু কগে হায়হুনা জগৎপু শেম্বনি, ভক্তবু শোগৎপনি।

(কালাচাঁদ)

* পৃথিবী পুম্বা সিন্না লৈরিবা তোঙান তোঙানবা জাতিখুদিংগী মী পুম্নমক্তা পরম্পরাদগী মাগী মাগী জাতিদা চংনরকপা বিধিহুগী মতুং ইন্না দেবপূজা, পিতৃলোকতা লৈপ্রবশিংগী শ্রাদ্ধনচিংবা তৌনরিবসি

অয়ং হিনিত্যঃ পরমোমহর্ষির্মহাবিভূতির্গুণ বর্জিতাখ্যঃ।
গুণৈশ্চ সংযোগমুপৈতি শীঘ্রং কালোযথর্ত্তাবৃতুসম্প্রযুক্তঃ ॥১৫॥

শ্রীভগবান মহাক্তি নিগুর্ণনিং নির্বিকারনি, নিরঞ্জননি, পরমর্ষিনি, নিত্যনি, ঐশ্বর্য্য পুন্নমক্না তিনবনি। সত্বরজ তম কৌবা গুণ অহুমগী রাংমদা লৈরবস্থ মপাম্ষোংদা খক্চুনচিংব গুণবু পুন্নিবা কাল (মতম্) গী মতৌগুম্না মতম মতমচুগী মতুং ইন্না জগৎকী উপকারগী গুণশিং অস্থ হেক্ পুই। * ॥১৫॥

শ্রীবিষ্ণুগী আশ্রয়দা চঙজনগা তৌনরিবমক্তনি হায়রিবা অসিগী তাবত্তি— তৌরিবা যাগযজ্ঞ সেবা পূজা নচিংবগী অধিষ্ঠান (মফম) অচুগা সেবা পূজাগী সামগ্রী, অচুদগী হেন্দোক্তুনা বিষ্ণু ভগবান্গী বিস্তার ওইবা দেবী দেবা অতৈ অতৈগী আবাহননচিংবা তৌনরিব পুন্নমক অসি বিষ্ণু মহাকী আশ্রয়, মহাকী সহায়-তা লৌদনা তৌনরিব ত্তাক্তনি। হায়রিবা পুন্নমক অসি মহাকী শক্তিগী মথক্তা তোংজনবা তৌরিবা, অদুগা হায়রিবা পুন্নমক অসিদস্থ ভগবান নারায়ণ মহাক্না চঙচুনা লৈ হায়বগীদমকস্থ মহাকপু বাসুদেব হায়-নস্থ কৌই। মহাক্না তৌরক তৌরকপা থবক্তুগী মতুংইন্না তোঙাল তোঙানবা নাম (মিং) লিশিং লিশিং পুন্নিবাসিগুম্না অতৈ করিগুম্বা জাতি অমগী ইষ্ট দেবনা অমুক য়াম্ব নাম ময়াম্ অসি পুত্তমদে। মাসি করিদগীনো হায়বদা অতৈ অতৈ জাতি শিংগী মাগী মাগী ইষ্টদেবগী ঈড়াৎ পুজাদা অমুক য়াম্ন কুপথবা কীবম অমদি পুজা পদ্ধত্তি অসি লৈতে। লৈত্তবগী মরমদি মাগী মাগী ইষ্টদেব নারায়ণীর শক্তি হাপ্না ত্তমদে। অচুনা পুজা সেবাগী অকুপ য়াম্না কুপ্না মওং অসি জাতি অতৈগীদা লৈতে। লৈত্তবা অসিগী মরমদি অতৈ অতৈ দেবতাশিংনা নারায়ণ, বাসুদেব শক্তি পুবা ত্তমদবদগীনি। দেবতাশিং অচুনা ত্তমদবা নত্তে। দেবতাশিংচুগী ভক্তশিংনা ত্তমহন্দবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা পুন্নমকপু শেম্বিরগা শেম্বিরিবশিং অচুগী চীঙ্গাক চুনবিচুনা অন্নাং-অপা পুস্বা মেনশিনরিরিবা অসিনচিংবা অর্থ পুন্নমক অসিগী অর্থবু পুবা য়াহৈ অমতগীমিংবু থোম্দুনা কৌব ত্তমদে। হে জগৎপু পোকপিবা, হে জগৎপু ত্তাকপিবা, হে জগৎপু থুগাইবা, অচুম্না তোঙান তোঙানবা শক্তি অমমমতবু পুবা হায়না কৌরবদি ভগবান্দি মানা মানা থোন্নিবা, কৌরিবা পাম্নিবা অচুত্তগী মহৈদা পী। প্রমান অমদা হায়রগা, রৈথার খিনগাইবা কোকপিং ত ত্তম্বা শ্রীগনেশদা মাগী ভক্ত কাওবনা সংসারদগী মুক্তি পীনবিয়্ন হায়না বর নিত্তমদে। মরমদি মুক্তিপদবী পীবা হায়বসি শ্রীগনেশগী মথৌনত্তে হায়বনি গানপত্য ধর্ম চৎপা মখোয়না কাওবা পাক হায়বা ত্তমদে। অচুনা, সর্বশক্তি মান ওইচুনস্থ মানা মানা পাম্বচুগী মতুং ইন্না কৌরম্নিবা য়াহৈচুগী মতুং ইন্না ভগবাননা মাঙোন্দা শক্তি পুম্বা পীজিমদে অচুনা ভক্ত মহাকস্থ নীংবা ঈথুং থুংনদে। মাসি কনাগী দোষনো? ভগবানগীরা, নত্রগা ভক্তগীরা?

(কালাচাঁদ)

* ভগবান নারায়ণগী বিবরণ থর পীরি —পীরিবা নিবৃত্তি মরাম অসিসু নারায়ণ হায়ব শব্দসিদগী

থোকপনি। ভগবান্ নারায়ণগী নিয়ম বিধিবু ঐথোয় খাইনা মত্তৌ তমগদবনি। মহাক্না শেম্বা "মতম্" হায়বদুগী থোঙলোয় মতু' ইন্না অশেম্বা মগাকস্নু অহুম কায়দনা চংলি। সত্ত্ব রজ গুণ অহুমসি মহাক মখা না শেমজবনি। ঈশা ঈশানা শেমজবা গুণ অহুনা গুণ চেমবা হায়বদু ওইগদবনি। মীনা পীরকপা গুণ উপাধি (মথক্ত তৈবা) শিং অহুনা নম্নুনা থবক তৌরোইদৌবনি। ভগবান্ ঈশ্বর মহাক্না নারায়ণ ওইব মকমনি। মশানা শেমজবা গুণ অহুম অসি অমুক্তদা অমা, নত্রগা অনী, নত্রগা অহুম্মক জগৎকী উপকার তৌননবগী মতমদুনা হেক্ হেক্ লাকপদা শীজিন্নৈ। থবক্তু হেক পাঙথোকত্রিমথৈ মগুন (গুণনা তিন্‌বা) ওই। গুণ অহুমদু পুদুনা কোংথৌ য়ৌবা মরমদা অসিগুম্বা থবক্কী মতুং ইন্না মথাদা লাকচবা মিং "সগুণব্রহ্ম" হায়বসি মম্নুংগী তত্ত্ব খঙবশিংনং হেক হেক থোক্লি থবক্ অদু হেক পাঙথোকপগা খুদক্ত গুন অহুম অদু থাদোক্তুনা গুন য়াওদবা ঈচম চম্বা ওইনা হায়বদি নির্গুন ওইনা ওইনা মাগী থাম (লৈ-কম) দা হন্জিনখি। লৈপাক্না অচৌবা থবক পুরুবগী কীজোল অদু হোংদোক্লগা, থোয়বা, লেমথোকপা চাওথোকপা (রজ—তম) অদু থাদোক্তুনা মীচম প্রজা অমগুম লৈগদৌবনি হায়বসি সগুন অমুক ওইব নির্গুন অমুক ওইবা ভগবান্ (ঈশ্বর গুম্বা) নারায়ননা আধ্যাত্মিক রাজনৈতিক জগত্তা তাক্‌পিন্নি। মহাত্মি কাল অহুমক্তা মরোল অহুমগী মহা আদর্শ পুরুষ অমনি। বিজ্ঞানগী অচম্ব খুদমদা হায়রগা ঈশিংনা মশাগী সাত্ত্বিক গুন থাদোক্তুনা গুহাক্তং রজোগুনদা শাহল্লমগা শারিডৈগী থবক অদু পাঙথোকলম্লগা হান্নগী মাগী সত্ত্বগুনদা হন্জিনখি। ভগবান সৃষ্টি কর্ত্ত নাবায়নদি মশানা চংলিবা গুন ধর্ম (মথৌ) অহুমক মহাক্না শেম্ব খুংশেমশিং অসিবুস্নু চংহল্লি। মহাক্ মশানদি তৌরগা মীবু তৌ তৌ হায়দুনা ঈহ্নিনবত হৈবা অদুগুম্বা শাসন কর্ত্তাশিংসিগুম্বা নত্তে। বিশ্বব্রহ্মাণ্ড অসিগী শাসন কর্ত্তানিকো, ঐ নারায়ননিংকো হায়বসি খঙনা, জ্ঞান তানা মশানা শেমলিবা নিয়মশিং অদুগী মতু' থবক তৌরগা প্রজাশিংবুস্নু তৌহনবা অদুগুম্বা জগৎ শাসন কর্ত্তা নারায়ননি। যীশু, রাম, কৃষ্ণ, বুদ্ধ, মহাবীর নচিংবনা চৎলিবা নিয়ম বিধি ধর্ম মখোয় অসি নারায়ন কৌবা মহাক্না শেম্বিবা ঙাক্তনি। যীশু হায়দুনা মহাকস্নু থবক অসি তৌগে হায়রবদি নারায়ন ওইনা তৌগদবনি। নারায়ননা তৌরম্বা থবক পুম্বা মহাকস্নু তৌদুনা উৎপা তাই। নত্রবদি মহাকপু জগৎপ্রভু কৌবা য়াংরোই। শংজভু, কাংলেল, ইঙেল ঈঙেল, কৃষ্ণ পক্ষ, শুক্ল পক্ষ যুগ, কল্প, চহী, থা, চৎনোল, নুমিৎ, যুথক অসিনচিংবসি কাল হায়বদু তাইবং জীবগী কান্নবগী দমক্তা মপানদা পুন্নিবা গুন কর্ম ঙাক্তান। কাল কৌবা মহাক্তি ঈয়াও য়াওজবনি। কালেন কৌব নাম অসি কাল থন্নদং (কাল মহাক্কী শরুক (থন্নদং) কাল কৌবা নারায়ন মহাক্না রজোগুন পুদুনা উনাশী না থর চাকথেকলম্লগা, বর্ষ, ঋতু মান অসি পুদুনা অমুক লাকই। অমুক তত্ত্বগুণদা লৈদুনা বসন্ত কৌদুনা শেমগং শাগৎপগী থবক তৌই। চাকথেকহন্নবস্নু কাল মশান্নরুনি, অমুক থন্নদং কুইরপ লৈহন্নবস্নু মতম কৌবা মহান্নুনি। অমুক থুগাই-খিবস্নু মতম (কাল) কৌবা মহান্নুনি। সৃষ্টি স্থিতি সংহার গী থবক অসি নারায়ন মহাক্না কাল কৌদুনা

নয়ুগা কাল (খোমজিনবা) গী থবক তৌবা নারায়ণ মহাক্না তৌরিবা থবক অসীদা জগৎকী মপা ওইবা মহাক্না মচা ঐখোয়দগী মতেং পাম্মি । মচানা মপাগী মথৌদা মতেং পাংবা হায়বসি ধর্মনি । অসিনি নারায়ণীয় ধর্ম হায়বছু । হায়রিবা পুম্নমক অসিগী পুন্নপা অর্থ কোংদোকপা য়াবা শব্দ অমতনা শাবা নাম খোয়গে হায়রবদি নারায়ন হায়না খোনবা নত্তনা অতৈ খোননিঙাই লৈতে। সংস্কৃত শব্দ নি, ঈরোন মত্তে ভাকস্থ হায়বা য়াদে। ন্, আ, র, আ, য়, অ, ণ মখোয় খুদিংমক জগৎ কী জাতি পুম্নমকী খোম্থোক্লি, লোয়্নি। মখোয় পুনশিল্লগা ওইখিবা পুন্নপ খোম্থোক অতুস্থ জগৎকী জাতি খুদিংনা হায়দোকপদা য়ারোইদবা লৈতে। নারায়নগী তত্ত্ব খঙবা মাপ্লেনা মুমিৎ চুপ্প নারায়ন হায়বা নাম অসিদগী হেন্না অতৈ থক শোনখিদে। অপোকপা, পোক্তবা, শিদবা, শিবা, অসিনচিংবা য়াহৈগী অর্থনা মথকী অর্থ ময়াম অসি থক কোংদোকপা য়ারোই। "ঐগী মাগী" হায়বসি দেশ কাল পাত্র চাদনা থক্ শীজিন্নরোইদবনি। রাজনীতিদা মরু ওইবা শীজিন্নরবস্থু পরমার্থ দৃষ্টিদা গাও, ময়াং, মীতৈ, পাঙল, নত্তবা আত্মা (ঐ) গী ধর্মগী তত্ত্ব খিরকপা মতমদা অতুক য়ান্না কম শীজিন্নরোইদৌবনি। ঐগী ধর্ম, মাগী ধর্ম, ঐগী লোল, মাগী লোল হায়নরিবসি লৌকিক ওইবা বিচারদা হায়নবা ভাক্তনি। অলৌকিক জ্ঞানতনা তত্ত্ব খিরকপা মতমদদি মাসি য়ারবদি পুমথা থাদোক্লগদবনি। অসিগুম্বা পাউতাক অসিস্থ "নারায়ন" হায়বা শব্দগী অর্থনা অতুম মপীয়ি। অতুদা মথকী মূল শ্লোককী অর্থদা অতুম মহায়গ্রে মাঙুদি নিগুর্ন, নিনাম (মিং লৈতবা), অব্যক্ত ওইবা, ভগবান্ (ঐশ্বর্য্য পুম্বা পুব) মহাক্না অচচ্ছত্ত জীব পুম্নমকী কান্নবগী দমক্তা নারায়ন ওই। নারায়ন ওইবগী থবক তৌই। থবক মশানা, অতুম্ ওইজবা য়িংনি। গো (ইন্দ্রিয়, পৃথিবী, শন, বাণী) বু পালন তৌদবা মীচম অমদা গৌপাল হায়না হেকত খোনজিনবা, অর্থ য়াওদবা অতুগুম্বা গোপাল নত্তে শ্রীগোপাল দেব নারায়ননা ওইবা গোপালদি। যুগ-যুগ খুদিংদা ভগবান্ নারায়ন মহাক্না নারায়ন ওইবগী মথৌ ঈথা থাদোক্তনা অবতার শক্লোলশিংগী লীলা (থবক) দা জগৎতা লীলা শান্ন শান্নরমতুনা জগৎত শান্তি পীননবা হোৎনরক্লি। শান্তি থ্‌গাইনবা ধর্মনা লৈবা নত্তে। হায়রিবা নারায়নীয় ধর্ম অসিতনা শান্তি কংননবা উপায়নি হায়না শান্তি পর্বদা নারায়নীয় ধর্ম কৌবা মতাংদা শ্রীব্যাসনা ইরি। আত্মাসিনা শাগী উচেক্কী দেহ মুংদা লৈরিঙৈদস্থু ঐগী মাগী হায়বা য়াথল অসিনা মপুং ওইনা শীজিন্নতুনা ময়াগা ময়াগা, মগীনগা মচীনগা, মশাগা মশাগা নয়তুনা শুনতুনা থবনখিবতু ঈকায় কায়দনা ভাইবং হকচাং লান্ন কাওবদা আত্মা (ঐ) না হৌজিক কাওবা ধর্মগীনি ইজাতিগীনি হায়রিজিন্নতুনা, অমগমগ থবনলীংতুনা লৈরিবসি করিগীনো হায়না থনকম খোকই। শান্তি শীগদবা আত্মা (ঐ) না শান্তি থ্‌গাইনবা হোৎনবিরবসি করিগীনো হায়বসি থনকম খোল্লবনি।

(কালাচাঁদ)

নৈবাস্য বিন্দন্তিগতিং মহাত্মনোনচাগতিং কশ্চিদিহানু পশ্যতি।

জ্ঞানাত্মকাঃ সন্তিহি যেমহর্ষযংগুণাধিকম্ ॥১৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম পর্ব্বণি নারায়ণীয়ে দ্বিচত্বারিংশদধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ॥

——:(০):——

মহাত্মা ওইরবা শ্রীনারায়ণগী গতি (খোঙচৎ) দি কনা অমত্তনা খঙবা ঙমদে। মহাত্মা খোরকপা লাকপগী মরমন্থ কনা অমত্তনা চপচানা খঙবা নত্তে। মহুং মপান পুম্বা জ্ঞানগী মপকৃত কনা কনাগুম্বা জ্ঞানী মহার্ষিতনা নিত্য ওইরবা, অন্তর্যামী ওইরবা ঙমথৈ লৈত্রবা গুননা তিন্নবা সাকার পরমাত্মা মাগী দর্শনবু ফংবা ঙম্মি * ॥১৬॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তি পর্বদা নারায়ণীয়দা মরুংদা চহুম নীকুনীথোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥

——:(০):——

* ভগবান শ্রীনারায়নবু মহাত্মা কৌবগী মরমদি:—বিষ্ণু পুম্নমক্কী হৌরকফম মহাবিষ্ণু হায়রবা লৈ। দেব পুম্নমক্কী থোরককম মহাদেব হায়রবা অম লৈ। পঞ্চতন্মাত্রা পুম্নমক্কী হৌরকফম পঞ্চ মহাভূত হায়রবা অম লৈরি। লক্ষ্মী পুম্নমক্কী হৌরকফম মহালক্ষ্মী হায়রবা অমা লৈরি। সরস্বতী পুম্নমক্কী হৌরকফম মহা-সরস্বতী হায়রবী অম লৈরি। অদুগুমদুনা ভোঙাল ভোঙানবা দেহদা চঙদুনা লৈরিবা আত্মাশিং অসিগী থোরককম মাগী মশেক মঙালশিংনা চাইথোরকম মচান আত্মা—মহাত্মা হায়রবা অম লৈরি। অদুগুম্বা মহাত্মাগী খোঙচৎ পু খঙবা ঙমদে মহাক্কী অংশ অমতং ওইবা আত্মাসিমতংগী তত্ত্ব কাওববু মপুং ফানা কনা অমত্তনা খঙদে। অদুনদি আত্মা পুম্নমক্কী পুন্নপ পুনকম মহাত্মা মাগী গতিবু কনানা খঙগনি? হায়রিব সিগী অরায়বা মওংগী থূদম ওইনা হায়রবদা মঙাল পুম্নমক্কী হৌরকফম চাইথোকফম মুমিংকী মঙাল শিংনা মায়গৈ পুম্বদা চাইথোরকপদা ভারুরিবা পোৎকশিং অদুগী রূপ (মশক—মচু) অদু মঙালশিং অদুগী মশক্ মচু অদুম মওইরুই। অশংবদা ভারুরগা অদুম শঙিঙ, অঙাংবদা ভারুবগা মঙাল (মুংশা) অদু অদুম মঙাত্তিঙ। ঙাওলিবা, শংলিবদু কি অদুগী ঊপা অদুগী মচু নত্তে, মুংশাদুগী মচুনি। অদুবু মচু লথা লথাদা ভারুবগী ভারু ভারুরিবশিং অদুনা মঙাল অদুগী মচু অদুম মওইবদুগুম্না ভুমিংঙী ব্রহ্মা কাওবা দেহদুংদা মঙালগুম ভারুরিবা আত্মাশিং অদুনা মখোয়না ভারু ভারুরিবা দেহদুগী মচু মওং অদুম মপুই।

অছুগা, মচু অথা মওালশিং অছুগী হৌরবকম ঙমিং মাগী মচুদি অসিনি হায়বা কনা অমত্তনা থগুদে। অহুক চাউনা মীৎনা শং-শংনা উছুনা লৈরিবা ঙমিং অদিগী গতি মঃগা মচুবু লেপ্পবা ওমক্রবদা মথক উবা মহান আত্মা মাগী গতিবু কাম হায়না কাগা থওগৌরিবনো ? মনুংসু মপানসু জ্ঞানগী মশকত ওইরবা কনা কনাগুম্বা মহর্ষিশিংত্তনা ভগবান্ মহাত্মা নারায়ন মাগী গতিবু থওব ওশ্মি। নথোয় অছুত্তনা পরমাত্মাগী দর্শন ফংবা ওশ্মি। (কালাচাঁদ)

মণিপুরী মহাভারত

ত্রিচত্বারিংশদধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(ভগবান্‌গী মফমদা ঐকান্তিক ভাব থম্বগী মতাং)

চহুমনিফু ছুমদোইশুবা অধ্যায়

——:(+):——

জনমেজয় উবাচ

অহোহ্যেকান্তিনঃ সর্বান্ প্রীণাতি ভগবান্ হরিঃ। বিধিপ্রযুক্তাং পূজাং চ গৃহ্ণাতি ভগবান্ স্বয়ম্ ॥১॥

জনমেজয়না হায় :—ব্রহ্মন্‌! অকোপ্প অতৈ অম থন্দনা ভগবান নারায়ন মহাকপু নীংজবা ভক্তশিং পুম্নমকপু চপ মান্না পেনবি। অছুগা মথোয়না—বিধি কায়দদা তৌরকপা পূজাবু মথুংমক্তা লৌবি হায়রসি কয়াদ ফুংত্তাই ঞবা য়ানো + ॥১॥

+ মরক্তা অতৈ অতৈ মায়গৈদা হাইদোক্লরবস্থ অকোনবদা মমৈদা হাম্নগী নীওথিবছুতদা তারকপা অছুবু ঐকান্তিক কৌই। থোওহৌদদি ঐকান্তিক ওইরকপ অত্তদা মচান অনী কাংনা তারুরবদি মাহু ঐকান্তিক কৌবা য়াদে। অহানবদদি মাগীদমক্তনি অতৈ অমগী নত্তে হায়ছুনা হৌপ্রগা হোয়েল অরোয়বদি

মীশক পোশক অনীগীদমক ওইকল্লবা অচুদি ঐকান্তিক নত্তে। চেন্থরকপা মতমদা ঈচেল অচুমা অনী অহুম থোক্লা চেন্থরকলবস্থু সমুদ্রদা তারকপদা মচীন অনী লোওদনা তারবদি মাচু ঐকান্তিক নি। চেন্থরকপা মতনদি ঈচেল অমত ওইরবস্থু তারবা মতমদা ঈরোং অনী কাংলবনি, হায়বদি সমুদ্রদা তারবা মতমদা মচীন অনী কাংনা তাক্লরবচুদি মাচু ঐকান্তিক পতন কৌত্রে। ঐকান্তিক হায়বা রাহে ভক্ততদ নত্তনা অতৈ অতৈ বিষয়দস্থ হায়বা ঈরা য়াই। ঐকান্তিক ভক্তি, ঐকান্তিক পুজা, ঐকান্তিক দান, ঐকান্তিক উদ্দেশ্য ঐকান্তিক ভজন অসিনচিংবা হায়বা ঈয়া হেক য়াই। এক+অন্ত (অরোইবা অমতা) অনীসিদগী থোকখিবা শব্দনি। অমত ওইবা, হোৗদবা অরোইবা হায়বনি। অহানবদদি মাগীদমক্তনি হায়রগা অরোইবদা মাগীস্থনি হায়রগা অচুগা অহানবদদি নংবুতনি ঐনা চুংশিজবা হায়রগা অকোনবদা অমস্থ য়াওরক্লবা অচু ওইরবদি মাচু ঐকান্তিক প্রেম নত্তে। অচুনা জ্ঞানী ভক্তশিংনা ঐকান্তিক ভক্তি অচু কায়দনবা ভগবানদা আরাধনা তৌবা মতমদা স্তুতি তৌরকপা মতমদা রাহে রাতাশিং অচু য়াম্ন শিংনা রাখল তৌনা স্তুতি তৌই। সর্বদেবনমস্কারঃ কেশবং প্রতিগচ্ছতি” ভক্তি শ্রদ্ধাগা লোয়ননা কোক নোঞ্জরবদি (খুরুমজরবদি) মাচু দেবতা অতৈ অতৈদা খুরুমজরবস্থু কেশব (নারায়ন) গী নাক্ত য়োই। মঙোন্দা খুরুমজবগা অম্মানি। অসিগুম্বা রাথম্না স্তুতি তৌরবদি, অতৈ অতোপ্প দেবতা অমদা খুরুম্মরবস্থু, মাচুনা ভগবান্ শ্রীবাসুদেবদা থম্লিবা ভক্তি অদো ঐকান্তিক ওইবদা ঈকায় কারদে। প্রমান অমদা হায়রগা, হে পিতা! ঐনা মঙোন্দা খুরুমজরি মপানা পেল্লগা দেবতাপুম্মমক পেল্লি। দেবতা পুম্মমক্না পেনবিরগা, দেবতা পুম্মক্কী সমস্তাত্মা বিষ্ণু মহাক্না পেনবি। অসিগুম্বা রাথম্না মাওওইননা ভক্তিগা লোয়ননা মপাদা খুরুম্মবদি। মহাক্না তৌরিবা ভক্তি অচু ঐকান্তিক না? ওইরবদি কনাগী মকমদা থম্লিবা ঐকান্তিক ভক্তিনো? তৌরিবা ভক্তিগী ঈচেল অসি অরোম্ববদা বিষ্ণু ভগবান্দা লোইশিনব্রি, মাসিনা পিতৃভক্তি, বেদভক্তি, বিষ্ণুভক্তিদা অকায়বা থোইনা লৈত্তে। ভগবান্ শ্রীনারায়ণদা —“হে নারায়ণ। ঐগী ঈপাস্থ নহাক্নি, ঈমাস্থ নহাক্না ওই; গুরুস্থ নহাক্নি” হায়না ভক্তি তৌরবদি ঈপা ইমাবু গুরুবুদি মীরায়দুনা নারায়ণদা খুরুম্বা থোক্কদরা? নত্তোন্দা খুরুমজবদা ঈপাদা ঈমাদা গুরুদা খুরুমজবগা অম্মানি অসুম্না হায়দুনা খুরুমজবদা ঈপা ঈমা গুরুনা শাউগদ্রা? ঐগীদি অম থওদে, অম থওদে, পিতা! নহাক্না ঐগী ব্রহ্মানি, ঐগী বিষ্ণুনি, ঐগী রুদ্রনি হায়না ঈপাদা ভক্তিগা লোয়ননা খুরুমজরিবদি মাচুদ তৌরিবা হাপলিবা ভক্তি অচু ঐকান্তিক হায়গদ্রা—? ওইরগদি কনাদনো বিষ্ণুদরা, ব্রহ্মাদবা, রুদ্রদবা? ঈপাদরা? অসুক য়াম্ন শাংথনা ভাওজু রিবসিগী তাৎপর্য্যাদি করিনো হায়বদা ঐ ঐকান্তিক ভক্তি তৌরিদো হায়দুনা অমতদা চু পায়বগুম পায়বা অচুস্থ কত্তে হায়বা রাখল সিমচু থক্কং থোকই অসিতনি। ঐকান্তিক ভক্তি নিদি হায়ববু মাসিদা লৌকিক বিচার য়াম্ন চত্তিও। চানীভায় ইহত্রবা, লাম্নবা মী ময়াম পরেংশানা কম্ন। মাচুগী মরক্ত ঐগী গুরুদেব অচুম্ন য়াওরি। ঐনা দাব তৌগে হায়দুনা পুররিবা অচাথক অচু গুরুদা ঐকান্তিক ভক্তি লৈরিবনি হায়দুনা

যে তু দগ্ধেন্ধনা লোক পুণ্যপাপবিবর্জ্জিতাঃ। তেষাং ত্বয়াভিনির্দ্দিষ্টা পারম্পর্য্যাগতা গতিঃ ॥২॥

চতুর্থ্যাং চৈব তেগত্যাং গচ্ছন্তি পুরুষোত্তমম্। একান্তিনস্তু পুরুষা গচ্ছন্তি পরমং পদম্ ॥৩॥

সংসারগী বাস (পুন্নমক (থিহৌবগা লোয়ননা অপাপ্ত পুন্নমক) অদু মী মহাক অদুগী থস্মোয়দগী চাকথেক্তুনা পাইথোক্রবা, পাপ পুণ্য অনীগী হাথন্দগীসু লাম্থোক্রবা মীশিং অদুদি পরম্পরাদগী কনেরক্লি-বা পদবী (ধাম) অদু কন্তি হায়বগী মতাং অদুসু ব্রাহ্মন মহাক্না লীবিরে—তাহনবিরে ॥২॥

ভগবান শ্রীনারায়ণগী ঐকান্তিক ওইবা ভক্ত অদুদি শ্রীবাসুদেবগী অনিরুদ্ধ, প্রদ্যুম্ন, সংকর্ষণ কৌব শক্তিশিং অসিদগীসু লাম্থোক্থিন্না, মরিগুবা বাসুদেব কৌবা গতিদথুংখিন্না ভগবান্ পুরুষোত্তমবু অদুগা পরমধামবুসু ফংবা ওন্নি * ॥৩॥

অয়াম্বা অতৈন্দু চগৌ য়েংদুনা লৈহন্নগা গুরুতগা কংশিনগনি ? আত্মদি অমতনি, দেহ তে তাঙ তোঙানবদা লৈবোই উবতনি, আত্মাদি অয়াম খৌরাংবা লৈতে হায়বা আধ্যাত্মিক বিচার অসি তাঙ্গাদুদা মওং করিদা লৈগনি ? মরক্তুনা য়াওরিবা গুরু অদুনা মহাজ্ঞানী গুরু অম ওইরম্নবদি মহাক্ অস্তুম্না হায়দোর-কনি —"থনম্মু নহক্না অচাপোৎ অদো, ঐথোয় মপাম মবা অমমম্ত ওইরবসু য়েন্নদুনা চাহৌগে"। অস্তুম্না হায়বিরম্নবদি অচাপোৎ পুরক্লিবা মহাকী গুরুদা থম্লিবা ঐকান্তিক ভক্তি অদো উকায় কায়দে। মতম অদুদা অশিংবা দাতা অদুন "ঐগীদি অতৈ থওজদে, গুরুদা কচ্চরি। গুরুদেবনা ময়ামদা চপ য়েন্নবিহৌগেরা, থোকপা তৌবিহৌ।" অস্তুম্ন হায়দুনা অচাথক অদু গুরুদা শিন্নরমদুনা চৎপ্রবদি শিষ্যাংগী গুরুগী মকমদা থম্বা ভক্তিদু শোংলবী ঐকান্তিকী নি। অতৈ অতৈ অয়াম্বশিং অদুসু পেলহৌরে, গুরুদুসু মাগী শিষ্যাগী ঐকান্তিকী ভক্তি ঈবদুদা পেলহৌবে। দাতা ওইরিবা অদুসু মপূক্নীংদা চিংনবা লৈত্তনা পেঙ্গদুনা চৎপ্রে। দেহ পুন্নমক্ত লৈবা শ্রীভগবান নারায়নসু থোক্টনা পেনবিরগনি। অদুনা গীতাদা মত্র ওইনা থজিক্তুং তাকপি "বুদ্ধি যুক্তো জহাতীহ — —"। বুদ্ধিগী পাম্বৈনা জ্ঞান, কর্ম ভক্তি অদুমসিদা লাক্নবা গুণ দোষ পুন্নমকপু তেমশিন্নি। মাসিনি জ্ঞানী গুরু, জ্ঞানী শিষ্য হায়রিবসি। মাসিনি বুদ্ধ যোগ হায়বক্লী তত্বসু। জ্ঞান যোগ হায়বনা অমনি, বুদ্ধি যোগ হায়বনা অমনি। পুন্নমকসে ভক্তি যোগগী তাকপৌ তাক্তনি। শ্রীভগবান নারায়ন নাগী মকমদাদি গুরু অদুসু দাতা (শিষ্য) অদুসু অতৈ অতৈ অয়াম খৌরাংবশিং অদুসু ভক্তগী ভক্ত মক্তনি। মথোর ময়াম্বা তাঙনরিবা তৌনরিবা, মাগী থস্মোয়দা থম্নরিবা

* অথোইবা ধাম (পরম ধাম) হায়রিবসি বদরি কাশ্রম, দ্বারকানচিংদগুম্না অউবা মকম তীর্থ-স্থানগুম্না লৈগদবা নত্তে। আত্মাসিবা মথং মথং কাথংলক্পগী অয়োইবা থাক হায়বতনি। পরম ধাম দা কাপ্রবা আত্মা অহুবুনি পরমাত্মা হায়রিবসি। মথং মথং কাথংলকদবা থাকশিং অমা কাথংকদৌরিবা

ন ন্যমেকান্তধর্মোঽঙ্গং শ্রেষ্ঠো নারায়ণপ্রিয়ঃ। অগত্বা গত্যস্তিস্রো যৎপদ্মন্ত্যাব্যয়ং কবিদ্‌ ॥৪॥

হায়রিবশিং অসিদগী করি ভায়রকপগে হায়বব্‌ অতৈ অতোপ্পা রাখল অম থন্দনা ভগবান্‌গী ভজন (ভক্তি) গী মশক ধর্মতনা খাইদগী অহেনবা অহুগা নারায়ণ মশানা পামজবা ধর্মনি। মরম নারায়ণীর ধর্ম গী মশক ওইরবা ভজন (ভক্তি) গী শাপ্পনা ভক্ত অহুনা মথক্তা হায়রিবা থাক মখিহুগী মথুংদা অহানবা থাক অহুমহুবু লাম্বোক্লমহনা মরিগুবা বাসুদেব কৌবা থাকত কাথিহনা, অমাও অতা লৈত্রবা ভগবান্‌ শ্রীহরি (নারায়ণ) বু কংখি ৪ ॥৪॥

শিং অহুগী মশাদা করিগুম্বা ভৌরবিবা কঁয়জিরবগী ভাব অমত য়াওনদ্রবদি মাহু ভক্ত ঐকান্তিকী ভক্তি হায়বহুনি। মথক্ত হায়রিবা থুদম প্রমানসিদা য়াওরিবা ভক্ত শিংঅসি মথল মম্রিমক গুম্রে। জ্ঞানী ভক্ত জিজ্ঞাসুভক্ত, অর্থার্থীভক্ত, আতুর ভক্ত হায়বা ভক্ত মরি অহু য়াওম্রে। পুরুষীংদা লোথুপ লোকোই লৈ তনা ভৌরকপা ভক্তি অহু ঐকান্তিক হায়বহু অহুম মওই। অহুগুম্বা ৩ক্তশিং অহুগী মকমদা ভগবান শ্রীনারায়ণনা মতম লৈবা থিবিক্ত পেনবিহুনা গুাক লৈ অসিগুম্বী ঐকান্তিকী কৌবী ভক্তিবু লৈরবদি, ভসাইগী দাতা অহু পুরক্লিবা, অমগীদকক তমপ্রবা দোষ লৈরবা—পোশক অহু শেংলবা পুজাগী সামগ্রীনি হায়না শ্রীভগবান্‌ নারায়ণনা লৌবি। (কালাচাঁদ)

আত্মা মহাক্ত' অমা, অস্রুম্না লৈগদবা নত্তে। ওইরক্‌ ওইবক্লিবা আত্মা' মহাক্তা মশামক্তা থাক থাক অহুম ওইপ্রগদৌবনি। ঐ পরম ধাম য়ৌরেদো হায়চনা মচক্তা হায়মক্তদবা অতস্থ নত্তে। অহুগুম্বা অবস্থা (থাক) অহু মরিনি। অনিরুদ্ধ প্রদ্যুম্ন, সংকর্ষণ, বাসুদেব মরি অসিনি। ঈকোন কোনবা মরিগুবা বাসুদেব কৌবা থাক্‌ আত্মাগী তুরীয়াবস্থা কৌবা। হায়রিবা বাসুদেবাবস্থা অসি কাওবা কাথংলকপগী লমীদা করিগুম্বা অউবা উদবা পোশক অমতনা থিংবা, বৈখায়বা পীত্তমদ্রবা থাক অহু আত্মাহুগী অনিরুদ্ধ শক্তি, অনিরুদ্ধাবস্থা কৌই। অহুগুম্বা অবস্থাদ য়ৌরক্লসতুংদা মঙোন্দ বৈথায়বা - থিংব বিম্ন পীবহুদি খস্তুখন্নদনা, আত্মাহুবু লোইরিবা আত্মাবান মহাকপু উবদা অউবা জীব পূম্বা গুমহংপ্রবা শা কৈনচিংবা কাওবমা হিংসাগী রাথল থাদোক্তুনা মতুং কোরিন ইম্নবক্লবা অবস্থা অহু প্রদ্যুম্ন শক্তি (প্রদ্যুম্নাবস্থা) কৌই। অহুদগী য়োনিংব মকমদা থুদক্ত য়োঙম্মব', অরাপ্পদা লৈবা পোশক অমবুস্থ চিংখোকপা ভম্বগী শক্তি (অবস্থা) দা কায়ক্লবা অহুগুম্বা আত্ম' অহু সংকর্ষণ শক্তি গী থাকত কায়ক্লবনি। অরোইবা পরম ধামনা বাসুদেব কৌই। বাসুদেব কৌবা অবস্থাদা লাক্লবা আত্মা অহুদ মশমক বাসুদেব অহুম্‌ মওইপ্রে। ঐ বাসুদেব কৌব' থাক য়োয়ক্লে হায়বসি মহাক মশানা হায়জগদবা নত্তে। মাহু হায়রিবমথৈ আত্মা মহাক থাক অহুনা য়োরকত্রি হায়বসি মশানা অহুম থওজগদৌবনি। অচচ্ছত্ত লৈরিবা পুম্নমক অসিদা ৪ মথক্ত হায়রিবা ভাব অসি শেয়াম্রবা অর্থদা পুরোইদৌবনি। নারায়ণ মাবু নীংবনা মাগী পামজবা

মহাক্না পূম্নো য়ৌনা, পূমত্তান তায় লৈরুরগদবনি। মতম অদুদা মহাকী অসিগুম্বা পোকক সিমতং ৱাংলিদা হায়রবদু লৈরৱোই। অমুক করি হায়গনি, মুক্তি ফংগদবা ৱাংলি, স্বগ ফংগদবা ৱাংলি, জগৎ পুম্নমকী হর্ত্তা কর্ত্তা ওইগদবা অম থাংলি হায়বা অসিনচিংবা কাওবা মত্তোন্দা করিমত লৈরোই। অদুগুম্বা অবস্থাদা লৈরবা আত্মা মহাক্তি তাইবংগী আধিভৌতিক (পাঞ্চ.ভৌতিক) হায়বা দেহ মুংদা লৈরফাওবদা দেহদু থক্না লোয়ননা জগৎ পুম্বগী ঈভাং পুনা তৌননীতায় ওইরকই। অদুনা মূল শ্লোককী অর্থদা হায়রে মাহুদি :—আত্মানা মরিগুবা বাসুদেব কৌবী পতিদা থংখিহুনা ভগবান্ পুরুষোত্তমবু অদুগা মাগী পরধামবু ফংগি। (কালাচাঁদ)

ধর্ম নি হায়বা ৱা নত্তে। অদুগুম্বা ধর্ম অমতনা অতৈ ধর্ম পুম্নমকপু কোনশিনবা, মপু চলহনবা অতৈ অতৈ ধর্মদু মত্তোন্দগী অত্তানি (তোত্তানবনি) হায়না থন্দনা হায়রবদি ধর্ম পুম্নমকপু অনন্তভাব (অন্য নত্তবা) তা থমদবা অসিনা নারায়ন্ মাগী অপাম্বা ধর্মনি হায়রি। মরমদি মারায়ন মশামক্তি সর্বধর্মপথ্য লন নি। সর্বধর্মপরায়ন ওইবা মত্তোন্দা ধর্ম অমবু অন্যভাব থম্দনা উপাসনা তৌবসি মারায়ন মহাক্না পামকম্ব থোক্তে। "সর্বধর্মান পরিত্যজ্য মামেকং শরণং ব্রজ" হায়বগীনা ৱা অমনি। থাক মথং মথং কাথংলকপদা মতুং মতুংগী থাক্ মথং নথং থাদোক্লম্বা হায়রবসি মশানা তাবনি (স্বতঃসিদ্ধনি)। মাসিবু থস্থদবশিংনা শেৱাংবা অর্থদা পুত্থনা মশানা নিন্দা তৌজে। করিগুম্বা পামজপা ধর্মগী নম্বনা (মার্গমা) থিরকপা, চত্তকপা তারবস্থ অতৈ অতৈ ধর্মশিংদুদা অন্য ভাব অম থম্দনা (হুরান্দনা, নিন্দা তৌদনা, অমতনি থন্দুনা) নারায়ন ঐগী উপসনাবু ওইরবস্থ অতাপ্পা দেবী দেবা অমগীবু ওইরবস্থ উপসনা অদু তৌগদবনি। "সর্বদেবনমস্কারঃ কেশবং প্রতিগচ্ছতি" হায়রবদি অসিবু হায়রবসি। অস্তুমা, ঐকান্তিক ভক্তি অদুগা অনন্য ভাবকী বিবৃত্তিবু বৈশম্পায়ননা জনমেজয়দা তাইহল্লি। ভজন সাধন সেবা পুজা অদুগা উপাসনা তৌবা মতমদা পরনিন্দাগী ৱাথল চত্তবা য়াদে। ঐগী ঐগীনা হেল্লি হায়দুনা "ঐ" (অহম্) হায়রবগী ৱাথল (অহংকার) অসি তোৱনা পোকসল্লোইদৌবনি। মীগী ধর্মবু, মীগী ভাবরু, মীগী শাজৎপু চুমথোক্পিবগী মতুত্তা নিন্দা তৌগদবনি হায়না থল্লিবা ভাওলিবশিং অদুগী মকমদা অদুবু মাগী ভক্তনি হায়না হায়রিবশিং অদুবু চুমথোকপিবা ওমদবা মপু (স্বাগী) অদু জগৎকী মপুনি, জগৎপু পোকপিবা অপোকপনি, নারায়ন নিবু হায়রবস্থ তমোগুনদা লৈবা নারায়ননি, অপোকপনি। অদুগুম্বা অবস্থাদা লৈবা মহাক অদু ঐকান্তিক ভক্তি থম্বা ফত্তে। মাসি, নারায়ন মশামক্না নারদদা শ্বেতদ্বীপ। অদুনা দ্বারকাদা লৈবা কৃষ্ণবু নারায়ন মক্লি হায়না থত্তলবস্থ, রজোগুন তমোগুমগী লীলা শান্নত্তে য়িত্তেদা তিন্নরা লৈনিংদুনা নারায়ন নারায়ন শোন্দুনা শক্তুনা হেক হেক চংথি। ঐনা শোল্লিবা নারায়ণ অসিদ নারায়ণ জাং অমনি হায়না নোকমি নোকমি তৌদুনা হেক হেক্ চংথি। হায়রমদি ওইরগা আধ্যাত্মিক হাস্ত রসগী মতাংনি। মাসি কাওবসি প্রেমঙ্গলনা য়াদদুনা হায়রকপনি। থাক্ অদুমবু থা.দাক্রমদুনা আত্মাসিনা বাসুদেব কৌবা অবস্থাদা লৈরুগে হায়বগী দমক তাইবংমীগী হকচাংদা চত্তকপনি। (কালাচাঁদ)

সহোপানিষদান্ বেদান্ যে বিপ্রাঃসম্যগাস্থিতাঃ। পঠন্তি বিধিসংস্থায় যেচাপিযতি ধর্ম্মিনঃ ॥৫॥
তেভ্যো বিশিষ্টাং জানামি গতিমেকান্তিনাংনৃনাম্। কেনৈষধর্মঃ কথিতো দেবেন ঋষিণাপি বা ॥৬॥
একান্তিমাং কা চর্য্যাকদা চোৎপাদিতাবিভো। এতন্মেসংশয়ং ছিন্ধি পরংকৌতুহলং হি মে ॥৭॥

বৈশম্পায়ন কৌবা হে ব্রাহ্মন ! অনন্য ভাবকী, ঐকান্তিক ভক্তি হায়রিবসিবু করম্বা দেবতানা করম্বা ঋষিনা তাকথিবগে ? মুমিৎ খুদিংগী জীবনচর্য্যা, দিনচর্য্যা (অহিং-মুংথিনগী তুম্বা চীন্না চাবা) দা অনন্য ভক্তিগী ভক্তশিংনা তৌরিবা তৌগদবসি করিনো অদুগা মাসিগী নিয়ম অসি করম্বা মতমদগী চৎনরকপগে ? ঐগী চিংনরিবশিংসে কোকহনবিয়ু। মাসিগী মতাং অসি তাজনিংঙি * ॥৫—৭॥

* বৈশম্পায়নগী মকমদা জনমেজয়না চিংনদুনা হংলিবসি হংকম মক্ থোকই, অচুম্বনি। তাইবং মীওইবা ঐখোয়না মুমিৎ খুদিংগী মীৎনা উনিংবনা অমা, নাকোংনা তানীংবনা অমা, নাতোন নমনিংবনা অমা (হায়বদি, নমনিংলিবা মনমদু মীৎন উনিংলিবা পোৎ অদুগী ভাকনত্তে) পায়নীংবা শোক্লীংবনা অমা, চানীংবা তংনিংবনা অমা—অসুম্ তৌদুনা তৌরিব মরাম অসি পোশক অমত্তগী ওইহনবা ঊঙম ঙমদে। মাসি, মুনি ঋষিশিং মক্তদসু রান থোকনি। তোঙান তোঙানবা থবকীদি লায়রদনা মীৎ অসিমত্তগী থবক দু নোংমনা অমদা, নোংমদ অমন, অদুগা নাংমগীদি লায়রদনা মীকুপ অমমম্গী মতুংদা তোঙানবা পোশক য়েংনিংঙি। অদুদি অমুক লায়রদনা, য়েংনিঙে মতমদুমক্তদা, য়েংবদুতনা পেল লক্তদুনা মাদুবু অমুকসু পায়নীংলকলি, শোকনীং লকলি। অদুন লায়রদনা অসুক, শোক্লীংলিবদু থোক্ থাদোক্তুনা অতোপ্প অম বু পায়নীং শোক্লীংলকলি। অদুমকসু অমুক পায়নীংলক্তদুনা থোক থাদোকলি। অসুম তৌদুনা তাইবং মী ওইবা ঐখোয়গী দৈনক জীবন (ডৈলি লাইফ) গী থোঙচং অসি ওইরি। অসিগুম্বা ফীভমদা তুম্বা চীন্না চাবদা মুমিৎ খুদিংগী অনন্য ভাবকী ঐকান্তিক ভক্তি ভাব থম্বা হায়বসি ওইথোক্তবা বিষয় অম ওইনা থোকলি। অদুন, অতোপ অতোপ্প থবক্তা উনগ্রবসু উপাসনা ঙগাক্তং তৌরিঙৈতরা, ঊড়াৎ পূজাগী মতমদা অদুগা ইষ্টদেবগী সেবা পূজা তৌরিঙৈ ঙহাক্তদুদরা ঐকান্তিক ভক্তিবু তৌগদৌরিবসি ? মানি হায়বসু, মীকুপ খুদিংগী থোক থোক হোংবিদা চৈনরক্লবা ঐখোয়না ভগবান্গী সেবা পূজাদা, মাগী আরাধনাদা করম হায়না অনন্যভাব (অতোপ্পা অমা থন্দবা), ঐকান্তিক ভক্তি হায়বসি করম হায়না থম্বাঙমগদগে হায়বসি জনমেজয়না হংবনি। অদুগা অমুক হংলিবদি মাসিগী নিয়ম অসি করিদগী, কনাগী মতমদগী চৎনরকপগে, মহর্ষি কনানা হৌদোকলম্বগে হায়নসু জনমেজয়না বৈশম্পায়নদা হংলি। হংলিবা বাকম অসি গৃহস্থাশ্রমদা লৈরিবা মুমিৎ চুপ্পা পরিবারবু য়েকথাক্লনবগী থবক্ত পুক্নীং চঙদুনা লৈরিবা গৃহস্থ অমনা মাগী ইষ্টদেবগী সেবা আরাধনা ঙহাক তৌজবদা, মক্তদি পুক্নীংনা ওইবনিনা, অদুগা পুক্নীং হায়রবদুদি সংসারগী বিষয়শিংদা চঙদুনা মাদুনা বাসনা পোকওবনিনা, ঐকান্তিক ভক্তিগীনিয়ম ভাকপিয়ম্বা মহর্ষি অদি

বৈশম্পায়ন উবাচ

সমুপোঢ়েষ্বনীকেষু কুরুপাণ্ডবয়োর্মৃধে । অর্জুনে বিমনস্কে চ গীতা ভগবতা স্বয়ম্ ॥৮॥
অগতিশ্চগতিশ্চৈব পূর্বং তে কথিতা ময়া । গহনো হ্যেষ ধর্মো বৈ দুর্বিজ্ঞেয়োঽকৃতাত্মভিঃ ॥৯॥

বৈশম্পায়ননা হায় :—নিংথৌ। অহুতৈ কৌরব পাণ্ডব অনীগী লান্মী মথৈ অনীনা মুথা-মুথি ওইনা লেপ্লহুনা লৈনরক্লবা মতমহৃদা অর্জুননা তৌকম খঙদনা ফুংবংনহুনা লৈরবদা ভগবান্না মতোন্দা পীথিবা পাউতাক শিং অদো গীতাদা য়াওরবনি। মাহুদা ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণনা ধর্মগী মরম ওইবা পাউতাক য়াম্না পীবিরবা মাহুগী মতাং অহু ঐনা নিংথৌ নঙোন্দা লীথিবা মতমদা অমুকন্থ হায়রবনি। জীবগী গতি অহুগা অগতি অনীগী স্বরূপস্থ ঐনা লীবহুদা অহুম্ য়াওরবনি। মাহুগী ধর্ম অদো ওন্থোক্লা থুপরবা কুপরবা য়ানি। আত্মাবু জয় তৌবা ঙমদ্রিশিংনা খঙবদা য়ায়গদবা বিষয়নি ৫ ॥৮—৯॥

মীহুংশি খঙবা পূকচেল চাউবা মীশক অম ওইরমগনি হায়না খঙনীংবে ঢুনা জনমেজয়না বৈশম্পায়নদা হংবনি। জ্ঞান, কর্ম, ভক্তি অহুম পূনবগী য়াহংনি। তাইবং মী থুদিংমক্লা খঙকম তাকম থোকপা বিষয় অমনি। গৃহস্থাশ্রমদা লৈন লৈনা ভগবান্গী ভজন সাধনদা অকায়বা ওইরোইদৌব য়াকম আস থাইমক্লা খঙকম থোকপা বিষয় অমম্নি। (কালাচাঁদ)

৫ আত্মাবু জয়তৌবা ঙমদবা হায়বসিমক্তদা অকুপ্প বিচার অদো অহুম মহৌম্রে। পোকপ শিব কাওবা য়াওবিত্রবা সংসার ঐগী ঈচানি ঈপানি, শাগে লাতৈনি হায়না উনরিবা থবক অসিদস্থ করিমতা য়াওত্রবা, মানস্থ কনা অমতবু হান্তবা মাবুস্থ কনানা হাংঙমদবা, থৌরবা অজ্ঞানগী নচিংবা খুংলায়নস্থ মতোন্দা য়ৌব ঈঙমত্রবা জয়তৌব য়াদবা আত্মা মহাকপু জয়তৌবা হায়বসি করি হায়রিবনো, কনানা, করিনা করম্না লালকমদা জয় তৌরদৌরিবনো অসিনচিংবা থমদবা অহুগা খুম্বদা য়ারবা বিষয়নি। অহুবু, জয় তৌবা (তথা) হায়বসি করিনো,—করিবু জয় তৌবা কৌবগে হায়বসি হায়া খঙদোক্লবদি মথা ভাবদা য়ায় লায়গনি। মপানগী হৌজিক হৌজিক ঈচানি ঈশূান ঈপানি হায়ন উরিবা অতৈবা (দ্রষ্টা—সিয়য়) অসি কনানো, মাসি হায় নৈনখিগদবনি। অহুগা উরিবা (দ্রষ্টা) মহাক অহুস্থ (মাসি ঐগী ঈচানি হায়না উরিবা মহাক অহুস্থ) কনানো করিনো মপান গী হকচাং অসিনরা, হকচাংসিনা ওইরবদি হল্লেং মসিনা অশিবা ওইনা তাহুমা লৈরবদা মথক্তনা, মমাংতৈদা, মাসি ঐগী ঈ গানি হায়থিবহুঙম্না হায়বা ঙমখিগদ্রা, অসিনচিংবসি হায় নৈনখিগদবনি। নৈনরিতৈ মতম ঢুমক্তদস্থ নৈনরিবসি কনানো করিনো কায়না খক্কহুনা নৈনবগী বিষয়হুদা অহুম ময়াওহনগনি। মাসিবু অষ্টাঙ্গযোগদা মনন—ধ্যান (মেডিটেশন্) কৌই। মাহুনি বুদ্ধ-জিন নচিংবা মহা যোগীশিংবা তুমিন্ন মীৎ উইশিন্নুনা ধ্যান তৌখ্রিবহু। অহুবু ধ্যান তৌন তৌন মপান গী হকচাং অহু থাদোকলমহুনা (দ্রষ্টা—সিয়য়) অহু অহুম চংথি। খঙলবা মহুংদা খঙননবগী নৈষবগী

খুৎলায় ওইবা হকচাং অসি থাদোকলম্বনি। অহুনদি অউবা (কর্ত্তা) মহাকন্থু, উপদৌরিবা উরিবা (কর্ম) মহাকন্থু হকচাংসিনা নৎলমক্রে হায়বন্থু মশানা তারে। অহুনা, উবচাব-য়েংবনচিংব কর্মদা খুৎলায় ওইবদগী চেন্ন করিমত্তা য়াওজন্ত্রবা হকচাং (শঙ্গম্) অসিগা তিন্নহুনা হাঃবদি, অমাংবা শহুম মাংমপিণ্ডগা তিন্নহুনা মাগী মচানি হায়না হায়রম্লিবহুন্থু শেংদবা আত্মা মহাক্না অসংসক্ত তৌহুনা লৈরিভৈদা হায়রম্বনি, হৌজিকন্থু হায়রি। অহুগুম্বা অশেংবা আত্মাদি নত্তে। শেংদবা আত্মানি। শেংদবা আত্মা হায়বদি য়াদবনিনা অনাত্মা (অন্ + আত্মা) ওইরে। অশিবা হকচাংশিবু মঙ্গ ওইনা থম্মগা হায়বনিনা অনাত্মা মহাক্না উরিব-হুন্থু অশিবা, মচা শাশিন্নরিবা মাংমপিণ্ডহুবুনি। অশেংবা মচাহুবু নত্তে। তৌশিন্নবা মচাবুনি। উরিভৈ মত্তমহুকাওবদা থাংগৈ শেংনা উবা ভমহৌদবা মানস্থু অস্নুক শিজ্রিবা মমা-মপা মচাহুবু করম্বা মপোক্ত পোক্লরে হায়না উনিংবা থওনীংবা য়াওরি। অহুম্না উবদি মানা তৌজবা কর্মনা উরয়োইদৌবনিনা উবা ভমজ্রবনিনা নাহালমুক্কী মপোক হায়বা লৈত্তে, হয়েংমুক্কী মপোক হায়বন্থু লৈরমক্রে অস্নুম হায়না খন্থয়কপদগী নহালমুক্কী মপোকশেম্না, হয়েং মপোকপু সৃষ্টি তৌবা, সৃষ্টিকর্ত্তা হায়বন্থুন্থু লৈত্তে হায়না তারক্লবনি। অহুগুম্বা সৃষ্টি কর্ত্তা (ঈশ্বর) লৈতে হায়রবনিনা মহাক অহু নাস্তিক হায়বহু অহুম ওইজরক্লই। নাস্তিক ওইহুনা অহুম্মক মরৈল্পো হায়বন্থু য়াত্রি। উরিবসিনা লোয়রে, তুংগী মাওগী করিমত্তা লৈতে হায়রিবা মহাক্না তুংদা মচা শাহুনা লাকদৌরিবা মচানি হায়রিবহুবু অমুকন্থু উনিংলকলি। মচা পোক্লীংলকলি। নাস্তিকবাদী ওইয়-কাওবদা তৌশিন্নবা নাস্তিকবাদী ওইরি। অহুগুম্বা, নাস্তিক কাওনা শেংনা ওইবা ভমজ্রিবা মথোয়হুনা করম হায়না য়েংপগে হায়ববু জীব সিনা হকচাংসি থাদোক্লগা অতোপ্পা হকচাংদা অমুক চঙখি হায়বসি কনানা উহৌবগে ? কনা অমত্তনা ঐগী ঈচা শাথবহুগী আত্মানা চন্দক হকচাং সিমদা মাগী মাগী মচা শাহুনা লাক্লে হুই অসি শাহুনা লাক্লে, য়োং অসি শাহুনা লাক্লে, হায়বসি কনা অমত্তনা ওসি কাওবা হায়বা ভমজ্রি। অহুনা মহালমুক্কী মপোক হয়ে মুক্কী মপোক হায়বসি হায়শিল্লবনি—অসিনচিংধা হায়হুনা য়েংলি। অসি-গুম্বা মীশকশিং অসিনা মনীংনশংশংনা উবা, প্রত্যক্ষ ওইনা উবা পোৎ অমদি থোদোকতবু থাজে। মীত্তগী য়াংম হেক লান্থিবদা অহুম থাজথিক্রে। অহুগুম্বা মী মহাক অহুনা হায়নিংলিবদি ওয়াং চৎখিবা মী অহুবু মহাক্না ওসি হল্লকপা প্রত্যক্ষ ওইনা উরবদি মাসি ওয়াং চৎখিবহুনি হায়গে উত্রবদি হায়রোই—অসিনি শাস্ত্রগী প্রমাণ লিশিং লিশিংবু মহাক্না লৌনীংত্রে প্রত্যক্ষ নত্রিমথৈ। ভরত কৌবা নিংথৌহুনা শক্তী মচা অমগী রাখন্ত তৌহুনা লিখিবা মাগী আত্মানা শক্তী অমগী মশাদা চঙহুনঃ শক্তী ওইনা পোকখি। মহাক্না মাহুগী হেকথংনবা মমাওদা পোকখিবা আত্মাহুনা তৌখিবা তপস্যাগী শক্তি অহুনা ঐ অমুক শক্তীগী হকচাং চঙলকলেনা, অসিদি করম লাম্হোকনি হায়না মমায়বা শক্তীশিংগী মরক্ত য়াওদনা শক্তীমক ওইনা তপস্যা তৌহুনা মথংগী মপোকত্তা মহাজ্ঞানী অম ওইনা পোকখি। মাসি শ্রীমদ্ভাগবত কী ৱায়ৗনি। ভগব-তপু প্রত্যক্ষ ওইনা হৌজিক উরি। মচা ওইনা লৈরিভৈ মতমদা, মচাহুগী দেহসুংদা লৈহুনা মচা শাহুনা

সম্মিতঃ সামবেদেন পুরৈবাদিযুগে কৃতঃ। ধার্য্যতে স্বয়মীশেন রাজন্ নারায়ণেন চ ॥১০॥

নিংথৌ। আসগুম্বা ধর্মসে সামবেদগা চপ মান্নবনি। ধর্ম অসে সত্যযুগত্তগী চৎথরক্লবনি। জগৎকী মপু ভগবান্ নারায়ণ মশামক্না চৎথিবা ধর্মনি হৌজিকসু ধর্ম অসি ভগবান্না অচুম্ মচৎলি ※ ॥১০॥

লৈরিবা আত্মা অচু সাত্ত্বিক কুয়োমদা লৈরম্বরা, রাজসিক কুয়োমদা লৈরম্বরা নত্রগা তামসিক কুয়োমদা লৈরম্ব। হায়রবচুদি মহাক্না খঙদে। অত্তগী মতমদা তামসিক কুয়োমদা চৎথরবদি মনুংসু মপানসু তমোগুনত্তগী মশক্ ওইবা লিল লমচুং নচিংবগী হকচাংদা চঙথি অচুদগীদি লমচুই অচুবু মাগী মচাগী আত্মাচুনা লমচুই ওইনা পোক্লিবচু মপা মহাক্না উদে। তাহবংবী ওইনা অচুম উনিংলি। শিথিবা মচাচুনা মওং অসিমা পুচুনা অযুক লাক্লে হায়বনি খঙনীংবা মশিংনা নিংথৌ ভরতনা তৌবগুম্না তপস্যা তৌবা তাই।

(কালাচাঁদ)

※ ঐকান্তিক ভক্তিগী মশক ওইরবা ধর্ম অসি ভগবান্ মহাকী থৌজাল কংজগেহায়বগী দমক্তা ভক্তশিংনা ঐকান্তিক ভক্তিগা লোয়ননা মওোন্দা চঙজারিবনি। অচুগুম্বা ভগবান্ মহাক মশামক্না ভাক্তগী মশক ওইরবা ধর্ম অসি চৎলি হায়বাসি চিংনকম অম ন ভগবান্ নারায়ণমক্না ভক্তিগা চঙজক্লগদৌরিবসিবু কনানো ? মাসিনি নারায়নীয় ধর্ম হায়বচু। মাসিগী বিশেষতাহায়রবদু নোংলুকপা, চঙজবা, নাপল তৌদবা আসনচিংবা শাজৎ অসি ভগবান্ মওোন্দগী তাগদবনি—অসিতনি। ভগবান্না কনাগুম্ব অমগী করিগুম্বা পোৎ অম পামদে, কনাগুম্ব অমত্তগী মকমদা শাউরুদে, কনাগুম্বা অমগী করিগুম্বা পোৎ অমত্ত পামদে। মশাদ যাম্না লোত্তী ওইবা, মীনা থাগৎপা পাম্বা, মনামথল পাম্বা অত্তগা ময়ামদদি অকবা লমচৎ চৎননবা উপদেশ পীবা, ভাষণ পীবা অচুগুম্বা মিথ্যাবাদী নত্তে ভগবান্দি। ভুমিন্ন উচন্দনা লৈবা, অপাম্বা মিঙৌবা লেতবা, অপাউব কল্লকপা লৈতবা ভগবান্ মহাকী অসিগুম্বা ধর্মগী নিয়ম অসি জগত্ত শন্দোক্তে হায়রবগীদমক, ধর্ম অসিমক ভগবান নারায়ণ মশাকক্না চৎপনি। ভগবান্নাচৎলিবা শাজৎ অমদি বিরমশিং অসি ভক্তি হায়রবচুগী মচাক ওাক্তনি। মীওোল অমদা দৈন্যভাব তৌরুগে, কায়রমদাইদা মখোঙ পায়রুগে হায়বগী দমক নত্তে। জ্ঞানযোগ, কর্মযোগ, ভক্তিযোগ পুম্নমক অসি যোগেশ্বর ওইবা ভগবান্ নারায়ণনা হৌদোকখিবা, তাকপিখিবা ওাক্তনি। মাসিগী তাকপিগে হায়বগী দমক মশামক মহাজ্ঞানযোগী, মহাকর্মযোগী, মহাভক্তিযোগী ওইবি। মী মহাক অচুনা ভক্তিগা লোয়ননা হৈ-লৈ মনা অমত্ত ওইরবসু ঐওোন্দা পীরম্বচু ঐসু ভক্তি গা মাচু লোই অসুম্না গীতাদসু ভগবান্না অর্জুনদা তাকপিখি। মাসিগী অর্থবু করিনো হায়বদা ভগবান্সু ভক্তগী মকমদা ভক্ত তৌই হায়বনি। পুরাণগী থুদমদা—লায়রবগা ব্রাহ্মণ সুদামাগী মকমদা ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণনা কয়া কয়া যম্না ভক্তি তৌখি। ভক্তনা তৌবা ভক্তিদি ভগবান্গীনি। ভগবাননাতৌব ভক্তিদি ভক্ত। শিং লিশিংগীনি। অচুনা জনমেজয়না হংবদা বৈশম্পায়নবা থুমখিবচুনি ঐকান্তিক ভক্তি হায়রবসে সত্যযুগত্তগীনি, ভগবান্ নারায়ণ মশামক্না হৌদোকখিবনি জগৎপু ওাক্তে হায়রবগী দমক্তনি।

এতদর্থং মহারাজ পৃষ্টঃ পার্থেন নারদঃ । ঋষিমধ্যে মহাভাগঃ শৃণ্বতোঃ কৃষ্ণভীষ্ময়োঃ ॥১১॥
গুরুণা চ মমাপ্যেষ কথিতো নৃপসত্তম । যথা তৎকথিতং তত্র নারদেন তথা শৃণু ॥১২॥
যদাসীন্মানসং জন্ম নারায়ণমুখোদ্‌গতম্ । ব্রহ্মনঃ পৃথিবীপাল তদা নারায়ণঃ স্বয়ম্ ॥১৩॥
তেন ধর্মেণ কৃতবান্ দৈবং পিত্র্যং চ ভারত । ফেনপা ঋষয়শ্চৈব তং ধর্মং প্রতিপেদিরে ॥১৪॥
বৈখানসাঃ ফেনপেভ্যো ধর্মং তং প্রতিপেদিরে । বৈখানসেভ্যঃ সোমস্তু ততঃ সোঽন্তর্দধে পুনঃ ॥১৫॥

মহারাজ ! কুন্তীগী মচা যুধিষ্ঠিরনা ঋষিশিংগী মমাঙ্গনক্তদা বিষয় অসিমক নারদপী মকমদা হংথিবনি । মতম অদুদা শ্রীকৃষ্ণ অদুগা ভীষ্ম অনীসু নারদনা লৌবদো অদুম তাখিবনি * ॥১১॥

নিংথৌ অথোইবা ! ঐগী গুরু ব্যাসদেবনা অদুগা ঐনসু বিষয় অসি অদুম লৌয়িঙৈ তারিঙৈ মতমদুদা নারদ মশামক্তা ঐখোয়দা তাহনখ্রিব অদু ঈকায় কায়দন। নিংথৌ নঙোন্দ ঐ অমুক তাহনগে, পুক্নীং চঙন তায়ো ॥১২॥ নিংথৌ ! সৃষ্টিগী অহানবা শরক্তা ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী চিন্দগী ব্রহ্মানা ভগবান্ নারায়ণগী মানসপুত্র ওইনা পোকপা অমদা শ্রীনারায়ণ মশামক্তা ব্রহ্মান ধর্মগী পাউতাক পীখি । ভগবান্ শ্রীনারায়ণনা ধর্ম অদুনা পাম্বৈ ওইরবা দেবতাশিং অমগা পিতৃলোকশিংগী ঈড়াং পূজানচিংবগী কর্ম অদো মপুংফানা তৌখি । অদুগী তুংদ ফেনপা ঋষিশিংনা ধর্ম অদুবু ॥১৩—১৪॥

ফেনপা ঋষিশিংগী মকমদগী বখানস ঋষিশিংনা ধর্ম অদুবু লৌখি । অদুগী তুংদা বৈখানস ঋষিশিংদগী সোমদেবতানা লৌখি । অদুগী তুংদা মতম খরগী মুংলুবে ‡ ॥ ॰—১৫॥

মানা কৰি হায়থিগদগে হায়না কিন লুবা চৎপা অমসু ভাক্তগী চাউপ্রব মরু ওইবা মচাক অমনি । মহাপুরুষ, পুরুষোত্তম, শ্রীরামচন্দ্রনা লায়রবা তোন্নবা, জাতিনা হন্দুরবা ধোবী প্রজা অমতবু কিবদগী হকতংথাইগী মশক্ ওইরবী ওরাংত বনদগী হল্লকপী লোয়নবী সীতাবু বনদা অমুক থাখি । অসিগুম্বা ভক্তিমান ওইবা মহাকপুরুষ অদে, শাইবং মীগী অচম্বা মহাপুরুষনি হায়নারিবসিগুম্বা নত্তে মশাদা ভক্তি লৈতবা, মারায় হাইগৎপা, থোয়না, আধিভৌতিক বিজ্ঞানা হৈরে হায়না খঙদবা নাস্তিক ওইবশিংতনা শ্রীভগবান নারায়ন (ঈশ্বর) গী অস্তিত্ববু থাজদে । ভক্তি হায়বসি ভগবানগী সাত্ত্বিক সম্পত্তি অমনি, দিব্য বিভূতিনি । (কালাচাঁদ)

* ব্রহ্মানা মাগী মপোকশিং অদুবু ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী মকমদা পিথিবগী মতাং অসিমক নারদনা যুধিষ্ঠিরগী মকম অমুক লৌদুনা তাহনখি মাদুদা, শ্রীকৃষ্ণ মশামকসু ভীষ্মগা লোয়ননা ঋষিশিংগী মরক্তা ভাবুক ওইনা অদুম্বক মতাখিবনি । নারায়ণদা ব্রহ্মানা লৌথিবত্তু, যুগ অমদা ব্রহ্মাগী মচা নারদনা কৃষ্ণদা

‡ পুরুষ ভগবানগী চীক্তাকাত্তি প্রকৃতি দেবীনা পী । প্রকৃতি দেবী হায়বীসি পুরুষ ভগবানগী লোয়নবীনি । ব্রহ্ম কৌরিঙৈদো করিমত চাদে । আত্মা কৌরিঙৈদা করিমতা চাদে, পরমাত্মা কৌরিঙৈদা

অমুক তাকনবত্তনি। যুধিষ্ঠিরদা তাকনবদি মনাত্তপনি। থাংগৈ শেংবদি নারদা তাকনবদি শ্রীকৃষ্ণদনি। অদুৱৈ ব্রহ্মানা তাকনখিবা নারায়ণ অদুমক হন্দকী শ্রীকৃষ্ণ সিগা মশক অমত্তনি। ব্রহ্মানা পোকপগী মতাংবু মশানা লৌরিবসি নারায়ণগী মাওমক্তদনি। মাসিদগী কৱি খঙবগ হায়ববু জীবাত্মা (জীব) হায়বসিনা মাগী মথং মথং পোক্লকপগী মতাং অমদি মওং অসিবু লৌবদি জীবাত্মা মশানা লৌগদবনি। মহাক্কা করম হায়না পোকলকপগে হায়বদু মহাক মশা নত্তনা কনা অমত্তনা লৌবগী মতীক ওইদে। পোক্লক্লগা ঈচা নি, ঈশূনি হায়না উজবত্তনি। জীব মহাক্কা করি করি মপোক্তগী লাম্তোরক্লুনা ঈচা ওইনা পোক্লরিবনো হায়বসি কনামত্তনা থঙদে। (কালাচাঁদ)

করিমত্তা চাদে, ঈশ্বর ওইরকপা কৌনরকপা মতমদস্ত ঈশ্বরনা করিমত চাদে। ঈশ্বরবু করি চাবগে করি চাহুনা হিংবগে হায়না কনা অমত্তনা হংনদে। আত্মাবু করিচাহুনা হিংবগে হায়না করিমত হংব য়াদে। পুরুষ ভগবান্ হায়না কৌনরক্ মতমদগীদি পুরুষগী চৌঙ্গাক কৱিনো হংনরক্লে। পুরুষগী চৌঙ্গাক্তি প্রকৃতি দেবীনা তুম্লি। মশক উদবী প্রকৃতি কৌবীনা পুরুষ মহাক্কী দমক মশক উবী (দৃশ্য) প্রকৃতি ওইহুনা হৈপাল লৈপাল, মৈ ঈশিং নুংশিং নচিংবা মশক লৌই। মহৌশাগী ওইহুনা অদুম্মক মরৈজবা উরী-রারী হৈপাল-লৈপাল উরী রারী (হিদাক লাংতক্) মনা মশীং শিংসিনা পুরুষ মহাক্কী চৌঙ্গাক ওই। অসিমকস্তু কায়নথংগীনি। মখোয়সিদি প্রকৃতি নত্তে। মনামশী দি লৈপাকনি। লৈপাক্কী শায়োন মক্তনি। মরম অদুনা পুরুষ ভগবান্‌গী চৌঙ্গাকতি ঈশিং নুংশিং, আকাশ, লৈপাক্লি। চুহীগী অথুম্ববু তোগতৌরিবা মহাক অদুদি মপানগী হোঙবা চাউবা কৌরিবা হকচাংগাতিম্নরিবা অনাম্বা অদুনি, হোঙবী চাউবী কৌরিবী অনাম্বা মহাক অত্তনি। অদুগা মূল প্রকৃতিগী রসবু থক্লিবা অদুদি মপানগী তোঙবা কৌশিল্লিবদু য়াওদবা পুরুষ ভগবান্ অদুনি। অদুগুম্বা পুরুষ অদুদি পুরুষ ওইনা অদুম্ মরৈনি। নিপাগী হকচাং মুংদস্তু, নুপীগী হকচাং মুংদস্তু পুরুষ কৌহুনা লেঙদনা অদুম্মক লৈগনি। অদুগুম্বা পুরুষনা চারিবা থক্লিবা অদুদি চু অদু নত্তে, লৈপাকতুনি। থক্লিবদুদি চুহী নত্তে ঈশিং অত্তনি। চুগী মহী অদুবু চুগী হায়জিরত্তনি, ঈশিংনি। অথুম্বা হায়রগ ঈশিংগী প্রাকৃতিক ধর্ম নি। অদুনা মসিগী তত্ত্ববু থঙবা মুনিশিংগী মমংদা সোমরসতবু থকপা সোমপা য়াওরি, কেঙ্গোনত্ত্ব কেনপা য়াওর্বি অমৃততবু অমৃতপা য়াওরি ধুম্রতত্ত্ব থকপা ধূম্রপা (মৈখু থকপা) অগ্নিপা, (মৈ থকপা) অসিমচিংব। মখোয়সি মৈদা লোন্দুনা কৃত্তুনা চাউনবা মথেল মথেল থোংহুমা কৃত্রিম ওইবা অশেম্বা (শাশিরবা) য়নশিং পাম্বা মীশক অমত্ত নত্তে। মৈ, ঈশিং, নুংশিং লৈপাক্ল চিংবসিদি প্রকৃতিনি। মখোয় অসিগী য়াম্নোক্ য়াম্লিন্ তৌহুনা থোকত্রিবা হকচাং অসিদি প্রকৃতি নত্তে বিকৃতিনি। অদুনা মৈ ঈশিং লৈপাক্লচিংবগী য়াম্নোক য়াম্লিনা থোকহল্লিবা মথেল লুকোয়শিং অসি বিকৃতি মক্তনি, প্রকৃতি নত্তে। অসিগুম্বা বিকৃতিশিং অসি চাবা হৌদোয়কপা মতম অদুদগী বিকৃতিদগী হায়বদি বিকারদগী পোকখিবা রোগ (লায়না) মথল মথল অসিমু পোকপা অদুম মহৌশ্রে হায়বদি,, হকচাংদা

যদাসীচ্চাক্ষুষং জন্ম দ্বিতীয়ং ব্রহ্মণোনৃপ। তদাপিতামহেনৈব সোমাৎ ধর্মঃ পরিশ্রুতঃ ॥১৬॥
নারায়ণাত্মকোরাজন্ রুদ্রায় প্রদদৌ চ তম্। ততো যোগস্থিতো রুদ্রঃ পুরা কৃতযুগে নৃপ ॥১৭॥
বালখিল্যানৃষীন্ সর্বান্ ধর্মমেতদপাঠয়ৎ। অন্তর্দধে ততো ভূয়স্তস্য দেবস্য মায়য়া ॥১৮॥

নিংথৌ! শ্রীনারায়ণগী মীত্তুগী পোকপা, ব্রহ্মাগী অনীশুবা মপোক অদুদা মহাক্না (ব্রহ্মানা) সোমদেবতাগী মকমদগী নারায়ণগী মশক ওইবা নারায়ণীয় ধর্ম অসিবু তাখি মতুংদ ব্রহ্মানা রুদ্রদা ধর্ম অসি তাহনখি ॥১৬॥

নিংথৌ! অদুগী তুংদা, যোগসাধনদা পুক্নীং চংদুনা লৈবনা রুদ্রনা মমাংঙৈদা কৃত যুগ তা বালখিল্য ঋষিশিংদা, হায়রিবা নারায়ণীয় ধর্ম অসিগী তত্ত্ববু মপুং ফানা তাহনখি—তম্বিখি। ভগবান্ বিষ্ণুগী মায়ানা ধর্ম অসি মতম খর লুপ্তনা লৈরম্লে ✽ ॥১৭—১৮॥

শাস্ত্রিবা বিকার মরামদু বিকৃতি চারুবদগীনি। বিকৃতি তাত্রিঙৈদা হায়বদি প্রকৃতিনা কোনশেং ওইবা লৈরিংঙৈদা, পোকখিবা উরু য়ারু, উহৈ-রাহৈত চাবা সোমপা, ফেনপ, ধুম্রপানচিংবা যোগীশিং অদুগী পুনশিগী শরুক অম ফাওববু মখেল লুকোয় য়াম্ন চাবা, হকচাং শাক্তেন য়াম্ন তৌবশিংনা ফংবা ঙমদে। অমুপ য়াম্ন শাংখনা ইরিবসিগী মরমদি অদুগুম্বা মহাযোগী ওইবা মীশকশিং অদুকাওবা শ্রীভগবান্ নারায়ণগী মকমদ ঐকান্তিক ভক্তি থম্নবা হোৎনরম্মি। প্রকৃতিগী পোশকশিং অদিবু বিকার তোয়না ফংহন্নগা অদুগা মাম্নবু চায়গা, বিকার য়াওদবা নির্বিকার নির্গুণ ওইবা ভগবান্ শ্রীহরি (নারায়ণ) বু ফংগে হায়দুনা সাধনা তৌরি, ভক্তি তৌরি। মাসি ওংম্বাক্না লাপথবা য়ানি। হকচাংমুংদা লৈবা পুরুষ অসিনা পাম্বদি প্রকৃতিতনি। বিকার ফংত্রিবা প্রাকৃতিক ওইবা চীঞ্জাক তবু চাবশিং অদুনা চুম্নগী পুরুষ ওইবত নত্তনা মহাপুরুষ অমমম্ ওইখি। অদুগুম্বা মহাপুরুষশিং অদুনা, শ্রীনারায়ণনা ব্রহ্মাদা তাখিবা নারায়ণীয় ধর্ম অদুবু ফংখি। বিকার পোকদবা, চীঞ্জাক চাবা, হায়বদি, রাজসিক ভোজন ত তৌবা, হিংসাতৌরুদুনা ফংডকপা তামসিক ওইবা চীঞ্জাক ত চাবা মীংদুনা রজোগুণ তমোগুণদগী লাপ্পা লৈত্রবা নির্গুণ, নির্বিকার ওইবা ভগবান্ শ্রীহরি (পরমেশ্বর) বু ফংগে হায়দুনা হোৎনরি। ধ্রুব, প্রহ্লাদ নচিংবা মহাক ভক্তশিং শিংনা ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী, শ্রীনারায়ণগী কৃপা দৃষ্টিতবু, দর্শনতবু ফংগে হায়না তপস্যা তৌরকপ মতমদা মুংশিং ত থকুনা, চাদুনা, উনা অকংবত চাদুনা মতম লেনখি। মমেথতবা ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী ঐকান্তিক ভক্ত ওইনখি। "ধর্ম শস্তোকপা" হায়বা রাহৈ অম লাকৃশিবসি ভয়াং নক্লাত্তগীনি। বিকার ফংলবা ধর্ম প্রচারক-শিংতনা বিকার ফংদুনা লৈরবশিংগী মকমদ ধর্মপ্রচারতৌই। ভুম-হীপ্ন চাবদা নির্বিকার ওইরদা ভক্তশিংতনা নির্বিকার ওইবা ভগবান্ মহাকপু ফংগদবনি। (কালাচাঁদ)

✽ জ্ঞান, কর্ম, ভক্তি অহুম অসিগী মদুংদা ধর্মগা লৈনবা মরী অসি ভক্তি হায়বসিগা লৈনবা

মরীনা ঈহেল হেল্লি। জ্ঞান কৌবা ধর্ম "জ্ঞানধর্ম" হায়বা অম লৈতে। জ্ঞানতানা কর্ম তৌবহুস্ন ধর্ম অমনি হায়বহুনা অতোপ্প ৱাকম অমনি। কর্ম কৌবা ধর্ম 'কর্ম ধর্ম" হায়বা ধর্ম অম লৈতে। যজ্ঞ দান নচিংবা কর্ম তৌবহুস্ন ধর্ম অমনি হায়বহুনা অতোপ্প ৱাকম অমগা ভক্তি ধর্ম হায়বসিদি ধর্ম অম ওইবত্ত নত্তুনা, মাসিনা ধর্ম পুন্নমক্তগী ঈশান হানবা ধর্মনি। মাসিবু নারায়ণীয় ধর্ম হায়নস্ন কৌই। ভগবান্ শ্রীনারায়ণ মশামক্না চংথিবা ধর্ম অসিনা, ধর্ম পুন্নমকী হৌরককম ওইগদৌবনি। ভগবান্ শ্রীনারায়ন গী অস্তিত্ব (লৈবা--একজিষ্টেন্স) হায়বহুমক, ধর্ম অসিনা মকোক্ থোংনা পুখিবদগী, হায়বদি নারায়ণীয় ধর্ম হায়বসিগী মথক্ত নন্দুনা লৈবদগী, নিয়ম অহুমক মকপু ধর্ম কৌথিবনি। ধর্ম হায়বা শব্দ মিমকী অর্থদি অশম্বা, অরায়বা লোন্দা হায়রগা পুবা—ঙাকপা হায়বতনি। ধরণী, ধরিত্রী, ধরা অসিমচিংবসি ধৃ ধাতুদগী থোকখিবঙাক্তনি। লৈভবগা চপ মান্নবা লৈবা নিরাকার ওইবা নারায়ণনা লৈবা কৌবা ধর্ম (নিয়ম)অসি চংথিবা মতমন্তুদগী ধর্ম হায়বা শব্দ অসি শীজিন্নবা তৌখিবনি। অহুবু যুগ যুগনা অন্নম মথং মথং অন্নম হুম্বরকপগা লোয়ন লোয়ননা, ধর্ম ৱাহৈ অসি শেন্নামবা অর্থদা অহুম শীজিন্নরকলি। হৌজিক্তি মাসি লাইনিংবগী খুন্নবা অর্থদা শীজিন্নরি। উপাসনা, সেবা, পূজা, আরাধনাগী প্রণালী (নিয়ম) না অমনি। ধর্ম হায়বসিনা প্রযোগ অবস্থানা লৈরম্বদি— (থবক্ত শীজিন্নরম্বদি) হায়রিবশিং অসিগী ঙাকস্ন নস্তে। বিশ্বব্রহ্মাণ্ড অসিগী মনুংদা হেক লৈরিবা অউবা উদবা, অচচ্চন্ত্র পোৎ খুদিংমক, মাগী মাগী সককুবা ধর্ম অমদগী মথক্ত নন্দুনা লৈব ঙাক্তনি। অউবা উদবা—(দৃশ্য অদৃশ্য) অচৎ চন্ত্রা (চরা চর) পোৎ খুদিংমক্কী ভুংনকম, থোরক্কম ওইনা লৈবা কৌবা মথোগী মশক ওইবা ধর্ম অহুনা ভগবান নারায়ণবু মথক্ত হাপ্তুনা পুরি। ভগবান শ্রীনারায়ণনা মাগী ধর্ম অহু থাদনা লৈরি। মহাক্না ধর্ম অহু হেক থাদোকপদা জগৎ পুম্বসি মীকুপ্ত নীঙথায়গদৌরিবনি। জগৎপু শেম্বা-শাবা হৌরকপদা মকম মতম (টাইম্ এণ্ড স্পেশ) হায়বহুমক শেমজিভৈদা (লৈত্রি ভৈদা) সৃষ্টিকর্ত্তা ওইরিবা নারায়ণ মহাক মশামক কদায়দা লৈহুনা, করম্বা মতমদা জগৎপু শেমখি—হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমনি। মতম অহুদদি "মতম" কৌবা অসিমক, অহুগা কনাগী মৈ ঈশিং নুংশিং আকাশনচিংবা পঞ্চভূতকী সৃষ্টি কাওবা অমত তৌজ্রি।

সৃষ্টি কাওবা তৌজিভৈদা আকাশ (অহাঙবা)দা লৈহুনা শেমখি হায়রবস্ন আকাশ (অভিয়া) দি মতম অহুদা লৈবু লৈরমজ্রি। মরমদি আকাশ দি কাইনথঙদা পুক্কীংদগী পোকখিবনি। অহুদি, সৃষ্টিকর্ত্তা মহাক্না কদায়দা লৈহুনা শেমখি হায়বদা, ধর্মগী মথক্তা, ধর্মদা ধরতী, (যুম্ফম্—ভিত্তি) ওইহুনা মাহুগী মথক্তা লৈহুনা শেমখি। নারায়ণনা চংজ্রিবা ধর্ম অসি তাইবংমী ঐখোয়মক্না চংকদবনি। নারায়ণনা চংথিবা ধর্মদি করিনো হায়বদা—জগৎ পুন্নমকপু কোনশিন্দুনা, য়াম্রিবমথৈ ঐগী-নংগী মাগী খায়দনা সমতাদা অনেম অয়াং থায়দবা লৈতেম চপ মান্নবদা জীববু ত্যাস তৌহুনা থম্বা অহুবুনি। অহুম্না কম্বা লৈবা অহুমক্নি ধর্ম হায়রিবসি। ভগবান নারায়ণমা জগৎ পুন্নমকপু কোনশিন্দুনা লৈবগুম লৈবা অহুমকপুনি নারায়ণীয়

তৃতীয়ং ব্রহ্মনো জন্ম যদাসীৎ বাচিকংমহঃ। তত্রৈব ধর্মঃ সম্ভূতঃ স্বয়ং নারায়ণানৃপ ॥১৯॥

নিংথৌ। ভগবান্ শ্রীবিষ্ণু (নারায়ণ)গী লৈ (চীন্) কৌবা ইন্দ্রিয়গী ব্রহ্মাগী অহুমশুবা বাচনিক জন্ম কৌবা মপোক (জন্ম) অহুদগী হৌনা ধর্ম অহুগা ধর্ম হায়বা শব্দ অসিমক শীজিন্নথিবনি। শ্রীনারায়ণদগী ধর্ম হায়বা পোশক অম থোকখিবসি ব্রহ্মাগী অহুম্শুবা বাচনিক জন্ম কৌবা মপোক অহুগী মতমদগীনি। * ॥১৯॥

ধর্ম হায়বসি। ঐগী ইষ্টদেবহুমক্তা চৎলিবা পাম্বিবা ধর্মহু করিনো হায়বহু খণ্ডনা ইষ্টদেবহু নীংলোইদৌবনি। মরমদি নীংলিবা অহুগা মাগী ভক্তনি হায়রিবা ঐঙোন্দা দোষ লাকনি। ঐগীইষ্টদেবহুমহাক্তা চৎলিবা ধর্মমক চৎলবদি ঐকান্তিক ভক্তি হায়বহু মশানা অহুম লাকচে। ঐদি মাগী ভক্তনি, মাবু নত্তনা ঐ অতৈ অম খণ্ডমথে হায়বা ভাক্ত চৎনদে। ঐগী ইষ্টদেবহুনা কবি ধর্ম চৎলি হায়বা খণ্ডনা ঐনা ঐগী ইষ্টদেবহুত পঙনী ত নীঙশবস্থ থোইনা কাম্নবা লৈতে। মীৎ উইশিন্দুনা কম্লিবা ধ্যান তৌরিবা বুদ্ধদেব, মহাবীর, বু বৌদ্ধ অহুগা জৈনশিংনা নীংলি। মথোয়গী ইষ্টদেবনি হায়রি। অহুগা ইষ্টদেবনি হায়রিবশিং অহুনা মথোয়বু নীঙঙ্ হায়বস্থ করিগুম্বনা হায়বা লৈথিদে। বুদ্ধদেব মহাবীর নচিংবা মহাপুরুষশিং অসিং হায়রিবদি মথোয়না তৌরিবা হুম্না নথোয়স্থ তৌ হায়হুনা তাকপিবতনি। ঐথোয়ন নীংশিংবহুগুম্না নথোয়স্থ নীংঙ্ ধ্যান তৌ হায়হুনা ভাকপিবনি। অহুদি মহাপুরুষশিং অহুনা নীংলিবদি করিনো কনাবুনো হায়বসি থিগদবনি। মাহুদি থিদনা লৈরিবা মূর্ত্তি অহুগী মওং মতৌ কিংরপ্তু উবতদা পেঞ্জহুনা স্থ ভাইহুনা উৎসব মেলা তৌবহুনা জীব গী ধর্মনি হায়না শেৱায়না থন্দোক্লগ্রে। সর্বশক্তিমান ওইবা আত্মাহু উরিবা মূর্ত্তি হুগী মথাপোনগ্রে। ধর্ম হায়বহুগী তত্বদি মাহু নত্তে। চপ মায়না লৎজেল চেম্মিয়রকপদা য়াম্না হেন্না চেনখৎগ্রবা লমথুংকম স্নোগ্রগদবা মহাক্তী নাক্তহুম সেবা তৌহুনা লৈহৌরে। মাহুনা জীবগী ধর্ম নত্তে। ঐদৌনা নংস্থ চেলথৎলকউ হায়হুনা মহাপুরুষশিং অসিনা তাকপিবনি। (কালাচাঁদ)

* ধর্ম হায়বা পোশক্তুগীদি লায়বু লাযরহুনা ধর্ম হায়বা য়াহে (শব্দ—নাম) অসিমক করি হায়না কয়স্বা মতমদগী; করিগীদমক করিদা থোনথ্রিবনো হায়বসি খণ্ডনা অহুগা মাহু খণ্ডস্থ খণ্ডত্রিভৈনা নংগী ধর্মদগী ঐগী ধর্মনা হেল্লি হায়হুনা মানা মানা ওস্বা বাদ বিবাদনা লাউনবি, অমগমগা তুক্তনয়ী য়েংথিনরি। মাগী মাগী হেল্লি হায়রিবা ধর্ম অহুনা মাগী মাগী থম্মোয়দা অশাউবা, নাপল, থোয়বা অসিনচিংবা জগৎকী অশান্তিগী মরু হুল্লি। অহুগুম্বা মীশিংহুগী ধর্মনি হায়রিবহুনা জগৎকী মাঙন-তাক্লবা তৌরি। ধর্ম অহুনা হেতুকারণ ওইহুনা নরক তানরি, মাসিমকস্থ য়াম্ন ঈকাইবা অহুগা নোক্লীংবা থবক অমনি। ধর্ম কনাযবু কৌবগে হায়বগী মতাং অসিদা সংজ্ঞা (ডিকিনিশন্) লিশিং লিশিং চোংথোরক্লনি। চোংথোরক্লিবা অমমম অহুস্থ মপূম ধর্ম অহুগী পীকপ্রবামচেৎ অমমমৃতগী সংজ্ঞানি। থুদম ওইনা হায়রবদা

"অহিংসা পরমো ধর্ম্মঃ" হায়বসিদা পরমঃ (খ্বাইদগী অথোইবা) নি হায়রিবসি মপুম ধর্ম (সমস্ত ধর্ম) অচুগী লৈরিবা মচেৎশিং অচুগী মঙুংদা অহিংসা না কোৎবসিনা অথোইবা মচেৎ অমনি হায়বতনি। "এষ ধর্ম্ম সনাতনঃ" হায়বা ৱাঙাও অসি মকম অয়াম্বদা থেংনৈ। অর্থদি "মাসি লেঙত্রবা হোংবা লৈত্রবা লিয়বা ধর্ম নি" হায়বতনি। দান, যজ্ঞ, অতিথি সেবা নচিংবা অকবা পুণ্য কর্ম খিবিস্তা মাসি অচুম হায়নরগনি। অমবু ওইরবসু, অমবু ওইরবসু ধর্ম হায়বা ৱাহৈ (মিং) অনিমক্কী শীজিন্নরকপা হৌবগী মতম অচুবুনি থিনম্বিবসি। অউবা জগৎ অসিবু শেম্বা বিশ্বকর্ম্মা মহাক্ অচুগী মপোকশিং অচু ধর্মশক্তি মান ওইবা নারায়ণ মহাক্কী ইন্দ্রিয় অমমম্দগী ওইখিবনি। ব্রহ্মাগী ঈহান হানবা মপোক্লা মানস জন্ম হায়বসিনি। নারায়ণগী—মানস (পুক্নীং) দগী ওইখিবা মপোকনি। মতম অচুদা ধর্ম হায়বা ৱাহৈ অসি লৈরমদে। অনীশুবা মপোক্লা চাক্ষুষ জন্ম হায়বচুনি। ভগবান্গী মীত্তগী ওইখিবা মপোকনি। মতম অচুদসু ধর্ম হায়বা শব্দ (ৱাহৈ) অসি কোংদোক্লা লৈরমদে। মরমদি শব্দ (ৱাহৈ) হায়বসিমক চীন (লৈ) কৌবা ইন্দ্রিয় অচুতগী বিষয়নি। অতৈদগী থোরকপা য়াদে। অচুনা মূল শ্লোকক্কী অর্থদা হায়রে —ধর্ম হায়বা অসি মমিং মথা নাইনা লৈরমদবদগী লৈবা হৌত্রিবসি ব্রহ্মাগী অহুমশুবা বাচনিক জন্ম কৌবা মপোক্কী মতমদগীনি। মৈ ঈশিং মুংশিংনচিংবা অসিনা লৈরিবসি করিগুম্বা ধর্ম অমগী মঙুংদা নক্সগা মথক্ত তোংচুনা লৈরিবনি। লৈকম, তোংকম, ভাকলো ওইকমচুদা ধর্ম হায়বা ৱাহৈসিনা মিং ওইনা থো, নত্রিবশি ভাঙথোকপা হায়বা থবক অসিগী তৌকমদি চীন-লৈ কৌবা ইন্দ্রিয় অসিতনি, অতৈনা ওইবা য়াদে। মীৎ, নাকোং উনশা, নাতোল মথোয় মরি অসিত ভায়রম্নবদি শব্দশাস্ত্র পুম্নমক অমত্ত লৈরম্নরোইদৌবনি। শব্দদি লায়রদনা শব্দ খুদিংগী পোকভম তাম, ভু, ধৃ, কৃ নচিংবা ধাতুশিং রসিমক শূকলৈ লৈরম্নরাই দৌবনি। মরম অচুনা ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী নারায়ণীয় ধর্ম হায়বসিমক ব্রহ্মা মশামক্লা মাগী অহুমশুবা মপোক বাচনিক জন্ম হায়বচুদা থোকখিবনি। ঙসি ঙরাংগী ৱাহৈ নত্তে। খল্লুবদা অমম্বনি। নারায়নীয় কৌবা ধর্ম অসিনা পোকপ্রবতুংদগীদি পৃথিবীগী মকম্ পুম্নমক্তা দেশদেশগী জাতি অমমম্না বৌদ্ধধর্ম, জৈনধর্ম, হিন্দুধর্ম বৈষ্ণবধর্ম, শাক্তধর্ম গৌডীয় ধর্ম. খ্রীষ্টধর্ম, মহম্মদান ধর্ম (মুসলিম ধর্ম) অচুম হায়না মতুংদ শীজিন্নরকপা ধর্মগী ঈচেল কয়া কয়া, চেম্বনরম্মি, কয়া কয়া থকখি, কয়া কয়া চেম্বনরক্খিনি। মাসিগী মতাংদা পৃথিবীদা লৈরিবা করিগুম্বা জাতি অমনা মাগী ধর্মনা অতৈ ধর্মশিংগী হৌরককমনি হায়ন য়েংব য়ারোই। য়েংলমদাইদা ধর্ম হায়বা শব্দ অসি—সংস্কৃত শব্দনি হায়বসি হায় খম্নহৌগদবনি। ধর্ম হায়বা শব্দ অসিগী চপ চাবা অর্থদা হন্দোকনীংঙায় পৃথিবীগী করিগুম্বা লোল অমগী অভিধানদা য়াওত্রি। হায়বদি ধর্ম হায়বা শব্দ অসিনা পুরিবা অর্থ ময়াম অসি অমত ৱাংহৌদনা কোঙদোকপা ওম্বা শব্দ অমত পৃথিবীগী করিগুম্বা লোল অমদা লৈত্রি। ঈরায় লায়বা খুদম মচা অমদা অমদা অচুম থঙগনি। ঘটত্ব-ধর্মগা ঘটগা কনানা হাল্লি ? খরনা হায়গনি —ঘট লৈরবতুংদা ঘটত্ব হায়বা ধর্ম অসি মসানা লাকচবনি।

সুপর্ণো নাম তমৃষিঃ প্রাপ্তবান্ পুরুষোত্তমাৎ। তপসা বৈ সুতপ্তেন দমেন নিয়মেন চ ॥২০॥

সুপর্ণ কৌবা ঋষিনা পূর্ণীং চঙনা, ইন্দ্রিয় খুদম চন্থুনা তৌথবা তপস্যা গী পাম্বনা ভগবান পুরুষো-ত্তমবু পেলহন্দুনা পুরুষোত্তম ভগবান্ নারায়ণগী নারায়নীয় ধর্ম গী তত্ত্ব অদু কংখি ॥২০॥

অদুগা থরনা হায়বি :– ঘটত্ব ধর্মনা তিঙ্গবদি ঘটনি হায়রিবদু হায়বা য়ারোই অসিনচিংবা ন্যায়শাস্ত্র গী লোন্দা অসিগা য়াওরিব ধর্ম হায়বা শব্দসিগী চপ চাবা অর্থ থোকহনবা ওস্বা শব্দ অমত্ত অতৈ করিগুম্বা লোল অমদা লৈতে। লাল শোক্রবা হায়বসি নারায়ণীয় ধর্ম চৎলিবা অর্জুনগী ধর্মনি। মকম অসিদা য়াওরিবা শব্দ অনী অসিগী অর্থ অমত্ত মায়দে। অসিগুম্বা ধর্ম হায়বা শব্দ অসি লাকপা কয়া কুইয়বগে হায়বদা, অদুতৈও ব্রহ্মাগী অহমগুবা মপোক বাচনিক জন্ম হায়রিবদুদগী থোরকপ অদুগা চৎনবা হৌথিবনি। অসিগুম্বা অর্থ লিশিং লিশিংবু পুয়িবা অদুগুম্বা নারায়নীয় ধর্মন। অতৈ অতৈ সম্প্রদায় অদুগা জাতিশিং না শীজিন্নরিবা ধর্মশিং অসিদি, নারায়ণীয় ধর্ম হায়বা মপূম অসিগী মগুং অমমম্ তং ওইনা লৈজবনি। নারায়ণীয় ধর্ম য়াওদ্রবদি মথোয় অমত্ত লৈবা য়াদ্রে। মথোয় অমত্ত য়াওবিদ্রবসু নারায়ণীয় ধর্ম মগাক্তি অদুম মথক্ত লৈহৌনি। নারায়নীয় ধর্ম কৌবা ধর্ম মউ অসিনা ধর্ম মচামচাকয়া পাল্লম্মি, কয়া কয়া কৌনথি অদুবু মউ মগাক্তি অদুম ঈকায় কায়দনা মরৈরি। "ধর্মস্য তত্ত্বং নিহিতং গুহায়াম" হায়রিবা অসি নারায়নীয় ধর্মগী য়ানি। অসিগুম্বা ধর্মদা লেঙদনা লৈদুনা জগৎকী কর্ত্তানা সৃষ্টি রক্ষা অমাদ সংহার তৌরি।

(কালাচাঁদ)

ᵠ হৌজিক হৌজিকী বৈষ্ণব ধর্ম, বৌদ্ধধর্ম, জৈনধর্ম, শাক্তধর্ম অসিনচিংবদা শীজিন্নরিবা ধর্ম হায়বা য়াহৈ অসি বৈষ্ণব, বৌদ্ধ, জৈন, শাক্ত অসিগুম্বগা লিয়দুনা লাক্লি। য়াহৈসিগুম্বশিং অসিগা লোয়ননা শীজিন্নত্রিডগী মমাঙগী ধর্ম হায়বা য়াহৈ অ'সমতগী অর্থনা হেক লৈরিবা পুণ্য কর্ম মথৈবু লোইনা কোনশি-ন্নম্মি। খুনম ওইনা হায়রবদা অচুম্ব ভাওবা ধর্মনি, মীনুংশিথওবা ধর্ম, থৌজালহৈবা ধর্মনি, দান তৌবা ধর্মনি, অপাম্বাসি হৌবা তৌদবা ধর্মনি। মমা-মপাগী সেবা তৌবা ধর্মনি, মীনা ভাবদা নুংভাইহয়োইদবা ওইরবদি অচুম্বনি হায়দুনমু মাদু ভাওদবদু ধর্মনি। অসিগুম্বা বিষয়দা শীজিন্নবত্ত নত্তনা, শাবা চাকপা হায়বসি মৈগী ধর্মনি, ঈংবনা ঈশিংগী ধর্মনি, মনম, পুজনা লৈপাকী ধর্মনি, অসিনচিংব হীরমদসু ধর্ম ধর্ম হায়বা য়াহৈসি নৈয়ায়িক বৈজ্ঞানিকশিংনা শীজিরৈ। মতৌ অসুম্না লৈত্রিবা খুদমশিং অসি থীরবদি লোইবা নাইরোই। সত্যযুগ তদি সত্য ভাওবতনা সত্য ওইবা কর্ম তৌবতনা ধর্ম ওইনয়ম্মি। ঈড়াং পূজাগী বিধি অদুকয়াম কুপ্ন লৈরমদে। যুগ অমদনা যজ্ঞ তৌবত্তনা ধর্ম ওইনরম্মি। অদুদগীদি ধর্মগী পরিকর (সীমা) অসি অসুম খুজিল্লকই। ঈকোন কোনবদা হৌজিকতি লাইনীং লম্বীতনা শীজিন্নবগুম তৌরি। "নং করি ধর্ম চৎলি ?" হায়না হৌজিক হংনরিবসিদা নং দান তৌরা ? যজ্ঞ তৌরা ? অচুম্বত্ত

ভাওবরা ? করম্বনা নংগী ধর্ম ওইরি হায়না হংবগী অর্থ লৈত্রো। . হিন্দু ধর্মরা, বৈষ্ণব ধর্মরা, জৈনধর্মরা অসুম হায়না হাইনিং লম্বী রোমদা মরূ ওইনা থমহনা হংবনা অয়াম্বা ওইত্রে অহুবু মমাঙৈদা পাক চাউরবা অর্থ ময়াম কোনশিন্নবগী খুদমহুদি অহুম মরৈরি। মীতৈঙ্গুপী হনুবী অমবু পোহনা পাঙল মচা অমনা য়ুমতায় থিনবিরম্নবদি—পাঙল মচা পাখং অহুদা মীতৈ গুপীহনা "ধর্ম খভিঙদা ঈবুঙো।" হায়না থাগৎলি। মাসিদা শীজিন্নরিবা ধর্ম হায়বা রাহে অসিদা লাইনিং লম্বীগী অর্থ য়াওত্রে। "থোজাল হৈবা মীঙ্গুংশি খঙবা হায়বসি ধর্মনি—" হায়বহুদা শীজিন্নরিবা ধর্মহুনি। থোজাল হৈবা, মিঙ্গুংশি খঙবা হায়বসি তাইবংমী পুন্নমক্কী ধর্মনি। হিন্দুভগী নত্তে, মুসলমানশিংগীভ নত্তে। মাসিদা হিন্দু,শাস্ত্রনা মথাতানা অমুক আধ্যাত্মিক ওইবা বিচারদা থম্বরক্লিবদি তাইবং মী পুন্নমক্কী ওইবা, পেন্নবা লৈতনা নীংনবা, পান্নবা, তাইবংপুন্নমক্কীভ নত্তনা শা-শম্নচিংব ফাওবগী আত্মানা পেঙ্গগদবা ধর্ম অহুত্তবা ওইবা অহুগুম্ব ধর্মহু, মানবধর্মনি। মাসিদা নিপা গুপীগী, জাতি-বিজাতিগী ভেদা-ভেদ লৈত্রোই। আত্মা অসিনা হিন্দুগী আত্মা, মুসলমানগী আত্মা, নিপাগী আত্মা গুপীগী আত্মা, লায়রবগী আত্মা ঈন্নাকথুবগী আত্মা হায়না লৈত্তবহুগুম্না লাইনীংলম্বীগী অর্থপুবা ধর্মগী ময়ম অসিদমু আত্মা অমত্তনা দেহ খুদিদা তোঙাল,তোঙাল লৈবগুম লৈহনা পান্নিবা নীলিবাস করিনো, করিবু ওইরিগদগে অসুম হায়না খল্লক্কুনা নার (জীব) পুন্নমক্কী অয়ন (চঙশিন্নরকম) ওইবা হায়বদি নারায়ণ ওইবা সর্বেশ্বর, বিশ্বেশ্বর ওইবা মহাকপু আবিষ্কার তৌব তাই অসুম হায়না থন্নরকপসিম নারায়ণীয় ধর্মগী মহুং চল্লি। খল্লবা (মনম তৌবা) হায়বসিমক মানব ধর্মগী অঙ্গ অমনি। অঙ্গম্নবু খল্লক্লবদি জর্ম্মন আমেরিকাদা পোকথা মহাক অহুমু নারায়নীয় ধর্ম অহুম মচংত্তে। অসুম্না পাক চাউনা লৈরম্বা ধর্মনা হৌজিক্তি পীক্ল পীক্লবা মচেৎ অমমম্ ওইনা কায়হুনা খুদিক্ খুরবা কা অমমমদা থোঙ লোনশিন্নহনা অমগমগ কৌনদহনা অহুদগী হেন্দোক্লনা অমগমগ নিন্দা তৌনহনা, ভুক্কচনহনা লৈনত্রে। পাক্ চাউরবা লোকোন চীজোল অমদা তোঙাল তোঙানবা লোপুগী লোয়ী অমমম্ য়াত্তুনা হেঞ্জিল্লদনা থম্নখিবা হুগুম্বং ধর্ম মচেৎশিং অসিনা লৈনখ্রি। ইন্দ্রিয় খুদিংমক্কী মথো মমিং মওং ধর্ম তোঙাল তোঙাল্লবসু হকচাং মপুম অহুদগীদি তোঙাল তাথিবা য়াদে। অহুগুম্বা ধর্ম মচামচাশিং অসি অমগমগ রাথল চাকচা কীজেংতা তোঙাল তোঙাল্লবসু নারায়ণীয় ধর্ম কৌবা মউ অহুগী মমুংদা শাখাপ্রশাখা (মশা মরেং) ওইনা অহুম মরৈরি। অসিগুম্বা ধর্ম অসি ব্রহ্মাগী বাচনিক জন্ম কৌবা অহুমগুবা মপোক্কগী হৌনা ঋষিপরম্পরা ওইনা চল্লরক্লি। সুপর্ণ কৌবা ঋষিনা অকনবা তপস্যা গী পাম্বৈনা ভগবান পুরুষোত্তম মপা মক্কদগী ধর্মগী তত্ত্ব অসি ফংখি। ধর্ম অমবু হৌদোকপা, ধম অমবু ফুগংপা হায়বসি তরাই তরাইবা থবক নত্তে। খুৎলিংহনা লাউখোংলগা, ঐখোয় মথৈ অসি চৎসি অতৈ নীংনসি হায়হনা হায়রগা রাচৎনরগা তৌপদবা থবক নত্তে। চনীং তাবা মহাজ্ঞানী ধর্ম বৈজ্ঞানিক অমগী নেতৃত্বগী (লম্জীংবগী) মথাদা লৈহনা অমগমগ য়েংথিনদনা থবক তৌগদবনি। মানা মানা পাম্বা পরিকরগী (রাথল)

ত্রিঃ পবিত্রাত্তঙ্কবানেতৎ সুপর্ণো ধর্মমুত্তমম। যস্মাৎ ব্রতং হ্যেতৎ ত্রি সৌপর্ণমিহোচ্যতে ॥২১॥

সুপর্ণনা ধর্ম অসিবু হুমিৎ খুদিংগী অহুমলম শোনখি। মরম অহুনা ধর্ম অছুগা ব্রত অসিবু মতম খরদং "ত্রিসৌপর্ণ" হায়না কৌনখি * ॥২১॥

গী মনুংদা চঙখিবদি য়াই। ধর্ম অমদা চঙপ্রগা, মহাকনা চঙডূদবা ধর্মহুবু তাখিয়বদি—মহাক্না চঙডূরিবা ধর্ম অছুনস্থ মঙোন্দা অশান্তি পীবদগী হেন্না করিমত পীবা ঙম্মোই। অতোপপা অমবু হুংশিনদবা কল্লরুবা মিহৌনববু হেক মরৈয়বদি মহাক্না চঙডুরিবছু অধর্মগী মহাপাপকী অরিব মনুংদনি, ধর্মগী য়াখন্দা নত্তে। মহাকী মনাইগীদি ঈখল খন্দনা মীয়ানবীনা মথং মথং পয়োশানা মৈনুংদা চেলশিন্নবগুম চেনশিন্নরি। য়াজনীতিদা খুৎলিংবদি য়াই। ধর্মনীতিবদি মাছু য়াদে। কল্লরুপা, য়েংখিনবা, অশাউবা, মিহৌবা মীগী মরল পাম্বা কোনশিন্নীংদবা, তোখাই তানিংবা অমকপা অমোৎপা শিংসিবু থম্মোয়দা চঙইল্লোই হায়বগী দমক ধর্মনা লৈবনি। (কালাচাঁদ)

* কয়িগুম্বা য়ায়েং শৈয়েং অমবু নত্রগা মন্ত্র অমবু অনীয়ক শোল্লি অহুমক্ শোল্লি হায়বদি য়াই। অছুগা ধর্ম বু অহুমক আবৃত্তি তৌথি, শোনখি হায়বসি করম হায়না শোনগদৌরিবনো হংনিংঙায় খঙনিংঙাই ওইবা বিষয় অম ওইনা থোকই। হায়রিবসিগী ভাবতি—'ধর্ম" হায়বা শব্দ অসিবু ধর্ম—ধর্ম - ধর্ম হায়ছুনা অহুমলক শোল্লি হায়বা য়া নত্তে। সুপর্ণনা নারায়ণদগী কংবা নারায়নীয় ধর্মবু নারায়নীয় ধর্ম—নারায়নীয় ধর্ম—নারায়নীয় ধর্ম হায়ছুনা অহুমলক্ হুমিৎ খুদিংগী শোনখি হায়বা য়া নত্তে। ধর্ম অসিগী অর্থ অছুগা তত্ত্ব বিচার বিমর্শবু হুমিৎ খুদিংগী অহুমলক তৌথি নৈনখি হায়বা য়ানি। প্রমান অমদা হায়রগা হরিনাম নত্রগা গায়ত্রী মন্ত্রবু অহুমক শোল্লু হায়রগা মন্ত্রছুদা য়ায়রিবা শব্দশিং অছুতবু শোল্লু হায়বা নত্তে। মাছুদা য়াওরিবা অর্থ অমদি তত্ত্ববিচার অছু শোল্ল শোল্ল নৈনৌ হায়বনি। অছুদি নত্তনা চীনৃবাক্তদা লেঙছুনা, কয়িহায়রিবনো হায়বছুদি খঙদনা শোল্লবদি তৌনবাক্তদা লেঙছুনা তোকনি, অছুগা মাছু শোল্ল শোল্ল পুক্নীংদদি অতোপ্পা কায়দবা. শোল্লিবছুগা মরম ঈয়ৈ লৈনদবা বিষয় অম খনখিব য়াই।

অছুনদি কয়ি কায়রি ? মনুংগী অকুপ্প ভাব (অর্থ) তি কয়িনো হায়রবদা, তত্ত্ব অছুবু কুপ্প নৈন নৈনছু না অছুগা অর্থ অছু খঙনা খঙনা বিচাব তৌনা শোল্লবদি পুক্নীংদা অতৈ অতোপ্পা বিষয় অমনা চঙশিঙলকপগী সুবিধা কংদে। অছুনা সংসারগী অতৈ অতোপ্পা বিষয় অমনা চঙশিল্লকপা ঙমহল্লোইদবগী দমক্তা নৈন বদা মতম খর চঙহন্নবা হায়বছু মন্ত্র খুদিংদা মথেক য়ামহন্দে। য়ামত্রবা শিং অছুগী মনুংদদি জগৎকী তত্ত্বার্থ পুন্নমক হানজিন্দুনা থম্মি। মাসি থাইনগী মহাজ্ঞানী মন্ত্র কর্ত্তা মহর্ষিশিংগী অকুপ্পনীতি (পোলিশি) অমনি। চীনবাক্তদা খেন্দনবা থম্মোয় য়াওনা শোনখিনবা, সংসারগী অতৈ অতোপ্প বিষয় অম কাউবা ঙম্মনবা হায়ছুনা মন্ত্র হায়বসি লোংলম্বনি। য়াজনীতিদস্থ মন্ত্র শোল্লিবা, মন্ত্রনা তৌরিবা মন্ত্রী অছুনা নিংথৌগা তান্নবা

ঋগ্বেদপাঠ-ঠিতং প্রতমেতদ্ধিহুশবম্ । সুপর্ণশ্চয্যাধিগতো ধর্ম এব সনাতনঃ ॥২২॥

অসিগুম্বা কূপ্পবা তত্ত্ববিচারনা থল্লবা ধর্ম অসিগী মতাং অসি হায়বদি, ত্রিসৌপর্ণ ধর্মগী মতাং অসি ঋগ্বেদবা ময়েক লানা পাঠ তৌনরি । মতুংদা অসিগুম্বা ধর্মগী তত্ত্ব অসিবু জগৎকী থরায়গী মশক ওই-রবা হায়দোত্তানা সুপর্ণগী মকমদগী কংজখি ※ ॥২২॥

মতমদা রা য়াম্ন ঙাঙগদবা নত্তে অহুগা য়াম্ন হৌনা ঙাঙনগদবা তাম্নগদবা নত্তে। মপুংদা লৈরিবা তত্ত্ব (অকুপ্পা অর্থ) অহুবু অতৈ কনা অমত্তনা তাহন্দনা ঙাঙবৈ। হরিনাম অমদি গায়ত্রী মন্ত্রনচিংবা শোনবা, থীবা মতমদসু অহনি। হিন্দুধর্ম —হিন্দুধর্ম, বৈষ্ণবধর্ম বৈষ্ণবধর্ম মীতৈ ধর্ম হায়রুনা লমজাওদা কোয়রাও লাউরগা ধর্মগী তত্ত্বহ ফুদোরকপা থক য়াওরোই। অতাবা মীশিং অহুগী থম্মোয়দসু আধ্যাত্মিক ওইবা য়াথগ অমতসু পোকহনবা য়ারোই। জগৎতা শান্তি পীবদি লাররুম্বা, অহোয়নহুম থুদোং থীবা, শা-লাল নচিংবহুম থোক্হনগনি। জগতা লৈরিবা চৎনরিবা, চৎনরক্‌দোরিবা ধর্ম পূম্নমকপু কোনশিনবা, খাই পূম্ন-মক অহুগী অয়ন ওইবা তুংনকম ওইবা ধর্ম অহুবুনি নার + অয়ণ = নারায়ণধর্ম (নারায়ণীয় ধর্ম - ভাবগবত ধর্ম) হায়রিবসি। অসিগুম্বা তত্ত্ববিচার অসিবু সুপর্ণ ঋষিনা নোংমদা অহুম্লক নৈনখি গীংশিংখি শোনখি হায়বত্তনি। ত্রিকাল সন্ধ্যানা গায়ত্রী মন্ত্রবু শোল্লু হায়রিবহুসু অসিগী ভাব তাই। মাসিদগী অমুক হেন্নিম্বা কূপশিনবা বিচারদনা করিনো হায়বদা সংসারগী বিষয় অমবু নীংশিংঙদনা শোল্লি হায়রুনসু কৃষ্ণ শোম্ন শোম্ন রামগী তত্ত্ব নৈন-নৈননা শোল্লবদি, নৃসিংহ মন্ত্র শোম্ন শোম্ন রুদ্রগী তত্ত্ব থম্ন থম্ন শোল্লবদি অকায়বা লাকই। অহুগী দমক্ত ঐকান্তিকী ভক্তি হায়বহুমগী অম্নক্ প্রয়োজন (দরকার) অম লাকই। অহুনা মথক্তী মূল শ্লোক শিংগী অর্থদা য়াওপ্রে —ঐকান্তিকী ভক্তি ভাবনা গালোয়ননা নারায়নীয় ধর্মদা দীক্ষা লৌগদবনি। খ্রীচিয়ান ধর্মশিংদসু, বৌদ্ধ ধর্মচৎপা শিংদসু অহুম মহায়রি মহিদি—মাগী মাগী ইষ্টদেবগী মন্ত্র শোনবা শক পা মতমদা ঐকান্তিক ভাবতা নারায়ণীয় কর্মদা তোংহুনা শক্‌শোনগদবনি। মতম অহুদা তোঙান তোঙানবা ধর্ম পূম্নমক অসি নারায়নীয় ধর্ম তদা একা কার ওইনা পুল্লপা চঙশিল্লকনি। মতম অহুদা অখণ্ড ওইবা মচেৎ তাদবা 'পূর্ণ ওইবা (মপূম ওইব') আনন্দ অমা লাকনি। মাহবু পূর্ণানন্দ, অখণ্ডানন্দ কৌই। অহুদগীদি মাহুনা অখণ্ডব্রহ্ম কংবগী আনন্দ অহ মগানা অহুক্ লাকচৈ। অসিগুম্বা নারায়নীয় ধর্মগী তত্ত্ব অসিবু সুপর্ণনা হুমিৎ খুদিংগী ত্রিবার (অহুমুলক্) নৈনখিবদগী যুগ থরদং ত্রিসৌপর্ণ ধর্ম হায়না চৎনরম্মি। পম্মোক ওম্মোক্‌পা, তোঙাল তোঙানবা তত্ত্বার্থ পুরবা ধর্ম লিশিং লিশিং জগৎতা কাওগৎলম্মি নারায়নীয় ধর্মগী মপুংদা, কয়া কয়া লৃপখি নারায়নীয় ধর্মগী মপুংদা। একেশ্বরবাদ, দ্বৈতবাদ, বিশিষ্টাদ্বৈতবাদ

※ অতৈ অতৈ ধর্মগী তত্ত্ববিচারদি ধর্ম অমমম্হুগী প্রতিষ্ঠাতা ওইরিবা (হৌদোক্লম্বা) মহাপুরুষ শিং

বিশুদ্ধাদ্বৈতবাদনচিংব কয়ানা শাগংলম্বা ধর্মগী লম্বী কয়া কয়। তাউখংলম্মি নারায়ণীয় ধর্মগী ঈপাক থক্তা, কয়া কয়া লুপক্রে নারায়নীয় ধর্মগী ঈপাক লুংদা। মতৌ অহুগুম্বা ত্রিসৌপর্ণ হায়বা ধর্ম অসিস্থ বৈষ্ণবধর্ম, শাক্তধর্ম, বৌদ্ধধর্ম হায়বগুম্বা মতম থর চ'নরম্মি। অহুবু মমিংতনি মূংখিববি মাহুগী তত্ত্ববিচারদি হৌজিক কাওবা লৈরি।
(কালাচাঁদ)

অহুগী মতম মত্তমদগী চথখিবা ওাক্তনি জৈন বৌদ্ধনচিংবগী তত্ত্ব বিচার অসি গুরুগোবিন্দ হরগোবিন্দ গৌরাঙ্গ, রামানুজ, শঙ্কর, মহাবীর, যীশু, মহম্মদ, অসিনচিংব মহাপুরুষশিং অসিগী মতমদগী চথরকপা ওাক্তনি। ধর্মশিং অসিগীস্থ তোওাল তোওাবা মাগী মাগী ধর্ম প্রচারকশিংনা মথং মথং শন্দোকলক্লি লৌগংলকলি। অহুগা নারায়ণীয় ধর্ম অহুগা ধর্মসিগী তত্ত্বদি সৃষ্টিগী মমভিত্রগী, ব্রহ্মাত্মক পোকৃত্রিওগী মমাঙদগী ওসি কাওবা চথরক্লি। ঐকান্তিক ভক্তিগী মার্গা (লম্বী) অসিস্থ ওরাং নহান্তগী রা নত্তে সৃষ্টিগী মমাঙদগী, হায়বদি, দৃশ্যজগৎ অসিগী খুংশেমগী মমাঙদগী অহুম শ্রীনারায়ণ মশা মক্রা চংখিবা ধর্মনি। অহুনা নারায়ণীয় ধর্ম হায়না খঙনবি ধর্ম অসি, শ্রীভগবান্ নারায়ণ মশামক্রা চংখিবদগী নারায়ণীয় ধর্ম হায়না খঙনরি। ভগবান্ মশামক্রা চংখিবা হায়বহুনা ভাগবত ধর্ম হায়নস্থ খঙনরি। ধর্ম মচা লিশিং লিশিং চোংখংলম্মি কোঙ্গোল কাবগুম, লিশিং লিশিং মূংগ্রবনি কোঙ্গোল তাক্পগুম্। অহুগা নারায়নীয় ধর্মদি হৌজিক কাওবা লেওদনা লৈরি। লেওদনা লৈরি হায়বসিগী ভাবতি—অতোপ অতোপ্পা ধর্ম শিংহুনা লূপক্রিবহু, থাজনরাক্তহুনা, মঙোল মঙোন্দগী হেন্ন কূপ্প খিনরকপশিংগী মমাঙদা চাং তাহুনা থূপখিবনি। অহুগা অকূপ্প বিচারবু বৈজ্ঞানিক অহুগা য়াম্না আধ্যাত্মিক ওইবা দৃষ্টিদা নৈনবা হায়রহুমদি অস্থম মরৈরি। মহাক্তি লূপখিবা থূপখিবা য়াদে। সিদ্ধান্ত অম ক নববা কূপ্প নৈনরিবহুমক নারায়ণীয় ধর্মনি। খুদম ওইনা হায়রবদা মৈ ঈশিং মুংশিংকী তত্ত্ববু খিনরক্লিবা, অসি মথোয়গী হৌরককমবু মৈ ঈশিং তু নত্তবা মথোয় গী হৌরককম অহুবুনি। অহুনা বৌদ্ধ ধর্মগী তত্ত্ব অমগী হৌরককমবু খিরিবহু বৌদ্ধ ধর্মহু নত্তব', জৈন ধর্মহু নত্তবা অতোপ্প অমগী বিযয়নি। অতোপ্পা অহুনি নারায়ণ ধর্ম হায়রিবসি অহুনা নারায়ণীয় ধর্মতনা অরেপ্পনি। অসিগুম্বা তত্ত্ব অসি সুপর্ণগী মকমদগী বাসুদেবনা কংখি।

নারায়ণীয় ধর্মনা মথং মথং পরমনরা ওইনা লাকলি মৈ ঈশিং মুংশিংনচিংবগী অধিষ্ঠাত্রী দেবত'শিং অসিনা মশক নাইনা ব্যক্তওইনা লৈরিতে মতদগীনি। মৈ ঈশিংনচিংবনা হৌজিককাওবা মাগী মাগী ধর্ম (মথৌ) কায়দনা মথৌ তৌরক্লিবসি নারায়নীয় ধর্মদা দীক্ষা লৌখিবা মতম অহুদগীনি। মৈ ঈশিং মুংশিং আকাশ নৈপাক মথোর মঙাসিগী মমুংদা ইহান হানবদা বায়ু দেবতানা ধর্ম অসি সুপর্ণবগী কংভি। মৈ ঈশিংনচিংবা পঞ্চভূতশিং অসি কাওবা মশা মশাগী মথৌগী অমদি ধর্মগী তত্ত্ববু মুম খঙলবা ভুংদা থবক পার থবা হৌখিবনি। মুংশিংনা ঈংলিবসি করিগীনো, করিগী দমক্তনো হায়বসি. অহুগা মঙোন্দ (টচ) গী গুণ অমগা থোমজিনক্লিবসি করিগীনো হায়রিবসি বায়ুদেবতা মশা মক্রা খঙগদবনি। তাইবং মী

বায়ুনা ত্রিপদাংশ্রেষ্ঠ কথিতো জগদায়ুষা। বায়োঃ সকাশাৎ প্রাপ্তশ্চঋষিভির্বিঘসাশিভিঃ ॥২৩॥
ততো মহোদধিশ্চৈনং প্রাপ্তবান্ ধর্ম্মমুত্তমম্। অন্তর্দধে ততোভূয়ো নারায়ণসমাহিতঃ ॥২৪॥

অসিগুম্বা নারায়ণীয় ধর্মগী তত্ত্ব অসিবু অমুক বায়ুদেবতাদগী বিঘসাশী কৌবা ঋষিশিংনা তাবকংখি। অদুদগী অমুক বিঘসাশীকৌবা ঋষিশিংদগী মহোদধিনা কংখি। মহোদধিনা কংলবতুংদা ধর্ম অসি ইন্নুংদা অমুক লুপখি। ভগবান্ নারায়ণদা তিনখি ✿ ॥২৩—২৪॥

বৈজ্ঞানিক মক্লা পাক থগেন্তায়। অমদগী অমদা হুন্দিবা শীংলিবসি বায়ুদেবতা মশামক নত্তে। মহাক্লা মাগী মশক উদবী শক্তিবু জগৎকী উপকারগী দমক ব্যক্ত ওইহল্লকপনি, মৈনচিংবগীদু অসুম্না খগদৌবনি। মথো-য়শিংসিনা মাগী মাগী কায়দনা চৎলকপদগী মথোয় পুম্নমক্কী মপৈ (সমুচ্চয়) ওইরবা হকচাং অসিনা লেপ্তিগুবা ঈংলিবা শারিবা অসিপুম্নমসি হকচাংশিংগী মস্থ দা নৈরিবা মখোয় অমমমগী অধিষ্ঠাত্রী দেবতাশিং সিনা মাগী মাগী মথো তৌজবতনি। শ্রীনারায়ণ (বিষ্ণু) গী অংশওইবা আত্মা হায়বসিনা হকচাং মুংদা লৈনা লৈনা বুদ্ধি কৌবী জাগী লোয়নবীগা লোয়ননা পুক্লীং কৌবা থাগী ইন্দ্রিয়দা য়াথং পী। য়াথংদুগী মতুং ইন্না—অধিষ্ঠাত্রী দেবতা শিংনা নারায়ণীয় ধর্মনামাগওইননা য়াথং অদু পাগথোকপনি। আত্মা মহা-ক্লা হকচাংসিদগী—হেক থোকখিবদা অগ্নি দেবতা, বায়ু দেবতানচিংবশিং অসিমু মরী মরী অদু হন্নখি। বায়ুনা মাগী মনুংদা য়ুম্নুরেলগুম লৈরম্বা বায়ুদেবতাদুনা হেক থোকথোকখিবনা মাগী চৌরককম মহাবায়ুতদা অদুম হংগনখি। মৈ ঈশিং মুংশিংনচিংবনা ধর্ম কায়দন মথৌ তৌবক্লিবসি শ্রীনারায়ণদগী মথং মথং কংবনা নারায়ণীয় ধর্মগী পাম্বদুননি। (কালাচাঁদ)

✿ গুরুপরম্পরা হায়দুনা চৎনরক্লিবসি ওসি ওরাংতগী য়া নত্তে। শ্রীনারায়ণনা ঈহান হানবা গুরুনি—। শ্রীনারায়ণ মমাঙদা কনাগুম্বা করিগুম্বা অমত লৈরমদে। মাঙদা চৌপ্রবা, তুংদা লাক্তদৌ-রিবা পুম্নমকপু লৌশিন্দুনা চুপশিন্দুনা থমপ্রবা, (নার পুম্নমক্কী অয়ন ওইপ্রবা) নারায়ণ মগাক নক্কনা মপা-ন্দা অতৈ অমা লৈতম থোকতে। মরম অদুনা নারায়ণনা আদিগুরুনি। "নারায়ণ" হায়ব শব্দসিগী অর্থগী মতুং ইন্না হায়করবদি বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ডদা হেক লৈরিবা ধর্ম খুদিংমক খগহৌনবু ওইরবসু, খগহৌদনবু ওইরবসু নারায়ণীয় ধর্মদগী চেম্বকপনি। তোঙাল তোঙানবা জাবাগী শব্দ শিংদা মিংথোনপ্রবসু নারায়-ণগী অর্থতদা মশানা মতাজরনি। অদুনা বৌদ্ধধর্ম, জৈনধর্ম, খ্রীষ্টধর্ম, বৈষ্ণবধর্ম অসিনচিংবসিগী পোক-ত্রিগী মমাঙদা নারায়ণীয় ধর্মদি অদুম মরৈরলক্লবনি। নারায়ণদগী সুপর্ণ, সুপর্ণদগী বায়ুদেব বায়ুদেবদগী বিঘ মাশী, বিঘসাশীদগী মহোদধিনা নারায়ণীয় ধর্ম অসি মথং মথং কংনরক্লি। মহোধিনা কংলব তুংদগী মতুম কুইনা ঈসুংদা লপ্তুনা লৈরুরে। মহোদধি হায়বসি—অময়োময়দা তাবদা কনাগুম্বা ঋষি অমগী মমিং

যদা ভূয়ঃশ্রবণজা সৃষ্টিরাসীন্মহাত্মনঃ। ব্রহ্মণঃ পুরুষব্যাঘ্র তত্র কীর্তয়তঃ শৃণু ॥২৫॥
জগৎস্রষ্টুমনা দেবো হরির্নারায়ণঃস্বয়ম্। চিন্তয়ামাস পুরুষংজগৎসর্গকরং প্রভুম্ ॥২৬॥

নিপা অথোইবা নিংথৌ! ভগবান্ শ্রীনারায়ণ দি নাকোং কৌবা ইন্দ্রিয় মন্থ (মখুল) দগী ওইখিবা ব্রহ্মাগী মরিশুবা মপোককী মতমদা ওইথিবা ধর্মতুগী মরমদা অমুক হায়গে, মুন্ন তাও * ॥২৫॥

ভগবান্ নারায়ণ শ্রীহরিনা জগৎকী সৃষ্টি তৌগে হায়না খল্লকুনা, থবক অতুমক্ ভৎবা পুরুষ অম পুথোক্কে হায়না খনখ্রে ৫ ॥২৬॥

ওইনা তায়। অতুগা থাওগৈশেংবদি মহোদধি হায়বনি "সমুদ্র" হায়বনি। অদুনা মহোদধিনা কপলবা মতুংদাদগীদি ঈহুদা লুপখি হায়বা মূল শ্লোককী অর্থগা যায় চুনৈ। মেদনা প্রলয়গী ঈপাক্কা লুপখি, মধুকৈটভনা রসাতলদা পুথখি অসিনচিংবা তোঙাল তোঙানবা থৌদোকনা নেদবু মাঙহনখিবা অতুগা মীনাবতারনা, হয়গ্রীবাবতারনা বেদবু উদ্ধার তৌখিবগী রাবীশিং অতুগা লোয়নবা নিনহুনা য়েংবদা নারায়ণীয় ধর্মগী তত্ত্ব অতুগা বিবৃত্তি (ব্যাখ্যা) অসি বেদ মক্কা অন্নানি খেন্নদে হায়বসি মশানা তাই।

জাতি অমগা জাতি অমগা, সম্প্রদায় অমগা সম্প্রদায় অমগা য়েংথিনহল্লিবা মথুং চানদবমথ ভুক্কন হল্লিবা, মিং তোঙাল তোঙানবা পুতনা লৈরিবা ধর্ম শিং অসি পরমাত্ম দগিদা, হায়বদি আধ্যাত্মিক ওইবা মিংথেংদা য়েংশিল্লুরবদি, থাঙ্গৈশেংবা ধর্ম হায়বতু মক্কা হায়বদা নংলমাত্র, হায়বদি ধর্ম হায়বা শব্দসিগী অর্থগা চুননা থবক তৌবা পুমং। পৃথিবী ঐনা হেল্লি নংগীতু লাল্লি, ঐখোয়সিনা দুখম অসিনচিংবা হায়হল্লিবা ধর্ম ভাক্তন অসংগুম্বা ভেদভাব অসিবু মাওহম্বতনা ধর্ম হায়রে মহাকী উদ্দেশ্য অদুগা বিধয় ওইগনৌবনি। পৃথিবীনা পীল্লবা লৈতুম অমগা হিমালয় চীংজাওগা পৃথ্বী মচা অমগা পাক চাউরবা সমুদ্র ঈপাক্কু মখোয়সিগী মরক্ত ভেদভাব (ভেদসৃষ্টি) কারিমতা থমদনা পুরে। অতুমক্তনা পৃথ্বী মাতাবু ধরা, ধরনী, ধবিত্রী, সর্বংসহা অমুম হায়না কৌনবিবনি। ধর্মগী অর্থগা ধরা, ধরনী হায়রিবশিংসিগী অর্থগা মশা অমতনি। অদুদা, ধর্ম হায়বসিদা ভক্তিক্রিয়া হায়নবু উপাসনা (লাইনীং লম্বী) গী শব্দক থোমজিনকৃলিবা অসিতনি শব্দক অসি পোমজিন্নক্পদগীমু য়েথিরবসি থোকপনি। অতুগী

* হায়রিবা রাশম অসিদগী ঐখোয়না কবি খঙবগে হায়ববু — কল্প খুদিংগী ব্রহ্মাগী (অউবা জগৎ পু মথুংনা শেম্বা মাগী) মপোক অসিগী পোককম অমত তিন্নদে। অতুগা অমুমুক পোকপদা ধর্ম হায়বসিসু মওং তোঙাল তোঙান পুই—হায়বসি খঙদে যুগ যুগ খুদিংগী, কল্প খুদিংগী লাকপা ধর্ম হায়বদি অমতনিদি হায়ববু মওং তোঙাল তোঙান পুদুনা থোরকই। মাসি, ব্রহ্মাগী পোক্কক মকম মায়দবদগীনি।

৫ বিশ্বব্রহ্মাণ্ড অসিনা ওইরকপা অতুগা শেম্নকপগী মতাং অসি য়াম্ন য়েংননীঙায় ওইবা বিষয় অমনি। হৌজিক হৌজিক্ মীৎ মক্কা প্রত্যক্ষ ওইরিবা পোৎ অসিকাওবদা য়েংননীঙলিবা তাইবংমীনি। কল্প কোটি

দমক্তা উপাসনাগী ঈড়াং পূজাগী মতাং কাওবদা যেৎনবা লৈভনবা তুং-মাঙ পুম্নমক উবা অন্তর্যামী ভগবান্ শ্রীনারায়ণ মশাগী লৈকম কইনা ধর্ম অম শেমখি। মাহুবুনি নারায়নীয় ধর্ম হায়রিবসি মাসিবু ভাগবত ধর্ম, হায়নস্সু কৌনৈ। অসিগুম্বা ধর্ম অসিগী মশাদা ইষ্টদেবশিংগী মূর্ত্তিগী, সেবাপূজাগী, নিয়মগী ভেদভাব করিমতা লৈখিদ্রে। অসিগুম্বা ধর্মভনা জগত্তা শান্তি পীগদৌরিবনি। তোঙাল তোঙানবা সম্প্রদায়গী অহুগা জাতি তোঙাল তোঙানবগী মীশিংনা বদরিকাশ্রমগী নরনারায়ণ মূর্ত্তিগী দর্শনবু ঐকান্তিক ভক্তিগা লোয়ননা যেংশিংবদা মাগী মাগী মীত্তা মাগী মাগী ইষ্টদেবগী মূর্ত্তি ওইনা অম্সুম মউই। তোঙাল তোঙানবা ধর্মগী ভক্তশিংমা ইষ্টদেবনি হায়না লাৎনরিবা শিং অসি সর্বদেবময়ো হরিঃ (নারায়ণ) হায়রবহু ওইব ওমদে। অমগমগ খৎন চৈনরিবসিমক থামজিন্নবা ওমদে। মানা মানা লাৎলিবা, সেবা চৎলিবা মূর্ত্তি শিং অহুগী মশাদা অতৈ অতোপ্পাশিংনা পাম্নবা মূর্ত্তিহুমক্তি হায়না উবা ওমদ্রবা মহাক অহুত্তনা জগত্তা অশান্তি পোকহল্লি। (কালাচাঁদ)

মকম মায়দবা মীৎ নাকোংনচিব অহুস্নু তোঙাল তোঙানবা মকমদি ওইরগা হকচাং মপুম্ অমত্তগী মনুংদা ওইবহুগুম্না ধর্ম মপুম অমতগী মনুংদা লৈবা ধর্ম মচেৎ মচাশিং অহুস্নু মওং অমতা মায়দে। মাহুনা তারবা মহৈদি লৌকিক জগৎ মপুম মশা অমতগী মনুংদা লৈরিবা জাতি অমগী ধর্ম শিংগী মওংস্নু অমত্ত মায়খিদ্রে। মাহুগী মহৈনা, রাঙাং খোন্দা ফিজেংনচিংবদস্নু মাগী মমীহুনা অচুম্বনি হায়না খন্নিথ্রিবসিনি। অহুদা খ্বাইদগী ওকপদি খেন্নৈ হায়না খন্নথ্রিবদি অহুগা খশহল্লিবসি কনাননো অসিনি। মীৎ নাকোংনচিংবা ইন্দ্রিয়শিংবু পুন্নিবা ভগবান্ নারায়ণ মহাকস্নু অমত'ন। নারায়ণ অনীগুনা লৈতে। পোক্লক্লিবা ব্রহ্মাণ্ড মশা মীশক অমতনি। মীৎ নাকো শিং অসিস্নু ঐগী ঈথো ধর্ম না নংগীনথো ধর্মনগী হেল্লি হায়হুনা অমুক্ত লাউনরকতে। কাওলুপ অমমম্গী ইষ্টদেব ওইহুনা লৈরিবা রাম কৃষ্ণ যীশুনচিংবা মখোয়স্নু ঐনা হেল্লি ঐনা হেল্লি হায়হুনা অমুক্ত খৎনরকতে। হকচাং তোঙাল তোঙানবা লৈবা আত্মা মহাকস্নু মশা অমত ওইনা খৎনরক্পা লৈতে। আত্মা অসিনা চৎথ্রবা মনুংদা আহুনা লৈরিবা অশিবা হকচাংশিং অহুস্নু লাউ-নরমবা পূম্বা থাদোক্নুনা তুনিম্ন তাহুনা লৈনথ্রে। ধর্মশিং অসিনস্নু মাগী মাগী তত্ব হায়দোকপদা কত্তবা রা অমতস্নু হায়দোক্নরকপা তৌদ্রি। মানা মানা নীঙনরিবা ইষ্টদেবগী মূর্ত্তি শিং অসিস্নু মাগীদগী ঐগীসিনা কজহন্গে হায়না পত্তশা শাদোক্নরকপস্নু অমত য়াওদে। অহু মক্তদা সম্প্রদায় তোঙাল তোঙানবগী ভক্ত শিংনা অমগী ধর্মদা স্নুক্পেন পেন্বা লৈত্রিবসি কন্নিগীনো—খন্নীওায়নি। (কালাচাঁদ)

কন্না গী মমাওদা খোকখিবহুগী কর্ত্তা, করণ, উদ্দেশ্য (অশেম্বা—মচাক—শেম্বগী সরম্) গী মরমদা সিদ্ধান্ত অমত্তংবু থম্বগী বিচার অসি খল্লুরবদি তাইবংমীওইবগী বুদ্ধিগী রাংমদা লৈবা বিষয়নি। মরমদি তাইবংমী ওইবদি লায়বু লায়রহুনা মীওইবহুমকপু শেম্নবগী কর্ত্তা অহুমক লৈত্রিতৈগী রানি। অরাপসিতগী মেনথং

ননবগী দমক্তা গৌতম, কণাদ চিংবা কুইরবা প্রাচীন ঋষি কয়ানা ধ্যান তপস্যা তৌহুনা ন্যায় দর্শননচিংবা শাস্ত্র ময়াম পুথোকখিবনি। ন্যায়শাস্ত্রদা মরু ওইনা লৈরম্মি প্রমান অহুমতনি। প্রত্যক্ষপ্রমাণ, অনুমান প্রমান, অহুগা শব্দ প্রমান অহুম অসিনি। বাদ বিবাদগী বিচারপত্তিশিংনা অনুমান প্রমানগা শব্দ প্রমানগা অনী সিবু মরু ওহনা শীজিন্নে। বিচারগ্রন্থ (লোবুক) অহুগা টনখোংনহুনা থনখিবা চেন্নুং ময়ান্না শাব্দ প্রমাণ হায়বহু ওইনরি। হৌগ্রবা, থোকগ্রবা থৌদোকশিং অহুমকীস্তু থৌদোকশিং অহুবু প্রত্যক্ষ ওইনা উহৌবা সাক্ষী (উইট নেশ) শিংবু বিচারগী মতমদা পুথোক্লরি। অহুনা তাইবং মীওইবনা খ্বাইদগী হেন্না পাম্বসি প্রমান মথক্ত অহুমসিগী মহুংদ প্রত্যক্ষ প্রমাণনি। অহুবু জগৎকী সৃষ্টীগী মরমদদি প্রত্যক্ষ প্রমানসু পুথোকপা য়াদ্রে, সাক্ষী পুথোক্লবস্তু য়াদ্রে অহুনা অনুমান প্রমান অহুগা শাব্দ প্রমান অনীসিনা মরু, ওইবা খুংলায় ওইহুনা জগৎপু শেম্বগী কারন (মচাক), উদ্দেশ্য অহুগা কর্ত্তা (অশেম্বা মীশক) অসি মথং মথং পুথোক্লবগী মতাং অমদি লম্বীদা তর্ক, বিতর্ক, বাদ, সম্বাদ (আর্গুমেণ্ট) কয়া কয়া পুথোক্লরি। জগত্তা হৌজিক হৌজিক প্রত্যক্ষ ওইনা উরিবা হৈ-পাল লৈপাল মুমিৎ অসিনচিংব প্রকৃতিক পাদার্থশিং অসিস্তু শেম্বা শাবা লোইগ্রব অহুগা অশেম্বা মীশক অহুস্তু দংগ্রবা থুপগ্রবা মহুংদনি। অহুগুম্বা কর্ত্তা, কর্ত্তা অহুত নত্তনা করণ কারণ (মচাক) অহুগ অসিদস্তু নত্তনা শম্মম্মিহুগী হেতু (মবম্—উদ্দেশ্য) অহু ফাওববু পুথোক্লবা হোৎনবসিদা অনুমান প্রমান অহুগা শব্দ প্রমান অনীসিনা মরু ওইনা শীজিন্নবা তাগ্রবনি। প্রত্যক্ষ ওইনা উদ্রিবা তাদ্রিবমথৈ অচুম্বনি হায়না লৌবা য়াদে হায়বসিস্তু য়াদে, লাম্নি। উরি বা চফু অসিগী অশাবা কুম্ভকার অহু হৌজিক হৌজিক প্রত্যক্ষ ওইনা উদ্রবনিনা মহাক লৈতে—লৈরমদে হায়বা য়াদে। অশাবা মহাক লৈবমদ্রবদি চফু অসি লৈরম্মরোইদৌবনি। অহুনা শারবা, শেমহুনা থনম-লগী চফু অসিনা চফুশাবা (কুম্ভকার) অহুগী মহুৎ শিন্দুনা প্রত্যক্ষ প্রমান পীরি। লৈরম্বতাই, লৈরম্মি-নি হায়না অনুমানগী য়াঙাং ওাঙবা তৌদনা লৈ-লৈরি হায়না প্রত্যক্ষ প্রমান পীরে। অহুনা সংসারদা হেক লৈরিবা প্রকৃতিক (মীথুং চঙদবা) পদার্থ অহুগা বৈকৃতিক পদাম্ (মীথুংচঙবা) পোং থুদিংমক্তা মথোয় বু শারম্বা কর্ত্তাহুগী মহুৎ শিন্দুনা প্রত্যক্ষ ওইনা লৈরি। মাসি অনুমান প্রমাননা পীবা প্রক্ষ প্রত্যক্ষ প্রমাননি। অহুনা কুম্ভকার (চফু শাবামী) অহু হৌজিক্তি প্রত্যক্ষ ওইরবনিনা শাবা লৌরবা চফু অসিগী মচাক ওইরিমা লৈপাক হারবহুমকী কর্ত্তা (অশাবা) মহাকস্তু হায়রিবা প্রমান অসিনা প্রত্যক্ষ ওইরে। লৈপাক অহুগী উপাদান কারন-উৎপত্তিকারন ওইরিবা ঈশিং মহাকী কর্ত্তাস্তু প্রত্যক্ষ ওইরে। ঈশিং অহুগী উপাদান কারন উৎপত্তি কারন ওইবা নুংশিং মহাকী কর্ত্তাস্তু প্রত্যক্ষ ওইরে। নুংশিংকী উৎপত্তিকারণ ওইরিবা আকাশ মহাকী কর্ত্তাস্তু প্রত্যক্ষ ওইনা লৈরে। অহুনা, আকাশ, নুংশিং, মৈ, ঈশিং লৈপাক মঙা অসিগী চাউরবা মুপৈ বিশ্বব্রহ্মাণ্ড অসিগী কর্ত্তাস্তু প্রত্যক্ষ ওইনা উরে। বিশ্বজগৎ অসিমক ওসাই হায়খিবা প্রমান অহুনা মাগী কর্ত্তা (ক্রিয়েটর) অহুগী মহুৎশিন্দুনা প্রত্যক্ষ ওইনা লৈরি। মহুৎশিন্দুনা

অথাচিন্তয়তস্তস্য কর্ণাভ্যাং পুরুষঃ স্মৃতঃ। প্রজাসর্গকরো ব্রহ্মা তমুবাচ জগৎপতিঃ ॥২৭॥
সৃজ প্রজাঃ সুত মুখতঃ পাদতস্তথা। শ্রেয়স্তব বিধাস্যামি—বলং তেজশ্চ সুব্রত ॥২৮॥

অদুগা খল্লিঙৈ মতমদা সৃষ্টিকর্ত্তা ভগবান্ নারায়ণগী নাকোং অনীশগী পুরুষ অম চোংথোরকই। মহাক অদু প্রজাবু সৃষ্টি তৌগদৌরিবা ব্রহ্মা হায়রবদুমক্তি। জগৎকী মপু নারায়ণনা মঙোন্দ অসুম্না হায়খি—পুত্র! নহাক মহাক্কী খোঙদগী কোক কাওবগী মনুংদা লৈরিবা ইন্দ্রিয় কায়াৎশিংসিদগী প্রজা ময়াম শেম্মু-শাউ।
ঞ ॥২৭—২৮॥

লৈবগী ত নত্তনা কর্ত্তা মাগী মূর্ত্তি ওইদুনা লৈরি। বিশ্বজগৎ অসিনা মূর্ত্তি (হকচাং) ওইদুনা লৈরবনিনা বিশ্বজগৎ কৌবা হকচাংগী উদবা আত্মাদি বিশ্বকর্ত্তা মহাক মশামক্তা ওইদুনা লৈরি। খুদম প্রধান ওইনা হায়রবদা গোপাল কৌবা হকচাংসিগী অশেম্বা কর্ত্তা মহাক্তা আত্মা ওইদুনা লৈরিবসিঙম্বনি। অসিগুম্বা আধ্যাত্মিক ওইবা তর্ক অসিগী মতাংদা হায়বদি, তর্ক অসিনা তাইরক্লিবা কর্ত্তা অসি প্রত্যক্ষরা, পরোক্ষরা? প্রত্যক্ষন হায়গ্রবনি পরোক্ষ নত্তে। হৌজিক্তি অদুগুম্বা জগৎকর্ত্তা মহাকপু বিষ্ণু কৌগেরা, নারায়ণ কৌগেরা, হরি কৌগেরা, নত্রগা ওসাইগী চফু-কি ঋটপট) দা শীজিন্নরক্লিবা কর্ত্তা হায়বদুমক কৌগেরা? মাগী মাগী অপাম্বা লোলদা অদুম থোম্নপ্রসন্ন। ঈশিং কৌবা পোৎ মশা অদুমক অশেংবরা অমাংবরা অকবরা অনৈবরা অদোমদদি য়েংনদনা ঈশিংনা চুম্মি, জলনা চুম্মি, পানিনা চুম্মি, মাটরনা চুম্মি, হায়না মমিং (শব্দ) তনা অচম্ব অপানবা ত হনগদবগী তোংমদুনা অশঙনা কোঙদোকপা কত্তে।

অদুনা, হৌজিক্তি জগৎকী সৃষ্টি কর্ত্তা অদু, জগৎ অসিবু শেমগ্রিঙৈগী মমাঙদগী প্রত্যক্ষ ওইনা লৈরবনিনা জগৎকী সৃষ্টি তৌরগে হায়না খনখি। কুম্ভকার অম ওইরক্লিবদু চফু শাগে হায়বগী দমক্তি। চিত্রকার অম ওইগে হায়না তম্মুরিবদু চিত্র (লাই) য়েক্কে হায়বগী দমক্তি। অদুনা, জন্ম অমনা তুমশ্লবসু জগৎ সৃষ্টী কর্ত্তা মহাক্তা জগৎ অমদ শেমগে হায়না খনখিবনি। (কালাচাঁদ)

ঞ মকম অয়াম্বদা মরক মরক্তা "প্রজা" হায়না হেক হেক লাক্লিবসি ময়াম থাইনা খঙরিবা লৈপাক প্রজা অদু নত্তে। মাগী খুৎশেমদগী থোকখিবা পোকখিবা অচচত্ত পোৎ পুম্নমক অশেম্বা মাগী প্রজামক্তনি। প্রজা হায়ববু অম খঙদে অমখঙদে — পোকখিবা ময়াম হায়বতনি। খনবা নীঙবা-পাম্ব হায়বসিনা অরোইবা থাক (জেনিথ)তা হেক, যৌরকপদা পামলবা নীঙলিবা পোশক অদুনা মীত্তগীরা নত্রগা করিগুম্বা ইন্দ্রিয়গীরক্ত অমদগী চোংথোরকপা হায়বদু শোয়দবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা কনাগুম্বী অমগা সংগম (সংগম — সম্ভোগ) হায়বদি, নিম্নখোৎনীংবগী অপাম্বা (কাম) অদুনা অকোইবা থাক্ হেক শৌরকপদা কাম (বীর্য্য) মশামক্তা মূর্ত্তি নাইনা লিঙ্গ শরীর কৌবা থোঙদগী হাংদোক্পা নংছৌদনা চোংথোকখিবা হায়বসিনা প্রত্যক্ষ প্রমাননি। ভগবান্ অদুগুম্বা খুৎশেম হৈবা মথোয়দা লৈবা পুরুষ অমবু

ধর্মং চ মত্তো গৃহ্নীষ্ব সাত্বতং নাম নামতঃ। তেন সৃষ্টং কৃতযুগং স্থাপয়স্ব যথাবিধি ॥২৯॥
ততো'ব্রহ্মা নমশ্চক্রে দেবায় হরিমেধসে ধর্মঃ চাগ্র্যং চ জগ্রাহ সরহস্যং সসংগ্রহম্ ॥৩০॥

বিধিনিয়ম কায়দনা কল্লবা তপস্যা তৌওয়া হে আত্মজ! নহাক্কী মঙ্গল ওইননবগী থবকতো ঐ তৌগে। নংগী থম্মোয় হকচাংদা ঐনা হকচাংগী অহুগা থম্মোবগী পাঙ্গল, ঈচৎ থৌব', অহুগ' বৃদ্ধি হাপকনি। নহাক্ ঐঙোন্দগী সাত্বত কৌবা ধর্মদো লৌ। ধর্ম অহুগী পাম্বৈনা নহাক অমুক সত্যযুগকী সৃষ্টি তৌ।
ঞ্চ ॥২৯॥

অহুগী তুংদা ব্রহ্মানা ভগবান্ শ্রীহরিদা ভক্তিগা লোয়ননা মকোক্ নোনখি। শ্রীনারায়ণ দেবমকী শ্রীমুখদগী থোকখিবা (হায়দোকখিবা) আরণ্যক অহুগা সরহস্য (অথুপ্পা) ওইবা ধর্ম অহুবু পুক্নীং চঙনা লৌখি ক ॥৩১॥

চপ য়ুংনা পাম্মাকপা অহুগা মহাক্না ঙাওলক্ শক্লকপা অহুবু তানীংবগী থাকনা থম থেংলকপা মতমমহুমক্তদা ভগবান্ মহাক্কী নাকোং অনীমক্তগী পুরুষ অম অপাম্বা হায়বদগী মূর্তি ওইনা চোংথোকখি মত্তাং অসিদা থয়গদবা হায়ববু নাকোং অমতদগী নত্তবা অনীদগী হায়বসিদা পুরুষ অনী থোককম থোকই হায়বা চিংনবা অমতং লৈ। অহুবু য়েংনিংলিবা মীশক্তু মীৎমথুল অনীনি হায়রুনা অনীগুনা লাক্তে। নাকোং অনীনা অনীনি হায়রুনা শক্ল অনী তোঙাল তোঙায় তাদে। অহুনা পুরুষ অমত ওইনা চোংথোয়কপদা করিমত চিংননীঙায় লৈতে। থোয়ক্লিবা মহাক অহু অতৈ কনা নত্তে ব্রহ্মান। ভগবান্ নারায়ণনা ব্রহ্মাদা অস্নুমা হায়খি——"পুত্র! হে আত্মজ! (আত্মাসিদগী পোকখিবা!) নহাক্কী হায়গী মপোকশিং অহুনা ঐগী ইন্দ্রিয়শিং তোঙাল তোঙানবদগী ওইখিবহুগুম্ন। নহাকপু ঐগী ঈহু'শিন্দুনা নহংকী থোঙদগী কোক্ ফাওবগী মনুংদা লৈবিবা ইন্দ্রিয় থুদিংগীদগী প্রজাশেম্নবগী থোয়াং তৌ। ঐনা ভম্বাসিগুম্না নংসু ভম্বা ওইয়ু। নংগী অহানবা মপোক,মহু ঐগী মানস (পুক্নীং) দগী ওইখিবনা নগী অহানবা মপোকপু মানস জন্ম কৌখিদো। অহুনা নহাকসু নংগী প্রজা (মচা-মশু) শিংবু মানস (পুক্নী) নচিংবা ইন্দ্রিয়শিংদগী পুথোক্লবা ধ্যান তৌহুনা লৈয়ু। মচানা মপাগী মথৌ (মসিদ) গী মতেং পাংবা হায়বসি মচা হায়বহুগী ঈহান্ হানবা মথৌ (ধর্ম) ওইতৌরসনু।" অস্নুমা বিষ্ণু ভগবান্ নারায়ণনা ব্রহ্মাদা য়াথং পীখি।
(কালাচাঁদ)

ঞ্চ ভগবান্ শ্রীনারায়ণ গী নাকোংদগী ব্রহ্মানা অবর্ণজ কৌবা মরিগুবা মপোক ফংবগী মতম অহুদা মঙোন্দা শ্রীবিষ্ণুনা সাত্বত কৌবা ধর্ম মহু পীখী। যুগ অমমুক শেম্নকদাইদা শ্রীবিষ্ণুনা ব্রহ্মাদা ধর্মগী তোঙানবা ভম্ব অমুমুক তাকই। ব্রহ্মাগী মরিগুবা মপোক অমদগী অমুক সত্য যুগ শেমগদৌরি। যুগ

ক কনা য়ায় হৈশিংত্তি হায়রুনসু গুরুগী চীন মক্তদগী ফংবা ধর্মহুগা ধর্মহুগী পাউতাক অহু তাম্বিভৈনা

অমমম্গী সৃষ্টিগী মতম হেক হেক লাকপদা অনৌ অনৌবা ধর্ম অমনম্ শ্রীনারায়ণনা ব্রহ্মাদ পী। প্রাকৃতিক জগৎপু শেম্বদা ধর্ম অমমম্ চঙবচুগুম্না যুগ অমমম্ শেম্ব মতমদগ্নু ধর্ম অমমম্ চঙিও। মরিগুব মপোক্ত পীরিবা ধর্ম অসি সাত্বত হায়ব ধর্ম অসিগী তত্বদি জ্ঞান কর্ম অচুগা ভক্তিদা সত্য (অচুম্ব) তা ওইহনবা অসিনী। অচুম্ব যজ্ঞ, অচুম্বা দান, অচুম্বা রাঙাং অচুম্ব রাখল, অচুম্বা ফিজেৎ চাকচা অসিনচিংবতনা মচাক ওইবা ধর্ম অদু সাত্বত ধর্ম কৌই। বিষ্ণু ভগবান্গী সাত্বত কৌবা নাম অমগ্নু লৈ। মাদুগা চুংশিন্নরবদি সাত্বত ধর্ম হায়বসি বিষ্ণু ধর্ম হায়বনি। বিষ্ণু ধর্ম হায়বা অম, বৈষ্ণব ধর্ম হায়বা অমা অমমম্নি। বিষ্ণু মশা চৎপা ধর্মনা বিষ্ণু ধর্ম অদুগা বিষ্ণুবু নীংবা, বিষ্ণুগী উপাসনা তৌবনা বৈষ্ণব ধর্ম অম্নম হায়না খঙনৈ। অদুনা মরীগুবা মশোক্তা বিষ্ণুনা ব্রহ্মাদ পীরিবা ধর্ম অসি হৌজিক খঙনরি বৈষ্ণব ধর্ম নত্তে। বিষ্ণুনা চৎপা ধর্ম সাত্বত ধর্ম (বিষ্ণু ধর্ম) হায়বদুমক ব্রহ্মাদা পীখিবদি। অদুমক্তনা বিষ্ণুগী মচুং শিন্দুনা ব্রহ্মানা জগৎপু শেম্বা ওম্বনি। অসিগুম্বা সাত্বত ধর্ম অসি ব্রহ্মানা মাগী মরিগুবা মপোক্ত কংখি। মাসিদগী ঐখোয়না খঙগদবা হায়ববু ব্রহ্মামক্তা ক'বদা মপোক্ত মরি মরি চঙলবদি, তাইবংমী কনাগুম্বনা ভগবান শ্রীনারায়ণগী ভক্তিবু তাম্ববা ঈগ্নাও য়াওদনা, কংলিবসি মপোক কয়া চঙতমগদগে হায়বসি খনগদবনি। (কালাচাঁদ)

কয়া থবক অমত্তা পায়খৎলোইদৌবনি ভগবান্ শ্রীনারায়ণ (বিষ্ণু) নবু ওম্বু ওমহনগে হায়রবদি ব্রহ্মাদা ওমজরো হায়দুনা বন অমতং পীরবা অদুম ওমজখিগদৌবা ব্রহ্মানি। অদুবু ধর্ম হায়বসিগী মহি মাবু হেনগৎহনগেহায়বগী দমক সৃষ্টিগী নিয়মবিধ পুম্নমক ব্রহ্মাদা হায় তম্বিবনি। ব্রহ্মাসু বিষ্ণুগী পাউতাক পুম্নমক অদু নোম্লুক্না ফীগাও শানা য়াখি মাসিনা গুরুগী মকমদা শিষ্যগী নোম্লুকপা অদুগা গুরু শিষ্য ব্যবহার হায়বসি সৃষ্টীগী মতমদগী অমুক করি হায়নি, সৃষ্টি তৌত্রিবৈগী মমাঙদদি অদুম চৎনরক্লবনি হায়বসি উৎলি। পীখিবা পাউতাকশিং অদু অচীকপা অবণা (বন—উমং) দা পীখি হায়বগী আরম্ভক হায়না খঙনখি। অদুনা শ্রীহরি (নারায়ণ) না ঈগান হানবা গুরুনি, ব্রহ্মানা ঈহান হানবা শিষ্যনি। তুমীৎতগী ব্রহ্মা ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা তোঙাল তোঙানবা মওংগী, তোঙাল তোঙানবা শাজং চীঙ্গাকী হকচাং লিশিং অদুবু, পরমাত্মা ওইবা নারায়ণ মহাক্কী, লেঙদব। মুমিৎ অমতগী মশেক ময়াম্না অচেচন্ত পোৎ পুম্নমক্তা শীম্বুংনা তারুবা মঙাল শিংদুগী মতৌগুম্না তাকগদৌরিবা আত্মাশিং অদুগী লৈকম ওইনা শেমি শাগদৌরিবা থবক অসি রাম্নরহস্যময় ওইবা অকুপ্পা থবক অমনি। নোংচুপলোমগী ডারউইন নচিংবা বিবর্ত্তনা বাদী দাশনিকশিং থগ্নগী মত মতুং ইন্ন তাইবং মীগী হকচাং অসিদি মথং মথং অম্নম ওনশিনজরকপনি। তাইবংমীগী হকচাং হায়দুনা তোঙান্না অম শাব নত্তে হায়না থাজনবা কয়া কয়া লৈ। হৌজিক শান্তিপর্বদা হায়রিবা বিষয় অসিগা মাদুগা খোইদোকপা য়েৎনীভায় লৈত্তে। মথং মথংবু, ওন্শিন্নরক্লবসু তোঙাল তোঙান্নববু শেমখিব লৈরবসু তোঙাল তোঙাম্বা মওংগী, তোঙাল তোঙানবা শাজং চীঙ্গাকী হকচাংশিং

আরণ্যকেন সহিতং নারায়ণ মুখোদ্ভবম্ । উপদিশ্য ততো ধর্মং ব্রহ্মা'নহমিততেজসে ॥৩১॥

পান্দম্নীংঙার লৈত্রবা তেজনা মহাকী ওইরবা ব্রহ্ম'দা পাউতাক অসি অসুম পীরগা ভগবান্ শ্রীনারায়ণনা অসুম অমুক হায়রকই—"ঐনা নঙোন্দ হায়রিবসি নিষ্কামভাবতা লোইনা তৌহুনা যুগধর্মশিংবু হৌদোকপা মীশক অহু নহাক্ন ওইয়্ম ॥৩১॥

হায়বা রাকম অসিগা "থোইদোকপা য়েংননীঙায় লৈতে। তীনকা কাকটৈ, লিল হঙোইদগী মথং মথং ওনথংনয়ক্তনা য়োং বনমানুষ য়োথংলকতুনা মযৈ থঙদা মীগী হকচাং তা'য়কৃপনি হায়রিবসিদসু হায়রিবশিংসিদা আত্মাদি মওং ঈকায় কায়দনা অসুম মরৈরি? হায়রিবা মত অসিদা য়েংকমদি অতুম মরৈরি।

মপানগী পাঞ্চভৌতিক দেহশিং অহুবু কনানা শুম্নোকহল্লক্লিগনো? অহুগা, শুম্নোক ওনশিন তৌরিক মহাকী করি উদ্দেশ্যনো অসিনচিংবা রাহং মরাম অসি লাকই। তোঙাল তোঙানবু শেমগ্রবস্ন, ওনবু ওনথংল ক্লবস্ন আত্মাশিং অসিনা লৈরু লৈরুনবা দেহশিং অসি প্রশাবা অমনসু শারবস্ন, মথন মথন্তনবু ওইরবল্ল, মথন মথন্ত ওইজখিনবগী মূল প্রকৃতি (য়ো মেটিরিয়েল) শিং অসিগী অশেম্বা বিশ্বকর্মা অমদি অতুম মরৈনি। অতুগুম্বা বিশ্বকর্মা (ব্রহ্মা) ভুগী জ্ঞান বৃদ্ধি অহু ভগবান্ শ্রীনারায়ণনা পীখিবনি। জ্ঞান বৃদ্ধি দি মশামথন্ত চো'থোরকপা য়াদে। তম্বিবা তাকপিবা অমগী প্রয়োজন (দরকার) মৈ। (কালাচাঁদ)

* হেক লৈরিবা থবক পূম্নমক নিষ্কাম ভাবতা (নিষ্ক'ম কর্ম ওইনা) তৌগদবনি হায়বসি ঈহান হানবদা ভগবান্ শ্রীনারায়ণনা ব্রহ্মাদা তাকখিবনি। দ্বাপরদা অমুক পার্থস্যন্দন সাবথি (অর্জুনগী রথ থোবা) ওইহুনা নিষ্ক'মকর্মযোগ কীমতাংদা অর্জুনদা তাকৃখি। থবক থুদিংমক মহৈগী রাখল ঈতৌ তৌদনা তৌগদবনি। থল্লবদা ঈথৌনি হায়বদগী হেন্ন করিমত থনবা য়াদে। মথৌ তৌবদা মহৈগী রাখল তৌবয়াদে। মহৈগী রাখল য়াওদনা কর্ম তৌবহুবুনি ধর্ম তৌবা হায়রিবসি। দান তৌবা, যজ্ঞ তৌবা হায়বসি ধর্মনি, চুম্মি। অতুবু করিগুম্বা মহৈ অমা পাম্বদগী হেক মতৌরুববদি মাহু অশেংবা দান হায়বা কমহুসু ওইহৌদ্রে অশেংবা কর্মহুসু ওইহৌদ্রবনিনা ধর্মসু ওইহৌদ্রে। অহুনা বিষ্ণু ভগবান্না ব্রহ্মাদা তাক্লিবদি "নহাক্ন ঐগী পাউতাকী মতু' ইন্ন জগৎপুশেম্মক শাগৎপা মতমদা করিগী দমক্তনো ঐনা তৌরিবকর্মসি, করি কংননবনো হায়বসি থক থনগনু। থল্লবদি ঐগী সৃষ্টি অসি মপুং কানা নহাক প।ঙথোকপা ঙম্মরোই" অসিনি। ভগবান্না তাকৃপিরিবসিগী মমুংগী ভাবতি তাইবং মী হায়বসি মপুং ঈকাকাদে (মেন ইজ্ ইম্পোর্ক্ট) হাশনরিবসি থবক্ অমত মপূং কানা তৌদবগীনি। মহৈ পাম্নবু থবক তৌরবদি মপোক জিশিং অমদসু থবক মপুং কাব য়ারোই। মরমদি মহৈ অমমুক মপাম্মকনি। অহু কংননবা থবক অমমুক মপায়খংলকনি। অতুম তৌরবদি থবক্কী লোইবা থম্বা লৈররোই। হেক লোইদ্রিমথৈ থবক্ অহু মপূ' কাব কৌদে। থবক অম লোইরে হায়হুনা অতোপ্প থবক অহ পায়থংলকলিবহু লোইরে হায়হন', হায়জিন্নবহু লোইহৌদ্রিবননি।

হান্নগীছুনা মপুং ফারবদি অতোপ্প অমমুক পারথংলক্লমরোইদৌবনি। তাইবং জীববু মপুং ফ হল্লোইদবগী শ্রী-ভগবান্না ব্রহ্মাদা জগৎ শেম্মু হায়রবা হৌনদে। অদুনা শ্রীনারায়ণ বিষ্ণুনা ব্রহ্মাদা হায়রিবদি নহাক ঐগী মাথক্লসিবু মপুং ফাহন্নু হায়রবনি। অদুনা ভগবান্ শ্রীনারায়ণনা মহৈগী মাথল থন্দনা সৃষ্টিতৌ হায়রনা ব্রহ্মা-দা হায়রিবসিনি। হায়রিবশিং অসিনি, সৃষ্টি তৌহনব্রিঙৈদা ব্রহ্মাদা তাকথিবা পাউতাক হায়রবনু। মাসি ব্রহ্মাতদা তাকপগী মা নত্তে। ব্রহ্মানা শেম্মকদৌরিবা তাইবং মী নখোয়মু তাজহৌ হায়রবনি। করিনা হায়রবদা, শেম্ব শাবদগী হেন্না ব্রহ্মানা নখোয়দা অহুম্না তাক্লরোই মাগী মথৌ শেম্বনা লোইরে হায়রবনি। লাইবক করগা কনাগুম্বা জ্ঞানীগুরুনা তাকপিগদবা মতামরে। মরম্ অদুনা জ্ঞানীগুরুবু স্বয়ং ভগবান্ শ্রীবাসুদেবগী মশক্কি হায়না ভক্তি গ্রন্থশিংদা ইরি। ভগবান্না ব্রহ্মাদা তাকলিবা পাউতাকশিং অসি ব্রহ্মাগী সৃষ্টিবু মপুং ফাহন্নোংহুনা তৌবনি। অদুনা ভগবান্গী পাউতাক্কী মতুং ইন্না কর্ম তৌরিবা ব্রহ্মাতনা ঈশান হানবা নিষ্কাম কর্ম যোগীনি। মরম্ অদুনা করিগী জগৎ অসি শেম্মিবনো হায়রবা মাহং অসি নিষ্কাম কর্ম যোগী ওইবা মীশক অমনদি হংঙক্লরোই। তৌরিবা থবক অসি ঐগী দমক্কি ঐগী ঈচাগী দমক্কি, মহৈ অদু ফংননবনি হায়রনা সাধারন ওইবা মীশিংনা ভাওনরিবা হংনরিবা অদুগুম্বা মীশকশিংতনা হংঙক্কদবা মতামরে। মূল থম্ফকরবদি "তাইবংমী হায়রবসি মপুং ফাদে" (মেন্ ইজ্ ইম্পাফেক্ট) হায়রিবা শিং অদুনা মীতদা পাউথোংকম্ ওইনা হায়রব অদুমু লাক্লি। অদুগী মহুত্তা "আত্মাবু মপুংফারে—ফাদে হায়রবদি মাদবনিনা করিগুম্বা দেহ অমদা চঙহুনা লৈরবা জীবাত্মা হায়রবসিমক্তবু মপুং ফাদে" অসুম্না হায়রবনা হেন্না কৈ। অদুদি, মপুং ফানদবগী ফানদবা, শা উচেক্কী মপোক্কা তাইবংমীগী মপোক্কা করিমত থেমত্রবরা হায়না হংনরক্কদবা মতাংদা থুমগদবদি, তাইবং মীগী হকচাং মনুংদা চঙচক্লবা আত্মা গীদি মপুং ফাগদবা মচাক অমতা মতামরে। তাইবং মীগী হকচাংদা লৈবা আত্মাগীদি নিষ্কাম কর্মযোগী ওইগদবত মতামরে। মাদুগী দমক্ত বিষ্ণু ভগবান্ নারায়ণনা ব্রহ্মাদা হায়রি—ব্রহ্মা! অচচত্ত জীব পুম্নমক্কী কুয়োম পরাপ্রকৃতি মরাম শাগদৌরিবা নং নশা মক নিষ্কাম ভাবনা কর্ম তৌ। অদু ওইরবদি নংগী নতৌতমহুনা তাইবং মী কনা কনাগুম্বনা নিষ্কাম কর্ম যোগ সাধন তৌজরক্কনি। ব্রহ্মা নহাক নশানা ঐনা শেমশারিবনি ঐগী শক্তি, বিদ্যা, মিংচৎ, সম্পত্তি ফংননবগী দমক্তনি হায়রনা সকাম ভাবনাদা কর্ম তৌরবদি নহাক্কী থুংশেম পাঞ্চভৌতিক হকচাং মনুংদা চঙ-লিবা আত্মাশিংসিবু অসুম্ হায়নগ্রবদি কনারামা জ্ঞানা অদুগা শিক্ষিত ওইহুনমু, মপুং ঈকা কাত্রবা শা উচেক্কচিংবগী দেহমনুংদা লৈরিবা আত্মাশিংদুগা অমম্ভা ওইহনা অদুম মরৈরগনি। অদুনা, হে প্রজাপতি! হে ব্রহ্মা! জগৎ পুম্বগী আত্মা ওইরিবা ঐবু, নহাক্কা পূর্ণব্রহ্ম পরমাত্মা ওইনগে হায়রবদি, হায়রবদি, মপুং ফাবা আত্মা হাযবহু চকচাং মমুংদা লৈহন লৈহন্না মপুং ফানা লৈহনগে হায়রবদি, নং নশামক্তা আত্মা ঐগী কুয়োম মযাম অসে নিষ্কাম ভাবনানাদা শেম্মু-শাউ। অসুম্না মূল শ্লোক গী অর্থদা হায়রি।

(কালাচাঁদ)

স্বং কর্ত্তা যুগধর্মাণাং নিয়ামীঃ কর্মসংজ্ঞিতম্ । জগাম তপসঃ পারং যত্রাব্যক্তং ব্যবস্থিতম্ ॥৩২॥
ততোঽথবরদোদেবো ব্রহ্মা লোকপিতামহঃ । অসৃজৎ স ততো লোকান্ কৃৎস্নান্ স্থাবরজঙ্গমান্ ॥৩৩

ভগবান্ শ্রীনারায়ণনা ব্রহ্মাদা শস্তুম্না মাথং অসি পীরম্নগা অজ্ঞান গী মশক ওইরবা অমম্বদগী মাং-মদা মহাক্কী অথোইবা অব্যক্ত ওইবা ধামদা লেংশিনখি। অহুগী বর পীনহৈরবা লোক পিতামহ ব্রহ্মানা লোক পুমমক্কী সৃষ্টি তৌবা হৌখি ঞ ॥৩২—৩৩॥

হৌজিক হেক্তিক লৈরিবা উরিবা বিশ্বজগৎ অসিবু কনাগুম্বা কবিগুম্ব অমগী থুংশেল্লা নত্রগা মশা-মথন্তা মন্নম ওইজরকপরা, ওইজরক্লবদি হৌজিক ওইদ্রিবা মপাং অসিদা অন্নম কাম্নদনা লৈরক্লিবরা, অহুগা কনাগুম্বা করিগুম্বা অমগী থুংশেম ওইরবদি করি করি মচাক্লা কনানা কদায়দা লৈহুনা শেমখি ………
অসিনচিংবা রাচংশিং অসি মশানা মথং মথং লাকচৈ অসিগুম্বা বিষয় অসিদা নোংপোক নোংচুপকী চাউর চাউরবা' জ্ঞানী পণ্ডিত কয়া কনাগী অমগমগ মান্নদবা মত তাক্ত মশীং লাকৃত্তমদনা লৈজ্রি। উবু উহৌ-জ্রবদি লম্বীদা তারম্বা চেংমচেৎ অম কাওবা, কনানা করিগী থাদগ্লিবনো, হায়বসিগী থবক থিগৎনরকপদা চওবা মতম অহু ন্নমিং থা অসি কনাগী করিগী কান্নবা শারক্লিবনো হায়বগী থিবদা চওবা মতম অহু অহুম্মক চওগনি। মসিদা, কনা কনাগুম্বা গ্রাম্য জীবনদা লৈরগা থব চারশা থব তুম্নগা লৈথোকপা, অহুগা মতম থর লৈয়ম্নগা শিথিগদৌরিবশিংনা,—করি কান্নগবনো, মথৌদি তৌগে হায়দ্রহুনা অসিগুম্বা অরেম্বদা থম্নরগা হায়হুনা করেম্নবা মাই অহুগুম্বা মীশকশিং অহুগী নীংবথুংদবা, অমুক কপ্প' অমুক নোকপা, তাল্লিবমথৈ পেন্দনা—পোথাকম থওদনা পুনশি লেনখিবা, লেল্লিবা, লেন্গদৌরিব মথোয়না তৌরিবহু য়েংবা হুংতাই-ক্তহুনা মাসি থিগৎলকনি হাযবসি অহুগুম্বা শা ভাগী মপোক্তগী করিমত হেন্দনা লৈবা, মথোয়গী দমক্তনি হায়বা মথোয়না থওদে। অহোযনহুম করেম্নরি। অহুগা করেম্নহুনা অহুম মরৈরো হায়বস্থ মাজ্রি। করি-গুম্বা পোৎ অম নীব থুংদ্রবা কমদৌশিগে হায়হুনা হেক মতানরে। চিং পোক্লা মারবা কান্দ ঐবু পোকহল্লম্মিবসিবু করিগীনো হে ঈশ্বর! হাযহুনা চনীতনা মারকপা তেংথা নাওইরকপস্থ মম্নাওরি। মথক্কী অচৌবা রাচংশিং অদো, ঐবু পোকহল্লথিবসিবু করিগীনে?" হায়না হংবসিগা মশা অমতনি। থেম্নবা হায়ববু অমনা চনীং ঈত্তা তাদনা মারবা কাল তগ হংবা অহুগা অমনা জ্ঞান তানা মাথল বিচার তৌহুনা জগৎ জীবগী উপকারগীদমক হংবা অসিতনি। মচা কায়নরবা মতমদা "হে ঈশ্বর! ঐবু কৈদৌ-না পোকহন্বিরম্নিবনো?" হাযনা মানা হংলিবহু "আম্মা ঐবু জগৎকী মশক ওইরবা হকচা মুং অসিদা করিগী থাদবিরক্লিনো হাযহুনা মানা হংবতনি। হায়বদি জগৎ করিগীদমক্তা কনানা শেম্নম্নিবগে হায়না অচৌবা মাচং অম ওইনা হংনখিবহুগা মশা অমতনি। অহুগীদমক্ত ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুনা ব্রহ্মাদা হন্দক্তি চনীং তাদনা শেম্নবদি জীব অমত চনী' তারয়োই। নংনা জগৎ শেম্বদস্থ নিষ্কাম ভাবনাদা শেম্মু।

ততঃ প্রাবর্ত্তত তদা আদৌ কৃতযুগং শুভম্ । ততোহি সাত্বতো ধর্মো ব্যাপ্য লোকানবস্থিতঃ ॥৩৪

ভগবান্ নারায়ণনা অন্তর্ধান ওইপ্রবা ব্রহ্মানা ইহান হান্‌না সৃষ্টি অহু তৌখিবা মতম অহুগী কৃত যুগ কী অহৌবা হায়বহু অহম মওইখ্রে । কৃতযুগ হায়বসি জীব পুম্নমক্কী মহা মঙ্গলগী মখক্নি । মতম অহুদগী হৌনা সাত্বত ধর্ম হায়বসি মলৈবাকপু শীন্দুনা লৈখি * ॥৩৪॥

অহুওইরবদি জীব অমতগী মশাদা পেন্দবা, অহুগা কায়নবগী, ফংদবগী, নীংথৃংদবগী অরাবদোইকরিমত লৈরোই । অসুম হায়না ব্রহ্মাদা হায়খিবনি । হায়রিবসিগী তত্বদি রানরিবাশিং অসে সকাম কর্ম তৌরুব গী মহৈ ওক্তনি । নিষ্কাম কর্ম যোগীশিংগী মকমদা অরায়পা, ফংদবা, কায়নবা হায়বা করিমত লৈতে । অহুগুম্বা মীশকতুবু শেমগে হায়রবদি ব্রহ্ম নহাক নশামকতু ননা ওইহনীশিবা পোশক্নুগী স্বভাব কা চপ মান্নৌ । হায়রিবশিগী খুংমদা ঈবা রাববা, কশনীংসিউনিংদবা চিত্রকার (লাইয়েকপা) অমনা অরাবা কপনীং লাউনিংবা মী অমগী মূর্ত্তি য়েকলি । অদুগা চিত্রকার মশামক্না থাংগৈ শেংনা মচা কায়নবগী রারি ঙৈদা য়েক্লবদি মূর্ত্তি অহু চপ চানা য়েকউ হায়বা য়ারোই । নাট্যপঞ্চস্থ থাংগৈশেংনা মচা কায়নবগী রারবা অভিনেতা অমনা মচা কায়নবগী অরাবা মীশক অমা শাহুনা মপুং ফানা অভিনয় তৌবা য়ারোই মরম অহুনা, ভগবান্ নারায়ণনা ব্রহ্মাদা য়াম্ন চনীং তানা অমগী মগী খল্লুননা অরাবা মুংঙাইবগী খল্লুদনা করিগুম্বা মহৈ মমত পামদনা জগৎ শেম্মু হায়রি । ব্যক্ত অব্যক্ত (অকোঙবা কোঙদবা) মূর্ত্তি অসীমক মহাক্কী ওইবনিন ব্যক্ত মূর্ত্তিগ ব্রহ্মাগ ব্যক্ত জগং শেম্মু হায়না য়াথ পীবমগা অব্যক্ত মূর্ত্তিদা শ্রীভগবান্ না লেঙশিনখি । মপানগী আধিভৌতিক ওইবা মূর্ত্তিবু-মমুংদা খোমজিনখি (অন্তর্ধান—) ওইখি ।

(কালাচাঁদ)

* মূল শ্লোকক্কী অর্থ সিগী মমুংদা য়াওরিবা কৃতযুগ হায়বা অমগা সাত্বত ধর্ম হায়বা অমগা অনী অসি য়াম্না মুন্না য়েংশিনকম থোকই । যুগ অমমম্ তোঙাল তোঙানবা ধর্ম অমমম্ শেম্বা নত্রগা ধর্ম অমমম্ব তোঙানবা যুগ অমমম্ ওইহনব্রা ? হায়বদি ধর্ম ধর্মগুগী মতুং ঈম্না যুগ অমমম্ ওইব্রা নত্রগা যুগ যুগ অহুগী মতুংইন্না ধর্মগী পরিবর্ত্তন হেক লাকপ্রা হায়বসি নৈনকমসি । কৃতযুগ হায়বসি সত্যযুগ পুনি । সাত্বত ধর্ম হায়রিবসিনা বিষ্ণুগী ধর্মবুনি । বিষ্ণুমক্না চৎপা ধর্ম অহুনি সাত্বত হায়রিবসি । বিষ্ণুনা ইষ্ট-দেব ওইবা, বিষ্ণু নীংবা সম্প্রদায় অহুবুনা বিষ্ণু সম্প্রদায়ী নত্রগা বৈষ্ণব কৌই । বিষ্ণু মশামক্না বৈষ্ণব ধর্ম চৎলি হায়বা য়াদে । কৃত যুগ য়ায়বসি মমুংদা সত্য যুগ হায়না খঙনব্রে । অহানবা যুগপু কৃত যুগ কৌখিবগী মরমদা খল্লগদবা হীরম অহুম মরি নি । কৃত হায়বদি শেমপ্রবা শাপ্রবা হায়বনি । অহানবদা মতম হায়বসিমক্তবু কাল সময় অবকাশ, যুগ কৌনৈ । গীতাগী "সম্ভবামি যুগে যুগে" হায়বহু মতম মতমদা" হায়বা অর্থনি । অহুনা, অহুগুম্বা মতমদা মতম হায়বসিমক্তবু যুগ হায়না মমিং থোন্দুনা শেমপ্রবা

তেনৈবাত্তেন ধর্মেণ ব্রহ্মা লোকবিসর্গকৃৎ। পূজয়া মাস দেবেশং হরিং নারায়ণং প্রভুম্ ॥৩৫॥
ধর্মপ্রতিষ্ঠাহেতোশ্চ মনুং স্বারোচিষং ততঃ। অধ্যাপয়ামাস তদা লোকানাং হিতকাম্যয়া ॥৩৬॥

লোক পুম্নমকপু শেম্বা ব্রহ্মানা সৃষ্টি তৌব হৌরকপদা অহানবদা, অহানবা ধর্মনা মরম ওইদুনা দেবতা পুম্নমকী দেবতা ওইবা ভগবান্ শ্রীহরিগী আরাধনা তৌখি ॥৩৫॥

লোক পুম্নমকী মঙ্গল ওইননবগী সাত্বত ধর্মগী তত্ব অসিবু ব্রহ্মানা স্বারোচিষ মনুংদা তম্বিখি।
* ॥৩৬॥

মতম অদু কৃতযুগ" অসুম হায়না বাহুব্রীহি সমাসগী (যস্মিন্ কালে কৃতঃ যুগঃস কৃতযুগঃ) অসুম্না সমাস বাক্য পীদুনা অর্থ হুম্বা তাই। যুগ হায়বা মিং অসি করম্বদগী চৎনখি—থোম্নখি হায়বদা সত্য তনা ধর্ম ওইবা চৎনরম্বা মতমদুদগীনি। অদুনা থম লৈরগা কৃত যুগ বু সত্য যুগ হায়না খঙনখিবনি। অদুনা ধর্ম হায়বসিগা যুগ হায়বসিগা অনীসি খুজেং পাল্লোইননা অদুম লাকখিবনি। অদুগুম্বা যুগ কৌবা মতম হায়বদুগা পোকমিন্নরকপা ধর্ম অদুবুনি সনাতন ধর্ম হায়রিবদি। সনাতন হায়বদি সদাতন হায়বনি। অদুনা খাইদগী সনাতন ওইবা ধর্মদি বিষ্ণু ধর্ম হায়রিব সিনি। বিষ্ণুবু বিষ্ণুসহস্র নামদা সাত্বত হায়নসু কৌনৈ। অদুনা সত্যযগতা হায়বদি কৃতযুগতা ঈহান্ হান্না লৈরম্বসি সাত্বত ধর্ম (বিষ্ণু ধর্ম) নি। মরম অদুনা বিষ্ণুবু নীংবা বৈষ্ণব ধর্ম হায়বসিসু সনাতন ধর্মনি। অ'স নত্তবা সংসারগী মানব সমাজদা লাক-পা অনৌ অনৌবা ধর্ম মথৈ ওরাং নহাঙ তগীনি অদুগা ধর্ম হ'য়বা পোশক অম লৈকম থোকই হায়না খঙনরিবসিসু সাত্বত ধর্মগী মতৌ তম্নখিবদগীনি। অদুনা মূল শ্লোককী মথক্ত ইরিবা অর্থদা য়াওগ্রে—। সাত্বত ধর্ম (বিষ্ণু ধর্ম) না পৃথিবী মকম পুম্নমক্ত শীম্বুংনা শন্দোকখি হায়বসি। মতম মতমগী মতুং ইন্না (যুগ যুগকী মতুং ইন্না) লাকপা ধর্মশিং অদুবু যুগ ধর্ম কৌই। সত্যগী যুগ ধর্ম অমা ত্রেতাগী যুগ ধর্ম অম, দ্বাপরগী যুগ ধর্ম অমা, কলিগী, যুগ অমা— মরিনি। অসিগুম্বা ধর্ম অসিগী চারোল গুরোল ওইদুনা লৈরিবা তোঙাল তোঙানবা মিংথোল পুদুনা থোরক্লিবা ধর্মশিং অসিনা অমগমগ য়েংখি-নরিবসি ধর্মশিং অসিন নত্তে। তাইবং মীননি। মাসি মাগী ধর্মগী তত্ববু খঙখিদবদগীনি। (কালাচাঁদ)

* ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী য়াথংদগী প্রজপতি ব্রহ্মানা শেম্নিবা জগৎ অসিবু ঙাকশেম্নবা (শাসন তৌনবা) স্বারোচিষ মনুদা সাত্বত ধর্মগী গুহ্যঅসি তম্বিখি। হায়রিব য়াকম অসিদগী করি খঙবগে হায়র্বদু ঙাকশেনবগী (শাসনগী) থবক পাম্নব্রিইঙ্গদা ধর্মনীতি ধর্মগী তত্ব অসিবু হান্না শাসন তৌগদৌরিবা (নিংথৌ) অদুনা খঙকম তম্কম থোকপনি। মাসিগী নিয়ম প্রণালী অসি শ্রীভগবান্ নারায়ণনা ঈহান হান্ন পুথোকপিখিবনি। শেম্বগা ঙাকপগা থবক অনী অসিবু ব্রহ্মা মথন্তনা লৌদে। অদুনা মশাগী খুৎশেমবু ঙাক্লনবা মশাগী পূক্লীং অদুগা জ্ঞাসক্তোজি (স্বারোচি) দগী পুথর অম পুথোরকখি ভগবান্

ততঃ স্বরোচিষঃ পুত্রং স্বয়ং শঙ্খপদং নৃপ । অধ্যাপয়ৎ পুরাব্যগ্রঃ সর্বলোক পতির্বিভুঃ ॥৩৭॥

নিংথৌ ! মতম অদো, স্বারোচিষ মনুনা মর্ত্ত্য লোককী নত্তনা লোক পুম্বগী নিংথৌ ওইখ্রেদো। মহাক্না মচা শঙ্খপদদা বায়ু চনীংত্তানা সাত্বত ধর্মগী জ্ঞান মপুং ফানা শিজিন্নখি * ॥৩৭॥

নারায়ণনা মাগী পূক্নীং (মানস) দগী ব্রহ্মাবু মানস পুত্র ওইনা পোকহনখিব ছুগুম্না ব্রহ্মানসু বিষ্ণুনা পীর ম্বা শক্তিদগী মাগী পূক্নীং। মনু'দগী পুথোকখিবা পুরুষ অসি মনু হায়বদা অহুম থত্তনখি। মনুদগী মানব (মী) হায়বসি মথং মথং পোকথখিবনি। ব্রহ্মাগী জ্ঞানগী মশেককা লোয়ননা পোকখিব হায়বা মনু অসি স্বরোচিষ মনু হায়না থত্তনখি। ব্রহ্মানা স্বারোচিষ মনুংদা ঈহান হানবা ওইনা স্বাত্বত ধর্মগী তত্ত্ব তাম্নখি। করিগুম্বা শুভ কর্ম অমতং তৌরকপদা ভগবান ভগবান শ্রী আরাধনা তৌবা স্তুতি তৌবা হায়-বসি ব্রহ্মানা হৌদোকখিবনি। আসিগী নিয়ম অসি ধর্মগী শরুক অমা ওইনা জাতি সম্প্রদায় পুম্নমকা শীজন্নরি। সুম্না তৌ হায়বসি করিগুম্বা জাতি অমগী ধর্মগী গ্রন্থদা পত্তব তাকপ ম্যোং। মন্বন্তর হায়-না কালবিভাগকী চাউরবা ওমথৈ অমমম্ ওইনা চৎথরক্লিবাসিগী ঈহান হানবা মন্বন্তরদি স্বারোচিষ হায়বা মন্বন্তর অসিনী। কালবিভাগ কী নিয়ম অসি স্বারোচিষ মনুবু সৃষ্টি গী ঈহান হানবা নিংথৌ ওইনা হাপ খিবা অহুগী মতমদগীনি। স্বারোচিষ মনুনা নিংথৌ ওইবসি ব্রহ্মাগী থুৎশেনগী মনুংদা লৈব লোক পুন্নম-কীনি। লোক তরামরিগী নিংথৌ ওইনবগুহুনা, মতুং মতুংদদি স্বর্গমর্ত্ত্য পাতাল ময়োল অহুমতগী ওইনখি। অহুদগী অমুক হপ্পনরক্লুনা মর্ত্ত্য লোক সিতগী ওইনখি। মহাকপু সার্বভৌমাপতি হায়না থত্তনরম্মি অহুদগীদি শক্তি অসুম অসুম হপ্পনরক্লুনা খণ্ড, বর্ষ, দ্বীপ অমমমগীত নিংথৌ ওইখি। অহুদগীদি গ্রাম অমম মগীত নিংথৌ ওইনখি ।মমাঙৈদগী তৌরমবহুগুম্না ধর্মনীতিন দি তৌনরকত্রবনিনা নিংথৌ অমনা মাগী মরৈপাক চাউথোকহল্লিংবদগী নিংথৌ অমগা লাম্বেনবা হৌখি। অসিগুম্বা অবস্থা অসি সত্যদগী ত্রেতাদনা,চেক্তিন্নকই, ত্রেতাদগী দ্বাপরনা অহক চেক্তিন্নকই। হৌজিক কলিদদি লাঞ্জাও কয়া কয়া তোরনা থোকচিন্নকলি। যুম থোং খুদিংদা অশান্তিনা মহুম শারি। নিংথৌনা হায়—প্রজানা তাদে, প্রজানা হায় নিংথৌনা তাদে। রাজনীতিরোমতন নত্তনা ধর্ম সম্প্রদায় খুদিংমক অমমমগি য়েংথিনরকলি। ধর্মনীতি রাজনীতি অনী চত্তহুনা মীপুম খুদিংগী থম্মোয়দা অশান্তি পীরি। হৌজিক মশা মশাগী সাধনানা ভগবানদা হায়জবা নত্তনা উপায় লৈতে।

(কালাচাঁদ)

* কৃতযুগ (সত্যধর্ম) তগী চৎনরকপা ধর্মনীতি অনীগী মরী অতি মতুংগী নিংথৌশিংগী ফিদমকমনি। নিংথৌ ওইনা ওইনা, তুংদা নিংথৌ ওইরক্তদৌরিবা মচ মচাদা ধর্মনীতিবু মরূপ ওইনা তম্বিরম্মি। ব্রহ্মানা অউবা (দৃশ্য) প্রাকৃতিক জগৎ অসিবু শেমগত্ত্রবৈগী মমাওদা শ্রীবিষ্ণুনা মতোম্বা বেদ (জ্ঞান—বিজ্ঞান)

দিশকুপালং সুবর্ণাভমধ্যাশরত ভারত সোঽন্তর্দধে ততোভূয়ঃ প্রাপ্তে ত্রেতাযুগেপুনঃ ॥৩৮॥

নিংথৌ। অহুদগী অমুক শক্তপদনা মাগী মচা দিকপাস সুবর্ণাভদা ধর্ম অসি মপুংফানা তম্বিখি। অসিগী তুংদা ত্রেতাযুগ লাক্লহুনা ধর্ম অসি চহী যুগ মতম কুইনা লুপ্তুনা লৈখি ✱ ॥৩৮॥

বু পীখিবনি। সত্য নারায়ণনা ওইবা শ্রীবিষ্ণুন' ব্রহ্মানা শেমগদৌরিবা জগৎ অহু অসত্যগী মথক্ত লৈহনীং দে। অহুনা সত্য ধর্মগী মথক্ত শেমগদৌরিবা জগৎপু থিজুনা থম্মনবা, সত্যজ্ঞান (বেদ) বু ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুনা ব্রহ্মাদা পীখিবনি। অহুম্না মথং মথং চঙখিনবা নিয়ম অসি ভগবান্না তৌদোকলম্বনি। অহুনা, বিষ্ণুনা ব্রহ্মাদা ব্রহ্মানা স্বরোচিষদা, স্বরোচিষনা শক্তপদদা অমুম্না, সাত্বত ধর্ম অসিবু রাজনীতিগী মতৌ-শুম নিংথৌরেল মথং মথং শন্দোক্লরই। যুগ যুগকী মতুং ইন্না হায়রিবা রাজনীতি ধর্মনীতি অনী অসি ওস্লোক ওনশিন তৌবা শকলোল কয়া কয়া পুহনা ওসি কাওবা লাকলি। অনী অসি বিষ্ণু ভগবান্ শ্রীনারায়ণদগী থোকখিবনি অনী অসি অজ্ঞানবাদদি পুংয়ান চপ চানা থুক্কেং পাক্লোইননা চৎমিন্নরম্বনি। সত্য যুগতা ধর্ম নীতি শরুক অহুম রাজনীতিনা—শরুক অমত লৈরম্মি। ত্রেতা ধর্মনীতিনা শরুক অনী; রাজনীতিগীসু শরুক অনী রাওই। দ্বাপরদা ধর্মনীতিগী, শরুক অমা, রাজনীতিগীসু শরুক অমা, অনীসিত মঙাক্লহৌরে। কলিযুগ তদি রাজনীতিনা যারিবথে ধর্মনীতিগা তিন্নরোইগদৌবগী হোৎনৈ। অহুনা মূল শ্লোককী অর্থদা হায়খিবহুম্না সাত্বত ধর্মনা মপুং ফানা চৎনরিঙৈ মতমদদি নিংথৌ অমনা মরোল অহুগী নিংথৌ ওইরম্মি। অংদগীদি ধর্মনা মথং মথং রাথরকপদানা হৌজিক্তি পীরুবা দেশ অমতগী শাসন কাওবা নীথিনা শান্তিগা লোয়ননা তৌবা ঙমত্রে। ধর্মনীতিবু য়াওহন্দবনা হায়বদি সত্য ধর্ম (নারায়ণীয় ধর্ম সাত্বত ধর্ম) বু য়াওহন্দমনা, জগৎ পুম্বগী থরতী (খাংথং) গী মশক ওইনা লৈরবা ধর্মনা লৈরকল্লবদা মাগী মথক্তা নম্মুনা লৈরিবা জগ (পৃথিবী) অসি হৌজিক কলিযুগ অসিদদি মচেৎ মচেৎ থোক্লা কায়হনা নীওখায়রকলি হৌজিক রাজনীতি—মথক্তনা করি তৌগনি? কলিযুগকী অসিগুম্বা ঘটনা নশিং অসি থোরকতনবা হায়হুনা সত্য যুগতগী হৌনা, মতুক করি হায়গনি, সষ্টি তৌত্রিঙৈদগী হৌনা ভগবান্ শ্রীনারায়ণনা ব্রহ্মাদা বেদজ্ঞান তাকপিখিবহুনি। অহুবু "কালো হি বলবাল্লোকে" হায়রবহুগুম্ব-হুনা মতমগী ঈ.চন্না অমরোমদা চেম্বখিবনা হৌজিক্তি রাজনীতিগী মন্নুদা ধর্মনীতি অসি শূকরাও রাওদ-বঙম তৌত্রি। (কালাচাঁদ)

✱ বিষ্ণু ভগবান্ নারায়ণদগী হৌনা সুবর্ণাভ কৌবা নিংথৌ অসি কাওবা সত্যযুগ ওইরম্মি। অহুদ-গীদি ত্রেতাযুগ চঙবা হৌখি হায়না মূল শ্লোকতা হায়রি। মাসিদা য়াওরিবসিদি নিংথৌ মঙাতনি। অহু বু মাসিদি তোমখিন্ ওইবা নিংথৌ থরতগী মমিং পাল্লহবনি। মথোয়সিগী মরক মরক্তা নিংথৌ জিশিং

নাসিক্যো জন্মনি পুরা ব্রহ্মণঃ পার্থিবোত্তম। ধর্ম্ম এষঃ স্বসংদেবো হরির্নারায়ণঃ প্রভুঃ ॥৩৯॥

তজ্জগদা রবিন্দাক্ষো ব্রহ্মণঃ পশ্যতস্তদা সনৎকুমারো ভগবাংস্ততঃ প্রাধীতবান্নৃপ ॥৪০॥

সনৎকুমারদপি চ বীরণো বৈপ্রজাপতিঃ। কৃতাদৌ কুরুশার্দ্দূল ধর্ম্মমেতদধীতবান্ ॥৪১॥

নিংথৌ অথোইবা! মমাঙৈদা ভগবান্‌গী নাসিকা (নাতোল) দগী ব্রহ্মানা মাগী মতাঙবা মপোক অহুদা ভগবান্ মশামক্কা ব্রহ্মাদা অসিগুম্বা পাউতাক অসি পীবিখিবনি ✽ ॥৩৯॥

ভগবান্ শ্রীনারায়ণদগী ব্রহ্মানা কংখিবা সাত্বত ধর্ম্মগী তত্ব অসি ব্রহ্মাগী মকমদগী ঋষি সনৎকুমারনা কংখি। সনৎকুমারদগী বীরণ কৌবা প্রজাপতিনা কংখি। বীরণ কৌবা প্রজাপতিনা সনৎকুমারগী মকমদগী ধর্ম্মগী তত্ব কংখিবসি কৃতযুগ তনি। ✝ ॥৪০ ৪১॥

লিশিং পানগ্রবনি হায়না খঙকম থোকই। সত্য ওইবা — ধর্ম্ম তনা মুক্ষম ওইনা লৈরম্বদগী সত্য যুগ কৌরম্বনি। সত্য যুগ কা ত্রেতাগা অনীগী লোম্নবা মরক অসিদা চহী যুগ কয়া লৈরম্বনি। মরক অমুদা নারায়ণীয় ধর্ম্ম (সাত্ব ধর্ম্ম) অসি লুপ্তুনা মুত্তুনা লৈরকবসি। ধর্ম্মহুনা লুপ্তুদা লৈরিঙৈ মতমদা মতম (কাল) হায়বহুদি লুপ্তুনা লৈয়ু হায়বদি হাদবনিনা, মতম কৌবা মাগী ঈচেন্দি হোং হোংহুনা চেন্থরকপনিনা সত্য লোইরবা তুংবা ধর্ম্মনা লুপ্তুনা মতমগী ইন্নুংদা লৈরকবগী কাওগৎলকপদদি মাগী মখোঙ নাম (শরুক মরিগী শরুক অমা) মাওরগত্রে। হায়বদি ধর্ম্ম হায়বহগী শরুক মরিগী শরুক অম ত্রেতা যুগতা চন্থখি। মতৌ অসুম্না যুগ অনী অনীগী লাংদাইগী মরক অহাংবা অমুদা ধর্ম্ম হায়বসিনা অমুক লুপ্তুনা লৈরকই। অমুমুক কাওগৎলকপদা শরুক অমমম হৈন্থে। হন্থবক্রিবসিগী মরমদি অসিনি যুগ অনী অনীগী মরক্তী অহাংবা হায়বসি সত্য ত্রেতানচিংবা কৌবা শিং অহুতনি লৈতবা, "মতম" হায়বহুদি অহুম মরৈ। অহাঙবা মতম অহুগী মমুংদা অউবা — উনবা জীব কয়' কগাকি অহুম মরৈরিবনি। মরক অমুদা ধর্ম্ম হায়বহুনদি অকক্কবা নিয়ম খর পুন্থনা লৈবকত্রগনিন, মান মানা থোকপা পঙতৌত তৌরিবনিনা অমুগা যুগ ধর্ম্মগী নিয়ম অমুনা অমুক হৌগংলকপহৃদদি, কায়ত্রিবা শরুক অমুবু শিংগৎনবদা মানা থোকখি। সত্য যুগত চৎনরম্বা শরুক খর ত্রেতাদা চৎনখিত্রে, ত্রেতাদা চৎনরম্বা খর দ্বাপরদা চৎনখিত্রে। কলিদদি চৎনত্রিত্রিবা শরুকশিং অদো লাঙ্গনা মশাং রাত্তনা খর খরদদি অমম চৎনৈ। অমুগী দমক্তম্থ কলি কৌখিবনি। কিদ শঙবা মচু অমু ঈশিংদা অমুমুক লুপ্পদা মচু খর খর কোকঙকপগুম, ধর্ম্মসু যুগ অনী অনীগী মরক অহাংবদা অমুমুক লুপ্পবনা মচু খর খর কোকখিবনি। দান, যজ্ঞ, তীর্থভ্রমন, সেবা — পূজা, লাইনিংলম্বীগী তোঙান তোঙানবা মওং মসিনচিংবসি ধর্ম্ম হায়বহুদা শঙবা মচু শাক্তনি। (কালাচাঁদ)

✽ অহানবা মপোক্তা ব্রহ্মানা কংগ্রবা পোশকশিং অমু, মতুংগী মপোক্তা অমুক ফঙরোই। মতুংগী

✝ তাইবং মীওইবনা জ্ঞান, কর্ম, ভক্তি, ধর্ম, সেবা, উপাসনা অসুম হায়না হায়নরিবা অমুগা

লাকপা মপোক্তদি অমুক ভাক্লবা-খোংনবা নাইদনা অদুম মকাংলনি। খুদম ওইনা হায়রবদা, ব্রহ্মাদা ধর্মগী পাউতাক পীবসি মাগী মভাগুবা মপোক্তনি অদুনা, মতুংগী কল্পদা, অজ্ঞানবা, অনীগুবা, অদুমগুবনচিংবা মপোক্তা ধর্মগী পাউতাকশিং অসি অমুক ভাক্লবা খোংনবা নাইদনা অদুম মকাংলগনি। ব্রহ্মাগী পূর্ব সংস্কার হায়ববু মাসিনা অদুম ওইরে। ব্রহ্মাগী পূর্ব জন্ম সংস্কার অসিদগী, মাগী থুংশেমদা য়াওরিবা ঐ খোয় ভাইবং মীওইবশিংগী পূর্বসংস্কর হায়নরিবসি, ব্রহ্মাগী পূর্বসংস্কর অদুদগী লাকপা মক্তনি। হায় হায় কংগ্রবশিং অদুদি বিষ্ণু ভগবান্ নারায়ণনস্ত মতুংগী কল্পগী মপোকশিংদা হন্জিন্নদুনা মাদু অমুক ভাক্লয়োই। মপোক অমদা সাত্বত ধর্মগী লক্ষণ ভাকথি মপোক অমদনা জ্ঞান, মপোক অমদনা বিজ্ঞান, মপোক অমদনা বেদ, অদুম ভৌদুনা কংলকপা পোশকশিং অসি মতুংগী মপোক্তদি, অনৌবা পোশক অম পীব মতুনা, কংগ্রবশিং অসিদি অমুক ভাক্লব নাইদনা অদুম মকাংভদাবনি। প্রমাণ অমরোমদা হায়রগা, পুক্লীংদগী পোকখিবা মতমদা কখিবা—পোশক অদু মতুংদা মীৎ-নাকোংদগী পেংকপা মতমদা, মাদু, অদুম্মক ময়াও-রক্লগনি। মরম অদুনা ভগবান্গী নাভোম্দগী ব্রহ্মানা মাগী মভা গুবা মপোক অদুকংলবস্ত হায়গী অচানবা মপোক্তগী অনীগুবা, অদুমগুবা অদুগা মরিগুবা মপোক কাওবদা জ্ঞান বুদ্ধিনচিংবা লোইনা কংগ্রবনিনা মভাগুবা মপোকসিদা ধর্ম হায় খণ্ডহনগ্রবা, ভমবিগ্রবদুগী মথা পারাত্ম শৌথরকপদুগুম্বা ধর্মগী উপদেশ পীবা হেক্ত হৌখিবনি। ময়েক্কাদি ধর্মগী উপদেশ অসি পীগ্রউভদা বেদ জ্ঞাননচিংবা মচাকশিং অসি হায় পীক্কম খোকপনি। অদুবু মচাকশিং অদুদা হায় কংগ্রবনিনা, ঈকোন কোনবা মপোক অদুদা ভাকদবা অদু পা ভাককম খোকপদো অদুম ভাকথখিবতনি। ব্রহ্মাগী অসিগুম্ন ওইবকপা মপোক্কী থাক অসিগুম্না মহা-পুরুষ ওইবা ভাইবংমী কনাগুম্বগীস্ত ওইবা উত্ত। মাদুবু ঐখোয়না পূর্ব সংস্কার নি হায়নৈ। ব্রহ্মাগী অসিগুম্বা মপোক্কী য়ায়ী মতাং অসিবু তারগা পূর্বজন্ম অদুগা পরজন্মগী মরমদা চিংনরিবদু কোকনি। তাই মী ঐখোয় অয়াম্বগীদি মপোক খুদিংগী মকোক্তগী অমুমুক হৌগৎপা তাই। শুকদেবগীনা মপোক অমদা ব্রহ্মচারী আশ্রম, মথং মপোকতনা গৃহস্থাশ্রম, মাদুগী মথংগী মপোক্কা বানপ্রস্থাশ্রম মপুং ফাখিবনি। অদুনা মরিগুবা মপোক্তা ব্যাসগী মচা ওইনা পোকখিবা মতমদা, হেকপগী সন্ন্যাসী ওইদুনা চৎখিগদুনি।

(কালাচাঁদ)

শীজিন্নরিবসি, মখোয়শি সি গৌদোকপিরম্বশিং অদুনা পুবস্ব অর্থদু অদুগা কয়িগীদমক পুখোক্রম্বগে হায়বদু ঊথত্ত খওব্বা ভাক্তনা মতেক্ত হৌদুনা হায়নবিবন শীজিন্নরিবনি। জগৎশেম্বা মপু মহাত্মা, মহাত্মা শে-মিবা শারিবা অচ্ছ ভুং কোইনা লৈননবা ভিত্তি (মুফম্) অমগী মথক্ত বিন্দুনা থম্নবা ধর্ম হায়বা পোশক অমা, জগৎপু শেমগ্রিভৈগী মমাওদা থম্মি। মুমশাগ্রিভৈবা মুফম হায়খোনবগুম্বা, জগৎসৃষ্টি কর্তা ভগ-বান শ্রীনারায়ণনা ধর্মবু হায়না লিংখৎলি। থাইদগী লুবা অমনা, ধর্মদি মশকউদে, মমিং ক মভায়।

বীরণস্তাপাধীতৈর্বং রৈভ্যায় মুনয়েঽদদৌ । রৈভ্যঃ পুত্রায় শুদ্ধায় সুব্রতায় সুমেধসে ॥৪২॥
কুক্ষিনাম্নে চ প্রদদৌ দিশাপালায় ধর্মিণে । ততোঽপ্যস্তর্দধে ভূয়ো নারায়ণমুখোদ্ভবঃ ॥৪৩॥
অণ্ডজে জন্মনি পুনর্ব্রহ্মণে হরিযোনয়ে । এষ ধর্মো নৃপশ্রেষ্ঠ নারায়ণাৎ পুনঃ হরেঃ ॥৪৪॥

বীরণ কৌবা প্রজাতিনা ধর্ম অসিবু মুন অধ্যয়ন তৌরবতুংদা রৈভ্যমুনিদা পীখ (তখিখি)। রৈভ্যনা ব্রত—তপস্যা কনবং জ্ঞানী ওইরবা, ধর্মচেনবা, আচারবিচারদা কায়দনা চংলবা, মায়গেঙাকপা লাইঙম লৈরবা, মচা কুক্ষিদা সাত্বত ধর্ম অসি তখিখি। অদুগী, ভূ দা শ্রীনারায়ণমক্তা শ্রীমুখদগী থোক্-খিবা সাত্বত ধর্মগী তত্ব অসি মতম থর অমুক পুথুনা লৈখি ॥৪৩॥

অদুগী তুংদা, নারায়ণগী চকচা কাব্বাং তোংদা (চাংগ-মদগী ব্রহ্মাগী) ভাঙ্কাল তাঙানবা মপোক ওইরকপাসিদগী তরাকশুবা মপোক অণ্ড (মমন্ -কু-যাম্ -মাঙ্গা-ম) দগী শকখিবা মতম অদুদা, অমুক ধর্ম (সাত্বত ধর্ম অসি শ্রীনারায়ণগী শ্রীমুখদগী থোকখি ॥৪৪॥

অদুগা লোয়রতা জগৎ অসিদি মশক উই, দশা জগ, নি অমা। দৃশ্য জগৎ আসগী খিনকম (ধর্তী) অদুদি অদৃশ্যনি মশক যিদে। মশক উব পোৎপু মশক উবা পোৎকী মশক্তা করম হায়রবা থমগদৌ-রিবনো ? অসিগুম্বা চিংনবা—খতুনওবা অমসু মরক মঙ্গক তেক পোকই। মাসি মমেঙৌদি চিংনবম থোকনা লৈতবনি। মুমিং থা থম্মানমিং মক, কপাল লৈপাল, চৌঙমান কুমেং পুম্নক শগী মপে সমত্তি অসি আকাশগী মচুংদা তেক কায়দনা লৈরি আকশদি মশক উবে ফজিং থাংনচিংবসিদি মশক উই। আকাশ হায়বা মশক উদবা অসন। শওবা ধরতী ওইরা। জগৎ মাসিদ খংদুম লৈরি। মশক উদবা আকাশ অসি লৈরমত্রবদি জগৎ অসি মখাক শীতুথকপা নংদবনি অদুবা জগৎ অসিনা নীওথাবপবন্নু আকাশগী মচুংদা অতম থুপহনা লৈখ্রিননি। অদুনা জগাক্তী তুংনকম শংবা ধর্ম মখাক্তা মশক উখ্রিবসি অদুননি। আকাশক্তমক্তা তুংনকম অদুগা মাগী হৌনকপা ওইব জগৎনা মখাক্তা মশক উখ্রিবসিন্নু অদুননি। অদুনা আকাশগী মশক ওইবা ধর্ম কৌব মাগী কৌবকপা ধর্ম কৌ নারায়ণদু ঐথোয়না হায় নীঙশিংখিদবনি। ' বীরঃ শক্তিমতাংশ্রেষ্ঠ ধর্মো ধর্মবিদুত্তম ' অসুম হায়বা শ্রীবিষ্ণু সহস্র নামদা হৈরি। বিষ্ণুগী নাম (মিং) অমনি। মাসিগী অর্থদি বিশ্বব্রহ্মাণ্ড অসি শকপা পুবা, বিশ্বব্রহ্মাণ্ড অসিগী তুংনকম হ মবতনি। জগৎপু থম্বা ‘পুন্নবা’ হায়বা ‘জগৎপুরণ’ হায়বা অসি লোয়নবদি, জগৎপুবা হায়বা অসিমক মশক উত্রবস্নু জগৎপু পাইনা পুদিরা মশক উবা ‘জগৎপুবা’ হায়বদুগী মূর্তিনি। অদুনা, ধর্ম (জগৎপুবা) হায়বসিগী মূর্ত্তি লৈ। (কালাচাঁদ)

৫ধর্ম অমনা পুথুনা থুথুনা লৈবা হায়বসি, ধর্ম মখামক মাঙখি হায়দা মাত্ত ধর্মগী মশক মাঙত্রবদি হৌজিক-হৌজিক তাংবং মীগী মপোক্তা নাক্তয়োম কয়োম (শণ্ড) দগী শকচিন্নবসি, ব্রহ্মানা শ্রীনারায়ণ

জগৎ অসিস্থ মীকুপ্তা মাঙপ্রগদবনি। অহুনা ধর্মনা মাঙথিবা হায়রবসি, ধর্মহুগী তত্ত্ব অহু চৎনখিদবতনি। খুদম ওইনা হায়রবদা, বৌদ্ধ সম্প্রদায়গী পবিকর মহুংদা জৈন ধর্ম অসি থুপখি। হায়রবদি জৈন ধর্ম গী তত্ত্ব অহু বৌদ্ধ সম্প্রদায় বৌদ্ধ ধর্মদা শীজিন্নদে হায়রবতনি। হিন্দুধর্মগী পরিকরদা খ্রীচিয়ান ধর্ম থুপহু লৈখি। হায়রিবসি খ্রীচিয়ান ধর্মগী তত্ত্ব অহুগা উদ্দেশ্য অহু হিন্দুধর্মগী মপা হেক য়োৎবদা থঙমাঙ মাঙথি হায়বনি। মুনি জ্ঞানীশিং মীয়োল কয়া মরম কাওবা ধর্ম—ধর্মগী তত্ত্বশিং অহুনা চৎনলোনরম্লগা অতোপ্পা মীয়োল অম হেক্ লাকপদা অনীগী লংদাই মরক্ অহুদা হায় চৎনরম্বা ধর্মগী তত্ত্ব হেক্ হেক্ চৎনখি.দ। চৎনখিদ্রবস্থ ধর্ম হায়বহুমদি অহুম মরৈ। মা কাওবা মাঙপ্রবদি জগৎ অসি মীকুপ অমত পম্লকম্ থোক্কে।

(কালাচাঁদ)

গী অঙদগী তরক্শুবা মপোক্পা চথরকপহুদগীনি। ব্রহ্মাগী তরক্শুবা মপোক্ অসি লাক্পদা নারায়ণনা সাত্বত ধর্ম অসি অমুক তাহনখি। হায়রিবসিগী ভবনি সাত্বত ধর্ম (নারায়ণীয় ধর্ম, ভাগবত ধর্ম, বৈষ্ণব ধর্ম, মানব ধর্ম) হায়বাসবু ভগবান্ শ্রীনারায়ণনা তাকৃখিবসি অমুরক্ অনীরক্ত মক্তে ব্রহ্মানা নারায়ণগী হকচাং কায়াৎ তোঙাল তোঙানবদগী কল্প খুদিংগী হেক্ হেক্ পোকলকপা মতমদা অমুমুক্ তাক্পিখিবনি। অমুকস্থ হায়রিবসিগী ভাবত্তি করিনো হায়বদা তাইবংমীগী হকচাংদা হেক্ হেক্ চঙঙকপা মতমদা—ধর্মগী উপদেশ অসি অহুমক কংঙি। মরম অহুনা তাইবংমীগী হকচাংদা আত্মানা সাত্বত ধর্মগী তত্ত্ববু তাবসি হেক হেক ফংবা নত্তে। মীত্তগী অহুগা নাকোংনচিংবা ইন্দ্রিয়দগী পোকথিবা মতমদা ধর্ম অসিবু মপুং ফানা তাশা কংঙদে। ব্রহ্মা মকস্থ মহাক্না মপোক্পা তরক্শুরকপদা তাবা কংখিবনি। খেন্নবা হায়রবু তাইবংমীগী দেহদা লাকপা আত্মানা তাবা কংব হায়রবু গুরু পরম্পরা মথং মথং লীনরকপদগীনি। অহুগা ব্রহ্মানা তাবদ মাগী তরক্শুবা মপোক্ত শ্রীনারায়ণগী শ্রীমুখ মক্তদগী হকথেংননা তাকখিবনি। মাহু তাবর হুংদা সৃষ্টি কৌখিবনি। পরমাত্মা শ্রীনারায়ণমক্কী অংশ ওইবা আত্মানা চঙবদা মতীকচারবা ইন্দ্রিয় কায়াংশিংনা মপুং ফানা য়াওরবা দেহসিবু পঞ্চভূতনা শাখিবনি। শ.বা ভরিবসি সাত্বত ধর্ম কৌবা জ্ঞান বিজ্ঞান অনীমক্পা মপুং ওইনা শাখিবা ধর্ম অহুগী নিয়মবিধি মতুং ইন্ন শাখিবনি। নোংমদোক্তক্ত পাইরিবা বিমাননচিংবা শাবিবা তাইবংমী বৈজ্ঞানিক মশা মকপুস্থ সাত্বত ধর্মগী পান্থেনা মহা আধিভৌতিক বৈজ্ঞানিক ওইনবা ব্রহ্মানানা শাখিবনি। নোংচুপলোমগী কনা কনাগুম্বা দার্শনিক বৈজ্ঞানিকশিংগী মতমদা তাইবংমীগী হকচাংদি অা তুমিৎ কাঙনচিংবদগী মথং মথং ওন থংলকপনি হায়রবস্থ, মথং মথং ওনথংনরককম ঈশান হানবা হকচাং অহু, তুমীৎ কী থঙদে, কাঙগী থঙদে, চাচকলিলন চিংবগী থঙদে, মথন্ত চোংথোরকপা নত্তে। মাহু ব্রহ্মানা মাগী তরক্শুবা মপোক্ত শাখিবনি। মরম অহুনা জগত্তা ভনি কাওবদা লৈবিবা তোঙাল তোঙানবা ধর্মশিং অসিগী ঈচেলশিংগী চেন্থবরককম অমত্তা অমত্ত

গৃহীতো ব্রহ্মনা রাজন্ প্রযুক্তশ্চ যথবিধি। অধ্যাপিতাশ্চ মুনয়ো নাম্না বর্হির্ষদোনৃপ ॥৪৫॥
বর্হিষদ্ভ্যশ্চ সম্প্রাপ্তঃ সামবেদান্তগং দ্বিজম্। জ্যেষ্ঠঃ নামভিবিখ্যাতং জ্যেষ্ঠসামব্রতো হরিনা ॥৪৬॥

নিংথৌ! ব্রহ্মানা ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী সাত্বত ধর্ম অসিবু লৌরগা থবক্তা শীজিন্নখি, ব্রহ্মা মহাক্না বর্হিষদ কৌবা মুনি শিংদস্থ ধর্ম অসি তম্বিখি ॥৪৫॥ বর্হিষদ কৌব ঋষিশিং অসিদগী জেষ্ঠ কৌবা কাও-রবা ব্রাহ্মণ অমনা ফংখি। জেষ্ঠ কৌবা ব্রাহ্মণ অসি সাম বেদবু য়ম্না মুম্ন থত্তলবা হেরবা ব্রাহ্মণ অমনি। জেষ্ঠ অমগী উপাসনাবু মহাক্না বিধি চুম্ন ভামখি। অদুনা মহাকপু জেষ্ঠ সামব্রতী হায়না কৌনখি ক ॥৪৬॥

ওইবা গোমুখী গঙ্গাদি সাত্বত ধর্ম হায়বসিনি। মতমগী মতুংইন্না ধর্ম হায়বসি শীক্লবা খুরবা লাইনিং লম্বীভগী অর্থদা লৈহনখিন্নি তাইবং মীশিংনানি। শীক্লবা খুরবা ওইরবনিনা ধর্ম হায়বসি অসিনা মী খুদিং মক্তী শুমচেল কাওবা পীকথহনজুনা অমগমগ য়েংখিনহল্লি। জগত্তা অশান্তি পোকহল্লি। (কালাচাঁদ)

ক ধর্ম অসি মথং মথং লৌনরকপদা থরনা জ্ঞান মার্গরোমদা, থরনা কর্ম মার্গ রোমদা অদুগা থরনা ভক্তি মার্গ রোমদা মরু মরু ওইনা শীজিন্নখি। মাসি, মথক্তী মূল শ্লোক অসিদগী ফংবা য়ানি। অদুনা সাত্বত হায়রিবা ধর্ম অসিগী মনুংদা য়াওরিবা জ্ঞান বৈরাগ্য, বিজ্ঞানগী প্রয়োগ নচিংবসিগী মথক্তা ভক্তিগী লাইনিং লম্বীগী স্তুতিগান নচিংবগী য়াম্ন অহুম ময়াওরবনি। অসিগুম্ব ধর্ম অসিদগী মতুংগী যুগ শিংদা তোঙান তোঙান্ন শীজিন্নরকদৌরিবা জ্ঞান বিজ্ঞান নচিংবসি থোকখিবনি। অদুগুম্না ধর্মদুগী পাম্বৈনা ব্রহ্মানা বৈজ্ঞানিক জগৎ অসিবু শেমখিবনি। মৈ ঈশিং খু শিংনচিংবা ভূতাশং অসিগী য়াম্নোক্ য়াঙ্কিন্ন দৃশ্য জগৎ অসিবু থোকহনাব্রবসি মহাবৈজ্ঞানিক অমগী থবক নত্তনা ব্রহ্মাদা সাত্বত হায়বা ধর্ম আসগী তত্ত্ববু তাহনখিবনি তম্বিখিবনি ব্রহ্মানা শেমখিবা বৈজ্ঞানিক সামগ্রী (মচাক) শিং অসিবু অমুক তাইবং মী বৈজ্ঞানিকশিংনা ফংজদুনা ওন্থোক ওন্থোকপা পোচ্চৈ কয়া কয়া শারি। অদুবু তাইবং মী বৈজ্ঞানিকশিংনা মখোয়না তৌরিবা থবক্ অসি ধর্মনি হায়বা ঙম্ভদে। জ্ঞানবিজ্ঞান ভক্তি পূর্ন্নক অসি মশা অমত ওইনা সাত্বত ধর্ম কৌদুনা থোকখিবনি হায়বসি মখোয়না খঙদে। অদুনা বৈজ্ঞানিকশিংনা ধর্ম কর্ম গী য়াবু মরিং ময়াব ওইনা লৌই। মনুংগী ঈশম শম্বা য়াদা হায়রগা পৃথিবী (লৈপাক) দা লৈরিবা গন্ধবত্ব, ঈশিংদা লৈরিবা শীতলত্ব, রসবত্ব অসিনা চংদা ধর্ম অসি মৈ ঈশিংনচিংব ভূতশিং অসিনা পুরমত্রবদি তাইবং মী বৈজ্ঞানিকশিংনা করিগুম্বা পোৎ অমত শাব মম্মংস্মোইদৌবনি অদুনা সাত্বত হায়বা ধর্ম অসি, চুম্নগী ময়াম্ন থত্তনরিবা ভক্তিগী কর্ম কাণ্ডগী, সেবা পূজাগী য়াদুগী ভাক্ নত্তে মৈগা তিন্নরগা ঈশিংনা মাগী শীতলত্ব ধর্মবু থাদোক্তুনা লৌরিবা উষ্ণত্ব অসি অনিত্য ধর্মনি। অদুনা তাইবং মী বৈজ্ঞানিকশিংনা শারিবা পোচ্চৈশিং অসি অনিত্য ধর্মনা শারিবা ভাক্তনি। অদুম অদুনা মখোয়না শারিবা

জ্যেষ্ঠাচ্চাপাণ্ডুসংক্রোন্তে রাজানমবিকম্পনম্। অত্তপথে ততোরাজন্নেবধর্মঃ প্রভো হরেঃ ॥৪৭॥

নিংথৌ। হায়ব্রিবা সাত্বত হায়বা ধর্ম অসি জ্যেষ্ঠপগী নিংথৌ আবিকম্পননা কংখি। নিংথৌ। অদুদগী দি অদুক্ ভাগবত ধর্ম অসে মাঙখি (লুপখি) * ॥৪৭॥

বৈজ্ঞানিক ওইব্বা পোচ্চে পূম্নমক মতম থন থম্নদং লৈরম্নগা থোক থোক কাম্ব্রিবসিনি। তৌববুদি, ব্রহ্মাগী সৃষ্টি অসিমকত্ব অনিত্যনি। (কালাচাঁদ)

* ভগবান্না পুথোকখিবা হৌদোকখিবা ধর্মদু ভাগবত ধর্ম কৌই। ভগবত ধর্মসিবুনি সাত্বত ধর্ম হায়রিবসি। অদুবু, তৌজিকী মতমদা থওনব্রিবা ভাগবত ধর্ম হায়বসিনা মক ওইনা কোনশিন্নিবসি লাই-নিং লম্বীগী (উপাসনাগী) মরমতবু শ্রীমদমহাভাগবততা ম্নাওব্রিবা ভাগবত ধর্ম কায়ব্রিবসিম্ন অদুনি। অদুবু থাওগৈগেংবদি ভাগবত হায়বা ধর্ম অসিদি সৃষ্টিগী মমাঙদগীনি। মক্লবৈজ্ঞানিক ওইবা ধর্মনি। ভগ হায়বগী অর্থদি বৈজ্ঞানিক শক্তিবু হায়বনি। ঈশ্বরগী শক্তিবু ঐশ্বর্য্য কৌই। ঐশ্বর্য্যাত্তকক্লা তিনবা অদুবু ভগবান্ হায়বতনি। পীকশিনবা, চাওথোকপা, মাংবা, লুম্বা, লোশিনবা থাদোকপা অসিনাচিংবসি ঐশ্ব-র্য্যিক শক্তিমক্তনি। শক্তি অসমক ভগবান্ মহাক্কীদি ধর্ম অমনি। পৃথিবীদা লৈরিবা আকর্ষণ শক্তিম-অসি পৃথিবী মশামকী নত্তে। পৃথিবী (লৈপাক্)দা লৈরিবা পুণ্যগন্ধ অসি পৃথিবী মশামকী নত্তে, ভগবান্গী শক্তি (ধর্ম) অমনি। শক্তিগা শক্তিমানগা মশা অমতনি হায়বগী মততগু গন্ধ (মনম) মশা-মক শক্তিমান (ভগবান্) মশামকনি। শ্রীভাগবত অদুম মহাক্কী—"পুণ্যগন্ধঃপৃথিব্যাংচ" হায়না। অসীগুম্বা সমবায় (নিত্য ধর্ম অমদু পু। ভগ অম লেপ্পীবনী। মাসীগুম্বা শক্তী অসীবু ন্যায়শাস্ত্রদা "সমবায়সম্বন্ধ" কৌই। সমবায় সম্বন্ধগী ওনা অতৈ অতোপ্প সম্বন্ধ মথৈ অনিত্যমক্তনী। মতাং অসীদা চিংনিরিবদি অমগাগা আঙ্গা সম্বন্ধ লৈনবা পোং মক্তনা জগৎ সংসার অসিবু অনিত্য ওইনা শেম্নগ্নিবসি করিগীনো, অদুগা নিত্য ওইবা ঈশ্বরো মানা অনিত্য ওইবা সংসারবু শেম্নগ্নিবসিনা কাম্নগীনো ? নিত্য ওইবা ভগবান্ নারায়ণ মহাক্কা অনিত্য ওইবা পোলশিংগত্ত শাম্ননীনবসিনা করিগীনো ? অসিনচিংবা ম্নাইহৈ কয়া কয়া চোংথোরক্লি। মরাম অসি থুম্নদবগী পাউথুমদা ভাগবত ধর্মগী হায়বদি, সাত্বত ধর্মগী তত্ত্বশিংদু লৈন-ব্বগা অদুম মক্কংগনি। ব্রহ্মানা জগৎপু শেমমদাইদা শ্রীভগবান্ নারায়ণনা ধর্মগী তত্ত্ব তাকপিবসিবু করি-গীনো ? শেম্বা মাবদা ধর্মগী তত্ত্বশিংগী করি মথৌ লৈরগে হায়না কনা কনাগুম্বনা হংনিংঙম্বম্ন ম্নাই। নিত্য ধর্মগা অনিত্য ধর্মগা, সত্য ধর্মগা অসত্য ধর্মগা অনীগী থাইনোক থাইজিন্দগী জগৎ অসিগী সৃষ্টি ওইব্রিবনি। হায়বদি ধর্ম অনীসিনা পাইশ্ব ওইদুনা মম ঈশিংলোচিংমসি মচাকশিং অসিগী সৃষ্টি হায় তৌরগা ব্রহ্মানা জগৎ পূম্নমক অসিগী সৃষ্টি তৌব্রিবনি। প্রমাণ অমদা হায়রগা লৈপাকত লৈরিবা গন্ধ (মনম) অসি লৈপাকা নিত্য সম্বন্ধদা লৈরিবদি। অসিগুম্বা নিত্য সম্বন্ধ অসি থোক থাদোকহল্লবদি, ঈশিংগী অঙ্গবা ধর্ম অসিবু

যদিদং সপ্তমং জন্ম পদ্মজং ব্রহ্মণো নৃপ। তত্রৈষ ধর্মঃ কথিতঃ স্বয়ং নারায়ণেন হ ॥৪৮॥
পিতামহায় শুদ্ধায় যুগাদৌ লোকধারিণে। পিতামহশ্চ দক্ষায় ধর্মমেতং পুনর্দদৌ ॥৪৯॥

নির্ণয়। ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী খোয়দৌ থম্বান্দগী ব্রহ্মাগী [illegible] মপোক [illegible] মতম অহুমা, পুককেল [illegible] জগৎপু মথুংমক্কা [illegible] ব্রহ্মাদা সাত্বত ধর্মগী [illegible] উপদেশ অসি শ্রীনারায়ণ বিষ্ণুনা পীখি। অহুমগী ব্রহ্মানা বৈজ্ঞানিক ধর্ম অসিবু দক্ষপ্রজাপতিদা তম্বিখি ॥৪৭—৪৯॥

ওহাক্ত খাদোকহল্লবদি বৈজ্ঞানিক জগৎ অসি লেম্বা যাংদ্রোইদৌবনি। অংসগুম্বা ধর্মশিং অসিগী [illegible] তাকপা ধর্মহু সাত্বত ধর্মনি। (ক্রমশঃ)

ও জগৎপু [illegible] [illegible] পাইক্লশিংনা [illegible] মীশিং [illegible] উংবা কুমিৎ-থা হৈলাক [illegible] (অষ্টম জন্ম) অসিগী তাক-থখি। [illegible] জগৎপুম্বগী প্রকৃত ওইরিবা হকচাং [illegible] ভগবান্ [illegible] [illegible] সুষ্টিকার [illegible] [illegible] ব্রহ্মানা [illegible] [illegible] ব্রহ্মপ্রজাপতি [illegible] অমতং [illegible] ব্রহ্মপ্রজাপতিদা ধর্ম অদু [illegible] [illegible] [illegible] তাক্কপা [illegible] অমত্তং [illegible] চাউখৎকল্লিবদি [illegible] মহাবৈজ্ঞানিক অমমনি [illegible] মক্কাম্বা [illegible] সাত্বত কৌবা ধর্মগী [illegible] জগৎপু [illegible] বিজ্ঞানম্বু [illegible] হায়দি সাত্বত কৌবা ধর্ম অসিনা জগৎকী ধর্ম, [illegible] বিজ্ঞান পুম্নমক্কী [illegible] [illegible] বৈজ্ঞানিকশিংনা অমৌ অমৌবা বৈজ্ঞানিক পদার্থ ফনয়াম্ব পুখোক [illegible] অহুগা অমৌ অমৌবা বৈজ্ঞানিক ওইবা [illegible] পুখোক হৌদোক্লকৃনম্ব প্রাকৃতিক জগৎ অসিগী মনুষ্যদগীনি অহুগা পুক্কী বুদ্ধ জ্ঞান পুম্নমক্কী মহম ওইহুনা তৈরি বা ভৌতিক শরীর অসিগী মনুষ্যদগীনি ফনয়াম্ব [illegible] মন, বুদ্ধ জ্ঞানগী [illegible] ওইরিবা হকচাং-সিগী যাংমদগী থক ওইরোই। অসিগুম্বা প্রাকৃতিক দেহ অসিদু গর্ভম্বুংদগী শাহুনা খোয়কুম্বরবগী মমক্ত ব্রহ্মাদা ভগবান্ শ্রীনারায়ণনা সাত্বত (নারায়ণীয়) ধর্ম অসি তম্বিখিবনি। ধর্ম [illegible] বিজ্ঞানম্বু [illegible] থোই। [illegible] আকাশ [illegible] অসি [illegible] বৈজ্ঞানিকনা [illegible] আকাশ [illegible] বা ভূত অসিনা মাগী শব্দগুণ [illegible] ধর্ম অসি পুরমজ্রবদি, হায়বদি, ভগবান্ সৃষ্টি কর্ত্তা নারায়ণনা হায়রিবা ধর্ম অসিমক [illegible] ফনাগী রেডিও, টেলীগ্রাফকী [illegible] বৈজ্ঞানিক পদার্থশিং অসি অমতম্ব

ততো জ্যেষ্ঠে তু দৌহিত্রে প্রাদাৎদক্ষোনুপোত্তম । আদিত্যো সবিতুর্জ্যেষ্ঠে বিবস্বান্ জগৃহে ততঃ ॥৫০॥

নিংথৌ অথোইবা ! অদুগী তুংদা দক্ষপ্রজাপতিনা মাগী মচানুপীগী মচা অহনদা ধর্ম অসিবু পীখি । সবিতামক্তদগীসু অহল ওইবা অদিতিগী মচাদা ধর্মগী তত্ত্ব অসি পীখিবনি । হায়রিবা অদিতিগী মচা আদিত্যসিদগী বিবস্বান (সূর্য্য) না ধর্ম অসি লৌখি ক ॥৫০॥

পুথোকপ য়াররোই । বুদ্ধি জ্ঞান পুয়মক্কী তাংকম উপুগী মশক ওইরবা হকচাং সিমকপু শাননবগী নিয়ম বিধি প্রয়োগনচিংবত্থ সাত্বত হায়বা ধর্মসিদা য়াওরবনি । (কালাচাঁদ)

ক শ্রীনারায়ণদগী পরম্পরালাকপা ধর্ম অসিগী পাউনা দক্ষনচিংবা প্রজাপতিশিংনা জীবাত্মাগী চত্তকম ওইবা মচা মশুশিংগী হকচাংবু শাগাখিবসি । হৌজিক্কী আধিভৌতিক বৈজ্ঞানিকশিংনা বৈজ্ঞানিক ওইবা যন্ত্র অদুগা মচাকশিংনা অন্তক্তদা পোশক লিশিং পুথোক শাদোরকপগুম কশ্যপ অদুগা দক্ষনচিংবা প্রজাপতিশিংনা অমুক্তদা মচা লিশিং লিশিং পোকহনখি । অদুদগী হৌদাকুনা তান্ত্রিক মন্ত্রতনা অদুদগীসু অমুক বররানতনা প্রজাপতিশিংনা প্রজা (মচা-মশু) শিংবু পোকহল্লাম্মি । হৌজিক হৌজিক্কী গর্ভচুংদগী অদুনা নিপাগা নুপীগা তিন্না থোংলবদগী পোকপশিগুম্না ভাক্ত পোক্কদবনি হায়বা নিয়ম করিসু লৈতে । মাসিদি গুরাং নহত্তগীনি । অসুনা ভগবান্ নারায়ণগী সাত্বত ধর্ম হায়বসিগী মনুংদা জ্ঞান, বিজ্ঞান, ভক্তি, মন্ত্র, যন্ত্র, তন্ত্র, লোইনা য়াওরি । অসিগুম্বা ধর্ম অসি তাইবংমী বৈজ্ঞানিকশিংগী শক্তিগী য়াংমদনি, হায়রিবা ধর্ম অসিদগী তাইবংপানবা পুম্নমক্কী তোঙান তোঙানবা লাইনিং লম্বীগী ধর্মগ্রন্থ, বিজ্ঞান সাহিত্য অদুগা কলা বিদ্যা মথাম শগি শদোকখিবনি । কাগুম্বা অমনা হৌজিক্সু তু ন্না কমহুনা ভ্রম—ভ্রম্ শোল্লুনা লৈরবদি, "মগাক কবিগুম্বা ধর্ম অমা শাম্বরি" হায়বসি মীওই য়াউদসু অতম মতারনারে । অদুনা, অস্নম য়াম্না পাকচউবা সর্থবু পুবা ধর্ম অসিগুম্বা অমতা কনাগুম্বা কৈরিগুম্বা জাতিগী অমদি সম্প্রদায়গী ধর্ম অমতা লৈরম্মরোই । অদুমক্তনা, নারায়ণনা ধর্মসিমতা ব্রহ্মাদা পীরগ মাসিনা জগৎ পুম্নমক শেম্মু হায়রি । শম্ম হায়রবদা ভগবানগী সৃষ্টি, রক্ষা, সংহারগী শক্তি পুম্নমক সাত্বত ধর্মসিগী মনুংদা লোইনা য়াওরবনি । সাত্বত ধর্মসিবু ব্রহ্মাদা শিন্নরম্লগা, সৃষ্টিগী থবক পুম্বা তাকপিরম্লগা শ্রীবিষ্ণুনা যোগ নন্নাদা হেক হেক চেপত্রিবনি যুগ অমমমগী লৈশিল্লদা ধর্ম অসি অমুমুক লুপখি (মশক উথিদে) । ভগবৎগীতাদসু অদুম মহায়রি "অর্জুন ! যোগধর্ম অসিবু ঐনা বিবস্বানদা, বিবস্বাননা মনুদ, মনুনা ইক্ষ্বাকুদশিন্নখিবনি । অসুম্না পরম্পরা ওইনা মথং মথং কনরকপসি, মরক্ত মতম কুইনা অমুক মাঙখ্রবনি" । বিবস্বান (সূর্য্য) না মাগী লনাইগী সৌরজগৎ হায়বা অম শেম্লগা মাদি ঈরেং লেঙদনা অটৈ গ্রহশিংগী খোঙচৎনিয়ম তৌরীবাসি মাগী লনাইগী শক্তিনা নত্রে । ভগবান্গী সাত্বত ধর্মগী পাউননী । মৈ ঈশিং হুংশীৎ, নুমিৎ থা নচীংবনা তোঙাল তে ভানবা শক্তি অমদী ধর্ম অমমম লোইনরিবসী সাত্বত ধর্মগী মঙাল থর থর কংজথীবননী হুমীৎ চত্তে, লেঙদে হায়বদী লোইনা থঙনৈ । কনাগী দমক লেঙদে হায়না হংলবদী বিজ্ঞানগী পরীকরদগী ধর্মগী পরীকয়দা লাহৌলক্লীবসীনী । (কালাচাঁদ)

এতোযুগাদৌ চ ততো বিবস্বান মনবে দদৌ । মনুশ্চ লোকভূত্যর্থং সুতায়েক্ষ্বাকবে দদৌ ॥৫১॥
ইক্ষ্বাকুনা চ কথিতো ব্যাপ্য লোকানবস্থিতঃ । গমিষ্যতি ক্ষয়ান্তে চ পুনর্নারায়ণং নৃপ ॥৫২॥

অদুগী ত্রেতা যুগনা হৌরকপদা সূর্য্যনা মনুংদা, মনুনা জগৎ পুন্নমক্কী মতলগীদমক ইক্ষ্বাকুগী মকমদা সাত্বত কৌবা ধর্ম অসি শিন্নখি ॥৫১॥ ইক্ষ্বাকুগী মথংদা নিংথৌশিং মথং মথং ধর্ম অসি লন্তোক্লখি। অদুগী তুংদা অমুক হল্লা ধর্ম অসি ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী নাক্ত চত্তখি ॥৫২॥

সাত্বত হায়বগী ধর্মগী তত্ত্ব অসি সত্যযুগ অমুত্তুক হৌরকপদা হ্যক্ত ওইনা চোংথোরকই। ত্রেতা নচিংবা যুগ অমুমুক ওইরকপদা থর থর হন্থরকখি। কলিগা সত্যগা অনীগী লাংদাইদা অমুমুক মাঙি। মাঙখিবত্তু চান্নবা মাঙখিবা মুংথিবনত্তে ধর্ম মশা মক্ত শ্রীনারায়নগী নাক্ত চংখিবনি। হায়রিবসিগী ৬ৱতি যগযুগান্তরগী মতুং ইন্না সত্বত ধর্মনা মরাগী অমুমুক চাংথরকপসে মুংথিবা তুমশিনখিবা নত্তে। তুমশিনবথরা মুংথিবা থোক্ত মথৈ শ্রীনারায়ণগী নাক্ত চত্তশিনখিবনী। সাত্বত ধর্মগী তত্ত্ব অমত্ত অরেম্বদা মাঙবা য়াবা নত্তে পুনশিগী চহী নশীনা থব থব হন্থনরকপা, অংম্বগা অরানংগা অনীগী মীচত্তদা অরা-নবগী মশীংনা অস্থম থর থর হেনগংলকপা, জ্ঞানবিজ্ঞান অনীমক্তা পুংয়ান চপ মান্নবা চংনরক্তবা, ধর্ম নীতিবু রাজনীতিনা নমহংকদবগী ক্লোংনবকপা, নিষ্কাম কর্ম তৌব মীশিংগী, যোগী মুনিশিংমকী মশীংনা হন্থরকপা অসিনচি বসি সাত্বত ধর্মগী তত্ত্বশিংনা শ্রীনারায়ণগী নাক্তচংখিবননি সাত্বতধর্মগী মথোত্ত মরিদি ধর্ম, অর্থ কাম, মোক্ষ অসিনী। যুগ খুদিংগী হন্থরবগা শাহনচি সত্যযুগতা ধর্ম (সত্য) তনা মরু ওইনা লৈরম্বত্তু, ত্রেতা যুগ চত্তলকপা মতমদদি ওইরকনে, হায়বনী। দ্বাপরদা মখিসিগী মমুংদা অনীনা মরু ওইনা লৈরকই। কলিদদা অতুমবা মরু ওইবা হন্থরকই হায়বনি। অসুম্না হন্থরকপদগী তুগ যুগ খুদিংগী তাইবংপাগী মীবোন্দুগী লমচংব্যবহার অগা বিচারদস্ত পরিবর্তন অমা হেক হেক লাকই। অদুবু, হন্থঞ্জিবা সাত্বত ধর্মগী শরক্তশিং অতুদি অমত্ত অরেম্বদা মাঙখিব নত্তে। যুগ যুগ অতুদা চন্থ্রবা শরকশিং অদু শ্রীভগবান্ নারায়ণদা হেক হেক তিংখি। ধর্ম হায়বসিমক ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী নাম অমনি। "বীরঃ শক্তিমতাং শ্রেষ্ঠঃ ধর্মো ধর্মবিদুত্তমঃ" অসুম্না বিষ্ণুসহস্রনামদা হাইরি অদুনা বিষ্ণু মশামক ধর্ম হায়বত্তুনি মহাক্তি অখণ্ড ব্রহ্মগী সাকার মূর্ত্তিনি। মহাক্তি নিত্যপূর্ণ ওইত্তুনা অদুগ লৈগনিনা করিগুম্বা শরক অমত্ত মত্তোন্দগী চংথবা লৈতে অদুনা যুগ অমমম্না রাখ রাক্লবা ধর্মগী শরক্ত অদু মাচান্দা অমুক চত্তখি। চথোরকপা হায়দোকপ পুম্বা মাঙোন্দগী চত্তশিনঞ্জিবা, চুপশিনখিবা পুম্বা মাঙোন্দনি। মরাংগী পাম্বী, পাম্বীদগী মশা মরেং, মশা মরেংদগী মনা মপা, মনা মপালদগী মহৈ, মহৈদগী মহাও মনম মশক শোকপা মথোল মথং মথং বিকাস লাক্লিবসী মত্তোন্দগীনি। হায়রিবা মরাম অসিগী মথং মথং অমুক চত্তশিন্নত্তুনা হঞ্জিন্নঞ্জিবসিস্থ মরু (মরূ) মত্তোন্দনি। অদুগা অমুক অত্তকপনা মথং মথং থোরক্লিবা পোৎ খুদিংমক্তা অদুগা হঞ্জিন্নিবা পোৎ খুদিংমক অদুদা মরু (মরূ) মহাক্তি অদুব মরাওরি। অসুম য়াওখিবা মরাও,

যতীনাং চাপি যোধর্মঃ সতেপূর্ব্বং নৃপোত্তম। কথিতো হরিগীতাস্থ সমাসবিধি কল্পিতঃ ॥৫৫॥

নিংখোঁ মখোইবা। অসিগুম যতিশিংগী সাত্বত ধর্মগী বা অসি অহানবদা ঐনা হরিগী তাগী মতাংদসু মিংখোঁ মতোংদা হায়রবনি ॥৫৩॥ মহারাজ! অসিগুম অথুমা, অহোনবা ধর্মগী তত্ত্ব অসিবু নাত্তনা শ্রীনারায়ণগী বায় মুম কুপ কম্থি * ॥৫৩॥

অহুম লৈরিবা মতৈ অসিবু শব্দ (মাতৈ) অমত্তা কোচ্লোক্কে হায়রবদি সংস্কৃত ভাষাগী 'নারায়ণ" "হরি" "বাস্থদেব" "কৃষ্ণ" হায়রিবা মাতৈ অম অসীনি নত্তনা সাসারদা চৎনরিবা কাহিগুম্বা অতৈ লোন অমত্তা কোক্লোকপা মারোই। মসিবু কোক্লোক্কে হায়ববদি অতৈ মতৈ লাইগী, সম্প্রদায়গী মীশু "নারায়ণ" হায়বসি হাবা—লোনবা তাবনি। অসিগুম্বা মহা বৈজ্ঞানীক ওইবা নারায়ণগী নারায়ণ কোথাগী শক্ত অমদি ধর্ম অসিবুনী সাত্বত ধর্ম হয়ুন। শ্রীনারায়ণরূপগী মথং মথং লেপ্লোক্কুন্থরকপসি অহুগুম্বা শ্রীহরি (নারায়ণ) দগীনি যীশু. বৌদ্ধ মহাবীর, গৌরাঙ্গ, অসিনচীংবা লা অমদী লামী (নাং লাক্নু পুবা মীশক) মরাম অসিগী বিক্রম মথং মথং শক্তিপ্রকাশ। মহাবীর. গৌতম. গৌরাঙ্গ, যীশু অসোনচিংবা শব্দগীং অসী গী অর্থনা নারায়ণ" হায়বা শব্দ অসিনা পুরীব অর্থসি থক্ কোক্লোক্পা য়বোই। প্রমাণ অমদা হায়রগা ওমগী অর্থবু ওল্. লোন্ অসিনচিংবা ইংরেজী মাতৈনা হায়রক্ং কোক্লোকপদি মাই হায়রবু মপুং ফানা কোক্লোকপদি ওমদে। অদুনা হরি (নারায়ণ) বু সর্বকারন হায়রবদ মাপনি অতৈ মাঙুনচাংবু হায়রবদি মারোই।
(কালাচাঁদ)

* আত্মান মাগী মতমতৈগী ধর্মবু অহুগ ধর্মগী তত্ত্ব থিরকপসি লাই মীগী হকচাং ফুদা লাক্নবা মতম অহুত্তদনি অহুগ ত ইবা মা লিখিং অমমগী মরুপদা শ্রদ্ধামতম্নি লিপে ব্রহ্মংস "মহুবাংনাং সহস্রেবু কশ্চিৎ যততি সিদ্ধয়ে" অমম্বা গীতাগন্ত হায়রিদুনি। আত্মাসিনা মাগী ধর্মবু থিংলকপগী মরমদি কাহিনো হায়রকপ মপানগী মায়া (মীশু পক্তুই টিংলবা) না লাপা হকচাং সিংন মাগী পুংকক্কুনা মরাকর্ণ হকচাং মামক্তি কায়না থলহম্নুনা অত্তাওবা লেমজনা অমুক কুন্দন অমুক লাক্তন চৌরুনা ধর্মসি মানিংঙ-ক্রুনা, মারিবা থৈ হকচা সিংনগী তাংথাম কাহুনা লোকপণিলক্লাওবা মাংনীংঙকুনদগী হকচাংগী ধর্মপা মরম তৈত্বৈ লৈনদবা মাগী অনাইংগী ধর্মবু অহুগা ধর্মগী তত্ত্বু থিংলকপার। মসাবু মাঙ্গলদি থিরকুনা ধর্ম থিরিবনি ফাংহন্দিরহুন। অহোয়ংদুম মীতৈ ঐগী শর্ম মরাং মাগী ধর্ম লাবকুনং মতৈ মাগাং লাক্কথুম আত্মাসিনা লৈথোক্লি মহুগুম্বা আত্মা অহু ধর্মবু থিরীব্রা অধর্মবু থিরীব্রা মকম খক্রাবনি। অহুগুম্বা, হকচাংসিডগা তিরহুং নমরাং মীতৈ হাও পাওল লাকুনা লৈবিবা তাওরবা লে চোইরবা আত্মাবু পুরিবা মীশিনো জগতা অশান্তি পীরি। আত্মা (পরমাত্মা—নারায়ণ) মাগী সাত্বত ধর্মবু থিগোন হায়রহুনা লৌকিক ধর্ম অহুগা মপানগী ওইদবা- আত্মাবা ধর্মগী তত্ত্ব থিকুনা লোক্লে। সর্বধর্মপরায়ন ওইগদবা

নারদেন সুসম্প্রাপ্তঃ সরহস্যঃ সসংগ্রহঃ। এষ ধর্মো জগন্নাথাৎ সাক্ষান্নারায়ণান্নৃপ ॥৫৪॥
এবমেষ মহান্ ধর্ম আদ্যোরাজন্ সনাতনঃ। দুর্বিজ্ঞেয়ো দুষ্করশ্চ সাত্বতৈর্ধার্য্যতে সদা ॥৫৫॥

অদুনা মহারাজ। নারদনা থুপ্নব তত্বনা তিল্লিবা সাত্বত কৌবা ধর্ম অসিবু সাক্ষাৎ শ্রীনারায়ণ মক্তা মকমদগী কংখি ॥৫৪॥ নিংথৌ। মতৌ অসুন্না সাত্বত হায়বা মহা ধর্ম অসি অনাদি কালদগী ভসিকাওবা চথরক্লি ধর্ম অসিগী তত্বসি সাধারণ জ্ঞানতগী মীশিংনেদি খঙবদা যারগদবনি। ভগবানগী ভক্তশিংনা ধর্ম অসিবু ধারণ তৌই * ॥৫৫॥

মহাক্না মলানগী ওইদবা কান্নদবা ধর্মশিংসিগী মগুংদা অম ওদা চত্তগদবনী হোংনরী। মাগী হোংনরিবদু মতৈ য়ান্নবা অতৈ অতৈ ধর্ম বু নিন্দা তৌবা তারকই নিন্দা প্রশংসা গী লাংদা তাংনদুনম লৈথোকদি। অদু গুম্বা জ্ঞান তাদবা ভাওরবা অনাত্মাশিংদুগী ধর্ম দুগুম্বা নত্তে সাত্বত ধর্ম হায়ন্নিবসিদি। তাইবংমী পুম্নমক্না সাত্বত ধর্মগী লম্বীদা লাক্লবা মতমদুদদা জগৎ পুম্বগী শান্তি ওইগদৌরিবনী। অদুগুম্বা অথুপ্পা অয়োনবা ধর্মগী তত্ববু নারদনা শ্রীনারায়ণমক্তদগী কংখিবনী। বৌদ্ধ, জৈন, হিন্দু, খ্রীষ্টান, মুশলিম ধর্ম চৎপা শিংনা অমগমগ য়েংখিনরিবা, খংনরিবসি করিগীনো? য়েংখননবগী, খংননবগীদমক্তা ধর্মগী লম্ব। চৎপ্রা? মচোই মচোই তাদুনা লৈরিবা পুম্নমকসিবু খোমজিল্লুনা পুল্লপ পুনবা অখণ্ডধর্ম অমগী মওং তাননবা তাক-পা তত্ব মদু সাত্বত ধর্মগী তত্ব কৌই। অদুগুম্বা অথুপ্প ধর্ম অদু নারদনা নারায়ণদগী কংখিবনা নারা-য়ণ শোনবতনা মাগী মশিঙ্গাং ওইখি। অদুগুম্ব নারায়ণনা দ্বাপরদা বাসুদেবনা ওইনা অর্জুনগী মকমদা সর্ব ধর্মান পরিত্যজ্য "মামেকং শরনং ব্রজ" হায়না তাকাপখি মামেকং হায়বসি মামু এবং নারায়ণীয়ম ধর্ম হায়বা য়ানি। (কালাচাঁদ)

* জগত্ত লৈরিবা জাতি খুদিংগী, সম্প্রদায় খুদিংগী পরিকরদ তোয়রৈ অমমম্গী মতৌগুম লৈশিন্দুনা ধর্ম শিং অসিবু কোনশিন্দুনা থনগ্না অদুগা পুম্নমকসিবু মথস্তনা শুন্নথা অদুগীদমক সাত্বত ধর্ম অসি শাথরিবসিনী। ঘটাকাশ পুম্নমক্তা মহাকাশ, বায়ু খুদিগী মহাবায়ু ভূত পুম্নমক্তা পঞ্চ মহাভূত, মহাগ্নি, দেব পুম্নমক্তা মহাদেব, অসুন্না লৈরিবসিগুম্বা ধর্ম পুম্নমক্তা হৌরকফম ওইবা মহাধর্ম অসিতনা ওইরিবনি। মতাং অসিদা ধর্ম পুম্নমক হাপবা য়াগৈশিনা পুরিবা অর্থাদি বৌদ্ধ, শঙ্কর, শক্ত অসিনচিংবতাকী নত্তে। মখোয় অসিদি লাইনিং লম্বীগী ধর্ম তাক্লান। মহ নিংবগী মরমতদা থোঙ্গরিবা ধর্ম অসিদি পীকপ্রবা শরক অমনি। খুদম ওইনা [illegible] দা মাগী তোঙানবা বৃক্ষ হায়বা ধর্ম অম লৈবি। ধর্ম অদুতনা মবম ওইদুনা মহাক্ষ [illegible] লৈশিনরি। [illegible] ধর্ম [illegible] লেনরি। বৃক্ষগী পত্র, পুষ্প (মপাল) অসিশাক্তবগীদু মাগী মাগী কলপ, পত্রপ, পুষ্পনচিংবা ধর্ম

ময়াম লৈনব্রি। অসিগী মথক্তা অমুকস্থ কল ('উটৈহেশিং) অতুগীস্ন মতম অতুদা ধর্ম অমত তিন্নব্রি। তিন্নব্রিবা মান্নব্রিবা ধর্ম মখৈ অনিত্য ধর্ম মক্তনি উশা মশা অমতদা পাল্লিবা উটৈ খুদিংগী মচু অমত মান্নব্রি—পীতত্ব রক্তত্ব নীমত্ব নচিংবা ধর্মশিং অসি অমত মান্নদে। অতুবু অসিগুম্বা ধর্মশিং অসিদি অনিত্যধর্ম ওাক্তনি। মরমদি রক্ত (অঙাওবা) না পীতত্ব ধর্ম লৌরকদবা ওগাক্ত মঙায়রে। অতুগা মথোয়দা লৈরিবা কলত্ব ধর্ম অতুদি নিত্যনি অতুবু মগাক অতুস্থ উটৈহুনা উটৈ ওইহুনা লৈরিবৈ ওগাক অতুদতনি। মহাকস্থ উটৈ ওইবা তোক্তুনা পৃথিবী (লৈপাক) ওমগদবা হোয়েনত মঙায়রে। অসিগুম্বা সাত্বত ধর্মগী তত্ত্ব অসিনা তাক্লি মাদুদি ওস্তোক ওবশিন তৌবা য়াবা ধর্ম মখৈ অনিত্য মক্তনি। বৌদ্ধ ধর্ম চৎলস্বনা জৈন ধর্ম চৎখিবা য়ারিবাসি ধর্ম অনীমক অনিত্য ওইহুনা য়ামিন্নরিবনি। অসিগুম্বা ধর্মবু পাল্লিবা আত্মা মশামক অনিত্য আত্মা হায়বহু ওইবা তারে। অনিত্য ওইবা আত্মাদি আত্মা নত্তে, অনাত্মানি।

হোংদোক হোংজিন য়াবাপোকপা শিবকাওবা য়াওদবা আত্মা মহাক্লা মশাগী লোয়নরকপা সাত্বত ধর্ম (নারায়নীয় ধর্ম) বুদি পুমমত্রত্নবু মপানগী মীগী খুৎশেম ধর্ম শিং অসিবু পস্মুরিবসি মশানা অনাত্মা ওইবদগীনি। ওফুদা লৈ হায়হুনা ঘটাকাশ হায়জিন্নবস্থ আকাশ মহাক্তি মহাকাশ ওইহুনা অতুম লৈগনি। চাউবগী আত্মা. অমুবগী আত্মা হায়জিন্নবস্থ আত্মা মহাক্তি পরমাত্মা ওইহুনা পরামাত্মা (নারায়ণ) ওইবগী নারায়ণীয় ধর্মতু চত্তুনা অতুম মরৈগদবনি। বুদ্ধ, মহাবীর, যীশুনচিংব কৌশিল্লিবসি মপানগী হুকচাং অতুদনি। মথোয়দা লৈরিবা আত্মাতুদা নত্তে। সাত্বত ধর্ম হায়বদি মকম মতম পুম্বদা চপ মান্নবা লেঙদনা লৈবা ধর্ম হায়বতনি। শব্দ (ৱাহৈ) ওনা সংস্কৃত শব্দ ওইজবনী অসিগুম্বা অর্থ (অভিপ্রায়) ময়াম্বু কোনশিন্দুনা ৱাহৈ অমতনা হায়দোকনীংঙায় লৈজদবা ভাষাশিংগী ভাষাশিংনা সংস্কৃত ভাষাবু নিন্দা তৌরি। ধর্ম হায়বা পোশক অসি তাইবংমী গীত লৈবগুম থনখিবদগী অম্নুকয়াম্ন শোয়থয়ক্লিবনি। ধর্মদি মশানা আধ্যাত্মিক ওইদুনা আত্মাগী বিষয় অমা ওইনা লৈব্রিবনি। সনা লুপা মুক্তা তানবদি মপানগী হুকচাং কায়াৎ ইন্দ্রগ্নশিং অসিগীভনী। অতুগা ধর্মদি আত্মাগী বিষয়নি হুকচাংগী। লৈরিবসি হুচাগী মথক্ত মন্নুংতদা লৈবোই নীংনবনি। আত্মানা লৈবিবসি মাগী ধর্মগী মথক্তা অস্নুশিং লৈরিবনী। চফু মন্নুংদা লৈবোই উরিবা আকাশ অসী চফু মন্নুংতদ লৈবা নত্তে। আকাশদি হুকচাংগী। গী মথক্ত নন্দুনা লৈজবনা। আত্মাদি তাইবং মীগী হুকচাংসিদা লৈরিবৈদা মহাক্লা চৎলিবা বু আত্মাদি গী দেহমুংদস্থ অতুম চৎলি। অতুনা মপানগী হুকচাংতদা হাও ময়াং মীতৈগী উপাধি পীশিন ন য়াগাং শাক্তুনা য়েংথিনহল্লি। মশাগী ধর্মদা মথত্ত ভুমিন্ন য়ৈশিজহুনা লৈরিবা আত্মা মহাক্তি করিগুম্বদা হুকম থত্নুরবনি। হায়বা থজবা নত্তে হুকচাংসিগীত থজবা অপঙবশিংনা আত্মাসিবু হুকচাংসিগা য়ান্ন মরী পেং চোক্লবা অহেজিন্ন থওখিবদগী মথোয়গী আত্মাবু ধর্ম থাদোকহন্দুনা শা-উচেক্লচিংবগী মতৌগুম্না ধর্ম শিংগী কবিশিংনা শক্লরি :—

র্ম জ্ঞানেন চৈ তৈন সুপ্রযুক্তেন কর্মনা। অহিংসা ধর্মযুক্তেন প্রীয়তে হরিরীশ্বরঃ ॥৫৩॥

অসিগুম্বা সাত্বত ধর্মগী তত্ত্ববু খঙলবা জ্ঞান, হিংসাগী রাখল য়াওদনা খঙলিবহুগী মতুং ইন্না কর্ম তৌ তদ্না ভগবান্ শ্রীনারায়ণ (শ্রীহরি) না থোইদোক্না পেনবি ॥৫৩॥

"আহারনিদ্রাভয়মৈথুনংচ, সামান্যমেতৎ পশুভির্নরানাম্। ধর্মো হি তেষা মধিকো বিশেষ.। ধর্মেণ পশুভি:সমান:।" অসিদা য়াওরিবা ধর্ম হায়বসি বৈষ্ণব, বৌদ্ধ, জৈন, খ্রিচিয়ান অমুগুম্বা ধর্ম গী না । সাত্বত (নারায়ণীয়) ধর্মসু হায়বনী। (কালাচাঁদ)

জ্ঞান তাদনা তৌবা কর্ম অরেম্বনি, তাম্লুরিব জ্ঞানহুগী মতুং ইন্না কর্ম তৌদবা, তাম্নরিবা জ্ঞান অরেম্নি। জ্ঞানবানমাগীনি হায়হুনা কর্ম তৌরবদি, মহাক অহু জ্ঞান মাগী কর্ম মাগী (কর্ম যোগী) মীমক অম ওইরে। অসিগুম্বা তবসি মূল শ্লোককী অর্থ অদিনা কোওলোক্নি মূল শ্লোককী অর্থ অসি উৎনি, মরমদি জ্ঞান তানা কর্ম তৌবহুবুনি সাত্বত ধর্ম (নারায়ণীয় ধর্ম) হায়রবনি। জ্ঞান তানা, খঙনা কর্ম তৌরি হায়হুনসু হিংসাগী ভাবতা তৌরবদি, মাহু সাত্বত ধর্ম হায়রবহুসু ওইদে। ঐ সাত্বত ধর্ম চৎনি, মহুনা নংগী ধর্মহু লাল্লি, নং অপঙবনী অসিনচিংব হায়হুনা মাগী অমগী পুক্নীংদা মুংগাইতবা শাউব পোকহল্লবদি সাত্বত ধর্মনি হায়রিবহুসু নত্রে। হিংসাগী অর্থ হায়ববু মী অমগী থম্মোয়দা মুংগাই কা শাউনিংবা পোকহল্লিবহুনি। স্বার্থগী ওইরবসু পরার্থগী ওইরবসু অতোপ্পা অমগী থম্মোয়দা শিনিংব কা মুংগাইতবা অশাউবা পোকহল্লিহ্নমক চাউবা হিংসা অম' লৈত্রে অহুগা। চৈনাখোল পোকপা নংহৌদম্নদনা কা হায়থোকখিবহুদি হিংসাবু ওইত্রি। অরা মনাগী চৈনা শীহুনা ওংহুনা নৈহুনা থম্বহুনি থাঙগৈগেশেংবা হিংসাদি চীংকেংকবা, মরৈ য়েংপদা মীবু খুম্ব ওমহন্দবা কনাগুম্বনা, ভক্তি শ্রদ্ধগা লোয়ননা চৎরিবা অতোপ্প ধর্মবু অমম লাল্লি হায়বিরিহুনা মীহুগী থম্মোয়দা তাশোন্ন থিল্লুরিবগে, মাহুমক্না চাউবা হিংসা লৈত্রে। অসোম হায়রবদি তৌজিক্কী ধর্ম প্রচারক অমগা হিংসা বৃত্তিনা, হিংসাগী রাখল্না ধর্ম প্রচার তৌনরি। মহাক্না প্রচার তৌরিবা অহুনা সাত্বত ধর্মমক ওইরবসু অহুম্না হিংসাগী ভাবতা তৌরবদি মাহু সাত্বত ধর্ম নত্রে। অখণ্ড সাকার ব্রহ্ম স্বরূপ শ্রীনারায়ণগা পুথোকখিবা সাত্বত ধর্ম অসিদি অতোপ অতোপ্প ধর্ম খুদিং মকমসু মপুং অহুম তাহল্লি। অহুনা করিগুম্বা ধর্ম অমগী মকমদা বিধর্ম (বিরুদ্ধ ধর্ম) ওইদে। অতোপ্প ধর্ম অমগী মকমদা বিধর্ম তাবা ধর্ম অহু থাঙগৈগেশেংবা ধর্ম নত্তে। করিগুম্বা দেবতা অমগী মকমদা শ্রীনারায়ণনা বিরোধী ওইদে। সাত্বতধর্ম অসিমকী তত্ত্বজ্ঞানগী পান্থনা অতোপ্প ধর্ম অমবু খণ্ডন তৌরবদি মাহা অপুনবা শ্রীনারায়ণনা পেনবিগদবা নত্তে। ধর্ম প্রচার তৌবা হায়বসিসু কর্ম অমনি। সাত্বত ধর্মবু প্রচার তৌবদা অতোপ্প। ধর্মদগী হেল্লি হায়না উৎননবগী উদ্দেশ্যদা প্রচার তৌরবদি প্রচারগী মখক

একব্যূহবিভাগো বা ক্বচিৎ দ্বিধা সংস্থিতঃ। ত্রিব্যূহশ্চাপি সংখ্যাত চতুর্ব্যূহশ্চ দৃশ্যতে ॥৫৭॥
হরিরেব হি ক্ষেত্রজ্ঞো নির্মমো নিষ্কলস্তথা। জীবশ্চ সর্বভূতেষু পঞ্চভূতগুণাত্মিগঃ ॥৫৮॥

ভগবান্ শ্রীবাসুদেবগী ভক্তশিং করিগুম্বা মতমদা মুক্তি মপুং অমত ওইবা শ্রীবাসুদেবগী ত আরাধনা তৌই। করি করিগুম্বা মতমদা মহাক্কী অনীশুবা শক্তি শাযোন সবর্ষন গী আরাধনা তৌই। করি করিগুম্বা মতমদা মহাক্কী অহুমশুবা শক্তি শাযোন (ব্যূহ) অনিরুদ্ধগী আরাধনা তৌই অহুগা করি করিগুম্বা মতমদা মহাক্কী মরিশুবা ব্যূহ (শক্তি শাযোন্) প্রদ্যুম্ন গী আরাধনা তৌই ক ॥৫৭॥

ভগবান শ্রীহরিতনা ক্ষেত্রজ্ঞনি। মমতা (ঐগী হায়বা) য়াওদবা, নিষ্কল (খাইদোকপা য়াদবা অমত্ত) নি। অচচ্চত্ত পুম্নমক্কী হকচাংদা পঞ্চভূতগী গুণশিংদগ তোত্তাম তাহুনা লৈব জীবাত্মাগী মশক্তি।
* ॥৫৮॥

প্রচার তৌববাদ প্রচারগী মশক শঙ্কব কর্ম অহু থকৈশংবা কর্ম নত্রে বিকর্ম নত্রগা অকর্ম তারে। অহুনা মূল শ্লোককী মূলার্থদ, হায়ারিবসিগী মতুং ইন্না কর্ম তৌরবত্তদা ভগবান্ শ্রীনারায়ণ (শ্রীহরি) না থোইদোক্কা পোনখি ॥ (বলাচাঁদ)

ক ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী কেম পুম্নমক্ক পুমরোনা শাম্নবগী শক্তিনা বাসুদেব শক্তিনি। মাসিনা ইহান হানবা শক্তি শাযোন ন অনীশুবনা সংকর্ষণ শক্তি কৌই। মহাক্রোচ শিল্পকপা --লা... মদা কনাগুম্বা অমত্তন। থিংবা ভুমলবা শক্তিনী অহুমক্কনা মনীশুবা শক্তিসিবু সংকর্ষণ কৌনরিবনি হায়বগী অর্থদি চিংথোরলবা হাধবান। অহুমশুবনা প্রদ্যুম্ন শক্তি কৌই। মহাকপু উবদা জগৎ পুম্বা পুম্নগুম গুমহৎনদগী প্রদ্যুম্ন কৌই। কামদেবগী শাযোন্নি। মপানগী প্রকট লীলাদসু কামদেবা শাক্কে-ন্দুনা দ্বারকাদ শ্রীবাসুদেব (শ্রীকৃষ্ণ) গী মচ ওহনা পোকই। মরিশুবনা অনিরুদ্ধ শক্তিনি, মহা চণ্ডশিল্পকপা লাকপা মতমদা কনাগুম্বা করিগুম্বা মতমদা থিংবা থংপা ভুমদবা শক্তিনি। মপানগী প্রকট লীলাদবু শ্রীবাসুদেব কৃষ্ণগী মশু (প্রদ্যুম্নগী মচা) ওহনা পোকই। ভগবান্ শ্রীনারায়ণদা লৈরিবা মপু ওইবা শক্তিনি করি অসতনদি। মাহুদি মকম মতম পুমরোবগী শক্তি, পোৎ পুম্নমক চিংথোক চিংনিন

* মতাং অসি শ্রীভগবদ্গীতাগী ক্ষেত্র ক্ষেত্রজ্ঞ বিচার যোগ হায়বা মতাং অহুদসু নৈনৱে। ক্ষেত্রজ্ঞ হায়বগী অর্থাদ ক্ষেত্রবু মশক মুম্ন থত্তবা হায়বনি। ক্ষেত্র হায়বদি হকচাং সিবুনি। ক্ষেত্র হায়বদি লৌকিক অর্থদা লৌবুকপুম্ন থত্তনৈ। শাস্ত্রগী অকুপ্প অর্থদা অমাত্তবদগী কাম্নমবগী থুংলায় ওইবা ওত্তাকলৌ ওইবা হায়বনি। লৌকিক বিচা দসু হায়রিবা অর্থসি কায়দে কংলবা, অমুক হিংগৎলরোইদৌবা মু (বীজ) অহু লৌবুকত্ত থাদরবাদি (তুম্নবদি) হিংগৎলকই, মরোল চোংত্তকই। ক্ষদগী হায়বা থাত্তপবদগী ত্র হায়বদি ক্ষত্র হায়বনি। অহুনা, ক্ষত্র (ক্ষেত্র) কৌবনি। লৌকিক অর্থ অমদতা লৈপাক্ কত্রি,

জীব শক্তি, কনাগুম্বা করিগুম্বা থিংব য়াববদগী, বিশ্বজগৎ পুম্ববু শুনহত্নবা থবগী শক্তি অদুগা কনাগুম্বা অমগুম্বা থিংবা য়ানবগী শক্তি মখি অসিনি। মখি অসিবু শ্রীভগবান্ নারায়ণগী কায়ব্যূহ (হকচাং খোন) মখি কৌই। মখি অসিগী তত্ত্ব অসি শ্রীনারদপঞ্চরাত্রদা শন্দোক্না নৈনখ্রে। ভক্তশিংনা আমা পাম্বগী মতুং ইন্না আরাধনা তৌনৈ। (কালাচাঁদ)

হায়রকনা ক্ষত্র (ক্ষত্রিয়) কৌই। লৌকিক অর্থগা শাস্ত্রীয় অর্থগা থোইনা কায়রদে। অদুবু শাস্ত্রীয় অর্থদদি মতং তোঙাল তোঙান লৈন্নি। তাইবং মীগী হকচাংবু ক্ষেত্র হায়না লৌরি। শা-উচেকী হকচাংদ চত্থিগদবা জীবাত্মাবু জীবাত্মা মগা মথক্তনা ঙাকচহোবা য়াবা হকচাং অসি মনুষ্যদেহ (তাইবংমী হকচাং) অসিতনি। অসিগুম্বা ক্ষেত্র (হকচাং) গী তত্ত্ববু মুম্ন খঙবা জীবাত্মা অদুবু ক্ষেত্রজ্ঞ হায়রবতনি। মহাক্তি পঞ্চভূতকী গুণশিং অসিদগী তোঙান তাহনা লৈবনি। অদুনা মহাকপু নির্গুণ নি হায়রনৈ। নৈ, ঈশিং, মুংশিং, অকাশ, লৈপাক হায়রিবা ভূত মঙা অসিগী মথংশীংনা রূপ, রস, স্পর্শ, শব্দ, গন্দ হায়-রিবা লৈরিবা গুণ মঙা অসিদগী জীবাত্মা (ক্ষেত্রজ্ঞ) মহাক্তি তোঙান তাহবা লৈরিবনী। হায়রবদি, জীব আত্মশক, মহাও, পোশক, শব্দ, মনম লৈতে। অদুনা গুণ মঙা অসীনা পোকহনগদৌরিবা ঐগী মংগী (মমতা—ভবতা) হায়রবা ভাবনা (স্বভাব) অসিদগীম্ন য়াংমদা লৈবনি। মচেং তোঙাল তাহনচবা লৌ-থোক লৌশিন য়াহনগদৌরিবা মথোয় মঙা অসিদগী য়াংমদা লৈবনা জীবাত্মা মহাক্তি অথগু নি। অথগু (মচা খাইদোকপা য়াদবা) ওইবনা অখণ্ড ব্রহ্মানি। (কালাচাঁদ)

(শান্তিপর্বগী শ্লোক ২—শদং লৈরি মহাভারতকী অরোইবদা লাকনি)